মণিপুরী মহাভারত

[illegible]

[illegible]

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

২২শুবা খণ্ড

শান্তিপর্ব্বগী শরুক্ খরম

বেদব্যাসকী শ্লোকাবলী মহাভারতকী
পর্ব্ব—অধ্যায—শ্লোক মথং মনাও কাযদনা
মবকু মবক্তা ব্যাখ্যা পীদুনা
মৈতৈলোন্দা মথং মথং
ছন্দোকুচরকুপা

পদ্মশ্রী কালাচাঁদ শাস্ত্রী

থোকপা— গ্রন্থকার মশামক; উরিপোক্, ইম্ফাল

থোকপা চহী— ১৯৭৭ ইং।

মশীং— ১১০০

মমল্— লুপা ১৮·০০

নম্বা— খোকচোম্ সামন্তজিৎ সিংহনা কম্পোজ তৌদুনা,
ভাগ্যবতী কার্যালয়, চূড়চাঁদ প্রিন্টিং ৱর্কস,
সগোলবন্দ, ইম্ফাল, মণিপুরদা ছাপা তৌবা।

সূচী-পত্রম্

	হীরম্	অধ্যায় মশীং	লামায়
১।	সাংখ্য অমদি যোগ অনীগী খেন্নব তাক্পা—	২৯৫	১— ৯
২।	সাংখ্যযোগগী সাধন	২৯৬	১০— ২৬
৩।	বসিষ্ঠনা করালজনককা অনীগী সংবাদ	২৯৭	২৭— ৩৪
৪।	জীবনা তোঙান্ তোঙান্বা যোনিদা পোক্পা—	২৯৮	৩৪— ৪৩
৫।	প্রকৃতিগা তিন্না লৈবদগী জীবনা লৈখা তাবা	২৯৯	৪৪— ৪৬
৬।	প্রকৃতি পুরুষগী মচা লৈনবা তাক্পা	৩০০	৪৬— ৫২
৭।	যোগ অমদি যোগগী মওং তাক্পা	৩০১	৫৩— ৬১
৮।	বিদ্যা অবস্থাগী ব্যাখ্যান	৩০২	৬১— ৬৮
৯।	বসিষ্ঠ জনক সংবাদ	৩০৩	৬৯— ৮১
১০।	বসুমানদা মুনি অমনা জ্ঞান তাক্পা	৩০৪	৮২— ৮৬
১১।	যাজ্ঞবল্ক্যনা জনকতা জ্ঞান তাক্পা	৩০৫	৮৭— ৯১
১২।	অব্যক্ততত্ত্ব অমদি কালসংখ্যা তাক্পা	৩০৬	৯২— ৯৫
১৩।	সংহারগী ক্রম তাক্পা	৩০৭	৯৬— ৯৮
১৪।	অধ্যাত্ম, অধিভূত অধিদৈবগী মরম তাক্পা	৩০৮	৯৯—১০৪
১৫।	সাত্ত্বিক, রাজসিক তামসিক ওইবা মীশিংগী মওং	৩০৯	১০৫—১০৭
১৬।	প্রকৃতি পুরুষ অনীগী মরী তাক্পা	৩১০	১০৮—১১২
১৭।	যোগধর্ম্ম তাক্পা	৩১১	১১২—১১৬
১৮।	হকচাংদগী প্রাণবায়ু থোক্খিবগী মরম তাক্পা	৩১২	১১৭—১২০
১৯।	যাজ্ঞবল্ক্যনা সূর্য্যদগী বেদজ্ঞান ফংবা	৩১৩	১২০—১৩৭
২০।	জরামৃত্যুদগী নাম্থোক্লবা তাক্পা	৩১৪	১৩৭—১৪০
২১।	সুলভা সন্ন্যাসিনী জনক সংবাদ	৩১৫	১৪০—১৭১
২২।	ব্যাসনা শুকদা জ্ঞান তাক্পা	৩১৬	১৭২—১৮৮
২৩।	অক যত্ন থবক্কী মহৈ	৩১৭	১৮৯—১৯২
২৪।	ব্যাসনা মচা ফংনবা তপস্যা তৌবা	৩১৮	১৯৩—১৯৬

হারম		অধ্যায় মণীং	পাতায়
২৫।	শুকদেবগী জাতকর্ম্ম সংস্কার ...	৩১৯	১৯৭—২০০
২৬।	শুকদেবনা মিথিলাদা চংপা ...	৩২০	২০০—২০৮
২৭।	জনকনা শুকদেবদা মোক্ষগী মরম তাক্‌পা ...	৩২১	২০৮—২১৬
২৮।	শুকদেবনা ব্যাসগী নাক্তা হল্লক্‌পা ...	৩২২	২১৭—২২৩
২৯।	নারদনা ব্যাসগী নাক্তা লাক্‌পা ..	৩২৩	২২৩—২৩১
৩০।	নারদনা শুকদেবদা বৈরাগ্য তাক্‌পা ...	৩২৪	২৩১—২৪২
৩১।	নারদনা শুকদেবদা আধ্যাত্মিকজ্ঞান তাক্‌পা...	৩২৫	২৪৩—২৪৮
৩২।	শুকদেবনা সূর্য্যলোকতা চংপা ...	৩২৬	২৪৮—২৫৮
৩৩।	শুকদেবগী ঊর্দ্ধগতি	৩২৭	২৫৮—২৬২
৩৪।	ব্যাসগা শুকগা কারনবা ...	৩২৮	২৬৩—২৬৮
৩৫।	নারদ নরনারায়ণ সংবাদ ...	৩২৯	২৬৯—২৭৬
৩৬।	রাজা উপরিচরগী জারী ...	৩৩০	২৭৬—২৮৫
৩৭।	রাজা উপরিচরগী যজ্ঞ ...	৩৩১	২৮৬—২৯৪
৩৮।	রাজা উপরিচরনা লৈথা তাবা ...	৩৩২	২৯৪—৩০১
৩৯।	নারদগী নারায়ণদা স্তুতি ...	৩৩৩	৩০১—৩০৪

——:(※):——

ইতি দ্বাবিংশতিতমখণ্ডম্।

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(সাংখ্য অমদি যোগ অনাগী খেন্নবগী তাকপা মতাং)

চনীগা মবিফুতবামঙাশুবা অধ্যায়

——:(০):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

সাংখ্যেযোগে চ মে তাত বিশেষংবক্তুমর্হসি। তব ধর্ম্মজ্ঞ সর্ব্বং হি বিদিতং কুরুসত্তম ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

সাংখ্যাঃ সাংখ্যং প্রশংসন্তি যোগা যোগং দ্বিজাতয়ঃ। বদন্তি কারণং শ্রেষ্ঠং স্বপক্ষোদ্ভাবনায় বৈ ॥২॥

অনীশ্বরঃ কথং মুচ্যেদিত্যেবং শত্রুকর্শন। বদন্তি কারণৈঃ শ্রেষ্ঠং যোগাঃ সম্যঙ্মনীষিণঃ ॥৩॥

বদন্তি কারণং চেদং সাংখ্যাঃ সম্যগ্ দ্বিজাতয়ঃ। বিজ্ঞায়েহ গতীঃ সর্ব্বা বিরক্তো বিষয়েষু যঃ ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরন হাঙি— ঈবুধৌ! ধর্ম্মগী তত্ত্ব খঙলব! কুরুশাংগী অথেৎবা! সাংখ্য অমসুং যোগ হায়রিবা অনী অসিবু করি খেন্নবগে? মাসি, চাংবিদুনা নশুদ অমুক্ত চনা তনা তাকপিয়ু। মরমদি ঈবুধৌনা জ্ঞানতত্ত্ব পুন্ন কৈরবনি ॥১॥ ভীষ্মনা হায়, — যুধিষ্ঠির! সংখ্যশাস্ত্রনা হৈশিনবা বিদ্বান্‌শিংনা সাংখ্যশাস্ত্রবু থাগৎলি। অদুগা, যোগতত্ত্ব খঙলবা বিদ্বান্‌শিংনা যোগতত্ত্ববু সমর্থন তৌই। মাগী মাগী মতপু য়োকখৎননবগী দমক কয় করবা চুম্নবা যুক্তিযুক্ত ওইবা তর্ক প্রমাণসঙ্গে মথং মথং হাইগৎনরকই ॥২॥ য়েক্নবা ভুম্বা! যোগগী তত্ত্ববু মুন্ন খঙলবা জ্ঞানীশিং ঙা হায়রগে হায়রবু— ঈশ্বরগী অস্তিত্ব (লৈবা) বু থাজদবা কনাগুম্বা অমতনা মোক্ষ (অরানবা খুঙম) বু ফংবা ঙমদে। মরম অদুনা বয় লীনহৈবা অদুগা অরানবা খুঙম লীনহৈবা ঈশ্বরগী অস্তিত্ববু থজনবা য়াদে ॥৩॥ সাংখ্যমত চৎলিবা মহাজ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা অমসুং ব্রাহ্মণশিংনা অরানব খুঙম ফংননবা যুক্তিযুক্ত ওইবা প্রমাণবু অমুম

ঊর্দ্ধং স দেহাৎ সুব্যক্তং বিমুচ্যেদিতি নান্যথা। এতদাহুর্মহাপ্রাজ্ঞাঃ সাংখ্যে বৈ মোক্ষদর্শনম্ ॥৫॥
স্বপক্ষে কারণং গ্রাহ্যং সমর্থে বচনং হিতম্। শিষ্টানাং হি মতং গ্রাহ্যং ত্বদ্বিধৈঃ শিষ্টসম্মতৈঃ ॥৬॥
প্রত্যক্ষহেতবো যোগাঃ সাংখ্যাঃ শাস্ত্রবিনিশ্চয়াঃ। উভে চৈতে মতে তত্ত্বে মম তাত যুধিষ্ঠির ॥৭॥
উভে চৈতে মতে জ্ঞাতে নৃপতে শিষ্টসম্মতে। অনুষ্ঠিতে যথাশাস্ত্রং নয়েতাং পরমাং গতিম্ ॥৮॥
তুল্যং শৌচং তপোযুক্তং দয়া ভূতেষু চানঘ। ব্রতানাং ধারণং তুল্যং দর্শনং ন সমং তয়োঃ ॥৯॥
যদি তুল্যং ব্রতং শৌচং দয়া চাত্র ফলং তথা। ন তুল্যং দর্শনং কস্মাৎ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১০॥

ভীষ্ম উবাচ।

রাগং মোহং তথা স্নেহং কামং ক্রোধঞ্চ কেবলম্। যোগাচ্ছিত্ত্বা ততো দোষান্ পঞ্চৈতান্ প্রাপ্নুবন্তি তৎ ॥১১॥
যথা চানিমিষাঃ স্থূলা জালং ছিত্ত্বা পুনর্জলম্। প্রাপ্নুবন্তি তথা যোগাস্তৎ পদং বীতকল্মষাঃ ॥১২॥

হায়না পীনরি,— হেক উরিবা অচচক্ত পোৎ খুদিংমকী গতিশিং অসিগী তত্ত্বৃ মুন্না খঙপ্রনা মহাক অহুদি অহুগা খঙলবা তুংদা সংসারগী বিষয়শিং অসিদগী পামদতুনা হন্দোকপ্রবা মহাক অহুদি, হায়বদি— আত্মা অহুদি পঞ্চভূতকী হকচাং অসি থাদোক্লমদনা অফা অপুন করিমত্তা লৈত্তনা চংখি। লান্থোক্লনবগী অসি নত্তবা অতৈ উপায় অমত্ত লৈত্রে। অসিমক্তনা সাংখ্যদর্শনবু মোক্ষদর্শনস্থ কৌই ॥৪—৫॥

তোঙান তোঙবা পক্ষদা লৈনরিবা যুক্তিযুক্ত ওইবা প্রমাণশিং অসি অস্থম মরোনরি। অহুগা মাগী মাগী সিদ্ধান্তকী অনুকূল ওইবা রাফমশিং অসিবু লৌবদা মতৌকচাবা লৌগদবা ওইবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা সিদ্ধান্তশিং অসবু পুথোকশিরম্লিবা বিদ্বান সৎপুরুষশিং অসিগী মতস্থ এথোয়না লৌফম থোকই ॥৬॥

যোগগী বিদ্বান্ যোগীশিংনা প্রত্যক্ষ প্রমাণতবু মরূ ওইনা লৌই। সাংখ্য যোগীশিংনা শাস্ত্রগী প্রমাণতবু মরূ ওইনা লৌই। ঈবুঙো যুধিষ্ঠির! হায়রিবা অনীসিমক এগী মততদি তত্ত্বজ্ঞানবু পীনহৈবনি হায়না খল্লি ॥৭॥ নিংথৌ! মমাংদৈদগী সাংখ্যগা যোগগা অনী অসিগী মার্গ অমদি ধারণাবু, অচুম্বনি হায়না লৌনরক্লি। অনীসিগী মতুংদা অমগী তত্ত্বৃ মুন্না শঙতুনা চংলবদি অথোইবা গতিবু ফংবা ঙম্মি ॥৮॥

মমুং মপানগী অশেংবা তপস্যা, জীব পানবা পূম্নমক্তা মু শিহৈবা, ব্রত উপাসনা কয়া পাপন তৌরিবা হায়রিবশিং অসিদি মত অনীমক্না অহুম মযানরি ॥৯॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধৌ! মত অনীমক্ত অকবা ব্রত উপাসনানচিংবা অসিনা চপ মান্নরবদি, অনী অসিগী পরিণামনা চপ মান্নরবদি মথোর অনীসিগী দর্শনতত্ত্বদা মান্নদ্রিবসি করিগীনো? ॥১০॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! যোগীশিংনা যোগগী পাংৈতনা অপাম্বা, গুম্নাংপা, অশাউবা, মুংশিবা হায়বা দোষ মঙা অসিবু মরূ ফংনা মুক্তোক্তুনা পরংধাম (খুাইদগী অথোইবা খুঙম) বু ফংই ॥১১॥

অচৌ অচৌবা ঙাশিংনা লাং (ঈল) বু ককথৎ চীকথৎতুনা চোংথোক- লান্থোকখিবহুগুম্না যোগীশিংনা পাপকর্ম্ম পূম্নমকপু ককথৎলমহুনা সংসার লাংদগী নান্থোক্তুনা অয়ানবা খুঙম ফংখি, হায়বদি পরমাত্মাগী থাম

তথৈব বাগুরাং ছিত্বা বলবন্তো যথা মৃগাঃ। প্রাপ্নুয়ুর্বিমলং মার্গং বিমুক্তাঃ সর্ব্ববন্ধনৈঃ ॥১৩॥
লোভজানি তথা রাজন্ বন্ধনানি বলান্বিতাঃ। ছিত্বা যোগাঃ পরম্মার্গং গচ্ছন্তি বিমলং শিবম্ ॥১৪॥
অবলাশ্চ মৃগা রাজন্ বাগুরাসু তথা পরে। বিনশ্যন্তি ন সন্দেহস্তদ্বৎ যোগবলাদৃতে ॥১৫॥
বলহীনাশ্চ কৌন্তেয় যথা জালং গতা ঝষাঃ। বধং গচ্ছন্তি রাজেন্দ্র যোগাস্তদ্বৎ সুদুর্ব্বলাঃ ॥১৬॥
যথা চ শকুনাঃ সূক্ষ্মং প্রাপ্য জালমরিন্দম। তত্র সক্তা বিপদ্যন্তে মুচ্যন্তে চ বলান্বিতাঃ ॥১৭॥
কর্ম্মজৈর্ব্বন্ধনৈর্ব্বদ্ধাস্তদ্বৎ যোগাঃ পরন্তপ। অবলা বৈ বিনশ্যন্তি মুচ্যন্তে চ বলান্বিতাঃ ॥১৮॥
অল্পকশ্চ যথা রাজন্ বহ্নিঃ শাম্যতি দুর্ব্বলঃ। আক্রান্ত ইন্ধনৈঃ স্থূলৈস্তদ্বৎ যোগোঽবলঃ প্রভো ॥১৯॥
স এব চ যদা রাজন্ বহ্নির্জাতবলঃ পুনঃ। সমীরণযুতঃ ক্ষিপ্রং দহেৎ কৃৎস্নাং মহীমপি ॥২০॥
তদ্বজ্জাতবলো যোগী দীপ্ততেজা মহাবলঃ। অন্তকাল ইবাদিত্যঃ কৃৎস্নং সংশোষয়েজ্জগৎ ॥২ ॥

(মফম—খুডম) বু ফংখি ॥১২॥ নিংথৌ! লাংদ থুরু ফওবদা মপাঙ্গল কনবা শজীনা লাংবু থদত্তুনা মনীংতম্না গোং চোংতুনা চৎনীংবা মফমদা চেন্‌খিবা চংখি‌-তুগুম্না যোগশক্তিতনা যোগীশিংনা "অপাপ্য" হায়বহৃদগী পোকখিবা অশাউবা, কল্লকপনচিংবা কৌরিবা বন্ধন (ফাজিন্‌বা) পুম্নকপু থদত্তুনা মহামঙ্গলগী মণক ওইরবা লম্বীদা চংখি ॥১৩ ১৪॥

নিংথৌ! মপাঙ্গল শোল্লবা অতুগা শোল্লবসু নাম্থোক্তে হায়না ফাওবা থন্দবা অমদি হোৎনদবা অদুগুম্না ভাশিংনা অতুগা শাশিংনা মাঙজবা শিজবতুগুম্না যোগগী শক্তি য়াওদবা, য়াওরুবসু শীজিন্নদবা অদুগুম্না মীশিংনা সংসারগী বিষয়শিংগী লাংদ থুত্নুনা মৎলায় থায় ॥১৫॥

কুন্তীগী মচা, নিংথৌ অথোইবা! অশোন্‌বা ভাশিংনা লাংদ—ঈন্‌দা মথরায় থাবতুগুম্না যোগশক্তি য়াওদবা মীশিংনা ভাশিংগী অদুগুম্না দশা অতু ফংভি ॥১৬॥ য়েক্লবা ওম্না, অকন্‌বা নিংথৌ! মপাঙ্গল শোন্‌বা পীক্লবা উচেক্লা পীক্লবা থৌবীনা কুনা শারবা লাংদা থুরগা মাতুবু চীকৃথৎপা ওমদতুনা লাং মত্থুংদা মথরায় থায়। অতুগা মপাঙ্গল কনবা উচেকৃশিংনা লাংগী থৌরী (লাং) শিং অতুবু চীকৃৎত্তুনা লাংচুদগী নাম্থোক্তুনা মনীংমথা তম্না পাইথোকখি। মতৌ অতুগুম্না নহালমুকী মশোক্ত তৌখিবা কর্ম্মশিং অদুগী মহৈগী মণক ওইরবা বন্ধনশিং অতুনা ফাজিন্‌থ্রবা শোল্লবা যোগীশিং অতু অতুম্ মাংজে। যোগগী শক্তিনা মপাঙ্গল কল্লবা যোগীদি হীরম পুম্নক্কী বন্ধন মথল মথলদগী লায়না নাম্থোকখি ॥১৭—১৮॥

পীক্লবা মৃংলি মৃৎলি চাক্লবা মৈদা চাউব চাউরবা শীং থাজিন্ য়াঙশিল্লুহদি. মৈ অতু চাকৃশগী মতম্না অতোয়নতুম. পুম্মৎ মৃংখি। অতগুম্না মপাঙ্গল শোনবা যোগীদি যোগগী ভারনা নন্দুনা পুব-থাবে ওমদনা লম্মথাংদা অকুম মৃংখি ॥১৯॥ নিংথৌ! অতুগা মৃথংক্লিবা মৈ অতুসু নুংশিৎ শিংলকপদা—নুংশিংকী মতেংদগী অমুক মপাঙ্গল কন্‌থুংলক্তুনা জগৎ পুম্না চাকথেক্লবগী শক্তি পুরকই ॥২০॥ মতৌ অম্না, যোগীশিসু মাগী যোগগী পাঙ্গল অম্নুনা অমুম'মুম হেন্‌গৎলক্লবদা মহাশক্তি লৈবা যোগী অমা

দুর্ব্বলশ্চ যথা রাজন্ স্রোতসা হ্রিয়তে নরঃ। বলহীনো যথা যোগো বিষয়ৈর্হ্রিয়তেঽবশঃ ॥২২॥
তদেব চ মহাস্রোতো বিষ্টম্ভয়তি বারণঃ। তদ্বৎ যোগবলং লব্ধা ব্যূহতে বিষয়ান্ বহূন্ ॥২৩॥
বিশন্তি চাবশাঃ পার্থ যোগাৎ যোগবলান্বিতঃ। প্রজাপতীনৃষীন্ দেবান্ মহাভূতানি চেশ্বরাঃ ॥২৪॥
ন যমো নান্তকঃ ক্রুদ্ধো ন মৃত্যুর্ভীমবিক্রমঃ। ঈশতে নৃপতে সর্ব্বে যোগস্যামিত তেজসঃ ॥২৫॥

ওইরক্লবদা, প্রলয়গী মতমগী ঌমিংনা জগৎ পুম্ববু চাক্থেক্ হুগুম্না, সংসারগী অশাউবা, কল্লকপা, অপাম্বা মিহৌবনচিংববু লোইনা চাক্থেক্ই ॥২,॥ মপাঙ্গল শোন্বা, মপান্থোম হাইগত্তুনা ইরোইবা ওমদববু ঈরৈ কল্লবা ঈচেম্না ভাউথখিবত্নগুম্না যোগশক্তি য়ওদবা অশোন্বা যোগীশিংবু ঈরৈ কল্লবা সংসারগী ঈচেম্না অংম্বা মীবু চৌবগুম্না অহুম চেম্হুনা পুথি ॥২ ॥

... ঈরৈ কল্লবা ঈচেলশিং অহুবু চাউরবা বনগী শমুনা থিংহুনা থম্মি ঈরৈশিং অহুনা শামুংবু ভাউথহন্থিব ওমদে। মতৌ অসিগুম্না যোগগী শক্তিনা মশাঙ্গল কল্লবা যোগীবু সংসারগী বিষয়শিং (বিষয়) না ভাউথহন্থিবা ওমদে ॥২৩॥ কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠির! পাঙ্গেশংবা যোগগী শক্তিনা তিল্লবা যোগী অহুদি প্রজাপতি, ঋষি দেবতাশিংদা গহুত নত্তনা মৈ ঈশিনচিংবা পঞ্চভূতশিং অসিদা চঙশিনবা ওম্মি। যোগগী শক্তিনা ওম্বসি অসি ফাওবা ওম্মি ॥২ ॥ নিংথৌ! যোগগী শক্তিনা মপুংফানা তিনথবা যোগী অহুগী মকমদা মৈ-থোক্লা শাউরবা যমরাজনা, জগৎপু থুদক্লা লৌশিনবা ওম্বা মৃত্যু কৌবা মহাকমক্তস্থু করিমতা ভৌরবা য়াদে। হায়বদি,— যোগী মশাদা পোকপা শিবগী থবক্লা চঙব ওমদে ॥২৫॥ *

* পোকপা শিব নাইদবা আত্মানি হায়বসি যোগীতনা উংপা ওম্ম। অত্মাদি মফম, মতম পুম্বদা কোয়ৌ য়ৌই, মফম পুম্বদা শীনথুনা লৈ হায়বত্থু যোগীতনা উংপা ওম্মি। মপানগী হকচাং অসিবু কোয়থাং খাংহুনা পুরিবসিম্থু আত্মা মাননি অহুগা হকচাংসিনা লেঙবা চৎপা মতমদদি মহাক্তি লেঙব চৎপা য়াওদে। হান্নগী হকচাং (পূর্ব্বশরীর পূর্ব্বজন্ম) অহু থদোক্লনহু। অতোপ্প হকচাং (পরশরীর—পরজন্ম) দা যোগীগী আত্মানা চঙথিবা ওম্মি। ম্যাস ফাওবা ওমদবা নাস্তিক ওইবা কাওবুনা, হায়বদি নাস্তিকশিংগী হকচাংদা মশাদা লৈরিবা আত্মা অহুনা, হায়বদি— অনাত্মাশিং অহুনা পূর্ব্বজন্ম পরজন্ম লৈতে হায়খিবতনি। আত্মাদি অত্তনি, অনাত্মাদি য়াম্ম। হিংনাবশিংনা যোগসাধন তৌরুবনৈ তৌরুরগা, তৌওমদবা অংতাগী শক্তিনা মখোয়না নীংলিবা, ধ্যান তৌরিবা ব্রহ্মানচিংবা দেবতা অহুংকপু নমহুন কৌরগা বর নি। হিংহিংচাবগুম্বা ফত্রবশিং অহুনা তৌরিবা যোগ অহুনা পাঙ্গেশোবা যোগমক্ ওইদবনা ব্রহ্মানচিংবদা 'ঐ অজর অমর ওহজগে" 'কনা মমহনা হাংশা ওমদব ওহজগে" হাসিগুম্বা বর ভাক্লা নিংগোরকই। নিরিবা ভাঙলিবা অহু পোকপা শিব লৈত্রবা আহুত্না ফত্রব হকচাংশিং অহুগী মম্বদা অহম মওওল। অহুনদি মশানা তাত্রে ফত্রব নাস্তিকশিংগী হকচাং লৈরিবা অত্মাদি পোকপা শিবা নাইবা অত্মানি, হায়বদি অনাত্মা (আত্মা নত্তবা) নি হায়বসি। অহুনা, পূর্ব্বজন্ম পরজন্ম হায়বা লৈতে, ঈশ্বর (আত্মা) লৈতে অসিনাচংবা

আত্মনাং চ সহস্রাণি বহূনি ভরতর্ষভ:। যোগঃ কুর্য্যাৎ বলং প্রাপ্য তৈশ্চ সর্ব্বৈর্ম্মহীং চরেৎ ॥২৬॥
প্রাপ্নুয়াৎ বিষয়াংশ্চৈব পুনশ্চোগ্রং তপশ্চরেৎ। সংক্ষিপেচ্চ পুনস্তাত সূর্য্যস্তেজো গুণানিব ॥২৭॥
বলস্থস্য হি যোগস্য বন্ধনে শস্য পার্থিব। বিমোক্ষ প্রভবিষ্ণুত্বমুপপন্নমসংশয়ম্ ॥২৮॥
বলানি যোগপ্রাপ্তানি ময়ৈতানি বিশাম্পতে। নিদর্শনার্থং সূক্ষ্মানি শৃণু মে ভরতর্ষভ ॥২৯॥
আত্মনশ্চ সমাধানে ধারণাং প্রতি বা বিভো। নিদর্শনানি সূক্ষ্মাণি শৃণু মে ভরতর্ষভ ॥৩০॥
অপ্রমত্তো যথা ধন্বী লক্ষং হন্তি সমাহিতঃ। যুক্তঃ সম্যগ্ তথা যোগী মোক্ষং প্রাপ্নোত্যসংশয়ম্ ॥৩১॥

ভরতবংশগী অথোইবা। যোগগী শক্তিনা তিঙ্গবা মীদি মহাক্কা পুনিং পুনিংবা শক্লোল লিশিং লিশিং পুবা ওম্মি। চংনীং য়ৌনীংবা মফমদা খুদক্তা চংঙম য়োঙম্মি ॥৬॥ ঈবুঙো, যুধিষ্ঠির! অহৃ-ঙুম্বা যোগী মহাক অতদি মপালগী হকচাংসিগী পান্থেনা সংসারগী হেক্ লৈরিবা বিষয়মথৈ সেবন তৌবা ওম্মি, হায়বদি— ফংনিং ফংনিংবা পোংশকশিং অহ্ খুদক্ খুদক্তা কৌবা ওম্মি, ফংবা ওম্মি। মাহুবুস্ খুদক্তা থাদোক্লনদুনা পুক্কাউ কাউদি তুনা, ইন্দ্রিয় খুদম চন্দুনা তপস্যা তৌথি। অমদগী হেন্দোক্লুনা নুমিৎনা মাংগৈ পূম্বদা শন্দোক্লম্ব মঙালশিং অমুবু লৌশিন্ খোমজিন্থিবদুগুম্না, মপালগী জগত্তা হেক্ লৈরিবা মশক মওংশিং অসিবু যোগী মহাক্কা মশা মথন্তদা লোইনা লৌশিন্ খোমজিনখিবা ওম্মি ॥৭॥

যোগগী শক্তিনা মপুংফানা তিঙ্গবা মী অতুদি হেক্ লাকপা বন্ধন (ফাজিম্বা) মথৈ থাদংপা ওম্মি। যোগীগী আত্মাদি মপালগী হকচাংসিবু খুদক্তা থাদোক্লমতুনা মুক্ত ওইখিবা ওম্মি। মাসিগী করিমত্তা চিংনীঙায় লৈত্রবনি ॥৮॥ প্রজা পূম্বক্কী মপু, নিংথৌ! যোগীনা যোগগী শক্তিনা মতৌ করম্না সূক্ষ্মশরীর (পীক্লবা লিঙ্গশরীর— হকচাংদা চঙবা) ওমগিনগে হায়বদু, ঐ খুদম ওইনা নঙোন্দা হায়গে ॥৯॥ আত্মা সমধিদমক পুনরিবা রাখন (ধারণা) অমা, ঐ নঙোন্দা হায়গে। হায়রিবা বিষয় অসিদা কুপ্লবা খুদম অমত্তু ঐ নঙোন্দা হায়গে ॥১০॥

মমীং চোইদবা, হায়্না চকশিন্নব, অকনবা ধনুর্ধারী (লৌরুং পায়রবা ক্ষত্রিয়)না পূক্নীং ইন্দ্রিয় পূম্নমক, মহাক্কা পালহনগৈরিবা লক্ষ্য (পান্দক্ষম অদা মচীল অমী লোঙদনা লেঙদনা থম্লগা তাপ্পাদা কাপথোকখিবা তেল্ অমনা লক্ষ্যবু পানবা থিন্‌গাইবদুগুম্না হায়্না চেকশিনবা যোগীনা পূক্নীং ইন্দ্রিয় পূম্নমক্তু মচীল অমী লোঙচন্দনা পরমাত্মাবু ধ্যান তৌরবদি পরমাত্মাবু ফংদুনা— উডুনা মোক্ষপদবী (অরাম্বা খুত্থু) যোগী অমনা ফংব ওম্মি ॥ ১১॥

হায়রিবা অনাত্মাশিং অসি, হায়বদি— নাস্তিকশিং অসি মশাগী ধারণাবু— বাদবু মশান অথুম ককৎচররবনি। যোগীশিংদি কনাগুম্বা অমগী মফমদগী বরদান (বর পীবা) লৌদে। মশাগী করিমত্তা অরাংপা লৈতবনিনা কনাগুম্বা অমদগী কারগুম্বা অমত্তা নিদে— পামদে। (কালাচাঁদ)

স্নেহপূর্ণে যথা পাত্রে মন আধায় নিশ্চলম্। পুরুষো যুক্ত আরোহেৎ সোপানং যুক্তমানসঃ ॥৩২॥
যুক্তস্তথায়মাত্মানং যোগঃ পার্থিব নিশ্চলম্। করোত্যমলমাত্মানং ভাস্করোপমদর্শনম্ ॥৩৩॥
যথা চ নাবং কৌন্তেয় কর্ণধারঃ সমাহিতঃ। মহার্ণবগতাং শীঘ্রং নয়েৎ পার্থিবসত্তম ॥৩৪॥
তদ্বদাত্মসমাধানং যুক্ত্বা যোগেন তত্ত্ববিৎ। দুর্গসংস্থানমাপ্নোতি হিত্বা দেহমিমং নৃপ ॥৩৫॥
সারথিশ্চ যথা যুক্ত্বা সদশ্বান্ সুসমাহিতঃ। দেশমিষ্টং নয়ত্যাশু ধন্বিনং পুরুষর্ষভ ॥৩৬॥
তথৈব নৃপতে যোগী ধারণা সুসমাহিতঃ। প্রাপ্নোত্যাশু পরংস্থানং লক্ষং মুক্ত ইবাশুগঃ ॥৩৭॥
প্রবেশ্যাত্মনি চাত্মানং যোগী তিষ্ঠতি যোঽচলঃ। পাপং হত্বি পুনীতানাং পদমাপ্নোতি সোঽজরম্ ॥৩৮॥
নাভ্যাং কণ্ঠে চ শীর্ষে চ হৃদি বক্ষসি পার্শ্বয়োঃ। দর্শনে শ্রবণে চাপি ঘ্রাণে চামিতবিক্রম ॥৩৯॥
স্থানেষ্বেতেষু যোগী মহাব্রত সুসমাহিতঃ। আত্মনা সূক্ষ্মমাত্মানং যুংক্তে সম্যগ্বিশাম্পতে ॥৪০॥
স শীঘ্রমচলপ্রখ্যং কর্ম্মদগ্ধ্বা শুভাশুভম্। উত্তমংযোগমাস্থায় যদীচ্ছতি বিমুচ্যতে ॥৪১॥

লৈপাক্কী মপু, যুধিষ্ঠির। থাউনা থল্লা হাপ্পবা পাত্র (চফু নত্রগা হেক্) অংবু কোক্কা থোন্‌গত্তুনা থুং থাদোক্তুনা সিডি থাক্ মথং মথংদা মী অদুনা যাম্না হেংশিন্না পুক্কীং চোইদনা কাখ্‌খিদুনা থাউ মরীক অমতা কাওবা নীকথোকহন্দবদুগুম্না যোগীসু যোগযুক্ত ওইদুনা আত্মাবু পরমাত্মাদা তিলহল্লি মতম অদুদা যোগীদুগী আত্মা অদু নুমিৎকী মতৌগুম্না মঙুং মপাঙ্গ পুন্নং লংই ॥৩২—৩৩॥

কুন্তীগী মচানিপা, নিংথৌ অথোইবা! যাম্না শিংনা তংা তহাদনা হিহোম্বনা ঈথক ঈপোম হৌরবা ঈপাকথক্তা তপ্প তপ্প হি অদুবু হোন্দুনা ঈপাকরাংমা যৌখিবদুগুম্না যোগীনা মপালগী হকচাংসিবু থাদোক-লম্নগা, তাইবং-ঈপাক রাংমা যৌখি— অথোইবা ধর্ম্মবু ফংখি ॥৩৪—৩৫॥

নিপা অথোইবা। ঈচত থৌবা, অকনবা মহারথীবু, যাম্না হৈশিংবা সারথীনা রথদা শগোলবু পান্‌-শিন্দুনা মথুন্না চুপ্পী শাজে চেংনা পাংদুনা লাল্লক্ত পুশিনখিদুনা হেক্কববু জয় তৌহনখিবদুগুম্না যোগীনা তেলগী মতৌগুম্না পান্দক্ষম মপা চুপ্না পাইশিনখিদুনা আত্মাবু পরমাত্মাদা তিলহনখি— সংসার-লানকমদা জয় ওইখি ॥৩৬—৩৭॥

সমাধিগী পাম্বৈনা আত্মাবু পরমাত্মাদা লেপ্তনা তিলহনখ্রবা মহাক অহুদি জন্মজন্মান্তরদা তৌখিবা পাপ পুন্নমক্তগী কোক্‌খিদুনা পাপ তাপ পুন্নংক্তা চংবা ওমদ্রবা অথোইবা খুদ-বু ফংখি ॥৩৮॥

তেজ লৈরবা নিংথৌ, যুধিষ্ঠির! যোগসাধনগী ব্রত অসিদা দীক্ষা লৌখ্রবা, পুক্কীং চোইদ্রবা, যোগী মহাক অহুদি হকচাং মমুংদা লৈরিবা খোয়দো, খোরী কোক্, থম্মোয়, থবাক্, নাক্থং, মীৎ, নাকোং নাতেল্ অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা ধারণ তনা পীক্রব কুপ্পবা আত্মাবু চপচানা পরমাত্মাদা তিল-হন্‌খি ॥৩৯—৪০॥ অদুগুম্ব যোগী অদুনা, মহাক্না তৌগে হায়নবু থল্লবদি চৈংদুমগুম্না চাউরবা, রাংলরা পাপ-পুণ্যগী কর্ম্ম-মপৈ অদুবু থুদক্তা ভস্ম ওইহনবা ঙম্মি। অদুগী তুংদা অত্তোপ্পা খাইদগী অচেনবা যোগ

যুধিষ্ঠির উবাচ।

আহারান্ কীদৃশানি কৃত্বা কানি জিত্বা চ ভারত। যোগী বলমবাপ্নোতি তৎ ভবান্ বক্তুমর্হতি ॥৪২॥

ভীষ্ম উবাচ।

কণানাং ভক্ষণে যুক্তঃ পিণ্যাকস্য চ ভারত। স্নেহানাং বর্জনে যুক্তো যোগীবলমবাপ্নুয়াৎ ॥৪৩॥

ভুঞ্জানো যাবকং রূক্ষং দীর্ঘকালমরিন্দিম। একাহারো বিশুদ্ধাত্মা যোগী বলমবাপ্নুয়াৎ ॥৪৪॥

পক্ষান্ মাসানৃতূং শ্চৈত সংবৎসরানহ স্তথ। অপঃ পীত্বা পয়োমিশ্রা যোগী বলমবাপ্নুয়াৎ ॥৪৫॥

অখণ্ডমপি বা মাংসং সততং মনুজেশ্বর। উপোষ্য সম্যক্ শুদ্ধাত্মা যোগী বলমবাপ্নুয়াৎ ॥৪৬॥

কামং জিত্বা তথা ক্রোধং শীতোষ্ণে বর্ষমেব চ। ভয়ং শোকং তথা শ্বাসং পৌরুষান্ বিষয়াং স্তথা ॥৪৭॥

অরতিং দুর্জয়াঞ্চৈব ঘোরাং তৃষ্ণাং চ পার্থিব। স্পর্শং নিদ্রাং তথা তন্দ্রীং দুর্জয়াং নৃপ সত্তম ॥৪৮॥

দীপয়ন্তি মহাত্মনঃ সূক্ষ্মমাত্মানমাত্মনা। বীত রাগা মহাপ্রাজ্ঞা ধ্যানাধ্যয়ন সম্পদা ॥ ৪৯॥

অমনা পূরমক্তগী লম্হোক্লুনা চংবিবা ওম্মি ॥৪১॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ভরতশাগেগী মুংঙাইননবগী মশক ওইরবা ঈবুধৌ। যোগী হায়বসিনা করম্ করম্বা চীঞ্জাক্ চাদুনা, করি করিবু তমদুনা যোগশক্তি হায়বসি ফংঙ্গিবনো? মাসি ঈবুধোনা চাম্বিদুনা অমুক্তা তাক্পিয়ু ॥৪২॥

ভীষ্মনা হায়; — ভারত! চেঙ ফৌগী খপ্রোকথক্; অদুগা, থোইদিং থাউগী থাউথীতনম্ জীবিকা ওইরিবা; ঘী থাউনচিংবা অনপ্পা পোংশী জয়দবা অদুগুম্বা যোগীশিংতনা যোগশক্তিবু ফংবা ওম্মি ॥৪৩॥

যেরুবা নম্হংওম্বা। চহী মতম কুহনা, নোংমগী মনুংদা অমুক্তংত যব (ফৌ) কী (য়ামগী) চদুমত্ত চাদুনা তপস্যা তৌরিবা মহাক অদুনা যোগশক্তিবু ফংবা ওম্মি ॥৪৪॥

যেরুবা নমহংওম্বা। চহী মতম কুইনা নোংমগী মনুংদা অমুক্তংত, শঙ্গোম থর য়াঙ্খিম্বা ঈশিংবু থক্লুনা জীবিকা ওইরিবা, অদুগী তুংদা; হাযরিবা পোংশক অসি, মুমিং তরামঙানগী মনুংদা থক্লুনা লেপ্লিবা, অদুগী তুংদা থা অমগী মনুংদা অদুগী তুংদা ঋতু অমগী মনুংদা, অদুগী তুংদা চহী অমগী মনুংদা হায়রিবা পোংশক অসি চাদুনা যোগসাধন তৌরিবা মী অদুতনা যোগশক্তিবু ফংবা ওম্মি ॥৪৫॥

নিংথৌ! পুনশি চূপ্পা শা ঙা চাদনা বিধি ব্রত কাদেনা, ব্রত উপাসনা তৌদুনা মশামক্কী থম্মোয়বু ঈপেং শেংহন্থরবা যোগী মহাক অদুতনা যোগশক্তিবু ফংবা ওম্মি ॥৪৬॥ পৃথিবী মপু! নিংথৌ অথোইবা! অপাম্বা, অশাউবা, অঈং-অশা, নোংজু নুংশা; অকিবা অরাবা, নুংশাশোর ফুইনা হোনবা, মীওইববু নম্থাক তৌদুনা নিহৌহন্‌গদবা পোংশক, মীনা হায়বা তাকপা ঈরৌ লৌদবা, পেন্দবা (পেন্‌বা হৈতবা), অরাম্ খৌরাং চাউগন্‌বা, পাহনীং শোক্লীংগন্‌বা, তূমগন্‌বা অদুগা অতন্‌বা পূম্মক অসি থাদোক্লুনা কয়িওম্বা পোংশক্তা রাগ অমতা থমদ্রবা রাংলবা শেংলবা বুদ্ধিতনা মশাদা তিল্লবা মহাত্মা ওইরবা যোগী অদুনা ধ্যানতনা পীরুবা কূপ্পবা আত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌই ॥৪৭—৪৯॥

দুর্গস্তেষ মতঃ পন্থা ব্রাহ্মণানাং বিপশ্চিতাম্। যঃ কশ্চিৎ ব্রজতি হ্যস্মিন্ ক্ষেমেন ভরতর্ষভ ॥৫০॥
যথা কশ্চিৎ কশ্চিৎ বনং ঘোরং বহুসর্পসরীসৃপম্। শ্বভ্রবৎ তোয়হীনঞ্চ দুর্গমং বহুকণ্টকম্ ॥৫১॥
অভক্তমটবীপ্রায়ং দাবদগ্ধমহীরুহম্। পন্থানং তস্করাকীর্ণম্ ক্ষেমেনাভিপতেৎ যুবা ॥৫২॥
যোগমার্গং তথাসাদ্য যঃ কশ্চিৎ ব্রজতে দ্বিজঃ। ক্ষেমেণোপরমেদ্মাগাৎ বহুদোষো হি স স্মৃতঃ ॥৫৩॥
সুস্থেয়ং ক্ষুরধারাসু নিশিতাসু মহীপতে ধারণাসু তু যোগস্য দুঃস্থেয়মকৃতাত্মভিঃ ॥৫৪॥
বিপন্না ধারনাস্তাত নয়তি ন শুভাং গতিম্। নেতৃহীনা যথা নাবঃ পুরুষানর্ণবে নৃপ ॥৫৫॥
যস্তু তিষ্ঠতি কৌন্তেয় ধারণাসু যথাবিধিঃ। মরণং জন্ম দুঃখং চ সুখং চ স বিমুঞ্চতি ॥৫৬॥
নানাশাস্ত্রেষু নিষ্পন্নং যোগেষ্বদমুদাহৃতম্। পরং যোগস্য যং কৃত্যং নিশ্চিতং তং দ্বিজাতিষু ॥৫৭॥
পরংহি তৎব্রহ্ম মহন্মহাত্মন্ ব্রহ্মাণিমীশং বরদঞ্চ বিষ্ণুম্ ভবঞ্চ ধর্মঞ্চ ষড়ানলঞ্চ যং ব্রহ্মপুত্রা শ্চ মহানুভাবান্ ॥৫৮

ভরতশাগেগী অথোইব। বিদ্বান্ ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা যোগমার্গসিবু থাইদগী অরুবনি, অম-অমনা হেক্ ভমংবনি হায়নৈ। মতৌরগে শল্লবা কনাগুম্বা শরতনা চংশা ভমংদবা মার্গনি ॥৫০॥ কনা কনাগুম্বা মরিল মথৌনা লৈবা পাথংশিংনা মহু পুরবা লিল্ খমদি বৃশ্চিকনা থল্লবা, লৈকুৎ, কোম. তিংখংনা থল্লবা, ঈশিং মরীক্ অমা ফাওবা লৈতবা, চংলুবা চওশিল্ লাকশিল্লুবা ভমদবা অংগুম্বা শূল্লবা চাউরবা উমং অহুবু লাস্থোক্তুনা চংখিবা ওম্মি। অহুগা চাকম থককম করিমতা লৈশিন্দ্রবা, য়েংথোকখিবদা উমংগী উমং-হুক্তা মথং মথং লৈপ্রবা. লম্মৈনা চাকখিত্তুনা মৈতাল ওল্লবা পূমকং কংলবা উমক্তুনা থল্লবা, হুরান্বা ভাকু নীহাংপনক্তুনা শীক্ থম্না লৈপ্রবা অহুগুম্বা লম নকম অহুবু মরিল লৈবা পাথংনা লস্থোক্তুনা চংখিবা ওম্মি। মতৌ অংগুম্বা কল্লবা যোগমার্গদা চংতুনা হায়বদি যোগমার্গগী শাইথেতনা লুরবা অখিবা ফংলবা বিষয় কয়া কন্নান্ ইন্দ্রিয় থুম চল্লবা যোগশাস্ত্র লৈরবা কল্লবা মরিল লৈবা যোগীশিংনা লাস্থোকতুনা চংখিবা ওম্মি ॥৫১—৫৪॥ পৃথিবীগী মপু! নিংথৌ! থৌরবা কুন্নগী মথক্তা কনাগুম্বনা য়ায়া শিংবা মওংদা নীংডাদনা হীপুনা লৈবা ওম্মি। অদুবু থম্মোর লেংন্দ্রিব, অদুগুম্বা মী কনা অমতনা যোগ-মার্গদা কুইনা লৈবা চংপা ভমদে ॥৫৪॥

ঈবুংঙো! নিংথৌ! হিনাওশাবা হিগোনবা য়াওদবা হিনা যান্ত্রিকপু ঈপাক য়াংমদা লাস্থোকপা ভমদবহুগুম্না, লেংন্দ্রবা মুক্তরবা যোগগী ধারণা (সাধনা) না সাধক অদুবু অচুম্বা অশেংবা গতিবু ফংহন্বা ভমদে ॥৫৫॥ কুন্তীগী মচা! নিংথৌ যুধিষ্ঠির! যোগসাধনগী বিধি নিয়ম কান্দনা যোগমার্গদা চংপ্রবা মী মহাক অহুদি পোকপা শিব. অমা লুংড্রাইনচিবা অফা-অপূন্ পুম্নমক্তুগী নাস্থোকপা ওম্মী ॥৫৬॥

শাস্ত্রগী নিয়ম বিধি কয়াদনা তৌগনবা যোগগী নিয়ম পুম্বসে এনা নডোন্দা লীরবনি। যোগ-সাধনগী করক্রিবা (লেপ্পক্রিবা) নিয়ম মহাম অসে দ্বিজাতি (ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য) শিংগীদমক্তুনি, হায়-বদি— যোগসাধন তৌবদা দ্বিজাতিশিংতগী অধিকার লৈ ॥৫৭॥ পুরুচেল চাউরবা! নিংথৌ! যোগসিদ্ধ

তমশ্চ কষ্টং সুমহৎ রজশ্চ সত্ত্বং বিশুদ্ধং প্রকৃতিং পরাঞ্চ।
সিদ্ধিঞ্চ দেবী বরুণস্য পত্নী তেজশ্চ কৃৎস্নং সুমহচ্চ ধৈর্য্যম্ ॥৫৯॥
তারাধিপং খে বিমলং সতারং বিশ্বাংশ্চ দেবানুরগান্ পিতৃংশ্চ।
শৈলাংশ্চ ঘোরা কৃৎস্নানুদধীংশ্চ ঘোরান্ নদীশ্চ সর্ব্বাঃ সবনান্ ঘনাংশ্চ ॥৬০॥
নাগান্ নগান্ যক্ষগণান্ দিশশ্চ গন্ধর্ব্বসংঘান্ পুরুষান্ স্ত্রিয়শ্চ।
পরস্পরং প্রাপ্য মহান্মহাত্মা বিশেত যোগী ন চিরাৎ বিমুক্তঃ ॥৬১॥
কথা চ চেয়ং নৃপতে প্রসক্তা দেবে মহাবীর্য্যমতৌ শুভেয়ম্।
যোগী চ সর্ব্বানভিভূয়মর্ত্ত্যান্ নারায়ণাত্মা কুরু তে মহাত্মা ॥৬২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
যোগবিধৌ পঞ্চনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯৫॥

——:(+):——

ওইরবা মহাত্মাশিংনা, মখোয়না তৌগে হায়নবু খল্লবদি বিষয়-বন্ধন পুম্নমক্তগী নাম্বোক্তখিন্ননা পরব্রহ্ম— পরমাত্মাগী স্বরূপ (মশক মওং) বু কংবা ঙম্মি। যোগীনা যোগগী শক্তিনা, ভগবান্ ব্রহ্মা, বয় পীনহৈবা বিষ্ণু, মহাদেব (রুদ্র), ধর্ম্ম, মমায় তরুক্লোঙবা কার্ত্তিকেয়, ব্রহ্মাগী পুকচেল চাউরবা সনক, সনন্দনচিংবা ঋষিশিং, অরাবা পীরহৈবা তমোগুণ, পাক্-চাউরবা রজোগুণ, মূল প্রকৃতি, বরুণগী ল্যোয়নবী সিদ্ধিদেবী, জগত্তা হেক্ লৈরিবা তেজগী মচী পুন্নপ, মশক-মওং নাইরবা ধৈর্য্য (তপথবা কৌবা লাই), মকুম্নবা থরান্- মিচাকশিংগী মপুরোয়বা থা, বিশ্বেদেবশিং, চাউর-চাউরবা লিল্ (নাগ), নোংদোম্বক্তা পাইহ্ননা লৈরিবা পিতৃলোকশিং, চীঙ পুম্নমক্কী ময়োল ওইরবা চীঙজাউ, অকিবগী মশক ফংলবা ঈথক ঈপোমম্না খল্লবা সমুদ্র ঈপাক, ভুরেল পুম্নমক্কী মপৈ, বন, নোং শামু, রাং-চাউরবা উপাম্ব, যক্ষ-রক্ষ, মায়গৈ পুম্বা, গন্- ধর্ব্বশিং, নতীক্ মগুণ চাউরবা, নিপা-নুপী ·· হায়রিবা পুম্নমক অমুগী মনুংদা মহাক্না অপাম্বা অমগী মনুংদা হেক্তা চঙখিবা ঙম্মি ॥৫৮—৬১॥

নিংথৌ! চাংজো ন'ইত্রবা শাক্তল (শক্তি) অমদি জ্ঞান বুদ্ধিনা তিল্লবা পরমাত্মাগা মরী লৈনবা মা পুম্নমক অসি প্রসঙ্গগী মতুংইন্না ঐনা নঙোন্দা লীরবা অসিনি। যোগসিদ্ধ ওইরবা মীনা, অতৈ তাইবংমী পুম্নমক্তগী মানো লৈরবা থাক্ অমুদা লৈরিবা নারায়ণগী স্বরূপপু ফংবা ঙম্মি। মশাগী সঙ্কল্প অমুতনা জগৎকী অনৌবা থুংশেম অমা কাওবা শেম্বা ঙম্মী ॥৬২॥

মফম অসিদা, শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা
শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনী-মরিফুতরামঙাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৫॥

——:(※):——

মণিপুরী মহাভারত

ষণ্ণবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(সাংখ্যযোগগী সাধন অহুগা মহৈ)

চনীমরিফুতরাতরুকুশুবা অধ্যায়

——:(০):——

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

সম্যক্ ত্বয়ায়ং নৃপতে বর্ণিতঃ শিষ্টসম্মতঃ । যোগমার্গো যথান্যায়ং শিষ্যায়েহ হিতৈষিণঃ ॥১॥

সাংখ্যেত্বিদানীং কাৎস্ন্যেণ বিধিং প্রব্রূহি পৃচ্ছতে । ত্রিষু লোকেষু যজ্জ্ঞানং সর্ব্বং তৎ বিদিতং হি তে ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ ।

শৃণু মে ত্বমিদং সূক্ষ্মং সাংখ্যানাং বিদিতাত্মনাম্ । বিদিতং যতিভিঃ সর্ব্বৈঃ কপিলাদিভিরীশ্বরৈঃ ॥৩॥

যস্মিন্ন বিভ্রমাঃ কেচি দৃশ্যন্তে মনুজর্ষভ গুণাশ্চ যস্মিন্ বহবো দোষহানিশ্চ কেবলা ॥৪॥

জ্ঞানেন পরিসংখ্যায় সদোষান্ বিষয়ান্ নৃপ । মানুষান্ দুর্জয়ান্ কৃৎস্নান্ পৈশাচান্ বিষয়াং স্তথা ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা বংঙি,— ঈবুধৌ ! ঈবুধৌদি ঐগী কান্নবতা থনবিব মীশক অমনি । ঈবুধৌনা ঈবুধৌগী শিষ্য ওইজরিবা ঐগী ইকমদা, জ্ঞানী ওইবশিংগী মতকী মতুংইন্না যোগমার্গগী মরম পুন্নমক অসি তাহন্বিরে । হৌজিক ঐনা হংজনীংলিবদি সাংখ্যযোগগী মরমমদনি । অহুনা, ঈবুধৌনা সাংখ্যযোগগী মরমদা খর হায়বিয়ু । লোক অহুম্মক্তা লৈরিবা জ্ঞান পুন্নমক ঈবুধৌদা লোইনা লৈরে হায়বসি খঙজৈ ॥১—২॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির ! আত্মাগী তত্ত্ব মুন্ন খঙলবা, সাংখ্যশাস্ত্রগী বিদ্বান্শিংগী কূপ্পবা বিচারশিং অদো ঐ হায়গে তাও সাংখ্যশাস্ত্র হায়বসি, ঈশ্বরমক্কী মতুং চন্নবা, হায়বদি— ঈশ্বরমক্কি হায়বা ম্নরবা কপিল ভগবান্নচিংবা যতি কয়ান হৌদোকখিবনি ॥৩॥ নিংথৌ । সাংখ্য হায়বা শাস্ত্রসিগী মতুংদা হায়রিবা পুন্নমক অসি অরান্বগী শরুক অমতা য়াওখিদ্রবনি । শাস্ত্র অসিদা গুণগী গুণমক্তনি, দোষগী শরুক অমতা য়াওখিদ্রবনি ॥৪॥ মাঙাও-হৈবগী মতুংদা অথোইবা ! নিংথৌ যুধিষ্ঠির ! অহুগুবা মী মহাক অহুনা মশাগী জ্ঞানগী পাৎতনা তাইবংমী হিংচা-য়াইতম্বা, যক্ষ রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, পিতৃলোক, শা-উচেক, নাগজা, মরুংকী মপৈ, রাজর্ষি, ব্রহ্মর্ষি, অসুর. বিশ্বেদেব, দেবর্ষি, যোগী, প্রজাপতি, অসি-ত নত্তনা ব্রহ্মামক্কী তৌরিবা থবক বিষয় পুন্নমক দোষ খরাদ লৈবমক্তনি, অসুম হায়না খঙহনা, তাইবংমীগী চপচানা মপুং

রাক্ষসান্ বিষয়ান্ জ্ঞাত্বা যক্ষাণাং বিষয়াং স্তথা। বিষয়ান্ ঔরগান্ জ্ঞাত্বা গান্ধর্বান্ বিষয়াং স্তথা ॥৬॥
পিতৄণাং বিষয়ান্ জ্ঞাত্বা তির্য্যক্ষু চরতাং নৃপ। সুপর্ণবিষয়ান্ জ্ঞাত্বা মরুতাং বিষয়াংস্তথা ॥৭॥
রাজর্ষিবিষয়ান্ জ্ঞাত্বা ব্রহ্মর্ষিবিষয়াংস্তথা। আসুরান্ বিষয়ান্ জ্ঞাত্বা বৈশ্বদেবাং স্তথৈব চ ॥৮॥
দেবর্ষিবিষয়ান্ জ্ঞাত্বা যোগিনামপি চেশ্বরান্ প্রজাপতীনাং বিষয়ান্ ব্রহ্মণো বিষয়াংস্তথা ॥৯॥
আয়ুষশ্চ পরংকালং লোকে বিজ্ঞায় তত্ত্বতঃ। সুখস্য চ পরং তত্ত্বং বিজ্ঞায় বদতাং বর ॥১০॥
প্রাপ্তে কালে চ যৎ দুঃখং সততং বিষয়ৈর্বিণাম্। তির্য্যক্ষু পততাং দুঃখং পততাং নরকে চ যৎ ॥১১॥
স্বর্গস্য চ গুণান্ কৃৎস্নান্ দোষান্ সর্ব্বাংশ্চ ভারত। বেদবাদেঽপি যে দোষা গুণা যে চাপি বৈদিকাঃ ॥১২॥
জ্ঞানযোগে চ যে দোষা গুণা যোগে চ যে নৃপ। সাংখ্যজ্ঞানে চ দোষাস্তথৈব চ গুণা নৃপ ॥১৩॥
সত্ত্বং দশগুণং জ্ঞাত্বা রজো নবগুণং তথা। তমশ্চাষ্টগুণং জ্ঞাত্বা বুদ্ধিং সপ্তগুণাং তথা ॥১৪॥
ষড়্গুণং চ মনো জ্ঞাত্বা নভঃ পঞ্চগুণং তথ। বুদ্ধিং চতুর্গুণং জ্ঞাত্বা তমশ্চ ত্রিগুণং তথ ॥১৫॥
দ্বিগুণং চ রজো জ্ঞাত্বা সত্ত্বমেকগুণং পুনঃ; মার্গং বিজ্ঞায় তত্ত্বেন প্রলয়ে প্রেক্ষণে তথা ॥১৬॥
জ্ঞানবিজ্ঞানসম্পন্নাঃ কারণৈর্ভাবিতাঃ শুভাঃ। প্রাপ্নুবন্তি শুভং মোক্ষং সূক্ষ্মা ইব নভঃ পরম্ ॥১৭॥
রূপেণ সংযুক্তং ঘ্রাণং গন্ধগুণেন চ। শব্দে সক্তং তথা শ্রোত্রং জিহ্বা রসগুণেন চ ॥১৮॥

ফানা তম্মকপা পুনশি, অদুগা, মাদুগী তত্ত্ববু মুন্না খঙলিবা, অদুগা— অতোপ অতোপ্পা বিষয়শিংবু ভারত- বদা, মতম মতমগী মতুংইন্না অরাবা-মুংঙাইবা অসিনচিংববু কংলিবসিগী তত্ত্ববু মুন্না খঙলিবা, স্বর্গ অমদি বেদ শ্রুতিশিং অসিগী গুণ দোষ পূন্নমকপু খঙদোকুনা, হায়বদি— জগৎ সংসার অসিদা দোষগী শরুক য়াওদবা পোৎশক অমত্তা লৈতে হায়বসি হায়না খঙদোক্লগা জ্ঞানযোগ সাংখ্যযোগনচিংবা যোগমার্গদা লৈরিবা গুণ দোষ পূন্নমক অসিবুসু খঙলিবা, অদুগা অসিতসু নত্তনা হে ভরত নন্দন! সত্ত্বগুণগী গুণ তরা, রজোগুণগী গুণ মাপল, তমোগুণগী গুণ নিপাল, বুদ্ধিগী গুণ তরেৎ, পুক্নীং (মন) গী গুণ তরুক্, আকাশগী গুণ মঙা, মখোয় অসিসু শরুকশিং বুদ্ধিগী অতোপ্পা গুণ মরি, তমোগুণগী অতোপ্পা অহুম, রজঃ গুণগী অতোপ্পা অনী অদুগা সত্ত্বগুণগী অতোপ্পা গুণ অমা লৈরিবসিবু খঙলগা আত্মাবু কংমনবা খঙনবা লম্বীবু অদুগা প্রকৃতিগী প্রলয়বু, চৎচানা খঙলবা অদুগুম্বা জ্ঞান বিজ্ঞাননা তিন্নবা মখোয় অদুনা, অদুগা, অরানবা থুত্তম কংনবগী সাধন তৌবগুনা থম্মোয় পূমনমক শেংলবা, হোমজলগী মশক ওইরবা সাংখ্য- যোগীশিং অদুনা পীক্লবা পঞ্চভূতকী মশক ওইরব মোক্ষপম্বীবু ফংই ॥৫—১৭॥

মীৎ হায়বা ইন্দ্রিয় অসি রূপ কৌব গুণনা তিন্নিবনি। নাতোন কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনা মনম্ (গন্ধ) হায়বা বিষয় অদুগা মরম লৈনরিবনি। নাকোং হায়বা ইন্দ্রিয় অসিনা শব্দ-তদা পুক্নীং চঙদুনা লৈরিবনি। লৈ (জিহ্বা) কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনা রস (মহাও) তদা মরী লৈনরিবনি ॥১৮॥

তন্নং স্পর্শে তথা সক্তাং বায়ুং নভসি চাশ্রিতম্। মোহং তমসি সংযুক্তং লোভমর্থেষু সংশ্রিতম্ ॥১৯॥
বিষ্ণুং ক্রান্তে বলে শক্রং কোষ্ঠে সক্তং তথানলম্। অপ্সু দেবীং সমাসক্তামপস্তেজসি সংশ্রিতাঃ ॥২০॥
তেজো বায়ৌ তু সংসক্তং বায়ুং নভসি চাশ্রিতম্। নভো মহতি সংযুক্তং মহৎ বুদ্ধৌ চ সংশ্রিতম্ ॥২১॥
বুদ্ধিং তমসি সংসক্তা তমোরজসি সংশ্রিতম্। রজঃ সত্ত্বে তথাসক্তং সত্ত্বং সক্তং তথাত্মনি ॥২২॥
সক্তমাত্মানমীশে চ দেবে নারায়ণে তথা। দেবং মোক্ষে চ সংসক্তং মোক্ষং সক্তং তু ন কচিৎ ॥২৩॥
জ্ঞাত্বা সত্ত্বগুণং দেহং বৃত্তং ষোড়শভির্গুণৈঃ। স্বভাবং চেতনাং চৈব জ্ঞাত্বা দেহসমাশ্রিতে ॥২৪॥
মধ্যস্থমেকাত্মানং পাপং যস্মিন্ ন বিদ্যতে। দ্বিতীয়ং কর্ম্ম বিজ্ঞায় নৃপতে বিষয়ৈষিণাম্ ॥২৫॥
ইন্দ্রিয়াণীন্দ্রিয়ার্থাংশ্চ সর্ব্বানাত্মনি সংশ্রিতান্। দুর্লভত্বং চ মোক্ষস্য বিজ্ঞায় শ্রুতিপূর্ব্বকম্ ॥২৬॥
প্রাণাপানৌ সমানং চ ব্যানোদানৌ চ তত্ত্বতঃ। অধশ্চৈবানিলং জ্ঞাত্বা প্রবহং চানিলং পুনঃ ॥২৭॥

উন্শা হায়বা ইন্দ্রিয় অসিনা স্পর্শ (শোকপা) কৌবা গুণ অসিতদা লুপ্তুনা লৈ। মতৌ অসুম্না বায়ু (নুংশিৎ) গী আশ্রয়না আকাশ, মোহ (গুন্দাংপা) গী আশ্রয়না তমোগুণ, লোভগী আশ্রয়না রস, গন্ধনচিংবা অসিনা ওইরি ॥১৯॥

গতিগী আশ্রয়না বিষ্ণু, বল (পাঙ্গল) গী আশ্রয়না ইন্দ্র, উদর (পুক্) গী আশ্রয়না অগ্নি (মৈ) অদুগা পৃথিবী (লৈপাক) গী আশ্রয়না ঈশিংনা ওইরি। ঈশিংগী আশ্রয়না তেজ (মৈ), তেজগী আশ্রয়না বায়ু, বায়ুগী আশ্রয়না আকাশ, আকাশগী আশ্রয়না মহত্তত্ত্ব, মহত্তত্ত্বগী আশ্রয়না অহংকার, অহঙ্কারগী আশ্রয়না বুদ্ধিনি। অসুম্না মথং মথং আশ্রয় লৌনরিবনি ॥২০—২১॥

বুদ্ধিগী আশ্রয়না তমোগুণ, তমোগুণগী আশ্রয়না রজোগুণ, রজোগুণগী আশ্রয়না সত্ত্বগুণ, সত্ত্বগুণনা জীবাত্মাগী আশ্রয় লৌহুনা লৈ। জীবাত্মাগী আশ্রয়না ভগবান্ নারায়ণনি। ভগবান্ নারায়ণগী আশ্রয়না মোক্ষনা ওই। মোক্ষগী করিগুম্বা আশ্রয় অমতা লৈতে। মহাক্তি মশাগী মহিমাদা অশ্রয় লৌহুনা লৈ। পুম্নমক অসিবু মুম্না খঙলগা, সত্ত্বগুণবু পুক্নীংগা য়াওনা ইন্দ্রিয় তরামাথোই, প্রাণ অপাননচিংবা থরায়-মুংশিং মঙা; হায়রিবা গুণ তরাতরুক অসিনা কোয়শিন্দুনা থম্লিবা পীক্রবা কুপ্লবা হকচাং অদুবু, অদুগা, হকচাংসিগী আশ্রয় লৌহুনা লৈরিবা স্বভাব অমদি চেতনাবু মুম্না খঙগদবনি। নিংথৌ। করিগুম্বা পাপ অমদি দোষগী লেশমাত্র য়াওদ্রবা জীবাত্মাসি হকচাংসিগী মনুংদা থম্মোয়গী মশক ওইরবা গুকা মনুংদা লৈরিবনি হায়বসি মুম্না খঙগদবনি। বিষয় লালসাবু থম্লিবা, মীওইবগী কর্ম্ম হায়বসি জীবাত্মা অসিদগী তোঙানবা তত্ত্ব অমনি। মাসিবু য়াম্না মুম্না খঙজিন্দুনা থম্মু ২২—২৫॥

ইন্দ্রিয়শিং অদুনা ইন্দ্রিয়গী বিষয় পুম্নমক অসি হকচাং অসিগী মনুংদা অদুম লৈরিবনি। মোক্ষ— (এরান্বা থুম্ম) হায়বসি য়াম্না তাঙবনি, পাক্ হেক্ ফংদবনি। হায়রিবা পুম্নমক অসি বেদবু নীঙথিনা নিয়ম নাইনা তম্লগা নৈনরগা খঙদোক্কদবনি ॥২৬॥ প্রাণ, অপান, সমান, উদান, ব্যান হায়রিবা মঙা

সপ্তবাতাং স্তথা জ্ঞাত্বা সপ্তধা বিহিতান্ পুনঃ। প্রজাপতীনৃষীংশ্চৈব বহূন্ বরান্ ॥২৮॥
সপ্তর্ষীংশ্চ বহূন্ জ্ঞাত্বা রাজর্ষীংশ্চ পরন্তপ। সুরর্ষীন্ মহতশ্চান্যান্ ব্রহ্মর্ষীন্ সূর্য্যসন্নিভান্ ॥২৯॥
ঐশ্বর্য্যাচ্চাবিতান্ দৃষ্ট্বা কালেন মহতা নৃপ। মহতাং ভূতসংঘানাং শ্রুত্বা নাশং চ পার্থিব ॥৩০॥
মতিং চাপ্য শুভান্ জ্ঞাত্বা নৃপতে পাপকর্ম্মিণাম্। বৈতরণ্যাং চ যৎ দুঃখং পতিতানাং যমক্ষয়ে ॥৩১॥
যোনীষু চ বিচিত্রাসু সংসারানশুভাং স্তথা। জঠরে চাশুভে বাসং শোণিতোদকভাজনে ॥৩২॥
শ্লেষ্মমূত্রপুরীষে চ তীব্রগন্ধসমন্বিতে। শুক্রশোণিতসংঘাতে মজ্জাস্নায়ুপরিগ্রহে ॥৩৩॥
শিরাশতসমাকীর্ণে নবদ্বারে পুরেঽশুচৌ। বিজ্ঞায়হিতমাত্মানং যোগাংশ্চ বিবিধান্ নৃপ ॥৩৪॥
তামসানাং চ জন্তুনাং রমনীয়াবৃত্তাত্মনাম্। সাত্ত্বিকানাং চ জন্তূনাং কুৎসিতং ভরতর্ষভ ॥৩৫॥

অসি প্রাণবায়ু মগুনি। মখারোমদা হুমথ— শীথবা বায়ুনা ভরুক্শুবা, মথক্লোমদা শীৎকংপা— প্রবহ হায়বা মুংশিং অহুনা তরেৎশুবনি। হায়রিবশিং অসিগী অমমম্গী মখল তরেৎ তরেৎ লৈরি। অহুনা, পূন্নপা মুংশিং নিক্রমাপন্নি। প্রজাপতি কয়া কয়া: ঋষি কয়া কয়া, অহুগা মুক্তি ফংননবগী লম্বী কয়া কয়া লৈব্রিবনি। পূন্নমক অসি মুন্না খঙহনা থম্নম থোকই ॥২৭—২৮॥

পৃথিবীগী মপূ নিংথৌ! মতীক মগুণ চাউরবা, পাক চাউরব কাল (মতম) হায়বহুগী থৌইন্-শিন্দগী তাইবং মীওইববু মাগী ঐশ্বর্য্য সম্পত্তিদগী অমুক অমুক থোক্ থোক্ নাম্বহল্লি। আকাশ, বায়ু-নচিংবা চাউর চাউরবা পঞ্চমহাভূতশিং অসিবু কাল কৌবা লাই অহুনা অমুক্'মুক্ মূথৎলিবনি। পূন্নমক অসিবু উরগা তারগা পাপকর্ম্ম তৌরিবা পাপীশিং অহুনা কত্রবা গতিবু ফংতি। যমপুরদা চৎখিহুনা বৈতরণী তুরেন্দা অরাবা খুদোংথীবা ফংলুগদবা পূন্নমক অহুবুস্ত মুন্না খঙজিন্নুনা থমগদবনি ॥৩০—৩১॥

থরায় পান্বা জীবশিং অসিনা মখল মখা অয়াম্বা অঙক অঙকপা যোনি (পোকফম) দা চঙ চঙহুনা পোকউবা তারিবনি। ঈ-নাই, থী-মুংগী তূংনফম শেংত্রবা মাংলবা নাওয়োম মনুংদা চঙঙ্কব— লৈরুবা তারিবনি। হায়রিবা হকচাং অসিগী মনুংদা লোক্, নপ্ মুং থীনচিংবা থন্না লৈরিবনি। নমথিরবা মনন্না থন্নবা থোয়রী-নাউরীমক্তনা থন্না লৈরি। হায়রিবশিং অসিমক রজ (মুপীগী ঈ), বীর্য্য (নিপাগী লিঙ্গদগী থোরকপা ঈ) অনীগী পূন্নপকী মপৈশুনি। মসিগী মনুংদা লূ-তোং শিংলিগী মপৈ মপৈ লৈরি। শিংলি-নাউরী চাম-চামনা খুরক্ হাওদনা লৈরিবনি। হকচাং অসিদা মীং নাকোং, নাতোঙ্গচিংবা থোং মাপল্ লৈ। অসিগুম্বা তূকচরবা মফম অসিদা শেংলবা জীবাত্মানা লৈবা তারিবনি। নিংথৌ! পূন্নমক অসিবু খঙলগা তায়গা, হন্থনা মীৎ উইশিন্না খল্লগা, থোইদোক্ন শেংলবা আত্মাহুবু ফংননবগীদমক্তা মখল মখা অয়াম্বা যোগসাধনবু তৌহুনা লৈকম থোকই ॥৩২—৩৪॥

ভরতশাগেগী অথোইবা! তামস, রাজস, সাত্ত্বিক জীব মখল অহুম অসিগী আত্মজ্ঞানী মহাত্মাশিংনা

গর্হিতং মহতামর্থে সাংখ্যানাং বিদিতাত্মনাম্। উপপ্লবাং স্তথা ঘোরান্ শশিনস্তেজস স্তথা ॥৩৬॥
তারাণাং পতনং দৃষ্ট্বা নক্ষত্রাণাং চ পর্যয়ম্। দ্বন্দ্বানাং বিপ্রযোগং চ বিজ্ঞায় কৃপণং নৃপ ॥৩৭॥
অন্যে ন্যভক্ষণং দৃষ্ট্বা ভূতানামপি চাশুভম্। বাল্যে মোহং চ বিজ্ঞায় ক্ষয়ংদেহস্য চাশুভম্ ॥৩৮॥
রাগে মোহে চ সম্প্রাপ্তে ক্বচিৎ সত্বং সমাশ্রিতম্। সহস্রেষু নরঃ কশ্চিন্মোহবুদ্ধিং সমাশ্রিতঃ ॥৩৯॥
দুর্লভত্বং চ যো ক্ষমা বিজ্ঞায় শ্রুতিপূর্ব্বকন্। বহুমানমলব্ধেষু লব্ধেমধ্যস্থতাং পুনঃ ॥৪০॥
বিষয়াণাং চ দৌরাত্ম্যং বিজ্ঞায় নৃপতে পুনঃ। গতাসূনাং চ কৌন্তেয় দেহান্ দৃষ্ট্বা তথাশুভম্ ॥৪১॥
বাসং কুলেষু জন্তুনাং দুঃখং বিজ্ঞায় ভারত। ব্রহ্মঘ্নানাং গতিং জ্ঞাত্বা পতিতানাং সুদারুণাম্ ॥৪২॥

উৎলিবা দোষ অহুনুস্থ খণ্ডসম থোকই ॥৩৫॥ নিংথৌ! শাথিরবা উপদ্রব, চন্দ্রগ্রহণ, সূর্য্যগ্রহণ, থৱান্-মচাকশিংনা নোংমদোম্বগী নাম্বহুনা তারকপা., গ্রহ নক্ষত্রশিংনা কাহু কারন্ চৎনরকপা, য়াম্না চান্নরস্বা মুংশিনরস্বা মতৈ মনাওনা অরাবগী মশক ফংনা কায়নরকপা, পুম্নমক অসিবু মুম্না য়েংশিল্লগা, তম্ব পুম্নমক খঙদোক্লগা আত্মা (মশা) গী কান্নবা ওইজব মঙ্গল ওইবা লম্বী থিহৌগদবনি ॥৩৬—৩৭॥

সংসারগী জীব নিৰশিং অসিগী মনুংদা অমগমগা কা-ফাহুনা চাথোক্লরি। মাসিমক কয়াদা তম্থীরবা থৌদোক অমনো! তৌনরিবা অসোমদস্থ মুম্না য়েংশিল্লু। অঙাং ওইরিঙৈদনা জ্ঞান ঈতা তাদনা ঈশুম্ শুনহৎহুনা লৈরম্রে। অহল ওইরক্লবা, হনুরক্লবা মতমদনা মহা অমঙ্গলগী মশক ওইরবা কীবমক্তা ওই-খ্রি অশাউবগা শুনহৎনগা, অনাসিনা লাকপা মতমদা হকচাং অসিগী মহুং মপালদা দোষ মথল মথল পোক্লক্ল। তৌরিবা ওইরবা থৌদোক খিবিক অসিবু উক্লরগা কনা কনাগুম্বগীনা সত্বগুণ অহু লাকপা য়াওরি। মাসিমু মশ্রৈনরি জীব জাৎ 'শশিং লিশিং অসিগী মনুংদা কনা কনাগুম্বা থরতনা পুম্নমক অসিদগী লাপ্থোক্লবা হায়বাদি অরানুবা থুঙম কংননবা হোৎনৈ ॥৩৮—৩৯॥

বেদ শাস্ত্রগী পাঙ্কা অদি উপদেশশিং অসিবু মুক্তিবু পাক্ ফংঙমদবসিবু খঙলহুনা, অপাম্বা পোৎ-শকপু ফংত্র ফাওবদা লাক্লিবা লৈরিবা অবস্থা অহুবু খোইনা মিন্দা তৌরুদনা স্বাগত তৌগনি। অনিত্য ওইবা ফংনবা পোৎ ফংউরবস্থু মাদোমদা খোইনা হকচিন্না পুক্নীং লুপশিল্লুরোইদৌবনি। উদাসীন ওইহুনা মাদোমদা হৈনিংলুদনা লৈথোক্লনবুনি ॥৪০॥

নিংথৌ! শব্দ স্পর্শ ঋসনচিংবা বিষয়শিং অসে অরাবা হায়বস্থগী মশক ওক্তনি। মাসে, মতম পুম্বদা কাওদনা থনগাবমক্তনি কুন্তী-নন্দন! যুধিষ্ঠির! জীবাত্মা মাওত্রবা হকচাংদা ওইরক্লিবা অকিবগী মশক ফংনা অমঙ্গল ওইরবা মতৌশিংবু অহুগা হক্লোইনকম ওইরবা ভুক্তচরবা মশক্তবু মুম্না চনীং তানা য়েংগদৌবান ॥৪১॥ ভরতকুলগী মুংঙাইনীংঙাইগী মশক ওইরবা। থবায়ানবা জীবশিংগী য়ুমদা (ইমুংদা) লৈবা হায়বাসনক অরাবগী মশকনি, মাসি য়াম্না মুম্না কুপ্পা থর্থজিন্নু। ব্রহ্মহত্যা তৌরবা, ধর্ম্ম-কর্ম্মদা অঙ লৈথা তারবা মীশিংগীসু মহাদুর্গতি অমা শোয়দনা থোক্লবনি হায়বসিমা খঙগদববনি ॥৪২॥

সুরাপানে চ সক্তানাং ব্রাহ্মণানাং দুরাত্মনাম্। গুরুদারপ্রসক্তানাং গতিং বিজ্ঞায় চাশুভাম্ ॥৪৩॥
জননীষু চ বর্ত্তন্তে যে চ সম্যগ্ যুধিষ্ঠির। স দেবকেষু লোকেষু যেন বর্ত্তন্তি মানবাঃ ॥৪৪॥
তেন জ্ঞানেন বিজ্ঞায় গতিং চাশুভকর্ম্মণাম্। তির্য্যগ্‌যোনিগতানাং চ বিজ্ঞায় গতয়ং পৃথক্ ॥৪৫॥
বেদবাদাং স্তথা চিত্রানৃতূণাং পর্য্যযাং স্তথা। ক্ষয়ংসংবৎসরাণাং চ মাসানাং চ ক্ষয়ং তথা ॥৪৬॥
পক্ষক্ষয়ং তথা দৃষ্ট্বা দিবসানাং চ সংক্ষয়ম্। ক্ষয়ং বৃদ্ধিং চ চন্দ্রস্য দৃষ্ট্বা প্রত্যক্ষত স্তথা ॥৪৭॥
বৃদ্ধিং দৃষ্ট্বা সমুদ্রাণাং ক্ষয়ং তেষাং তথা পুনঃ। ক্ষয়ং ধনানাং দৃষ্ট্বা চ পুনর্ব্বৃদ্ধিং তথৈব চ ॥৪৮॥
সংযোগানাং ক্ষয়ং দৃষ্ট্বা যুগানাং চ বিশেষতঃ। ক্ষয়ং চ দৃষ্ট্বা শৈলানাং ক্ষয়ং চ সরিতাং তথা ॥৪৯॥
বর্ণানাং চ ক্ষয়ং দৃষ্ট্বা ক্ষয়ান্তং চ পুনঃ পুনঃ। জরামৃত্যুং তথা জন্ম দৃষ্ট্বা দুঃখানি চৈব হ ॥৫০॥
দেহদোষাং স্তথা জ্ঞাত্বা তেষাং দুঃখং চ তত্ত্বতঃ। দেহবিক্লবতাং চৈব সম্যগ্ বিজ্ঞায় তত্ত্বতঃ ॥৫১॥
আত্মদোষাংশ্চ বিজ্ঞায় সর্ব্বানাত্মনি সংস্থিতান্। স্বদেহাদুত্থিতাং গন্ধাং স্তথা বিজ্ঞায় চাশুভান্ ॥৫২॥

ময়াই কাবা য়ু-নচিংবা থকপা চাবা মীশিংগী অদুগা ওঝা গুরুশিংগী লোয়নবীদা নত্তবা লমচৎ চৎশুব-শিংগী ওস্থোক্লা শাথিরবা পোল্লোই লাকপনি হায়বসিমা কাউগনু। মাসিগী মরমদা য়াম্না কুপ্না নৈনৌ ॥৪৩॥

যুধিষ্ঠির! মমা মপাগী অমদি দেবতাশিংগী মফমদা, অদুগা, জীব পুন্নমক্কী মফমদা ব্যবহার কায়না চৎলিবশিং অদুগী পোল্লোই অমা অরাবগী মশক্নি। লৈখাতাবা মপোক্তা পোক্লগদবনি হায়বসি, উরিবা—শা ওানচিংবগী মপোক অমদি, উরিবা ফীবমশিং অসি উরগা থাজগদবনি। শা উচেকশিং অসিগী তোঙান্ তোঙান্‌বা গতিশিং অসিগী মথক্তা য়াম্না কুপ্না বিচার তৌগদবনি ॥৪৪—৪৫॥

ঋগ্ সামনচিংবা বেদশিংগী বচনা তোঙান্ তোঙাম্না লৈরিবা, ঋতুশিংনা মং মথং ওন্থে কওনশিন্ তৌরিবা, চুমিং থা চহী চয়োল পক্ষনচিংবনা ওয় ওম্না লাক্লিবা চৎপ্রিবা অসি য়াম্না কুপ্না বিচায় তৌগদবনি। থা অমগী মনুংদা চন্দ্রমানা হেন্‌গৎলক্লিবা হন্থরক্লিবসি চুমিং খুদিংগী প্রত্যক্ষ ওইনা উনরি। সমুদ্র-শিংগী জ্বার-ভাটানচিংবসি প্রত্যক্ষ ওইনা উনরি। ইস্লাক্‌থুন্‌বশিংনা মূখর্বকপা, মূখর্স্বদগী অমুক চাওখৎ-লকপা অসি ভত্তুনা উনরি। পুন্নমক অসি উরগা তুমিন্না য়েংদুনা লৈগদবা নত্তে। পুন্নমক অসি উরগা নপাগী করি তৌকম থোকপগে হায়বদু খল্লহৌগদবনি। তৌগদবদু থুনা য়াওনা লেপ্লহৌগদবনি ॥৪৬—৪৮॥

সংযোগ (ভিন্নব) শিংগী, যুগশিংগী, চাঙ-মান্ তুরেলশিংগী ওহরবসু ওইরক্লিবা, ওইরক্ ওইরকপিবা মওং ফীবমশিং অসি মুন্ন য়েংশিনু। অরেম্বদা পংউং উংপা নত্তে। বর্ণ (মথেক, জাতি) শিংগী ওইরকপা লোইশিন্‌খিবা মওংশিং অসি চুম্ন য়েঙু। জন্ম মৃত্যু, জরাবস্থাশিংগী ওহরিবা পারিবর্ত্তন অসি থয়েঙু ॥৪৯—৫০॥ হকচাংদা লৈরিবা দোষশিং অসিবু খঙদোকুনা মথোয়শিংসিদগী পোক্লকদবা অরাবা থুদোংথীবশিং অদুবুসু খঙদোকদৌবনি। হকচাংদা লৈরিবা অরাবা চোকথবশিং আসবুসু মুন্না খঙগদবনি ॥৫১॥

নশাগী হকচাংদা লৈরিবা দোষশিং অদুসু নশাগীনি। নশাগী হকচাংদগী থোরক্লিবা নমথীরবা মনমশিং

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কান্ স্বগাত্রোদ্ভবান্ দোষান্ পশ্যস্যমিতবিক্রম। এতন্মে সংশয়ং কৃৎস্নং বক্তুমর্হসি তত্ত্বতঃ ॥৫৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

পঞ্চ দোষান্ প্রভো দেহে প্রবদন্তি মনীষিণঃ। মার্গগা কাপিলাঃ সাংখ্যাঃ শৃণু তানরিসূদন ॥৫৪॥

কাম ক্রোধৌ ভয়ং নিদ্রা পঞ্চমঃ শ্বাস উচ্যতে। এতে দোষাঃ শরীরেষু দৃশ্যন্তে সর্ব্বদেহিনাম্ ॥৫৫॥

ছিন্দন্তি ক্ষময়া ক্রোধং কামং সঙ্কল্পবর্জনাৎ। সত্ত্বসংসেবনান্নিদ্রামপ্রমাদাৎ ভয়ং তথা ॥৫৬॥

ছিন্দন্তি পঞ্চমং শ্বাসমল্পাহারতয়া নৃপ ॥৫৭॥

গুণান্ গুণশতৈর্জ্ঞাত্বা দোষান্ দোষ শতৈরপি। হেতূন্ হেতুশতৈশ্চিত্রৈশ্চিত্রান্ বিজ্ঞায় তত্ত্বতঃ ॥৫৮॥

অসিবু তাম্বগা খঙলগা, মাদোমদা থিরক্ত ওইগদবনি, হায়বদি,— হৈনীংঙোইদবনি ॥৫২॥ * যুধিষ্ঠির হায়,— পাক্কল লৈরিবা, থৌনা ফবা ঈবুধৌ। ঈবুধৌগী রাখল্লা হকচাংসিদা লৈরিবা দোষশিংসি করি করিনি হায়নদি খুন্‌বিবগে? ঐগী চিংনরিবা পুম্বসে ঈবুধৌনা অমুক্তা কোকহনবিয়ু ॥৫৩॥

ভীষ্মনা হায়;— য়েক্লবা ভম্বা নিংথৌ! কপিলসাংখ্যমত-চৎপা জ্ঞানীশিংনা তাক্পা হকচাংদা লৈরিবা দোষশিং অসি করি করিমো হায়বত্ব হায়গে মুম্ব তাও ॥৫৪॥

কাম (অপাম্বা), ক্রোধ (অশাউবা), ভয় (অকিবা), নিদ্রা (উইবা, তুম্বা), নোংশাশোর হায়রিবা দোয মঙা অসি তাইবংমী খুদিংমক্কী হকচাংদা লৈ ॥৫৫॥

সংপুরুষ ওইবশিংনা, অশাউববু ভাক্পিহৈবা গুণনা, অপাম্বা হায়বত্বু সংকল্প থাদোকপনা নিদ্রাবু সত্ত্বগুণ শীজিন্নবতনা, অকিববু শুদ্ধংপা অমদি জ্ঞান থাদবা হায়বত্বু থাদোকপা, মুংশাশোরগী দোষবু খজিক খজিক্ত চাং নাইনা চাবা হায়বত্বনা মাঙহন্‌গদবনি ॥৫৬॥

নিংথৌ! ভরতশাগৈগী মুংভাইহন্নবগী মশক ওইরবা। সাংখ্যশাস্ত্রগী বিদ্বান্ মহাজ্ঞানীশিংনা, গুণ চাম চামনা গুণ চাম চামবু, দোষ চাম চামনা দোষ চাম চামবু, তোঙান্ তোঙান্‌বা হেতু (মরম) চাম-

* হকচাংসিদা মহুম শাত্নুনা লৈরম্লিবা, লৈরিবা দোষ (কত্তবশিং অসি মীকুপ খুদিংগী প্রত্যক্ষ ওইনা উরি। কল্লবা নম্‌থীরবা মনম পুরবা লোক্-তিন্নচিংবা মীকুপ খুদিংগী থোরক্লিবা হমাংনচিংবা অত্নুগা থী-মুংনচিংবশিং অসিদা পুণ্যগন্ধ অমত্তা য়াওদে। প্রকৃতিগী অহানবা খুৎশেমদা লৈপাক (মৃত্তিকা) অসিদা পুণ্যগন্ধ-ত য়াও-রম্মী। মতুংদা কাম ক্রোধ লোভমচিংবা অসিগা ভিন্নত্নুনা চাথিবা রাজসিক তামসিক চিন্তাকুগী দুর্গন্ধশিং অসি পোকথিবনি। মাসিবু কুপ্পা নৈনরম্বা, মখোয় অসিদা বৈরাগ্যভাব থমত্নুনা, কল্লবা নম্‌থীরবা হকচাং (সংসার) সিদগী মুক্ত ওইননবা— লাস্তোকখিনবা উপায় অত্নু আত্মা মা মথন্তনা খল্লহৌগদবনি। মাত্নু নল্লবদি— মাসিদা অসুম হৈনপ্রবদি, নমথীরবা লোক্ তিন্না থল্লবা কোম্মনচিংবদা লৈবা হৈনবা তীল-কাঙগী দেহদা আত্মা অসি চঙখিবা য়াই। (কালাচাঁদ)

অপাং ফেনোপমং লোকং বিষ্ণোর্মায়াশতৈর্বৃতম্। চিত্রভিত্তিপ্রতীকাশং নলসারমনর্থকম্ ॥৫৯॥
তমঃ শ্বভ্রনিভং দৃষ্ট্বা বর্ষবুদ্বুদসংনিভম্। নাশপ্রায়ং সুখাদ্ধীনং নাশোত্তরমিহাবশম্ ॥৬০॥
রজস্তমসি সম্মগ্নং পঙ্কে দ্বিপমিবাবশম্। সাংখ্যাঃ রাজন্ মহাপ্রাজ্ঞস্ত্যক্ত্বা স্নেহং প্রজাকৃতম্ ॥৬১॥
জ্ঞানযোগেন সাংখ্যেন ব্যাপিনা মহতা নৃপ। রাজসান্ শুভান্ গন্ধাংস্তামসাংশ্চ তথাবিধান্ ॥৬২॥
পুণ্যাংশ্চ সাত্ত্বিকান্ গন্ধান্ স্পর্শজান্ দেহসংশ্রিতান্। ছিত্ত্বাশু জ্ঞানশস্ত্রেণ তপোদণ্ডেন ভারত ॥৬৩॥
ততো দুঃখোদকং ঘোরং চিন্তাশোক-মহাহ্রদম্। ব্যাধিমৃত্যুমহাগ্রাহং মহাভয়মহোরগম্ ॥৬৪॥
তমঃকূর্ম্মং রজোমীনং প্রজ্ঞয়া সংতরন্ত্যত। স্নেহপঙ্কং জরাদুর্গং জ্ঞানদ্বীপমরিন্দম ॥৬৫॥
কর্ম্মাগাধং সত্যতীরং স্থিতব্রতমরিন্দম। হিংসাশীঘ্রমহাবেগং নানারস সমাকরম্ ॥৬৬॥
নানাপ্রীতিমহারত্নং দুঃখজ্বরসমীরণম্। শোকতৃষ্ণামহাবর্ত্তং তীক্ষ্ণব্যাধি-মহাগজম্ ॥৬৭॥

চামা লিশিং লিশিংনা হেতু চাম চামবু তত্বগা লোয়ননা খঙলগা খুাইমক্কী শীনথুংবা জ্ঞানগী পাম্বৈনা সংসারবু অহুগা সংসারগী বিষয়শিং অসিবু, ঈশিংদা ওহাক্ ওহাক্ তাউরম্বা কোঙ্গোন্গী মতৌগুম থুংক্তা মাঙলগদবা বিষ্ণুমায়া লিশিংনা কুপশিল্লবা, ফক্লাংদা হকুপা নপ্না লাইগী মূর্ত্তিগুম্লবা তৌ য়েন্দোনচিংবা পাম্বীগী মতৌগুম্না মচি ওইবা করিমত্তা য়াওদবা, অমম্বনা থল্লবা কোম্ লৈখুন্গী মতৌগুম্না অকিবকংনা শূন্য-মম্লবা, বর্ষাঋতুগী ঈশিংদা তাউবা কেঙ্গোনগী মতৌগুম্না, মীকুপ্ত কায়ত্রগনবা মুংতায়নীতাইগী শরুক করিমত্তা য়াওদ্রবা অত্তোপ্পা অমঃ নঙ্গগা অমগী মখা পোন্দুনা তাক্ লৈরবা, মীকুপ খুদিংগী মাঙখরক্লিবা লৈথোমদা পুখ্রক্লিবা শামুগী মতৌগুম্লবা, দুমিঃচুপ্পা রজোগুণ তমোগুণতদা লুপ্নুনা লৈরিবনি হায়না খঙই ॥৬৩—৬৭॥

লেক্লবা হাংঙম্বা। নিংথৌ যুধিষ্ঠির! অকিবগী মশক ওইরবা তাইবং-ঈপাক্পু সিদ্ধ যতি (যোগী) শিংনা প্রজ্ঞা (বুদ্ধি গী মশক ওইরবা হিথক্তা তোংদুনা লাম্থোক্নুনা চংনখি। হাপ্লিবা ঈপাক্ (সমুদ্র) অসিদি অরাবা মথল মথলনা ঈশিং ওইনা পীক্ থম্ব লৈ। অচৌ অচৌবা চিন্তানা লৈরায়দ হায়জিন্ হায়জিন্না লৈরবা কেজুং অমমগী মশককি। মথল মথা অয়াম্বা রোগ (লায়না) অমদি মৃত্যু (শিব) না ঈপাক্ অসিগী ঈংংদা লৈরবা চাউর চাউরবা কুম্ভীবনচিংবা অচৌ অচৌবা জন্তু ওইনা লৈ। অকিবা চিংনবা লিপাইবা কয়া কয়ানা সতুত্র অসিদা লৈরিবা চাউর চাউরবা লিল্ ওইরি। তমোগুণনা খেজুনি, রজোগুণনা ঙা মচা মচা ওইনা ঈপুং অসিদা শারদুনা লৈ। দুংশিনবা হায়বদুনা সমুদ্র লৈথাগী লৈথোম্ ওইদুনা লৈরি। অহল ওইরকপা— শোম্বরকপা হায়বদুনা ঈপাক অসিবু লাম্থোক্লবদা অংনবা য়ৈথায়বা অক্লবা অমমম্ ওইনা লৈরি। জ্ঞান হায়রদুনা ঈপাকপুংসিদা লৈবা ঈথৎ অমমম্ ওইনা লৈরি। মথল মথা অয়াম্বা কর্ম্মশিংতনা ঈপাক অসিগী মপাম্মইদনা লুবা হায়বদু ওইরি। সত্য (অচুম্বা) হায়বদুনা ঈপাক্ অসিগী মপান্ (চাংজো) ওইদুনা লৈরি। নিয়ম ব্রতনচিংবনা সমুদ্র অসিগী ওহাক্ ওহাক্ মবুক্ তম্ম লৈবা হায়বদু ওইরি। হিংসানা ঈপাক অসিগী শাকু কল্লবা ঈচেল ওইরি। অথুম্বা অয়াকপনচিংবা

অস্থিসংঘাতসংঘট্টম্ শ্লেষ্মফেনমবিলম্ । দানসঙ্খ্যাকরং ঘোরংশোণিতহ্রদবিক্রমম্ ॥৬৮॥

হসিতোৎক্রুষ্টনির্ঘোষং নানাজ্ঞান সুদুস্তরম্ । রোদনাশ্রুমলক্ষারং সঙ্গত্যাগ পরায়ণম্ ॥৬৯॥

পুত্রদারজলৌকৌঘং মিত্রবান্ধবপত্তনম্ । অহিংসাসত্যমর্য্যাদং প্রাণত্যাগমহোর্ম্মিণম্ ॥৭০॥

বেদান্তগমনদ্বীপং সর্ব্বভূতদয়োদধিম্ । মোক্ষ দুর্লভবিষয়ং বাড়বাসুখসাগরম্ ॥৭১॥

তরন্তি যতয়ঃ সিদ্ধাঃ জ্ঞানযানেন ভারত । তীর্ত্বাতিদুস্তরং জন্ম বিশন্তি বিমলং নভঃ ॥৭২॥

অত্র তান্ সুকৃতীন্ সাংখ্যান্ সূর্য্যো বহতি রশ্মিভিঃ । পদ্মতন্তুবদাবিশ্য প্রবহন্ বিষয়ান্ নৃপ ॥৭৩॥

মহাও (রস) মথল মগলনা থল্লা লৈরিবা অতুগুম্বা সমুদ্রনি । অমগমগা নুংশিনবা চান্নবা হায়বসিনা তাইবং ঈপাক অসিগী ঈদুং মথাদা লৈরবা মমল য়াম্লবা মতম্‌শুমক্তনি । থম্মোয়দা চাক্‌পা, নীংঙমদবা, হায়বত্থনা তাইবং ঈপাক অসিগী অকোয়বদা শীংপা লংশিংনি । অরাম্ খৌরাংবা হায়বহুনা ঈপাক্ অসিগী মাথৈগে মরিদা কান্থু কারন পাইরিবা খোইমু কুরাকুচিংবা ওইরি । কল্লবা আধি ব্যাধি কয়া কয়ানা ঈপাক্ মদুং অসিদা লৈবা চাউর চাউরবা ঈশিং-শামু ওইরি । তাহুনা লৈরিবা শরু ভারা মপৈ মপৈনা সমুদ্র-অসিগী মপান্ মপান্দা শেম্বা ঘাট ওইরি । লোক্‌না কোঙ্গোল্লি । দান তৌবা হায়বহুনা সমুদ্র অসিদা লৈবা মোত্তি-মচিংবা ওইরি । ঈনা কোন্নুং কেমুত্তা লৈবা পোত্তালনচিংবা ওইরি । হরাও নুংভাইবগী নোক্-খেবা, অরাবা খুদোংথীবগী লাউ খোংবনা ঈপাক অসিগী ঈথক্ ঈপোম্ হৌবগী খোল্লাও ওইরি । তাইবংমী অমাদগী অজ্ঞান (পত্তথবা, জ্ঞান তাংবা) অদুতনা ঈপাক্ অসিগী লানত্তনবা হায়বদুমক্ ওইরি । থরায় নুংভাইতনা কন্দর্গ তারক্‌পা পিল ঈপাক্ অসিগী করিগুম্বা মফমগী ঈশিংগী য়াক্লবা থুমহিগী শক্লক অদু ওইরি । সংসারগী বিষয়গী অসক্তি থম্মুদনা তৌবা ত্যাগ (থাদোক্‌পা) অদুতনা ঈপাক্‌তুংদা লৈবা ওহাক্ নাক্ লোথানবম ঢীপ মসা মচা অদু ওইরি । নুংশী অদোম্নাদুপ্পা হকিনা তেঙ্ তেঙ্ চংতুনা লৈবা তীনকা কাক্‌কৈমক্ত ওইরি । চাকবা মরূপ-মপাংশিংদুনা সমুদ্রগী ময়া (মনাক্) দা লৈবা নগর মচা ওইরি । অহিংসা সত্য অনীন ঈপাক্ অসিগী লাম্বা ফংবা চাংজো (তমথৈ) ওইরি । থরায়বু থাদোক্‌-ন্নকপনা ঈপাক্ অসিগী রাং চাউরবা ঈথক্ ওইরি । বেদান্ত উপনিষদ ময়ামনা ঈদুংদা তাউহুনা লৈবা ঈথং অমমম্ ওইরি । জীবগানবা পুগাক্কী মফমদা থৌজালহৈবা হায়বহুনা মবুক্ তপ্পবা ঈশিংগী শক্লক ওইরি । মোক্ষ (অনন্দবা) হায়বান ঈপাক্‌দুংদা— থা লেথাদা লৈবা মমল য়াম্লবা মণিমুক্তা হায়বদু ওইরি । থম্মোয় শরুক্ লবা মন্তাপনা ঈপাক্ অসিগী ঈনাওদা চাক্লকপা— ভাম্ভোরক্‌পা বাড়বানল হায়বা মৈ অদু ওইরি । হে ভরত-নন্দন ! অসিগুম্বা ঈপাক্ অসিবু লাম্ভোক্লবা মী অদু আকাশগী মশক ওইরবা লৈবা মক্‌থবা পরব্রহ্মগী নাক্তা লৌথি; অদুগা পরব্রহ্মাদুমক্কী মদুংদা চঙখিহুনা অমত্তা ওইখি—তিনখি ॥৬৪—৭২॥ নিংথৌ, যুধিষ্ঠির ! পুণ্যচেপ্পবা সাংখ্যযোগী সিদ্ধপুরুষশিং অদুবু মশাগী মশেক্-মত্তাংগী পাইবৈতনা মখোয়দা চচশিন্দুনা লৈরবা সূর্য্যদেবনা, অর্চি কৌবা মার্গদা চংখিহুনা ব্রহ্মলোকত

তত্র তান্ প্রবহো বায়ুঃ প্রতিগৃহ্লাতি ভারত। বীতরাগান্ যতীন্ সিদ্ধান্ বীর্য্যযুক্তাং তপোধনান্ ॥৭৪॥
সূক্ষ্মঃ শীতঃ সুগন্ধী চ সুখস্পর্শশ্চ ভারত। সপ্তানাং মরুতাং শ্রেষ্ঠো লোকান্ গচ্ছতি যঃ শুভান্।
স তান্ বহতি কৌন্তেয় নভসঃ পরমাং গতিম্ ॥৭৫॥
নভো বহতি লোকেশ রজসঃ পরমাং গতিম্। রজো বহতি রাজেন্দ্র সত্ত্বস্য পরমাং গতিম্ ॥৭৬॥
সত্ত্বং বহতি শুদ্ধাত্মন্ পরং নারায়ণং প্রভুম্। প্রভুর্বহতি শুদ্ধাত্মা পরমাত্মানমাত্মনা ॥৭৭॥
পরমাত্মানমাসাদ্য তদ্ভূতায়তনামলাঃ। অমৃতত্বায় কল্পন্তে ন নিবর্ত্তন্তি বা বিভো ॥৭৮॥
পরমা সা গতিঃ পার্থ নির্দ্বন্দ্বানাং মহাত্মনাম্। সত্যার্জ্জবরতানাং বৈ সর্ব্বভূতদয়াবতাম্ ॥৭৯॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

স্থানমুত্তমমাসাদ্য ভগবন্তং স্থিরব্রতাঃ। আজন্মমরণং বা তে স্মরন্ত্যুত নবানঘ ॥৮০॥
যদত্র তথ্যং তন্মে ত্বং যথাবদ্বক্তুমর্হসি। ত্বদৃতে পরমং নান্যং প্রষ্টুমর্হামি কৌরব ॥৮১॥

পুখিনবগী মক মথকথংবা মরোঙদা, থম্বাল মথোক্না পীক্লবা মখুন্দা ঈশিংবু চিঙ্খৎপত্তুম্না ব্রহ্মলোকতা পুথংখি ॥৭৩॥ মফম অদুদা প্রবহ কৌবা নুংশিৎ (বায়ু দেবতা) না সংসারগী বিষয়দা রাগ করিমত্তা য়াওদ্রবা শক্তি পূপ্পনা তিল্লবা, সিদ্ধপুরুষশিং অদুবু সূর্য্যদেবতাগী মপার্ক্তী অধিকারদগী পরিকরদ. লৌশিল্লি ॥৭৪॥
ভরতনন্দন! কুন্তীগী মচা যুধিষ্ঠির! কুপ্পবা, পীক্লবা, ঈংলবা, মনম্ নুংশিরবা, হকচাংদা য়ৈবদা নুংঙাইনবগী মশক ওইরবা, বায়ু (নুংশিৎ) অদোংকী মতুংদা খুইদগী দেন্দা বায়ুদেবতানা মঙ্গলগী মশক ওইরবা লোকতা পুখি। মঙ্গলগী মশক ওইরবা সাংখ্যযোগীশিংবু লোয়নসত্তকী য়াকনবা থাক্তা থুদনখি ॥৭৫॥
নিংথৌ! আকাশ কৌবা দেবতানা সাংখ্যযোগীশিং অদুবু রজোগুণগী অরোইবা থুভম ফাওবা পুথংখি। হায়বদি — তেজতগী মশক ওইরবা বিদ্যুদ্দেবতানা মখোয়বু সত্ত্বগী য়াকনবা থাক্ শায়নদি শ্রীনারায়ণগী ধামদা পার্ষদশিংনা লৌশিন্দুনবা হোৎনৈ। থখোয় লেংলবা যুধিষ্ঠির! সত্ত্বগুণনা তিল্লবা মখোয় অদুবু ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী নাক্ত লৈরিবশিং অদুনা নারায়ণমক্তী নাক্তা য়ৌহনখি। নিংথৌ! অদুগুম্বা মহাত্মাশিং অদুবু ভগবান্ নারায়ণ মশামক্তা পরংব্রহ্ম পরমাত্মাদা চিলহনখি। পরমাত্মাগা অমত্তা ওইমিন্নখিদুনা অমৃত (শিদবা) ওইখিদুনা মখোয় অদু পোক্পা-শিবগী সংসারসিদা অমুক হন্না লাক্তে। কুন্তীনন্দন! অনী থোক্পগী য়াথঙ্গী নাস্তোকপ্রব, সত্যবাদী (অচুম্ব-ত গুণবা), পুকচেল শেংবা, জীবপান্বা খিবিকপু চপ মান্না নুংশিবা অদুগুম্বা মীশিংতনা অথোইবা ধামদু ফংবা ঙম্মি ॥৭৫—৭৯॥
যুধিষ্ঠিরনা হায় — পাপকী শরুক য়াওদ্রবা ইনুথৌ! অপোইবা ব্রত ঙাক্লিবা, অকনবা তপস্যা তৌরিবা মহাত্মা ওইরবা সাংখ্যযোগীশিং অদুনা, ভগবান্ নারায়ণগী অথোইবা থুভমবু ফংব্রবা তুংদা হেক্ পোক্পদগী শিবা ফাওবদা তৌরিবা থোকখ্রিবা থৌদোক্শিং অদু নিংশিংববা? হায়বদি — মুক্ত ওইবগী অবস্থাদা ফাওবদা মমাংবৈগী তৌথিবা পুম্বদু নিংশিংলবা? অসিনি ঐনা হংজরিবা অসি। মাসি চপচানা ভলোং-

মোক্ষে দোষো মহানেষ প্রাপ্য সিদ্ধিং গতানৃষীন্। যদি তত্রৈব বিজ্ঞানে বর্ত্তন্তে যতয়ঃ পরে ॥৮২॥
প্রবৃত্তিলক্ষণং ধর্ম্মং পশ্যামি পরমং নৃপ মগ্নস্য হি পরে জ্ঞানে কিং নু দুঃখতরং ভবেৎ ॥৮৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

যথান্যায়ং ত্বয়া তাত প্রশ্নঃ পৃষ্টঃ সুসঙ্কটঃ। বুধানামপি সংমোহঃ প্রশ্নেঽস্মিন্ ভরতর্ষভ ॥৮৪॥
অত্রাপি তত্ত্বং পরমং শৃণু সম্যঙ্ময়েরিতম্। বুদ্ধিশ্চ পরমা যত্র কাপিলানাং মহাত্মনাম্ ॥৮৫॥
ইন্দ্রিয়াণ্যেব বুধ্যন্তে স্বদেহে দেহিনাং নৃপ। কারণান্যাত্মনস্তানি সূক্ষ্মঃ পশ্যতি তৈস্তু সঃ ॥৮৬॥
আত্মনা বিপ্রহীনানি কাষ্ঠকুড্যসমানি তু। বিনশ্যন্তি ন সন্দেহঃ ফেনা ইব মহার্ণবে ॥৮৭॥
ইন্দ্রিয়ৈঃ সহ সুপ্তস্য দেহিনঃ শত্রুতাপন। সূক্ষ্মশ্চরতি সর্ব্বত্র নভসীব সমীরণঃ ॥৮৮॥

তাশংনা তাকৃপিয়ু। কুরুশাগীগী অথোইবা ঈবুধৌ! ইংজরিবা রাকম অসি ঈবুধৌ নওনা কনা অমত্তনা খুম্বা ওম্মরোই ॥৮০—৮১॥ সিদ্ধ বস্থাদা চত্তথ্রবা, হায়বদি— সিদ্ধ ফংথ্রবা ঋষিশিংগী মথোয়গী মোক্ষগী লম্বীদসু দোষ থরা লৈবা উত। মাতুদি করিনো হায়বদা— মোক্ষ (অরানুবা খুত্তম) ফংলে হায়রকাও-বদা যতি ঋষিশিং অদুনা মথোয়গী তোত্তানবা জ্ঞানগী লম্বী অমদা অদুম মচংলি, হায়বদি— মথোয়চুদসু হান্নগী মওংলো নৈ, অদুম মনীশিংলি। অদুনদি ঐগী মততাদ প্রবৃত্তিমার্গনা অথোইবনি। মুক্তাবস্থাদা অতোপ্পা জ্ঞানগী বিষয় অমা লৈত্রে হায়রবসু অতোপ্পা থাক্তদগী হেনবা জ্ঞানগী পরিকর মনুংদা চত্তখিবনা বিশেষ ওইবা জ্ঞান অমদা অমুক লৈবে' মাসিদগী হেন্না রাবা করি অমুক লৈগদগে? ॥৮২—৮৩॥

ভীষ্মনা হায়,— ভরতশাগীগী অথোইবা! নহাক্না ওন্থোক্লা পুরবা রাজং অমা ঐত্তোন্দা হংলে। নহাক্না চায়োথোক্লিবা রাকম অসিগী নৈনবদা হৈশিংবা জ্ঞানীশিংসু মেন্দাকম শওত্রিবনি।৮৪॥

হায়রিবা বিষয় অসিদা থাক্তদগী লুরবা তত্ত্ব অমা লৈ। ঐ মাহু নত্তোন্দা হায়গে মুম্না তাও। কপিল ভগবানুনা তাক্লম্বা সাংখ্যশাস্ত্রগী মতুংইন্না চংপা মহাত্মাশিং অদুনা রাকম অসিদা রারেপ অমা তানখি। ॥৮৫॥ যুধিষ্ঠির! দেহ (হকচাং) অসিবু পুরিবা জীব থুদিংমক্কী ইন্দ্রিয়শিং অসি মাগী মাগী তোত্তান্ তোত্তানবা বিষয়দু উপ, অনুভব তৌরি। হায়বদি— মশা মশাদা ফাওরি। মথোয় শাসন তোত্তান্ তোত্তানবা শ্লোক অমামা হেক্ চৎ থাওরি। অদুবাদি সীক্থ্রবা কুপ্পবা আত্মা অসিনা ইন্দ্রিয়শিংসিগী পান্থননা মখাক্কী বিষয়শিং অসিদু তৌরি, অদুগা মথোয় তৌরি হায়বদু আত্মা মতাক্কনা উৎলি ॥৮৬॥

পাক্লবা ঈপাক্তা ডাউখংলম্বা কোঙ্গেলাশিংনা হেক্ হেক্ লুপথিদুনা মাঙখিবদগুম্না জীবাত্মানা থাদোকপিরম্বা ইন্দ্রিয়শিং অসি মাগী মাগী প্রেকৃতিদা চত্তশিনখি, মাসিদা করিমত্তা চিংনিজাক্তি নৈতে ॥৮৭॥

[illegible] হকচাংসিবু পুরিব জীবশিংনা ইন্দ্রিয়শিংসিগা লোয়ননা তুমথখিবা মতমদা ছানজুদুগী শীরুদ হকচাং (সুক্ষ্মশরীর অমসুং আকাশদা ভাউদুনা লৈরবা নুংশিংকী মতো-ঙুন্না মকম পুন্নমক্কা পুমথোয় মৌরুই, হায়বদি— মত মতত্তি ॥৮৮॥

স পশ্যতি যথান্যায়ং স্পর্শান্ স্পৃশতি বা বিভো। বুধ্যমানং যথাপূর্ব্বমখিলেনেহ ভারত ॥৮৯॥
ইন্দ্রিয়াণীহ সর্ব্বাণি স্বে স্বে স্থানে যথাবিধি। অনীশত্বাৎ প্রলীয়ন্তে সর্প হতবিষ ইব ॥৯০॥
ইন্দ্রিয়াণাং তু সর্ব্বেষাং স্বস্থানেষ্বেব সর্ব্বশঃ। আক্রম্য গতয়ঃ সূক্ষ্মাশ্চরত্যাত্মা ন সংশয়ঃ ॥৯১॥
সত্ত্বস্য চ গুণান্ কৃৎস্নান্ রজসশ্চ গুণান্ পুনঃ। গুণাংশ্চ তমসঃ সর্ব্বান্ গুণান্ বুদ্ধেশ্চ ভারত ॥৯২॥
গুণাংশ্চ মনসশ্চাপি নভসশ্চ গুণাংশ্চ সঃ। গুণান্ বায়োশ্চ ধর্ম্মাত্মং স্তেজসশ্চ গুণান্ পুনঃ ॥৯৩॥
অপাং গুণাং স্তস্য পার্থ পার্থিবাংশ্চ গুণানপি। সর্ব্বাণ্যেব গুণৈ ব্যাপ্য ক্ষেত্রজ্ঞেষু যুধিষ্ঠির ॥৯৪॥
মনোঽনুযাতি ক্ষেত্রজ্ঞং কর্ম্মণী চ শুভাশুভে। শিষ্যা ইব মহাত্মানমিন্দ্রিয়াণি চ তং প্রভো ॥৯৫॥
প্রকৃতিং চাপ্যতিক্রম্য গচ্ছত্যাত্মানমব্যয়ম্। পরং নারায়ণাত্মানং নির্দ্বন্দ্বং প্রকৃতেঃ পরম্ ॥৯৬॥
বিমুক্তঃ পুণ্যপাপেভ্যঃ প্রবিষ্টস্তমনাময়ম্। পরমাত্মানমগুণং ন নিবর্ত্ততি ভারত ॥৯৭॥
শিষ্টং তত্র মনস্তাব ইন্দ্রিয়াণি চ ভারত। আগচ্ছন্তি যথাকালং গুরোঃ সন্দেশকারিণঃ ॥৯৮॥

ভরতশাগেগী মুংঙাইনবগী মশক ওইরবা! জাগ্রত অবস্থদা হায়বদি—তুমদনা হৌগত্তুনা তাইবংদা লৈবা মতমদা য়েংবা শোক্‌পা তাবা অদুগুম্না স্বপ্ন বস্থাদসু মাহুগা চংমাম্বনা য়েংব শোক্‌পনাচিংবা থবক্ অদু অদুম মতৌই। হায়রিব আসগী মরুওয়া রা দ— জীব অসিনা মঙদসু বিষয় পূম্নমকপু জাগ্রতাবস্থাদা লৈবা অদুগুম্না অদুম্ভব অদুম মতৌই ॥৮৯॥

অদুদগী সুষুপ্তি অবস্থাদা, হায়বদি— তুম্থুল হুন্থ-। তুম্বগী মতমদা ইন্দ্রিয়শিং অসি বিষয়জ্ঞান পূম্ন-মক্তা করিমত্তা ভৌবা ওমদনা মহু মরৈ য়াওব্রবা লিল্‌গুম্না তুমিম্না হীক্‌থদুনা মাগী মাগী মফমদা লেংদনা লৈথি ॥৯০॥ তুম্থিবৈ — মঙ মঙভিভৈ মতমদা, ইন্দ্রিয়শিং অসি মাগী মাগী মফমদা মখোয়সু তুম্থুল হুন্দ-থিবগুম তুমিন্ তুমিন্ তাদুনা লৈথি মতমাসদ জীবাত্মানা, ইন্দ্রিয়শিং অদুগী গতবু খিংদুনা মথন্ত পীক্লবা বিষয়শিংদা কোয়চং চত্তুনা লৈ। হায়রিবা রাকম অসিদা কামত্তা চংননীংঙাই লৈত্রবানি ॥৯১॥

ভরতনন্দন! ভরতশাগেগী মুংঙাইনবগী মশক ওইরবা যুধিষ্ঠির! পরব্রহ্ম পরমাত্মানা, সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক গুণ অদুসু বুদ্ধি মন (পুক্নীং) আকাশ বায়ু (নুংশিৎ) তেজ (মঙাল, মৈ ঈশিং লৈপাক হায়রবশিং আসিগী গুণ পুম্নমকপু অদুগ মখোয়সি নত্তবা অতৈ পেৎ পুম্নমমকপুসু মশাগী গুণশিং অদুগী পাইবনা শীন্‌থুংনা কুপ্পুনা জীবাত্মাশিং অদুদা শীন্‌থুনা লৈ। নিংথৌ! শিষ্যনা গুরুগী মতুং ইন্দুনা চৎপগুম্, পুক্নীং, ইন্দ্রিয়শিং, অফ ফত্ত কর্ম্মশিং অদুসু জীবাত্মাগী মতুং ইন্দুনা চংলি। জীবাত্মা অসিনা— প্রকৃতি অমদি ইন্দ্রিয়শিংবু লাংহোক্তুনা চৎথিবা মতম অদুমক্তদা জীব অসিনা অমাঙ অতা লৈত্রবা, অদুম ওইবা, নারায়ণগী মশক ওইরবা পরংধাম অদুবু ফংজি। মতম অদুদা জীবাত্মা অসি অনী-থোক্‌পগী রাথল্লগী (মায়াদগী) লাংহোক্‌খি ॥৯২—৯৬॥

ভরতশাগেদা পোক্‌পা নিংথৌ! পাপ-পুণ্যদগী রাংমা লানগ্রবা সাংখ্যযোগীনা মত্তৌ অসুম্না

শক্যং চান্যেন কালেন শান্তিং প্রাপ্তুং গুণার্থিনা। এবমুক্তেন কৌন্তেয় যুক্তজ্ঞানেন মোক্ষিণা ॥৯৯॥
সাংখ্যা রাজন্ মহাপ্রাজ্ঞা গচ্ছন্তি পরমাং গতিম্। জ্ঞানেনানেন কৌন্তেয় তুল্যং জ্ঞানং ন বিদ্যতে ॥১০০॥
অত্র তে সংশয়ো মা ভূজ্জ্ঞানং সাংখ্যং পরং মতম্। অক্ষরং ধ্রুবমেবোক্তং পূর্ণং ব্রহ্ম সনাতনম্ ॥১০১॥
অনাদি মধ্য নিধনং নির্দ্বন্দ্বং কর্ত্তৃ শাশ্বতম্। কূটস্থং চৈব নিত্যং চ যৎ বদন্তি মনীষিণঃ ॥১০২॥
যতঃ সর্ব্বাঃ প্রবর্ত্তন্তে সর্গপ্রলয়বিক্রিয়াঃ। যচ্চ শংসন্তি শাস্ত্রেষু বদন্তি পরমর্ষয়ঃ ॥১০৩॥
সর্ব্বে বিপ্রাশ্চ দেবাশ্চ তথা শমবিদো জনাঃ। ব্রহ্মণ্যং পরমং দেবমনন্তং পরমচ্যুতম্ ॥১০৪॥

লাম্ভোক্পবদা নির্গুণ নির্বিকার ওইরবা, হায়বদি— পীক্পা চাউবনচিংবা গুণশিং অসি মাওব্রবা, মশক হোংবা লৈত্রবা পরমাত্মাদা চঙথি, অদুগা মহাক পোকপা শিবগী সংসারদা অমুক হল্লকথিদ্রে ॥৯৭॥

ভরতনন্দন যুধিষ্ঠির ! মখোই অনুমা জীবন্মুক্ত ওইরবা মী মহাক্ অদুগী আত্মাদি পরমাত্মাদা অদুম্ মতিল্লে। অদুবু নত্তানুঙ্কী মপোক্কী লোইননবকপা কর্ম্মগী মহৈনা হকচাংশিনা লৈরিমখৈদি পুন্নীংগা ইন্দ্রিয়শিংগা মখোয়সিতদি অদুম্ মরৈয়েঙ্কৌরে। গুরুগী মাপংবু ওাক্পা শিষ্যশিংগী মতৌগুম্মা মত চানা হক্কং হন্দা চঞ্জনা লৈ ॥৯৮॥

কুন্তীনন্দন ! ঐনা হায়রিবা অসিগুম্বা জ্ঞান অসিনা তিল্লবা, সংসারগী অন্নানুবা খুত্তমবু পাংজরবা, হুমিংচুম্না আধ্যাত্মিক ওইবা উন্নতি (চাওখৎপা) বু পাল্লিবা মখোয় অসুতনা পরমশান্তিবু ফংদা ওন্মি। কুন্তী কুমার ! নিংথৌ যুধিষ্ঠির ! মহাজ্ঞানী ওইরবা সাংখ্যযোগীশিংতমা অসিগুম্বা অখোইবা গতি অসিতবু ফংবা ওন্মি। হায়রিবা সাংখ্যজ্ঞান অসিতনা অটৈ অতোপ্পা জ্ঞানদগী হেল্লি। মাসিগা মান্নবা জ্ঞান অটৈ অমমুক্ লৈদ্রে ॥১০০॥

সাংখ্যজ্ঞাননা খ্রাইনগী অখোইবা জ্ঞাননি হায়না খঙনল্লে। হায়রিবা বিষয় অসিদা চিংনকম করিমত্তা লৈতে। হায়রিবা সাংখ্যজ্ঞান (সাংখ্যযোগ) অসিগী মনুংদা লেংদ্রবা অমাং অংগা লৈত্রবা ব্রহ্মগী তত্ত্ববু ফাম্না কুপ্না শংন্দোক্লে [illegible]॥

হায়রিবা ব্রহ্ম অসিগীদি অহৌবা, মরক্, অরোইব লৈতবা, অনীথোক্লা লৈতবা (অনীথোক্লা লৈবগী মাংমদা লেবা), জগৎ পূম্নমক্কী হৌ ফকম ওইবা, অমমাংবৈদগী লেঙদনা লৈরক্ত্তুনা অমতুং ফাওবা লেঙদনা হোংনবা অদুম্ মরৈশ্রগাদৌবা, খ্বাইনা থৌবা জন্মে ইদৌবা অন্নাংবা মত্তোন্দা লৈশ্রবা, অদুগা লৈথোকশ্রবা থোম্ক্তিক্লংরগ উকায় কায়দন অম্ লৈরগদবা অদুগুম্বা ব্রহ্মনি হায়না মহাজ্ঞানীশিংনা হায়নৈ। বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিগী হৌরকপা, লোইশিন্নখিবা মশক হোংদোক্ হোংক্রিন্ তৌরিবা, অসি পূম্নমক মত্তোন্দগী ভাক্ত থোকখিবনি মহর্ষিশিংনা মাগী মাগী শাস্ত্রদা ব্রহ্ম কৌবা মহাক্কী মরুমদত্তা নৈনরি ভাঙনরি ॥১০২—১০৩॥ জাতনৈরবা ব্রাহ্মণশিংনা, দেবতাশিংনা, শান্তিবু পাম্বা মীশিংনা, মপাম্নাইদ্রবা মত্তোন্দগী কনিগুম্বা শরাক অমতা নাম্বিহন্খিবা মারবোংদৌবা, ব্রহ্মজ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংগী ফননবতা খল্লবা, তৌরবা, অদুগুম্বা

আর্থরূপশ্চ তং বিপ্রা বদন্তি গুণবুদ্ধয়ঃ। সম্যগুক্তাস্তথা যোগাঃ সংখ্যাশ্চমিতদর্শনাঃ ॥১০৫॥
অমূর্ত্তেস্তস্য কৌন্তেয় সাংখ্যং মূর্ত্তিরিতি শ্রুতিঃ। অভিজ্ঞানানি তস্যাহুর্মতং হি ভরতর্ষভ ॥১০৬॥
দ্বিবিধানীহ ভূতানি পৃথিব্যাং পৃথিবীপতে। জঙ্গমাগমসংজ্ঞানি জঙ্গমং তু বিশিষ্যতে ॥ ০৭॥
জ্ঞানং মহৎ যদ্ধি মহৎসু রাজন্ বেদেষু সাংখ্যেষু তথৈব যোগে।
যচ্চাপি দৃষ্টং বিবিধং পুরাণে সংখ্যাগতং তন্নিখিলং নরেন্দ্র ॥১০৮॥
যচ্চেতিহাসেষু মহৎসু দৃষ্টং যচ্চার্থশাস্ত্রে নৃপ শিষ্টজুষ্টে।

পরংব্রহ্ম পরমাত্মা মহাক্কী স্তুতিবু অতৎ অথম লৈতনা তৌনরি। মহাক্কী গুণশিংবু থম্নতন লৈরি. মগুণশিং অচুবু থার থারতুনা কীর্ত্তন তৌরি (শরুরি)। সিদ্ধ ওইরবা মহাপুরুষশিংনা অচুগা সাংখ যোগী কাওবনা মহাক্কী মগুণবু শক্ শোম্নরিবনি ॥১০৪—১০২॥

কুন্তীগী মচা নিংথৌ যুধিষ্ঠির! ভগওা থংনঞ্জবা অসিগুম্বা না অমসু লৈ, মাচুদি— সাংখ্যশাস্ত্র হায়বসিমক্ নিরাকার পরমাত্মাগী মংক মওংনি। ভরতশাংগৈগী অথোইবা। সংসারগী মনুংদা হেক্ লৈনরিবা লোইনরিবা জ্ঞানমখৈ সাংখ্যশাস্ত্রগী মগুণবু ফোঙদোক্পা অমদি ব্যাখ্যান তৌবা মক্তনি ॥১০৬॥

লৈপাক্কী মপু! অচৎপা চত্তবা হায়বা জীব অনীসিগী মনুংদা চত্তবা জীবদগী অচৎ। জীবনা হেল্লি ॥১০৭॥ নিংথৌ! মহাত্মা ওইরবা, জ্ঞানী ওইরবা মীশিংদা লৈরিবা জ্ঞান পুম্ব, বেদশিংদা, বেদান্ত-দর্শনশাস্ত্রশিংদা লৈরিবা ইরিবা জ্ঞানমখৈ, যোগশাস্ত্রশিংদা পুরাণগ্রন্থশিংদা ইরিবা জ্ঞানমখৈ, অসি নত্তবা তাইবংমীগী মপাদা হেক্ লৈরিবা অফবা জ্ঞান পুম্নমক সাংখ্যজ্ঞানদগী লাকপা মক্তনি ॥১০৮॥ *

মহাত্মা ওইরবা নিংথৌ। অচৌ অগৌবা ইতিহাসকী লাইরিকশিংদা, জ্ঞানীশিংনা লৌন-য়ানরিবা অর্থ-

* হায়রিবা আসগী ভাবতি— সাংখ্যশাস্ত্রনা নৈনরিবাস গুণ কুম্নরিগী মা-তনি। কায়নবা তিম্নবা— (সংযোগ-বিভাগ) হায়বা অনী থোকপগী তত্ত্ব অসিবুনি সাংখ্যশাস্ত্রন মক ওইন নৈনরিবসি। কনাগুম্বনা অমনা থল্লিবা মাথল অসিমক কায়নবা তিম্নবা হায়বা অনী থোকপগী মাথলদগী ভাক্তনি। থুদম ওইনা হায়রবগা— কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা অমা হায়রক্লিবা, থিরক্লিবা, পীরক্লিবা পোৎ অমত্ত হায়া লৈরম্লিবা হায়রবা, থিত্রবা লৈত্রবা পীত্রবা অমদগী তোঙানবনি হায়না খল্লুনা হায়রক্লিবনি থিরক্লিবনি, পীরক্লিবনি। হেক্ ভাঙলিবা শক্লিবা মখৈ অসি ভাক্তনি। "ঈশ্বর লৈতে" হায়রিবা অসি "ঈশ্বর লৈ" হায়বা অচুদগী তোঙানবা মত অমা তাহন্নক্পতনি পীরক্পতনি। "লৈতে" হায়বা অসি "লৈ" হায়রিবনি হায়না খল্লবদি— 'লৈতে' হায়না অমুক হায়রম্মরোইদৌবনি। চখোম্ অমা থাজৎলক্লিবা অমত্ত ভসাইগী অহানবা চঙ্গামত্তুনি হায়রবদি অতোপ্পা চখোম্ অমা থাজৎলরোইদৌবনি। অচুনা, হেক্ লৈরিবা জ্ঞানকর্ম্মমখৈ— সাংখ্যজ্ঞান সাংখ্যকর্ম্ম মক্তনি।　　(কালাচাঁদ)

জ্ঞানং চ লোকে যদিহাস্তি কিঞ্চিৎ সাংখ্যাগতং তচ্চ মহন্মহাত্মন্ ॥১০৯॥
শমশ্চ দৃষ্টঃ পরমং বলং চ জ্ঞানং চ সূক্ষ্মং চ যথাবদুক্তম্ ।
তপাংসি সূক্ষ্মাণি সুখানি চৈব সাংখ্যে যথাবৎ বিহিতানি রাজন্ ॥১১০॥
বিপর্য্যয়ে তস্য হি পার্থ দেবান্ গচ্ছন্তি সাংখ্যাঃ সততং সুখেন ।
তাংশ্চানুসংচার্য্য ততঃ কৃতার্থাঃ পতন্তি বিপ্রেষু নতেষু ভূয়ঃ ॥১১॥
হিত্বা চ দেহং প্রবিশন্তি দেহং দিবৌকসো দ্যামিব পার্থ সাংখ্যাম্ ।
অতোঽধিকং তেঽভিরতা মহার্হে সাংখ্যে দ্বিজাঃ পার্থিবশিষ্টজুষ্টে ॥১২॥
তেষাং ন তির্য্যগ্ গমনং হি দৃষ্টং নার্ব্বাগ্ গতিঃ পাপকৃতাধিবাসঃ ।
ন বা প্রধানা অপি দ্বিজাতয়ো যে জ্ঞানমেতন্নৃপতেঽনুরক্তাঃ ॥১৩॥
সাংখ্যং বিশালং পরমং পুরাণং মহার্ণবং বিমলমুদারকান্তম্ ।

শাস্ত্রদা অসিত্ত নত্তনা হেক্ ফংনরিবা জ্ঞান বিজ্ঞান পুম্নমক্ত। য়াওরিবা, লৌননীংঙায় ওইবা জ্ঞান পুম্নমক অসে সাংখ্যযোগতগী ফংখিবা ওাকুনি ॥ ০৯॥ নিংথৌ যুধিষ্ঠির। প্রত্যক্ষ ওইনা লৈরিবা পুক্নীং অমদি ইন্দ্রিয়শিং অসিগী থুহুমচন্বগী, থাইদগী হেনবা অপোইবা পাঙ্গলগী, কুপথবা জ্ঞানগী, মঙুংদা মুংঙাইদ-ত পীনহৈরবা অহুগুম্বা কুপ্লবা তপস্যাগী অকুপ্প রা পুম্নমক সাংখ্যশাস্ত্রদা লোইনা হত্না লৈরবনি ॥১১০॥

কুন্তীগী মচা, নিংথৌ যুধিষ্ঠির! সাংখ্যযোগগী সাধনদা আদুগা সাংখ্যশাস্ত্রনা নৈনক্করগা করিগুম্বা অকায়বা অয়াংপা অমা লৈবদগী মপুংফান লৌগৌক্রবম্ব থরা ফংহৌবা সাংখ্যজ্ঞান অহুনা সাধক ওইরিবা মী মহাক অহুব্ স্বর্গদা পুহুনা চংলি অহুগুম্বা মী অতুনা দেবলোকতা দেবতাশিংগা চপ মান্নমা অধিকার ফংহুনা পোকপগী মতৌ য়াল্লি। স্বর্গদা ফংলিবা ভোগ অহু চাবা হেক্ লোইবগা মর্ত্ত্যলোক অসিদা কুমুথ-রক্তুনা যাগ যজ্ঞদা পুক্নীং চঙবা, ব্রাহ্মণশিংগী ঈমুংদা অমুক পোকুলৈ ॥ ১১॥

পৃথা (কুন্তী) গী পার্থ! যুধিষ্ঠির! সাংখ্যজ্ঞানী, সাংখ্যযোগ (সাংখ্যশাস্ত্র) গী তত্ত্বব্ মুম্ন থওলবা অহুগুম্বা মী মহাক অহুদি হকচাং অসি থাদাকুনা চংগ্রগা স্বর্গগী দেবতাশিংনা মাগী মাগী লৈফম (মঙ্গম) দা চংখিবহুগুম্না, মাগীদমক্তা শেন শাক্তুনা থক্লিগা স্বর্গগী য়ুম অহুদা চংখি। নিংথৌ! জ্ঞানী মহাত্মাশিং অহুনা চংনখিবা সাংখ্যমার্গ অহুদা, ব্রাহ্মণশিংনা য়াম্না পামজনা হৈনিংনা চংনরি ॥১১২॥

অহুগা, লৈপাক্কী মপু! নিংথৌ! অসিগুম্বা সাংখ্যমার্গদা চংলিবা ব্রাহ্মণ অহুক্তবুম্ন "অথোইবা ব্রাহ্মণনি" হায়না লৌনৈ অহুগুম্বা সাংখ্যজ্ঞানীশিং অহুদি শিরবা তুংদা শা উচেককচিংবা অতোবগী মপোক্তা থক্ পোক্লুত্রে। মথোয়গী মংদা অমতংতদি শাগী মপোক্তা পোকৃপি হায়বসি তাবা উবা লৈতে। মথোয়হুগী মঙুংদা লৈখা তাবা নরকনচিংবা মফমদা, অহুগা, মহা কষ্টরবা চণ্ডালনচিংবগী পরিবারদা চঙহুনা চঙহনা পোক্পুত্রে ॥১১৩॥ সাংখ্যগী জ্ঞান অসিদি য়াম্না পাক্ চাউরবা, য়াম্নহু কুইরবা লম্বী অমনি।

কৃৎস্নং চ সাংখ্যং নৃপতে মহাত্মা নারায়ণো ধারয়তেঽপ্রমেয়ম্ ॥১১৪॥

সাংখ্য কৌবা জ্ঞান অসিদি মহাসমুদ্রগী মতৌগুম্না লেম্নবা লূম্নবা লুরবা জ্ঞানমার্গ অমনি। পাক্-চাউরবা মক্ত্রবা নোংমদোন মকোয়গুম্বনি। অতোপ অতোপ্পা শাস্ত্রজ্ঞান পূম্নমকপূ লোইশিন্ খোমজিনবিবা পূকচেল চাউরবা জ্ঞানগী শরক অমনি। অদুগা, মাম্নবু নীংথিজরবা কজরবা জ্ঞানগী শরক অমনি। নিংথৌ! ভগবান্ পরমাত্মা নারায়ণনা অসিগুম্বা পাক্-চাউরবা জ্ঞান অসিবু মপূংফানা পুদুনা লৈরি ॥১১৪॥ *

---

* সাংখ্যজ্ঞান হায়বসিগী মরমদা অদুক য়াম্না হাযরিবসিগী মরমদি — সংসারদা লৈরিবা পোৎ খুদিংমক জ্ঞান খণ্ডদে, কর্ম্ম খণ্ডদে, গুণ খণ্ডদে, অডবা উদবা পোৎ খণ্ডদে; লৈরম্ উরমদবদগী লৈরকপা উরকপা মক্তনি। লৈতে উদে হায়রিবসিদু লৈগদবা উগদবা ওাক্তনি। পুক্নীংদা করিমতা লৈরমদবা রাখল অদু খুদক্তা পোক্লক্লি লৈরক্লি। ওহাক্ত ওায়রে অমুক মূংথিদোবা। অদুদু মূংথিবা লৈথিদবা নত্তে, মওং মমিং অমা লৌদুনা মা মশামক্তা অমুক চোংথোরকপনি। চৎপা মতমদা "ঐ চৎলি" হায়। চৎপদু তোক্তুনা কম্বা মতমদা "ঐ কম্লি" হায়। চৎপদু কম্বদু হায়না লৈরম্বা অমতা নত্তে। ঐ চৎলি হায়বা রাখল অমদি থবক অদুনা ঐ কম্লি হায়বা মওংগা মমিংগা অনী অসি অমুক লৌরকপতনি। মাসিগী ভাব অসিদা— গীতানা হায়রিবদুনি সাংখ্যযোগদা— রাব মতমদা সুংঙাইবা কৌবদুনা অরাবা হায়বা মিংসি পুদুনা লৈবতনি। অদুনা অরাবদুদু সুংঙাইবা মামক্লি, মহাক্তা পুরিবা শক্তোন্নি। কায়নরিবদো তিম্নরিবনি, তিম্নরিবদো কায়নরিবনি। কায়নবা—তিম্নবা নত্তে, কায়নবোই তিম্নবোই উবতনি। নত্তবদু মানি হায়না উরিবসিবুনি মায়া হায়রিবনি। অসিগুম্বা মায়াসিবু থাদোক্কে হায়না খন্দুনা থাদোকপা তম্লিবনিকো হায়দুনা অচম্বা সন্ন্যাসী অমনা থক্ খণ্ডদে। অদুনা মহাক্তা থাদোক্কে হায়না থম্লিবদু খণ্ডবতনি, থাদোকপা নত্তে। শক্কা মিংগা অনীতগী ওম্হোক্ ওন্শিম্নি। বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসি অনীসিগী মূর্ত্তিনি। অসিগুম্বা মূর্ত্তিসিবু ভগবানন্না পুরি। ঈশিংনা 'কোঙ্গোল' হায়বা মিং অংগা 'কোঙ্গোলগী মওং' গা ওহাক্তং পুরম্নগা লৈখিদে। অচবু লৈখিদবা নত্তে, হাম্নগী "ঈশিং" কৌবা মিং অদু অমুক পুদুনা লৈরি। কোঙ্গোলগী মওং অদুদি তাকপা ওমগনি। ঈশিংগী মওংদি তাকপা কনানসু ওম্মোই। তাকপা য়াবা মওংগী পোৎ অমদা হাপ-চিল্লবদি তাকপা ওমগনি — য়াগনি। অদুগা তাক্লিবা উরিবদুদু নত্তে, হায়জিন্নবনি— মিথ্যানি। অদুবুনি "জগৎ মিথ্যা" হায়রিবসি। অদুনদি সন্ন্যাসী অমনা মযুম থাদোক্তুনা চৎলে হায়না থম্লিবসিদু মিথ্যানি। অদুনা গীতানা হায়রি,— "মিথ্যাচার স উচ্যতে"। অসিগুম্বা জ্ঞান অসিবু সাংখ্যজ্ঞান কৌই। মাসিবু কপিল ভগবানন্না পুথোকপিরম্মি। অদুনা, লৈ হায়রিবসিদু মিথ্যাজ্ঞাননি। লৈতে হায়রিবসিদু মিথ্যানি। অদুম্বদি জ্ঞান অদুতনি। মিথ্যা অমিথ্যা অনীমক্ জ্ঞান হায়বদুদা থোম্জিল্লকপা বিশেষণনি। অদুনা বেদান্তদা হায়রিবদুনি,— "সত্যং জ্ঞানম্ অনন্তং ব্রহ্ম।" লৈব-লৈতবা অনীদগী রাংমদা লৈবা ঈশ্বরদুবু

এতন্ময়োক্তং নরদেব তত্ত্বং নারায়ণো বিশ্বমিদং পুরাণম্।
সর্গকালে চ করোতি সর্গং সংহারকালে চ তদত্তি ভূয়ঃ ॥১৫॥
সংহৃত্য সর্ব্বং নিজদেহসংস্থং কৃত্বাপ্সু শেতে জগদন্তরাত্মা ॥১৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
সাংখ্যকথনে ষন্নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯৬॥

——:(✢):——

পৃথাগী মচা! যুধিষ্ঠির! সাংখ্যগী তত্ত্ব অদো ঐনা নঙোন্দা হায়রবনি। অন্থম ওইবা পুরাতন ওইরবা— কুইরবা, উরিবা বিশ্বজগৎ অসিগী মশক ওইবা ভগবান্ নারায়ণনা মখম পূন্নমক্তা তাম্থোইদুনা লৈরে। সৃষ্টিগী মতমদা মহাক্না বিশ্বজগৎ মপূম্ অসিবু মঙোন্দগী মরী মরী পুথোরকই। প্রলয়গী মতমদা অমুক পূন্নমক অসিবু মহাক্না মশা মথন্তগী হকচাংন্নুংদা চিংশিনহনখি। জগৎ পূন্নমক মহাক্কী হকচাংন্নুংদা থম্লুনা, জগৎ পুম্বগী অন্তরাত্মা ওইরবা শ্রীভগবান্ নারায়ণনা ঈশিংতগী মশক ওইরবা সমুদ্রদা যোগ-নিদ্রাদা তুম্লুনা লৈরি ॥১১৫—১১৬॥

মখম অসিদা, শ্রীমহাভারতদা, শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা
শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনী-মরিফুতরাতককুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৬॥

——:(✢):——

লৈ-লৈতে হায়না য়েৎনরিবা অনীমক মিথ্যাজ্ঞাননি, মিথ্যাজ্ঞানীনি। ঈশ্বরদি সদসংপন্ন নি। হায়বদি— সৎ (লৈব) দগীস্থ রাংমদনি। অসৎ (লৈতব) দগীস্থ রাংমদনি। মতাং অসিদা আধিভৌতিক নাস্তিক অদুগা মশক মওং তোঙাল তোঙান্ পুথোক্লিংবা বৈজ্ঞানিক অমনা অসুম্না য়েৎলকপা য়াই,— "অনাবঃ মীনা নাজবনি হায়না থন্দোকুনা হীদাক্ চাদনা লৈগদ্রা? অনাবা সাংখ্যযোগী মহাকন্থু লায়েংশঙদা হীদাক্ থিবা লায়েংবা অদুম্ মরাক্ই।" মাসিদা থুমগদবদি— থাঙ্গেশেংবা সাংখ্যযোগী ওইংন্নবদি মহাক নারন্নোই-দৌবনি, শিনিংদবা, শিব কিবা মীশক অমস্থু ওইরন্নোইদৌবনি। অদুমকপু যোগ জ্ঞান পূন্নমক্কী মপান্গী থুংলায়দি হকচাং অসিনা মওইরিবনিনা, থুংলায় অসিনা তেক্লক্লবদি— থোরক্ত্রবদি শেমজিনক্কম থোক্ই; হায়না থন্দুনা অন্না অনা পুম্বা তিতিক্ষা (সাংখ্যযোগ, গীতা) তৌদুনা, থাওদুনা থুংলায় শেম্কম্ লায়েং-শঙদা লাকপনি হায়না মরক্কী সাংখ্যযোগীনা নাদববু অমাবনি মতম থরগীদমক থন্দোকুনা হীদাক্-শঙ্ তাম্না চৎপদা থক্ কায়বা লৈতে। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(বশিষ্ঠগা করালজনকগা অনীগী সংবাদ)

চনীগা মরিফুতরাতরেৎশুবা অধ্যায়

——:(+):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিং তদক্ষরমিত্যুক্তং যস্মান্নাবর্ত্ততে পুনঃ। কিং চেতৎক্ষরমিত্যুক্তং যস্মাদাবর্ত্ততে পুনঃ ॥১॥

অক্ষরক্ষরয়োর্ব্যক্তিং পৃচ্ছাম্যরিনিষূদন। উপলব্ধুং মহাবাহো তত্ত্বেন কুরুনন্দন ॥২॥

ত্বং হি জ্ঞাননিধির্বিপ্রৈরুচ্যসে বেদপারগৈঃ। ঋষিভিশ্চ মহাভাগৈর্যতিভিশ্চ মহাত্মভিঃ ॥৩॥

শেষমল্পং দিনানাং তে দক্ষিণায়ন ভাস্করে। আবৃত্তে ভগবত্যর্কে গন্তাসি পরমাং গতিম্ ॥৪॥

ত্বয়ি প্রতিগতে শ্রেয়ঃ কুতঃ শ্রোষ্যামহে বয়ম্। কুরুবংশপ্রদীপস্ত্বং জ্ঞানদীপেন দীপ্যসে ॥৫॥

তদেতচ্ছ্রোতুমিচ্ছামি ত্বত্ত কুরুকুলোদ্ভব। ন তৃপ্যামীহ রাজেন্দ্র শৃণ্বন্নমৃতানীদৃশম্ ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হংঙি,— ঈবুধো! অক্ষরতত্ত্ব হায়রিমসিবু করিনো? হায়রবা অক্ষরতত্ত্ব অসি কংল খঙলবদি সংসার অসিদা অমুক হল্লকত্রে হায়বিরি। অদুগা ক্ষর হায়রিবা পোৎশক্ অসিনা করিনো? মাসিগী মতুংইন্না চংলবদি সংসারদা অমুক হল্লকই হায়না ঈবুধোনা তাক্পিরি ॥ ॥ য়েক্লবা ওস্থা, অকন্বা ঈবুধো! কুরুশাগৈগী মুংঙাইনবগী মংক ওইরবা! ক্ষর অক্ষর অনীসিগী চপচাবা তত্ত্ব অদু খঙজনীংদুনা ঐনা ঈবুধোদা হংজবনি ॥২॥ বেদজ্ঞান-ঈপাক্পু লাম্লোকপ্রবা বিদ্বান্ ওইরবা ব্রাহ্মণ, মহাত্মা ওইরবা ঋষিশিংনা ঈবুধোবু জ্ঞানগী ভুংনকম ঈপাকুনি হায়নৈ ॥৩॥ ঈবুধোনা দক্ষিণায়নদা লৈবিগদবসে হুমিং থজিক্ত মঙাইরে। সূর্য্য ভগবান্না উত্তরায়নদা হেক্ চঙঙকপদা ঈবুধোদি পরমধামদা য়ৌবিগ্রগদবনি ॥৪॥ ঈবুধোনা অতগুম্বা স্বধামদা লেঙবিগ্রবদা ঐখোয়দি অসিগুম্বা মমল য়াম্নবা য়াসে কনাগী মচীন্দগী তাজহৌগনি? ঈবুধোদি কুরুশাগৈগী ঊংলবা মৃৎলয়োইদোবা থাউমৈনি। মখুং মপান্ অনীমক্তা জ্ঞানগী মৈগী মঙাল্না পুম্নং লংনা চক্কুপ ভান্দুনা লৈবিরবনি ॥৫॥ অদুনা, কুরুশাগৈগী লুচিংবা! নিংথৌ পুম্নমকী নিংথৌ! হংজরিব্য পুম্নসে ঐ ঈবুধোগী মকমদগী তাজহৌগে! অমৃতগী মশক ওইরবা জ্ঞানগী পাউতাক্শিং অসি তাবদা পেঙজরি ॥৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি ইতিহাসং পুরাতনম্। বসিষ্ঠস্য চ সংবাদং করালজনকস্য চ ॥৭॥
বসিষ্ঠং শ্রেষ্ঠমাসীনমৃষীণাং ভাস্করদ্যুতিম্। প্রপচ্ছ জনকো রাজা জ্ঞানং নৈশ্রেয়সং পরম্ ॥৮॥
পরমধ্যাত্মকুশলমধ্যাত্মগতিনিশ্চয়ম্। মৈত্রাবরুণিমাসীনমভিবাদ্য কৃতাঞ্জলিঃ ॥৯॥
স্বক্ষরং প্রশ্রিতং বাক্যং মধুরং চাপ্যনুল্বনম্। প্রপচ্ছর্ষিবরং রাজা করালজনকঃ পুরা ॥১০॥
ভগবঞ্ছ্রোতুমিচ্ছামি পরংব্রহ্ম সনাতনম্। যস্মান্ন পুনরাবৃত্তিমাপ্নুবন্তি মনীষিণঃ ॥১১॥
যচ্চ তৎক্ষরমিত্যুক্তং যত্রেদং ক্ষরতে জগৎ। যচ্চাক্ষরমিতি প্রোক্তং শিবং ক্ষেমমনাময়ম্ ॥১২॥

বসিষ্ঠ উবাচ।

শ্রূয়তাং পৃথিবীপাল ক্ষরতীদং যথা জগৎ। যন্ন ক্ষরতি পূর্ব্বেণ যাবৎ কালেন বাপ্যথ ॥১৩॥
যুগং দ্বাদশসাহস্রং কল্পং বিদ্ধি চতুর্যুগম্। দশকল্পশতাবৃতমহস্তৎ ব্রাহ্মমুচ্যতে ॥১৪॥

ভীষ্মনা হায়;— যুধিষ্ঠির! নহাক্না হংলিবা বিষয় অসিদা, মমাংঙৈদা বসিষ্ঠগা করালজনক নিংথৌগা অনীগী মবক্তা থোকখিবা সংবাদ (শানখিবা. তানখিব' ৱাফম) অদু ঐ নঙোন্দা অমুক হায়গে ॥৭॥

নোংমগী ৱানি। ঋষিশিংগী মনুংদা মুমিংকী মতৌগুম্না, জ্ঞানতেজনা মনুং মপান পূমলং লংলবা বসিষ্ঠ মুনি অসি মখাকী আশ্রমদা ফমদুনা লৈ। মতম অদুদা, মফম অদুদা নিংথৌ করাল জনক অসি লাকুনা মহাক্কী হংনীংবা ৱা, থঙনীংবা ৱাফম শরা পুনশিদা মঙলগী মশক ওইরবা জ্ঞানগী শরুক থরা, বসিষ্ঠগী মফমদা হংখি ॥৮॥

মিত্রাবরুণগী মচা বসিষ্ঠ অসি আধ্যাত্মিক ওইবা বিষয়গী মরমদা ওংঙবা তাকপদ য়াম্না চঙ্খোনবা জ্ঞানী মুনি অমনি। অধ্যাত্মজ্ঞানদা মশাগী সিদ্ধান্ত অমা থম্লবা মুনি অমনি। বসিষ্ঠ অসি হান্নগী মাগী আসন অমগী মথক্তা ফমদুনা লৈ। মতমদুমক্তদা করাল জনক কৌবা নিংথৌ অসি লাকুনা মখুৎ অনী লোম্নদুনা, য়াম্না নোল্লুক্না কৃতর্ক য়াওদবা নীঙথিজরবা ময়েক্ লাৱবা খোম্লোক্না অমুম্না হংঙকুই ॥৯—১০॥

ভগবন্! জ্ঞানী ওইবশিংনা মাবু থঙলবা তুংদা মঙোন্দগী অমুক সংসারসিদা হল্লকত্রবা অদুম ওইবা সনাতন ওইবা, মফম মতম পুম্নদা লেঙদনা লৈরবা, পরব্রহ্ম কৌবা মহাক্কী স্বরূপ (থাজেশেংবা মঙং মশক) পু মুম্ন থঙজনীংঙি, তাজনীংঙি ॥১১॥ ক্ষর হায়রিবা মহাক্কী মরমদসু খর তাজনীঙিঙ। জগৎসিনা মঙোন্দা থুপাপ্রবা, অদুগুম্বা অক্ষর হায়না থঙনরিবা মশক মঙং হোংবা মাঙবা লৈতবা, জগৎকী মঙলগী মশক ওইবা পরংব্রহ্ম মহাক্কী মরমদসু খর তাজনীঙিঙ থঙজনীঙিঙ ॥১২॥

বসিষ্ঠনা হায়,— লৈপাক্কী মপু! মতৌ করম্না অদুগা কৱিগী জগৎ অসিগী ক্ষয় (পরিবর্ত্তন) ওইরিবা অদুগী ৱাম্নু, অদুগা কৱিগুম্বা মফম মতমদা মাগী মাঙবা মশক হোংবা লৈতবা অদুগুম্বা অক্ষরগী ৱা অদুসু ঐ হায়গে, মুম্ন তাও ॥১৩॥ দেবতাশিংগীদি চহী লিশিং তরানীথোইনা চতুর্যুগ (সত্য, ত্রেতা,

রাত্রিশ্চৈতাবতী রাজন্ যস্যান্তে প্রতিবুধ্যতে। সৃজত্যনন্তকর্ম্মাণং মহান্তং ভূতমগ্রজম্ ॥১৫॥
মূর্ত্তিমন্তমমূর্ত্তাত্মা বিশ্বং শম্ভুঃ স্বয়ম্ভুবঃ। অণিমা লঘিমা প্রাপ্তিরীশানং জ্যোতিরব্যয়ম্ ॥১৬॥
সর্ব্বতঃ পাণিপাদং তৎ সর্ব্বতোঽক্ষিশিরোমুখম্। সর্ব্বতঃ শ্রুতিমল্লোকে সর্ব্বমাবৃত্যতিষ্ঠতি ॥১৭॥
হিরণ্যগর্ভো ভগবানেষ বুদ্ধিরিতি স্মৃতঃ। মহানিতি চ যোগেষু বিরিঞ্চিরিতি চাপ্যজঃ ॥১৮॥
সাংখ্যে চ পঠ্যতে শাস্ত্রে নামভির্বহুধাত্মকঃ। বিচিত্ররূপো বিশ্বাত্মা একাক্ষর ইতি স্মৃতঃ ॥১৯॥
বৃতং নৈকাত্মকং যেন কৃতং ত্রৈলোক্যমাত্মনা। তথৈব বহুরূপত্বাৎ বিশ্বরূপ ইতি স্মৃতঃ ॥২০॥
এষ বৈ বিক্রিয়াপন্নঃ সৃজত্যাত্মমমাত্মনা। অহঙ্কারং মহাতেজাঃ প্রজাপতিমহংকৃতম্ ॥২১॥
অব্যক্তাৎ ব্যক্তমাপন্নং বিদ্যাসর্গং বদন্তি তম্। মহান্তং চাপ্যহঙ্কারমবিদ্যাসর্গমেব চ ॥২২॥

দ্বাপর, কলি) অমা শাই। যুগ মরিসিগী পূল্লপ অমবু কল্প হায়বদি মহাযুগ অমা শাই। অসিগী মহা যুগ লিশিং অমনা ব্রহ্মাগী নোংমা শাই ॥১৩—১৪॥

নিংথৌ! অয়ুক মুংখিলগী শরক্তা চহী অসুক য়াম্না চত্তবা অহুপঃ অহিংগী শরকস্থ চডিও। হায়রিবা অসিগুম্বদা অহিং অমা চুপ্পা চেপ্পুরবা তুংদা ব্রহ্মানা হেক্ মীকপ থোকই। লোইবা খম্বা নাইররোইদোবা কর্ম্মনা মাগী ওইবা ব্রহ্মানা খ্বাইগী ঈহান্ হান্না পোকই। পোকপা শিব নাইবা অচচ্ছন্ত পূম্নমক্কী ঈহান হান্বা হৌফম্মনি। অউবা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিমক্, মত্তোন্দগী লোইনা থোকখিবনি, মামকী মশক্কি। মহাক্কি অণিমা, গরিমা, লঘিমা, প্রাপ্তিনচিংবা সিদ্ধি নিপানবু, অদুগা ঐশ্বর্য্য পুম্ববুস্থ শাসন তৌরিবদি মহাক্কি। মহামঙ্গলগী মশক ওইবা নিরাকার পরমাত্মা মহাক্কনা ব্রহ্ম প্রজাপতিসিগী সৃষ্টি তৌই। পরমাত্মা মহাক্কি জ্যোতির্ম্ময় (মঙাল্তগী মশক ওইবা) নি। মশা মপম্বা থোক্চরকপনি, অমাও অতা লৈত্রবনি। মফম পূম্নমক্তা মায়গৈ পূম্নমক্তা মহাকী খোঙগী খোঙ মক্তনি, খুৎকী খুৎ মক্তনি। মীৎ নাকোং মক্তনা জগৎ পূম্বা শীন্থুংনা লৈরিবনি। অত্তনা বিশ্বব্রহ্মাণ্ডসি মা মথক্তনা শীনথুংনা লৈরিবনি ॥১৫—১৭॥

পরমেশ্বর পরমাত্মাদগী থোরকপসি ঈহান্ হান্বদা হিরণ্যগর্ভনি। অমরোমদা হায়রগা মহাকপু বুদ্ধি' হায়নস্থ কৌমৈ, খঙনৈ। যোগশাস্ত্রদা মহাকপু 'মহান্' অস্থম হায়নস্থ কৌনৈ, খঙনৈ। বিরিঞ্চি অদুগা অজ হায়না কৌনরিবসিস্থ হিরণ্যগর্ভ মহাকপুনি ॥১৮॥

মমিং মওং তোঙান্ তোঙান্না পুম্নিবা হিরণ্যগর্ভ হায়বসি ব্রহ্মাগী সাংখ্যযোগশাস্ত্রদা লৈরিবনি। মহাক অসিবু তোঙান্ তোঙান্বা মশক পুঙম্বা, বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিগী অমতা ওইবা আত্মা, অদুগা অমাঙ অতা লৈতবা হায়বস্থ মশা মথক্তনা ওইওম্বনি হায়নৈ। মশীং লাকওমদবা জীবজন্তু কয়া কয়াগী তুংনকম ওইরবা মরোল অহুম অসি মহাক্তনা শেম্মি। অদুগা মহাক মশা মথন্তনা ময়াম্ অসিবু শীনথুংবা কুপ্পুনা লৈ। মথন্তনা রূপ (মশক মওং) ময়াম অসি পুত্থনা লৈ হায়বগীদমক বিশ্বরূপ হায়বদি বিশ্বজগৎ অসিগী অমতা ওইবা মশক্নি হায়নৈ ॥১৯—২০॥ মহাতেজ কন্নবা ভগবান্ হিরণ্যগর্ভ হায়বসিনা মহাক মশা মথন্তনা বিকার

অবিধিশ্চ বিধিশ্চৈব সমুৎপন্নৌ তথৈকতঃ। বিদ্যাবিদ্যেতি বিখ্যাতে শ্রুতিশাস্ত্রার্থচিন্তকৈঃ ॥২৩॥
ভূতসর্গমহঙ্কারাৎ তৃতীয়ং বিদ্ধি পার্থিব। অহঙ্কারেষু সর্ব্বেষু চতুর্থং বিদ্ধি বৈকৃতম্ ॥২৪॥
বায়ুর্জ্যোতিরথাকাশমাপোঽথ পৃথিবী তথা। শব্দঃ স্পর্শশ্চ রূপং চ রসোগন্ধস্তথৈব ॥২৫॥
এবং যুগপদুৎপন্নং দশবর্গমসংশয়ম্। পঞ্চমং বিদ্ধি রাজেন্দ্র ভৌতিকং সর্গমর্থবৎ ॥২৬॥
শ্রোত্রং ত্বক্‌চৈব চক্ষুষী জিহ্বা ঘ্রাণমেব পঞ্চমম্। বাক্ চ হস্তৌ চ পাদৌ চ পায়ুর্মেঢ্রং তথৈব চ ॥২৭॥
বুদ্ধীন্দ্রিয়াণি চৈতানি তথা কর্ম্মেন্দ্রিয়াণি চ। সম্ভূতানীহ যুগপন্মনসা সহ পার্থিব ॥২৮॥
এষা তত্ত্বচতুর্বিংশা সর্ব্বাকৃতিষু বর্ত্ততে। যাং জ্ঞাত্বা নাভিশোচন্তি ব্রাহ্মণা তত্ত্বদর্শিনঃ ॥২৯॥
এতদ্দেহং সমাখ্যাতং ত্রৈলোক্যে সর্ব্বদেহিষু। বেদিতব্যং নরশ্রেষ্ঠ সদেবনরদানবে ॥৩০॥

(মশক ওন্বা, মশক তোংবা) বু লৌশিঙ্গচুনা অহঙ্কার অদুগা অহঙ্কার অসিগী প্রজাপতি বিরাটকী সৃষ্টি ত্তৌই। নিরাকারদগী সাকার ওইরকপগী, হায়বদি— মশক মওং লৈরমদবদগী মশক মওং লৌরকপী অমদি লৌহল্লকপী অদুভুগী মূল-প্রকৃতি— মক্ক ওইবী ঈহান্ হান্বী প্রকৃতি অদুবু বিদ্যাসর্গ হায়না কৌই। অসৌবা ওইনা চোংথোরক্নুবা মশক উবা ফংবা মৈ ঈশিংনচিংবা মহত্তত্ত্ব অদুগা মথোয় অসিমা পুন্নপ পুন্নবা অহঙ্কার (অহংভাব—'ঐ' হায়বগী রাখল) হায়বা অমা থোরক্লিবসিনা অবিদ্যাসর্গ কৌই। ॥২১ —২২॥ অবিধি (জ্ঞান). বিধি (কর্ম্ম) হায়রিবা অনীসিগী উৎপত্তি (থোরকপা— চোংথোরকপা) অসিসু পরমাত্মাদগীনি। শ্রুতি অমুগা বেদশাস্ত্র পুন্নমক্কী রাহৈ খুদংগী তত্ত্ববু খণ্ডলিবা বিদ্বান্‌শিংনা হায়রিবা অনীসিবু বিদ্যা অবিদ্যা হায়রগা অতুম খণ্ডনৈ ॥২৩॥

লৈপাক্কী মপু! জনক! মশক উদবমখৈ পীক্লবা, পরমাণুগী মশক ওইরবা ভূতশিং অসিমা মত্তোন্দগী পোক্‌খ্রিবা অহঙ্কার হায়বসিবু অহুমশুবা সর্গ (সৃষ্টি) নি হায়না খণ্ডু। সত্ত্ব, রজঃ, তম গুণ অহুম অসিগী খেন্নবদগী মরিশুবা সর্গ (সৃষ্টি) অমা লাকই. মাদুবু বৈকৃতসর্গনি হায়না খণ্ডু ॥২৪॥

আকাশ, মৈ, ঈশিং, ক্ষেপাক্— মহাভূত মঙা অসি, অদুগা মথোয় অসিদা মথংশীংনা লৈখ্রিবা— শব্দ, স্পর্শ, রূপ, রস, গন্ধ মঙা অসিসু বৈকৃতসর্গ হায়বংগী মনুং চল্লিবনি হায়না খণ্ডু ॥২৫॥

হায়রিবা তরা অসিগী উৎপত্তি (থোরকপা) অসি মতম অমতদা ওইখ্রিবনি, মাসিদা চিংনবীংঙায় করিমতা লৈতে। মঙাশুবা সৃষ্টিনা ভৌতিকসর্গনি হায়না খণ্ডু। মথোয় অসি জীব পুন্নমক্কী কান্নবা ওাক্কা ওইবনা সার্থক (অর্থ—কান্নবা) মক্তনি ॥২৬॥

হায়রিবা ভৌতিক সৃষ্টি অসিগী মনুংদা মীৎ, নাকোং, লৈ, নাতোন, উন্‌শা, অদুগা খোঙ, খুৎ, লৈ, ঈশিং-থোঙ, অমাঙ-থোঙ, কর্ম্ম-ইন্দ্রের মঙা অসিসু মনুং চল্লিবনি। লৈপাক্কী মপু! নিংথৌ! পুকুনীং কৌবা ইন্দ্রিয়গা লোয়ননা মথোয় পুন্নমক অসি মতম অমতদা থোকৃখি ওইখিবনি ॥২৭—২৮॥ হায়রিবা মথোয় কুন্থরি অসি অচচত্ত জীব পুন্নমক্কী হকচাংদা লৈরিবনি। তত্ত্ববু খিবা মেংশিন্‌বা কাণ্ডবুমা মথোয়

সযক্ষভূতগন্ধর্ব্বে সকিন্নরমহোরগে। সচারণপিশাচে বৈ সদেবর্ষি নিশাচরে ॥৩১॥
সদংশককীটমশকে সপূতিকৃমিমূষিকে। শুনি শ্বপাকে চৈনে যে সচাণ্ডালে সপুল্কসে ॥৩২॥
হস্ত্যশ্বখরশার্দূলে সবৃক্ষে গবি চৈব হি। যচ্চ মূর্ত্তিমদ্ধং কিঞ্চিৎ সর্ব্বত্রৈতন্নিদর্শনম্ ॥৩৩॥
জলে ভুবি তথাঽকাশে নান্যত্রেতি বিনিশ্চয়ঃ। স্থানং দেহবতামাসীদিত্যেবমনুশুশ্রুম ॥৩৪॥
কৃৎস্নমেতাবতস্তাত ক্ষরতে ব্যক্তসংজ্ঞিতম্। অহন্যহনি ভূতাত্মা ততঃ ক্ষর ইতি স্মৃতঃ ॥৩৫॥
এতদক্ষরমিত্যুক্তং ক্ষরতীদং যথা জগৎ। জগন্মোহাত্মকং প্রাহুরব্যক্তাৎ ব্যক্তসংজ্ঞকম্ ॥৩৬॥
মহাংশ্চৈবাগ্রজো নিত্যমেতৎ ক্ষরনিদর্শনম্। কথিতং চ মহারাজ যস্মাৎ ত্বং পরিপৃচ্ছসি ॥৩৭॥

অসিগী চপ্‌চাবা তত্ত্বু খঙদোকপিরগা ক্ত্রিগুম্না হীরম অমদা অরাব! মুংঙাইতবা তৌদে। সংসারগী অরা-অনা, কায়নবা তিন্নবা অসিনচিংবদগী আ-রাং-ম-লাম্ন লৈ ॥২৮—২৯॥

নিংথৌ! জনক! মরোল অহুমদা লৈরিবা দেহ (হকচাং) বু লোইশিংবা পূন্নমক অসিগী দেহ অসি হায়রিবা পূন্নমক অসিগী মপৈতনা ওইরিবনি. তাইবংমী, লাই, দৈত্য-দানব পুন্নমক্কী দেহ অসিসু মখোয় অসিগী মপৈনি ॥৩০॥

যক্ষ-রক্ষ, ভূত, গন্ধর্ব্ব কিন্নর, মহাসর্প (নাগ), চারণ, সিদ্ধ, দেবর্ষি, নিশাচর (হিংচাবা), দংশক (কাণ্ড), তীল কাণ্ড, হয়িং, মনম নমথীরবা পীক্রবা তীল, উচি, হুই, শা উচেক্ হাংপা শাদান্‌বা, শাহিংচাবা চাণ্ডাল, শজী শঙাই, হুইচাবা শ্বপাক, পুল্কস (ম্লেচ্ছ), শগোল, শামু, লোলা, নোংশা, শল্, উ রা,—অসিনচিংবগী মিং অমদি মওংদা মূর্ত্তি পুরিবা পোৎশক অমমম্ উরিবসিদা মথক্তা হয়ত্রিবা তত্ত্ব খিবিক অসি অমত্তা রাক্তনা উবা অত্নুম মফংগনি ॥৩১—৩২॥

লৈপাক, ঈশিং, আকাশ অত্নুম অসি হকচাং পান্‌বা জীব পূন্নমক্কী লৈফমনি অসি নত্তনা ক্ত্রিগুম্না অতোপ্পা মফম অমা লৈত্রে। মাসি বিদ্বান্ (অহৈ-অশিং) শিংনা লেপ্পত্রবনি। ঐনসু অসুম হায়না হান্না তাহুনা লৈত্রবনি ॥৩৪॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! পঞ্চভূতনা শাত্রিবা জগৎ পূন্নসে ব্যক্তজগৎ ফোই। মাসিদা লৈদ্রিবা পোৎ খুদিংমক্ নুমিৎখুদিংগী মীকূপ খুদিংগী মাঙথরকই, শিন্থরকই, মশক হোংথরকই। অত্নুমক্তনা ব্যক্ত (মশক উবা) জগৎ অসি ক্ষরজগৎ হায়নসু খঙনৈ ॥৩৫॥

ক্ষরজগত্তা লৈরিবা তত্ত্ব খিবিক অসিদগী ঈ-তাপ তোপ্পা, ক্ষর নত্তনা তোঙানবা অমা লৈরি, মাহুবু অক্ষর হায়না কৌই। হায়রিবা অক্ষর— অব্যক্ত ওইরিবা জগৎ অত্নুদগী শিন্থরকই থোরকই হায়বগীদমক উরিবা জগৎ অসিবু ক্ষরজগৎ হায়নরিবনি ॥৩৬॥ ক্ষর ওইবা তত্ত্বশিং অসিগী মনুংদা, ঈহান্ হান্‌বদা—মহত্তত্ত্ব (অচৌবা, মশক উবা মৈ ঈশিংমচিংবা তত্ত্বশিং) অসি শেম্মি। মাসি থক্ কাউরোইদৌবনি। নীংশিংহনা অত্নুম্ থবগীহু মতীক্ চারবনি। ক্ষরগী পরিচয় পীবা হায়বসি মাসিনি। মহারাজ! নিংথৌ!

পঞ্চবিংশতিমো বিষ্ণুর্নিস্তত্ত্বস্তত্ত্বসংজ্ঞিতঃ। তত্ত্বসংশ্রয়ণাদেতৎ তত্ত্বমাহুর্মনীষিণঃ ॥৩৮॥
যন্মর্ত্যমসৃজৎ ব্যক্তং তত্তন্মূর্ত্যধিতিষ্ঠতি। চতুর্বিংশতিমোঽব্যক্তো হ্যমূর্ত্তঃ পঞ্চবিংশকঃ ॥৩৯॥
স এব হৃদি সর্ব্বাসু মূর্ত্তিষ্বা তিষ্ঠতেঽত্মবান্ সর্ব্বমূর্ত্তিরমূর্ত্তিমান্ ॥৪০॥
সর্গপ্রলয়ধর্ম্মিণ্যা অসর্গ প্রলয়াত্মকঃ। গোচরে বর্ত্ততে নিত্যং নির্গুণং গুণ সংজ্ঞিতম্ ॥৪১॥
এবমেব মহানাত্মা সর্ব্বপ্রলয়কোবিদঃ। বিকুর্ব্বাণঃ প্রকৃতিমানভিমন্যত্য বুদ্ধিমান্ ॥৪২॥
তমঃ সত্ত্বরজোযুক্তস্তাসু তাস্বিহ যোনিষু। নিয়তে প্রতিবুদ্ধিত্বাদবুদ্ধজনসেবনাৎ ॥৪৩॥

নহাক্না হৎখিবতুগী মতুংইমা ক্ষর অক্ষরগী বিষয় অসি ঐনা নঙোন্দা সম্পৎনা হায়রবসিনি ॥৩৭॥ হায়রিবা তত্ত্ব কুম্মরি অসিদগী ঈতোন্ তোঙানবা কুম্মঙা ওবা তত্ত্ব অমা লৈরি। মহাক অদু অতৈ কনানু নত্তে; ভগবান্ পরমাত্মা বিষ্ণুনি। মহাকপু কুম্মঙাওবা তত্ত্ব হায়না কৌই। হায়রিবা তত্ত্ব কুম্মরি অদুবু মথন্তনা পুই হায়বগীদমক মহাকপু পুরুষ হায়না কৌই ॥৩৮॥

মহত্তত্ত্বনচিংবা ব্যক্ত (মশক উবা মওং মতৌ পুবা) পোৎশিং অসিমা থোকহল্লিবা (শেম্লিনা) পোৎশিং অসি করিগুম্বা মওং (মূর্ত্তি) অমদি মতম থরগীদমক মপুরে। মশীং অসুম থীরকপদা অব্যক্ত ওইবা তত্ত্ব অসি কুম্মরিনি, অদুগা খুম্মঙাওবনা নিরাকার পরমাত্মানি ॥৩৯॥

হায়রিবা তত্ত্বশিং অসিগী মনুংদা মাগুম্বা অনীগুবা অমা লৈত্রবা, মথন্ত ওায়রবসু অহিংবা জ্ঞানলৈবা ওইনা অদুম মরৈরবা, মশকহোংবা লৈত্রবা জগৎব্রহ্মাণ্ড পুন্নমক্সিনা, অদুগা— পোৎ খুদিংমক্না মাগী মশক ওইদনা লৈরিবা, অদুমক্তনা মাগী মশক মওং অসিনক্সি হায়বা য়াদবা, অমচচত্ত পোৎ খুদিংমকী আত্মা ওইদুনা লৈরিবা অদুগুম্বা পরমাত্মানা পোৎ খুদিংমকী হায়বদি— জীব খুদিংমকী থম্মোয়নুংদা তুংদুমা লৈ ॥৪০॥

সৃষ্টি প্রলয় (সংহার) হায়বদি— শেম্বা থুগাইবা অনীমক প্রকৃতিতগী ধর্ম্ম (মথৌ) নি। পুরুষ ভগবান্দি হায়রিবা অনীসিগা মরী করিমত্তা থাদবনি। অদুবু প্রকৃতিগা মতম খরদং তিন্নরা লৈরুবদগী পুরুষ মহাকসু শেম্ব থুগাইবা, পোকপা শিবা অসিনচিংবগা মরম লৈনবগুম উই। মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিংগী বিষয় নত্তবসু ইন্দ্রিয়শিংগী বিষয় ওইনা লৈবগুম, হায়বদি— উবা, তাবা য়াবা পোৎশক অমগুম লৈবগুম্ উই। মশামক নির্গুণ ওইরবসু, হায়বদি— নেম্বা য়াংবা, শীক্প-চাউবনচিংবা গুণশিংসি য়াওত্রবসু সগুণ ওইনা লৈবগুম উই— উহল্লি ॥৪১॥

মতৌ অসুম্না সৃষ্টি প্রলয় অনীগী তত্ত্ববু লোইনা থগুলিবা আত্মা অসি মপান্গী বিকারী ওইবা বিকৃতি (হকচাংনচিংবা) অসিগা তিন্নরুবগী, মশামক অবিকারী (মশক মওং হোংবা লৈতবা) ওইরবসু, বিকারী (মশক মওং হোংবা নাইবা) ওইনা উই। মশাদা প্রাকৃতবুদ্ধি (প্রকৃতিগী বুদ্ধি) ঈরৈ লৈত্রবসু প্রাকৃতদেহ (পঞ্চভূতকী দেহ) অসিগী মহুংদা লৈরিঙৈদা আত্মাভিমান তৌই। হায়বদি— হকচাংসিগা কোয়না 'ঐ' হায়বা প্রকৃতবুদ্ধি (প্রাকৃতজ্ঞান) অসি তৌই ॥৪২॥ প্রকৃতিসিগা হেক্ তিন্নরুবদগী হায়রিবা পুরুষ

সহবাসবিনাশিত্বান্নান্যোঽহমিতি মন্যতে। যোঽহং সোঽহমিতি ত্যক্ত্বা গুণানেবানুবর্ত্ততে ॥৪৪॥
তমসা তামসান্ ভাবান্ বিবিধান্ প্রতিপদ্যতে। রজসা রাজসাংশ্চৈব সাত্ত্বিকান্ সত্ত্বসংশ্রয়াৎ ॥৪৫॥
শুক্ল লোহিত কৃষ্ণানি রূপাণ্যেতানি ত্রীণি তু। সর্ব্বাণ্যেতানি রূপাণি যানীহ প্রাকৃতানি বৈ ॥৪৬॥
তমসা নিরয়ং যান্তি রাজসা মানুষানথ। সাত্ত্বিকা দেবলোকায় গচ্ছন্তি সুখভাগিনঃ ॥৪৭॥
নৈষ্কৈবল্যেন পাপেন তির্য্যগ্‌যোনিমবাপ্নুয়াৎ। পুণ্যপাপেন মানুষ্যং পুণ্যেনৈকেন দেবতাঃ ॥৪৮॥
এবমব্যক্তবিষয়ং ক্ষরমাহুর্মনীষিণঃ। পঞ্চবিংশতিতমো যোঽয়ং জ্ঞানাদেব প্রবর্ত্ততে ॥৪৯॥

(আত্মা) হায়বসিগী মশাদা সত্ত্ব রজ তমঃ হায়বা গুণ অসি হেক্ চঙ্গুকই। অজ্ঞান (অপঙবা) ওইবা মীশিংগী সঙ্গদগী মখোয়গী মতৌগুম্না মহাকস্ সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ওইবা হকচাং মথল মথল ফংননবগী যোনি (পোক্লকম, চঙকম হকচাং) দা চঙগকুনা পোকপা শিবগী থবক্তা হেক্ হেক্ যাওরে ॥৪৩॥

প্রকৃতিগা অমুম লৈমিন্নখিবগী মশা মথন্তগী মশক মতীক্ মওংবু কাউজখিবদগী "ঐদি হকচাং অসিদগী তোঙানবনি, হকচাংসিগা মরী করিমত্তা লৈনদে" হায়বসি হেক্ কাউথোকখিদুনা— 'ঐ হকচাংসিমক্নি" "ঐ হকচাংসিদগী তোঙান্দে" হায়না হেক্ খন্‌বা হৌখি। অদুদগীদি— "ঐ অসি অদুনি, অদানি, মাগী মচানি, মাগী মপানি, নং অসি ঐ নত্তে।" "ঐনা জাতি অসিগী মীনি, নংনা জাতি অদুগী মীনি, ধর্ম্ম অদুগী মীনি।" অসিনচিংবা সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ওইবা রাখলগী ঈরৈদা অদুম তাউথখি ॥৪৪॥

তাউথবদুনা অদুম্ চংখিবদুনা পাঞ্চভৌতিক দেহ অমদা হেক্ চঙখিবদগী তমোগুণগা থেংনক্লগা— শুপ্পাংপা অশাউবা অপান্থনচিংবগী রাখন্দা, রজোগুণগা থেংনক্লগা সম্পত্তিনচিংবা ফংননবগী, চাওখৎপা, থোরবনচিংবা ফংননবগী থবক্তা, অদুগা সাত্ত্বিকগুণগা থেংনক্লগা জ্ঞান বৈরাগ্যনচিংবা ফংননবগী থবক্তা অমদি রাখন্দা চঙখি। হায়বদি— অদুম অদুম ওইবা তোঙান্ তোঙান্বা রাখলবু ফংখি ॥৪৫॥

সত্ত্বগুণ রজোগুণ তমোগুণ অদুম অসিদগী মথংশীংনা— অঙৌবা অঙাংবা অমুবা মচু অদুম অসি থোরক্ই। প্রকৃতিগী মশক মচু পুম্নমক হায়রিবা অদুম অসিগী মচুংচন্‌বা মক্তনি ॥৪৬॥

তমোগুণগী জীবনা নরকতা, হায়বদি— তেংল্লবা শ উচেক্, তীল কাংগী মপোক্তা, রজোগুণগী জীবনা তাইবং মীগী মপোক্তা; অদুগা সাত্ত্বিকগুণগী জীবনা দেবলোকতা— লাইগী মপোক্তা চঙখি ॥৪৭॥

শাথিনা পাপকর্ম্ম তৌরবশিং অদুনা যাম্না লৈখা তাপ্রবা হুত্থগ্রবা মপোক্তা চংখি। পাপ পুণ্য অনীমক্ মান্নমা কর্ম্ম তৌখিবশিং অদুনা তাইবং মীগী মপোক ফংঙি। পুণ্যকর্ম্ম তৌখিবশিং অদুনা লাইগী মপোকপু, হায়বদি— দেবলোকপু ফংখি ॥৪৮॥ মতৌ অসুম্না প্রকৃতিদগী থোকপ্রিবা তোঙান্ তোঙান্বা মশক মচুগী পোংশিং অসিবু জ্ঞানীশিংনা ক্ষরস্থাটিনি হায়নৈ। মথক্তা হায়প্রিবা তত্ত্ব কুম্মরি অসিদগী তোঙান্বা কুম্মগাশুবা তত্ত্ব অদুদি পরমাত্মানি। মচাক্লা অক্ষরনি। অদুম ওইবা মথন্তনা অক্ষর ওইবা পরমপুরুষ পরমাত্মা মহাকপু জ্ঞানীশিংতনা জ্ঞানগী পান্থেনা ফংব-খঙব ঙম্মি। খঙলিবদু মাবু ফংলবনি ॥৪৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি বসিষ্ঠ করাল জনক-সংবাদে সপ্তনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ৯৭॥

——:(+):——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, বসিষ্ঠ করাল জনক-সংবাদদা চনীমরিফুতরাতরেংশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৭॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জীবনা তোঙান্ তোঙানবা যোনিদা পোক্লবা)

চনীমরিফুতরানিপান্শুবা অধ্যায়

——:(+):——

বসিষ্ঠ উবাচ ।

এবমপ্রতিবুদ্ধত্বা বুদ্ধমনুবর্ত্ততে । দেহাদ্দেহসহস্রাণি তথা সমভিপদ্যতে ॥১॥

তির্য্যগ্‌যোনিসহস্রেষু কদাচিদ্দেবতাস্বপি । উপপদ্যতি সংযোগাৎ গুণৈঃসহ গুণক্ষয়াৎ ॥২॥

মানুষত্বাদ্দিবং যাতি দিবো মানুষমেব চ । মানুষ্যান্নিরয়ং স্থা-মানন্ত্যং প্রতিপদ্যতে ॥৩॥

কোশকায়ো যথাত্মানং কীটঃ সমবরুন্ধতি । সূত্রতন্তুগুণৈর্নিত্যং তথা যম গুণো গুণৈঃ ॥৪॥

বসিষ্ঠনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির ! মতৌ অসুম্না জীবনা জ্ঞান য়াওথিদবা মরুমদগী অজ্ঞানগী অমম্বদা মা-মাহুনা হকচাং অমদগী হকচাং অমদা চথখিহুনা হকচাং লিশিং লিশিংদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈথি ॥১॥

হকচাংদা চঙওবনা সত্বনচিংবা গুণ অসিগা মরী লৈনথিবনা গুণ গুণ অতুনা পুথিবহুগী মতুংইন্না শা-উচেক্কী মপোক লিশিং লিশিংদা, দেবতাগী মপোক লিশিং লিশিংদসু পোকলুই ॥২॥

করি করিগুম্বা মতমদা তাইবং মীওইবগী হকচাংদগী লাইরৈবাক্তা, অদুগা অমুক্— লাইরৈবাক্কী মর্ত্ত্যলোক অসিদা হল্লকই । মর্ত্ত্যলোক অসিদা মীওইবগী হকচাংদগী ম্মাম্মা হন্থরবা, তীল-কাওনচিংবগী জন্ম (মপোক্) দা পোক্লে ॥৩॥ কত্রং তীলনা মশা মথন্ত্য মশা মথন্তদগী পুথোক্ চিংথোক্তরকপা লংজালিং

দ্বন্দ্বমেতি চ নির্দ্বন্দ্বস্তাসু তাস্বিহ যোনিষু। শীর্ষরোগেঽক্ষিরোগে চ দন্তশূলে গলগ্রহে ॥৫॥
জলোদরে তৃষারোগে জ্বরগণ্ডে বিষূচকে। শ্বিত্রকুষ্ঠেঽগ্নিদগ্ধে চ সিধ্মাপস্মারয়োরপি ॥৬॥
যানি চান্যানি দ্বন্দ্বানি প্রাকৃতানি শরীরিষু। উৎপদন্তে বিচিত্রাণি তান্যেষোঽপ্যভিমন্যতে ॥৭॥
তির্য্যগ্‌যোনিসহস্রেষু কদাচিৎ দেবতাস্বপি। অভিমন্যত্যভীমানাৎ তথৈব সুকৃতান্যপি ॥৮॥
শুক্লবাসাশ্চ দুর্ব্বাসাঃ শায়ী নিত্যমধস্তথা। মণ্ডূকশায়ী চ তথা বীরাসনগতস্তথা ॥৯॥
চীনধারণমাকাশে শয়নং স্থানমেব চ। ইষ্টকাপ্রস্তরে চৈব কণ্টকপ্রস্তরে তথা ॥১০॥

অদুনা শাবা লাংদা মশা মথন্তবু ফাজিঞ্জবদুগুম্না, নির্গুণ ওইবা আত্মাসিসু মশা মথন্তগী প্রকৃতিদগী পুথোক্‌-খিবা গুণশিং অদুনা মশা মথন্তবু ফাজিল্লে ॥৪॥

অহান্‌বদা মশামক্ অরা-মুংঙাইবা, কায়ন তিম্লবা, পোকপ শিবনচিংবা দ্বন্দ্বভাব (অনী থোকপগী মওং) অসিদগী রাংমদা লৈরম্লবসু তোঙান্ তোঙান্‌বা যোনি (মপোক্) শিংদা চঙ চঙদুনা পোক্‌লুবদুদগীদি অনী থোক্‌পগী মওং (দ্বন্দ্বভাব) অসিদা অদুম চঙথি। অদুদগীদি কায়নবা তিম্লবনচিংবগী অরা-মুংঙাইবনচিংবদু অদুম মফংঙুরে। মথন্তা ঙায়রবসু, অমুক্তা কোক্ ঙাওবা, কোক্ চীকপা, অমুক্তা মীৎ নাবা, অদুক্তা য়া নাবা অমুক্তা খোরীদা থবাক্তা থেবা, লোক্ থুংবা অসিনচিংবা লায়নাশিং অসি ফংই ॥৫॥

মতৌ অসুম্না পঞ্চভূতকী দেহসুংদা লৈরবা জীবসিনা পুক্কী লায়না, ঈশিং য়াম্না কৌবা অরুম হৌবা, খোরী চয়ম্ প্রক্ প্রক্ কংবা, য়াম্ন মাংবা (খোঙহাম্বা, উন্‌শাদা অঙৌবা পক্‌পা, থবাক্ চাক্‌পা, লাইচাক্ থুংবা, শারৈ-হৌবা— পঙথবা, অসিনচিংবা লায়নাগী থুবাক্ত অদুম মতারুরে ॥৬॥

অসি নত্রবসু প্রকৃতিগী দেহদা লৈরুরবনিনা মতৌশানা অদুম মওইরক্‌পা অহল ওইবা, শোম্বরকপন-চিংবা প্রাকৃতিক রোগশিং অসি অদুম্ মফংঙুরে। মাসি পুম্নমক অসি জীব অসিনা প্রাকৃতিক ওইবা পাঞ্চ ভৌতিক দেহসিদা চংঙুবনা মশা মথন্তনা থোক্‌লঞ্জবনি। অদুগা, হায়রিবশিং অসিনা ফাজিল্লে হায়নসু খল্লরি ॥৭॥ করিগুম্বা মতমদনা জীবসিনা মশা মথন্তবু যোনি (পোককম্) লিশিং লিশিংগী শা-উচেকী দেহ লিশিং লিশিংদা চঙঙুরবনি হায়নসু খল্লকই। লাইগী মপোক্তা চঙঙুরগা "ঐ লাইনি, তাইবংমীগী মপোক্তা চঙঙুরগা ঐ মীনি, শা নত্তে।" অসিনচিংবা রাখল্লা অহঙ্কার (অভিমান) অদুম্ মতৌরি। অদুগা মহাক মশাদি মীসু নত্তে, লাইসু নত্তে; শা উচেক্, তীল কাও অমতা নত্তে। অদুবু তৌরু তৌরুরিবা অহঙ্কার (অভিমান) অদুগী মতুংইন্না তৌরু তৌরুরিবা কর্ম্ম অদুগী মহৈহুসু অদুম্ মফঙিঙ ॥৮॥

কর্ম্মগী মহৈপাম্বা মীশিংনা অমুক্তা কজরবা ফীজোল শেৎলি। অমুক্তা শেগায়রবা মোৎলবা মল্লবা ফি শেৎলি। অমুক্তা লৈনিন্ মথক্তা করিসু করিসু য়াওদনা তুম্মি— হিপ্পি, অমুক্তা হংঙাইদৌনা মখোত্ত-মথুং লোইনা কোন্‌শিন্দুনা তুম্মি, অমুক্তা বীরাসনদা ফমদুনা, অদুগা অমুক্তা করিসু করিসু য়াওদনা ঈহাও হাওবা আকাশ মথাদা তুমিন্না লেপ্পুনা লৈ। অমুক্তা উকু-রাকু ছেত্রুনা, অমুক্তা মুংপাক্ মথক্তা, অমুক্তা

ভস্মপ্রস্তরশায়ী চ ভূমিশয্যাতলেষু চ। বীরস্থানাম্বুপঙ্কে চ শয়নং ফলকেষু চ ॥১১॥
বিবিধাসু চ শয্যাসু ফলগৃদ্ধ্যাম্বিতস্তথা। মুঞ্জমেখলনগ্নত্বং ক্ষৌমং কৃষ্ণাজিনানি চ ॥১২॥
শানীবালপরিধানা ব্যাঘ্রচর্ম্মপরিচ্ছদঃ। সিংহচর্ম্মপরীধানঃ পট্টবাসাস্তথৈব চ ॥ ১৩॥
ফলকং পরিধানশ্চ তথাকণ্টকবস্ত্রধৃক্। কীটকাবসনশ্চৈব চীরবাসাস্তথৈব চ ॥ ১৪॥
বস্ত্রাণি চান্যানি বহূন্যভিমন্যতাবুদ্ধিমান্। ভোজনানি বিচিত্রাণি রত্নানি বিবিধানি চ ॥১৫॥
একরাত্রান্তরাশিত্বমেককালিক ভোজনম্। চতুর্থাশ্রমকালশ্চ ষষ্ঠকালিক এব চ ॥১৬॥
ষড়রাত্রভোজনশ্চৈব তথৈবাষ্টাহভোজনঃ। সপ্তরাত্রাদশাহারো দ্বাদশাহিকভোজনঃ ॥১৭॥
মাসোপবাসী মূলাশী ফলাহার স্তথৈব চ। বায়ুভক্ষোঽম্বুপিণ্যাকদধিগোময় ভোজনঃ ॥১৮॥

অমুক্না লৈকুপ চেক্কুও মথক্তা মতম লেপ্লি। অমুক্না উশা-রাশাদা মকোক্ মমৈ য়ুংনা য়ান্দুনা, অমুক্না তিঙ্খং মরক্তা ধ্যান তৌই। অমুক্না মশাদা উফুল-রাইফুল তৌশিন্দুনা উগী উখাদা জটা পুন্না ধ্যান তৌই, অমুক্না লালফমদ, অমুক্না লৈখোম লৈনাং মরক্তা, অমুক্না ঈশিংদা তাউহুনা লুপ্পুনা সাধন তৌই। অমুক্না চৌকী মথক্তা, অমুক্না ফমুং মথক্তা তুমিন্ ফম্হনা লৈ। অমুক্না কৌপীন, অমুক্না লেঙ্গী (লেঙুতা) শেংলি। অতুরু মখি মরোল য়াওদনা, মাংগৈনা ক্রিশেৎনহুনা ঈকাই অকি য়াওদনা কোয়চং চংলি। অমুক্না রেশমগী পারবা মোল্লবা ফজোল, অমুক্না শঙ্খী-মউল কৈ মউল শেংলি ॥৯—১২॥

মানা মানা অপাম্বা মহৈ অতুগী মতুংইন্না অমুক্না তেরাগী, অমুক্না শা-মতুগী ফি শেৎলি। অমুক্না কৈ নোংমাগী মউন্না মশা পুম্বা পুমকুপ কুপশিল্লি। অমুক্না রেশমগী ফিগে (নাপু মচু মানবা) শেংহুনা য়েংতি ॥ অমুক্না ভোজপত্র কৌবা উকু, করিগুম্বদনা চুম্নগী ঈচম্ চম্বা, অমুক্না তিঙ্খংনা থিনবগুম্না খীজো খীজো লাউবা ফিজেং শেংলি। কনাগুম্বনা ভীলনা মশাদগী থোকহল্লকপা মুগা লংগী মোল্লবা ফি, অমুক্না শেগাই-তুগাই শেংলি ॥১৩—১৪॥

অসুম তৌহুনা জ্ঞান ঈতা তাত্রবা জীব অসিনা তাইবংমীগী দেহদুংদা লৈরিভৈসিদা, হায়রিবা ফিজেংশিং অসি নত্তবা ফিজেং জাৎ কয়া কয়া শেংহুনা য়েংতি, চীঙ্গাক্ (অচাপোৎ) জাৎ জাৎ চায়। হী য়াই, পোহাল, মণিমুক্তা, রত্ন, নবরত্ন, তুলসীমালা, রুদ্রাক্ষমালা, শরু-ভারুগী মালা শিহুনা য়েংতি ॥১৫॥

কনা কনাগুম্বনা অহিং অমমম্ কান্ন বান্নবা চায়, অমুক্না একসন্ধ্যা ওইনা চায়। কনা কনাগুম্বনা নোংমগী অহানবা প্রহর (য়ুথক) দা, কনাগুম্বনা মরিগুবদা, কনাগুম্বনা তরুকগুবদা; অমুক্না নিপানগুবদা অমুক্না চারগা তোকই ॥ ১৬॥ কনাগুম্বনা অহিং তরুক লেপ্লগা, অমুক্না তরেৎনি, অমুক্না নিপাল্লি অমুক্না তরানি, অমুক্না তরানীথোইনি লেপ্লগা চায় ॥১৭॥ কনাগুম্বনা থা অমা চুপ্পা চরা হেনবা য়াওরি। কল্লি-মতমদা উহৈ অমতনা লেনবা য়াওরি, উরু-রারু খরা শায়রগা তোকপা য়াওরি, ঈশিংত থক্লগা লেপ্লি, মুংশিৎ-ত চারগা লৈবা য়াওরি, কনাগুম্বনা থাউখী, কনাগুম্বনা শঙ্খী চাহুনা লেপ্লি ॥১৮॥

গোমূত্রভোজনশ্চৈব শাকপুষ্পাদ এব চ। শৈবালভোজনশ্চৈব তথা চামেন বর্ত্তয়ন্ ॥১৯॥
বর্ত্তয়ন্ শীর্ণপর্ণৈশ্চ প্রকীর্ণফলভোজনঃ। বিবিধানি চ কৃচ্ছ্রাণি সেবতে সিদ্ধিকাঙ্ক্ষয়া ॥২০॥
চান্দ্রায়ণানি বিধিবল্লিঙ্গানি বিবিধানি চ। চতুরাশ্রম্যপন্থানমাশ্রয়ত্যপথানপি ॥২১॥
উপাশ্রমানপ্যপরান্ পাষণ্ডান্ বিবিধানপি। বিবিক্তা চ শিলাচ্ছায়া স্তথা প্রস্রবণানি চ ॥২২॥
পুলিনানি বিবিক্তানি বিবিক্তানি বনানি চ। দেবস্থানানি পুণ্যানি বিবিক্তানি সরাংসি চ ॥২৩॥

করিগুম্বা মতমদা শনম্‌থুং থকুনা হুংঙাইনা লৈথোক্লি। কনা কনাগুম্বনা মনা মশীং সাগ (শাক্) চায়, করিগুম্বা মতমদনা আচমন-ত তৌরগা তোক্লি ॥১৯॥

করিগুম্বা মতমদনা উথক্কী মশানা কেঙ্গরকপা উনা অকংবা, উহৈ চায়। মতৌ অসুম্না মানা নীংশিবহ থুংননবা অকন্‌বা নিয়মব্রত কয়া তৌরি ॥২০॥ *

অমুক্না চন্দ্রায়ণ তৌই ধর্ম্মগী নরম ওইবা চন্দননশিবা খুদম্সু হকচাংদা য়েক্‌শিল্লি। কনাগুম্বনা ব্রহ্মচর্য্যানচিংবা অশ্রম মরিণী লম্বী কায়দনা মথং মনাও নাইনা চংলি। কনাগুম্বনা মাতুগী ওম্ম তৈন্দবা লম্বী চংলি ॥২১॥ করিগুম্বা মতমদনা অশ্রম মরিহুগী মশা ওইনা লৈরিবা— উপাশ্রম কয়া কয়াগী লম্বী লীকলম্ কায়দনা চংলি। অমুক্না অচীকপন্দা মথন্তা চাউরবা নুংপাক্কী মরুমদা খুপতুনা ধ্যান তৌহুনা লৈ। অমুক্না তুরেন্‌গী মপান্দা ঈশিং চাইথবী, ঈফুংকী ময়াদা ফমহুনা লৈথোক্কই ॥২২॥

করিগুম্বা মতমদনা তুরেল মপালগী অচীকপদা মফম অমদা মফি মরোল য়াওদণা অহুগা করিগুম্বা মতমদনা বনগী চীক্‌বা মফমদা, অমুক্না শেংলবা দেবমন্দিরগী ময়াদা, মমুংদা; অহুগা অমুক্না পুখ্রীমপান্দা ফমহুনা লৈথোক্কই ॥২৩॥

* হায়রিবশিং অসিগী অকুপ্পা বিচারদি — জীবাত্মা অমতনা হকচাং খুদিংদা মতম অমতদা মফম মতম তোঙান্ তোঙান্‌বদা লৈহুনা মপান্‌গী হকচাংশিংদা তোঙান্ তোঙান্‌বা চাক্‌না ফীজেৎ, তোঙান্ তোঙান্‌বা অপাম্বগী মতুংইন্না তৌথোরক্লি। সাধন ময়াম অসি করিগীনো অসিনি। মতম অমতদা মফম তোঙান্ তোঙান্‌বদা আত্মা মশা অমতনা ঈশ্বর (পরমাত্মা) লৈ হায়রি। মহাক লৈন লৈন অমুক লৈতে হায়রি। অহুনা আত্মা মশামক্লা লৈ লৈতে হায়রিবসিনদি মহাক নত্তবা মাঙোন্দগী তোঙান্‌বা পরম্—পর + পরম-আত্মা, পরাত্মা অমা লৈ লৈতে হায়বা তারে। লৈতে হায়রগা পরমাত্মাহু আত্মা মা মক্লা অহুম্ ওইজবা তারি। লৈ হায়রগনা আত্মা মঙোন্দগী তোঙান্‌বা আত্মা অমা লৈ হায়বা তারি। অহুননি য়াহং অনীমক্তা 'লৈ' হায়বসি অহুম মতারি। অহুদি মশানা অহুম মওইজরবদা তোঙান্ তোঙান্‌বা আত্মা (পরমাত্মা) খুদিংমক্ ফংননবা তোঙান্ তোঙান্‌বা ফীজেৎ চাক্‌চা হোংদোক হোংজিন্ তৌরিবা করিগীনো ?— অসিনি বিচারদি। "জীবো ব্রহ্মৈব কেবলম্" হায়রিবা মহাক মশামকতু অমনা শেংপা ফিজেৎ অহু শংলু হায়বা য়াদ্রি। প্রকৃতিগী মথা পোন্দবা লৈতে। (কালাচাঁদ)

বিবিক্তাশ্চাপি শৈলানাং গুহা গৃহনিভোপমাঃ। বিবিক্তানি চ জপ্যানি ব্রতানি বিবিধানি চ ॥২৪॥
নিয়মাং বিবিধাশ্চাপি বিবিধানি তপাংসি চ। যজ্ঞাংশ্চ বিবিধাকারান্ বিধীংশ্চ বিবিধাংস্তথা ॥২৫॥
বনিকপথং দ্বিজং ক্ষত্রং বৈশ্যশূদ্রাং স্তথৈব চ। দানং চ বিবিধাকারং দীনান্ধকৃপণাদিষু ॥ ৬॥
অভিমন্যত্যসম্বোধাং তথৈব ত্রিবিধান্ গুণান্। সত্ত্বংরজস্তমশ্চৈব ধর্ম্মার্থৌ কাম এব চ ॥২৭॥
প্রকৃত্যাত্মানমেবাত্মা এবং প্রভিজভূত্যাত। স্বধাকারবষট্‌কারৌ স্বাহাকার নমস্ক্রিয়াঃ ॥২৮॥
যাজনাধ্যাপনং দানং তথৈবাহুঃ প্রতিগ্রহম্। যজনাধ্যায়নে চৈব যচ্চান্যদপি কিঞ্চন ॥২৯॥
জন্মমৃত্যুবিবাদে চ তথা বিশসনেঽপি চ। শুভাশুভময়ং সর্ব্বমেতদাহুঃ ক্রিয়াপথম্ ॥৩০॥
প্রকৃতিঃ কুরুতে দেবী ভবং প্রলয়মেব চ। দিবসান্তে গুণানেতানভ্যেত্যৈকোঽবতিষ্ঠতে ॥৩১॥

করিগুম্বা মতমদা চীংনুংদা, চীংগী লোকনুংদা ময়ুমদোনা লুংভাইনা লৈথোক্‌ই। লৈরু লৈরুবা মফমশিং অতুদা য়াম্না থুপ্পবা জপ য়াম্না থুপ্পবা মন্ত্র, ব্রত, উপবাস, তপ, যজ্ঞনচিংবা মপূক্লীংদা অরাক্ অরাক্‌পা কর্ম্মশিং অদু তৌই ॥১৪—১৫॥

মহাক্না করিগুম্বদস্থ তোঙান্ তোঙানবা ব্যবসায় — ব্যাপার তৌই। অমুক্না ব্রাহ্মণগী, অমুকনা— ক্ষত্রিয়গী অমুক্না বৈশ্য শূদ্রগী ব্যবসায় তৌই। অরা-অনা, খোঙতেক্ মীত্তাংবদা অঙম্বা দান তৌই ॥২৬॥

অজ্ঞানগী মথা পোনখিহনা সত্ত্ব, রজ, তম গুণ অহুম অসিগী মরম ওইবা দানধর্ম্মনচিংবা শুভকর্ম্ম কয়া কয়া আত্মাভিমানগা লোয়ননা হাইবদি— ঐনা তৌরিবনি হায়না খন্দুনা য়াম্না খোয়না তৌই ॥২৭॥

মতৌ অসুম্না আত্মাসিনা প্রকৃতিগী পান্থনা, হায়বদি প্রকৃতিনা খুংলায় ওইহনা মশা মথন্তবু মতম অমতদা শরুক কয়া কয়া খোক্না খায়দোক্‌ই। অমুক্না স্বাহা, অমুক্না স্বধা, অমুক্না বষট্ হায়হনা, অহুগা অমুক্না মকোক্ নোন্দুনা, মখুং লোম্নহনা খুরুম্মি ॥২৮॥

অমুক্না মশাগী, অমুক্না মীগী, যজ্ঞ তৌই, তৌগি। অমুক্না বেদ তম্মি, মীবুস্থ তম্বি, অহুগা অমুক্না দান তৌই, মীঙোন্দগী দানস্থ লৌই। অসুম্না থবক অমদা অরেপ্পা অমতা থমদনা তোঙান্ তোঙানবা থবক কয়া কয়া তৌই ॥২৯॥

আত্মাসিনা অমুকস্থ দেহ অমদা চঙহনা পোক্‌লুই, দেহহুদগী অমুক শিব কৌহনা,— কৌহন্দুনা খোয়কই। পোকপ-শিব কৌবা উপাধি অহুদি দেহহনা অহুম ফংজহোই। অমুক্না অমগা থংনৈ ফুনৈ অহুগা অমুক্না থংন-ফুনরম্বহুগা চান্নৈ, লালশোক্নৈ, চান্নৈ— সন্ধি তৌনৈ। মাসিবু বিদ্বান্‌শিংনা শুভাশুভ কর্ম্ম কৌই ॥৩০॥

প্রকৃতিদেবীতনা সৃষ্টিস্থ প্রলয়স্থ অনীমক তৌরিবনি। সুমিংনা সুমিংথুদিংগী অয়ুক্না খোরকুলগা মাগী মশেক্ মঙাল পুম্নবু মায়গৈ পুম্বদ শন্দোক্লম্নগা সুমিদাং রাইরম রাইরমদা অমুমুক কৌশিনখিবহুত্মা আদিপুরুষ ভগবান্ ব্রহ্মানা কম্লগী অহানবদা গুণ অহুম্না বিস্তার তৌই, শন্দোকই। মমৈথঙদা মথন্তনা

রশ্মিজালমিবাদিত্যস্তংস্তং কালে নিযচ্ছতি　এবমেষোঽসকৃৎপূর্ব্বং ক্রীড়ার্থমভিমন্যতে ॥৩২॥
আত্মরূপগুণানেতান্ বিবিধান্ হৃদয়প্রিয়ান্　এবমেতান্ বিকুর্ব্বাণঃ স্বর্গপ্রলয়ধর্ম্মিণীম্ ॥৩৩॥
ক্রিয়া ক্রিয়াপথেরক্তস্ত্রিগুণাং ত্রিগুণাধিপঃ　ক্রিয়াং ক্রিয়াপথোপেত স্তথা তদিতি মন্যতে ॥৩৪॥
প্রকৃত্যা সর্ব্বমেবেদং জগদন্ধীকৃতং বিভো　রজসা তমসা চৈব ব্যাপ্তং সর্ব্বমনেকধা ॥৩৫॥
এবং দ্বন্দ্বান্যথৈতানি সমাবর্ত্তন্তি নিত্যশঃ।　মমৈবৈতানি জায়ন্তে ধাবন্ত্যেতানিসামিতি ॥৩৬॥
নিস্তর্ত্তব্যান্যথৈতানি সর্ব্বাণীতি নরাধিপ।　মন্যতেঽয়ং হ্যবুদ্ধত্বাত্তথৈব সুকৃতান্যপি ॥৩৭॥
ভোক্তব্যানিময়ৈতানি দেবলোকগতেন বৈ।　ইহৈব চৈনং ভোক্ষ্যামি শুভাশুভফলোদয়ম্ ॥৩৮॥
সুখমেব তু কর্ত্তব্যং সকৃৎকৃত্বাসখং মম।　যাবদন্তং মে সৌখ্যং জাত্যাং জাত্যাং ভবিষ্যতি ॥৩৯॥
ভবিষ্যতি চ মে দুঃখং কৃতেনেহাপ্যনন্তকম্।　মহদ্দুঃখং হি মানুষ্যং নিরয়ে চাপি মজ্জনম্ ॥৪০॥

অমুমুক লৌশিল্লি। মতৌ অসুম্না প্রকৃতিগা তিম্নংনা পুরুষনা তত্ত্বজ্ঞান লাক্ত্রিডৈগী মম্যাংদা পুক্নীংদা মুংঙাইবা পোক্হন্নবগী মশক ওইবা মংগল মথা অয়াম্বা ব্যাপার (থবক) শিংবু চুম্নগী মাগী শান্নবগীদমক্তা তৌগ্রবদো হুম্না হুম্না অহুম মতৌই। মাহুতনসু মাগী মথৌনি থল্লি। শেম্বা থুগাইনতনা মাগী ধর্ম্ম (মথৌ) ওইবী, গুণ অহুমগী মশক ওইবী প্রকৃতিদা বিকার পোক্হন্দুনা গুণ অহুমহুগী মপু আত্মানা কর্ম্মমার্গদা চঙশিন্‌হুনা প্রকৃতিগী পাম্বেনা, হায়বদি— লোয়নহুনা তৌরিবা গুণ অহুমগী থবকপু মহাক্মক্তীনি হায়না লৌই ॥৩১—৩৪॥

নিংথৌ! প্রকৃতিনা জগদ অসিবু মীত্তাঙব করিমত্তা উদবা ওইনা থম্লি মহাকা তিম্নবদগী জগত্তা লৈরিবা অচচন্ত্র পোং থুদিংমক অসি হীরম থুদিংদা রজোগুণ তমোগুণ অনীসিনা কুপশিন্‌থহুনা লৈরি। মতৌ অসুম্না প্রকৃতি কৌবী মহাক্কী থৌইঙ্গিদগী অরাবা মুংঙাইবা, কায়নবা তিম্নবনচিংবা অসিগী হুম্না হুম্না ওম্ন ওম্না লাকপা হায়বহু অসুম শোয়দনা মওইরক্লি। অদুবু জীব (জীবাত্মা) অসিনা পঙথখিবদগী— তৌরক্লিবা পূম্বসি মহাক্কী মথক্কা আক্রমন তৌরক্লিবনি হায়না খল্লে। মখোয়সিদগী লাম্হোকক্কম পোকই, হায়নসু খল্লে। মাহু লাম্হোক্লগী হোৎনব অমদি উপায় থিবতনা জীব মহাক্কী অরাবহু অহুম মওইরে। নিংথৌ! প্রকৃতিগা আ-রৌন হক্‌চম্না তিম্নখিবদগী অজ্ঞাননা কুপশিন্‌থরবা পুরুষ অসি স্বর্গলোকত চংগ্রগা মক্কম অহুদা পুণ্যকর্ম্মশিং অসিগী মহৈশিং অহু চাক্লনি হায়না খল্লি। অহুগা, নহামুক্কী মপোক্তা তৌখিবা কর্ম্মগী মহৈ অহুবুনা ইহলোক আসদা চারিবনি, অহুগা চাগনি হায়নসু খল্লি ॥৩৫—৩৮॥ অদুনদি ঐসি মুংঙাইবহু ফংনবা পুণ্যকর্ম্ম তৌবা তাই— অসুম হায়নসু জীবসিনা খল্লি। পুণ্যকর্ম্মসিমতং তৌরবাদ ঐ শেয়দনা মুংঙাইবহু ফংলনি অহুগা মতুংদসু আ-ফাওবা অহুম মফংলগনি হায়না জীবসিনা খল্লে ॥৩৯॥

মপোক অসিদা ফত্তবা কর্ম্ম— পাপকর্ম্ম তৌরবদি হয়েংমুক্কী মপোক্তা অরাবা য়াম্না ফংলুরনি। মী-ওইবগী মপোক অহুগা পুনশিদি অরাবা মথল মথলতনা থল্লবনি। অসি ত নত্তনা পাপকর্ম্মগী মহৈনা শিরবা

নিরয়াচ্চাপি মানুষ্যং কালেনৈষ্যাম্যহং পুনঃ। মনুষ্যত্বাচ্চ দেবত্বং দেবত্বাৎ পৌরুষং পুনঃ ॥৪১॥
মনুষ্যত্বাচ্চ নিরয়ং পর্য্যায়েনোপগচ্ছতি। য এবং বেত্তি নিত্যং বৈ নিরাত্মাত্মগুণৈর্বৃতং ॥৪২॥
তেন দেব মনুষ্যেষু নিরয়ে চোপপদ্যতে। মমত্বেনাবৃতো নিত্যং তত্রৈব পরিবর্ত্ততে ॥৪৩॥
সর্গকোটিসহস্রাণি মরণান্তাসু মূর্ত্তিষু। য এবং কুরুতে কর্ম্ম শুভাশুভফলাত্মকম্ ॥৪৪॥
স এবং ফলমাপ্নোতি ত্রিষু লোকেষু মূর্ত্তিমান্। প্রকৃতিশ্চতদশ্নাতি ত্রিষু লোকেষু কামগা ॥৪৫॥

তুংদা নরকতা শোয়দনা মতাক্নরগদবনি-- অসিনচিংবা অরাবা অকিবগী র থল হেক্ হেক্ পোক্লকৃই ॥৪০॥

জীব হায়বসিনা করম্না অমুক থন্বগে হায়ববু মতম কুইনগী মতুংদা নরকতগী লাস্তোরক্লবা তুংদা—তাইবং মীওইবগী মপোক্তা অমুক লাকনি। মীওইবগী মপোক্তা চত্তলক্লগা পুণ্যকর্ম্ম যাম্না তৌরগা মাহুগী মহৈনা দেবলোকতা, হায়বদি— লাইগী মপোক্তা চত্তগনি। দেবলোকতা পুণ্যকর্ম্মগী মহৈশিং অহু চাবা লোইরগা অমুকহন্না মীওইবগী মপোক্তা চত্তলকনি ॥৪১॥

হায়রিবসিগুম্না জীব অসিনা তীল কাওগী মপোক্তগী মীওইবগী মপোক্তা, অহুগা মীওইবগী মপোক্তগী অমুক তীল কাওগী মপোক্তা, হায়বদি নরকতা, অসুম্না হঙ্গং হন্দা চংতুনা লৈরক্লি। আত্মাদগীদি তোঙান্না অহুগা তোঙান্নবসু আত্মাদা লৈগদবা গুণ অমদি চৈতন্য (জ্ঞান মাওদবা, জ্ঞান তাবা) অসিনচিংবা গুণশিং অহুগা গুহাক্তং তিন্নজবা ফংলবা ইন্দ্রিয়শিংগী মপৈ অসিনা হকচাংমুংদা লৈরগা থল্লকপা হায়ববু—"উরিবা হকচাং অসে ঐ নি, অসিনা দেবলোকনি, অদুনা মনুষ্যলোকনি, অসিনা নরকনি, অহুনা স্বর্গনি।" অহুনা উরিবা ঐ অসিনা অমুকসু দেবলোকতা, অমুকসু মনুষ্যলোকতা, অমুকসু তীলকাওগী মপোক্তা, অসুম্না হঙ্গং হন্দা চংতুনা লৈরিবনি—" অসিনি। নিপা মুপীনচিংবগী মফমদা থম্মুরিবা অহুগুম্না মমতা (হক্চিন্ন মুংশিক্লবা) অহুনা কয়া ফাজিন্খিহুনা, সৃষ্টি অমা লাকৃত্রি ফাওবা জীব অসিনা হকচাং কোটি লিশিং লিশিংদা কোয়চং চংতুনা লৈরিবনি। মতৌ অসুম্না তৌথি তৌথিবা অফ ফত্ত কর্ম্মশিং অহুগী অফ ফত্ত মহৈশিং অহু ফং ফংহুনা মরোল অহুম্মক্তা, হায়বদি— স্বর্গ মর্ত্ত্য পাতালগী তোঙান্ তোঙান্বা হক্চাংগী মওংদা চত্ত চত্তহুনা জীব (জীবাত্মা) অসিনা সৃষ্টিগী মতমদগী হৌজিক ফাওবা কোয়রৈ লৈহুনা লৈরক্লি। থাজেংশেংবদি প্রকৃতি হায়বী অসিত্তনা অফ ফত্ত মহৈ পীবা কর্ম্ম মথল মথল আসি অনুষ্ঠান তৌহুনা—(লিখংতুনা) লাক্লিবনি। মরোল অহুমদা অসুম্না লাক্ লাক্তুনা কর্ম্মশিং অহুগী মহৈসু মহাক্না অহুম মচায়। অদুবু অজ্ঞাননা কূপশিন্দুনা লৈবনা জীবাত্মা অসিনা থবক তৌবা কর্ত্তা অহুম্ন, মহৈ চারিবা—ভোক্তা অহুম মহ ক্লনি হায়না খল্লৈ। কর্ত্তা-ভোক্তা অনীমক্ মশা মথন্তনা শাহুনা লৈরি ॥৪২—৪৫॥ *

---

* জীব (জীবাত্মা) অসিগা লোয়ননা লৈরিত্তৈদা জীবসিগী লোয়নবী ওইনা লৈরিত্তৈদা প্রকৃতিসিনা থবক পুম্নমক্ তৌই, থবকশিং অহুগী অহুম অহুম্ মহাক্না ভোগ তৌই। থবক তৌরিবা মহৈ চারিবহুদি

তির্য্যগ্‌যোনিমনুষ্যত্বং দেবলোকে তথৈব চ। ত্রীণিস্থানানি চৈতানি জানীয়াৎ প্রাকৃতানি হ ॥৪৬॥
অলিঙ্গাং প্রকৃতিং ত্বাহুর্লিঙ্গৈরনুমিমীমহে। তথৈব পৌরুষং লিঙ্গমনুমানাদ্ধি মন্যতে ॥৪৭॥

শা উচেক তীল-কাওগী মপোক (দেহ), মাইবং মীওইবংগী মপোক, দেবযোনি (লাইগী মপোক), হায়রিবা অহুম অসি জীবসিগী কর্ম্মফলবু চাননবা মফমনি। হায়রিবা অহুম অসি প্রাকৃত মক্তনি। হায়-বদি— প্রকৃতিদগী ওইখিবা বিকার মক্তনি হায়না খঙঙু ॥৪৬॥

মুনিশিংনা প্রকৃতি অসিবু লিঙ্গ (প্রকৃতি হায়বগী খুদম) য়াওদবীনি হায়নৈ। অদুবু মথোয়না বিশেষ ওইবা হেতু খরগী পান্বৈনা লৈ হায়বগী অনুমানদি তৌবা মঙম্মি। মতৌ অমুম্না প্রকৃতিমুং অসিদা লৈরিবা পুরুষগী অস্তিত্ব (লৈ হায়ব) গী খুদমসু, অদুগা মাগী স্বরূপ মশক মওংসু অনুমাননা খঙবা ঙম্মি।

মঙোন্দা জীব হায়বদুনা লৈরিঙৈ মতম অদুতদানি। জীব মাগী মতেংনা প্রকৃতিনা থবক তৌরি— চারি। থবক তৌবা মচৈ চাবা অনীমকসিদা জীব মহাক্তি ঈয়াও য়াওদবনি। প্রকৃতি (হকচাং) অসিদগী য়াংমদা লৈদুনা প্রকৃতিদা মতেং অদু পীবিরম্বগদি জীব মহাকসু ঐ কর্ত্তাসু নত্তে ভোক্তাসু নত্তে হায়না খঙরমগ-দবদা মহাক্‌দি প্রকৃতি (দেহ— মায়া) অসিগী মনুংদা প্রকৃতি (মায়া) সিনা কূপশিন্ য়োম্‌শিন্দুনা মরৈ প্রবনিনা ঐনা তৌরিবনি, ঐনা চারিবনি হায়না খঙ্গরি। তৌবগীদি লামবু খল্লবসু খল্লিবদুদি প্রকৃতি— (হকচাং) সিগী মনুংদা লৈরিঙৈদা ঙম্লিবনি। মুম্না খন্থরুব্বদি প্রকৃতিগী মপান্‌বু জীবসিনা তাংডি, জীবগী মপাম্ প্রকৃতিসিনা তাংডি। অদুনা কয়াগী মতীক্ মন্নী লৈনবগে হায়ববু— জীব মহাক্না হেক্ লৈবি-দবদা প্রকৃতিসি অশিবা প্রকৃতি (অশিবা হকচাং) হেক্তা ওই। জীব (জীবাত্মা) অসিসু প্রকৃতিদগী য়াংম হেক্ লানথিবদা জীব (অহিংবা হায়বা মিংথোল অদু অহুম ফংখিদ্রে। অনী অসিগী শক্তিদা খেন্নবা হায়ববু জীব মহাক্তি প্রকৃতি অসি অশিবা (নির্জীব) ওইহল্লম্মগা প্রকৃতিসি লোয়নদনা অহুম থোকখিবা মাঙথোকখিবা ঙম্মি। প্রকৃতিদি হান্নদোনা মাঙবা ঙমদনা অহুম লৈহোই। অদুবু অহুম্, স্থূলপ্রকৃতিসিনা মন্নীক্ মন্নীক্ চোংথোক্‌থিদুনা মাগী মাগী মূলপ্রকৃতিদা ডিন্‌খি। মপুরোয়বা (লোয়নবা) অদুনা হুন্দোক্-লম্লবী খাইনবিরম্লবী মুপীনা মাগী পোক্লকম মপাম্‌দা চংখিবদুগুম্না, ঈ নাইলু তোং মুংশিং (মুংশাপোর) অশাবাশিং অসিনা মহাবায়ু, মহাকাশ, মহাগ্নিনচিংবগী মফমদা চংখিদুনা ডিন্নখি। চারিবা মনা-মশীং অসি লৈপাক্লি, চারিবা লৌরিবা খোঙ খুৎ অসিসু লৈপাক্লি। লৈপাক মশেল তিন্নরগা চাউথোরক্লিবা নোয়-রক্লিবসিনি। জীব অসিদি নোয়বা কংবা য়াওবা নত্তে। অদুবু প্রকৃতিনা কূপথিবদগী ঐ নোয়রে, ঐ কংলে অহুম মহায়রি। থুম্মি, য়াকই খঙলিব্বসিদি, অদুগা ঈংই শাই হায়না ফাওরিবসিদি কনাননো, হায়বদা প্রকৃতিসিগা লোয়নরিবা জীবসিননি। প্রকৃতিসিগা লোয়নৱবদি খঙদবরা হায়বদা খঙিঙ, মহাক্তি জ্ঞানময়নি। প্রকৃতিসিগী মনুংদা লৈনা লৈনা অজ্ঞান ওইবদু তোক্লনবা সাধন তৌবা ঙম্মি। প্রকৃতিদি মাদু ঙমদে।

(কালাচাঁদ)

সলিঙ্গান্তরমাসাদ্য প্রাকৃতং লিঙ্গমব্রণঃ। ব্রণদ্বারাণ্যধিষ্ঠায় কর্ম্মাণ্যাত্মনি মন্যতে ॥৪৮॥
শ্রোত্রাদীনি তু সর্ব্বাণি পঞ্চকর্ম্মেন্দ্রিয়াণ্য হ। বাগাদীনি প্রবর্ত্তন্তে গুণেষ্বিহ গুণৈঃ সহ ॥৪৯॥
অহমেতানি বৈ সর্ব্বং ময়োতানীন্দ্রিয়াণিহ। নিরিন্দ্রিয়ো হি মন্যেত ব্রণবানাস্মি নির্ব্বণঃ ॥৫০॥
অলিঙ্গা লিঙ্গমাত্মানমকালঃ কালমাত্মনঃ। অসত্বং সত্বমাত্মনমসর্গঃ সর্গমাত্মনঃ ॥৫১॥
অমৃতুর্ম্মৃত্যুমাত্মানমচরশ্চরমাত্মনঃ। অক্ষেত্র ক্ষেত্রমাত্মনমসর্গঃ সর্গমাত্মনঃ ॥৫২॥
অতপাস্তপ আত্মনমগতির্গতিমাত্মনঃ। অভবো ভবমাত্মনমভয়ো ভয়মাত্মনঃ ॥৫৩॥

খঙ্গিঙবা অনুমান তৌরিবা অদুস্তু জীব পুরুষ মশামক্তি প্রকৃতিসিগী ম.ংদা লৈরিঙৈদা ॥৪৭॥ পুরুষ অসি মশামক্কীদি করিগুম্বা ছিদ্র (মখুল— খুদম) অমতা লৈত্রবস্তু, প্রকৃতিসিগী মশাগী ওইজবা লৈজবা খুদমগী মশক ওইবা হকচাংশিং অসিগী আশ্রয় লৌদুনা ছিদ্রশিং অসিদা লৈরিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগী অধিষ্ঠাত্রী-দেবতা অমমম্ ওইনা লৈদুনা ইন্দ্রিয়শিংসিগী কর্ম্মশিংসিবু মাগীনি, মানা তৌরিবনি হায়না লৌরি। মাসি-মক্না পুরুষ মহাক্কী লৈ হারবগী লিঙ্গ (খুদম— প্রমাণ) অদু অদুম মওইয়ে ॥৪৮॥

জগৎ অসিদা নাকোংনচিংবা জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা, চীনুনচিংবা কর্ম্ম-ইন্দ্রিয় মঙা মখোয় অসি মাগী মাগী ভোগান্‌বা গুণ অময়ম্‌গা লোয়ননা গুণতগী মশক ওইরবা হকচাং অসিদা লৈরিবনি ॥৪৯॥

অদুবু জীব অসিদি মাগী ইন্দ্রিয়দি লৈতে হায়ববু থবক পূম্নমক ঐনা তৌরিবনি, ইন্দ্রিয় পুম্নমক ঐঙোন্দা লৈরিবনি, অদুম হায়না খল্লি। অদুনা মশাদা ছিদ্র অমতা লৈতনা ইন্দ্রিয়-ছিদ্র পূম্নমক মঙোন্দা লৈ হায়না খঞ্জে ॥৫০॥ জীব অসি মশামক্কী লিঙ্গশরীর (পীক্লবা হকচাং) কাওবা লৈজত্রবস্তু মশামকপু লিঙ্গশরীরগা তিম্নমা লৈরিবনি হায়না খল্লি। কালধর্ম্ম য়াওত্রবস্তু, কাল (মতম) গী ধর্ম্মদগী রাংমদা লৈরবস্তু হায়বদি— মৃত্যুদগী রাংমদা লৈরবস্তু মশামকপু শিরে, পোক্নে হায়না খঞ্জে। সত্ত্ব (লৈবা) দগী রাংমদা লৈরবস্তু মশামকপু সত্ত্ববাননি হায়না লৌজে। মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চমহাভূতশিংদগী রাংমদা লৈরবস্তু মশা মথন্তবু পঞ্চভূতকী মশক ওইরিবা হকচাংসিবু মা-মক্তি, মাগী মশকনি হায়না লৌজে ॥৫১॥

পোকপা-শিবা হায়বদুনা জীব মঙোন্দা চঙব ঙম্বা নত্তে। অদুবু পোকলে শিরে হায়না খঞ্জে। মহাক্তি অমদগী অমদা চৎপা য়াওদবনি। অদুবু হকচাং (প্রকৃতি) সিগা তিম্নমা লৈরুবদগী হকচাংসিনা লেঙব-চৎপবু মহাক্না চংলিবনি, লেঙলিবনি হায়না খল্লি। ক্ষেত্র (হকচাং) সিদগী ঈতোপ তোপ্প অমা ওইরবস্তু, ক্ষেত্র-সিমক্ মহাক্না ওইরিবনি হায়না লৌজে। মহাক্তি সৃষ্টিদগী রাংমদা লৈরবস্তু সৃষ্টিসিমক শেম্লিবা-শাম্লিব-সিমক মহাক্না তৌরিবনি, মহাক্কীনি হায়না খল্লি ॥৫২॥

জীব (জীবাত্মা) মহাক্তি করিগুম্বা মতমদা তপ (তপস্যা) তৌদে ; অদুবু, ঐ তপস্যা তৌরি হায়-দুনা তপস্বী শাম্মি ; হকচাংদুবু মা-মক্তি হায়দুনা তপস্বীগী ফিজেং শেংহল্লি। মা-মকৃতি করিগুম্বা মকম অমদা চৎপা হায়বা লৈতে। অদুবু হকচাংসিগা লোয়ননা মকম অমদা চৎপা ওইনা উহল্লি। মপান্‌গী

অক্ষরঃ ক্ষরমাত্মানমবুদ্ধিত্বাভিমন্যতে ॥৫৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি বসিষ্ঠকরালজনক-সংবাদে অষ্টনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯৮॥

——:(+):——

সংসার (বিষয়) সিগা মাগা করিমত্তা মরম লৈনদে। অদুবু সংসারগী বিষয় অসিসু কিবদগী মাসিদগী লাম্ছোক্নবা বৈরাগ্যনচিংবা উপায় থিদি। মহাক্তি অক্ষরনি, অমাঙবা লৈতবনি। অদুবু মাঙখরক্কে শোন্থ-রক্কে হায়দুনা মপান্গী হকচাংসিগীদমক রাদ্মি তেংথারি। মাদি বুদ্ধিগী রাংমদনি, অদুবু মশামক্ ঐ বুদ্ধিমান্নি, জ্ঞানীনি হায়না হকচাংসিগা লোয়ননা খল্লি। খন্বতা নত্তনা জ্ঞান লৈরে, হান্নবা থোয়রি, নাপল তৌরি ॥৫৩—৫৪॥ *

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিংশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনী-মরিফুতরানিপান্থুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৮॥

——:(+):——

---

* মতাং অসিদা কনাগুম্বনা অম্বম্না চিংনরকপা হংলকপা য়াই :— শিংনবা হৈনবা হায়বদুনা মহৈ-মশিং তম্মরি, ওঝা গুরু থন্নরি। ওঝাদুনসু অহৈবনি অখণ্ডবনি হান্নদুনা তম্বিরি তাক্পিরি। পাপ তাপ কোক্ন-ননা প্রায়শ্চিত্ত প্রতীকার তাকপা শাস্ত্র কয়া, পাপ তাপকা মরী করিমতা লৈনজবা জীব অসিগীদমক্তা মুনিশিংনা লেংনরম্মি। মাসি পুন্নমক অসি অইবা জ্ঞানী যোগীনি হায়রিবা মখোয়সু মায়া (প্রকৃতি) দা নৈথুনা ইরক্লি। পোকপা শিবগা, জরা মৃত্যুগা মরম করিমতা লৈনদবা অসিগুম্বা জীব অদুগা মৈ, ঈশিংনচিংবগী মপৈ হকচাং অনীসিগীদমক্তা অন্নক য়াম্বা ক্রিয়া কাণ্ড ময়াম অসিদি মায়াদা ঙাওদুনা তৌনরিবা ওাক্লা? (অসিনচিংবা থুম্বদা ম্নারবা রাহং কয়া লৈরি) মাসিদা খুম্‌গদবদি— মতৌ অম্বম্না করি লৈবগে হান্নবা খন্নবগী অদুগা খন্ননীংবগী রাখল তাইবং মীওইবগী হকচাংদা লৈরিডৈদত্তা জীবসিনা ওন্মি। মাসিদা খলহৌম্রবদি ঈখল খ-দবা তীল কাণ্ড শা উচেক্কী হকচাংনা মতোন্দা কুপশিল্লরে। অদু-দগীদি, মাসিগী মরমদা শুক্‌খণ্ড খণ্ডজবা, পুক্নীংদা নীংশিংহন্নরোইংদোবা শা উচেক্ কৌবা দেহ (কুয়োম্) শিং মখল মখল্না মথং মথং অদুম্ কুপশিন্‌খি। অদুগুম্বা লৈখা তাবা (নরক তাবা) কুয়োম্না কুপ-শিল্লরোইদোবা অদুগা কুপশিন্‌খিদনবা শাস্ত্রগী নিয়ম-বিধি ময়াম অসি লৈখ্রিবনি। মম্‌শিল্লক্পা ঙাম্থোক্-লক্পা হায়বা লৈতবা থুবিং অসিদসু লৈচিন্না কুপশিন্‌খ্রবদি মঙাল্ তাদে। অদুনা জীব অসি মহৌশাগী জ্যোতির্ময় ওইদুনা লৈবা অদু অদুম্ লৈনবা শাস্ত্র ময়াম অসি লৈখ্রিবনি। (কালাচাঁদ)

—+—

মণিপুরী মহাভারত

নবনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(প্রকৃতিগা তিন্নবা লৈবদগী জীবনা লৈখা তারকপা)
চনীমরিফুতরামাপলগুবা অধ্যায়

——:(•):——

বসিষ্ঠ উবাচ।

এবমপ্রতিবুদ্ধত্বাদবুদ্ধ জনসেবনাৎ। সর্গকোটিসহস্রাণি পতনান্তানিগচ্ছতি ॥১॥

ধাম্না ধামসহস্রাণি মরণান্তানিগচ্ছতি। তির্য্যগ্ যোনি মনুষ্যত্বে দেবলোকে তথৈব চ ॥২॥

চন্দ্রমা ইব ভূতানাং পুনস্তত্র সহস্রশঃ। লীয়তে প্রতিবুদ্ধত্বাদেবমেষ হ্যবুদ্ধিমান্ ॥৩॥

কলাপঞ্চদশীযোনিস্তদ্ধামপ্রতিবুধ্যতে। নিত্যমেতৎ বিজানীহি সোমং বৈ ষোড়শীং কলাম্ ॥৪॥

বসিষ্ঠনা হায়,— নিংথৌ জনক! মতৌ অসুম্না জীব হায়বসিনা মশামক পাপ-পুণ্য, অরা-অনানচিংব-দগী বাংমদা লৈরবস্থ অজ্ঞানী ওইবা মীশিংগী সঙ্গদগী মপোক্ মপোক্না লৈখা তারবা দেহনা অসুম মথং মথং কৃপশিন্খিবদগী ঐ অসি কনানো, করিনো হায়বকাও খয়নবগী শক্তি লৈত্রবা য়াম্না হম্বরবা তীল্ কাও শা-উচেক্কী দেহদা চঙখি। অতুদগীদি মহাক জ্ঞান লৈতা তাদনা অদুগুম্বা হকচাংদা চঙ চঙতুনা চহী লিশিং লিশিং কোটি কোটিরক্ হয়্না পোক্খি। মাসিবুনি— নরক-তাবা হায়রিবসি। অদুনি, হৌজিক হৌজিক উরিবা শা-উচেক্ তীল-কাওশিংগী মপোক্না ওইরিবসে ॥১॥ জীব (জীবাত্মা) অসে, হৌজিক হায়রিবা,— তোঙান্ তোঙান্বা দেহনা কৃপশিন্বা হায়বা মওং অসিদা, শা-উচেক্, তাইবংমী অদুগা লাইশিংগী মপোক্না অদুগা পোকফম (হকচাং) অমদগী অমদা, হায় হায়গী হকচাং অদু থাদোক্লয়গা হেক্ হেক্ শিখি, হেক্ হেক্ পোক্খি ॥২॥ থা অমতনা মথং মথং হেন্গৎলম্বা, মথং মথং হন্থখিবতুগুম্না— জীব অসিবু মথং মথং হেনগৎলম্বা, মথং মথং হন্থখিবা লাক্লম্মি চংখি; অদুনা হৌজিক ফাওবা মাংতুনা অসুম মরৈরিবসিনি ॥৩॥ নিংথৌ! চন্দ্রমাগী কলা তরামঙাগী মসৌগুম্না কলা তরামঙানা জীবশিংগী পোক্লফম ওই। জ্ঞান তাদবা অজ্ঞানী ওইবা জীবনা তরামঙা অসিবু হকচাংগী আশ্রয় (চঙনফম) নি হায়না খল্লি। অদুবু, নিংথৌ! থাঙৈশেংবদি তরাতরুকগুবী কলা অদুতুনা জীবগী অরেপ্পা আশ্রয়নি হায়না খঙজু। তরাতরুকগুবী কলা অদুদি, চন্দ্রমা (থা) গী তরাতরুকগুবী অমা কৌবী কলা অদুগা চপ মান্নবনি ॥৪॥

কলায়াং জায়তেঽজস্রং পুনঃ পুনরবুদ্ধিমান্। ধাম তস্যোপযুঞ্জন্তি ভূয় এবোপজায়তে ॥৫॥
ষোড়শী তু কলা সূক্ষ্মা স সোম উপধার্য্যতাম্। ন তূপযুজ্যতে দেবৈর্দ্দেবানুপযুনক্তি সা ॥৬॥
এতামক্ষপয়িত্বা হি জায়তে নৃপ সত্তম। সা হ্যস্য প্রকৃতির্দৃষ্টা তৎক্ষয়ান্মোক্ষ উচ্যতে ॥৭॥
তদেব ষোড়শকলং দেহমব্যক্তসংজ্ঞকম্। মমায়মিতি মন্বানস্তত্রৈব পরিবর্ত্ততে ॥৮॥
পঞ্চবিংশো মহানাত্মা তস্যৈবাপ্রতিবোধনাৎ। বিমলস্য বিশুদ্ধস্য শুদ্ধাশুদ্ধ নিষেবনাৎ ॥৯॥
অশুদ্ধ এব শুদ্ধাত্মা তাদৃক্ ভাতি পার্থিব। অবুদ্ধসেবনাচ্চাপি বুদ্ধোঽপ্যবুদ্ধতাং ব্রজেৎ ॥১০॥

কলাশিং অসিগী মন্নুংদা জীব অসিনা পোক্পা হায়বা থবক ঙক্তু তৌই। মহাক্না পোক্পগী মতীক চাংবা মফমদু তরামন্তা অসিনি। অদুনা, মখোয়শিং অশিংবদা মহাক্না জন্মগ্রহণ তৌই, হায়বদি পোক্কই ॥৫॥

অমা কৌবী তরাতরুকশুবী কলা অসিগুনা সোমনি, হায়বদি— জীবগী প্রকৃতিনি। মসি, নহাক চিংনবা লৈতনা খঙ্ঙু। কলা তরামন্তানি হায়না খঙনরিবা ইন্দ্রিয়শিং অদুগা ইন্দ্রিয়শিং অসিগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ওইদুনা লৈরিবা দেবতাশিং অদুগা অন্তকরণ (থম্মোয় মন্নুংগী খুংগোয়) মখোয় অসিনা তরাতরুকশুবী অমা কৌবী কলা মহাকপু শীজিন্নবা ঙমদে। অদোমনচুন, মখোয় তরামন্তা অসিগী হৌরককম ওই-দুনা মূলপ্রকৃতি ওইদুনা লৈরিবী অমা মহাক্নতুম মখোয়বু শীজিন্নে ॥৬॥

জীব অসিনা অজ্ঞানগী মথা পোন্খিবনা অমা কৌবী তরাতরুকশুবী কলা অসিবু মাঙহন্বা ঙম-হনবা ঙম্দে। অদুনা মাসি হেক্ তুম্হান্দ্রমখৈ মহাক্না হন্না হন্না পোক্পা তাবনি; হন্না হন্না পোক্লিবসি অদুননি। হৌজিক হায়রিবী প্রকৃতি অসিতবু জীবসিগী হৌরকফম্নি হায়না লৌনখ্রে। অসুম্ ওইবী মূল-প্রকৃতি (অমা) অসিগা জীবসিগা হেক্ তৎনখিবা, তিন্নখিদবা অদুবুনি মুক্তি (মোক্ষ— নির্ব্বাণ) হায়ন-রিবসি। জীবসিনা চৎখিবা মতমদা অমা কৌবী মনাক উদবী কপা (প্রকৃতি) অসিগা লোয়নদুনা চৎখ্রি-ন্ত্রিমখৈ অমুক হন্নবখিবা (পোক্লকখিবা) তাই। মহাক থাদ্রেগনা জীবগী কলা তরামন্তাতনি। থা গী থারক্পা (পোক্পা-শিথরকপা) অদুসু অমা (অমাবস্যা) কৌবী মূলপ্রকৃতিদু থাদ্রগা তরামন্তারক্তনি। মহাক থারগনা তরাতরুক্কি ॥৭॥

মূলপ্রকৃতি, ইন্দ্রিয় তরা, প্রাণবায়ু অমা, অন্তকরণ মরি হায়রিবা তত্ত্ব তরাতরুকসিনা তিল্লিবা সূক্ষ্ম-শরীর (পীক্লবা কুপ্লবা হকচাং) অসিবু ঐগীনি হায়না খল্লিবা অদুক্কীমখৈ জীব অসিনা পোক্পা-শিবগী লাংদগী নাম্থোকপা ঙমদে। লম্থুংকম্ খঙদবমখৈ পঙচত্ত চৎলিবসি লম্মুক্রবা হাংবদুনি ॥৮॥

সাংখ্যযোগগী তত্ত্ব কুন্নরি অসিদগী রাংমদা লৈবা কুন্মঙাশুবা তত্ত্ব ওইনা লৈরিবা আত্মা মাদি মফম মতম পুম্বদা ঈশেংত শেংনা লৈবনি। করিগুম্বা মতমদা শীক্শিন্বা চাউথোরক্পা লৈতে; খুইজিল্লকপা মক্শিল্লক্পা লৈতে। ঐসি মাসি ওইরে হায়বা খঙজদবদগী অশেংবা শেংদবা পোৎশকশিংবু শীজিন্নরুবদগী করিগুম্বা কনাগুম্বা অমতগা মরী থমদবা আত্মা মহাকসু অশেংবা শেংদবগী মওংদা হেক্ হেক্ লৈ।

তথৈবাপ্রতিবুদ্ধোঽপি বিজ্ঞেয়ো নৃপসত্তম। প্রকৃতেস্ত্রিগুণায়াস্তু সেবনাৎ ত্রিগুণো ভবেৎ ॥১১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি বসিষ্ঠ-করাল জনক-সংবাদে নবনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯৯॥

——:(+):——

প্রমাণ অমদা হায়রগা— বুদ্ধিমান্ জ্ঞানবান্ ওইবা মী অদুসু অপণ্ডবশিংগা সঙ্গ তৌরগা মহাকসু অদুম পণ্ডথরকই ॥৯—১০॥ নিংথৌ! মতৌ অসুম্না য়াম্না পণ্ডলবা মীসু অশিংবা জ্ঞানী ওইরবা মীগা তিন্নরগা জ্ঞানী ওইরকই। গুণ অহুম্না তিন্বী প্রকৃতিগা লৈমিন্নবদগী আত্মাসিসু গুণ অহুম্না তিন্বা হায়বসু ওইরে। আত্মাদি মশানা নির্গুণনি। মওোন্দা অফবঃ ফত্তবা চাউব-পীকৃপনচিংবা গুণ অমতা য়াওদে। অদুবু প্রকৃতি ওইবা হকচাংসিগা তিন্নবদগী মহাকসু ফব-ফত্তবা ফজব-ফজদবনচিংবা গুণশিং অসিগা তিন্নবগুম্না লৈরে ॥১১॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, বসিষ্ঠ-করাল-জনক-সংবাদদা চনীমরিফুতরামাপন্‌গুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৯॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(প্রকৃতি পুরুষগী মরমদা বসিষ্ঠগা ওাওনবা)

চহুমগুবা অধ্যায়

——:(+):——

জনক উবাচ।

অক্ষরক্ষরয়োরেব দ্বয়োঃ সম্বন্ধ ইষ্যতে। স্ত্রীপুংসোর্ব্বাপি ভগবন্ সম্বন্ধস্তৎবদুচ্যতে ॥১॥

ঋতে তু পুরুষং নেহ স্ত্রী গর্ভং ধারয়ত্যুত। ঋতে স্ত্রিয়ং ন পুরুষো রূপং নির্ব্বর্ত্তয়েৎ তথা ॥২॥

জনকনা হায়,— ভগবন্! গুরুদেব! ক্ষর অক্ষর অসিগী, হায়বদি— পুরুষ প্রকৃতি হায়রিবসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি মুপী নিপা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা দাম্পত্য-সম্বন্ধ (মতৈ মনাওগী মরী) অদিগা অম্মা ওইরমান্নে হায়না খল্লে ॥১॥ সংসারসিদা নিপা য়াওদনা, নিপাগী মতেং য়াওদনা মুপী কনাগুম্বী

অন্যোন্যস্যাভিসম্বন্ধাদন্যোন্যগুণসংশ্রয়াৎ। রূপং নির্ব্বর্ত্তয়ত্যো তদেদং সর্ব্বাসু যোনিষু ॥৩॥
রত্যর্থমভিসম্বন্ধাদন্যোন্য গুণ সংশ্রয়াৎ। ঋতৌ নির্ব্বর্ত্ত্যতে রূপং তৎ বক্ষ্যামি নিদর্শনম্ ॥৪॥
যে গুণাঃ পুরুষস্যেহ যে চ মাতৃগুণাস্তথা। অস্থি স্নায়ুশ্চ মজ্জাচ জানীমঃ পিতৃতো গুণাঃ ॥৫॥
ত্বঙ্মাংসং শোণিতঞ্চেতি মাতৃজান্যপি শুশ্রুমঃ। এবমেতৎ দ্বিজশ্রেষ্ঠ বেদে শাস্ত্রে চ পঠ্যতে ॥৬॥
প্রমাণং যৎ স্ববেদোক্তং শাস্ত্রোক্তং যচ্চ পঠ্যতে। বেদশাস্ত্রদ্বয়ঞ্চৈব প্রমাণং যৎ সনাতনম্ ॥৭॥
অন্যোন্যগুণসংরোধাদন্যোন্যগুণসংশ্রয়াৎ। এবামবাভিসম্বদ্ধৌ নিত্যপ্রকৃতিপুরুষৌ ॥৮॥
পশ্যামি ভগবং তস্মাৎ মোক্ষধর্ম্মো ন বিদ্যতে। অথবানন্তরকৃতং কিঞ্চিদেব নিদর্শনম্ ॥৯॥
মমাচক্ষ্ব তত্ত্বেন প্রত্যক্ষো হ্যসি সর্ব্বদা। মোক্ষকামা বয়ঞ্চাপি কাঙ্ক্ষামো যদনাময়ম্ ॥
অদেহমজরং নিত্যমতীন্দ্রিয়মনীশ্বরম্ ॥১০॥

অমতনা মবুক্তা মচা পুজবা ওমদে। নিপাসু নুপী য়াওদনা তাইবং মীওইবগী হকচাং অমতা শাবা—(পুথোকপা—পোকহন্‌বা) ওমদে। মখোয় অনীসিনা অনা অমগী গুণবু লৌথোক লৌশিন্ তৌরগা মাহুতদা তাইবং হকচাং অসি পুথোকপা ওয়িবনি। শা উঃচককী লাব-অমোমগী মরীসু অসিনা অয়াম্বা ওাক্নি। ঋতু লাক্লবা মতমতুদা রতিগীদমক্তা নিপাগা শন্নরবা মতম অতুতদা, অনীগী গুণনা য়াস্থোক-য়াঙ্কিন্ তৌরগা হকচাং অসি ওইগ্রিবনি। পুথোরক্লিবা— থোরক্লিবা হকচাংসিগী মঙ্গুংদা, হায়বদি— মাসি শাবা শেম্বগী মচাকশিংদা মপানা পীরকপা মচাক্ (গুণ) অতুগা মমানা পীরকপা গুণ (মচাক্) অনীমক্ য়াওরি। মাহু ঐ হঙ্গচ্চগে, শরূগা, শিংলিগা, মতোংগা অহুম অসিনা নিপানা পীবা মচাক্নি। ঈগা, উন্‌শা গা শদূমগা অহুমনা মুপীনা পীবনি; অহুম হায়না ননাইনা তাজে। অতুগা ব্রাহ্মণ অথোইবা গুরুদেব! শারীরিকশাস্ত্রগী বিচারদসু অহুম হায়না তম্নৈ, গুরুদেহনা হেন্না খওবিরি॥৫—৬॥

বেদদা অতুগা শাস্ত্রদা পীনখিবা প্রমাণসু অসিনি। মাসি অচুম্বনি হায়না খওজে থাজে। মরমদি বেদগী প্রমাণ পূম্নমক সনাতননি। সৃষ্টিগী মতমদগী লেওদনা লৈরক্লিবনি ॥৭॥

মতৌ অসুম্না প্রকৃতি পুরুষ অনীগী হায়রিবা গুণশিং অসিনা অমনা অমবু কূপতুনা থম্লগা, অমনা অমগী আশ্রয়বু লৌনরগা হকচাং অমদি জীব অনীগী সৃষ্টি তৌরিবনি। অতুনা, অনী অসিগী তংনবা য়াত্রবা মরী অমা লৈরবনি। অতুনা অসিগুম্বা মরী অসি লৈনরিমখৈদি পুরুষ অসিনা প্রকৃতিদগী লান-থোকপা (মুক্তি ফংবা) হায়বতুমদি ঈওই ওইথোক্‌ত্রবনি। অতুগা, গুরুদেব! প্রকৃতিসিদগী লাস্থোক্তুনা (মুক্তি ওইখিতুনা) চংখিবগী প্রত্যক্ষ ওইবা অউবা থুদম প্রমাণ অমতং পীবিয়ু। ঐওোন্দা নাখৈশেংনা অমুক্তা তাকপিয়ু। গুরুদেবদি হীরম পুম্বা অউবা ওইনা ওাক্তা লৈবনি। ঐসু হায়রিবা মুক্তি (অরান্ থুবম্) অসি পামজরিবনি— ফংগে নীংজরিবনি। মশক ওনবা, তুম্শিন্‌খিদা মাঙখিবা লৈত্রবা, পোক্‌প শিবা লৈত্রবা ইন্দ্রিয় অসিত্তনা লাম্বা (অনুভব) ফংদ্রবা পরম্‌ধাম (অথোইবা মফম) অদো ফংনিংলবনি।

বসিষ্ঠ উবাচ।

যদেতৎ উক্তং ভবতা বেদশাস্ত্র নিদর্শনম্। এবমেতৎ যথা চৈতন্নিগৃহ্নাতি তথা ভবান্ ॥১১॥
ধার্য্যতে হি ত্বয়া গ্রন্থ উভয়োর্ব্বেদশাস্ত্রয়োঃ। ন চ গ্রন্থস্য তত্ত্বজ্ঞো যথা তত্ত্বং নরেশ্বর ॥১২॥

॥৮—১॥ * বসিষ্ঠনা হায়,— নিংথৌ! নহাক্না বেদশাস্ত্রগী রা পন্দুনা থরা হায়খি। অদুপা বেদন-চিংবদগী খুদম লৌশোক্তুনা নংগী মত ফোঙদোকৃখি, মাদু য়াম্না চুম্মি। নিংথৌ। নহাক্না খল্লিবদো. হায়-রিবদো অদুমক্কি, লান্‌বা লৈতে ॥১১॥ বেদশাস্ত্রশিংদা হায়রিবা, তাক্লিবা পূম্বা নহাক করিমত্তা কাউত্রি. হায়বসিদা করিমতা চিংনফম লৈতে। অদুদা, লাইরিকশিং অদুদা হায়রিবশিংদুগী মনুংগী তত্ত্বশিং অদুদি নহাক্না নপুংকানা খমত্রি ॥১২॥

* প্রকৃতি-পুরুষ অনীনা অমনা অমগী গুণবু কূপশিন্নবা, অমনা অমগী আশ্রয় লৌনবা হায়বসিগী ভাবতি অসিনি :— পুরুষনা প্রকৃতি (হকচাং) গী জড়ত্তা (করিমতা খঙদবা, পঙথবা, শিবা) ধর্ম্ম অদুবু কূপশিন্দুনা থম্লগা, হায়বদি— মাগুম্না হিংহন্দুনা লেঙহন্-ওংহন্দুনা থম্লগা, প্রকৃতিদা লৈরিবা সুখ-দুঃখ-নচিংবদুগী আশ্রয়সু মহাক্না লৌজল্লি হায়বদি পুরুষ অসিনা লৌজরি। মাগী লৈজদ্রবসু প্রকৃতিগী আশ্রয়দগী সুখ-দুঃখ অসি মামক্কী ওইনা শীজিন্নরি। জীব মা-মক্না ঐ পোক্লে, ঐ শিরে, ঐ রারে, অসিনচিংবা হায়বা য়ারিবর্সি প্রকৃতিগী গুণগী আশ্রয় লৌবদগীনি। অদুগা, প্রকৃতি মহাকসু পুরুষগী আনন্দময় ওইবা ধর্ম্ম (গুণ) অদুবু হায়বদি— পোকপা শিবা ঈয়াও য়াওদবা, ঈনুংত-নুংঙাইবা ওম্বা গুণ অদুবু কূপশিন্দুনা লোৎতুনা থম্লগা পুরুষ মঙোন্দা লৈবা— হিংবা, লেঙব-ওংপগী আশ্রয় অদু পুরুষদগী ফংজে। হায়বদি মহাকসু লেংব-ওংপদো অদুম মঙমজে। অসিগুম্বা আশ্রয় অদু পীবিরম্বা হুমাক্না হেক্ চংশ্রবদা লৈত্রবদা প্রকৃতি (দেহ) অসি মাগী হায়গী স্বভাবতা হুজিন্দুনা লেঙব-ওংপা করিমত্তা য়াত্রবদুদা লৈহৌই। হায়রিবা অসিগী অশম্বা রাদি :— প্রকৃতিগা তিন্নরুবদগী (গুণ দোষগী লৌথোক লৌশিন্ তৌনরুবদগী) পুরুষ মহাকসু মাগী নিত্য ওইবা আনন্দময়ত্ব অদু থম্বা ঙমদ্রে। অরাবদু মহাকসু ফংবা য়াওরে। অদুগা প্রকৃতি মহাকসু আনন্দময় পুরুষগা তিন্নজরুবদগী মশাগী অশিবা ধর্ম্ম বু হেক্ কাউথোক্চখিদুনা সচেতন ওইবগী মতৌগুম, হিংবগী পোক্পগী শক্তি পুবগুম্ খঙ্গরি। অদুনা, ঐ চৎলি, ঐ কপ্পি হায়বসি মাগীমক্ ওইনা, মা-মক্ ওইনা হকচাং (প্রকৃতি) অসিনা শীজিন্নজরি। নিংথৌ করাল জনকনা রাফম অসি হৌদোরকপগী ভাবতি :— পুরুষ প্রকৃতি অনীগী মরক্তা লৈনরিবা সম্বন্ধ অসি অন্যোন্যাশ্রয়নি— অমা য়াওদনা অমদু লৈবা য়াদবনি। প্রকৃতিদগী মুক্ত ওইরবতদা পুরুষ অসিগী মুক্তি ফংবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অদুনা, মুক্তি হায়বসি ওইথোক্তবা রাফম্ অমনি হায়বতনি। চিংনরিবা মচিংনা অসিদা নাস্তিকবাদীশিং মত থরা য়াওরি। থাঙ্গেশেংবা নাস্তিকবাদদি নত্তে। নাস্তিকবাদীশিংগী মততদি পুরুষ হায়বদুফাও অমত লৈত্রবনি।

(কালাচাঁদ)

যো হি বেদে চ শাস্ত্রে চ গ্রন্থধারণতৎপরঃ। ন চ গ্রন্থার্থতত্ত্বজ্ঞস্তস্য তদ্ধারণং বৃথা ॥১৩॥
ভারং স বহতে তস্য গ্রন্থস্যার্থং ন বেত্তি যঃ। যস্তু গ্রন্থার্থতত্ত্বজ্ঞো নাস্য গ্রন্থাগমঃ বৃথা ॥১৪॥
গ্রন্থস্যার্থস্য পৃষ্টঃ সংস্তাদৃশো বক্তুমর্হতি। যথা তত্ত্বাভিগমনাদর্থং তস্য স বিন্দতি ॥১৫॥
ন যঃ সংসৎসু কথয়েৎ গ্রন্থার্থং স্থূলবুদ্ধিমান্। স কথং মন্দবিজ্ঞানো গ্রন্থং বক্ষ্যতি নির্ণয়াৎ ॥১৬॥
নির্ণয়ং চাপি ছিদ্রাত্মা ন তং বক্ষ্যতি তত্ত্বতঃ। সোপহাসাত্মতামেতি যস্মাচ্চৈবাত্মবানপি ॥১৭॥
তস্মাৎ ত্বং শৃণু রাজেন্দ্র যথৈতদনুদৃশ্যতে। যথা তথ্যেন সাংখ্যেষু যোগেষু চ মহাত্মসু ॥১৮॥
যদেব যোগাঃ পশ্যন্তি সাংখ্যৈস্তদনুগম্যতে। একং সাংখ্য চ যোগং চ যঃ পশ্যতি স বুদ্ধিমান্ ॥১৯॥
ত্বঙ্মাংসং রুধিরং মেদঃ পিত্তং মজ্জা চ স্নায়ু চ। অথ চৈন্দ্রিয়কং তাত তৎ ভবানিদমাহ মাম্ ॥২০॥
দ্রব্যাদ্দ্রব্যস্য নির্বৃত্তিরিন্দ্রিয়াদিন্দ্রিয়ং তথা। দেহাদ্দেহমবাপ্নোতি বীজাৎবীজং তথৈব চ ॥২১॥
নিরিন্দ্রিয়স্যাবীজস্য নির্দ্রব্যস্যাপদেহিনঃ। কথং গুণা ভবিষ্যন্তি নির্গুণত্বান্মহাত্মনঃ ॥২২॥

বেদ শাস্ত্রশিংদা হায়রিবা ইরিবশিং অহুবু লোইনদি চীন্দা পুরে, লোইনা কারে। অহুগা হায়রিবশিং অহুগী তত্ত্ববুদি মুন্না খঙন্নিবা মী মহাক অহুনা কারিবা ঔরাইরিবা পুম্বা করিমত্তা কান্নরবনি, অরেম্বা (বৃথা) ওইরবনি ॥১৩॥ গ্রন্থ (লাইরিক) শিং অহুগী মস্র শ্লোক পাউতারুচিংব পুম্নমক হন্না হন্না ঔরাইহুনা চীন্দা পুরিবহু, কান্নদবদা অন্নম্বা পোৎয়োম অহু মথক্তা হন্না হন্না থোন্‌গচ্চরিবনি। তত্ত্ব খঙবা পারবদি নৈনরবদি মাহু অরেম্বা কান্নদবা থক্ ওইদে ॥১৪॥

তত্ত্ববু মুন্না খঙবা মীশিংদি মখোয়দা কনাগুম্বা মীনা হংলরবসু, অখঙবা তত্ত্ব অহুদি হংলরিবহুদা তশেংনা তাক্‌পা ঙম্মি ॥১৫॥ বুদ্ধি খেন্‌বা মরৌশিং লৈ’রবনা মহৈ-মশিং হৈবশিংগী সভাদা শাস্ত্রগ্রন্থগী অর্থবু নাখে শেংনা হায়বা ঙমদবা মী মহাক অহুনা মতৌ করম্না শাস্ত্রগী অর্থগী তত্ত্ববু তাক্‌পা ঙাওবা ঙমগদৌরিবনো? শাস্ত্রগী জ্ঞান য়াওদবা মীনা করিগুম্বা মতমদা শাস্ত্রগী অর্থবু লেপ্‌পবা ঙমদে। করিগুম্বা অমা হায়দোরকপা মতমদা মী পুম্নমক্কী নোক্রনীংঙাই লক্তননীঙাইগী মশক্তা মওই ॥১৬—১৭॥

মরম অহুনা নিংথৌ! সাংখ্য অমদি যোগ অনীমক্কী শুম্ববু খঙবা জ্ঞানীশিংগী মতদা মোক্ষ (অরান্‌খুভম্) গী চপচাবা মওং (স্বরূপ) না লৈরিবা অহু হায়গে মুন্না তাও ॥১৮॥

যোগীশিংনা ফংলিবা জ্ঞানতত্ত্বদো সাংখ্যতত্ত্ব খঙবশিংনসু অহুম্ মফংঙি। অনীমক্কী লমথুংকম মশা অমত্তনি হায়না খঙলিবা মহাক অহুত্তনা সংসারদা বুদ্ধিমান্ (অশিংবা) হায়বহু ওই ॥ ১৯॥ হকচাংদা হকচাংগী মচাক ওইনা লৈরিবা উন্‌শা, শদুম্, ঈ, মত্তোং, শক্ন শিংজি অসিত নত্তনা কফ, বাত, পিত্ত—পুম্নমক মমা-মপাগী অনীমক্কী সম্বন্ধদগী থোক্‌খিবা ঙাক্তনি হায়না নহাক্তসু হায়রিশ্রে ॥২০॥

মন্নদগী মন্ন পোকপন্নগুম্না দ্রব্যদগী দ্রব্য, ইন্দ্রিয়দগী ইন্দ্রিয়, দেহদগী দেহ পোক্নরিবনি শিনরিবনি। অহুপা, পরমাত্মাদি ইন্দ্রিয়, বীজ, দ্রব্য অহুগা দেহ (হকচাং) য়াওদবনা নির্গুণনি। অহুনা, মত্তোঙ্গা

গুণাগুণেষু জায়ন্তে তত্রৈব নিবিশন্তি চ। এবং গুণাঃ প্রকৃতিতো জায়ন্তে নিবিশন্তি চ ॥২৩॥
ত্বঙ্মাংসং রুধিরং মেদঃ পিত্তং মজ্জাস্থি স্নায়ুশ্চ ॥ অষ্টৌ তান্যথ শুক্রেণ জানীহি প্রাকৃতানি বৈ ॥২৪॥
পুমাংশ্চৈবাপুমাংশ্চৈ ত্রৈলিঙ্গ্যং প্রাকৃতং স্মৃতম্। ন বাপুমান্ পুমাংশ্চৈব সলিঙ্গীত্য বিধীয়তে ॥২৫॥
অলিঙ্গাৎ প্রকৃতির্লিঙ্গৈরূপলভ্যতি সাত্মজৈঃ। যথা পুষ্পফলৈর্নিত্যমৃতবোঽমূর্ত্তয়স্তথা ॥২৬॥
এবমেপ্যানুমানেন হ্যলিঙ্গমুপলভ্যতে। পঞ্চবিংশতিমস্তাত লিঙ্গেষু নিযতাত্মকঃ ॥২৭॥
অনাদিনিধনোঽনন্তঃ সর্বদর্শী নিরাময়ঃ। কেবলং ত্বভিমানত্বাৎ গুণেষু গুণ উচ্যতে ॥২৮॥
গুণাগুণবতঃ সন্তি নির্গুণস্য কুতো গুণাঃ। তস্মাদেবং বিজানন্তি যে জনা গুণদর্শিনঃ ॥২৯॥

লাক্কদৌরিবা গুণ অসি কদাইদগীনো? ॥২২॥ আকাশনচিংবা গুণশিংসিনা সত্ত্বনচিংবা গুণশিংদগী পোক্লকপা অহুগা গুণশিং অসিনা অমুক লোইশিন্থিবা থূপখিবহুগুম্না, গুণ পুম্নমক্কী হৌরকফম লোইশিন্ফম সত্ত্ব রজ তম হায়রিবা গুণ অহুমসিমক্ প্রকৃতিদগী পোক্লক্লগা প্রকৃতিসিদা অমুক লোইশিন্খি ॥২৩॥

নিংথৌ! উন্শা, শদূম্, ঈ, মরেক্ (মহাউ), মতোং, পিত্ত (কীরাক্তগী চেম্হরকপা মহী), শক্র. শিংলি, নিপাল অসি বীর্য্যদগী পোক্থিবনি। অহুনা, মথোয় অসি প্রাকৃত মক্কনি ॥২৪॥

সাংখ্যগী মতুংইন্না পুরুষ প্রকৃতি কৌবা তত্ত্ব অনীতনি। মথোয় অনীসিগী অউবা মশক মওংবু ফোংদোকহন্বা সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ওইবা খুদম্ (লিঙ্গ অহুম অসি প্রাকৃতনি, হায়বদি প্রকৃতিদগী ওইরকপনি। হায়রিবা লিঙ্গ অহুম অসিবু পুরিবা লিঙ্গী (লিঙ্গপুবা) ওইবা মহাক্তি খোথোংমক্কী তুংনকম ওইবা আত্মানি। মহাক্তি পুরুষগী লিঙ্গস্থ পুদে, প্রকৃতিগী লিঙ্গস্থ পুদে। হায়বদি— মহাক নিপা (লাবা) নুপী (অমোম্) অনীমক অমতা নত্তে। মহাক্তি পুরুষ প্রকৃতি অনীমক্তগী তোপ তোপ্না লৈবনি ॥২৫॥

মশক উবা পাম্বীশিংগী মনা-মপাল, মহৈ-মরোংনা নিরাকার (মশক মওং লৈতবা) ওইবা ঋতুশিংগী সত্তা (লৈবা)বু অনুমান তৌনবহুগুম্ নিরাকার (নির্লিঙ্গ) ওইবা পুরুষগা তিন্নবদগী পোক্লক্লিবা মহত্তত্ত্বশিং অসিমক্না প্রকৃতিগী লৈবগী অনুমান তৌনরি ॥২৬॥

লিঙ্গশিং অসিদগী তোঙান্না তাহুনা লৈরিবা, করিগুম্বা অমতগা যান্নদনা তিন্নদনা ঈশেং শেংনা লৈরিদা আত্মাসিমক্তু অনুমান কৌবা জ্ঞানগী বিষয় অমা ওইনা লৈরে। পোৎ পুম্নমকপু উহল্লিবা সূর্য্য ভগবান্না, মহাক্না উহল্লিবা দৃশ্যশিং অসিদগী তোঙান্না লৈরিবসিগুম্না জ্ঞানতগী মশক ওইরবা আত্মাসিনা মহাক্না উহল্লিবা দৃশ্যশিং অসিদগী তোঙান্ন লৈ। ঈবুঙো! নিংথৌ! মহাক্তি তত্ত্ব কুম্নরিসিদগী তোঙাবা কুম্নাঙাশুবা তত্ত্বনি। মহাক্তি লিঙ্গ পুম্নমক্না শীনথুংনা লৈ, অহুমক্তনা আত্মা (শীনথুংনা লৈবা) কৌরিবসিনি। আত্মাদি জন্ম মৃত্যু অনীমক্তগী রাংমদা লৈবনি, মাগী ওমথৈ লৈত্তে, পুম্নমকপু উবা অহুগা মশানা করিগুম্বা বিকার (মশক লোংবা — মশক ওনবা) অমতা লৈতবনি। "ঐ লৈ" হায়বা অভিমান অহুত পুনন্ধপীদমক্তা সত্ত্বনচিংবা গুণ অসিনা মাগী স্বরূপ ওইহনা লৈবতনি ॥২৭—২৮॥ গুণ হায়বসিমক্তবু গুণবান্ (গুণলোইবা)

যদা ত্বেষ গুণানেতান্ প্রাকৃতানভিমন্যতে।　তদা স গুণবানাত্মা ন তু স গুণনির্গুণঃ ?
যদা ত্বেব গুণানেতান্ প্রাকৃতানভিমন্যতে। তদা স গুণহান্তৈত্তং পরমেবাত্মপশ্যতি ॥৩০॥
যৎ তৎ বুদ্ধেঃ পরং প্রাহুঃ সাংখ্যাযোগশ্চ সর্ব্বশঃ। বুদ্ধ্যমানং মহাপ্রাজ্ঞমবুদ্ধপরিবর্জনাৎ ॥৩১॥
অপ্রবুদ্ধমথাব্যক্তং সগুণং প্রাহুরীশ্বরম্। নির্গুণং চেশ্বরং নিত্যমধিষ্ঠাতারমেব চ ॥৩২॥
প্রকৃতেশ্চ গুণানাং চ পঞ্চবিংশতিকং বুধাঃ। সাংখ্যযোগে কুশল্যা বুধ্যন্তে পরমৈষিণঃ ॥৩৩॥
যদা প্রবুদ্ধা হ্যব্যক্তমবস্থাজন্মভীরবঃ। বুধ্যমানং প্রবুধ্যন্তি গময়ন্তিসমং তদা ॥৩৪॥
এতন্নিদর্শনং সম্যগসম্যগনিদর্শনম্। বুধ্যমানাপ্রবুদ্ধানাং পৃথক্ পৃথগনিদর্শনম্ ॥৩৫॥
পরস্পরেণৈতদুক্তং ক্ষরাক্ষরনিদর্শনম্। একত্বমক্ষরং প্রাহুর্নানাত্বং ক্ষরমুচ্যতে ॥৩৬॥

দা লৈগদবনি। অদুনদি গুণ লোইদবা নির্গুণ ওইবা আত্মাদা লৈগদৌরিবা গুণ অসি কদায়দগীনো ? মরম অদুমা গুণগী তত্ত্ববু অদুগা স্বরূপপু খঙবা অশিংবশিংগী সিদ্ধান্ত হায়ববু অসিনি— জীবাত্মা অসিনা সত্ত্বনচিংবা গুণশিং অসিবু প্রকৃতিগী মপোংনি হায়না খঙদুনা গুণশিং অসিদা থনস্বা মশাগী অভিমান অদু হেক্ থাদোরক্পা মতমদুদা হকচাংসিদ থনম্মিবা "ঐ" হায়বগী আত্মবুদ্ধি অদুবুসু থাদোক্তুনা জীবাত্মাসি ঈশেং শেংবা পরমাত্মাগী মশক অদু লৌই ॥২৯—৩০॥

সাংখ্য অমদি যোগ অনীমক্কী তত্ত্ববু মুখ্য খঙলবা বিদ্বান্শিংনা বুদ্ধিগী রাংমদা লৈরিবা, আথাইবা তোতোপ্পা জ্ঞানতগী মশক ওইবা, অহঙ্কারনচিংবা প্রকৃতি মথল নিপালবু মথং মথং থাইদোকপ্রগা লেম্-হৌরিবা, থম্মোয়তদা খঙগদবা চিন্ময়তত্ত্বগী মশক্ ওইন-ত লৈরিবা, মঙনীঙাই ওইদবা, মশক্-মচু পুথোক্-তনা লৈবা, সগুণ ঈশ্বর ওইবা, নিত্য ওইনা মা-তনদি লেম্হৌরগদবা, অদুম ওইবা পরমাত্মাদি গুণ কুন্ মরিগী রাংমদা কুম্মঙাগুবা তত্ত্ব ওইনা লৈহৌরগদবনি। অসুম হায়না সাংখ্য অমদি যোগগী তত্ত্ববু মুল খঙবা, পরমাত্মাগী তত্ত্ববু থিরিবশিংনা হায়নৈ। অঙাং ওইরম্বদগী পাখং ফারকপা, পাখং ওইরম্বদগী অহল রকপা, অহল ওইরম্বদগী শিবা, শিবদগী অসিনচিংবসি খল্লুবদগী অকিবা অমা পোক্লকপা মতম অদুদা পরং ব্রহ্ম পরমাত্মাগী স্বরূপপু খঙবা ঙমনৈ ॥৩১—৩৩॥

অঙাং ওইবা, পাখং ফাবা, অহল ওইরকপা, শোকপা-শিবগী অরা অনা পুন্সু নীংশিংলুবদগী কিরক্তুনা রাখল খস্বা অশিংবা নীনা তৌরিবা, ওইরিবা থৌদোকশিং অসিদা ঈয়াও য়াওদবা জ্ঞানতগী মশক ওইবা করিগুম্বা অমা লৈ হায়বা, অদুগা, মাদুবু পরমাত্মানি হায়না খঙজকপা মতদ অদুদা অদুগুম্বা জ্ঞানী ওইবা মহাক্না পরমাত্মাগী স্বরূপপু থম্মোয়মনুংদা ফংবা ঙম্মি ॥৩৪॥

য়েরুবা পূন্নমকপু নৈহৎঙম্বা নিংথৌ ! জ্ঞানী ওইবা মীশিংগী অসিগুম্বা য়াম্না যুক্তিযুক্ত ওইবা জ্ঞান অমা ওইবনা মাসি অতৈ অতোপ্পা জ্ঞানীশিংদগীদি তোপ্পোপ্পা লৈ। মাসিগী ওম্ন-তৈনবা মঙংদা জ্ঞানলৈতবা মীশিংগী প্রমাণ চাদবা যুক্তিযুক্ত ওইদবা মত অদুদি লৌবা য়াবা নত্তে। অদুগা মখোয়গী মত অদুসু তোপ তোপ্পা তোঙাম্না তাদুনা লৈ ॥৩৫॥ ক্ষর অক্ষর অনীগী তত্ত্ববু মুন্না তাক্পা দর্শনগী শরূক অসে ঐনা

পঞ্চবিংশতিনিষ্ঠোঽয়ং যদা সম্যক্ প্রবর্ততে। একত্বং দর্শনং চাস্য নানাত্বং চাপ্যদর্শনম্ ॥৩৭॥
তত্ত্বনিস্তত্ত্বয়োরেতৎ পৃথগেবনিদর্শনম্। পঞ্চবিংশতিসর্গং তু তত্ত্বমাহুর্মনীষিণঃ ॥৩৮॥
নিস্তত্ত্বং পঞ্চবিংশস্য পরমাহুর্নিদর্শনম্। সর্গস্যবর্গমাধারং তত্ত্বং তত্ত্বাৎ সনাতনম্ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
বসিষ্ঠ-করাল-জনক-সংবাদে ত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০০॥

——:(+):——

নঙোন্দা হায়রবনি। ক্ষর অক্ষর অনীনা গতিদা খেন্নরিবসি করিনো হায়না চিংনরবদি, মাস্ত অহুম হায়না খঙগু মাহুদি— মকম মতম পুম্বদা মওং অমতদা লেপ্পুনা লৈবা, অহুগুম্বা পরমাত্মাবু অক্ষর হায়না কৌই। অহুগা, তোঙান্ তোঙান্বা মশক মওংদা চঙ চঙহুনা লৈবা প্রকৃতিগী বিষয়শিং অসিদা ওস্থোইহুনা লৈরিবা মহাক অসি ক্ষর হায়রগা খঙনৈ ॥৩৬॥

কুম্মঙাশুবা তত্ত্বগী মশক ওইনা লৈরিবা পরমাত্মাদা থন্নায় হকচাং পুম্বা তিন্থ্রবা মী মহাক অহুনা লৈরিবা অবস্থা গতি অহুদি খ্বাইদগী থোইদোক্ হেন্দোক্লা লৈরবা অবস্থা অমনি। পোং খুদিংমক্তা একতা (অমদগী হেন্না করিমতা উদবা) অহুগা হীরম খুদিংমক্ত থম্লিবা রাখল অমদি বুদ্ধি অহুতনা জ্ঞাননি; অহুগা মখল মওল ওইনা, তোঙান্ তোঙান্বা ওইনা লৌরিবা বুদ্ধি অহুদি অজ্ঞাননি। সংসারদ মপান্দা উরিবা পোৎশিং অসিনদি অমনা অমদগী তোঙান্ তোঙান্বা মশক মওংদা লৈবনিনা মী অম্মান্থা অজ্ঞানদা তাহুনা লৈমরিবসিনি ॥৩৭॥

তত্ত্ব হায়বদি ক্ষর, নিস্তত্ত্ব হায়বদি অক্ষর অনী অসি তোঙান্ তোঙান্না খঙগদবনি। রাখল্লেবা খরনদি তত্ত্ব কুম্মঙা অহুতনি, তত্ত্ব হায়ববু হায়রি। খরনদি কুম্মঙাশুবহু থাদনা তত্ত্ব কুম্মরি অহুতনি তত্ত্ব হায়ববু হায়রি। অকোন্বগী মত অসিদা কুম্মঙাশুবা চেতনাশক্তি পুরিবা পরমাত্মা কৌবা অহুমবুদি তত্ত্বকুম্মরিহুদগী তোঙান্বা নিস্তত্ত্ব (তত্ত্ব নত্তবা, তত্ত্বগী মমুংচন্দবা অক্ষর) নি হায়রি, লৌরি। চৈতন্যশক্তি অমা লৈরিবসিনি পরমাত্মাগী লক্ষণ, অহুগা অস্তিত্ব (লৈ হায়বা) গী প্রমাণ হায়রবু। মশক উরিবা চাউথোরক্লিবা মহত্তত্ত্বশিং অসিদি বিকারনি ক্ষরনি। অহুনা নির্বিকার ওইবা পরমেশ্বর পরমাত্মা মহাক্তি তত্ত্বকুম্মরিসিদগী তোঙাম্বনি। অহুনা তত্ত্বগী মশীং অসি কুম্মরিবা লেপ্পি ॥৩৮—৩৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, বসিষ্ঠ-করাল জনক-সংবাদদা চণুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০০॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

একাধিকত্রিংশততমোঽধ্যায়ঃ

(যোগ অমদি সাংখ্য অনীগী মওং তাকৃপা)

চহুমগা অমাশুবা অধ্যায়

——:(+):——

জনক উবাচ।

নানাত্বৈকত্বমিত্যুক্তং ত্বয়ৈতদৃষিসত্তম। পশ্যামোতদ্ধি সন্দিগ্ধমেতয়ো বৈ নিদর্শনম্ ॥১॥
তথাবদ্ধপ্রবুদ্ধাভ্যাং বুদ্ধ্যমানস্য চানঘ। স্থূলবুদ্ধ্যানপশ্যামি তত্ত্বমেতন্ন সংশয়ঃ ॥২॥
অক্ষরক্ষরয়োরুক্তং ত্বয়া যদপি কারণম্। তদপ্যস্থিরবুদ্ধিত্বাৎ প্রণষ্টমিব মেঽনঘ ॥৩॥
তদেতচ্ছ্রোতুমিচ্ছামি নানাত্বৈকত্বদর্শনম্। বুদ্ধঞ্চাপ্রতিবুদ্ধঞ্চ বুদ্ধ্যমানঞ্চ তত্ত্বতঃ ॥৪॥
বিদ্যাবিদ্যে চ ভগবানক্ষরং ক্ষরমেব চ। সাংখ্যং যোগঞ্চ কার্ৎস্নেন পৃথক্‌চৈবা পৃথক চ হ ॥৫॥

জনকনা হংঙি,— মুনি অথোইবা ! মুনিদেবনা ক্ষরবুন মখল মথা অয়াম্বনি অদুগা অক্ষরবুনা অমতনি হায়না তাকপিরি। অদুবু অনীসিগী তাকপীখ্রিবা তত্বশিং অদুগী মরমদা চিংনবগী চিংনবমক্তা ওইখ্রে হায়বদি— তাকপিরিবা তত্বশিং অসিগী মরমদা য়াম্না চিংনজরি ॥১॥

পাপকী শরূক য়াওদ্রবা মহর্ষি ! অজ্ঞানী ওইবা জ্ঞান মপুংফানা তাখ্রিবশিংনা ময়াম্ ওইনা তোঙাঃ তোঙান্না উরিবা, জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা অমতা ওইনা উরিবা পরমাত্মাগী তত্ত্ব অসি বুদ্ধি ৎেন্‌বনিনা থাঙ্গে শেংনা মুন্না খঙজদ্রি। ঐনা হঙ্গচরিবসিদা করিমত্তা চিংনবা লৈজদ্রবনি ॥২॥

পাপকী শরূক য়াওদ্রবা মুনিদেব ! ক্ষর অক্ষর অনীগী তত্ত্বু য়াম্না যুক্তিযুক্ত ওইরবা প্রমাণ পীদুনা ঐবু খঙহন্‌বিগে হায়বগীদমক্ তাকপিরে। অদুবু ঐগী বুদ্ধিসিনদি নীঙথিনা লেঙদনা লৈয়ু হায়বা য়াদবনা তাকপিখ্রিবসিং অসি নীঙথিনা চনীঙত্তানা কুইনা লৈয়ু হায়বা য়াদবনা লোইনা কাউখ্রে ॥৩॥

মরম অদুনা নানাত্ব (তোঙান্ তোঙান্‌বগী মওং) অদুগা, একত্ব (অমদগী হেন্দবা, অমতা ওইবগী মওং) অনী অসিগী মরমসি অমুক্তগা মুন্না তাজনীংলি। বুদ্ধ (জ্ঞানবান্ বুদ্ধিলৈবা), অপ্রতিবুদ্ধ (জ্ঞান তাদবা) হায়রিবসিনা করিনো ? অদুগা, বুদ্ধ্যমান্ (খঙগদবা, খঙকম থোকপা) হায়বসিমা করিনো মাসি চপ্ চপ্ চানা অমুক্তা তাকপিয়ু ॥৪॥

ভগবন্ ! মুনিদেব ! বিদ্যা অবিদ্যা, ক্ষর অক্ষর সাংখ্য যোগ হায়রিবশিং অসি তোঙান্ তোঙান

বসিষ্ঠ উবাচ।

হন্ত তে সম্প্রবক্ষ্যামি যদেতদনুপৃচ্ছসি। যোগপৃচ্ছসি যোগকৃত্যং মহারাজ পৃথগেব শৃণুষ্ব মে ॥৬॥
যোগকৃত্যং তু যোগানাং ধ্যানমেব পরং বলম্। তচ্চাপি দ্বিবিধং ধ্যানমাহুর্বিদ্যাবিদোজনাঃ ॥৭॥
একাগ্রতা চ মনসঃ প্রাণায়ামস্তথৈব চ। প্রাণায়ামস্তু সগুণো নির্গুণো মনসস্তথা ॥৮॥
মূত্রোৎসর্গপুরীষে চ ভোজনে চ নরাধিপ। ত্রিকালং নাভিযুঞ্জীত শেষং যুঞ্জীত তৎপরঃ ॥৯॥
ইন্দ্রিয়াণীন্দ্রিয়ার্থেভ্যো নিবর্ত্ত্য মনসা শুচিঃ। দশদ্বাদশভির্বাপি চতুর্বিংশাৎ পরং ততঃ ॥১০॥
সঞ্চোদনাভির্মতিমানাত্মানং চোদয়েদথ। তিষ্ঠন্তমজরং তং তু যৎ তদুক্তং মনীষিভিঃ ॥১১॥

মচা তানা অহুক্তংগ তাজনীংলি ॥৫॥ বসিষ্ঠনা হায়,— নিংথৌ। নহাক্না হংলিবা পুম্নমক অসে,— ঐ তোঙান্ তোঙান্না হায়রক্কে মুন্না তাও। যোগগী মরম অসি হান্না হায়গে তাও ॥৬॥

যোগীশিংগী খ্বাইদগী অথোইবা মথৌ হায়ববু ধ্যান হায়রিবসিনি। মাসিতনা যোগীগী অথোইবা পাঙ্গলনি। যোগগী মরমদা মুন্না খঙবশিংনা ধ্যান হায়বসিগী মথল অনীনি হায়রি। অমনা পুক্নীং মচীন্ লোঙহন্দনা থম্বা, অমনা প্রাণায়াম অসিসু অমুক অনী থেক্না খায়রি। সগুণ প্রাণায়াম হায়বা অমা, নির্গুণ প্রাণায়াম হায়বা অমা। সগুণ ওইবা হীরম— পোৎশক্ অমগীদমক তৌবা প্রাণায়াম অদুনা সগুণ প্রাণায়াম কৌই। নির্গুণ ওইবা অমগা সম্বন্ধ থমদুনা তৌবা প্রাণায়াম অদুনা নির্গুণ প্রাণায়াম কৌই। ॥৭—৮॥ নিংথৌ! মাংবা, মপান থোক্পা, চাব-থক্পা, হায়রিবা পবক অহুম অসিদা চঙলিবা মতমদুগী মনুংদা যোগগী অভ্যাস থক্ তৌরোইদৌবনি। হায়রিবা অহুম অসিদগী তোঙানবা মতমদা যোগাভ্যাস তৌগদবনি ॥৯॥

বুদ্ধিমান্ ওইবা অশিংবা যোগীনা তৌগদবা হাংববু নাকোংনচিংব ইন্দ্রিয়শিংবু শব্দনচিংবা মাগী মাগী বিষয়শিংদগী য়াম্রিবমখৈ হন্দোকহনবা অসিনি। ইন্দ্রিয়কপা চীরম কুম্মিগী * পাম্বৈনা জরামৃত্যুনচিংবগা

---

* চক্ৰদা ঈশিংনা থল্হন্বা, হায়বদি— ঈশিং শোক্তিন্রা অদুগুম্না খোঙবীদগীনা কোক্ লৱাইলেমফু ক্ৱাওবদা লৈরিবা হকচাং মপুম অসিবু নাতোল্ মথুন্ অসিতনা মপান্গী মুংশিংপু চিংশিন্দুনা থল্হন্গদবনি। অদুম্না থলহল্লক্লিবা মুংশিং অদুবু ব্রহ্মাণ্ডদগী হায়বদি লৱাইলেমফুদগী চিংথরক্লুনা লাইপকলোমদা পৃথক্লুনা লাইপক্তা পীশুম্ অনীগী কারক্না থমগদবনি। হায়রিবা লাইপক্ হায়বা মফম অসি প্রাণবায়ুবু প্রত্যাহার তৌননবগী, হায়বদি—মমৈগা মকোক্না লাক্শিন্দুনা খোম্জিন্নবগী ঈহান্ হান্বা মফমনি। অসুম তৌদুনা মথং মথং ঈস্বরকপসিনা পীশুম্ অনীগী কারক্সিদগী মীত্তা, মীত্তগী নাতোন্দা, নাতোন্দগী লৈথোংদা, লৈথোংদগী খোরীদা, খোরীদগী থম্মোয়দা; থম্মোয়দগী খোয়দোলদা, খোয়দোলদগী লিঙ্গশরীর মথক্তা অদুদগী পুক্তা, পুক্তগী গুহাদ্বার (অমাংবা লৌথোকফম ঈস্থোকফম থোঙ) দা, অদুদগী মৈফগল মরুবা, অদুদগী

তৈশ্চাত্মা সততং জ্ঞেয়ং ইত্যেবমনুশুশ্রুম্। ব্রতং হ্যহীনমনসো নান্যথেতি বিনিশ্চয়ঃ ॥ ১২॥
বিমুক্তঃ সর্ব্বসঙ্গেভ্যো লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ। পূর্ব্বরাত্রেঽপররাত্রে ধারয়ীত মনোঽত্মনি ॥ ১৩॥

কন্নিমক্তা মরী লৈনদবা, জ্ঞানীশিংনা আত্মাস্বরূপনি হায়নরিবা জীবাত্মাসিবু তত্ত্ব কুম্মন্নিগী পুন্নপকী মশক্ ওইরবী প্রকৃতিদগী তোঙান্না লৈরিবা পরমাত্মাগী মায়গৈবোমদা ঈঙ্খিনগদবনি ॥ ১০—১১॥

নিংথৌ। ঐখোয়না গুরুপরম্পরাদগী অসুম হায়না তানরক্লি, মাহুদি— হৌজিক হায়রিবা প্রাণায়ামগী নিয়ম অসিবু ঙাক্না প্রাণায়াম্ সাধন তৌরিবা মী অদুদুনা পরমেশ্বর পরমাত্মাবু খঙনবগী অমদি ফংননবগী লম্বীদা চঙঙবগী অধিকারী ওই। ধ্যানতদা পূক্নীং চঙবা যোগী অদুতগীনি যোগাব্রত হায়রিবসি। বহির্মুখ ওইবা, হায়বদি— মপান্গী সংসারতদা মমায় ওনশিন্বা. পূক্নীং চঙবা অদুগুম্বা মখোয়গী ব্রা নত্তে, হায়রিবসি; মাসি থাঙ্গেশেংনা চনীঙতানা খঙঙ ॥ ১২॥

যেগীনা অতৈ অতোপ্পা বিষয় অমগী মরমদা আসক্তি থম্মুদনা, চানিংবা থক্তিক্তা চাদুনা অহিংগী খুক্উদা, অদুদগী খুবোমদা, অদুদগী খুনীংদা, অদুদগী খোঙবী মরুদা, মতৌ অসুম্না মুংশিংপু পুথরক্তুনা থম্গদবনি। হায়রিবা মফম তরানিপাল অসিদা তৌথরক্লিবা প্রত্যাহার (খোমজিন্ব) শিং অসিবু ঙসাইগী ঈঙ্খিল্লকপা মথল কুম্মরিদুনি হাযবসি খঙগদবনি। হায়রিবা প্রত্যাহার হায়রিবসি নত্তবা ধ্যান, ধারণা, সমাধি "সত্ত্বপুরুষান্যতাখ্যাতি" (বুদ্ধিগা পুরুষগা তোঙান্ তোঙান্ লৈবগী অমদি লৈহনবগী জ্ঞান) প্রেরণা মরি অসিমগা অমুক লৈরি। হান্নগী তরানিপাল হুমগা মরি অসিগা প্রেরণা কুম্মরিনি। মখোয় অসিবু প্রাণায়ামশাস্ত্রদা হায়বদি যোগশাস্ত্রদা "প্রেরণা কুম্মরি" হায়না খঙনৈ। অরায়বা প্রমাণদা হায়রগা উনা লেঙলিবসি লেঙবগী থবক্তা মুংশিংনা প্রেরণানি। মুংশিংকী প্রেরণা য়াওদনা উনানা লেঙবা য়াদে। তাইবংপানবদা তৌরিবা থবক পুম্নমক অউবা উদবা প্রেরণা অমমম্না তৌহল্লিবা ঈঙ্খিল্লিদা ঙাক্তনি। সকাম নিষ্কাম কর্ম্ম খুদিংমক প্রেরণা অমমম্না তৌহল্লিবা থোকহল্লিবা ঙাক্তনি। তৌরিবা পুম্নমকসি প্রেরণাবায়ু অসিনা হকচাংঙুংদা হঙৎ হন্দা লুম্নিবা শিংলিবা অদুপকী মখৈতনি। অসিগুম্বা প্রাণবায়ু অসিবু আয়াম তৌবা নিয়ম অমগী মথাদা চংহন্বা অদুতনি প্রাণায়াম হায়রিবসি। প্রাণবায়ু অসি মুংশিংনি, অতৈ করিসু নত্তে। অদুবু অশিবা হকচাং— উক্রোংদৌনা তারবা হকচাংমুংদা অহোবা রন্ধ্র শিবিক্তা হুম্দোক্ হুম্জিন্ তৌরিবা মুংশিংসিবুদি প্রাণবায়ু কৌবা য়াদে। মাদি মৈহুম উতোংদা মৈ কামথংনবা মুংশিংনা হঙৎ হন্দা শীত্তোক শীচ্চিন তৌদুনা লৈবদুগুম্বনি। অদুগুম্না মুংশাশোর মুংশিংপু হোন্দোক হোঞ্জিন তৌদুনা পুনশি লেল্লবদি অদুম্বা লেল্লিবশিং অদুগী হকচাং অদু উতোংগুম্বনি, অশিবম্নি। জীবাত্মা অসিনা লৈরিঙৈদা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌদুনা লৈবনি হায়ববু প্রাণায়াম তৌদবা মহাক্না হোল্লিবা মুংশাশোর অদুদি— অশিবা উনা অকংববু মুংশিংনা লেওহন্বদুগুম্বতনি। (কালাচাঁদ)

স্থিরীকৃত্যেন্দ্রিয়গ্রামং মনসা মিথিলেশ্বর। মনোবুদ্ধ্যা স্থিরীকৃত্বা পাষাণ ইব নিশ্চলঃ ॥১৪॥
স্থাণুবচ্চাপ্যকম্পঃ স্যাৎ গিরিবচ্চাপি নিশ্চলঃ। বুদ্ধ্যা বিধিবিধানজ্ঞাস্তদাযুক্তং প্রচক্ষতে ॥১৫॥
ন শৃণোতি ন চাঘ্রাতি ন রস্যতি ন পশ্যতি। ন চ স্পর্শং বিজানাতি ন সঙ্কল্পয়তে মনঃ ॥১৬॥
ন চাভিমন্যতে কিঞ্চিন্ন চ বুধ্যতি কাষ্ঠবৎ। তদা প্রকৃতিমাপন্নং যুক্তমাহুর্মনীষিণঃ ॥১৭॥
নির্বাতে হি যথা দীপ্যন্ দীপস্তদ্বৎ প্রকাশতে। নির্লিঙ্গোঽবিচলচ্চোর্দ্ধং নিতির্য্যগ্‌গতিমাপ্নুয়াৎ ॥১৮॥
তদা তমনুপশ্যেত যস্মিন্ দৃষ্টেন কথ্যতে। হৃদয়স্থোঽন্তরাত্মেতি জ্ঞেয়োজ্ঞস্তাতমদ্বিধৈঃ ॥১৯॥
বিধূম ইব সপ্তার্চিরাদিত্য ইব রশ্মিমান্। বৈদ্যুতোঽগ্নিরিবাকাশে দৃশ্যতেঽত্মা তথাঽত্মনি ॥২০॥

অমানবা শরুক্তা অহুগা অকোনবা শরুক্তা পুক্লীং কৌবা ইন্দ্রিয়বু আত্মাদা মচীল লোওদনা তিলহনগদবনি। মিথিলাপুরীগী নিংথৌ। যোগীনা পুক্লীংগী পান্থৈনা ইন্দ্রিয়শিংবু, বুদ্ধিগী পান্থৈনা পুক্লীংবু লেওদনা থমলগা নুংগী মতৌগুম্না তুমিন্না লেওদনা লৈগদবনি। অকংবা উতুপকুম্ লেও ওৎপা তৌদনা লৈগদবনি। যোগ-শাস্ত্রগী নিয়ম বিধান তৌরিবশিংনা মাসিবু, হায়বদি— অসিগুম্বা অবস্থাদা লৈগ্রবা মীহুবু যোগযুক্ত ওইগ্র-বনি হায়নৈ ॥১৩—১৫॥

অসুম্না যোগযুক্ত ওইগ্রবা যোগী অহুদি করিমত্তা তাখিদ্রে, করিমত্তা নম্খিদ্রে, করিগুম্বা অমত্তগী মহাও লৌখিদ্রে, করিমত্তা উখিদ্রে, থেং-লাক্ওদা মশাদা করিমত্তা ফাওখিদ্রে, মাগী পুক্লীংদা অসিমত্তং তৌগে হায়বগী করিগুম্বা সঙ্কল্প বিকল্প অমত্তা লৈখিদ্রে। ঐ ফম্মি, ঐ যোগ সাধন তৌরি হায়বহু ফাওবগী অনুভব অমত্তা লৈখিদ্রে। মতম অসিদা মহাক্কী আত্মানা আত্মা মশাগী শুদ্ধস্বরূপতা, হায়বদি —থাঙ্গে-পেংলবা মওংদা চঙহুনা লৈথি। অসিগুম্বা অবস্থাদা যৌগ্রবা যোগী অহুদি যোগযুক্ত ওইগ্রবা কৌই ॥১৬—১৭॥ মতম অহুদা মহাক অহু মুংশিং চঙদবা মফমদা থান্বা থাউমৈগুম্, তুমিন্ ঈরেও লেওদনা ভাস্পুনা লৈ। মতম অহুদা আত্মানা মপানুগী হকচাংগী সম্বন্ধদি লায়রহুনা, লিঙ্গশরীর ফাওবগী সম্বন্ধ থমদে। অহুনা, অবস্থা অসিদা, মহাক্কী হকচাংনা কয়াগী মতীক্ লেওদনা লৈখিবগে হায়ববু, মথক্ মখা ময়ায়দা করিগুম্বা গতি (লেও-ওৎপা) অমত্তা লৈতে ॥১৮॥

যোগীনা অসিগুম্বা অবস্থাদা লৈরিঙৈদা, উগদবা মহাক অহুবু উরিঙৈদা, মহাক করিমত্তা ভাও-শক্পা ওমদে। মতম অসিদা মহাক্কী আত্মানা পরমআত্মাবু উহুনা লৈরি। * ঈবুঙো নিংথৌ। নং ঐ লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্ অসিগুম্বা অবস্থাদা ওহাক্ ওহাক্ চঙননবা হোৎনরগা পরমাত্মাবু উহৌনবা হোৎনগদবনি ॥১৯॥

যোগ ধ্যানদা লুপগ্রবা যোগী অহুদা মাগী থম্মোয়নুংদা পরমাত্মাবু উবসি করম্ হায়না উবগে বায়ববু

---

* ঐখোয়না ভাওলি-শক্লিবা, তারি-উরিবসি ঐখোয়গী আত্মানা পরমাত্মাগা তিন্নদ্রিঙৈ মরক্তা ভাক্তনি। অহুনা মতৌ অসুম্না মপান্দা লৈরিবা নিয়মশিং অসিগা সম্বন্ধ থম্হুনা মতম থরদং ভাঙলম্ শক্লমলগা, পরমাত্মাগা ঈতীন্ তিন্নরমদনা মপুন্শি লোইশিন্হন্থিবা ভাক্তনি। (কালাচাঁদ)

যে পশ্যন্তি মহাত্মানো ধৃতিমন্তো মনীষিণঃ। ব্রাহ্মণা ব্রহ্মযোনিস্থা হ্যযোনিমমৃতাত্মকম্ ॥২১॥
তদেবাহুরণুভ্যোঽণু তন্মহদ্ভ্যো মহত্তরম্। তৎ তত্ত্বং সর্ব্বভূতেষু ধ্রুবং তিষ্ঠন্ ন দৃশ্যতে ॥২২॥
বুদ্ধিদ্রব্যেণ দৃশ্যেত মনোদীপেন লোককৃৎ। মহতস্তমসস্তাত পারে তিষ্ঠন্ন তামসঃ ॥২৩॥
স তমোনুদ ইত্যুক্তঃ সর্ব্বজ্ঞৈর্ব্বেদপারগৈঃ। বিমলো বিতমস্কশ্চ নির্লিঙ্গোঽলিঙ্গসংজ্ঞিতঃ ॥২৪॥
যোগ এষ হি যোগানাং কিমন্যৎ যোগলক্ষণম্। এবং পশ্যং প্রপশ্যন্তি আত্মানমজরং পরম্ ॥২৫॥
যোগদর্শনমেতাবদুক্তং তে তত্ত্বতো ময়া। সাংখ্যজ্ঞানং প্রবক্ষ্যামি পরিসংখ্যানদর্শনম্ ॥২৬॥
অব্যক্তমাহুঃ প্রকৃতিং পরাং প্রকৃতিবাদিনঃ। তস্মান্মহৎ সমুৎপন্নং দ্বিতীয়ং রাজসত্তম ॥২৭॥
অহঙ্কারস্তু মহতস্তৃতীয়মিতি নঃ শ্রুতম্। পঞ্চভূতান্যহঙ্কারাদাহুঃ সাংখ্যাত্মদর্শিনঃ ॥২৮॥

মৈখু থাংজ্রবা মৈবী উবগুম, লৈচীন্ থাংজ্রবা মুমিৎকী মশেক্ মণ্ডাল উবগুম্ অদুগা আকাশদা নোংথাংগী মণ্ডাল্ উবগুম উই ॥২০॥

য়াম্না তপথবা, রাখল লৈবা, ব্রহ্মজ্ঞান লৈবা, ধর্ম্মশাস্ত্রদা নিষ্ঠা (অরেপ্পা থাজবা) থম্বা, মহাত্মা ওইবা পুকচেল চাউবা অদুগুম্বা ব্রাহ্মণশিংনা অদুম ওইবা পোকপা শিবা লৈতবা ব্রহ্মবু ফংঙি ॥২১॥

হায়রিবা ব্রহ্ম অসিদি অপীকৃপদগীসু মানা মপীক্লে, অচৌবশিংগী মচুংদসু মানা মচাউরে। অচচ্চস্ত জীব পুম্নমকী মমুংদা অন্তর্য্যামী (মমুং মমুংদা চৎপা) ওইদুনা শোয়দনা লৈ। অদুগা কনামত্তগী মকমদা উহন্দে ॥২২॥ কৃপ্লবা থৌরবা বুদ্ধিনা মহক্কী মরল্ ওইবা অদুগুম্বা মীতমা পৃক্নীংগী মশক ওইবা মৈরাগী পাম্বেতনা লোক পুম্নমকপু শেম্বিবা পরমাত্মাগী দর্শন ফংঙি। হায়রিবা পরমাত্মা অসিদি অমম্বা পুম্নমক্তগী মাংমদা লৈবনি, তমোগুণগী শরূক অমতা য়াওদবনি। মরম অদুনা বেদগী জ্ঞানগী চাংজৌবু লাম্বা ফংবা অদুগুম্বা জ্ঞানীশিংনা মহাকপু তমোনুদ (অমম্বা কোকহনবা) হায়না কৌনৈ। মহাক্কি মমুং মপান্ পুম্নাং লংবা মক্তবনি, অজ্ঞানগী শরূক লেশমাত্র য়াওদবনি। লিঙ্গ (করিগুম্বা খুদম) অমতা য়াওদবনি; অদুনা মহাকপু অলিঙ্গ হায়না কৌনৈ। মাসিনি যোগীশিংগী যোগ হায়বদো। হায়রিবসি নত্তনা যোগগী লক্ষণ করি অমা অমুক পীগদৌরিবনো? মতৌ অসুম্না যোগ সাধন তৌরিবা যোগীনা, পুম্নমকপু মতম অমত্তদা উওদ্বা, পোকপা শিবা লৈতবা পরমাত্মাগী দর্শন ফংবা ঙম্মি ॥২৩—২৫॥

নিংথৌ। অসি ফাওবসি ঐনা নঙোন্দা যোগদর্শনগী মরমদা হায়রবনি। হৌজিক্তি সাংখ্যদর্শনগী মরমদা হায়রগে। হায়রিবা সাংখ্য হায়বা যোগ অসিদি বিচারগী শরূক য়াম্না চঙবা রাফমনি ॥২৬॥

নিংথৌ। প্রকৃতিবাদী বিদ্বান্শিংনা মূল প্রকৃতি (উরিবা প্রকৃতিসিগী মরু) বু অব্যক্তনি হায়। অব্যক্ত প্রকৃতি অসিদগী ভত্তোপ অতোপ্পা ব্যক্ত প্রকৃতি ময়াম চোংথোরক্লিবা তত্ত্বশিং অসিবুনা মহত্তত্ত্ব কৌই ॥২৭॥

মহত্তত্ত্বসিদগী অহঙ্কার হায়বা অহুমশুবা তত্ত্ব অমা চোংথোরকই, অহঙ্কার হায়বসিদগী পাঙ্গবা ভূত (আকাশনচিংবা পঞ্চভূত — পঞ্চতন্মাত্র) চোংথোরকই। মাসি সাখ্যোবাদীশিংগী মতনি ॥২৮॥

এতা প্রকৃতয়শ্চাসৌ বিকারাশ্চাপি ষোড়শঃ। পঞ্চ চৈব বিশেষা বৈ তথা পঞ্চেন্দ্রিয়াণি চ ॥২৯॥
এতাবদেব তত্ত্বানাং সাংখ্যমাহুর্মনীষিণঃ। সাংখ্যে বিধিবিধানজ্ঞা নিত্যং সাংখ্যপথেরতাঃ ॥৩০॥
যস্মাৎ যদভিজায়েত তৎ তত্রৈব প্রলীয়তে। লীয়ন্তে প্রতিলোমানি সৃজ্যন্তে চান্তরাত্মনা ॥৩১॥
অনুলোমেন জায়ন্তে লীয়ন্তে প্রতিলোমতঃ। গুণাগুণেষু সততং সাগরস্যোর্মেয়ো যথা ॥৩২॥
সর্গ প্রলয় এতাবান্ প্রকৃতের্নৃপসত্তম। একত্বং প্রলয়ে চাস্য বহুত্বং চ যদাসৃজৎ ॥৩৩॥
এবমেব চ রাজেন্দ্র বিজ্ঞেয়ং জ্ঞানকোবিদৈঃ। অধিষ্ঠাতারমব্যক্তমস্যাপ্যেতন্নিদর্শনম্ ॥৩৪॥
একং চ বহুত্বং চ প্রকৃতেরর্থতত্ত্ববান্। একত্বং প্রলয়ে চাস্য বহুত্বং চ প্রবর্ত্তনাৎ ॥৩৫॥

প্রকৃতি নিপাল্লি, মাসিদগী তত্ত্ব তরাতরুক পোকই। মখোয় অহু বিকার কৌই। ইন্দ্রিয় মঙা, কর্মেন্দ্রিয় মঙা, পূর্কীং পঞ্চভূত হায়রিবসি বিকার তরাতরুকনি। মখোয়গী মনুংদা আকাশনচিংবা তত্ত্ব মঙা, জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা বিশেষ ওইনা লৈরি ॥২৯॥

সাংখ্যশাস্ত্র খঙবশিংনা, সাংখ্যশাস্ত্রতদা থাজবশিংনা তত্ত্বশিংগী সংখ্যা গণনা (মশীং থীবা) তৌই। হায়বদি— অব্যক্ত, মহত্তত্ত্ব, অহঙ্কার পঞ্চতন্মাত্র হায়রিবা প্রকৃতি নিপান্ অসিগা লোয়ননা মথক্ত হায়রিবা বিকার তরাতরুক অসিগা তত্ত্ব কুল্মরি সাংখ্যযোগীশিংনা স্বীকার তৌপ্রবনি ॥৩০॥

তত্ত্ব অমনা থূপখিবা চঙখিবা মতমদা মাগী হৌরক্ফম তত্ত্ব অহুদা চঙখি। পোক্পা মতমদা অনুলোম মার্গদা তত্ত্বশিংনা মথং মথং পোক্লপই। অহুগা মাঙখিবা থূপখিবা মতমদা প্রতিলোম কৌবা লম্বীদা চঙশিন্থি। খুদম ওইনা হায়রবদা প্রকৃতিগী মহত্তত্ত্ব, মহত্তত্ত্বদগী অহঙ্কার, অহঙ্কারদগী পাক্লবা পঞ্চভূতশিং অসি মথং মথং পোক্লকই। অহুগা মখোয় অসিনা থূপখিবা মতমননা প্রতিলোম (বিলোম হঙ্গংনা চেঙ্বা ঈংচন্) দা থূপনিন্থি। খুদম ওইনা হায়রবদা পৃথিবী (লৈপাক) না ঈশিংদা, ঈশিংনা মৈদা, মৈনা নুংশিত্তা, নুংশিৎনা আকাশদা চঙশিন্থি। অসুম তৌনা মাগী মাগী থোরকফম তত্ত্বশিং অহুদা হঙ্গংনা চঙশিন্থি। হায়রিবা তত্ত্বশিং অসে অন্তরাত্মানা পাম্বে ওইহুনা শেমখিবমত্তনি ॥৩১॥

সমুদ্রগী ঈশিংদগী পোক্লকপা ঈথকশিংনা, মখোয়গী পোক্লকফম ঈশিংদা তিন্থিবা থূপখিবহুগুম্না তত্ত্ব পুন্নমক অসি থোরকপা মতমদা অনুলোম মার্গদা থোরকই। হায়বদি— মথং মথং হঙ্গনা চেঙ্বা ঈচেন্গুম্না চেন্থরকই ॥৩২॥

নিংথৌ অথোইবা! ঐনা হায়রিবা অসি ফাওবসি প্রকৃতিগী সৃষ্টি অমদি প্রলয়গী সম্পৎপা য়ানি। প্রলয়গী মতমদা একত্বগী মওংদা, অহুগা থোরকপা মতমদনা নানাত্ব (বহুত্ব) গী মওংদা থোরকই। নিংথৌ! জ্ঞানী ওইবশিংনা প্রকৃতিগী একত্ব অহুগা বহুত্বগী মওং অসি খঙফম থোকই। অব্যক্ত প্রকৃতিনা পুরুষবু সৃষ্টিগী মতমদা বহুত্ব হায়বদি- নানাত্বগী মায়গৈদা পুখি। হায়রিবা য়াসিনা তাকপদি অসিনি— পুরুষদা একত্ব, প্রকৃতিদা নানাত্বধর্ম্ম লৈ ॥৩৩—৩৪॥ অর্থতত্ত্ব খঙবা মীশিংনা অসিমত্তু খঙগদবনি, মাহুদি প্রলয়গী

বহুধাত্মা প্রকুর্ব্বীন প্রকৃতিং প্রসবাত্মিকাম্। তচ্চ ক্ষেত্রং মহানাত্মা পঞ্চবিংশোঽধিতিষ্ঠতি ॥৩৬॥
অধিষ্ঠাতেতি রাজেন্দ্র প্রোচ্যতে যতিসত্তমৈঃ। অধিষ্ঠানাদধিষ্ঠাতা ক্ষেত্রাণামিতি নঃ শ্রুতম্ ॥৩৭॥
ক্ষেত্রং জানাতি চাব্যক্তং ক্ষেত্রজ্ঞ ইতি চোচ্যতে। অব্যক্তিকে পুরে শেতে পুরুষশ্চেতি কথ্যতে ॥৩৮॥
অন্যদেব চ ক্ষেত্রং স্যাদন্যঃ ক্ষেত্রজ্ঞ উচ্যতে। ক্ষেত্রমব্যক্তমিত্যুক্তং জ্ঞাতা বৈ পঞ্চবিংশকঃ ॥৩৯॥
অন্যদেব চ জ্ঞানং স্যাদন্যজ্‌জ্ঞেয়ং তদুচ্যতে। জ্ঞানমব্যক্তমিত্যুক্তং জ্ঞেয় বৈ বিংশকঃ ॥৪০॥
অব্যক্তং ক্ষেত্রমিত্যুক্তং তথা সত্ত্বং তথেশ্বরঃ। অনীশ্বরমতত্ত্বঞ্চ তত্ত্বং তৎ পঞ্চবিংশকম্ ॥৪১॥
সাংখ্যদর্শনমেতাবৎ পরিসংখ্যানুদর্শনম্। সাংখ্যাঃ প্রকুর্ব্বতে চৈব প্রকৃতিঞ্চ প্রচক্ষতে ॥৪২॥

মতমদা, হায়বদি— থুপচিন্‌খিবা লোংশিন্‌খিবা মতমদা প্রকৃতিদসু একতা, সৃষ্টিগী মতমদনা প্রকৃতিদা অনেকতা অসে অহুম মরাকই। অদুবু সৃষ্টিগী মতমদা প্রকৃতি মশামক্তা প্রেরক ওইবা মরম্না হায়বদি, ঈশ্বিন্‌বা ওইবা মরমনা, মঙোন্দসু নানাত্ব হায়বা প্রকৃতিবু ধর্ম্ম মাগী মথক্তা থোমজিল্লে ॥৩৫॥

পরমাত্মানা প্রসবাত্মিকা ওইবা প্রকৃতিবু হায়বদি— পুম্নমকপু পোকপীহৈবী প্রকৃতিবু তোঙান্ তোঙান্বা মওং পুহল্লি। প্রকৃতিবু অহুগা বিকারশিং অসিবু ক্ষেত্র কৌই। তত্ব কুম্নরিদগী তোঙান্না লৈবা কুম্নগা শুবা তত্ব অহুদি মহান্ আত্মানি। মহাক্তি হৌজিক হায়রিবা ক্ষেত্র অসিদা অধিষ্ঠাত্রী দেবতা অমগুম্না হায়বদি ক্ষেত্র অসিবু পুরিবী লাইরেম্বী অমগুম্না লৈ ॥৩৬॥

নিংথৌ। মরম অহুনা যতি (যোগী) অথোইবশিংনা আত্মাসিবু অধিষ্ঠাতা হায়না অহুম মকৌরে। ক্ষেত্র অসিবু অধিষ্ঠান তৌহুনা হায়বদি— লোইশিন্ খোম্জিন্দুনা মপু ওইনা লৈ হায়বগীদমক মহাকপু অধিষ্ঠাতা দেবতা কৌবনি; অসুম্না ঐসু মাসি অহুম খঙহুনা লৈরবনি ॥৩৭॥

মহাক্তনা অব্যক্ত ওইবা ক্ষেত্র অসিগী মনুংদা লৈদুনা অচেৎ অকোম্ লোইনা উহুনা খঙহুনা লৈ হায়বগীদমক মহাকপু ক্ষেত্রজ্ঞ কৌবনি। প্রকৃতি অসিগী হকচাংগী মশক ওইরবা পুরদা, হায়বদি— কোম্নুংদা (দেশদা) লৈ হায়বগীদমক আত্মাবু সাংখ্যযোগতা পুরুষ কৌবতনি ॥৩৮॥

অহুগা থাঙ্গৎশংবদি ক্ষেত্র হায়বসিমক্তি ঈতোপ তোপ্পা পোৎশক অমনি। ক্ষেত্রদি অব্যক্তনি, মশক মওং চপচানা কোঙদোক্তবনি। ক্ষেত্রজ্ঞনা ক্ষেত্র অসিগী মনুংদা, তত্ব কুম্নঙাশুবা ওইনা লৈরিবনি ॥৩৯॥

জ্ঞান হায়বসিনা অতোপ্পা পোৎশক অমনি। অহুগা জ্ঞেয় (খঙগদবা খঙফম থোক্পা) হায়বসিনা অতোপ্পা পোৎশক অমনি। জ্ঞানদি অব্যক্তনি, মশক মওং নাইদবনি। জ্ঞেয়না কুম্নঙাশুবা আত্মা কৌবা তত্ব অসিনি ॥৪০॥

অব্যক্তবু ক্ষেত্রনি হায়না হায়বসি মথক্তা হায়রে। মহাক অসিদা (মশাদা) সত্ব (বুদ্ধি) অহুগা শাসককী সংজ্ঞাসু পীরে। অহুগা কুম্নঙাশুবা তত্ব ওইহুনা লৈরিবা পরমপুরুষ পরমাত্মা অসিদি জড়তত্ব অমদি ঈশ্বরদগীসু তোঙান্না লৈ ॥৪১॥ ঐনা শম্না হায়রিবসি ফাওবতনি সাংখ্যশাস্ত্রগী চমথৈদি, সাংখ্যগী

তত্ত্বানি চ চতুর্বিংশৎ পরিসংখ্যায় তত্ত্বতঃ। সাংখ্যাঃ সহ প্রকৃত্যা তু নিস্তত্ত্বঃ পঞ্চবিংশকঃ ॥৪৩॥
পঞ্চবিংশোঽপ্রকৃত্যাত্মা বুধ্যমান ইতি স্মৃতঃ। যদা তু বুধ্যতেঽত্মানং তদা ভবতি কেবলঃ ॥৪৪॥
সম্যগ্দর্শনমেতাবৎ ভাষিতং তব তত্ত্বতঃ। এবমেতৎ বিজানন্তঃ সাম্যতাং প্রতিযান্ত্যত ॥৪৫॥
সম্যঙ্নিদর্শনং নাম প্রত্যক্ষং প্রকৃতে স্তথা। গুণতত্ত্বান্যথৈতানি নির্গুণোঽন্যস্তথা ভবেৎ ॥৪৬॥
ন ত্বেবং বর্ত্তমানানামাবৃত্তির্বিদ্যতে পুনঃ। বিদ্যতেঽক্ষরভাবত্বাদপরং পরমব্যয়ম্ ॥৪৭॥
পশ্যেরন্নৈকমতয়ো ন সম্যক্ তেষু দর্শনম্। তে ব্যক্তং প্রতিপদ্যন্তে পুনঃ পুনররিন্দম ॥৪৮॥
সর্ব্বমেতৎ বিজানন্তো না সর্ব্বস্য প্রবোধনাৎ। ব্যক্তীভূত্বা ভবিষ্যন্তি ব্যক্তস্য বশবর্ত্তিনঃ ॥৪৯॥

বিদ্বান্‌শিংনা তত্ত্বশিং সংখ্যা গণনা তৌই (মশীং থী)। জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিগী আদিকারণদি প্রকৃতিতনি। অসুম্না সাংখ্যবাদীশিংনা হায়। সংখ্যা গণনা তৌই হায়বগীদমক দর্শনশাস্ত্র অসিবু সাংখ্যদর্শন কৌই ॥৪২॥

সাংখ্যশাস্ত্র খঙবশিংনা প্রকৃতিগা কোম্ননা পুরুষগী তত্ত্ব কুন্মরি হায়না সংখ্যা গণনা তৌই। পরম-পুরুষবু জড় (অশিবা) তত্ত্বশিং অদুগা ঈশ্বরদগীসু তোঙান্না ঈতোপ তোপ্না লৈবা কুন্মঙাশুবা তত্ত্ব অদুনি, অসুম্না হায় ॥৪৩॥

হায়রিবা কুন্মঙাশুবা তত্ত্ব অসিদি প্রকৃতিরূপ নত্তে. প্রকৃতিগা করিমতা সম্বন্ধ থমদে। মহাক্তি প্রকৃতি অসিদগী তোঙান্না, প্রকৃতিসিগা মরী ঈথম্ থমদনা জ্ঞানগী মশক ওইদুনা লৈ। অসুম ওইবা পরমপুরুষ মহাক অসিনা মৃশা মথন্তবু প্রকৃতি অসিদগী ঈত্তোন্ তোঙান্না জ্ঞান-থম্মোয়গী মশক ওইনা লৈজবনি হায়না হেক্ খঙঙকপা মতমদুদা মহাক্ "কেবল" হায়বদু ওই। হায়বদি— মথন্তা ঙাইবা কনাসু লৈতবা হায়বদু ওই। হায়বদি— মতম অদুদা মহাক বিশুদ্ধ (তশেং তশেংবা) পরব্রহ্মগী মওংদা লৈরকই ॥৪৪॥

নিংথৌ! ঐনা নঙোন্দা সাংখ্যতত্ত্বগী মরম অসি শন্না শেংনা হায়রবনি। মাসিবু বিচার তৌনা মুন্না খঙলবা মী অদুতনা মহাশান্তিগী মশক ওইবা ব্রহ্মবু ফংবা ঙম্মি ॥৪৫॥

প্রকৃতি অনীবু থাঙ্গৈশেংনা উববু "সম্যগ্ দর্শন" (থাঙ্গৈশেংনা উবা) কৌই। অসিগীদমক্ত দর্শনশাস্ত্র হায়দুনা লৈরিবনি। হায়রিবা তত্ত্ব খিবিক অসে গুণময়নি। সগুণ ওইবা মখোয় অসিদগী তোঙান লৈরিবা পরমপুরুষ ওইবা মহাক্তি নির্গুণনি ॥৪৬॥

দর্শনশাস্ত্র অসিগী মতুংইন্না জ্ঞান ফংপ্রবা মী মহাক অদুগীদি — সংসারসিদা পুনরাবৃত্তি (অমুক হল্লকপা পোক্‌পা শিবা য়াওরবা) হায়বদু লৈত্রে। মরমদি অদুম ওইনা জ্ঞানী মহাক অদুদি ব্রহ্মস্বরূপ অদুম মওইপ্রে। মাসিবু মহাক্কী ব্রাহ্মীস্থিতিদা লৈপ্রবা কৌই ॥৪৭॥

য়েক্কবা ঙম্বা নিংথৌ! নানাত্বগী দর্শন তৌদুনা লৈরিবা মহাক্কী, হায়বদি তোঙান্ তোঙানবগী মওংতদা উদুনা লৈরিবা মহাক্কী থাঙ্গৈশেংবা বিশুদ্ধজ্ঞান থক্ ওইবা য়াদে। অদুগুম্বা মীশক্তি সংসার অসিদা হন্না হন্না লাকখিবা তাই ॥৪৮॥ হায়রিবা প্রবন্ধ অসিবু খঙলবনা অদুগা মহাক্না খঙলিবশিং অসিদগী তোঙান্না

সর্ব্বমব্যক্তমিত্যুক্তমসর্ব্বঃ পঞ্চবিংশকঃ। য এনমভিজানন্তি ন ভয়ং তেষু বিদ্যতে ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি বসিষ্ঠকরালজনক সংবাদে একাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০১॥

——:(+):——

লৈরিবা পরমাত্মাবু খুঙদবনা মহাক শোয়দনা শরীরধারী (হকচাং অমদা চঙজুনা পোক্‌পা) হায়বহু ওইরগদবনি। অতুদগীদি অমুক পোক্‌পু পোক্লকবদি কাম ক্রোধ লোভ মোহনচিংবগী মথা পোনবা হায়বা অহু শোয়রবনি ॥৪৯॥ 'সর্ব্ব" হায়বা মিং অসে অব্যক্ত প্রকৃতিনি। মাসিদগী তোঙানবা কুন্দভাশুবা পরমাত্মা কৌবা তত্ত্ব মহাক্তি "অসর্ব্ব" কৌই। ম সিব মুম্না খঙপ্রবা মহাক অতুগীদি আবাগমন (সংসারদা হুক্কং হন্দা লাক্‌পগী করিমতা কিফম্ লৈত্রে ॥৫০॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা বসিষ্ঠ জনক-সংবাদগী চহুমগা অমাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০১॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্ব্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(বিদ্যা অবিদ্যানচিংবগী ব্যাখ্যান)

চহুমগা অনীশুবা অধ্যায়

——:(+):——

বসিষ্ঠ উবাচ।

সাংখ্যদর্শনমেতাবদুক্তং তে নৃপসত্তম। বিদ্যাবিদ্যে ত্বিদানীং মে ত্বং নিবোধানুপূর্ব্বশঃ ॥১॥

অবিদ্যামাহুরব্যক্তং সর্গপ্রলয়ধর্ম্মি বৈ। সর্গপ্রলয়নির্ম্মুক্তং নিত্যং বৈ পঞ্চবিংশকঃ ॥২॥

বসিষ্ঠনা হায়, — নিংথৌ অখোইবা! অসি ফাওবসি ঐনা নঙোন্দা সাংখ্যযোগগী মরমদা হায়রবনি। হৌজিক ঐ বিদ্যা অবিদ্যাগী মরমদা হায়রগে তারো ॥১॥ সৃষ্টি অমদি প্রলয় (সংহার) গী মশক্ ওইবা ধর্ম্মবু পুরিবা অতুগুম্বা কার্য্য (থবক) অতুগা লোয়নরিবা অব্যক্ত অতুমক্ অবিদ্যানি। তত্ত্ব কুন্দুরিদগী তোঙাম্বা

পরস্পরস্য বিদ্যাং বৈ ন বোধাৎ পূর্ব্বশঃ। যথোক্তমৃষিভিস্তাত সাংখ্যস্যাভিনিদর্শনম্ ॥৩॥
কর্ম্মেন্দ্রিয়াণাং সর্ব্বেষাং বিদ্যাবুদ্ধীন্দ্রিয়ং স্মৃতম্। বুদ্ধীন্দ্রিয়ানাং চ তথা বিশেষা ইতি ন শ্রুতম্ ॥৪॥
বিশেষাণাং মনস্তেষাং বিদ্যামাহুর্ম্মনীষিণঃ। মনসঃ পঞ্চভূতানি বিদ্যা ইত্যভিচক্ষতে ॥৫॥
অহঙ্কারস্তু ভূতানাং পঞ্চানাং নাত্র সংশ্রয়ঃ। অহঙ্কারস্য চ তথা বুদ্ধির্বিদ্যা নরেশ্বরঃ ॥৬॥
বিদ্যা প্রকৃতিরব্যক্তং তত্ত্বানাং পরমেশ্বরী। বিদ্যা জ্ঞেয়া নরশ্রেষ্ঠ বিধিশ্চ পরমঃ স্মৃতঃ ॥৭॥
অব্যক্তস্য পরং প্রাহুর্বিদ্যাং বৈ পঞ্চবিংশকম্। সর্ব্বস্য সর্ব্বমিত্যুক্তং জ্ঞেয়ং জ্ঞানস্য পার্থিব ॥৮॥
জ্ঞানমব্যক্তমিত্যুক্তং জ্ঞেয়ো বৈ পঞ্চবিংশকঃ। তথৈব জ্ঞানমব্যক্তং বিজ্ঞাতা পঞ্চবিংশকঃ ॥৯॥
বিদ্যাবিদ্যার্থতত্ত্বেন ময়োক্তা তে বিশেষতঃ। অক্ষরঞ্চ ক্ষরঞ্চৈব যদুক্তং তন্নিবোধ মে ॥১০॥

কুন্মঙাশুবা পরমাত্মা মহাক অহুবুনি বিদ্যা হায়রিবসি। মহাক্তি সৃষ্টি সংহার অনীমক্তা মরী করিমতা লৈনদে। ঈবুঙো নিংথৌ! ঋষিশিংনা মতৌ অসুম্না সাংখ্যযোগদা হায়নরিবনি। মথোয়না পরম্পরাদগী হায়নরক্লিবা খঙনরক্লিবা অহুগী মতুংইদা অব্যক্তগী অমগমগা থেন্নরিবা অহুগা মথোয়হুগী মন্নুংদা লৈরিবা বিদ্যা অদো, অহুসু নহাক্না তারো ॥২—৩॥

কর্ম্মেন্দ্রিয় পুম্নমক্কী লৈরিবা বিদ্যাদি জ্ঞানেন্দ্রিয়নি হায়বসি নহাক্সু তাহুনা মৈত্রবনি। হায়বদি—কর্ম্মেন্দ্রিয়শিংদগী জ্ঞানেন্দ্রিয়না অথোইবনি। জ্ঞানেন্দ্রিয়শিংগী বিদ্যাদি পঞ্চমহাভূতনি ॥৪॥

অশিংবা ৱাখলৈবা মীশিংনা অসুম্না হায়,— মপান্দ ঈচাও চাউনা উরিবা মূল (অচৌবা) শরীর অসিগী বিদ্যাদি মন (পুক্নীং) কৌবা "পুক্নীং" ইন্দ্রিয় অসিনি। * মন (পুক্নীং) গী বিদ্যাদি পঞ্চতন্মাত্র না শাবা সূক্ষ্মশরীর, লিঙ্গ লিঙ্গশরীরনি ॥৫॥

নিংথৌ! পীক্লবা কুপত্রিক্ কুপ্পবা সূক্ষ্মশরীর অসিগী বিদ্যাদি অহঙ্কার হায়বসিনি। মাসিদা করিমতা চিংনফম্ লৈত্রবনি। অহঙ্কারগী বিদ্যাদি বুদ্ধিনি ॥৬॥

নিপা অথোইবা! পরমেশ্বর পরমাত্মাগী অব্যক্ত কৌবী প্রকৃতিনা হেক্ লৈরিবা তত্ত্ব পুম্নমক্কী বিদ্যানি। অহুম ওইবী প্রকৃতি কৌবী বিদ্যা অসিবু য়াম্না মুন্না খঙফম থোক্ই। মাসিবু জ্ঞানগী মরুনি, লল্নি অসুম হায়না জ্ঞানীশিংনা হায়নৈ ॥৭॥

কুন্মঙাশুবা প্রকৃতিতত্ত্ব ওইনা পরমপুরুষনা লৈরি হায়বসি হায়ব্রে। হায়রিবা পরমপুরুষ হায়বসিনা অব্যক্ত প্রকৃতিগী বিদ্যানি। মাসিনা জ্ঞান পুম্নমক্কী খ্বাইদগী অথোইবা জ্ঞেয়নি ৷৮॥

জ্ঞান হায়বসি অব্যক্তনি। অহুগা পরমপুরুষনা জ্ঞেয়নি. অসুম্না জ্ঞান হায়বসি অব্যক্তনি, মহাক্কী জ্ঞাতানা পরমপুরুষনি ॥৯॥ নিংথৌ! ঐনা নহাক্কী নফমদা বিদ্যা অবিদ্যা, ব্যক্ত-অব্যক্তগী মরমদা শেংনা হায়রবনি। হৌজিক, ঐ ক্ষর,অক্ষরগী মরমদা অমুক্ হায়রগে পুম্নমক্ মুন্না তারো ॥১০॥

---

* মফম অসিদা "বিদ্যা" হায়বগী অর্থদি "অথোইবা" হায়বনি। (কালাচাঁদ)

উভাবেবাক্ষরাবুক্তাবুভাবে তাঽনক্ষরো। কারণং তু প্রবক্ষ্যামি যাথাতাথ্যং তু জ্ঞানতঃ ॥১১॥
অনাদিনিধনাবেতাবভাবেবেশ্বরৌ মতৌ। তত্ত্বসংজ্ঞাবুভাবেতৌ প্রোচ্যতে জ্ঞানচিন্তকৈঃ ॥১২॥
সর্গপ্রলয়ধর্ম্মত্বাদব্যক্তং প্রাহুরক্ষরম্। তদেতৎ গুণসর্গায় বিকুর্ব্বাণং পুনঃ পুনঃ ॥১৩॥
গুণানাং মহদাদীনামুৎপত্তিশ্চ পরস্পরম্। অধিষ্ঠানাৎ ক্ষেত্রমাহুরেতৎ পঞ্চবিংশকম্ ॥১৪॥
যদা তু গুণজালং তদব্যক্তাত্মনি সংক্ষিপেৎ। তদা সহ গুণৈস্তৈস্তু পঞ্চবিংশো বিলীয়তে ॥১৫॥
গুণা গুণেষু লীয়ন্তে তদৈকা প্রকৃতির্ভবেৎ। ক্ষেত্রজ্ঞোঽপি যদা তাত তৎক্ষেত্রে সম্প্রলীয়তে ॥১৬॥
তদা ক্ষরত্বং প্রকৃতির্গচ্ছতেগুণসংশ্রিতা। নির্গুণত্বং চ বৈদেহ গুণেষ্বপ্রতিবর্ত্তনাৎ ॥১৭॥

সাংখ্যগী মতদা প্রকৃতি পুরুষ অনীমক অক্ষরনি, অদুগা অনীসি ক্ষরসু ওই। ঐসু ঐগী লৈজবা জ্ঞানগী মতুংইন্না মাসিগী থাঙ্গেশংবা মরম অসি হায়গে ॥১১॥

প্রকৃতি পুরুষ অনীমক অনাদি অনন্তনি, হায়বদি অহৌবা অরোইবা লৈতে। মরম অদুনা মখোয় অনীসি অমগমগা তিন্নবা পুল্লপ লৈমিন্নরগা সর্ব্বশক্তিমান্ ওইদুনা পুরুষ অসি ঈশ্বর ওই। মরম অদুনা সাংখ্যশাস্ত্রগী জ্ঞানীশিংনা অনী অসিতবু তত্ত্বনি হায় ॥১২॥

সৃষ্টিগা প্রলয়গা অনী অসিনা প্রকৃতিগী ধর্ম্মনি। মরম অদুনা প্রকৃতি হায়বসি অক্ষরনি। হায়রিবী প্রকৃতি অসিনা মহত্তত্ত্বনচিংবা তত্ত্ববু শেম্বা মতমদা বিকার (মশক ওন্বা) হেক্ হেক্ কংভি। মরম অদুনা মহাক্ ক্ষর-নিসু হায়নৈ ॥১৩॥

মহত্তত্ত্বনচিংবা তত্ত্ব থোক্‌প্রিবসি প্রকৃতি পুরুষ অনীগী সংযোগতগীনি। অদুনা অমনা অমগী লৈকম্ তুংনকম ওইবনা পুরুষবুসু ক্ষেত্র অদুম্ মকৌই ॥১৪॥

কনাগুম্বা যোগীনা যোগগী পাম্বৈনা প্রকৃতিগী গুণশিং অদুবু অব্যক্ত ওইবা মূলপ্রকৃতিদা লুপশিলহল্লি। মতম অদুদা গুণশিং অদুনা মূলপ্রকৃতিদা চঙখিবা মতমদুমক্তদা পুরুষ অদুসু পরমাত্মাদা লুপখি। চঙখিব মুৎখিবা অসিনচিংবা বিকার কংলবনিনা পুরুষ মশামক ক্ষর ওইরে ॥১৫॥

লৈরিবা উরিবা প্রকৃতিগী গুণশিং অসিদি কার্য্যভূত (থবক্তীদমক্তা লৈব) নি। হায়বদি— তিন্নরি, খাইদোক্লরি, মশক হোংলি। হায়রিবা কার্য্যভুত ওইবী প্রাকৃতগুণশিং অসিনা মূলপ্রকৃতিগী গুণশিংদুদা তিন্‌খিবা মতম অদুদা হেক্ লৈরিবা পুম্নমক অসি প্রকৃতিতগী মশক্ ওইখি। মতম অদুদা ক্ষেত্রজ্ঞ অসিসু পরমাত্মাদা খুপখি। মশাগী তোঙানবা অস্তিত্ব (লৈ হায়বা) অমা অমুক লৈত্রে ॥১৬॥

বিদেহরাজ জনক নিংথৌ! পুরুষ (ক্ষেত্রজ্ঞ) অদুনা মশাগী অস্তিত্ব কাওবা থাদোকপ্রব মতম অদুদদি ত্রিগুণময়ী প্রকৃতি অসিসু, হায়বদি সত্ত্ব রজ তম গুণ অদুসু পুবী প্রকৃতি অদুসু ক্ষরত্বধর্ম্মবু কংখি। মতম অদুদা পুরুষ (ক্ষেত্রজ্ঞ) অদুসু মাগী চঙকম লৈকম প্রকৃতিদুনা লৈত্রবদুদগীদি গুণশিংদুদগী তোঙান্না তারক্তুনা মথন্তা নির্গুণ ওইহৌরে। মহাক মশামক নির্গুণাতীত হায়বদু ওইরে ॥১৭॥

এবমেব চ ক্ষেত্রজ্ঞঃ ক্ষেত্রজ্ঞানপরিক্ষয়ে। প্রকৃত্যা নির্গুণস্ত্বেষ ইত্যেবমনুশুশ্রুম ॥১৮॥
ক্ষরো ভবত্যেষ যদা তদা গুণবতীমথ। প্রকৃতিং ত্বভিজানাতি নির্গুণত্বং তথাত্মনঃ ॥১৯॥
তদা বিশুদ্ধো ভবতি প্রকৃতেঃ পরিবর্জনাৎ। অন্যোঽহমন্যেয়মিতি যদা বুধ্যতি বুদ্ধিমান্ ॥২০॥
তদৈষ তত্ত্বতামেতি ন চাপি মিশ্রতাং ব্রজেৎ। প্রকৃত্যা চৈব রাজেন্দ্র মিশ্রো হন্যশ্চ দৃশ্যতে ॥২১॥
যদা তু গুণজালং তৎ প্রাকৃতং জুগুপ্সতে। পশ্যতে চ পরং পশ্যং তদা পশ্যন্ন সংত্যজেৎ ॥২২॥
কিং ময়া কৃতমেতাবৎ যোঽহং কালমিমং জনম্। মৎস্যো জালং হ্যবিজ্ঞানাদনুবর্তিবানিহ ॥২৩॥

মতৌ অসুম্না, ক্ষেত্রজ্ঞগী করিগুম্বা জ্ঞান অমতা লৈত্রে, হায়বদি ক্ষেত্রজ্ঞ (পুরুষ) মশাদা প্রকৃতিগী জ্ঞান অমতা থমদ্রে। মহৌশাগী মাগী নির্গুণ ওইবা মওংদো অহুদা চঙখি। মাসি ঐ অ'মমাংডৈদগী অসুম্ তাহুনা লৈরক্লবনি ॥১৮॥

পুরুষ অসিনা ক্ষর ওইরবা মতম অহুদা, হায়বদি পরমাত্মাদা শিন্থরবা তিনরবা মতম অহুদা, সর্বজ্ঞ ওইরবা পরমাত্মাহু ওইরবনিনা মহাক প্রকৃতিগী সগুণত্ব (গুণচেন্‌বা ধর্ম্ম) বু অহুগা মশাগী নির্গুণত্বধর্ম্মহু (গুণগা লোয়নবা ধর্ম্ম) বু খঙদবা ওস্মি। পুরুষ প্রকৃতি অনীগী অসুম্না লৈনরক্লিবা মরী অসি অনাদি অনন্তনি ॥১৯॥

মতৌ অসুম্না জ্ঞানীপুরুষনা ঐদি প্রকৃতিদগী তোঙানবনি, মাগা মরী করিম্‌তা লৈতে হায়না হেক্ খঙঙকপা মতম অহুদা মহাক মাগী হায়গী স্বরূপ অহু ফংখি ॥২০॥

নিংথৌ। প্রকৃতিগা তিন্নবা মতমদা প্রকৃতিদগী তোঙান্না লৈবগী মওংদা লৈরম্বা মরম্না পুরুষনা মশা মথন্তুগী মশক মওংবু চপচানা ফংলে হায়না খঙজরস্মি। অহুগা প্রকৃতিগা তিন্নরম্বদগী তোঙান্না হেক্ তারক্পা মতম অহুদা মগাক অমুক প্রকৃতিদগী ভিন্নঃ (পৃথকৃত) ধর্ম্মবু ফংখি। হায়বদি প্রকৃতিদগী তোঙান তাবগী ধর্ম্মদো ফংঙি। মরম অহুনা পুরুষ অসি অমুকসু প্রকৃতিদগী তোঙান্না লৈবগী অহুগা অমুকসু মশা অমতা ওইনা লৈবগী মওংসি মতমগী মতুংইন্না হেক্ হেক্ ফংঙি ॥২১॥

প্রাকৃতগুণশিংসিবু কান্নদবনি কত্তবনি হায়না খন্দুনা মখোয়গা তিন্ননীংদহুনা মশাদা হৈনীংলবগী ভাব (বৈরাগ্যভাব) অমা লাক্‌পা মতমদ প্রকৃতিগী গুণগা তিন্ননা লৈতবা নির্গুণ ওইবা পরমাত্মা অহুবু উবা ফংঙি। অহুগা উবা ফাওনদা মহাক্ (পুরুষ) প্রকৃতি অহুবুদি থাদোক্ত্রি। প্রকৃতিগা তিন্নহুনদি অসুম মরৈরি ॥২২॥

পরমাত্মাহু উবা মতম অহুংদি অসিগুম্বা বিবেক অমসু মণ্ডোন্দা মরাক্ই, মাহুদি— "ইস। ঐনা তৌরুরিবসিদি করিনো? ঙানা খঙদহুনা লাংদা (ঈনদা) ফাজিনবগুম্না ঐদি হৌজিক ফাওবা প্রকৃতিগী গুণতনা শাবা প্রাকৃতদেহ অসিদা ফাজিন্দুনা হকচাংসিমক্পু ঐনি হায়না থল্লিনা। মহাক্না মায়া তৌহুনা মহাক্না হায়বতা ইল্লুরে।" ॥২৩॥

অহমেব হি সম্মোহাদন্যমন্যং জনাজ্জনম্। মৎস্যো যথোদকজ্ঞানাদনুবর্ত্তিতবানহম্ ॥২৪॥
মৎস্যোঽন্যত্বং যথা জ্ঞানাদুদকান্নাভিমন্যতে। আত্মানং তদ্বদজ্ঞানাদন্যত্বং নৈব ,বদ্ম্যহম্ ॥২৫॥
মমাস্তু ধিগবুদ্ধস্য যোঽহং মগ্নমিমং পুনঃ। অনুবর্ত্তিবান্ মোহাদন্যমন্যং জনাজ্জনম্ ॥২৬॥
অয়মত্র ভবেৎ বন্ধুরনেন সহ মে ক্ষয়ম্ সাম্যমেকত্বমায়াতো যাদৃশস্তাদৃশস্ত্বহম্ ॥২৭॥
তুল্যতামিহ পশ্যামি সদৃশোঽহমনেন বৈ। অয়ং হি বিমলো ব্যক্তমহমীদৃশকস্তথা ॥২৮॥
যোঽহমজ্ঞানসম্মোহাদজ্ঞয়া সম্প্রবৃত্তবান্। সসঙ্গ্যাহং নিঃসঙ্গঃ স্থিতঃ কালমিমং ত্বহম ॥২৯॥
অনয়াহং বশীভূতঃ কালমেতং ন বুদ্ধবান্। উচ্চমধ্যমনীচানাং তামহং কথমাবসে ॥৩০॥
সমানয়ানয়া চেহ সহবাসমহং কথম্। গচ্ছাম্যবুদ্ধভাবত্বাদেষেদানীং স্থিরো ভবে ॥৩১॥

ঙানা ঈশিংবুত্ত মাগী জীবিকানি থন্দুনা ঈশিং লৈবা পুক্রী লাম্থোং অমদগী ঈশিং লৈবা মকমমদা চোংশিন্বহুগুম্না ঐদি প্রকৃতি মা মাগী হকচাংদগী অমদা অমুক হঙ্গৎ হন্দা চোংথোক্ চোংশিন্ তৌহুনা লৈরুরে, হৌজিকস্তু লৈরি।" অস্তুম্ নীঙউম্মক্তে ॥ ৪॥

"অজ্ঞান (জ্ঞান তাদবা) গী মথা পোনথিহুনা ঙানা মশা মথন্তবু ঈশিংদগী তোঙান্নবনি হায়না খঙদবহুগুম্না, ঐস্তু ঐনা লৈরিবা হকচাংলিদগী তোঙান্না লৈরিবনিকো হায়বসি থক্ খঙত্তুদ্রে" ॥২৫॥

পঙলবা ঐনা ঈশানা ঈশাবু থিক্কায় তৌরি। সংসারগী মায়াদা লুপ্তুনা লৈরিবা হকচাংসিনা হায়-বতা ইন্দুনা হকচাং অমদগী হকচাং অমদা কোয়চৎ চ'তুনা, অদুগা হায়গী থাদোক্লম্লিবা হকচাংদুদা অমুক হঙ্গিল্লুহুনা ঐগী হায়গী হৌরকফম (পরমাত্মা) অদুদদি স্তুক্যৌ য়ৌংনা মকৈদা হাইহুনা লম্মুক্কহুনা লৈরে। থাঙ্গৈশেংবদি জগৎ অসিদা, ঐগী থাঙ্গৈশেংবা মরূপতি ভগবান্ পরমাত্মা মাতনি। অহানবদা চান্নগে, মরূপ মরূপ শান্নগে হায়না খল্লম্লবদি মাতগা চান্নরমগদবনি। ফরে, অহান্নদদি ঐ অমবু ওইরবস্তু অমম্ব ওইরবস্তু ওইরুন্নে। হৌজিক্তি ঐ মামক্ ওইত্রবস্তু, মাগা মান্নবা নত্রগা মাগা একতাদা লৈবদি ঙমজরে, ঐ হৌজিক মাগুম্না ওইবা ফংলে ॥২৬—২৭॥

হৌজিক্তি ঐ ঈশামক্লা মাগা চপ মান্নবা উরে; ঐ মাগা চপ মান্নরে। পরমাত্মাদি হীরম পূম্নমক্তা অমক্পা হাওদনা ঈশেংত শেংহুনা লৈবনি। ঐস্তু মাগুম্না থম্মোয়দা করিগুম্বা অমক্পা অম'া থমদ্রে। সংসারগী করিগুম্বা থিযয়দা আসক্তি থমজদ্রে। অজ্ঞানগী অমদি ভক্ষংপগী মথা পোন্দুনা ঐ অস্তুক্ কুই-রবসি আসক্তি অমদি মায়াগী মথা পোন্দুনা প্রকৃতিনা থাকপা মায়াগী লাংদা থুরুরে ॥২৮—২৯॥

কয়াগী মতীক শাথিনা ঐ মাগী মথা পোল্লুরবগে হায়ববু, মাদুবু ঐ ইশামক্লা হায়বা ঙমদে। প্রকৃতি মহাক্তি খ্বাইদগী ম্নাংলবা, ময়ায় ওইবা, খ্বাইদগী অতোন্বা থাক্তী মীশিংগস্তু লৈমিন্নে। অদুস্তাস্তী প্রকৃতিগা হৌজিক্তি ঐ করম্ লৈমিন্নরুগনি ?॥৩০॥

মায়াগী মশক ওইরবী প্রকৃতি মহাক্লা ঐঙোন্দা নপশিন্নক্তুনা ঐবু মাগা মান্নহনগদবগী— অমতা

সহবাসং ন যাস্যামি কালমেতদ্ধি বঞ্চনাৎ। বঞ্চিতোঽস্ম্যনয় যদ্ধি নির্বিকারো বিকরয়া ॥৩২॥
ন চায়মপরাধোঽস্যা হ্যপরাধোহ্যয়ং মম। যোঽহমত্র ভবং সক্তঃ পরাঙ্মুখমুপস্থিতঃ ॥৩৩॥
ততোঽস্মি বহুরূপাসু স্থিতো মূর্ত্তিষু মূর্ত্তিমান্। অমূর্ত্তশ্চাপি মূর্ত্তাত্মা মমত্বেন প্রধর্ষিতঃ চ ॥৩৪॥
প্রাক্ কৃতেন মমত্বেন তাসু তাস্বিহ যোনিষু। নির্মমস্য মমত্বেন কিং কৃতং তাসু তাসু চ ॥৩৫॥
যোনীষু বর্ত্তমানেন নষ্ট সংজ্ঞেন চেতসা। ন মমাত্রনয়া কার্য্যমহঙ্কারকৃতাত্ময়া ॥৩৬॥
আত্মানং বহুধা কৃত্বা যেয়ং ভূয়োযুনক্তি মাম্। ইদানীমেব বুদ্ধোঽস্মি নির্মমো নিরহঙ্কৃতম্ ॥৩৭॥
মমত্বমনয়া নিত্যমহঙ্কারকৃতাত্মকম্। অপেত্যাহমিমাং হিত্বা সংশ্রয়িষ্যে নিরাময়ম্ ॥৩৮॥

ওইশিন্নমিন্নশিন্দুনা মহাক্না ঐনু মহাক্কী লাংদা থুহনগদবগী ফোংনরম্বী মাগা করম্না হৌজিক্তি তিন্নজরুনি? হন্দক্তি থওগনি। মানা ঐঙোন্দা করিস্নু তৌবা ঙমলরোই ॥৩১॥

ঈশক্ ঈওং লৈজদবা, লৈযবস্তু হোজদবা, পোক্পা শিবা য়াওজদবা ঐবু মানা নহাম্নথৈ নম্থাক্ তৌরক্নি। মাগী নম্থাক্না ঐস্নু মাগী মতুং ইল্লুরে। অস্নুপ কুইবসি মহাক্না ঐঙোন্দা নম্থাক্ তৌরম্মি। অহনা ঐ হৌজিক্তি মহাক্না লৈমিন্নরোই ॥৩২॥

তৌবগীদি মাগী মরাল্ ঙাক্স্নু নত্রি, ঐনা ঈপঙ পওঙহনা পরমাত্মারোমদগী মায় ওন্থোরকুনা মঙোন্তদা পুক্নীং চঙঙুরে। মঙোন্দদা আসক্তি থম্মুরে ॥৩৩॥

ঐদি অমূর্তনি— মূর্তি লৈতবনি অহুম্ (আত্মা) ঐনা, প্রকৃতি মহাক্কী মায়া ভৌহনা উৎপা মূর্তি তোঙনে তোঙানদ য়াওশিল্লহনা দেহ লৈজদবা ঐনা মাবু মুংশিরবদগী দেহ (প্রকৃতিগী মায়া) মা মক্পু ঐনি হায়না খল্লরে, মাগা অনম্বা ওইমিন্নখরে ॥৩৪॥

অহানবদা ঐনা মাবু মুংশিন্নখিহনা মামক্তি হায়না খল্লুবনা মপোক্ মপোক্না দেহ (প্রাকৃত মায়া) মাতগা লোয়নহনা তোঙান্ তোঙানবা দেহ কয়া কয়াদা চঙ চঙহনা পোক্উরে। ঐগীনি হায়বা অমতা লেজদবা ঐসি, অদুবু মাগা হক্চিন্ন তিন্নকদগী মঙোন্দা মমতা (ঐগীনি হায়বা) থম্মুবনা, ঐগীনি হায়বা য়াখঙ অসি ততনা পোকহনবা দেহ দেহদা চঙ চঙহনা লম্মুক্রুরে। চঙঙু চঙঙুরিব দেহশিং অহুদা অরাবা খুদোংথীবা জাৎ জাৎ কয়া থেনরুরে ॥৩৫॥

তোঙান্ তোঙান্ন মফম কয়াগী পোক্ফমদা চঙঙবনা অত্মা ঐগী আত্মশক্তি, আত্মজ্ঞান পুম্না মাঙ-খ্রবনি। বৌজিক্তি "ঐ ঐগী" হায়বা পোকহনবী মাগা অমুক তিন্নরুবগী করি কান্নরি? হৌজিক্তি ঐ মাগা তিন্নরোই ॥৩৬॥ হৌজিক হৌজিক্তমকতু তোঙান্ তোঙানবা মশক উৎহনা ঐবু চিংশিনগদবগী হোৎনরি। হৌজিক্তি ঐ খুকউ শেম্নরগনি, মাগী নম্থাক্লাংদা চঙঙুরোই। হৌজিক্তি ঐ (আত্মা) মমতা অহং-কারহু অমুক্ থম্মরোই ॥৩৭॥ হৌজিক্তি প্রকৃতি মায়া মহাকপু অহুগা মহাক্কী অহঙ্কারগী মশক ওইবা মমতাবু থাদোকুনা, মঙোন্দগী য়াম্না লাপথোকুমা পরমাত্মাগী নাক্তা চঙশিনজরগনি ॥৩৮॥

অনেন সাম্যং যাস্যামি নানয়াহমচেতয়া। ক্ষেমং মম সহানেন নৈকত্বমনয়া সহ ॥
এবং পরমসম্বোধাৎ পঞ্চবিংশোঽনুবুদ্ধবান্। অক্ষরত্বং নিযচ্ছেত ত্যক্ত্বা ক্ষরমনাময়ম্ ॥৪০॥
অব্যক্তং ব্যক্তধর্ম্মাণং সগুণং নির্গুণং তথা। নির্গুণং প্রথমং দৃষ্ট্বা তাদৃগ্ ভবতি মৈথিল ॥৪১॥
অক্ষরক্ষরয়োরেতদুক্তং তব নিদর্শনম্। ময়েহজ্ঞান সম্পন্নং যথা শ্রুতিনিদর্শনাৎ ॥৪২॥
নিঃসন্দিগ্ধঞ্চ সূক্ষ্মঞ্চ বিবুদ্ধং বিমলং যথা। প্রবক্ষ্যামি তু তে ভূয় স্তন্নিবোধ যথা শ্রুতম্ ॥৪৩॥
সাংখ্যযোগৌ ময়া প্রোক্তৌ শাস্ত্রদ্বয়নিদর্শনাৎ। যদেব শাস্ত্রং সাংখ্যোক্তং যোগদর্শনমেব তৎ ॥৪৪॥
প্রবোধনকরং জ্ঞানং সাংখ্যানামবনিপতে। বিস্পষ্টং প্রোচ্যতে তত্র শিষ্যানাং হিতকাম্যয়া ॥৪৫॥
বৃহচ্চৈবমিদং শাস্ত্রমিত্যাহুর্বিদুষো জনাঃ। অস্মিংশ্চ শাস্ত্রে যোগানাং পুনর্বেদে পুরঃসরঃ ॥৪৬॥

দেহ (প্রকৃতি মায়া) মাবু অমত্তনি, ঈশা অমত্তনি থরুবগী মহুত্তা পরমাত্মাদুগা অমত্তমি, ঈশা অমতনি হায়না খন্বা তম্মগে। মা মক্ ওইত্রবস্থ মহাক ফংনবা হোৎনরগে। অশিবা, কান্নদবা হকচাং অসিগা অমতা তিন্নদনবা হোৎনরগে। পরমাত্মাগা তিন্নবা, মাগী ধ্যান তৌবতনা ঐনা লান্থিবা পুম্বা হায়দোক্চদুনা মঙোন্দা হায়জবতনা আত্মা ঐগী মঙ্গল ওইয়ান, প্রকৃতিগা তিন্নবনা ঐগী মঙ্গল ওইরোই। মতৌ অসুম্না অকবা কান্নবা য়াখন্না মশাগী থাজ্জৈশেংবা অশেংবা স্বরূপ অদু ফংদুনা তত্ত্ব কুম্মরিদগী য়াংমদা লৈবা কুমওাগুবা আত্মানা পরমাত্মাদা তিন্থিবা ওস্মি ॥৩৯—৪০॥

মিথিলা নিংথৌ! অব্যক্ত প্রকৃতি (মশক মওং ফোঙদোক্তবী প্রকৃতি), ব্যক্ত প্রকৃতি (মশক মওং মাইনা থোরকপী, মৈ ঈশিংনচিংবী প্রকৃতি), সগুণ (হকচাংনচিংবা) নির্গুণ (আত্মা), অদুগা হায়রিবশিংগী ঈহান্ হান্বা পরমাত্মা… মথোয়শি, অসিগী মথং মৎং ওত্থবু মুন্না থিজিন্নরগা মদৈৎংদা তাইবং মীনা—পরমাত্মা মহাক্কা সাক্ষাৎকার তৌরব, মতুংদা পরমাত্মা মা-মক্ ওইথিবা ওস্মি ॥৪১—৪২॥

নিংথৌ! বেদদা হায়রিবা অদুগী মতুং চপচানা ইন্দুনা ঙর অঙ্কংগী তত্ত্ব অসে ঐনা হায়ববসিনি। হৌজিক্কি শ্রুতিশাস্ত্রগী মতুংইন্না, চিংনবীওায় লৈত্রবা, কূপ্নবা ওখোক্না শেংগ্রবা মকুত্রবা জ্ঞানগী য়াদো অমুক হায়রগে তারো ॥৪৩॥

সাংখ্য অদুগা যোগ অমীগী য়া খন্নদি ঐনা হায়খ্রবনি। অনী অসিগী তোঙান্ তোঙান্বা শাস্ত্র লৈস্রু হায়খ্রে। অদুবু, মচুংদদি অনী অসি মশা অমতনি। মরমদি— অনীমক্কী মতৌদি মশা অমতনি, যোগীশিংমা কংনরিবা মফম অদুনি, সাংখ্যশিংনা কংনরিবদুনু ॥৪৪॥

নিংথৌ! ঐনা শিষ্যশিংগী কান্নবগীদমক্তা ওইবা অদুগা মথোয়গী জ্ঞান পোক্নবগীদমক্তা ওইবা সাংখ্যজ্ঞান অসি নিংথৌ নঙোন্দা হায়রবনি ॥৪৫॥

বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা অসুম্না হায়নৈ, মাদুদি—সাংখ্যশাস্ত্র হায়বসে ওস্তোক্না পাক্ চাউখ্রবনি। হায়রিবা শাস্ত্র অসিদা, যোগশাস্ত্রদা, অদুগা বেদদা হায়রিবশিংসিদা চপচাবা প্রত্যক্ষ ওইরবা প্রমাণ য়াওরবনি হায়না

পঞ্চবিংশাৎ পরং তত্ত্বং পঠ্যতে ন নরাধিপ। সাংখ্যাং তু পরং তত্ত্বং যথাবদনুবর্ণিতম্ ॥৪৭॥
বুদ্ধিমপ্রতিবুদ্ধত্বাৎ বুধ্যমানং চ তত্ত্বতঃ। বুধ্যমানং চ বুদ্ধং চ প্রাহুর্যোগনিদর্শনম্ ॥৪৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
বসিষ্ঠ-করাল-জনক-সংবাদে দ্ব্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০২॥

——:(+):——

খল্লুনা তাইবংমীনা ম.খোয় অসিবু পুক্লীং চঙনা তমগদবনি, নৈনগদবনি ॥৪৬॥ নিংথৌ। সাংখ্যশাস্ত্রগী আচার্য্যশিংনা কুমঙাশুবা পরমাত্মা অসিদগী হেন্না অতৈ নৈনদ্রে। হায়বদি কুমঙাশুবা তত্ত্বসিদা থমলে। অসিদগী মথ্মা চথদ্রে। অতুনা ঐনা সাংখ্যতত্ত্ব নঙোন্দা হায়রবনি ॥৪৭॥

মক্লুং মপান্ জ্ঞানতগী মশক ওইবা পরব্রহ্ম পরমাত্মা অসিনি বুদ্ধ * হায়বনু। মাগী তত্ত্ববু খঙগে হায়হুনা তাম্লরক্লবহুনি বুধ্যমান হায়বনা। মতৌ অসুম্না যোগগী সিদ্ধান্তগী মতুংইন্না বুদ্ধ (পরমাত্মা), বুধ্যমান্ অনী অসিতনি চেতনাশক্তিগী মশক ওইরিবসি। অসি নত্তহা অতৈদি অচেতনমক্তনি ॥৫৮॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, বসিষ্ঠ-করাল-জনক-সংবাদদা চহুমগাতনীশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০২॥

——:(+):——

* মফম অসিদা হায়রিবা "বুদ্ধ" হায়বসি বৌদ্ধধর্ম্ম সম্প্রদায়গী বুদ্ধদেব (গৌতম) অমত্তা নত্তে "বুদ্ধ" হায়বদি ভগবান্ পরমাত্মাবু হায়বনি। গৌতম বুদ্ধদ বুদ্ধ নত্তে, বুধ্যমান্ নি। মরমদি— মহাকন্না করি-গুম্বা অমা খঙদে হায়হুনা ধ্যান তৌরি। "বুদ্ধ" ম "বুধ্যমান্" ওইহুনা ধ্যান তৌদে। বুধ্যমান্তনা বুধবু ফংগে হায়হুনা ধ্যান তৌবনি। গৌতম বুদ্ধনা ফংগে হায়না ভান্নরিবা নির্ব্বাণ অহুনি— বুদ্ধ হায়রিবসি।

(কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

ত্র্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(বসিষ্ঠ-জনক-সংবাদ লোইশিন্‌বা মতাং)

চহুমগা অহুমশুবা অধ্যায়

——:(০):——

বসিষ্ঠ উবাচ।

অথ বুদ্ধমথাবুদ্ধমিমং গুণাবিধিং শৃণু। আত্মানং বহুধা কৃত্বা তান্যেব প্রবিচক্ষতে ॥১॥

এতদেবং বিকুর্ব্বাণো বুধ্যমানো ন বুধ্যতে। গুণান্ ধারয়তে হ্যেষ সৃজত্যাক্ষিপতে তথা ॥২॥

অজস্রং ত্বিহক্রীড়ার্থং বিকরোতি জনাধিপ। অব্যক্তবোধনাচ্চৈব বুধ্যমানং বদন্ত্যপি ॥৩॥

বসিষ্ঠনা হায়;— নিংথৌ। হৌজিক অরোইবদা বুদ্ধ (পরমাত্মা); অবুদ্ধ (জীবাত্মা) অদুগা গুণগী মশক ওইরবী সৃষ্টি (থৌংশেম) অহুম অসিগী বা তারো। জীবাত্মানা মশাবু মশানা তোঙান্ তোঙান্‌বা মশীং লাকওমদবা মখিং মওং কয়া করাদা ফোঙদোকুনা চঙহুনা মওংশিং অদুবু অচুম্বমক্তি হায়না লৌরি ॥১॥

অদুনা জীবাত্মা হায়বসি মশামক জ্ঞান পূর্ণরক্তা তিথকাওবদা, প্রকৃতিগা ভিন্নরুবদগী, মশাদা বিকার অমা লাকপদগী বিকার য়াওদবা নির্বিকার ওইবা ব্রহ্ম মহাকপু খখদবনি। মহাক্কা প্রকৃতিদগী গুণশিংদু লৌশিন্নগা মশাদা কর্তৃত্ব (কর্তা ওইবা) গী অহঙ্কার অদু লৌশিন্দুনা শেম্মি, থুগাই। শেম্মিবা শাব্রিবা— কর্তাসি ঐনি, থুগাইরিবসি ঐনি হায়না খল্লি। মাসি জীববু প্রকৃতিনা কূপখিবদগীনি। মাসিনি; কর্তৃত্বগী অভিমান হায়ববু ॥২॥ * নিংথৌ। জীবাত্মানা জগৎ অসিদা শান্নগে হায়বগীদমক মশাদা বিকারশিং অসি

* থবক অসি "ঐ" মা তৌরিবনি, থবক অসি ঐনা ভাক্লি, ঐনা থুগাইরি হায়না জীবাত্মাসিনা হকচাং মদুং অসিদা খল্লিবসি মশাদা বিকার অমা লাকপা কৌই। থবক অসিগী কর্তা (অতৌবা মী) দি— ঐ (অহং) নি হায়না খন্‌বসি কর্তৃত্ব অভিমান (অহঙ্কার) কৌই। মশক্ ওন্‌বতমা মসিগুাং ওইবা, হায়বদি বিকার লৌবতনা মশিগুাং ওইবা হকচাং (প্রকৃতি) সিগা তিন্নরুবদগীনি। অজ (আসক্তি) গী দোষনি, তিন্নরুরিবা ফত্তবা পোত্থগী দোষ নত্তে; তিন্নরুবা ঐগী দোষনি। নির্গুণবা তিন্নবগা নির্গুণ, সগুণ গা তিন্নবগা সগুণ ওইবা হায়বসি হৌনশানি। অদুবু, মতিম কৈরমদি সবিকার, সগুণ ওইবা হকচাং অসিগী মমুংদা লৈনা লৈনা সগুণ আত্মাসিনা নির্গুণ আত্মা (ব্রহ্ম) অদুম্ ওইবা ময়াই। (কালাচাঁদ)

ন ত্বেব বুধ্যতেঽব্যক্তং সগুণং তাত নির্গুণম্। কদাচিৎ ত্বেব খল্বেতদাহুরপ্রতিবুদ্ধকম্ ॥৪॥
বুধ্যতে যদিবাব্যক্তমেতৎ বৈ পঞ্চবিংশকম্। বুধ্যমানো ভবত্যেব সঙ্গাত্মক ইতি শ্রুতিঃ ॥
অনেনাপ্রতিবুদ্ধেতি বদন্ত্যব্যক্তমুচ্যতম্ ॥৫॥

হেক্ হেক্ লৌই। মহাক্তি অব্যক্ত প্রকৃতিবু মুন্না খঙই। ময়মসিনা মুনিশিংনা মহাকসিবু বুধ্যমান্ হায়না কৌই ॥৩॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! পরব্রহ্ম পরমাত্মা হায়বসে নির্গুণবু ওইরবস্থ সগুণবু ওইরবস্থ মহাক প্রকৃতি (দেহসি) না করিমত্তা খঙবিদে। প্রকৃতিদি জড়নি— অশিবনি। মরম অদুনা সাংখ্যবাদীশিংনা প্রকৃতিবু “অপ্রতিবুদ্ধ’ (জ্ঞানশূন্য) অস্থম হায়না কৌনৈ ॥৪॥

করিগুম্বা প্রকৃতি মশামকস্থ মাগী মন্নুংদা লৈরিবা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু খঙভি হায়না লৌরো, অদু ওইরবস্থ মঙোন্দা কুমস্তাগুবা তত্ত্ব-পরমপুরুষ অদুনা মাগা তিন্নরা লৈরবা মতম অদুতদা খঙবনি। প্রকৃতিগা লৈমিন্নবদগী জীব অসি সঙ্গাত্মক (সঙ্গী) হায়বদু ওই, অস্থম হায়না শ্রুতিনা হায়রি। হায়রিবা সঙ্গদোষ অসিনা নিন্দা ঈকং ফংফম থোক্ত্রবা অব্যক্ত অবিকারী ওইরবা জীবাত্মাসিবু মীনা মূঢ় (অপঙবা) অসিংনচিংবা নিন্দাগী রাহৈনা চৈনরি ॥৫॥ *

* মী অমনা মী অমবু অপঙবা, অঙাওবা অসিনচিংবা রাহৈনা, নিন্দাবাক্যনা চৈরিবসি দেহ অমদা লৈবা জীবনা দেহ অমদা লৈবা জীববু চৈবনি। জীবাত্মা (আত্মা) হায়বসি অমত্তনি হায়রগদি জীব মশানা মশাবু চৈজবনি। মপান্গী জড়প্রকৃতি ওইবা হোৎব, চাউবা কৌবা হকচাংসিদা চৈবা নত্তে। অদুনা— মমাংঙৈদা য়েক্কবা ওইরম্বগী তাদুনা লৈরিবা অশিবা হকচাংদা কনামতনা চৈদে, শাউদে, নিন্দা তৌদে। নিন্দা তৌরিবদুস্থ ফত্তবা সঙ্গ তৌবদগীনি। অসৎ প্রকৃতি (হকচাং) সিগা তিন্নরা লৈরুবদগীনি। জীবদা অহংভাব (অহঙ্কার) লাকইবসি হকচাংদিবু ঐমক্নি হায়না মানা খল্লরুবদগীনি। জড়প্রকৃতিসিগা হায়বদি অপঙবা করিমতা খঙদ্রবী প্রকৃতি (হকচাং) সিগা হক্চিন্ন অমতা ওইনা সঙ্গ তৌরুবদগী জীবসিনা জড় (অপঙবা) হায়বনচিংবা নিন্দাবাক্য; নিন্দাশব্দশিং অসি ফংজবনি। অদুগা মীঙোল্ অমদা চৈরিবা জীব মহাক অদুস্থ জড়প্রকৃতি (অপঙবা অশিবা হকচাং) অমগা লোয়ননা অদুম্ মচৈরুরি। অদুনা অনীমক্ ঙাওমিন্নবনি। অদুনা, অমবু অপঙবনি, খঙদবনি হায়না জ্ঞান তাক্পা তারবদা গুরু অমা ওইগদৌরিবা মহাক্ মশামক্ সাত্ত্বিকভাব (বুদ্ধি) দা লৈত্রনা প্রাকৃতিক মায়াগী মথা পোন্দনা তাক্পিবা তাববনি। মাসিবুনি— গুরু-শিষ্য সম্বন্ধ হায়রিবসি। হৌজিক্কালগী ওঝাগা ছাত্রগা জ্ঞানগী আদান-প্রদান তৌনরিবসি নত্তে। হৌজিক্কীসি অহঙ্কারদা তাঙ্করিবা ওঝা অমনা অহঙ্কারদা তাঙ্করিবা ছাত্র অমদা তম্বিবনি, তম্বনি। অদুনা,— ছাত্র অমনস্থ ওঝা অমবু অদুম্ মচৈ, নিন্দা তৌই। প্রকৃতি (দেহ) সিদগী তোঙান্না লৈরিবা জীবাত্মা মহাক্তি শুদ্ধনি, বুদ্ধ ন, জ্ঞান পূর্ণমকী আধারনি। মাদু খঙদনা পঠন-পাঠন (মম্বা-তম্বিবা)

অব্যাক্তবোধনাচ্চাপি বুধ্যমানং বদন্ত্যত। পঞ্চবিংশং মহাত্মানং ন চা সাবপি বুধ্যতে ॥৬॥
ষড়্বিংশং বিমলং বুদ্ধমপ্রমেয়ং সনাতনম্। স তু তং পঞ্চবিংশং চ চতুর্বিংশং চ বুধ্যতে ॥৭॥
দৃশ্যাদৃশ্যে হ্যনুগতং স্বভাবেন মহাদ্যুতে। অব্যাক্তমত্র তৎব্রহ্ম বুধ্যতে তাত কেবলম্ ॥৮॥
কেবলং পঞ্চবিংশং চ চতুর্বিংশং ন পশ্যতি। বুধ্যমানো যদাত্মান মন্যেঽহমিতি মন্যতে ॥৯॥
তদা প্রকৃতিমানেষ ভবত্যব্যাক্তলোচনঃ। বুধ্যতে চ পরাং বুদ্ধিং বিশুদ্ধামমলাং যদা ॥১০॥

কুন্মঙাশুবা মহান্ ওইরবা আত্মা মাদি প্রকৃতি অসিনু খঙজি। অদুনা মহাকপু বুধ্যমান হায়না কৌই। অদুবু মহাকমক্তু কুন্তরুকশুা নিত্য ওইরবা, ঈশেং-ত শেংনা লৈরবা প্রকৃতিসিগা করিমতা তিন্নবা য়াও-ত্রবা, করিগুম্বা কনাগুম্বা অমতগা চাংদল্লিংঙাই লৈত্রবা সৃষ্টি প্রলয়দগী য়াংমদঃ লৈবা, সনাতন ওইবা পরমাত্মা মহাকপুদি খঙদে। অদুগা, হায়রিবা পরমাত্মাসিনদি কুন্মঙাশুবা তত্ত্ব ওইরিবা জীবাত্মাবু, অদুগা কুন্মরি-শুবা প্রকৃতিসিবুদি য়াম্না তুম্না খঙজি ॥৬—৭॥

ঈবুঙো! তেজ কল্লবা নিংথৌ! অব্যাক্ত ওইরবা, হায়বদি— মশক্ মওং নাইনা ফোঙদোক্তনা লৈরবা মাগুম্বা অনীশুবা অমা লৈত্রবা, ব্রহ্ম হায়বা মহাক অত্তুদি মকম মতম পুন্নমক্তা, অত্তবা উদবা পোৎ পুন্ন-মক্তা শীন্থুংনা লৈ। তত্তুনা মহাক্তি সর্ব্বজ্ঞনি, লোইনা উই, খঙজি ॥৮॥

কুন্মরিশুবা অব্যাক্ত প্রকৃতি মহাক্তি মহাক্তি মাগুম্বা অনীশুবা অমা লৈত্রবা ব্রহ্মবু, অদুগা কুন্মঙাশুবা তত্ত্ব ওইরিবা জীবাত্মা অসিবু খঙবা ঙম্বা নত্তে। অদুগা জীবাত্মা অসিনা ব্রহ্মদা মমায় ওন্শিল্লক্পা মতম অদুনা মহকে প্রকৃতি অসিদগী তোঙান্না লৈ। অম্বমনা তোঙান্না লৈবা মতম অদুনা জীবাত্মাসিনা প্রকৃতি (দেহ) সিগী অধিপতি (মপু, হর্ত্তাকর্ত্তা) ওই। প্রকৃতিগী মখা পোন্বদি লায়রদুনা প্রকৃতিবুতুম্ মহাক্কী মখা পোলহল্লি ॥৯॥

হোৎনরগা নৈনরগা জীবাত্মা অসিনা শেংলবী, ব্রহ্মতগী বিষয় ওইবী, অমকপা লৈত্রবী, খ্বাইদগী অথোইবী সাত্ত্বিকী বুদ্ধি অদুবু ফংবা মতমদু ময়াক্ই ॥১০॥

তৌনমদগী চপচাবা গুরু শিষ্য সম্বন্ধ অদু হৌজিক লৈতে হায়বা য়াই। বসিষ্ঠগা জনক নিংথৌগা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী— চপচাবা গুরু-শিষ্য সম্বন্ধনি। নিংথৌ ওইরিবসি, শাসন তৌরিবসি কনানো? জনক কৌহা মপান্গী পঙলবা করিম্ব খঙত্রবা প্রকৃতি হকচাংসিনরা? নত্রগা জীবাত্মাসিনরা? হকচাংসি য়াওদা জীবাত্মা মথন্তনা সর্ব্বশক্তিমান্নি হায়দুনমু শাসন তৌবা ঙম্বরা? অসিনচিংবা সাংখ্যতত্ত্ব অদু গুরু বসিষ্ঠদা হংবা লাকপনি। ধর্ম্মতত্ত্বসি খঙনা শাসন তৌবা নিংথৌমাগী লৈপাক্তা ধর্ম্মনীতি রাজনীতি অনী খুজেং পান্নোইননা লৈদুনা মপুংফানা শান্তি লৈবা ঙম্মি। অদুমা, ভগবদ্গীতাদা হায়রিবদুনি,— "কর্ম্মণৈব হি সংসিদ্ধিমাস্থিতা জনকাদয়ঃ।" তোঙান্ তোঙান্না মচা তানা খঙকন্নীওদুনা ভীষ্মনমু নিংথৌ যুধিষ্ঠিরদা সাংখ্যতত্ত্বগী মতাং লীবক্পনি। (কালাচাঁদ)

ষড়্বিংশোরাজশার্দূল তথা বুদ্ধমমাত্রজেৎ। ততস্ত্যজতি সোঽব্যক্তং সর্গপ্রলয়ধর্ম্মি বৈ ॥১১॥
নির্গুণঃ প্রকৃতিং বেদ গুণযুক্তামচেতনাম্। ততঃ কেবল ধর্ম্মাসৌ ভবত্যব্যক্তদর্শনাৎ ॥১২॥
কেবলেন সমাগম্য বিমুক্তোঽত্মানমাপ্নুয়াৎ। এতৎ তু তত্ত্বমিত্যাহুর্নিস্তত্ত্বমজরামরম্ ॥১৩॥
তত্ত্বসংশ্রয়ণাদেতৎ তত্ত্ববন্ন চ মানদ। পঞ্চবিংশতি তত্ত্বানি প্রবদন্তি মনীষিণঃ ॥১৪॥

মতমতুমক্তদা মহাক কুন্তককশুব তত্ত্ব ওইরিবা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু উহুনা পরমাত্মাহুমক্তী মশক লৌথি। অচগুম্বা অবস্থাদা মহাক নিত্য শুদ্ধ বুদ্ধ ওইবা ব্রহ্মভাবতা লেঙদনা লৈখি। অহুদগী মহাক সৃষ্টি প্রলয় অনীসিবু মহাক্কী ধর্ম্ম ওইনা পুরিবী প্রকৃতিসিদগী আ-রাংমদা লৈখি ॥১১॥

মহাক্না গুণ পুন্নমক্তগী লাম্হোকখিহুনা প্রকৃতি অসিবু অশিবনি হায়না খঙভি। গুণ পুন্নমক্তগী লাম্হোক্তুনা য়েংলবদি জীবাত্মাসিনা মপান্গী প্রাকৃতিক দেহ (হকচাং) বু অশিবা হায়না খঙভি। অহু মতুনা প্রকৃতিগী গুণতনা তাহুনা শারিবা হকচাং অসিদা মহাকসু য়াওশিল্লবদি অচঙবা ওইনা উই। মথন্ত ভায়বনু কেবল কৌই। জীবসিনা মঙোন্দগী তোঙান্বা প্রকৃতি হায়বা অমা লৈরি হায়না খল্লবদি মাগা থানা অনী শুয়ে। অহুনদি কৈবল্য (অমত্ত ওইবা, মথন্ত ভায়বগী ভাব) দি নত্রে। প্রকৃতিদগী তোঙান্দবনি, মশা অমত্তনি হায়রগদি জীবসিনা কৈবল্য ফংভি ॥১২॥

কেবল ওইরবদি হায়বদি— অনীশুদবা (মথন্ত হায়বা) ব্রহ্মজ্ঞান (ব্রহ্ম) হুগা তিন্নরা লৈরবদি অকা অপুন্ পুন্নমক্তগী মুক্ত ওইখিহুনা হায়বদি— লাম্হোকখিহুনা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংভি। মাসিবু পরমার্থতত্ত্ব কৌই। মাসিদি হেক্ লৈরিব তত্ত্ব পুন্নমক্তগী রাংমদা লৈরবনি, পোক্পা শিবা কাইনবা তিন্নবদগী রাংমদা লৈরবনি ॥১৩॥

জীব পুন্নমক্তা ঈকাই-খুম্নবা পীওস্বা নিংথৌ। জীব অসিনা তত্ত্বশিং অসিগী আশ্রয়দা লৈরবদি মহাক মশামকসু তত্ত্বশিংসিগা চপ্ মান্নত্রে। অহুগা থাঙ্গেংবদি মহাক্তি তত্ত্বশিং অসিগী দ্রষ্টা (অউবা) নি; মহাক মশামক্তি তত্ত্ব নত্তে। * অহুনা, জ্ঞানীশিং খরগী মতদা জীবাত্মাসিবুসু তত্ত্ব অমনি হায়না লৌহুনা কুম্মভাশুবা তত্ত্ব ওইহল্লি ॥১৪॥

---

* অউবা মীশক দ্রষ্টা হায়বা অমা, উগদৌরিবা পোৎ দ্রষ্টব্য হায়বা অমা— অনীতনি। উগদৌরিবা অউবা মীশক ওইগদৌরিবা মহাক্না, উগদৌরিবা পোৎ অহুদগী তোঙান্না লৈবা হায়বসি হৌনশানি। অহুবু জীমাত্মা অনিনা মহাক্না য়েংশিন্গদৌরিবা হকচাং অসিদগী তোঙান্নদি লৈতনা হকচাংসিবু মুন্ন থক্ য়েংশিন্বা য়ারোই। তোঙান্না য়েংশিল্লিবনি হায়হুনসু আত্মা ঐগী হকচাং হায়না হেক্ মহায়রবসু হকচাংসিদি জীবাত্মা মহাক্কীদি নত্তে। হকচাং ঐ চৎলি" হায়রবসু লাল্লি। "ঐগী হকচাং চৎলি" হায়রবসু লান্বা ভাল্লি। হকচাংসিবু ঐনি খন্দুনা হেক্ মচৎলবদি মাঙবুনি অহঙ্কার হায়রিবসি। অহঙ্কার অসিসু তত্ত্ব অমনি। তত্ত্ব অমময়া পোৎশক লিশিং লিশিং, লাক্কলাক্কী মতৌ শিন্দুনা লৈরি। পোৎ মশীং থিয়ু হায়রগা সনা,

ন চৈব তত্ত্ববাং স্তাত নিস্তত্ত্বস্তেষ বুদ্ধিমান্। এষ মুঞ্চতি তত্ত্বং হি ক্ষিপ্রং বুদ্ধস্য লক্ষণম্ ॥১৫॥
ষড়্বিংশোঽহমিতি প্রাজ্ঞো গৃহ্যমাণোঽজরামরঃ। কেবলেন বলেনৈব সমতাং যাত্য সংশয়ম্ ॥১৬॥

ঈবুঙো নিংথৌ জনক! থাঙৈশেংবদি জীবাত্মাদি তত্ত্ব অমনি হায়বা য়াবা পোৎ নত্তে। মহাক্তি তত্ত্ব কুম্মরিসিগী য়াংমদা লৈগ্রগনি। মৈ ঈশিং লৈপাক্নচিংব তত্ত্বশিং অসিদি মশা মশাগী মশক মওং মচু— লৈবা ঙাক্তনিনা, মখোয় কুম্মরিগী মরক্তা মশক মচু মওং লৈতবা জীব (জীবাত্মা) মহাক য়াওকম থোক্তে। অহুদি মহাক প্রকৃতিগী মপৈ হকচাংসিগী মমুংদদি কৈদৌনা লৈরি? পরমাত্মাহু থিগে, মাগা অমতা ওইগে হায়মা লৈরিবনি। জীবসিনা পরমাত্মা মহাকপু থিবা হেক্ ফংবদা মহাক তত্ত্বশিং অসিবু খংথা থাদোক্লকনি। মতম অহুদা, জীব মশাদা শুদ্ধ বুদ্ধ ওইরবা ব্রহ্মগী লক্ষণ অহু অহুম্ মরাক্চরগনি ॥১৫॥

"জীব ঐদি হায়রিবা তত্ত্ব কুম্মঙা অসিদগী য়াংমদা লৈবা কুন্তরুকশুবা তত্ত্ব অমনি। কুন্তরুকশুবা তত্ত্ব পরমাত্মা হায়বহু জীব ঐনি।" অসুম্ য়াখল তৌনা তৌনা মতম অয়াম্বদা মরৈরবদি জীব অসিদা

লুপা, উ, য়া, অহুম্ হায়না থীরবদি মপোক্ তয়েক্তা লোইররোই। "লৈপাক্" হায়হুনা অমতং হায়রগা সনা, লুপা, য়োং, নুং, ফি, উ, য়া, লোইনা য়াওরে। অহুনা সনা লুপা য়োং নুং শিং অসি তত্ত্ব অমতা নত্তে। মখোয়গী তত্ত্বদি লৈপাক্নি। সনা— লৈপাক্নি নুং— লৈপাকনি, লুপা — লৈপাক্নি; য়োং, নুং, উপাল, য়াপাল লোইনা লৈপাক্ ঙাক্তনি। অহুনা, মখোয়গী মহুক্তা লৈপাক্ হায়হুনা অমতং অমুক্তং থীবিরগা লোইরে। লৈপাক্, ঈশিং, মৈ, অসুম্না লৈরিবা তত্ত্বশিং অসি কুম্মরিনি। মা অমগী মহুক্তা অমনা শিন্বা য়াদ্রবা, শিন্নীংঙাই লৈত্রবা পোথ অহু তত্ত্ব অমনি। মহৈলাংবা পোৎমথৈ মশীং থীয়ু হায়রগা— সঙ্গোম, চূগী, ঈ, পি, হুমাং, য়ুং… অসুম্না থীরবদি লোইররোই। মখোয়গী মহুক্তা ঈশিং হায়হুনা অমতং থীবিরগা লোইরে। অহুনা ঈশিং হায়বসি তত্ত্ব অমনি। অসুম্না লৈপাক্ ঈশিংনচিংবা… লৈরিবা তত্ত্বসি কুম্মরিনি। কুম্মঙাশুবনা জীবাত্মানি। মখোয়সি নত্তুনা সংসারদা অতোপ্পা করিমতা লৈত্রে। অসুম্না মশীং থীবা শাস্ত্রসি সাংখ্যশাস্ত্র কৌই। মখোয়সিগী মরক্তা পরমাত্মা হায়বা তত্ত্বহু কদায়দা লৈ— হায়বসি থিরক্তদৌরিবনি। কুম্মঙাসিগী মমুংদা য়াওরমদ্রহুনা কুন্তরুকশুবা তত্ত্ব অসি লৈরি হায়রিবসিনি। মাসিবু, পরমার্থতত্ত্ব কৌই। হায়বদি— মঙোন্দগী মখা তানিংঙাই পোৎ অমতা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিদা লৈত্রে হায়বনি। হকচাং (লৈপাক্) অসিবু ঐনি অসুম্না হায়রিবা ঙাওরবা জীব অসিনা পরমার্থতত্ত্ব (পরমাত্মা) মাবুদি থীদহুনা সনা, লুপা, ফি, শল, মগোল, য়োং নুং, হায়না মশীং থীহুনা অহুগা মখোয়সিবু থিহুনতা লৈরি। মশীং থীয়ু হায়রগা লৈপাক্, লৈপাক্, লৈপাক্, লৈপাক্… হায়হুনা হঞ্জিন্ হঞ্জিন্ থীহুনা, থিহুনা লৈরি। মাসি করিদগীনো হায়বদা হকচাং (লৈপাক্) অসিবু ঐনি হায়না থনথিবদগীনি। অহুনা, মূঢ় মুগ্ধ ওইরবা ঙাওরবা জীবনি। অঙাওবা অমা উরগা অঙাওবা হায়না লঙনরিবসি অঙাওবা অমনা অঙাওবা অমবু লঙনবতনি।

(কালাচাঁদ)

ষড়্বিংশেন প্রবুদ্ধেন বুধ্যমানোঽপ্যবুদ্ধিমান্। এতন্নানাত্বমিত্যুক্তং সাংখ্যশ্রুতিনিদর্শনাৎ ॥১৭॥
চেতনেন সমেতস্য পঞ্চবিংশতিকস্য হ। একত্বং বৈ ভবত্যস্য যদা বুদ্ধ্যানবুধ্যতে ॥১৮॥
বুধ্যমানোঽপ্রবুদ্ধেন সমতাং যাতি মৈথিল। সঙ্গধর্ম্মা ভবত্যস্য নিঃসঙ্গাত্মা নরাধিপ ॥১৯॥
নিঃসঙ্গাত্মানমাসাদ্য পঞ্চবিংশকমজং বিভুম্। বিভুস্ত্যজতি চাব্যক্তং যদা ত্বেত বিবুধ্যতে ॥২০॥
চতুর্বিংশমসারং চ ষড়্বিংশস্য প্রবোধনাৎ। এষ হ্যপ্রতিবুদ্ধশ্চ বুধ্যমানশ্চ তেঽনঘ ॥২১॥
প্রোক্তো বুদ্ধশ্চ তত্ত্বেন যথাশ্রুতিনিদর্শনাৎ। নানাত্বৈকত্বমেতাবৎ দ্রষ্টব্যং শাস্ত্রদর্শনাৎ ॥২২॥

ব্রহ্মগী লক্ষণ শোইদনা লাকই। মাসিদা করিস্ু চিংনক্ষম লৈতে ॥১৬॥ জীব অসিনা কুন্তরুকগুবা তত্ত্ব ওইনা লৈরিবা পরমাত্মাগী জ্ঞানগী মংক ওইবা মশেক-মঙাম্না মাগী অকোয়বদা লৈবা জড়বর্গ (মৈ ঈশিংনচিংবা অশিবা কাওবু) সিবু খঙডি। অদুবু পরমাত্মাবু খঙদ উদবদগী অজ্ঞানী ওইদুনা অদুম্ মরৈ। খঙবদা মতম করিস্ু তৌবা ঙমদে। অদুনা, খঙনা খঙনা অজ্ঞানী ওইদুনা অদুম্ মরৈ। হায়রিবা অজ্ঞানসিনা কুন্থিবনা জীবসিনা করিস্ু তৌবা ঙমদে। জীবসিবু ফাজিন্খিবগী থাক্লেংবা কারণদি অজ্ঞান হায়বা অসিতনি, অদুম্না সাংখ্যশাস্ত্রনা চাউরাক্না তাকপ্রে ॥১৭॥

জীব অসিনা বুদ্ধিগী পাৎনা, জড়বর্গশিং অসিগী মথুংদা মাগী অমতা ঙাওদে, মথোয়গা মাগা মন্নী করিমতা লৈতে হায়না হেক্ খঙবা মতম অদুদা নিত্যচেতন ওইদুনা লৈরিবা (জ্ঞানগী মংক ওইদুনা লৈরিবা) পরমাত্মাগা তিন্নখি কুন্মঙাশুবা তত্ত্বনা কুন্তরুকশুবা তত্ত্ব ওইথি ॥ ১৮॥

মিথিলাদেশকী বপু। নিংথৌ! জীবাত্মাসিনা জড়বর্গসিবু মহাক্নি, মহাক্নি হায়না লৌরিবা থল্লিবা অহংকীমথৈ মহাক অশিবাংসিগা অমা ওইদুন অদুম মরৈরে। থাক্লেংবদি মহাক জড়বর্গ অসিদগীদি ঈতোন্ তোঙান্না লৈরিবনি। অদুবু হায়রিবা জড়প্রকৃতি (হকচাং) সিগা তিন্নরুবদগী অশিবগী ধর্ম্মদু মহাক্না লৌইরে। (অদুগুম্বা জীব অদুবুনি নাস্তিকশিংনা হকচাংসিগা নাওনিম্নপ্রে হায়রিবসি) ॥১৯॥

কুন্তরুকশুবা তত্ত্ব পরমাত্মা হায়বসি পোকপা শিবা নাইদবনি, মফম পুম্নমক্তা শীন্থুংনবি লৈরগা— করি অমত্তগা শন্নদনা লৈবনি। মঙোন্দা চঙজরগা, জীবসিনা মাবু সাক্ষাৎকার তৌই। অদুদগীদি পরমাত্মাগী প্রভাবতগী মহাকস্ু সর্ব্বব্যাপী ওই। অদুদগীদি তত্ত্ব কুন্ম রসিবু করিমত্তা কান্নদবনি মচিয়াওদবনি অরেম্বনি হায়না খাঙদুনা মথোংবু মপূংফানা সন্ন্যাস তৌই থাদোকই। (অদুননি,— সাংখ্যযোগবু সন্ন্যাসযোগ হায়রিবসি) ॥২০॥

পাপকী শত্রুক হাৎপ্রবা নিংথৌ! ঐনা নহাক্কী নফমদা কুন্মঙশুবা তত্ত্বনা কুন্তরুকশুবা তত্ত্বগী মশক লৌথিবগী মরমদা অদুগা অপ্রতিবুদ্ধ (ক্ষর), বুধ্যমান (অক্ষর জীবাত্মা) বুদ্ধ (জ্ঞানতগী মশক ওইবা পরমাত্মা) গী মরমদা হায়রবনি ॥২১॥

সাংখ্যশাস্ত্রগী দৃষ্টি (মীৎয়েং) গী মতুংইন্না ঐনা নিংথৌ নঙোন্দা শন্দোক্লা হায়রবনি। জীবাত্মাগী

মশকোডুম্বরে যদ্বদস্তত্বং তদ্বদেতয়োঃ। মৎস্যোদকে যথা তদ্বদন্যত্বমুপলভ্যতে ॥২৩॥
এবমেবাবগন্তব্যং নানাত্বৈকত্বমেতয়োঃ। এতদ্ধি মোক্ষ ইত্যুক্তমব্যক্তজ্ঞানসংহিতম্ ॥২৪॥
পঞ্চবিংশতিকস্যাস্য সোঽয়ং দেহেষু বর্ত্ততে। এষ মোক্ষয়িতব্যেতি প্রাহুরব্যক্তগোচরাৎ ॥২৫।

একতা, অনেকতা (অমুক মথন্তা ভায়বা, অমুক ময়াম ওইবা) গী মরম অসি শাস্ত্রগী নিয়ম বিধি কায়দনা অসুম্ খওহনা থম্‌গদবনি ॥২২॥

হৈবোংগা হৈবোংন্ত্ৰী মনুংদা লৈবা তীলশিংগা লৈনবা মরীদুম্না, হায়বদি হৈবোংদা মাগী মনুংদা লৈরিবা তীলশিংনা করিগুম্বা মরী অমতা থম্‌দনা লৈবদুগুম্না প্রকৃতি (হকচাং) গী মনুংদা জীবসনা, হায়বদি— প্রকৃতিগী মপু পুরুষ অসিনা লৈরিবনি ॥২৩॥

মতৌ অসুম্না পুরুষ প্রকৃতি অনীগী একতা অমদি অনেকাবু মুন্না খওবিবা চুম্মি। অব্যক্ত প্রকৃতিদি মতম পুম্নমক্তা পুরুষদগী তোগ্লাম্না লৈরিবনি। মাসিবু খওলবদি পুরুষ অসি প্রকৃতিগী বন্ধনদগী লায়না মুক্ত ওই। মাসিবুনি মোক্ষ (মুক্তি) হায়রিবসি ॥২৪॥

হকচাং অসিগী মনুংদা অন্তর্য্যামী পুরুষ অমা লৈরি। মহাক অসি অব্যক্ত প্রকৃতিগী বিকার ওইনা লৈরিবা মহত্তত্বশিং অসিদগী লাম্থোক্লনবা, মুক্ত ওইননবা হোৎনকম থোকই। অসুম হায়না জ্ঞানী ওইবশিংনা হায়নৈ ॥২৫॥ *

* প্রকৃতি অসি মখল অনীনি— ব্যক্ত প্রকৃতি হায়বা অমা, অব্যক্ত-প্রকৃতি হায়বা অমা। মৈ ঈশিং নুংশিৎ আকাশ লৈপাক্লচিংবা তত্ত্বশিং অসি মশক উবা, মশক ফোংদোক্না লৈরম্বদগী, হায়বদি—অব্যক্ত ওইনা লৈরম্বদগী মহৎ (অচৌবা মশক উবা) ওইরকই। মতম অদুদা মখোয়সি মহৎতত্ত্ব হায়বদু অদুম্ ওইখ্রে। হকচাং অসি লৈরাক্নি; মশক উবা লৈপাক্লি ; অদুনা মহত্তত্ব অমনি। মতৌ অসুম্না মহৎতত্ব ওইবা মৈ, মহত্তত্ব ওইবা ঈশিং, মহতত্ত্ব ওইবা নুংশিৎ অসুম্ হায়না লৈথ্রিবা অসি পঞ্চমহাভূত হায়নসু কৌই। মখোয় অসি অহান্‌বদা মশক উবা ফংদবমখৈ পীক্লা পরমাণু ওইদুনা লৈরম্মি। জীবদি হায়বদি জীবাত্মাদি অব্যক্তপ্রকৃতিগী মনুংনা মশক উহন্দনা লৈরম্বদুনগী ব্যক্তপ্রকৃতিদা লৈবা ফাওবদা হৌজিক ফাওবদা মশক্ উদ্রি। পীক্লম্বদগী চাউথোরকপা, চাউরম্বদগী পীক্শিল্লক্পা অসিবুনি বিকার হায়রিবা অসি। জীব মহাক্কি বিকারশিং অসিদা য়াওদে, অদুনা নির্বিকারনি হায়নরিবসিনি। মপানুগী মহত্তত্বশিংগী মপৈ হকচাং অসিনা নোম্বা কংবদা, থাংবে-নেম্বদা মহাক করিমতা য়াওদে। মহাক্ মশানা— "ঐ নহা ওইরি, ঐ অহল ওইরে" হায়না হায়জরক্লিবসি অহঙ্কার কৌবা তত্ত্ব অদু জীবসিদা লাকপদগীনি। নির্বিকার ওইবা সবিকার ওইখিবা, মাগা কনামত্তগা তিন্নদে, অদুনা মানা কনাগুম্বা অমদগী কায়নদে। অদুগুম্না অন্তর্য্যামী ওইবা মহাক্না পীক্লবা হকচাংশিংদা পুনশিন্দুনা লৈরিবসি লাম্থোক্লবা হোৎনগদবনি। (কালাচাঁদ)

সোঽয়মেবং বিমুচ্যে নান্যথেতি বিনিশ্চয়ঃ। পরেণ পরধর্ম্মা চ ভবত্যেষ সমেত্য বৈ ॥২৩॥
বিশুদ্ধধর্ম্মা শুদ্ধেন বুদ্ধেন চ সবুদ্ধিমান্। বিমুক্তধর্ম্মা মুক্তেন সমেত্য পুরুষর্ষভ ॥২৭॥
বিযোগধর্ম্মিণা চৈব বিযুক্তাত্মা ভবত্যথ। বিমোক্ষিণা বিমোক্ষশ্চ সমেত্যেহ তথা ভবেৎ ॥২৮॥
শুচিকর্ম্মা শুচিশ্চৈব ভবত্যমিতদীপ্তিমান্। বিমলাত্মা চ ভবতি সমেত্য বিমলাত্মনা ॥২৯॥
কেবলাত্মা তথা চৈব কেবলেন সমেত্য বৈ। স্বতন্ত্রশ্চ স্বতন্ত্রেনস্বতন্ত্রত্বমবাপ্নুতে ॥৩০॥

এতাবদেতৎ কথিতং ময়া তে তথ্যং মহারাজ যথার্থতত্ত্বম্।
অমৎসরস্ত্বং পরিগৃহ্য চার্থং সনাতনং ব্রহ্ম বিশুদ্ধমাদ্যম্ ॥৩১॥
ন দেয়মেতচ্চ তথানুপাত্মনে শঠায় ক্লীবায় ন জিহ্মবুদ্ধয়ে।

হায়রিবা জীবাত্মাসিনা প্রাকৃতিক দেহসিদগী লাম্নেক্লকদবসি মথক্তা হায়খ্রিবা সাংখ্যতত্ত্বগী নিয়ম অহু-ত্তুম্না ভমগৎলৌরিবনি; অসুম্ হায়না বিদ্বান্‌শিংনা লেপ্পপ্রবনি। জীব অসিগী ফত্তবা হায়ববু মাগা তিন্নতিন্নরুরিবহুগী ধর্ম্মহু মাসু হেক্ হেক্ পাম্মি লৌই। মাগী পঙথবা হায়ববু লৌরিবা ধর্ম্মদুগা মাগা মরী করিমত্তা লৈনদে হায়বসি খঙদবা অসিত্তনি ॥২৬॥

নিপা অথোইবা! নিংথৌ! জীবাত্মা অসি শুদ্ধ ওইবা অশেংবা পুরুষগা তিন্নরুরগা মহাকসু অচুম্বা ধর্ম্মচৎপা জীব অমা ওই। জ্ঞানী ওইবা পুরুষগা তিন্নরগা মহাকসু জ্ঞানী ওই। মুক্ত ওইখ্রবশিংগা তিন্নরগা মহাকসু মুক্ত ওইখ্রবশিংগী লক্ষণ (খুদম — শাজং) অহু পুরক্ই ॥২৭॥

প্রকৃতি মায়াগী সম্বন্ধ থমদ্রবা, মায়াদগী হন্দোকপ্রবা মীগা তিন্নরগা তিন্নররিবা মহাক অহুসু বিমুক্তাত্মা অমা ওইরকই। হায়বদি— মায়াদগী লাম্নেক্প্রবা মীশক অমা ওইরকই। মোক্ষধর্ম্ম চেল্লবা মীগা সঙ্গ তৌরগা মোক্ষ (অন্নান্বা খুভম্) বু ফংঙি ॥ ২৮॥

আচার বিচারদা য়াম্না শুদ্ধ ওইরবা, শেংলবা, অশেংঅমাং য়াম্না খায়বা মীগা তিন্নরগা তিন্নরুরিবা জীব মহাকসু, লমচৎ অহু তম্মক্ই, থম্মোয় শেংবা মী অমা ওইরকই। থম্মোয় শেংবা মীশকা তিন্নরগা মহাকসু থম্মোয় শেংবা মীশক অম ওইরকই। তেজ লৈবা মী তিন্নরগা তিন্নরুরিবা মহাকসু তেজস্বী (তেজ লৈবা মী) ওইরকই ॥২৯॥

মহাক্ত্বা অনীশুদ্রবা, মথত্তা ভায়রবা পরমাত্মাগা মরী লৈনরবা, হায়বদি— পরমাত্মাদা সম্বন্ধ থম্লবা পুরুষ (মী) মহাক অহুদি পরমাত্মাগী রূপ (মশক) অহু ফংঙি, হায়বদি পরমাত্মাবু ফংঙি। স্বতন্ত্র (মনীং মথা তত্রা) পরমাত্মাগা সম্বন্ধ থম্নগা স্বতন্ত্রতাবু ফংঙি ॥৩০॥

মহারাজ! ঐনা পুক্নীংদা কল্লক য়েংথিবা নাপলগী ভাব করিমত্তা য়াওদনা, নিংথৌ নহাক্কী নশাগী কান্নবহু খঙহনবা, নুংশিবগা লোয়ননা, শেংলবা সনাতন ওইরবা, খ্বাইগী ঈগান্ হান্‌বা, সত্যস্বরূপ ওইবা ব্রহ্মগী তত্ত্ব নঙোন্দ লৌরবনি ॥৩১॥ নিংথৌ! বেদদা শ্রদ্ধা লৈতবা, বেদগী রাবু থাজদবা অহুগুম্বা মীগী

ন পণ্ডিতজ্ঞানপরোপতাপিনে দেয়ং তু দেয়ং চ নিবোধয়াদৃশে ॥৩৩॥
শ্রদ্ধান্বিতয়াথ গুণান্বিতায় পরাপবাদাৎ বিরতায় নিত্যম্
বিশুদ্ধযোগায় বুধায় নিত্যং ক্রিয়াবতে চ ক্ষমিনে হিতায় ॥৩৪॥
বিবিক্তশীলস্য বিধিপ্রিয়ায় বিবাদহীনায় বহুশ্রুতায়
বিজানতে চৈব ন চাহিতক্ষমে দমে চ শক্তায় শমে চ দেয়ম্ ॥৩৫॥
এতৈস্তু গুণৈর্হীনতমে ন দেয়মেতৎ পরংব্রহ্ম বিশুদ্ধমাহুঃ।
ন শ্রেয়সা যোক্ষ্যতি তাদৃশেকৃতং ধর্ম্মপ্রবক্তারমপাত্র দানাৎ ॥৩৬॥
পৃথ্বীমিমাং যদ্যপি রত্নপূর্ণাং দদ্যান্নদেয়ং ত্বিদমব্রতায়।
জিতেন্দ্রিয়ায়ৈতদসংশয়ং তে ভবেৎ প্রদেয়ং পরমং নরেন্দ্র ॥৩৭॥
করাল মা তে ভয়মস্তু কিঞ্চিদেতৎ শ্রুতং ব্রহ্ম পরংত্বয়াদ্য।
যথাবদুক্তং পরমং পবিত্রং বিশোকমত্যন্তমনাদিমধ্যম্ ॥৩৮॥

মফমদা অসিগুম্বা শেংলবা জ্ঞানগী পাউতাক্পু থক্ পীরোইদৌবনি, তাহল্লোইদৌবনি। মশানা য়াম্না খঙ-নীংবা জিজ্ঞাসু শিষ্য (খঙজনীংবা শিষ্য) ওইরবা, তাক্পীয়ু হায়না চঙজররুবা অদুগুম্বা মীদা অসিগুম্বা জ্ঞান অনি তম্বা তাবগী অধিকার লৈ ॥৩ ॥

মিথ্যাবাদী ওইবা মরৈ-মরা চাউবা, পুক্চেল্ পীক্পা, নম্থাক্ লৌনম্ তৌবা, মশাবু পণ্ডিতনি খঙবা, মীঙোন্দা অরাবা পীরগদা মুংঙাইজবা, অদুগুম্বা মীশক্তা আধ্যাত্মিক ওইবা পাউতাক্ অমদি জ্ঞান অসে থক্ পীরোইদৌবনি। করম্ করম্বা মীশক্তা জ্ঞান অসি পীকম থোক্পগে হায়বা অংস্থু হায়গে তাও ॥৩৩॥

ভক্তি শ্রদ্ধা য়াম্না চেনবা, মগুণ লৈবা, অতোপ্পবু নিন্দা থক্ তৌগন্দবা, মপুক্নীং শেংবা যোগী, শাস্ত্র জ্ঞান লৈবা বিদ্বান্, শাস্ত্রনা তাক্লিবা নিয়ম বিধিগী মতুংইন্না কর্ম্ম তৌবা, খাঙহৈবা, কন্থিহৈবা, জীব পুন্নমক্কী অফবতা খন্‌বা, তুমিন্ন মখন্তা লৈগন্‌বা, শাস্ত্রগী বাবু ঈকায় খুম্নবা লৌবা, মীগী খংন চৈনবা লৈতবা, য়াম্না উশিন্‌বা, য়াম্না শিংবা, কনা অমতগী ফত্তবা অমতা তৌদবা, ইন্দ্রিয় খুদুম্ চন্‌বা, পুক্নীং ফাজিন্‌বা ওম্‌বা, অসিগুম্বা মীশক্কদা জ্ঞানগী উপদেশ (পাউতাক্) অসি পীগদবনি ।৩৪—৩৫॥

হায়রিবা গুণশিং অসিদগী অমা ফাওবা য়াওখিদ্রবা, মহাক অদুগী মফমদা জ্ঞানগী পাউতাক্ অসি থক্ পীরোইদৌবনি। হায়রিবা আধ্যাত্মিক জ্ঞান অসিমক্ পরব্রহ্ম পরমাত্মাগী মশক্নি। গুণশিং অদু লৈতবা মীশকশিং অদুগী মফমদদি পাউতাক্‌শিং অসিনা মখোয়দা কান্নবা থক্ পীরোই। মতীক্চাদবা, সৎপাত্র ওইদবা মীদা পাউতাক্ পীরুবা মহাকস্মু জীব উপকার তৌবগী মহৈনচিংবা থক্ ফংলোই ॥৩৬॥

নিংথৌ! হৌজিক হায়খ্রিবা ব্রত-নিয়মশিং অসি পালন তৌদ্রবদি, হায়বদি— নিয়মশিং অসিবু ঙাক্-ত্রবদি, ঙাক্ত্রিবা মহাক্ অহুনা মণি-মুক্তা রত্ন কয়ানা পৃথিবী মপুম অসিমা পীরবস্মু মঙোন্দা জ্ঞানগী পাউতাক্

অগাধ জন্মমরণং রাজন্ নিরাময়ং বীতভয়ং শিবম্ চ।
সমীক্ষ্যমোহং ত্যজ বাদ্য সর্ব্বজ্ঞানস্য তত্ত্বার্থমিদং বিদিত্বা ॥৩৯॥
অবাপ্তমেতদ্ধি ময়া সনাতনাদ্ধিরণ্যগর্ভাৎ গদতো নরাধিপ।
প্রসাদ্য যত্নেন তমুগ্রচেতসং সনাতনং ব্রহ্ম যথাদ্য বৈ ত্বয়া ॥৪০॥
পৃষ্টস্ত্বয়া চাস্মি যথানরেন্দ্র যথা ময়েদং ত্বয়ি চোক্তমদ্য।
তথাবাপ্তং ব্রহ্মণো মে নরেন্দ্র মহাজ্ঞানং মোক্ষবিদাং পরায়ণম্ ॥৪১॥

ভীষ্ম উবাচ।

এতদুক্তং পরংব্রহ্ম যস্মান্নাবর্ত্ততে পুনঃ। পঞ্চবিংশো মহারাজ পরমর্ষি নিদর্শনাৎ ॥৪২॥
পুনরাবৃত্তিমাপ্নোতি পরংজ্ঞানমবাপ্য চ। নাববুধ্যতি তত্ত্বেন বুধ্যমানোঽজরামরম্ ॥৪৩॥

অসি পীবা হৌনদে। অদুনা, ইন্দ্রিয় খুদুম্ চন্‌ব', ভক্তি শ্রদ্ধা লৈবা মীতদা জ্ঞান-উপদেশ অসে পীগদবনি। নিংথৌ! নহাক্না ঙসি ঐগী ঈকমদগী পরব্রহ্ম পরমাত্মাগী জ্ঞান অসে খরা তারে। অদুনা, নহাক্কী পুক্নীংদা করিগুম্বা বিষয় অমগী অকিবদো থক্ থম্মরোইদৌবনি। পরব্রহ্ম পরমাত্মা মহাক্তি মমুং মপান্ পুম্নং লংলবা অরাবা অকিবদগী অা বাংমদা লৈত্রবা, অহৌবা ময়ায় অরোইবা লৈতব', পোক্‌পা শিবগী লাংদগী লাম্থোকপি ঙম্বা, অকি-অথং লৈতবা, অরা-অনা লৈতবা মহামঙ্গলগী মশক্তি। নিংথৌ! মাসিগী মরমসি ঐনা নঙোন্দা লোইনা তেংনা হায়রবনি। ঐনা, নিংথৌ! নঙোন্দা তাকথ্রিবা সাংখ্যজ্ঞান অসে হেক্ লৈরিবা জ্ঞান পুম্নমক্কী মচংনি। অদুনা তাকথ্রিবা জ্ঞান অসিগী মতুংইন্না কর্ম্ম তৌদুনা অকিবা শুদ্ধাংপা পুম্বা থাদোক্‌লো ॥৩৭—৩৯॥

নিংথৌ! ঙসি নহাক্না সনাতন ব্রহ্মজ্ঞানবু ঐঙোন্দগী ফংথ্রবসিগুম্না ঐস্থ হিরণ্যগর্ভ স্বয়ম্ভু ব্রহ্মাগী মফমদগী য়াম্না রানা তাঙনা ফংজখিবনি ॥৪০॥

নিংথৌ! নহাক্না হংখিবদুগী মতুংইন্না ঐনা জ্ঞানগী উপদেশ (পাউতাক্) অসি পীরবনি। নহাক্না ঙসি হংখিবসিগুম্না ঐনস্থ ব্রহ্মাগী মফমদা হংদুবদা ব্রহ্মাগী মচীন্নক্তদগী অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা জ্ঞানগী পাউতাক্ অসি ঐনা ফংখিবনি। মাসি মোক্ষযোগীশিংগী, হায়বদি— অরানুবা খুভম্ পাম্বা যোগীশিংগী চঙজফম্‌নি ॥৪১॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মহর্ষি বসিষ্ঠনা জনক নিংথৌদা তাকখিবদু ঈকায় কায়দনা ঐনস্থ নহাক্কী নফমদা হায়রবসিনি। তাক্লিবসিগী মতুংইন্না থবক তৌরবা, রাথল খল্লিবা মী মহাক অদুদি— পোক্‌পা শিবগী সংসারসিদা অমুক্ হল্লকৃত্রে।

অসিগুম্বা অপোইবা মমল য়াম্লবা জ্ঞান অসিবু গুরুগী মফমদগী ফংলগা মাদুগী মতুংইন্না থবক তৌরবা, পাউতাক্‌শিং অসিমক্ জ্ঞান তানা লৌরবা মহাক অদুদি সংসারদা অবাগমন ফংডি। হায়বদি—

এতন্নিঃশ্রেয়সকরং জ্ঞানং তে পরমং ময়া। কথিতং তত্ত্বজস্তাত শ্রুত্বা দেবর্ষিতো নৃপঃ ॥৪৪॥
হিরণ্যগর্ভাদৃষিণা বসিষ্ঠেন মহাত্মনা। বসিষ্ঠাদৃষিশার্দূলান্নারদোঽবাপ্তবানিদম্ ॥৪৫॥
নারদাৎ বিদিতং মহ্যমেতৎ ব্রহ্মসনাতনম্। মা শুচঃ কৌরবশ্রেষ্ঠং শ্রুত্বৈতৎ পরমং পদম্ ॥৪৬॥
যেন ক্ষরাক্ষরে বিত্তে ভয়ং তস্য ন বিদ্যতে। বিদ্যতে তু ভয়ং তস্য যো নৈতদ্বেত্তি পার্থিব ॥৪৭॥
অবিজ্ঞানাচ্চ মূঢ়াত্মা পুনঃ পুনরুপাদ্রবৎ। প্রেত্য জাতিসহস্রাণি মরণান্তান্যুপাশ্নুতে ॥৪৮॥
দেবলোকং তথা তির্য্যঙ্মনুষ্যমপি চাশ্নুতে। যদি শুধ্যতি কালেন তস্মাদজ্ঞানসাগরাৎ ॥৪৯॥

অমুক্ পোক্ অমুক শি তৌতুনা হঙৎ হন্দা চংতুনা লৈগনি ॥৪৩॥ ঈবুঙো, নিংথৌ। ঐনা মমল য়াম্লবা জ্ঞানগী পাওতাক্শিং অসে দেবর্ষি নারদগী মচীন্দগী তাখিবনি। মাদু ঐনা ঈকায় কায়দনা নঙোন্দা অমুক তাহল্লবনি ॥৪৪॥

ব্রহ্মাদগী মহর্ষি বসিষ্ঠনা জ্ঞান অসে ফংখিবনি। বসিষ্ঠদগী নারদনা জ্ঞান অসি তাখিবনি। অদু-দগী ঐনা অমুক্ নারদগী মচীন্দগী তাখিবনি। অসুম্না গুরু পরম্পরাদগী মথং মথং তানরক্লবা সনাতন ওইবা জ্ঞানগী শরুক্নি। কৌরবনিংথৌ। জ্ঞান অসে তাইবংমীগী জ্ঞানগী অরোইবা খুদম্নি। মাসি তারবা তুং অসিদদি নহাক্ অরাবা ৎিনবা পুম্বা থাদোক্লো ॥৪৫—৪৬॥

পৃথ্বীগী মপু। নিংথৌ। ক্ষর অক্ষরগী রা অসিবু চনীং তানা তত্ত্ব খঙনা তারবা, অদুগা লৌরবা মী অদুদি মঙোন্দা করিগুম্বা হীরম অমগী অকিবা চিংনবা লৈররোই। মাসিবু তাদ্রিবা মহাক্কীদি হল্লুবদা কিফমৃগী কিকম মক্কনি ॥৪৭॥

অপঙবশিংনা জ্ঞানগত্র অসিবু খঙদবা মরমদগী সংসার অসিদা হল্লা হল্লা লাকনি, হল্লা হল্লা চংশিগনি। খ্বাইদগী অকিবা অরুবনা করিনো হুঁগবদা— তাইবংমী ওইনা চংপ্রবনিনা তাইবমী ওইনা জীবসিনা— তাইবংমীগী হকচাং পুদনা লাকনি হায়নীংঙায় লৈতে। তৌরম্ তৌরম্বা সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক কর্ম্মশিং অদুগী মতুংইন্না যোনি (পোক্ফম্) লিশিং লিশিং, লখা লখাদা চঙচক্কুনা পোক্লমগনি ॥৪৮॥ *

অমুক্ পোক্পা, অমুক্ শিবগী লাংদ. তাব তারবদা জীব অসি লাই, তাইবংমী, শা উচেক্নচিংবগী মপোক্ জাৎ কল্লা কয়াদা কোয়চঙ চঙদুনা অদুম্ মরৈথগদবনি। অদুনা, চহী যুগ কয়াগী মতুংদা, অকবা কর্ম্মনা শেংদোক্লক্লবা মতুংদা, অজ্ঞানগী মশক ওইরব ঈপাক্তগী লাম্থোরকুনা, মহামজলগী মশক ওইরবা

* "অসুম্না তৌরক্লিবা জীব ঐগী ঈপোক্ ওইরেকে।" হায়না খঙবা, খল্লিবসিমক্স্ত জীবসিনা মানবদেহ (তাইবংমীগী হকচাং) দা চঙভক্লিভৈদা তাপ্পা অসি ফংবনি। অসিদগী তীল্ কাঙগী মপোক্তা চঙবা হৌরবদি— যুগ লিশিং লিশিং কয়া অমুক কাউপ্রগদবনি। অদুনা, ভগবদগীতাদা হায়রিবদুনি,— "স কালেনেহ মহতা যোগনষ্টঃ পরন্তপ।" হাংবদি— ঐনা ঙসি নঙোন্দা অমুক হায়রিবা যোগ অসে - যুগ লিশিং কয়া মাঙঙুরবনি। (কালাচাঁদ)

অজ্ঞানসাগরো ঘোরো হ্যব্যক্তোঽগাধ উচ্যতে। অহন্যহনি মজ্জন্তি যত্র ভূতানি ভারত ॥৫০॥

মপোক্তা অমদি পরমধাম (অথোইবা থুভম্) চঙখিগদৌরিবনি ॥ ৯॥ ভরতশ গৈদা পোকপা নিংথৌ। অজ্ঞানগী মশক ওইরবা ঈপাকসিদি অব্যক্ত (মশক মওং নাইনা ফোঙদোকপা নত্তবা) নি। চাংজৌ নাইদবনি, মগা অকিবগী মশক্নি * মাসিদা মশীং লাকণ্ডমদ্রবা অচচ্চত্ত জীব কয়া কয়ানা লুপ্পুনা লৈরি ॥৫০॥

* হৌজিক হৌজিক জীব অসিনা চঙলক্লিবা হকচাংশিং অসিগী তোঙান্ তোঙানবা মপান্গী দেহগী মশক মওংশিং অসিনা জীব মগাকী চপ্চানা ফোঙদোকপা মওং ওইবা নত্তে। জীব মহাক্তি পীকপা চাউবা লৈবা নত্তে; য়াংবা নেম্বা লৈতবনি। অদুনা মপান্গী কুয়োমগী ফোঙদোক্লিবা মওংশিং অসিনা জীবগী ফোঙদোকপা মওংনি হায়বা য়াদে। অদুনা অবাক্তনি। শা-শলগী, শা উচেকী দেহদা চঙদুনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা জীব অসিমক্না— "ঐ হৌজিক উচেকী হকচাংদা চঙদুনা লৈরি; উচেক্কী মপোকৃত্তা পোক্লরে।" হায়বসি মহাক খঙদে। খঙলবস্থ তাইবংমীগী হকচাংদা চঙদুনা লৈরিবা জীব অসিনা "ঐ তাইবংমীগী হকচাংদা চঙদুনা লৈরি।" হায়না হায়বা, খন্বা ঙম্বসিগুম্না মহাক (শা উচেক) না হায়বা হায়বা ঙমদে। মখোয়দি লায়রদুনা তাইবংমীগী মশক মওংসিবু ঐনি হায়না, অদুগা ঐগীনি হায়না খল্লিবা, খঙলিবসিমকস্থ অরান্বনি। মরম অসিনা জীবগী ফোঙদোকপা (ব্যক্ত ওইবা) মওংদি খক্ লৈতে। চাংজৌ নাইদবা হায়বগী অর্থনা,— হৌজিক হৌজিক উচেকী হকচাংমুংদা লৈরিবা জীব (জীবাত্মা) অসিনা তাইবং মীওইবগী হকচাংদা করম্বা মতমদা চঙবা ফংঙক্কদগে হায়বদি ঙমখৈ লৈতবা য়াকম্নি। কাথৎলকপা ঈঙম্ ঙমদনা, চাংজৌ লাম্বা ঈফং ফংদনা অদুম তোঙথিবস্থ য়াই। তাইবংমীগী হকচাংদা চঙঙক্রম্বা কনা কনাগুম্বা জীবনা— অফবা সঙ্গনা অফবা কর্ম্ম তৌরম্লগা, তৌরম্লিবা কর্ম্মদুগী মতৈনা শজী-শঙাইগী মপোক্ত চঙঙুরবস্থ— "ঐ অমুক শজীগী হকচাংদা চঙঙক্লুনা, শজী ওইনা পোক্লরেন।" হায়না খঙবা জাতিস্মর ওইবা শজী কয়া য়াওরি। খঙলিবথমক্ তাইবংমীগী হকচাংদা চঙলম্বগী, অফব কর্ম্ম তৌরম্বগী সংস্কারদগীনি। অদুনা, তাইবংমীগী নপোকপু অতাঙবনি হায়রিবসিনি। পুন্শিগী মতম অয়াম্বা যাগ যজ্ঞ তপস্যা তৌরকলবস্থ তৌরিবা মী মহাক অদুগী আত্মাদুনা, বরিগুম্বা ঘটনা ঙমদগী শিরম্দাইগী মতমদা, অদুপ কুইনা তৌরকপা দান ধর্ম্ম অফবা য়াথল পুন্নমক্ত পুমথা থাদোকখিদুনা, পুম্কাউ কাউখিদুনা— মাগী হূই অমগী মখন্দা লুপখিদুনা, তাইবংমীগী দেহদগী হূইদুগী দেহদা চঙদুনা, হায়বদি— হূই অদুগী হকচাংগী অব্যক্ত ওইবা মওং অদুদা চঙদুনা, আত্মা অদুনা অন্তকালদা তাইবংমীগী হকচাং অদুদগী থোক্প্রগা অব্যক্ত ওইবা, মশক মওং উবা ফংদবা পীক্লবা হূইগী ভাবময় দেহদা আত্ম অদুনা থুদক্তা চঙদুনা মহত্তত্বনা শাবা হূইগী হকচাংদা, হায়বদি— হূইগী মপোক্তা অদুম পোকুরে। অসিনি, অকিবগী মশক ওইবা হায়বদি। য়ুম দগী থোরক্পদা ফনা য়াম্না নাম্ন থোরক্লবস্থ, মফম অদু হৌরমদাইদা লৈখোম্-লৈনাং তৈদুনা চঙঙুরবদি ঙসাইগী লুন-নাম্ন লাকপদু শীংথানক্লবা য়াত্রে। মহাক্ য়াম্না মোংনা লৈখোম্-লৈনাং তৈদুনা লাকই, হায়না

যস্মাদগাধাদব্যক্তাদুত্তীর্ণস্ত্বং সনাতনাৎ।　তস্মাত্ত্বং বিরজাশ্চৈব বিতমস্কশ্চ পার্থিব ॥৫১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি বসিষ্ঠ-করাল-জনক-সংবাদে ত্র্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৩॥

——:(৮):——

নিংথৌ। নহাক্না ঐনা হায়রিবা তাক্লিবা পাউতাক্শিং অসি কংলবা তুং অসিদদি নহাকসু মশক্ মওং ফোঙদোক্কবা, চাংজৌ ওম্থৈ নাইত্রবা, চেম্বরকপা ঈচেলগী মশক ওইবা সংসার ঈপাক্ অসিদগী—লাম্থোক্লক্লবনি। মরম অসিনা হৌজিক্তি নহাক রজোগুণ তমোগুণদগীসু লাম্থোক্লবনি। নশাদা রজোগুণ তমোগুণ অনীমক্ য়াওত্রবনি ॥৫১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, বসিষ্ঠ-করাল জনক-সংবাদদা চহুমগাঅহুম্গুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৩॥

——:(৮):——

অহুম্ মরোমগনি। মাসিনি— সত্ত্ব, রজ, তম, হায়বা গুণ অহুম্গী সংমিশ্রণ অসি। সত্ত্বনা রজোগুণদা লোইশিন্খিবা, রজোগুণনা সত্ত্বদা নত্রগা তমোগুণদা লোইশিন্খিবা, অসিনচিংবা অহুমা য়াম্থোক্ য়ান্শিন্ তৌরিবসি মশীংথীবা-লাক্পা ওয়া নত্তে। অদুনা গীতাদা অহুম মহায়রি,— 'য়ং য়ং বাপি স্মরন্ ভাবং" অসিনচিংবা। নিংথৌগী মচাদি ওইরগ মমীৎ তাওনা পোক্লি। দৈত্য— হিংচাবগী মচাদি ওইরগা মহা-কবি মহাভক্ত ওইবা য়ওরি। মাসি গুণ অহুমগী অন্তকালদা ওইত্রিবা সংমিশ্রণগী প্রত্যক্ষ প্রমাণ ওইবা খুদম্ অমনি। অমুক য়াম্না ভীমনা যুধিষ্ঠিরদা তাক্লিবসিগী অশংবা অর্থদি— শাগৈ-নাতৈশিং অদুনা যুধিষ্ঠিরগী মখুত্তা শিননবা মশা মশানা শীঙ্গরকপনি। মাদু থোক্লনবা কর্ম্মদুসু যুধিষ্ঠিরনসু অহুম্ মপাংগল্নখিবনি, অসিভনি।　　(কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

চতুরধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জনক-বংশগী বসুমানদা মুনি অমনা তাকৃখিবা)

চহুমগামরিশুবা অধ্যায়

——:(+):——

ভীষ্ম উবাচ।

মৃগয়াং বিচরন্ কশ্চিৎ বিজনে জনকাত্মজঃ। বনে দদর্শ বিপ্রেন্দ্রমৃষিম্বংশধরং ভৃগোঃ ॥১॥

উপাসীনমুপাসীনঃ প্রণম্য শিরসা মুনিম্। পশ্চাদনুমতস্তেন পপ্রচ্ছ বসুমানিদম ॥২॥

ভগবন্ কিমিদং শ্রেয়ঃ প্রেত্যচাপীহবা ভবেৎ। পুরুষস্যাধ্রুবদেহে কামস্থ বশবর্ত্তিনঃ ॥৩॥

সংকৃত্য পরিপৃষ্টঃসন্ সুমহাত্মা মহাতপা। নিজগাদ ততস্তস্মৈ শ্রেয়স্করমিদং বচঃ ॥৪॥

ঋষিরুবাচ।

মনসোঽপ্রতিকূলানি প্রেত্য চেহ চ বাঞ্ছসি। ভূতানাং প্রতিকূলেভ্যো নিবর্ত্তস্ব জিতেন্দ্রিয়ঃ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! মমাংঙৈগী য়ানি। জনকনিংথৌগী বংশদা পোক্পা কনাগুম্বা রাজকুমার অমনা বনদা শিকার তৌগে হায়বগী দমক, মাচীক্-মীরাওখেন্ তাত্রবা শূক্লনা বন অমদা চংলম্মি। মহাক্না অস্তুম্ কঙ্গৎ হন্দা চংতুনা লৈবা মতম অদুগী ভৃগুবংশগী মুনি অমা মথন্তা তুমিন্না ফমদুনা ধ্যান তৌদুনা লৈবা অদু উবে ॥১॥

নিংথৌমচানা তুমিন্না চঙশিন্দুনা মুনি অদুদা য়াম্না ভৌথিনা মথুং লোন্নুনা মকোক্ নোম্না খুরুমদুনা মুনি অদুগী নাক্ত ফমথে। নিংথৌমচা অসি বসুমান্ কৌই। ওহাক্তুং তুমিন্না ফমলগা, "করিগুম্বা অমতং হঙ্গচবা য়াগদ্রা?" হায়না য়াথং পৌরগা অস্তুম্না তপা হংলকই ॥২॥

ভগবন্! মীকুপ অমগী মতুংদা, খুদক্তা কায়দুনা মচেৎ মচেৎ তানা তাদুনা লৈহৌগদবা হকচাং অসিদা লৈরিবা পুরুষ (জীব) অসিনা থুনা য়াংনা ভৌহৌগদবা, ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইগদৌবা থবক অসি করিনো? ॥৩॥ হঙ্গদবমক্ ওইবা য়াংং অমবু য়াম্না নোমুক্না, মবুক্তেল পোয়দনা হংজকপা অসিদা মহাত্মা ওইরবা মহাতপস্বী অদুনা অস্তুম্না হায়রকই— ॥৪॥ রাজকুমার! ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইবনু পায়বদি জীবপানবা পুম্নমক্কী মকমদা প্রাতিকূল ওইদবা লদচৎ অদু চংলু। হায়বদি—

ধর্ম্মঃ সতাং হিতঃ পুংসাং ধর্ম্মশ্চৈবাশ্রয়ঃ সতাম্। ধর্ম্মাল্লোকাস্ত্রয়স্তাত প্রবৃত্তাঃ সচরাচরাঃ ॥৬॥
স্বাদু কামুক কামানাং বৈতৃষ্ণ্যং কিং ন গচ্ছসি। মধু পশ্যসি দুর্বুদ্ধে প্রপাতং নানুপশ্যসি ॥৭॥
যথা জ্ঞানে পরিচয়ঃ কর্ত্তব্যস্তৎফলার্থিনা। তথা ধর্ম্মে পরিচয়ঃ কর্ত্তব্যস্তৎফলার্থিনা ॥৮॥
অসতা ধর্ম্মকামেন বিশুদ্ধং কর্ম্ম দুষ্করম্। স বাতু ধর্ম্ম কামেন সুকরং দুষ্করম্ ॥৯॥
বনে গ্রাম্যসুখাচারো যথা গ্রাম্যস্তথৈব সঃ। গ্রামে বনসুখাচারো যথা বনচরস্তথা ॥১০॥

নহাক্না চংলিবা তৌরিবা, আচরণ-ব্যবহার অদুনা অচচ্চত্ত জীবপান্‌বা কনাগুম্বা অমগী লমচৎ শাজৎকী বিরুদ্ধ ওইদবা অদুগুম্বা লমচং অদু নহাক চংলু ॥৫॥

নিংথৌমচা। অচচ্চত্ত জীবপান্‌বা পুন্নমক অসে ধর্ম্ম অমত্তনা কাজিন্দুনা লৈরিবনি। ধর্ম্ম অদুত্তনা জীবপান্‌বা পুন্নমকী আশ্রয় ওইদুনা লৈরিবনি। অচচ্চত্ত থরায়পান্‌বা খুদিংমক্ ধর্ম্ম অমত্তদগী পোকখিবা মক্তনি ॥৬॥

মপান্‌গী বিষয়ভোগ অদুদা পামজবা পঙজবা তাইবংমী! অপান্দগী ঈখৌ লাংবদু হৌজিক কাওবা ভোক্‌ত্রিবা করিগীনো? বাংনবা উথক্কা য়াল্লিবা খোইহীনা থল্লবা খোইয়া অদুত মউথা, কাখৎপগী রাখল্ত মতৌবা, উথক্কগী তারক্লুনা থুদক্কা পুন্‌শি লোইশিন্‌খিগদৌরিবদুগীদি ঈথন্ খন্দবা। ॥৭॥ *

কংনিং কংনিংলিবা জ্ঞান নত্রগা পোৎশক অদুগী পরিচয়, অদুগা মাদু ফংলগা কংলিবা জ্ঞান নত্রগা পোৎ অদুনা মহৈ অদুগী পরিচয় হান্না থগুকম— লৌকম থোকই। হায়বদি— মাদুগী মশক মুন্না থগুকম্ থোকই। মতৌ অদুগুম্না, পামদুনা চৎসুরিবা, চৎনীঙঙুরিবা ধর্ম্মগী পরিচয় অদু মুন্না থগুকম্ থোক্‌ই। মশক মুন্না থগুত্রিবৈদা চৎনরুবা পামরুবা ধর্ম্ম ওাক্তনি ॥৮॥

মবুক্ ফত্তবা মবুক্‌চেল পীক্‌পা ফত্তবা মীনা ধর্ম্মগী আচরণ তৌরুরবসু, ধর্ম্মগী থবক তৌরুরবসু— তৌরুরিবা ধর্ম্মদুগী পাম্বেনা মক্নাক্না অফবা থবক অমবুদি পাঙথোকপদা য়ানা থোকনি। অফবা মীনা ধর্ম্মগী থবক অমা অনুষ্ঠান তৌনিংলবদি, হায়রবদি— পায়খৎনীলবদি পায়খৎকদৌরিবা থবক অদুনা খুত্তদগী কুবা, শাথিরবা থবক ওইরবসু মাদু নহাক্না পাঙথোকপা য়াম্না লায়না থোকনি ॥৯॥

মীচীক্ মীয়াউখোল তাত্রবা বমদা লৈরগা নগর (সহর) গী গ্রামগী বিষয়ভোগ অদুবু কংদুনা চাদুনা লৈরবদি মহাক অদু বনবাসী বকে নাগরিকনি নগরবাসীনি, গ্রামীননি— গ্রামবাসীনি। নগরদা লৈরবসু বনগী উহৈ-রাহৈ চাদুনা মুনিগুম লৈরবদি মহাক অদু নগরবাসী নত্তে; বনবাসীনি। বনবাসী মুনিশিংগী শীংথানরকপদা মহাক য়াওগনি ॥১০॥

---

* মীকুপ খুদিং মথং মথং লাক্লিবা অসি মীকুপ অমমমদুগী মমুংদা— পুন্‌শি অসি লোইশিন্‌বা য়ানা লৈরম্বা লৈরিবা মক্তনি। (কালাচাঁদ)

মনোবাক্কায়িকে ধর্ম্মে কুরু শ্রদ্ধাং সমাহিতং। নিবৃত্তৌ বা প্রবৃত্তৌ বা সম্প্রধার্য গুণাগুণান্ ॥১১॥
নিত্যং চ বহু দাতব্যং সাধুভ্যশ্চানসূয়তা। প্রার্থিতং ব্রতশৌচাভ্যাং সংকৃতং দেশকালয়োঃ ॥১২॥
শুভেনবিধিনালব্ধমর্হায় প্রতিপাদয়েৎ। ক্রোধমুৎসৃজ্য দত্বাচ্চ নানুতপ্যেন্ন কীর্ত্তয়েৎ ॥১৩॥
অনৃশংসঃ শুচির্দ্দান্তঃ সত্যবাগার্জবে স্থিতঃ। যোনিকর্ম্মবিশুদ্ধশ্চ পাত্রং স্যাৎ বেদবিৎ দ্বিজঃ ॥১৪॥
সংকৃতা চৈকপত্নী চ জাত্যা যোনিরিহেষ্যতে। ঋগ্‌যজুঃসামগো বিদ্বান্ ষট্‌কর্ম্মা পাত্রমুচ্যতে ॥১৫॥
স এব ধর্ম্মঃ সোঽধর্ম্মস্তং তং প্রতিনরং ভবেৎ। পাত্রকর্ম্মবিশেষেণ দেশকালাববেক্ষ্য চ ॥১৬॥

নিবৃত্তি প্রবৃত্তি মার্গ অনীসিগী গুণ অবগুণ অনীসি নহাক নশামক্না হায়্না লেপ্নরো। হায়বদি—হন্দোকপা চঙশিন্‌বা অনীসিগী অমমম্‌দা লৈরিবা গুণ অমদি দোষ অনীসিবু য়ায়্না মুন্না য়েংঙু। থাদোক্‌পদসু গুণ দোষ অনীমক্ অহুম্ ময়াওবনি। লৌশিন্‌বদসু গুণ দোষ অহুম ময়াওবনি। অহুদগীদি পুক্নীং অনী লোভদনা পুক্নীংনা য়াহৈনা অহুপা হকচাংনা তৌগদৌরিবা ধর্ম্ম অহুদা ভক্তি শ্রদ্ধা থম্মু ॥১১॥

তুমিং খুদিংগী ব্রত অংগং অশেং অমাংগী আচার বিচার কুপ্না য়েংহ্না দেশ কালগী মতুংইন্না, হায়বদি মকম মতম চানা সাধু মহাত্মা ওইবশিংনা অত্তবা দান তৌগদবনি। মশোয়্গী মশাদা লৈবা দোষ অদোমদা থক্ য়েংঙুরোইদৌবনি ॥১২॥

অফবা অমদি ধর্ম্ম কায়দনা এংঙবা পোৎশক (শেলথুম) অহু সৎপাত্র (দান লৌবদা মতীকচাবা) দা দান তৌগদবনি। পীথোকপা মতমদা অশাউবা সুংঙাইতবা থক্ তৌরোইদবনি। অহুগা দান তৌরবা তুংদা নীংঙমদবা পাস্মুক্কপা থক্ তৌরোইদৌবনি। কন্যাগুম্বদা কনিংগুম্বা অমা তৌখিবা দান অহু কনা অমগী মকমদা হায়দোক্লোইদৌবনি ॥১৩॥

থৌজালহৈবা পেন্‌খিহৈবা মনুং মপান্ পুম্নমক শেংবা, ইন্দ্রিয় খুত্থুম্ব চন্‌বা, অচুম্বা ভাঙবা, মপুক্‌চেল লোমন্‌বা, লৌথুশ লৌকোট নৈতবা, পোকফম্ শাংকমদা শোইনাইদবা, তৌথোরকপদা ঊশেংত শেংবা, বেদশাস্ত্র হৈবা অহুগুম্বা ব্রাহ্মণ অহুথনা খ্বাইদগী ফবা সৎপাত্রনি ॥১৪॥

জাৎ মানবী, অফবা শাগেদা পোক্‌পী, শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা লৌরুবী, মপুরোয়বতদা পুক্নীং থঙবী, পতিব্রতা ওইবী অহুগুম্বী মনা অহুত্থু মচাগী শোই-নাইদবা পোকফম্ কৌই। অহুগুম্বী মমানা পোকপা মচাবু জন্মশুদ্ধনি হায়না লৌগদবনি। কর্ম্মশুদ্ধ হায়বনা— ঋক্ যজু সাম হৈবা, যজ্ঞ তৌবা—তৌবিবা, তপস্যা তম্বিবা, দান তৌবা দান লৌবা হায়রিবা কর্ম্ম তরুক অসিবু তৌবা ব্রাহ্মণ অহুবুনি। অসিগুম্বা ব্রাহ্মণ অসিমা দানগী অথোইবা সৎপাত্রনি ॥১৫॥

দেশ, কাল, পাত্রগী মতুংইন্না কনিংগুম্বা কর্ম্ম অমগী মরমদা অশুম বিচার তৌরুরবদি কর্ম্ম মশাহুমতনা তোঙান্ তোঙান্‌বা মীগী মফমদা ধর্ম্ম অমদি অধর্ম্মগী মশক ওই। হায়বদি— অমগী মফমদা ধর্ম্মগী ওইবা কর্ম্ম অহুমক্না মতমহুমক্তদা অতোপ্পা মী অমগী মফমদা অধর্ম্মগী মরম ওইবা ওইনা থোকপসু য়াই ॥১৬॥

লীলয়াল্পং যথা গাত্রাৎ প্রমৃজ্যাৎ তু রজঃ পুমান্। বহুযত্নেন চ মহৎ পাপনির্হরণং তথা ॥১৭॥
বিরিক্তস্য যথা সম্যগ্ ঘৃতং ভবতি ভেষজম্। তথা নির্হৃতদোষস্য প্রেত্য ধর্ম্মঃ সুখাবহঃ ॥ ১৮॥
মানসং সর্ব্বভূতেষু বর্ত্ততে বৈ শুভাশুভম্। অশুভেভ্যঃ সদাক্ষিপ্য শুভেষ্বেবাবতারয়েৎ ॥১৯॥
সর্ব্বং সর্ব্বেণ সর্ব্বত্র ক্রিয়মাণং চ পূজয়েৎ। স্বধর্ম্মে যত্র রাগস্তে কামং ধর্ম্মো বিধীয়তাম্ ॥২০॥
অধৃতাত্মন্ ধৃতৌ তিষ্ঠ দুর্বুদ্ধে বুদ্ধিমান্ ভব। অপ্রশান্ত প্রশাম্য ত্বমপ্রাজ্ঞঃ প্রাজ্ঞবচ্চর ॥২১॥
তেজসা শক্যতে প্রাপ্তুমুপায়ঃ সহচারিণা। ইহ চ প্রেত্য চ শ্রেয়সস্তস্য ধৃতিঃ পরা ॥২২॥

হকচাংদা উকুল মরীক অমতং পক্লবদি মাচুবু মীকুপ অমতদা খুদোন্‌বীনা হত্তোকুনা নত্রগা মুংশা-শোর থিত্তনা কাম্‌হুনা লৌথোকপা য়াই। মতুগা অমোৎপাহুনা য়াম্না হেক্ নপক্লবদি— মতৈরবদি— মাদো খোক্তোক চামথোকপদা মতম য়াম্না চংগি। অদুনা অদুপ য়াম্না কত্তবা, শাথিবা পাপকী কর্ম্মদি নত্তবা পাপ কর্ম্ম মচা অমগী দোষ অদু ঈচম চম্বা প্রায়শ্চিত্ত মচা অমতনা কোক্‌ংনবা য়াই। য়াম্না চাউথ্রবা মহাপাপ কর্ম্মগী দোষবু কোক্‌হনবগীদমক্তি য়াম্না চাউথ্রবা মতম চত্তবা প্রায়শ্চিত্ত অমা তৌগদবা তাগনি ॥১৭॥

পুক্ লৈবা ফত্তবক্তুবু অমাংবক্তুবু, মাংথোক্ খোত্তোক্লবা হীদাক্ বিরেচন থিজ্বং চাদুনা পুক্ অদুবু লোইনা ত্তেংনা শেংদোক্লবা মী মহাক অদুনা থী চারবস্তু মাদুনা মঙোন্দা য়াম্না কান্নবা হীদাক অমওম থোকউবা য়াই। অদুগা অমাংবক্তু লৌথোকত্রিঙৈদা তুমগন্দবা থী অদু চাকরবদি চাউরবা লায়না পোক্-লমম্ন য়াই। অদুনা হায়রগী ফত্তবা দোষ পাপ অদুবু প্রায়শ্চিত্ত অমনা শেংদোক্লবা তুংদদি তৌরবা ধর্ম্মদুনা পরলোকতা মুংঙাইবা পীনবৈষগী মশক ওই ॥ ১৮॥

অংচচত্ত থমোয়পান্‌বা খুদিংমকা পুরীংদা মীকুপ খুদিংগী অফবা ফত্তবা বিচার অসি থংন থংন অদুম ময়াকই। মাসিদ তাইবংমীনা তৌগদবদি অফবা থবকী বিচার (রাখল) তনা হেন্না তোংনা লাকনববা য়ারিবমখৈ ফত্তবা থবকী বিচার অসি শুপাক্ লাক্তনবা হোৎনবা অসিতনি। অদুনা ফত্তবা রাখলদগী লাপ-থোক্লবসি কন্না শেম্নবা তাই ॥ ১৯॥

নশাগী বর্ণ (জাতি) অদুপা গৃহস্থনচিংবা আশ্রম অদুগী মতুংইন্না, অদুধনি হায়না মানা মানা থোকপা তৌনরিবা কর্ম্ম পুম্নমক অদো লোইনা আদর তৌ, ঈকায় খুম্নো। নাংনা তৌবা মতৌগা মান্নদে হায়দুনা ব্যবহার তৌদবা, নিন্দা তৌবা থক্ তৌরুম্নু। নহাকস্তু নহাক্না পুরিবা রাখল অমদি ধর্ম্মগী মতুংইন্না, তৌরিবা থবক অদু কনাগুবা অমগী রাথন্দা য়ৈথায়বা মুংঙাইতবা পোকহন্দনা অদুম্ তৌ ॥২০॥

পূরক্লীংদা তপথবা লৈত্রবা রাজকুমার! ধীরতা (তপথ-হৈব) গী আশ্রয় লৌ। বুদ্ধি ফত্রবা! বুদ্ধি-মান্ (বুদ্ধিলৈবা) ওইয়ু। নহাক মুনিংচুপ্পা অশান্তি (তপথদবদা) লৈরে। হৌজিক্তি চনীঙ তারো— তপথরো। ঙসিফাওবদা বরিস্তু খঙদবগুম্না ঙাওলক্লি চংলক্লি। হৌজিক্তি ঙসিদগী অশিংবা জ্ঞানী ওইবগী লম্বচৎ চংলো ॥২১॥ সংপুরুষ ওইবা মহাত্মা ওইবশিংগী সংসঙ্গ তৌরবা মীহুদি সংসঙ্গদুগী তেজ অমদি

রাজর্ষির্ধৃতিঃ স্বর্গাৎ পতিতো হি মহাভিষঃ। যযাতি ক্ষীণপুণ্যোঽপি ধৃত্বা লোকানবাপ্তবান্ ॥২৩॥
তপস্বিনাং ধর্মবতাং বিদুষাং চোপসেবনাৎ। প্রাপ্স্যসে বিপুলাং বুদ্ধিং তথা শ্রেয়োঽভিপৎস্যসে ॥২৪॥

ভীষ্ম উবাচ।

স তু স্বভাব সম্পন্নস্তংশ্রুত্বা মুনিভাষণম্। বিনিবর্ত্ত্য মনঃ কামাৎ ধর্ম্মে বুদ্ধিং চকার হ ॥২৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
জনকানুশাসনে চতুরধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৪॥

——:(ক):——

প্রভাবতগী মহাকস্থু ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইননবগী উপায় (লম্বী) অদো ফংবা ওদ্বি। তহা তহাদবা তপথবতনা কল্যাণ (মঙ্গল) গী মরুনি ॥১:॥

রাজর্ষি মহর্ষিনা অদুগা নিংথৌ যযাতিনা ধৃতিমান্ (তপথবা হৈবা) ওইদবদগী পুণ্যগী শরুক হন্থগিদুনা স্বর্গদগী অমুকহন্না লৈখাদা তারকই। অদুগী তুংদা অমুক মর্ত্ত্যলোক অসিদা ধৃতি (তপথবা— খাঙহৈবা) গা লোয়ননা ধর্ম্মগী আচরণ পুন্নমক আচার বিচার তৌনা পাঙথোক্লম্লগা পুণ্যচেন্নবা খুদম কংখি ॥২৩॥

নিংথৌ! তপস্বী, ধর্ম্মচেনবা, বিদ্যাহৈবা, গুণী ওইবশিংগী সঙ্গ অমদি সেবা তৌরগা নহাকস্থু পাক্-চাউরবা বিদ্যা বুদ্ধি, জ্ঞান অদুম্ মফংগনি ॥ ৪॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! রাজকুমার বসুমান্ অদো মহৌশাদগীদু লমচৎ স্বভাব য়াম্না ফজবা মীশক অমনি। অদুগী মথক্তা মুনিদুগী মঙ্গল য়ান্নবা পাউতাকশিং অদু তাবদগী মপুক্লীংবু সংসার অসিগী ফজ্রবা কামনা পুন্নমক্তগী লাপথোক্‌হনখি। মশাগী হান্না লৈজরম্লবা বুদ্ধি অদু ধর্ম্মগী অদুগা— পুণ্যকর্ম্মগী পাঙথোক্লবদা শীজিন্নখি ॥২৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকজিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা জনকানুশাসনগী চহুমগা মরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৪॥

——:(ঞ):——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(যাজ্ঞবল্ক্যমুনিনা নিংথৌ জনকতা জ্ঞান তাকৃপা)

চছুমগা মঙাশুবা অধ্যায়

——:(০):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ধর্ম্মাধর্ম্মবিমুক্তং যৎ বিমুক্তং সর্ব্বসংশয়াৎ। জন্মমৃত্যুবিমুক্তং চ বিমুক্তং পাপপুণ্যয়োঃ ॥১॥

যাচ্ছিবং নিত্যমভয়ং নিত্যমক্ষরমব্যয়ম্। শুচি নিত্যমনায়াসং তং ভবান্ বক্তুমর্হতি ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি ইতিহাসং পুরাতনম্। যাজ্ঞবল্কস্য সংবাদং জনকস্য চ ভারত ॥৩॥

যাজ্ঞবল্ক্যমৃষিশ্রেষ্ঠং দৈবরাতির্মহাযশাঃ। প্রপচ্ছ জনকো রাজা প্রশ্নং প্রশ্নবিদাং বরম্ ॥৪॥

জনক উবাচ।

কতীন্দ্রিয়াণি বিপ্রর্ষে কতি প্রকৃতয়ঃ স্মৃতাঃ। কিমব্যক্তং পরংব্রহ্ম তস্মাচ্চ পরতস্তু কিম্ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়— ঈবুধৌ! মাসি ধর্ম্মনি, মাসি অধর্ম্মনি · অসিনচিংবা হায়রিবা য়েংনরিবসিদগী রাংমদা লৈবা, হায়বদি— ধর্ম্ম অধর্ম্ম অনীদগী মুক্ত ওইহনা লৈরবা. চিংনীঙায় য়েংননীঙায় পুন্নমক্তগী রাংমদা লৈরবা হায়বদি— মাগী মরমদা চিংননীঙায় য়েংননীঙায় করিমতা লৈখিদ্রবা, পাপ পুণ্য অনীদগীসু মুক্ত ওইরবা. অচুপ্পবা মতমদগী লৈখি অচুপ্পবা মতমদগী লৈরম্লোই হায়বা লৈতবা, হায়বদি— নিত্য ওইবা করিপ্পবা হীরম অমগীদমকস্থ কিনীঙায় লৈত্রবা, অকবা ফত্তবা পুম্বা মঙোম্দা মঙলগী মশকৃতা মওইবা, মশক হোংবা শুকৃলৈ লৈতবা, ঈশেংত শেংনা লৈবা, অরা অনা চঙত্রবা তত্বসি করিনো? মাহুগী মরমদা ঈবুধৌনা তাকৃপিয়ু ॥১—২॥

ভীষ্মনা হায়,— ভরতনন্দন! যুধিষ্ঠির! মতাংগা ওসি হংলিবা বিষয় অসিগী মরমদা খুদম ওইনা মমাংদৈদা জনক নিংথৌগা যাজ্ঞবল্ক্য ঋষিগা ওাওনখিব কুইরবা ইতিহাসগী মতাং অহু তাহনগে ॥৩॥

নোংবা, মিংচচ্চাউরবা দেবরাতগী মচা জনকনা, রাংং খুদিংগী অথপ্পা অরুবা পাউখুম্ন পীবহৈবশিংগী মহুংদা অথোইবা, মুনিশিংগী মরক্তসু অথোইবা যাজ্ঞবল্ক্যগী মফমদা অহুম্না হংখি— ॥৪॥

ব্রহ্মর্ষি! ইন্দ্রিয়শিং অসি চপচানা কয়ানো? প্রকৃতিগী মথল অসি কয়ানো? মথোয়সিগী মহুংদা

প্রভবং চাপ্যয়ং চৈব কালসংখ্যাং তথৈব চ। বক্তুমর্হসি বিপ্রেন্দ্র ত্বদনুগ্রহকাঙ্ক্ষিণঃ ॥৬॥
অজ্ঞানাৎ পরিপৃচ্ছামি ত্বং হি জ্ঞানময়ো নিধিঃ। তদহং শ্রোতুমিচ্ছামি সর্ব্বমেতদসংশয়ম্ ॥৭॥

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

শ্রূয়তামবনীপাল যদেতদনুপৃচ্ছসি। যোগানাং পরমং জ্ঞানং সাংখ্যানাং চ বিশেষতঃ ॥৮॥
ন তবাবিদিতং কিঞ্চিন্মাং তু জিজ্ঞাসতে ভবান্। পৃষ্টেন চাপি বক্তব্যমেষধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥৯॥
অষ্টৌ প্রকৃতয়ঃ প্রোক্তাবিকারাশ্চাপি ষোড়শ। তত্র তু প্রকৃতীরষ্টৌ প্রাহুরধ্যাত্মচিন্তকাঃ ॥১০॥
অব্যক্তং চ মহান্তং চ তথাহঙ্কার এব চ। পৃথিবী বায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিশ্চ পঞ্চমম্ ॥১১॥
এতাঃ প্রকৃতয়স্ত্বষ্টৌ বিকারানপি মে শৃণু। শ্রোত্রং ত্বক্ চৈব চক্ষুশ্চ জিহ্বা ঘ্রাণঞ্চ পঞ্চমম্ ॥১২॥

অব্যক্ত হায়বহুনা করিনো? মশক নাইবশিং অসিদগী আ-রাংমদা লৈ হায়রিবা ব্রহ্ম পরমাত্মাছুগী চপচাবা মশক মওংনা করিনো? সৃষ্টি হায়বনা করি হায়রিবনো? প্রলয়না করিনো? মশক উদবা, লৈ-লৈতে হায়বগী খওকম থোক্তবা, কক্পা থাইদোকপা য়াত্রবা মতম হায়বসিগী মশীং থীবনিবু করম হায়না য়ারিবনো? ব্রাহ্মণ অথোইবা! হংজরিবশিং অসে মথংশীংনা অমুক্তা হায়থবিরকউ। অসিগুম্বা য়াহংশিং অসিগী পাউথুম শীঙবা ব্রাহ্মণ মহাক্কী কৃপা পাউতাকক্ত ঐখোয়না পামজৈ ॥৫—৬॥

হংজরিবশিং অসে থাজৈশেংবা খওজবা ওাক্তনি। খওদহুনা হংজবনি, মত্তবা য়াখলদা হংজবা নত্তে। মুনিদেবদি জ্ঞানগী পুংগনি। অদুনা অতে অমগী মকমদগী তাজনীংদহুনা ব্রহ্মর্ষিগী নকমদা হংজরিবসিনি। হিংনরিবশিংসে মুনিদেবনা অমুক্তা কোক্হন্বিয়ু ॥৭॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— নিংথৌ! মহাক্না হংজিবসি যোগগী অদুপা বিশেষ ওইনা সাংখ্যযোগগী কৃপপ্রবা খুপপ্রবা জ্ঞান অদো হায়গে তাও ॥৮॥

নিংথৌ! নহাক্না খওংবা বিষয় অসে লৈরকত্রবনি। অদুবু হংলবদি খওনা খওনা হংলবস্থ খুমকম্ থোকই। খওন খওনবু হংলবস্থ খওনবু হংলবস্থু খুমগদৌরিবহুনা খওলবদি শোয়দনা পাউথুম শীকম্ থোকই। অখুম্বা মীগীদি খওদনা খুম্বা য়াদে। অংংবা মীগীদি খওন হংলবস্থ খওদনা হংলবস্থ ঈয়া য়াই। মরমদি— এশানা হান্না খওলবস্থ অমগী মত্ত অমমুক তানীংনা খওনীংহুনা হংলস্থস্থ য়াই। মাসি আ—মমাংতৈদগী চৎনরক্লবা ধর্ম্ম অনদি নিয়মনি ॥৯॥

প্রকৃতি নিপ ন্নি, অদুগা মখোয়গী বিকার (মশক ওন্বা) দি তরাতরুকনি। বিকারশিং অসি য়াওনা পারবদি নিপান্গা তরাতরুক্কা কুম্মিনি। অধ্যাত্মশাস্ত্রগী মসুংদা তত্ত্ব থিবা কাওবুনা প্রকৃতি নিপান্ হায়রিবসি অসুম্না লৌই, – অব্যক্ত, মহত্তত্ত্ব, অহঙ্কার, আকাশ, বায়ু, অগ্নি, ঈশিং অদুগা লৈপাক্ ॥১০—১১॥

প্রকৃতি নিপান হায়বল্ল মখোয়সিনি। মখোয়গী বিকারশিং মথং মথং লাকপসিস্থ অমুক তারো—। নাকোং, উন্শা, মীৎ, লৈ, নাতোন্ শব্দ, স্পর্শ (শোক্পা), রূপ, রস (মহাও), গন্ধ (মনম্), বাক্তাওবা;

শব্দঃ স্পর্শশ্চ রূপং চ রসোগন্ধস্তথৈব চ। বাক্ চ হস্তৌ চ পাদৌ চ পায়ুর্মেঢ্রং তথৈব চ ॥১৩॥
এতে বিশেষা রাজেন্দ্র মহাভূতেষু পঞ্চসু। বুদ্ধীন্দ্রিয়াণ্যথৈতানি সবিশেষাণি মৈথিল ॥ ১৪॥
মনঃ ষোড়শকং প্রাহুরধ্যাত্মচিন্তকাঃ। ত্বং চৈবান্যে চ বিদ্বাংস তত্ত্ববুদ্ধিবিশারদাঃ ॥১৫॥
অব্যক্তাচ্চ মহানাত্মা সমুৎপদ্যতি পার্থিব। প্রথমং সর্গমিত্যেতদাহুঃ প্রাধানিকং বুধাঃ ॥১৬॥
মহতশ্চাপ্যহঙ্কার উৎপন্নো হি নরাধিপ। দ্বিতীয়ং সর্গমিত্যাহুরেতং বুদ্ধ্যাত্মকং স্মৃতম্ ॥১৭॥
অহঙ্কারাচ্চ সম্ভূতং মনো ভূতগুণাত্মকম্। তৃতীয়ঃ সর্গ ইত্যেষ আহঙ্কারিক উচ্যতে ॥১৮॥
মনসস্তু সমুদ্ভূতা মহাভূতা নরাধিপ। চতুর্থসর্গমিত্যেতন্মানসং বিদ্ধি মে মতম্ ॥ ১৯॥
শব্দঃ স্পর্শশ্চ রূপং চ রসো গন্ধস্তথৈব চ। পঞ্চমং সর্গমিত্যাহুর্ভৌতিকং ভূতচিন্তকাঃ ॥২০॥

থোঙ খুৎ, লিঙ্গ (ঈশিং থোঙ) গুহ্যদ্বার (অমাংবা থোরক্ফম্ থোঙ) ॥১২—১৩॥

নিংথৌ অ.থাইবা! মখোয়সিগী মনুংদা কর্ম্মেন্দ্রিয় মঙা, অতুগা শব্দনচিংবা বিষয় মঙা অসিগী বিশেষ হায়বা সংজ্ঞা অতু পীনৈ। হায়বদি— মখোয়সিবু বিশেষ কৌই। জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙানা "সবিশেষ" হায়না কৌই। মিথিলাগী মপু! হায়রিবা বিশেষ সবিশেষ অনী পঞ্চমহাভূতকী মনুংদা লৈরিবনি ॥১৪॥

পুন্নপা পারগা মখোয় অসি তরমঙানি। মখোয়সিগী মথক্তা তরাতরুকশুবা তত্ত্ব অতুনা মন—(পুক্নীং) কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনি। তত্ত্বজ্ঞান লৈব, আধ্যাত্মিকজ্ঞানগী বিচার তৌবা বিদ্বানশিংনা মখোয় অসিবু বিকার তরাতরুক হায়বত্থ অসিনি হায়॥ ॥

লৈপাক্কী মপু! মহত্তত্ত্বশিং অসিগী হৌরকফম থোরকফম (উৎপত্তিস্থান) অসি অব্যক্ত-প্রকৃতি হায়-বসিতনা ওইরিবনি। মাসিবু বিদ্বান্‌শিংনা প্রথমসর্গ (অহানবা খুৎশেম) হায়না কৌই— কৌনৈ ॥১৬॥

মহত্তত্ত্বশিং অসি থোকপ্রবা শেমপ্রবা তুংদা মখোয় অসিদগী অহঙ্কার হায়না কৌবা তত্ত্ব অতু থোরক্‌ই, মাসিনা অনীশুবা সর্গ কৌই। হায়বদি— অনীশুবী সৃষ্টি কৌই। মাসি বুদ্ধ্যাত্মক সৃষ্টিনি হায়না খঙ-নগ্রে— য়ানগ্রে ॥১৭॥

অহঙ্কারদগী মন (পুক্নীং) কৌবা ইন্দ্রিয় (তত্ত্ব) অসি থোরক্‌ই। মাসিদি পঞ্চভূত অতুগা শব্দ স্পর্শনচিংবা গুণশিং-গী মশক্‌নি। মাসিবু অহুমশুবা সর্গ হায়না কৌই ॥ ১৮॥

নিংথৌ! মন (পুক্নীং) দগী পরমাণুগী মশক ওইরবা পীক্রবা মহাভূতশিং উৎপত্তি (থোরকফম) ওইখি। মাসিনা মরিশুবা সৃষ্টিনি, মানসী সৃষ্টি হায়বত্থ মাসিনা ওই ॥১৯॥

শব্দ, রস, স্পর্শ, রূপ, গন্ধ, বিষয় মঙা অসি পঞ্চমহাভূতশিং অসিদগী থোক্‌খিবনি। মাসিনা মঙা-শুবী সৃষ্টিনি। পঞ্চভূতকী মরমদা নৈনবা বিদ্বান্‌শিংনা মাসিবু ভৌতিকসর্গ কৌই হায়রৈ ॥২০॥ *

* মশক মওং পুথোক্তনা লৈবী প্রকৃতি অমা, মশক মওং নাইনা চোংথোক্‌কপী প্রকৃতি অমা, অনী সিনি

শ্রোত্রং ত্বক্‌চৈব চক্ষুশ্চ জিহ্বা ঘ্রাণং পঞ্চমম্। সর্গং তু ষষ্ঠমিত্যাহুর্বহুচিন্তাত্মকং স্মৃতম্ ॥২১॥

নাকোং, উন্‌থা, মীৎ, লৈ, নাতোন্ মথোয়সি ওইরকপা শেম্লকপসিনা তরুকশুবা সর্গ (খুৎশেম) নি। মথোয়সিগী খুৎশেমগী মতাংদা চিন্তা য়াম্না তৌননীঙায়, য়াম্না খন্‌নীঙায় ওইখিবনা বহুচিন্তাত্মক ওইবা সর্গ অমনি হায়না লৌনখ্রে ॥২১॥

অমনা অবাক্ত অমনা ব্যক্ত অসিতনি। মাসি মহৌশা ওইনা মশানা অহুম্ তাজরগদবা বাকম্নি। অব্যক্ত ওইনা লৈরম্বা মৈদগী ব্যক্ত ওইবা মৈ থোরক্‌পনি। পৈরিবা লশিংশিং অসিগী মমুংদা ফিনা অব্যক্ত ওইনা লৈরি। অতুবু, লশিংশিং অসি ফিগী মশক মওং পুত্রিবনা, ফি কৌবা য়াত্রে। সৃষ্টিগী ক্রম অমা চথরি-বসিন্থ অসিতনি। অমনা ঈহান্ হান্‌বা সৃষ্টিদি অব্যক্তদগী ব্যক্ত ওইরক্‌পা অসিনা ওইফম্ থোক্‌লবনি। মশানা মহৌশানা অহুম তজরবনি, যেৎফম লৈত্রবনি। অদুনা কনা কনাগুম্বনা অব্যক্ত ব্যক্ত প্রকৃতি অনী অদিবু 'মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী'' হায়না থোম্নরিবসিনি। আকাশনা থেংবা হকচাংদা ফাওরমদে। হায়-বদি আকাশদা স্পর্শনা অব্যক্ত ওইনা লৈরম্মি। আকাশতুদগী মুংশিংনা ব্যক্ত ওইনা চোংথোরক্‌পা মতমদা মুংহিতুগী গুণশক্তি ওইবা স্পর্শ ওইনা অহুম মন্নাওরক্লে। মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চমহাভূতশিংগী পিণ্ড ওইনা লৈরিবা অঙাংগী হকচাংদা লৈরিবা আত্মাতুদা অহঙ্কারনা অব্যক্ত ওইনা লৈরম্ম। আত্মা অতু লৈরবম্নিনা মৈদা খুত্তি লাম্মকই হায়ববু, লাম্মিডৈ মতম অতুদা 'ঐ অঙাংনি, ঐ মৈ লাম্ম'' অসিনচিংবা ঐ (অহঙ্কার) অসি আত্মাদা অব্যক্ত ওইনা লৈবম্মি। মাসি, মশক উবা, পঞ্চমহাভূতশিংগী, হায়বদি— মৈ, ঈশিংনচিংবগী মপৈ (পিণ্ড) হকচাং কৌবসিনা ব্যক্ত ওইপ্রবা, মশক মওং নাইনা চোংথোক্‌প্রবা মতুংগী রানি। অদুনা মহত্তত্ত্ব (পঞ্চমহাভূত) গী সৃষ্টি। অমনবা ওইরগা, অহঙ্কারগী সৃষ্টিনা অনীশুবনি হায়রিবসিনি। কদায়দগী করম্না লাকইবনো, অহঙ্কার অসি মৈদবু য়াওরমত্রা? ঈশিংদবু য়াওরমত্রা? নত্রগা মঙা অনি পুল্লপ পুন্-তুনা দেহ (হকচাং) কৌরবা তুদা লাক্লিত্রা? অসিনচিংবা অতেপ্পা অকুপ্পা রাহং অমনি। অহানবদা— ঐ (অহঙ্কার) হায়বসিদি অমুম মরৈরম্নগা, ঐনি, নংনি, মানি হায়না হন্‌বগী পুক্নীং (মন) হায়বসি লাক্-ত্রিডৈদা ঐ — অহঙ্কার অসিনা হাল্লম্ম অদুনা, "মন" (মনন্ তৌননবা— খন্নবা) কৌবা তত্ত্ব অসিগী সৃষ্টিনা অহুমশুবী "সৃষ্টি" (খুৎশেম্) নি। মতৌ অসুম্না মরিশুবা মঙাশুবা অসিনচিংবা কৌদুনা সৃষ্টিগী ক্রম অসি মথং মথং চথত্রি। মাসিদা খাইদগী খন্নীঙায় ওইবদি— "লৈপাক্" মু ব্যক্তনি। মাতুদগী ওইরকপা লশিং কৌবা লৈপাকস্থ ব্যক্তনি। মাতুদগী ওইরকপা লং কৌবা লৈপাকস্থ ব্যক্তনি; মাতুদগী অমুক ওইরকপা ফি কৌবা লৈপাক অসিস্থ ব্যক্তনি...। অদুনদি ব্যক্তদগী ব্যক্ত পোকপনি হায়বা অসি লাত্রি। অদুগা চিনবা অমন লশিংদগী লং ওইরকপদি মথন্তা ওইজরকপা নত্তে। অশাবা কর্ত্তা অমা য়াওরি। গীতাদদি অদুস্থ "কর্ত্তাহম্" হায়রি। অহম্ অসি আত্মনি অহুম্ হায়রি। "অহম্ আত্মা গুড়া-কেশ" হায়রি। অদুনদি ফিগী, লংগী কর্ত্তা অসি হোংবা চাউবনা নত্তে— আত্মাননি। অদুনা—

অধঃ শ্রোত্রেন্দ্রিয়গ্রাম উৎপদ্যতি নরাধিপ। সপ্তমং সর্গমিত্যাহুরেতদৈন্দ্রিয়কং স্মৃতম্ ॥২২॥
ঊর্দ্ধং স্রোতস্তথা তির্য্যগুৎপদ্যতি নরাধিপ। অষ্টমং সর্গমিত্যাহুরেতদার্জবকং স্মৃতম্ ॥২৩॥
তির্য্যক্স্রোতস্ত্বধঃ স্রোত উৎপদ্যতি নরাধিপ। নবমং সর্গমিত্যাহুরেতদার্জবকং স্মৃতম্ ॥২৪॥
এতানি নব সর্গানি তত্ত্বানি চ নরাধিপ। চতুর্বিংশতিরুক্তানি যথাশ্রুতিনিদর্শনাৎ ॥২৫॥
অত্র ঊর্দ্ধং মহারাজ গুণৈস্তত্ত্বতঃ। মহাত্মভিরনুপ্রোক্তাং কালসংখ্যাং নিবোধ মে ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
যাজ্ঞবল্ক্যজনকানুশাসনে পঞ্চাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৫॥

—:(০):—

নিংথৌ! নাকোংনচিংবা জ্ঞানেন্দ্রিয়শিং অসিগী তুংদা কর্ম্মেন্দ্রিয়শিং অসিগী উৎপত্তি (থোরকপা— পোক্লকপা) ওই। মাসিবু তরেশুবা সর্গ (খুংশেম) হায়না কৌই। ইন্দ্রিয়শিংগী খুংশেমনি হায়রুনা মাসিবু ঐন্দ্রিয়ক-সৃষ্টি হায়নসু কৌই ॥২২॥

কর্ম্মেন্দ্রিয়শিং অসিগী উৎপত্তিগী তুংদা মখোয়গী কর্ম্ম (থবক) শিংগী, হায়বদি— লেপ্ত ওৎপনচিংবগী থক্‌খা, ফৈজেনবা পূরনক অসিবু থোকহনবা নুংশিং কৌবা মহত্তত্ত্বদগী প্রাণবায়ু, সমানবায়ু, উদানবায়ু, ব্যানবায়ু, অপানবায়ু কৌবা থরায় নুংশিং মঙা অসিগী উৎপত্তি ওইখি। মাসিনা নিপান্শুবা সর্গ (সৃষ্টি খুংশেম) নি। ঋজু ওইবা, হায়বদি— ঈচুম্ চুম্না লাক্পদগী গতি তোঙান তোঙান্‌বা ওইখিবনা মাসিবু আর্জবক সর্গ হায়নসু কৌই। (ঋজু দগী অর্জব ওইখি) ॥২৩॥

নিংথৌ! অসিগী তুংদা হায়বদি থক্‌খাদা চুম্বা প্রাণবায়ুশিংগী সৃষ্টিগী তুংদা ফৈজেননা চুম্বা ব্যানবায়ু, মখাস্রোমদা চুমথবা অপানবায়ুগা, অপানবায়ুগা লোয়নবা উদানবায়ুগী সৃষ্টি থোকখি। মাসিবু নবম সৃষ্টি— মাপন্শুবা সৃষ্টি হায়না কৌই। বিদ্বান্‌শিংনা মাসিবুসু আর্জবকসৃষ্টি অহুম মকৌই ॥২৪॥

নিংথৌ! সৃষ্টি (সর্গ— খুংশে) না মাপন্, তত্ত্বনা কুন্মরি, অহুম হায়মা শ্রুতি (বেদ) দা হায়বা মতুংইন্না ঐনা নঙোন্দা হায়রবনি ॥২৫॥ নিংথৌ! অসিগী তুংদা মহাত্মাশিংনা হায়রম্বা মতুংইন্না গুণময়ী সৃষ্টি অসিগী কাল (মতম) হায়বতুগী মশীং অমদি ক্রমসৃষ্টি অদুসু নহাক্না ঐঙোন্দগী তায়ো— ॥২৬॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা যাজ্ঞবল্ক্যজনকানুশাসনগী চহুমগা মঙাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৫॥

হংননীঙায়দি—অব্যক্তদগী ব্যক্ত ওইহল্লক্লিবসিগী কর্ত্তা কনানো? মাসিগী তোঙান্ তোঙাম্বা পাউতুম ময়ামসিদগী তোঙান্ তোঙাম্বা ধর্ম্ম ময়ামসি থোক্‌খিবনি। মাগী মাগী খঙনরকপা মত পুথোক্লহুনা জগৎকী কর্ত্তা থিনরকপনি; অমগমগা খংনদনবা শান্তি থিরকপনি। মাসিনি শান্তিপর্ব্বগী তাৎপর্য্যদি। ক্রম নাইনা থিনরকপসি সৃষ্টিক্রমনি।

(কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

ষড়ধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(অব্যক্ত মহত্তত্ত্বনচিংবা শেমখিবগী কালসংখ্যাগী লীখিবগী মতাং)

চহুমগী তরুকুশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

অব্যাক্তস্য নরশ্রেষ্ঠ কালসংখ্যাং নিবোধ মে। পঞ্চকল্পসহস্রাণি দ্বিগুণান্যহরুচ্যতে ॥ ॥

রাত্রিরেতাবতী চাস্য প্রতিবুদ্ধো নরাধিপ। সৃজত্যোষধিমেবাগ্রে জীবনং সর্ব্বদেহিনাম্ ॥ ॥

ততো ব্রহ্মাণ সসৃজদ্ধিরণ্যাণ্ড সমুদ্ভবম্। সা মূর্ত্তিঃ সর্ব্বভূতানাং ত্যেবমনুশুশ্রুম্ ॥৩॥

সম্বৎসরমুষিত্বাণ্ডে নিষ্ক্রম্য চ মহামুনিঃ। সন্দধে চ মহীং কৃৎস্নাং দিবমূর্দ্ধং প্রজাপতিঃ ॥ ॥

দ্যাবাপৃথিব্যোরিত্যের রাজন্ বেদেষু পঠ্যতে। তয়োঃ শকলয়োর্মধ্যমাকাশমকরোৎ প্রভুঃ ॥ ॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— নিংথৌ অথোইবা! হৌজিক্তি অব্যক্ত সৃষ্টিগী কাল সংখ্যাগী রাসি হায়রগে তাখো। অব্যক্তগী অয়ুক মুংখিল অমা হায়বসি কল্প লিশিংতরানা ওই, হায়বদি— মহাযুগ লিশিংতরানা শাই ॥১॥

অহিং অমসু হাযরিবা মতমসিনা অহুম মওই। জ্ঞানতগী মশক ওইরবা পরব্রহ্ম পরমাত্মানা অচৎ চৎ জীব পুম্নমক্কী জীবিকাগীদমক মথল মথা অয়াম্বা ওষধি (হীদাক্— অন্ন— চীঙ্গাক) কয় কয়া সৃষ্টি তৌই— শেম্মি ॥ ॥

ঐখোয়না মথং মথং তামরক,— পরমাত্মানা ওষধি ময়াম শেম্লবা মতুংদা ব্রহ্মা পুখোকই। হিরণ্য গর্ভ ব্রহ্মা অসি সনাগী মরাম্ অমগী মনুংদগী চোংথোরকই। ব্রহ্মা হায়রিবসি জগৎকী অচচত পুম্নমক্কী পোরক্কম্ হৌরকফম্নি ॥ ॥

মহামুনি ওইরবা, হায়বদি— তুমিন্ত লৈরবা ব্রহ্মাজী অসি চহী অমা চুপ্পা মরাম্ অহুগী মনুংদা লৈরুরবা তুংদা চোংথোরক্পনি। মহাক্কী পরব্রহ্ম পরমাত্মাগী ইঙ্গিত মতুংইন্না পৃথ্বী, আকাশ অহুগা উর্দ্ধ লোক অহুম অসি শেমগে হায়না খনখি ॥৪॥

নিংথৌ! শক্তি লৈরবা ব্রহ্মানা মহাক্কী পোরকফম মরাম্ অহুগী মথক্থংবা স্বর্গ, মখাথংবা শরক্কা ভূতল (পৃথ্বী), অহংগী মরক্কী অহাংবহুনা আকাশ শেম্মি, অহুম্ হায়না বেদদা হায়রি ॥৫॥

এতস্যাপি চ সংখ্যানং বেদবেদাঙ্গপারগৈঃ। দশকল্পসহস্রাণি পাদোনান্যহরুচ্যতে ॥৬॥
রাত্রিমেতাবতী চাস্য প্রাহুরধ্যাত্মচিন্তকাঃ। সৃজত্যহঙ্কারমৃষির্ভূতং দিব্যাত্মকং তথা ॥৭॥
চতুরশ্চাপরান্ পুত্রান্ দেহাৎ পূর্ব্বং মহানৃষিঃ। তে বৈ পিতৃণাং পিতরঃ শ্রূয়ন্তে রাজসত্তম ॥৮॥
দেবাঃ পিতৃণাং চ সুতা দেবৈর্লোকাঃ সমাবৃতাঃ। চরাচরা নরশ্রেষ্ঠ ইত্যেবমনুশুশ্রুম ॥৯॥
পরমেষ্ঠী ত্বহঙ্কারঃ সৃজন্ ভূতানি পঞ্চধা। পৃথিবীবায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিশ্চ পঞ্চমম্ ॥১০॥

বেদ বেদাঙ্গগী তত্ত্ব পুন্নমক খঙহুনা লোইরবা জ্ঞানীশিংবা অসুম্না হায়নৈ, মাহুদি— বল্প লিশিংতরা-দগী শরুক মরিদগী শরুক অমা হন্থরগা মাহুগী চহীশিং অহুম হায়বদি— চহী লিশিংতরেৎ মখাই-। ব্রহ্মাগী নুংথিল অমা শাই ॥৬॥

অধ্যাত্মতত্ত্বগী যাম্না কূপ্না বিচার তৌবা বিদ্বান্‌শিংনা ব্রহ্মাগী অহিং অমসু হায়রিবা চহী মতম অসিনা অহুম ওই। আদিঋষি মহাঋষি ব্রহ্মানা ঈগান্ হন্‌বদা অহঙ্কার হায়বসি সৃষ্টি তৌই ॥৭॥

নিখৌ অথোইবা! মহাঋষি ব্রহ্মানা ভৌতিকদেহশিং অসি শেম্‌দ্রিভেদা মচা মরি হান্না পুথোকৃখি, মখোয়গী মমিংদি,— বুদ্ধিঃ হায়বা অমা, অহঙ্কার হায়বা অমা, পুরুষ হায়বা অমা, থম্মোয় হায়বা অমা; হায়রিবশিং অসি অব্যক্ত ঙাক্কনি। হায়রিবা মরি অসি পিতৃলোকতা লৈরিবা পিতরশিংমকীসু পিতানি। পঞ্চমহাভূতশিংসিগীসু অপোক্‌পনি ॥৮॥

নিপা অথোইবা! দেবতাশিংসি পিতরশিংগী মচা মক্তনি। হায়বদি— নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিংসে পঞ্চমহাভূতশিংদগী পোক্‌খিবা মক্তনি। অদুগা মখোয় অসি অচচত্ত জগৎ পুন্নমকী আশ্রয় তৌহুনা লৈরি। অহুম্না হায়না ঐখোয়না তায় ॥৯॥

স্রষ্টাগী পদবী ফংহুনা, হায়বদি— খুংশেম্বগী পদবী ফংহুনা অহঙ্কার হায়বা তত্ত্ব অসিনা আকাশ বায়ু, তেজ, জল, পৃথ্বী মঙা অসিবু সৃষ্টি তৌই ॥১০॥ *

* অহঙ্কার কৌবা তত্ত্ব অসি আকাশ বায়ুনচিংবা পঞ্চভূতশিং অসিনা শেম্বনি। হোংবা, কৌবা অহম্ (ঐ) না শেম শাবা অমতা নত্তে হায়বসি খঙদবনা অহঙ্কারনা শাবনি' অহঙ্কারনা থুদেক্‌পনিদি হায়রহুনা অহং (ঐনা) শাবনি,, ঐনা থুদেক্‌পনি, ঐনা হায়রি .. অসিনচিংবা হায়নরিবসি অহুঙৈ সৃষ্টিগী মতমদগী হৈনখিবনা কৌঞ্জিক ফাওবা লান্না অন্তম হায়নরি? অহঙ্কার কৌবা তত্ত্বসিদগীসু রাংমদা লৈবা আত্মা (ঐ) সিদি পোক্‌পাশিবা, শেম্বা শাবা থুপাইবা অমতা য়াওদে। অহঙ্কারনা কূপ্পনা লৈবা শেংলবা আত্মা (অনাত্মা) না শাবনি। অহুনা, মথক্কী মূলশ্লোকনা হায়রিবদি সৃষ্টা (অশেম্ব) গী পদবী ফংবা অসি তত্ত্বশিংগী মঙ্গুংদা অহঙ্কার কৌবা প্রকৃতি অসিতানি। আকাশনা, বায়ুনা, অগ্নিনা, জলনা, পৃথ্বী (লৈপাক্) না মশা মশামক্তা শাবা পোং অমতা য়াওদে। মখোয় মঙা অসিনা পুন্নম্না পুন্‌বা মাংসশিণ্ড (শদুম—

এতস্যাপি নিশামাহুস্তৃতীয়মিহ কুর্ব্বতঃ। পঞ্চকল্পসহস্রাণি তাবত্ত্বেবাহরুচ্যতে ॥১১॥
শব্দঃ স্পর্শশ্চ রূপং চ রসো গন্ধস্তথৈব চ। এতে বিশেষা রাজেন্দ্র মহাভূতেষু পঞ্চষু ॥১২॥
যৈরাবিষ্টানি ভূতানি অহন্যহনি পার্থিব। অন্যোন্যং স্পৃহয়ন্ত্যেতে অন্যোন্যস্য হিতে রতাঃ ॥১৩॥
অন্যোন্যমতিবর্ত্তন্তে অন্যোন্যস্পর্ধিনস্তথা। তে বধ্যমানা হ্যন্যোন্যং গুণৈর্হারিভিরব্যয়ৈঃ ॥১৪॥
ইহৈব পরিবর্ত্তন্তে তির্য্যগ্‌যোনি প্রবেশিনঃ। ত্রীণি কল্পসহস্রাণি এতেষামহরুচ্যতে ॥১৫॥
রাত্রিরেতাবতী চৈব মনসশ্চ নরাধিপ। মনশ্চরতি রাজেন্দ্র চারিতং সর্ব্বমিন্দ্রিয়ৈঃ ॥১৬॥

অহুমশুবী ভৌতিকসৃষ্টি অসিবু ভৌরিবা অহংকার কৌবা মহাক্কী অহিংদি কল্প লিশিং মঙানা শাই, অয়ুক মুংথিলগী শরূকীস্মু হায়য়িবা শাংলবা মতম অসিনা ওই ॥১১॥

নিংথৌ অথোইবা! আকাশনচিংবা ভূতমঙা (পঞ্চভূত) অসিগী অমমম্‌গী মথংশীংনা শব্দ, স্পর্শ, রূপ, রস, গন্ধ কৌবা বিশেষগুণ অমমম্ লৈ ॥১২॥

লৈপাক্কী মপু! ঈশিং ঈচেলগুম্না তম্নবা চেস্থরক্লিবা পূক্নীং হূনবগী মশক ওইরবা শব্দ স্পর্শনচিংবা গুণশিং অসিনা পঞ্চভূত শানা বিষয়শিং অসিদা চঙ চঙহুনা জীবপান্‌বশিংবু অমগমগা চান্নহল্লি, হুংশিনহল্লি, অমগী ফননবগীদমক্তা অমনা হোৎনরি, নোম্লি। করি করিগুম্বা মতমদা অমনা অমদগী হেন্ননবা হোৎনরি, অমনা অমগী মাঙনববা হোৎনরি; অমনা অমবু হন্থনা থন্‌গদবগী থলহন্‌গদবগী হোৎনরি। অমগমগা কন্নরুহল্লি, য়েংথিনহল্লি; অমগমগা ফুনহল্লি অমুক চান্নহন্দুনা কোন্নহল্লি ॥ ৩—১৪॥

অসিগুম্বা রূপ রসনচিংবগী বিষয়শিং অসিদা আসক্ত ওইরবা জীবশিংনা তির্য্যগ্‌যোনিদা চঙ চঙহুনা সংসারসিদা হঙ্গং হন্দা কোয়রৈ লৈহুনা লৈরি। শব্দ রসনচিংবা বিষয়শিং অসিগী মপুন্‌শিগী নোংমগী অয়ুক মুংথিলগী শরূক অসি চহী কল্প লিশিং অহুম্না শাই হানবৈ। নিংথৌ! মখোয়সিগী অহিং অমবুস্মু হায়রিবা চহী মশীং অসিনা অহুম শাই। পূক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয় অসিগী পূন্‌শিগী নোংমগী শরূকস্মু হায়রিবা চহী যুগ মশীংশিং অসিনা অহুম্ শাই ॥১৫॥

নিংথৌ অথোইবা! মন (পূক্নীং) কৌবা মহাক অসিবু ইন্দ্রিয়শিংনা হায়রিবমখৈ য়াহুনা রূপ রসন-

---

হকচাং) অসিনা শাকস্মু অমত্তা য়াওদে; শাবা ভমস্মু ভম্‌দে। মখোয় মঙাসিগী পুল্লপকী মশক ওইবা হকচাং অসিদা অহংকার হায়বা প্রকৃতিসিনা হেক ভঙভকপদা শেম্বা, লেঙব ৎৎপা অহুম্ মহৌরে। মাসিদা অহুক হায়গদবা হায়ববু— আত্মা (জীবাত্মানা) চঙঙকৃত্রিমখৈদি অহংকার হান্না চঙঙকপদি য়াদে। অহুনা— আত্মানি হায়হুনস্মু অহংকারগা লোয়নদবা, লোয়ননা চঙঙক্কমা আত্মানা ঈহৈ হৈনিংদবা, শেম্বা শাবা অমত্তা য়াওনীংদ্রিবা, মুমিংচুপ্পা বিরাগী ওইহুনা বৈরাগ্যভাব লৈবা পাম্মিবসি অহুন্‌নি। হায়রিবসিগী অর্থদি— অহংকার হেক থাদোকপদা বৈরাগ্যভাব মশানা লাকচগনি। হোংবা চাউবা কৌবা ঐসি সন্ন্যাসীনি, বিরাগী মি হায়রগা হেক্ ওইগদবা নত্তে।
(কালাচাঁদ)

ন চেন্দ্রিয়াণি পশ্যন্তি মন এবাত্র পশ্যতি। চক্ষুঃ পশ্যতি রূপাণি মনসা তু ন চক্ষুষা ॥১৭॥
মনসি ব্যাকুলে চক্ষুঃ পশ্যন্নপি ন পশ্যতি। তথেন্দ্রিয়াণি সর্ব্বাণি পশ্যন্তীত্যভিচক্ষতে ॥১৮॥
ন চেন্দ্রিয়াণি পশ্যন্তি মন এব ত্র পশ্যতি। মনস্যুপরতে রাজন্নিন্দ্রিয়ো পরমো ভবেৎ ॥১৯॥
ন চেন্দ্রিয়ব্যপরমে মনস্যুপরমো ভবেৎ। এবং মনঃ প্রাধানানি ইন্দ্রিয়াণি প্রভাবয়েৎ ॥২০॥
ইন্দ্রিয়াণাং সর্ব্বেষামীশ্বর মন উচ্যতে। এতৎ বিশন্তি ভূতানি সর্ব্বানীহ মহাযশঃ ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
যাজ্ঞবল্ক্য-জনক-সংবাদে ষড়ধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৬॥

——ঃ(ক)ঃ——

চিংব বিষয়শিং অসিগী মায়াগতদা চঙশিল্লি। মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিং অসিনা উবা তাবনচিংবা থবক অতৈ তৌকবা নত্তে। পূর্ক্লীং কৌবা মহাক্লা তাবনি, নম্বনি উবনি, শোকখনি, তংবনি—চাবনি। মীংনা মাগী শক্তিনা উবা ঙম্ব' নত্তে। পূর্ক্লীং (মন) সহায়তা (মতেং) দগী মানা উবোই নীঙজবনি ॥১৬ - ১৭॥

পূর্ক্লীং কৌবা মহাকসিনা অমরে'মদা থবক ম্বাম্না চিন্ন ঈপা পাথংতুনা লৈরিভৈদা, হায়বদি— মতেং পীবা ঙম্দ্রিভৈদা মীংনা য়েংনা য়েংনা উদে। নাকোংনা তানা তানা তাদে, নাতোম্ন নম্না নম্মা নম্দে। লৈনা মহাও তংনা তনা মহাও লৌবা ঙংদে। অন্থবু শেরাম্নবা ম্বাখস্তা থন্থিবনা উরিবা তাম্নিবা পুম্নমক অসি মীৎ নাকোংনংিবা ইন্দ্রিয়নিং অসিনা তৌরিবোই নীঙবৈ ॥১৮॥

ইন্দ্রিয়শিং অসিদি করিস্থ তৌজবা দত্তে, তৌবস্থ ঙমদে। লৈরি লৈরিবা বিষয়চুদগী পূর্ক্লীং হায়বা অসিনা হেক্ হন্দোক্খবদা ইন্দ্রিয়শিং হায়বা অসিস্থ অদুম্ হন্দোক্লকই ॥১৯॥

পূর্ক্লীং ম্বাওদনা বিষয়দগী হন্দোক্লক্লে হায়রিবচস্থ অরান্খনি। পূর্ক্লীংনবু বিষম্ন অচুদা ওন্শিন্দুনা মরৈ-হৌরবদি মীৎ নাকোশিং অসি উইশিন্ বেন্শিন্দুনা করিমতা কাম্নরোই ॥২০॥

ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কী, হায়বদি— ইন্দ্রিয়গ্রাম অসিগী মপু (স্বামী) দি মন (ম্বক্লীং) মহাক্নি। জগৎকী জীব পুম্বা পূর্ক্লীং মহাক্কী আশ্রয়তদা চঙজহুনা লৈরিবমি ॥২১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, যাজ্ঞবল্ক্য জনক-সংবাদদা চঙমগাতরুকশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৬॥

——ঃ(ক)ঃ——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(সংহারগী ক্রম তাকপা মতাং)

চহুমগাতরেৎশুবা অধ্যায়

——:(০):——

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ

তত্ত্বানাং সর্ব্বসংখ্যা চ কাল সংখ্যা তথৈব চ। ময়া প্রোক্তাঽনুপূর্ব্ব্যেণ সংহারমপি মে শৃণু ॥১॥
যথা সংহরতে জন্তূন্ সসর্জ চ পুনঃ পুনঃ। অনাদি নিধনো ব্রহ্মা নিত্যশ্চাক্ষর এব চ ॥২॥
অহঃ ক্ষয়মথো বুদ্ধ্বা নিশিস্বপ্নমনাস্তথা। চোদয়ামাস ভগবানব্যক্তোঽহংকৃতং নরম্ ॥৩॥
ততঃ শতসাহস্রাংশুরব্যক্তেনাভিচোদিতঃ। কৃত্বাদ্বাদশধাত্মাদিত্যো জ্বলদগ্নিবৎ ॥৪॥
চতুর্ব্বিধং মহীপাল নির্দ্দহত্যাশু তেজসা। জরায়ুজাণ্ডজস্বেদজোদ্ভিজ্জং চ নরাধিপ ॥৫॥
এতদুন্মেষমাত্রেণ বিনষ্টং স্থাণুজঙ্গমম্। কূর্ম্মপৃষ্ঠসমাভূমি র্ভবত্যথ সমন্ততঃ ॥৬॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— নিংথৌ! তত্ত্ব পূম্নমক্কী মশীং শুনা মথং মথং হায়রক্কে তাও। কালসংখ্যা তত্ত্ব সংখ্যাস্থু ঐভোন্দগী তাও ॥১॥

অনাদি অনন্ত ওইবা ব্রহ্মানা মতৌ করম্না অচচত্ত জীবপান্না পূম্নমকপু শেমদোরকপগে, অদুগা— লৌশিন্ লোইশিন্খিবগে হায়বদুগী মরমস্থু হায়গে, য়াম্না পূক্নীং চঙনা তাও ॥২॥

ভগবান্ ব্রহ্মানা মাগী নুমিৎ-তারে হায়বদু উবদা; হায়বদি— অয়ুক মুংখিল্লগী দণ্ড (মতম) লোইরে হায়বদু উবদা, ওহাক্ পোম্থারগে— হীপ্লগে হায়না খন্থি। ব্রহ্মাগী অসিগুম্বা অবস্থা অসি উবদা অভি-মান (অহঙ্কার) দেবতানা রুদ্রদা ব্রহ্মানা শারম-শেম্ন্নবা পূম্নমক লোইশিন্নু— থোমজিল্লু হায়না ইঙ্গিত তৌই ॥৩॥ মতম অদুদা অভিমানী দেবতাগী পাম্বৈনা ভগবান্ ব্রহ্মানা ঈঙ্গিল্লকপসি উবদা রুদ্র মশামক্না চাক্লবা (শারবা) নুমিৎকী মশক লৌই। অদুগা মশামকপু মশক মওং মথল তরানীথোই থোক্লা থাই-দোক্তুনা মৈমক্কী মতৌগুম্না প্রোক্ প্রোক্ চাক্লক্লি ॥৪॥ নিংথৌ নিপারক্তুগী অথোইবা! রুদ্রনা মৈ-মকুকী মশক লৌদুনা নাওয়োমদগী পোক্পা মরুম্দগী পোক্পা, ঈশিংদগী (হুমাংনচিংবা অনপ্পা মকম) দগী পোক্পা লৈমুংদগী পোক্পা··· অচচত্তা জীব পূম্নমকপু তুম্ন উং ওইনা চাক্থেকই ॥৫॥ হায়ন্নিবসি মীকুপ অমগী মনুংদা থোক্খিবা থবক্নি ; অসুম্না মীকুপ অমগী মনুংদা জীব পূম্নমক উং ওইনা মাঙথরবা তুংদা পৃথিবী

জগদ্দগ্ধ্বামিতবলঃ কেবলাং জগতীং ততঃ। অম্ভস বলিনা ক্ষিপ্রমাপূরয়তি সর্ব্বশঃ ॥৭॥
ততঃ কালাগ্নিমাসাদ্য তদম্ভো যাতি সংক্ষয়ম্। বিনষ্টে ঽম্ভসি রাজেন্দ্র জাজ্বল্যত্যনলোঽমহান্ ॥৮॥
তমপ্রমেয়োঽতিবলং জ্বলমানং বিভাবসুম্। উষ্মানং সর্ব্বভূতানাং সপ্তার্চিষমথাঞ্জসা ॥৯॥
ভক্ষয়ামাস ভগবান্ বায়ুরষ্টাত্মকো বলী। বিচরন্নমিতপ্রাণস্তির্য্যগূর্দ্ধমধস্তথা ॥১০॥
তমপ্রতিবলং ভীমমাকাশং গ্রসতেঽত্মনা। আকাশমপ্যতিনদন্মনো গ্রসতি চাধিকম্ ॥১১॥
মনো গ্রসতি ভূতাত্মা সোঽহঙ্কারঃ প্রজাপতিঃ। অহঙ্কারং মহানাত্মা ভূতভব্যভবিষ্যবিৎ ॥১২॥

অসি কালাগ্নি মৈগী ফ্রং ফ্রং হৌরবা মৈরীতনা পূম্বয়েম যোমখ্রে। অদুদগীদি অমুক্ ঈপাক্ ঈশিং পুম্বক্ত খুদক্তা কংশিন্খি। নিংথো! ঈশিং অদুনা লোইনা কংথ্রবদুদদি — মৈ অদু হায়দগী হেন্না কন্না চাক্খৎলক্লে। অকিবা ফংনা কন্না চাক্খৎলক্লুনা জগৎ পুম্বসি মৈতগী মশক ওইখি ॥৭—৮॥

অচচ্চত্ত পুম্ববু মৈশা পীবা, মৈচাক্ ফনা চাক্খৎলক্লরা, মৈরী তরেৎ থোক্লা চাক্খৎলক্লবা মতমসিদা ভগবান্ বায়ুদেবনা মহাক্কী শক্লোন নিপান থোক্লা পুথোক্লুনা মৈয়াম্ (মৈ-মপৈ) অদুবু খুদক্তা যোচ্ছিন্খিত্তনা, মৈদুমক্লা মহামত্ত ওইদুনা থক্-থা অনীগী মরক্ মফমশিং অসিদা শীৎলকই ॥৯—১০॥

অদুগী তুংদা— আকাশনা শাফু কন্না, অকিবগী মশক্ ফংন' মুংশিংকী ঈপোম্ অদুবু যোচ্ছিন্খি। মনুংদা যোচ্ছিন্খ্রিবা মুংশিং অদুনা আকাশগী মুংদা হায়বদি মনুংদা থমুংদা শীংতুনা লৈবদুদা ভং ভংদুনা লৈবা আকাশবু, মঙোন্দগী হেন্না কন্বা মন (পুক্লীং) না মহাক্পু যোচ্ছিন্খি-বগী পোৎশক্ অমা ওইহন্খি ॥১১॥ *

অদুগী তুংদা ভূতশিংগী আত্মা - ভূতাত্মানা অংগা প্রজাপতিগী অব্যক্ত স্বরূপ ওইরবা অহঙ্কারনা

---

* আকাশগী গুণনা শব্দ ওইনা আকাশ মনুংদা থূপতুনা লৈ'থ্রবসি করম্না অদুগা করিগীদমক্ লৈথ্রিবনো হায়বসিগী মরমদা বিজ্ঞানগা পুরাণগা অনীনা পুন্নগা ব্যাখ্যান তৌরি। আকাশতগী রাস্থ নত্তে লৈপাক্কী গুণনা গন্ধ (মনম্) না ওইথ্রিবা, ঈশিংগী গুণনা রসনা ওইথিবা··· অসিনচিংববু থম্মনীংঙাইনি। পোৎ অমনা অমদা শাফু কন্না থেংজিল্লকপা রাইশিল্লকপা মতমদা মথোল অম থোক্পা হায়বসি শোয়দবনি। নুং অমগা নুং অমগা থাজিন্ ফুজিন্নবদা থোক্লিবা মথোল অদু নুং অনীদুগী মথোল নত্তে। নুংদি লৈপাক্লি। শব্দদি লৈপাক্কী গুণ নত্তে। লৈপাক্কী গুণদি গন্ধ (মনম্) নি। থেংজিন্নগদৌরিবা নুং অদুদগী মরক্তা হ'য়বদি— কারক্ (অহাংবা) দা লৈরম্বা আকাশ (অগাঙবা) অদুগী থোঙ্জেলনি। আকাশনা মুংশিংপু লৌশিন্ চেন্শিন্বা মতমদা, মুংশিংনা আকাশগী মনুংদা কুইনা শাউনা ঙ তুনা লৈবঙুম্না ঙাং ঙুং ঙংদুনা লৈরি। অদুদগী মুংশিং অদুনা কোয়চৎ চৎপা শীৎপদু তোক্লুনা লৈখিবা মতম অদুদা, ঙংবগী শব্দ অদুদি মথি কোংদনা আকাশদা তুংদুনা অদুম্ লৈহোরে। মতৌ অশুম্না মৈ ঈশিং মুংশিংনগিংবা ভূতশিং অসিদা মাগী মাগী গুণশিং অদু মশক মওং নাইদনা লৈরি। মাসিনি অব্যক্ত সৃষ্টি হাংরিব'স। ব্যক্তগী মনুংদা অব্যক্ত, অব্যক্তগী মনুংদা ব্যক্ত— অশুম্ন সৃষ্টিগী মওং অসি লৈ। (কালাচাঁদ)

তমপ্যম্বপমাত্মানং বিশ্বং শম্ভুঃ প্রজাপতিঃ। অনিমা লঘিমা প্রাপ্তিরীশানো জ্যোতিরব্যয়ঃ ॥১৩॥
সর্ব্বতঃ পাণিপাদান্তঃ সর্ব্বতোক্ষিশিরোমুখঃ। সর্ব্বতঃ শ্রুতিমাঁল্লোকে সর্ব্বমাবৃত্যাতিষ্ঠতি ॥ ১৪॥
হৃদয়ং সর্ব্বভূতানাং পর্ব্বণাঙ্গুষ্ঠমাত্রকঃ। অথ গ্রসত্যনন্তো হি মহাত্মা বিশ্বমীশ্বরঃ ॥১৫॥
ততঃ সমভবৎ সর্ব্বসক্ষয়াব্যয়মব্রণম্। ভূতভব্যভবিষ্যাণাং স্রষ্টারমনঘং তথা ॥১৬॥
এষোঽপ্যয়স্তে রাজেন্দ্র যথাবৎ সমুদাহৃতঃ। অধ্যাত্মমধিভূতঞ্চ অধিদৈবঞ্চ শ্রূয়তাম্ ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
যাজ্ঞবল্ক্য-জনক-সংবাদে সপ্তাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৭॥

——:(+):——

মন (পুংলিং) বু মশা মশন্তগী মন্নুংদা চুপশিন্‌খি। অতুগী তুংদা ভূত, ভবিষ্যৎ, বর্ত্তমান ঊবা খঙবগী শক্তি পুবী বুদ্ধি কৌবী মহাক্না অহঙ্কারবু য়োচ্ছিন্‌খি ॥১২॥

অতুগী তুংদা— মকম পূম্নমক্না মহাক্কী খোঙ খুং মক্না ভায়বা, মায়গৈ পূম্বদা মীৎ ঙক্না ভায়বা, আকাশগী মকম পূম্নমক্না মাগী নাকোং মক্না লৈবা, বিশ্ব জগৎ অসিদা শীন্‌থুংনা লৈবা, অচচ্চত্ত জীব পূম্বগী থম্মোয়দা খুবীমুক্না চাউবা রাংবা মওং লৌতুনা লৈবা,— অনিমা, লঘিমা, গরিমা প্রাপ্তিনচিংবা ঐশ্বর্য্য পূম্বা মহাক্কী মখাদা লৈবা, মথক্না হায়খ্রিবা কার্য্যক্রমগী নিয়মশিং অনিবু শীল্লিহা জ্যোতি (মঙাল্) তগী মশক ওইবা, অমাঙ অতা লৈত্রবা, মঙ্গলতগী মশক ওইবা, পোকপা-শিবা নাইদবা অচচ্চত্ত পূম্নমক্কী স্বামী (মপু) ওইবা, অহৌবা অরোইবা লৈতবা, আত্মা পূম্নমক্কী আত্মা— মহানাত্মা ওইবা, অউবা উদবা পূম্নমক্কী ঈশ্বর ওইবা অতুম ওইবা পরব্রহ্ম পরমাত্মা মহাক্না ঈকোন্ কে'নবা বুদ্ধি হায়বসিবু মশা মথন্তগী মন্নুংদা মশা মথন্তনা সংহার তৌখি,— লোইশিন্‌খি— থ্‌পচিন্‌খি ॥১৩—১৫॥

অতুগী তুংদা— হেন্‌গংলক্‌পা হন্থখিবা লৈতবা, করিগুম্বা মতমদা অমাঙ অতা লৈয়রোইদোবা, মশক্ মওং হোংবা লৈবরোইদোবা, উরিমা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিমক্না মাগী অউবা মশক ওইবা— পরব্রহ্ম মহাক্ মথন্তা ভায়হৌই। মহাক অসিনা ভূত, ভবিষ্যৎ, বর্ত্তমানবু শেম্বা, পাপকী শরাক্ য়াওদ্রবা ব্রহ্মামক্‌কীনু অশেম্বা মপু ওই ॥১৬॥

নিংথৌ ! নহাক্কী নকমদা অস্তুম থোক্‌না লৈরিবা সংহারগী ক্রম অসি ঐনা হায়রবনি। মৌজিক্তি নহাক্না অধ্যাত্ম, অধিভূত অমসুং অধিদৈবগী মরমদা তারো ॥১৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, যাজ্ঞবল্ক্য জনক সংবাদদা চহুমগাতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৭॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(অধ্যাত্ম, অধিভূত, অধিদৈবগী মরম তাকৃপা)

চহুমগা নিপানশুবা অধ্যায়

——:(*):——

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

পাদাবধ্যাত্মমিত্যাহুর্ব্রাহ্মণাস্তত্ত্বদর্শিনঃ। গন্তব্যমধিভূতঞ্চ বিষ্ণুস্তত্রাধিদৈবতম্ ॥১॥

পায়ুরধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথা তত্ত্বার্থদর্শিনঃ। বিসর্গমধিভূতঞ্চ মিত্রস্তত্রাধিদৈবতম্ ॥২॥

উপস্থোঽধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথাযোগনিদর্শিনঃ। অধিভূতং তথা নন্দো দৈবতঞ্চ প্রজাপতিঃ ॥৩॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— নিংথৌ! তত্ত্ববু খঙবা-উবশিংনা অসুম্না হায়নৈ,— খোঙ অনী অসি অধ্যাত্মনি, চংকদৌরিবা য়ৌগদৌরিবা মফম অদুনা অধিভূতনি, বিষ্ণুনা অধিদৈবতনি ॥১॥

তত্ত্ব খঙবশিংনা গুহ্যদ্বার (অমাংবা থোরককম খোঙ) অসি অধ্যাত্মনি হায়নৈ, মলত্যাগ (মাংথোকপা) অদুনা অধিভূতনি, মাগী দেবতানা মিত্রনি ॥২॥ *

যোগগী মতবু উংলিবা, কুপ্ন খল্লিবশিংনা অসুম্না হায়. মাদুদি,— উপস্থ (লিঙ্গ ঈশিং থোঙ) না

---

* অধ্যাত্ম হায়বা অমা, অধিভূত হায়বা অমা অধিদৈব হায়বা অমা— অদুনি। ইন্দ্রিয়না অধ্যাত্ম, ইন্দ্রিয়দুনা লৌরিবদুনা অধিভূত, লৌরিবা বিষয়দুগী লৈফম্ হৌরকৃকম্না অধিদৈবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা— নাকোংনা অধ্যাত্ম, নাকোংনা লৌরিবা শব্দ কৌবা গুণনা অধিভূতনি, শব্দদুগী লৈফম্না আকাশনা অধিদৈবনি। শব্দ অমবু তারিবসি মপান্দা উরিবা নাকোং অসিনা তাবা নত্তে। আত্মা হেক্ য়াওদবনা তাদে। অদুনা নাকোং কৌবা ইন্দ্রিয় অসি অধ্যাত্মনি। হায়বদি— আত্মাগী অধিকারদা লৈবনি। মহাক্না লৌরিবা শব্দ হায়বসি আকাশ কৌবা ভূত অদুদা লৈ। অদুনা, শব্দ হায়বসি ভূতগী পরিকর মনুংদা লৈবনা অধিভূত অমনি। মহাকী দেবতানা মায়গৈ পুম্বনা ওই। মতৌ অসুম্না নাত্তোম্না অধ্যাত্ম, গন্ধ— (মনম্) না অধিভূত, পৃথিবীনা অধিদৈবনি। অদুমসিগী মনুংদা অমতং য়াৎপদা সংসারদা থবক অমত্তা পান্থৎপা য়ারোই। তাবা হায়বা থবক অসি, নাকোংলা, শব্দরা, আকাশরা অমতং য়াৎপদা ওইথোক্কবনি।

(কালাচাঁদ)

হস্তাবধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথ সংখ্যানদর্শিনঃ। কর্ত্তব্যমধিভূতং তু ইন্দ্রস্তত্রাধিদৈবতম্ ॥৪॥
বাগধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথাশ্রুতিনিদর্শিনঃ। বক্তব্যমধিভূতং তু বহ্নিস্তত্রাধিদৈবতম্ ॥৫॥
চক্ষুরধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথাশ্রুতি নদর্শনঃ। রূপ মত্রাধিভূতং তু সূর্য্যশ্চাপ্যধিদৈবতম্ ॥৬॥
শ্রোত্রমধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথা শ্রুতিনিদর্শিনঃ। শব্দস্তত্রাধিভূতং তু দিশশ্চাত্রাধিদৈবতম্ ॥৭॥
জিহ্বামধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথাশ্রুতিনিদর্শিনঃ। রস এবাধিভূতং চ আপস্তথাধিদৈবতম ॥৮॥
ঘ্রাণমধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথাশ্রুতিনিদর্শিনঃ। গন্ধ এবাধিভূতং তু পৃথিবী চাধিদৈবতম ॥৯॥
ত্বগধ্যাত্মমিত্যাহুস্তত্ত্ববুদ্ধিবিশারদাঃ। স্পর্শমেবাধিভূতং তু পবনশ্চাধিদৈবতম্ ॥১০॥
মনোঽধ্যাত্মমিতিপ্রাহুর্যথাশাস্ত্রবিশারদাঃ। মন্তব্যমধিভূতং তু চন্দ্রমাশ্চাধিদৈবতম্ ॥১১॥

অধ্যাত্মনি, সংসর্গ (সম্ভোগ— নুপী নিপা তিন্নবা গী আনন্দ অহুনা অধিভূতনি, থবক অহুবু তৌহনলিবা দেবতানা হায়বদি অধিদৈবনা প্রজাপতিনা ওই ॥৩॥

সাংখ্যযোগীশিংগী মত মতুংইন্না খুং অনীসি অধ্যাত্মনি, মতম অহুনা খুংনা তৌগদৌরিবা থবক অহুনা অধিভূতনি। মাহুবু পুব দেবতানা হায়বদি— অধিদৈবনা ইন্দ্রনা ওই ॥৪॥

বেদগী অর্থবু নৈনবশিংনা হায়বা মতুংইন্না বাক্ (বাণী) না অধ্যাত্মনি। ঙাঙলিবা বিষয় (ৱা) অহুনা অধিভূতনি, অহুগা অধিদৈবনা অগ্নি (মৈ) না ওই ॥৫॥

বেদবু উশিন্বা বিদ্বান্‌শিংনা হায়বা মতুংইন্না মীংনা অধ্যাত্মনি, রূপ (উগদৌরিবা মশক মওং) অহুনা অধিভূতনি, দেবতা (অধিদৈব) না সূর্য্যনা ওই। হায়বদি সূর্য্যদেবতানা পীবা জ্যোতিনা মীংনা উবনি ॥৬॥

বৈদিক সিদ্ধান্তগী মতুংইন্না নাকোংনা অধ্যাত্মনি, শব্দনা অধিভূতনি, মায়গৈ পুম্বা পুরিবা দেবতানা অধিদেবনি। (কনাগুম্বা অমনা ঙাঙবা, লাউবা মতংদা মায়গৈ অমতুংগী তনা মায়গৈ পুম্বদা লৈবা জীবশিংনা মতম অমতদা অহুম্ মতায়) ॥৭॥

বেদনা তাক্‌পা নিয়ম অহুগী মতুংইন্না য়েংশিন্‌বনা হায়, জিহ্ব (লৈ) না অধ্যাত্মনি, লৈনা জৌরিবা রস (মহাও) অহুনা অধিভূতনি, রস অহুগী লৈফম ঈশিংনা অধিদৈবনি ॥৮॥

বেদগী তত্ত্বজ্ঞান লৈবা বিদ্বান্‌শিংনা হায়বা মতুংইন্না নাতোন্‌না অধ্যাত্মনি, গন্ধ (মনম্) না অধিভূতনি, পৃথ্বীনা অধিদৈবনি ॥৯॥

তত্ত্বজ্ঞান থিবদা লৈশিংবশিংগী মত মতুংথন্না উন্‌পানা অধ্যাত্মনি, স্পর্শ (শোকপা) না অধিভূতনি, বায়ু (নুংশিৎ) না অধিদৈবতনি ॥১০॥

শাস্ত্রদৈবা বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা হায়নৈ,— মন (পুক্নীং) না অধ্যাত্মনি, মন্তব্য ওইবা বিষয় অমদি— পোংশক অহুনা হায়বদি— খল্লগদৌরিবা থল্লরিবা বিষয় অমদি পোংশক্ অহুনা অধিভূতনি, অহুগা চন্দ্রমা থা) না অধিদেবতানি ॥১১॥

অহঙ্কারিকমধ্যাত্মমাহুস্তত্ত্বনির্ণয়ঃ। অভিমানোঽধিভূতং তু রুদ্রশ্চাত্রাধিদৈবতম্ ॥১২॥
বুদ্ধিরধ্যাত্মমিত্যাহুর্যথাবদভিদর্শিনঃ। বোদ্ধব্যমধিভূতং তু ক্ষেত্রজ্ঞশ্চাধিদৈবতম্ ॥১৩॥
এবা তে ব্যক্তিতো রাজন্ বিভূতিরনুদর্শিনঃ। আদৌ মধ্যে তথান্তে চ যথাতত্ত্বেন তত্ত্ববিৎ ॥১৪॥

তত্ত্ব খঙবা মীনা হায়,— অহঙ্কারনা অধ্যাত্মনি, অভিমাননা অধিভূতনি, রুদ্রনা অধিদেবতানি ॥১২॥ *

থাজৈশেংবা জ্ঞানী ওইবশিংনা হায়,— বুদ্ধিনা অধ্যাত্মনি, বোদ্ধব্য (খঙগদৌবা খঙলিকা বিষয় ময়ামগা পোৎশক) না অধিভূতনি, আত্মানা অধিদেবতানি ॥১৩॥

তত্ত্ব খঙবা নিংথৌ। অহৌবদা, মরক্তা, অরোইবদা তত্ত্বগা লোয়ননা শোয়দনা খেঙদোক্লকদৌরিবা জীব অদুগী বিভূতি (সম্পত্তি — জীবাত্মাগী অধিকারদা লৈবা সম্পত্তি) গী মংমদা নঙোন্দা লীরবনি ॥১৪॥ †

* পুরুষীংনা অদুগা হকচাংনা করিগুম্বা থবক তৌবা মতমদা অধ্যাত্ম, অধিভূত, অধিদেবতা অদুম অসি ওইবিনবা পোৎশক মীশক অদুমদি লৈতবা য়াদে। গন্ধবু লৈপাক পৃথিবীনা পুই হায়রগা হেক্ক য়াবা নত্তে। গন্ধসু অশিবনি, লৈপাকসু অশিবনি। পুবা হায়বদুদি থবক অমনি। মনম্ লৌরিধসি মনম্ মশামকসু নত্তে, মনমদুবু লোইরিবা লৈপাক হায়বদুনসু নত্তে, নাতোন্ হায়বা কায়াৎ অদুনসু নত্তে। অদুনা মনমসিনি হায়না খঙলিবসিসু আত্মানা লৈরিঙৈতদনি। মশানগী বিচারদদি নাতোমনি হায়না উনরি। অদু-নদি নাতোনসিগী মফুংদা মশক উনবা আত্মা অমা লৈবা তাই। নাতোন্ পুরিবা আত্মাদুনা শব্দবুদি তাবা ঙমদে। অদুনা আত্মাগী অধিকার মফুংদা অধ্যাত্মনি। (কালাচাঁদ)

† অত্মা মশামক্কা অধিদেবতা ওইবসি 'বুদ্ধি" হায়বসিগী মতাং থন্নরকপদা, হায়বদি— অধ্যাত্ম, অধি-ভূত, অধিদেবতা অদুম অদিগী মতাং থন্নরকপা মতাং মতম অসিতদা থোকই। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ লৈপাক আকাশ, মন, বুদ্ধি আত্মা মখোয় অসিগী তোঙান্ তোঙান্বা আত্মা অমমম্ শোয়দনা লৈকম থোকই। তোঙান্ তোঙানবা মফমদা লৈরিবা আত্মাশিং আস সর্ব্বশক্তিমান্ নত্তে। নাসিকা (নাতোন্) কৌবা ইন্দ্রি অসিগী মফুংদা লৈরিবা আত্মা অসিনা নাতোন্দা লৈবা আত্মাঙন্না মনম লৌবা ঙমদে। খঙলিবসি বুদ্ধি-নসু নত্তে, বুদ্ধি মশামক্তি অশিবনি, খঙগদৌরিবা পোৎশক অদুসু অশিবনি। অতৈ অতৈগীদি অধিদেবতা অসি লুমিংনা ওইবা য়াওই, থানা ওইবা য়াওই, জলদেবতানা ওইবা য়াওই। অদুগা বুদ্ধিগী অধ্যাত্মদি আত্মা মশামক্কা ওই। অতৈ অতৈগীদি আত্মা মশামক্কা ওইদে। হায়বদি — নাতোন কৌবা ইন্দ্রিয়না মনম্ হায়বা অধিভূত অসিবু লৌরিবসি থাজৈশেংবদি নাতোন্ (নাসিকা) মশানা নত্তে, আত্মা মশামক্কসু নত্তে। মনম্ লৌবা লৌদবগী রাদি লায়রদুনা পোকপা শিবা ফাওবা য়াওবিদবা আত্মানি। অদুনা য়াম্না কুপ্পা তাত্ত্বিক বিচারদা মীৎ, নাকোং, লৈ, নাতোন্, উন্‌শা, মন, বুদ্ধি অহঙ্কার মখোয় অসিগী তোঙান্ তোঙাবা আত্মা অমমম্ লৈবা তাই হায়না তত্ত্ব খঙবশিংনা লেপ্পরবনি। মাগী মাগী অধিকারগী মফুংদা লৈবদুদগী

প্রকৃতির্গুণান্ বিকুরুতে স্বচ্ছন্দেনাত্মকাম্যয়া। ক্রীড়ার্থে তু মহারাজ শতসোহথসহস্রশঃ ॥১৫॥
যথা দীপসহস্রাণি দীপান্মর্ত্ত্যাঃ প্রকুর্ব্বতে। প্রকৃতিস্তথা বিকুরুতে পুরুষস্য গুণান্ বহূন্ ॥১৬॥
সত্ত্বমানন্দ উদ্রেকঃ প্রীতিঃ প্রাকাশ্যমেব চ। সুখংশুদ্ধিত্বমারোগ্যং সন্তোষঃ শ্রদ্দধানতা ॥১৭॥

মহারাজ! প্রকৃতিদেবীনা মনীংমথা তন্না শান্নগে হায়বগীদমক মশা মথন্তগী নীংবা মতুংইন্না— মশা মথন্তদগী গুণ চাম চাম, লিশিং লিশিং পুথোরকই ॥১৫॥

থাউমৈ অমত্তগী থাউমৈ লিশিং লিশিং, লখা লখা মথং মথং লৌনহুনা থান্নখিবহুগুম্না-- প্রকৃতিনা পুরুষগা তিন্নরুবদগী গুণ লিশিং লিশিং পুথোকৃখি ॥১৬॥

তপথবা, থাওহৈবা, মুংশিবা, চাওখৎপা, কোওদোকপা (জ্ঞানশক্তি), মুংওাইবা, শেংদোকপা, অনায়েক্

হেন্দোক্লনা অমগী অধিকারদা লৈববু লৌবা ওমদবা আত্মাহুনি অধ্যাত্ম হায়ন্নিবসি। অহুবু বুদ্ধি হায়বা অসিগী অধ্যাত্মদি আত্মা (জীবাত্মা) মশামক্না ওইরে। থওলিবসি বুদ্ধিতগী ওইবা আত্মা ওইবা মতমদা আত্মাহু অধ্যাত্মা কৌগনি। মাগী মাগী অধিকারগী মনুংদা লৈতববু পুম্বা— লোইবা ওমদবনা অধ্যাত্মা কৌবতনি। বুদ্ধিবু লোইবা আত্মাতদি অতৈ অতৈগী অধিকারগী মনুংদা লৈরবস্থ পুন্না লোইবা ওম্মি। হায়বদি— নাতোন্তগা লোইনবা আত্মা (অধ্যাত্মা) অহুনা মনম্‌দগী হেন্না অতৈ অতোপ্পগী অমা লান্মুবা ওমদে। অহুগা বুদ্ধি হায়বীসিগা লোয়নন্নিবা আত্মাদি - রূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ, শব্দ ·· লোইনা থওবা লৌবা ওম্মি। নাতোন্, মীৎনচিংবগা লোয়নন্নিবা আত্মাদি সববশক্তিমান্ নত্তে। বুদ্ধিগা লোয়নবা আত্মাতনা সর্ব্বশক্তিমান্ ওই। করিস্থ থওন্নবা পওপ্রবা মীদা লৈন্নিবা আত্মা অহু বুদ্ধি হায়বীহুগদি তিন্নদ্রবনিনা সর্ব্বশক্তিমান্ ওইবা ওমদ্রে। অহুম ওমদহুনা লৈপ্রিবস্থ নত্তে। হোৎনরগা সৎসঙ্গ তৌরগা বুদ্ধিমান্ ওইবা মীশক অমা ওইরকপা মতমদা আত্মা অহুস্থ সর্ব্বশক্তিমান্ হায়বদি—সর্ব্বজ্ঞ ওইরকই। মনম্ মুংশিনমথী হায়না বুদ্ধি তৌবগী হান্নবদি থওবগী, নাতোন্‌দা লৈবা আত্মা অহু নাতোন্‌গী অধ্যাত্মানি। মতম অহুদা নাতোন্ মশামক্না নম্বা হান্নবা থবক অহুগী অধ্যাত্মনি হায়বা য়ারে। অধ্যাত্ম অহু নাতোন্না ওইথোক্‌প্রবনিনা মহাক্না লৌগদোন্নিবা অধিভূত অহুদি গন্ধ অহুনা ওইরে। গন্ধহুগী লৈকমনা লৈপাক্‌না ওইরে। অহুনা নাতোন্ কৌবা অধ্যাত্মনা লৌন্নিবসি লৈপাক্কী মনমনি। অহুবু সর্ব্বশক্তিমান্ নত্তবনা লৈপাক্কী মনম্মি হান্নবা কাওবা থওদে। ঈশিংগী, শন্দোমগী, লৈগী মনম্‌সি লৈবাক্কগী মনমনি হায়বা থওলে। নাতোম্দা লৈন্নিবা অধ্যাত্ম অসিনা সর্ব্বাত্মা হেক্ ওইরকপা মতমদা— উপনিষত্তা হান্নন্নিবহুগী মতুংইন্না নাকোনস্থ নম্মি, নাতোন্নস্থ তান্ন, মীৎনস্থ লৌই ·· অসিনচিংবসি মশানা তান্নরুদৌন্নিবনি। হায়রিবা রাফম অসি নোংচুপ-লোমগী ফিলোসোফীগী বিচারদগী রাংমদা লৈবা রানি। আত্মা (জীবাত্মা) হেক্ মুংখিবদগীদি অধ্যাত্ম অমতা লৈয়্ হান্নবা য়াদ্রে নাসিকা কৌবা অধ্যাত্মনা মনম্ লৌবা ওমদ্রে। (কালাচাঁদ)

অকার্পণ্যমসংরম্ভঃ ক্ষমা ধৃতিরহিংসতা। সমতা সত্যমানৃণ্যম্মার্দবং হ্রীরচাপলম্ ॥১৮॥
শৌচমার্জবমাচারলৌল্যং হৃদ্যসম্ভ্রমঃ। ইষ্টানিষ্টবিয়োগানাং কৃতানামবিকত্থনা ॥১৯॥
দানেন চানুগ্রহণমস্পৃহত্বং পরার্থতা। সর্ব্বভূতদয়াচৈব সত্ত্বস্যৈতে গুণাঃ স্মৃতাঃ ॥২০॥
রজোগুণানাং সংঘাতো রূপৈশ্বর্য্যবিগ্রহৌ। অত্যাগিত্বমকারুণ্যং সুখদুঃখোপসেবনম্ ॥২১॥
পরাপবাদেষুরতির্বিবাদানাং চ সেবনম্। অহঙ্কারমসংকারশ্চিন্তা বৈরোপসেবনম্ ॥২২॥
পরিতাপোঽভিহরণং হ্রীনাশোঽনার্জবং তথা। ভেদঃ পরুষতাচৈব কামঃ ক্রোধোমদস্তথা ॥২৩॥
দর্পো দ্বেষোঽতিবাদশ্চ এতে প্রোক্তা রজোগুণাঃ। তামসানাং তু সংঘাতং প্রবক্ষ্যাম্যপধার্য্যতাম্ ॥২৪॥
মোহোঽপ্রকাশস্তামিস্রমন্ধতামিস্রসংজ্ঞিতম্। মরণঞ্চান্ধতামিস্রং তামিস্রং ক্রোধ উচ্যতে ॥২৫॥

লৈতবা, পেঙবা, শ্রদ্ধা, কাহেন্না অতোপ্পন থন্দুনা পুক্নীংবু হুম্হনবা, অশাউবগী শক্তক্ মরীক্ অমা ফাওবা য়াওদবা, ভাক্পি হৈবা, খাঙবা কন্বা, অহিংসা (হিংসা তৌদবা), খ্বাই পুন্নমকপু চপ মান্ননা উবা, অচুম্বা ভাঙবা, মীগী লমন তোন্দবা, য়াম্না থোৎপা, তচা তচাদবা ঈকাইবা খঙবা, তথক্ তথক্তবা, ঈশেং শেংনা ভৌথিবা, ঈচম্ চম্বা, আচার বিচার য়াম্না য়েংবা, মীগী মরন্দা মিহৌরুদবা, থম্মোয়দা অমকপা অঙকপা থমদবা, মুংশিবা পাম্মবা কায়নবা তিন্নবগী রা অসি মীঙোল্ অমদা থক্ হায়দোক্ তমথোক্তবা, পীথোক্পগী পান্থনা তপথবা ঈংথবা ওইহনা লৈবা, সিমতং রাংলি হায়দুনা মথা অমুক লাম্মুত্রবা, মীগী কননবত্তা থন্বিবা, অচচ্চত্ত জীবপানবদা থৌজাল হৈবা...... হায়রিবা পুন্নমক অসি সত্ত্বগুণগা মরী লৈনবা গুণ মক্তনি ॥ ৭—২০॥

মশক মতৌ অতুগা মশক মতৌচুবু উংনীংবা, ঐশ্বর্য্য অতুগা ঐশ্বর্য্যচুবু উংনীংবা, অমগা লৌতান্নরকপা য়েৎনরকপা — গুণ্ডম তান্নরকপা, থাদোক্পা পীথোকপগী শরূক্ অসি ঈন্নাও য়াওদবা, মীগী অরা অনা উরগা মুংশি মুংওন্বা পোকন্দবা, অমুক্তম্ রাবা অমুকম্ মুংঙাইবা, মীবু নিন্দা তৌবদা মুংঙাইজবা, থৎন-চৈনবা শীংনবসি য়াম্না পামজবা, নাপল — থোয়বা — চাউথোকপা, ঈকায় খুম্নবা য়াবা মীশকপু থৌওই থৌ-শাদবা, চিন্তা য়াম্না ভোগনবা, অমা নত্রগা অমগা বৈরীভাব অসি থম্গনবা অহুগা থম্লিংবা, থম্মোয় শোক্লা রাগনবা, মীগী মরন্ থোপচিন্নিংবা, ঈকারবা থঙদবা, মবুকচেল্ থোয়বা, তোঙাত্তানিংবা মবুক্চেল্ থাবা, অপাম্বা অশাউবা মিহৌগন্বা কল্লকপা থোয়বা লেমজনীংবা রা য়াম্না ভাঙজনীংবা... রজোগুণগী মপৈনি তমোগুণগী লক্ষণ মরাম অতুম্ হায়থরকে তাও ॥২১—২৪॥

গুম্মাংপা, ঈপঙ পঙথবা, জ্ঞান তাদবা, থম্মোয়দা মঙালগী শরূক্ য়াওখিত্রবা, শূক্গুমুক পুন্মম্ মম্থবা, (তামিস্র) হায়রিবসিনা অশাউবগী অর্থনি। শূক্গুমূক মম্থবা (অন্ধতামিস্র) হায়বা অসিনা থাজৈশেংনা শিরবগী অর্থনি। * চাবা থক্পা মতমদা ঈহৈ হৈনিংদবা, হায়বদি হাউই কৌবত্তা হায়নীংখিত্রবা, চারবসু

* জীবাত্মা অসিনা হকচাংদগী থোক্খিচুনা চংখিবা অসি মমীৎ তাঙবা মীনা মম্থবা অহিংলা কনাসু

তমসো লক্ষণানীহ ভক্ষণান্ততিরোচনম্। ভোজনানামপর্য্যাপ্তিস্তথা পেয়েষ্বতৃপ্ততা ॥২৬॥

গন্ধবাসো বিহারেষু শয়নেষ্বাসনেষু চ। দিবাস্বপ্নেঽতিবাদে চ প্রমাদেষু চ বৈ রতিঃ ॥ ২৭॥

নৃত্যবাদিত্রগীতানামজ্ঞানাৎশ্রদ্দধানতা। দ্বেষো ধর্ম্মবিশেষাণামেতে বৈ তামসাগুণাঃ ॥২৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি যাজ্ঞবল্ক্য-জনকসংবাদে অষ্টাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৮॥

——:(০):——

মহাও খত্তবা, অহাওবা ওইরবস্তু পুরক্লিবা মথৈতা ং'ঙবা স্নু'ঙাইবসি ঈপোক্ পোক্তবা, ফনা অহাওবা পুশিল্লক্লবস্ত শূক্পেন শেন্দবা, হায়বদি— হাওত্রি ত মহায়বা, অতুগা হাম্বিবমথৈস্তু ওকন্দবা, মহী মঙাই থক্ চাবদা শেনবা কৌবা নাইদবা, মনম্ নম্ণীবা ফিরোল্ শেংপা, হৌনদবা তুক্কচবা মশাম্ন শান্নবা (জুয়ার শান্নবা), কমুং ফানুং কন্থর্চিংবা পোৎ খুদিংমক হঙ্গোইনকম ওইনা মোংলব', নম্থীরবা, ভয়ুক্ নুংথিন্না ভূম্গনবা, খৎন চৈনবদা হৈনগল্লবা, ঈশৈ শকপী জগোইশাবীশিংগতা থোরোৎ খদানতুনা লৈগনবা, জ্ঞান ঈত্তা তাদনা পুং শেল্নচিংবদা আসক্তি য়াম্না থম্বা, ভোগান্ ভোক্তান্বা ধর্ম্মশিংবু কল্লক্কুন। নিন্দা তৌবা… হায়রিবা পুম্নমক অসি তমোগুণগী লক্ষণ খুদমমক্কনি ॥২৫—২৮॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা যাজ্ঞবল্ক্য-জনক সংবাসগী চহুমনিপাল্গুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৮॥

——:(০):——

কনাসু য়াওদনা চংথিবতুগুয়া চংথি। অসিগুম্বা অমম্বা অসিবু "অন্ধতামিস্র" হায়না কৌই। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

নবাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(সাত্ত্বিক, রাজসিক, তামসিক ওইবা মীশিংগী তোঙান্ তোঙানৱ গতি)

চহুমগা মাপনশুবা অধ্যায়

—:( ):—

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

এতে প্রধানস্য গুণাস্ত্রয়ঃ পুরুষসত্তম। কৃৎস্নস্য চৈব জগতস্তিষ্ঠন্ত্যনপগাঃ সদা ॥১॥

অব্যক্তরূপো ভগবান্ শতধা চ সহস্রধা। শতধা সহস্রধা চৈব তথা শতসহস্রধা ॥২॥

কোটিশশ্চ করোত্যেষ প্রত্যগাত্মানমাত্মনা। সাত্ত্বিকস্যোত্তমং স্থানং রাজসস্যেহমধ্যমম্ ॥৩॥

তামসস্যাধমং স্থানং প্রাহুরধ্যাত্মচিন্তকাঃ। কেবলেনেহ পুণ্যেন গতিমূর্দ্ধামবাপ্নুয়াৎ ॥৪॥

পুণ্যপাপেন মানুষ্যমধর্ম্মেণাপ্যধোগতিম্। দ্বন্দ্বমেষাং ত্রয়াণাং তু সংনিপাতং চ তত্ত্বতঃ ॥৫॥

সত্ত্বস্য রজসশ্চৈব তমসশ্চ শৃণুষ্ব মে। সত্ত্বস্য তু রজো দৃষ্টং রজসশ্চ তমস্তথা ॥৬॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— নিপা অথোইবা! নিংথৌ! সত্ত্ব রজ তম হায়বা প্রকৃতিগী গুণ অহুম অসে জগৎ পুম্বদা, মফম পুম্বদা ঈকায় কায়দনা লৈরিবনি। কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা মাসিদগী লাম্থোকপা য়াদনা লৈরিবনি ॥১॥ অসুক্ য়াম্না শক্তি ঐশ্বর্য্য পুরবী প্রকৃতি অসিনা মহাক্ মশা মথন্তগী শক্তি (প্রভাব) না জীব অসিবু শক্লোল্ চাম চাম, লিশিং লিশিং, লখা লখা, কোটি কোটি থোক্লা পুহল্লিবনি ॥২॥

অধ্যাত্মশাস্ত্রবু নৈনরিবা, চিন্তা তৌরিবা জ্ঞানীশিংনা হায়রি,— সাত্ত্বিকগুণচেম্বশিংনা খ্বাইদগী অথোইবা. রজোগুণচেম্বশিংনা ময়ায়, তমোগুণচেম্বশিংনা অতোম্বা মফম ফংঙি ॥৩॥

পাপকী শরুক্ শূক্য়াও য়াওদবা পুণ্যকর্ম্মতা মতৌবা মী শিংনা খ্বাইদগী মথক থংবা মফম (স্বর্গ) দা, পাপকা পুণ্যগা য়াম্না কর্ম্ম তৌবশিংনা মর্ত্তলোকতা, অদুগা পুণ্যগী শরুক্ লেশমাত্র য়াওথিদ্রবা কর্ম্ম তৌব-শিংদনা খ্বাইদগী নৈথ্বা তাবা হুম্ববা মপোক্তা পোকই ॥৪॥ হৌজিক্ক নিংথৌ! সত্ত্ব রজ তম হায়রিবা গুণ অহুম অসিগী য়াম্থোক্ য়াঙ্খিন্দ্রী, হায়বদি — অনী অসিত তিন্নবা দ্বন্দ্বভাবকী অদুগা অহুম অহুম তিন্নবা সন্নিপাত ভাবকী মওং অদু হায়গে মুম্না তারো ॥৫॥

সত্ত্বগুণগা লোয়নবা রজোগুণ, রজোগুণগা লোয়নবা তমোগুণ, তমোগুণগা লোয়নবা সত্ত্বগুণ, অদুগা

তমসশ্চ তথা সত্ত্বং সত্ত্বস্যাব্যক্তমেব চ। অব্যক্তঃ সত্ত্বসংযুক্তো দেবলোকমবাপ্নুয়াৎ ॥৭॥

রজঃ সত্ত্বসমাযুক্তো মানুষ্যেষু প্রপদ্যতে। রজস্তমোভ্যাং সংযুক্তস্তির্যগ্‌যোনিষু জায়তে ॥৮॥

রাজসৈস্তামসৈঃ সাত্ত্বিকৈর্যুক্তো মানুষমাপ্নুয়াৎ। পুণ্যপাপবিযুক্তানাং স্থানমাহুর্মহাত্মনাম্ ॥

শাশ্বতং চাব্যয়ং চৈবমক্ষয়ং চামৃতং চ তৎ ॥৯॥

জ্ঞানিনাং সম্ভবং শ্রেষ্ঠং স্থানমব্রণমচ্যুতম্। অতীন্দ্রিয়মবীজং চ জন্মমৃত্যুতমোনুদম্ ॥১০॥

অব্যক্তস্থং পরং যৎ তৎ পৃষ্টস্তেঽহং নরাধিপ। স এব প্রকৃতিস্থো হি তৎস্থ ইত্যভিধীয়তে ॥১১

অচেতনা চৈব মতা প্রকৃতিশ্চাপি পার্থিব। এতেনাধিষ্ঠিতা চৈব সৃজ্যতে সংহরত্যপি ॥১২॥

জনক উবাচ।

অনাদিনিধনাবেতাবুভাবেব মহামতে। অমূর্তিমন্তাবচলাবপ্রকম্পগুণাগুণৌ ॥ ৩॥

সত্ত্বগুণতগা লোয়নবা অব্যক্ত জীবাত্মাগী তিন্নবা অসিগুম্বা মতিন্ন অসি অনী অনীত ওইনা হিন্নবগী দ্বন্দ্ব ভাবকী মওংদা তিন্নবা কৌই। জীবাত্মা অসিনা দ্বন্দ্বভাবতা আশ্রয় তৌদনা সত্ত্বগুণতগা তিন্ননা চৎপ্রবদি স্বর্গলোক থংখি ॥৬—৭॥

রজোগুণ থরগা সত্ত্বগুণ থংগা তিন্ননা চৎখিবা জীবনা তাইবংমীগী দেহদা চঙহনা পোক্লুই। রজোগুণগা তমোগুণগা তিন্ননা চৎখিবা জীব অসিনা শা উচেকী মপোক্ (দেহ) দা চঙহনা পোক্লুই ॥৮॥

রাজস, তামস, সাত্ত্বিক ভাব অহুমসিমকী য়াম্নবা মওংদা হায়বদি— য়াম্নবা প্রকৃতিগী মওংদা চৎপ্রবদি জীবসিনা মনুষ্যযোনিদা হায়বনি - মীওইবগী মপোক্তা চঙিও। য়াম্নবা মওংসিদগী পাপ পুণ্য অনীগী য়াম্নবা মওংদু অহুম ওইশিবতনি। হায়দ্রিবা য়ানবা মওং অসিদা ঈয়াও য়াওখিত্রবা অহুগুম্বা মহাত্মা পুরুষশিং অদুদি মতম পুম্বনা লেংদ্রবা, মশক হোংবা লৈত্রবা, অমাঙ অতা লৈত্রবা, অমৃত পদবীবু হায়বদি— পোকপা শিবা লৈত্রবা তত্ত্বধাম অদু য়াম্নি ॥৯—১০॥

নিংথৌ। মহাক্না অব্যক্ত প্রবৃত্তিদা লৈবা পরমতত্ত্বগী মরমদা এরোন্দা হংখি। মাংগী পাউখুমদা শায়া হায়গদবদি- অদুগুম্বা পরমতত্ত্বদো অমা প্রাকৃত শরীরদা লৈবা মতমদা হায়বদি— প্রকৃতি— মৈ, ঈশিংরচিংবনা মচাক্ ওইদনা শাগ্রিবা হকচাং অসিদা লৈবা মতমদা পরমতত্ত্ব প্রকৃতিস্থ হায়না থদৈ, অসুত্নি ॥১১ ॥

নিংথৌ। প্রকৃতি শারবীসে অচেতননি (মথাঙ্গ পান্দবনি) হায়না থজনরে। অদুবু মথাঙ্গ পান্দে হায়রনস্ত পরমতত্ত্বনা মাপান্দ লৈবা মতম অদুতদদি, পরমতত্ত্বনা যৌজিনবদগী সৃষ্টিসু তৌই, সংহারসু তৌই ॥ ১২॥ জনকনা হায় — মহাজ্ঞানী ব্রাহ্মণ। প্রকৃতি পুরুষ অনীমক্ অহৌবা অরোইবা নাইদবনি, লেংদবনা লৈবনি, অদুগা মশক মওং অমত্তা য়াওদবনি। মখোয় অনীমক্ মশা মশাগী গুণনা থুংদুনা লৈজবনি। অদুগা মখোয় অনীমক্তি নিগুর্ণনি, মশা মশাগী কদিগুম্বা অমত্তা লৈতবনি ॥ ১৩॥

অপ্রত্যাখ্যায়িশার্দূল কথমেকোঽহমচেতনঃ। চেতনাবাংস্তথা চৈকঃ ক্ষেত্রজ্ঞ ইতি ভাষিতঃ ॥ ৪॥
ত্বং হি বিপ্রেন্দ্র কার্ৎস্নেন মোক্ষধর্ম্মমুপাসসে। সাকল্যং মোক্ষধর্ম্মস্য শ্রোতুমিচ্ছামি তত্ত্বতঃ ॥ ৫॥
অস্তিত্বং কেবলত্বং চ বিনাভাবং তথৈব চ। দৈবতানি চ মে ব্রূহি দেহং যান্যাশ্রিতানি বৈ ॥ ৬॥
তথৈবোৎক্রামিণঃ স্থানং দেহিনো বৈ বিপদ্যতে। কালেন যদ্ধ প্রাপ্নোতি স্থানং তৎ প্রব্রবীহি মে ॥ ৭॥
সাংখ্যজ্ঞানং চ তত্ত্বেন পৃথগ্‌যোগং তথৈব চ। অরিষ্টানি চ তত্ত্বানি বক্তুমর্হসি সত্তম ॥
বিদিতং সর্ব্বমেতত্তে পাণাবমলকং যথা ॥ ৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি যাজ্ঞবল্ক্য-জনক সংবাদে নবাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩০৯॥

——:(০):——

মুনি অথোইবা! মথায় অনীমক বুদ্ধিনা লম্ব ফাজ্রবা তাক্কনি। অদুবু মখোয় অনীসিগী মতুংদা প্রকৃতি হায়বসিনবুদি চেতনা য়াওদবনি হায়নস্ত তাকানিবি। অদুগা অমবুদি চেতননি, মখোয় পানবনি. ক্ষেত্রজ্ঞ হায়না অমুক্ তাক্লিবি মাসিগী থৌরাংশংবা মরম অমদি তত্ত্ব অসি ঐ অমুক্কা তাজনীংঙি ॥ ৪॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! ব্রহ্মণ মহাক্ত মোক্ষধর্ম্মবু মপূংফানা সেবন তৌবিরি। মরম অদুনা মোক্ষধর্ম্মগী তত্ত্ব অদো ঐ চপচানা অমুক্কা তাজনীংলি ॥ ৫॥

প্রকৃতিগী মতুংদা লৈরিবা পুরুষ অসিগী অস্তিত্ব (লৈরিবা মরৈ. করমৃহায়না লৈরিবা), কেবলত্ব (করিগুম্ব অমতগা সম্পর্কথমদনা মথন্ত তোতোপ লৈবগী মরৈ অদুগ প্রকৃতিগী মতুংদা লৈরগা, প্রকৃতিদগীদি তোতোপ লৈ হায়রিবশিং মচা থাংনা তোঙাল্-তোঙাল্ অমুক্ত তাকপিয়ু অদুগা, অদুম্ তৌনা লৈরিবগী তত্ত্ব ঐতেংন্দ তাক্পিং ॥ ৬॥ হৌখকাল মৌংক্লবদা কক্থনা অমত ওইমিমচুনা থ কুনিমরক্লবদা জীব থনা অমুক্ পোক্লগদবগী করম্বা যোনিগী মায়গৈনা মমাং চনশিল্লকপগে? হংজরিবাসগা মরমদা শুপাইনা অমুক্ত তাক্পিয়ু ॥ ৭॥ সাধু, মহাত্মা ওইরবা জ্ঞানীশিংগী কোকী লৈতেংওইনা লৈবিরিবা ব্রাহ্মণ! সাংখ্য অমদি যোগ অনী অসিগী তোঙাল্ তোঙাল্পা জ্ঞান অচুম্ব তাক্পিয়ু। মৃত্যুহায়বদু লাক্‌পগী লক্ষণ (খুদম্) পুম্নমক্ অচুম্ব চপ্‌চানা তাজনীংঙি। তত্ত্বজ্ঞান পুম্নমক্ অসিদি ব্রাহ্মণমহাকীদি খুকাপী কাপ্নগুম্বনি। খুত্তা লৈরম্বগুম্ব থম্বগুম্বনি। মাল্লানা থোকনি ॥ ৮॥

মুকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, যাজ্ঞবল্ক্য জনক সংবাদদা চহুমগামাপল্‌গুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩০৯॥

——:(০):——

মণিপুরী মহাভারত

দশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(প্রকৃতি পুরুষ অনীগী মবমদা নৈনবা অচুগা মাচুগী মহৈ)

চহুমগা তবাগুবা অধ্যায়

—:(৩):—

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

ন শক্যো নির্গুণস্তাত গুণীকর্ত্তুং বিশাম্পতে। গুণাংশ্চাপ্যগুণাবান্ যথা তত্ত্বং নিবোধ মে ॥১॥

গুণৈর্হি গুণবানেব নির্গুণশ্চাগুণস্তথা। প্রাহুরেবং মহাত্মানো মুনয়স্তত্ত্বদর্শিনঃ ॥ ॥

গুণস্বভাবস্ত্বব্যক্ত গুণানেবাতিবর্ত্ততে। উপযুঙক্তে পানেব স চৈবাজ্ঞঃ স্বভাবতঃ ॥৩॥

অব্যক্তস্তু ন জানীতে পুরুষোজ্ঞঃ স্বভাবতঃ। ন মত্তঃ পরমোঽস্তীতি নিত্যমেবাভিমন্যতে ॥৪॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— ঈবুঙো! প্রজাগী মপু! নির্গুণবু সগুণ, সগুণবু নির্গুণ খবক্ ওইহনবা, শেম্-দোক্পা য়াদে। হায়রিবা বিষয় অসিদা লৈবিবা তত্ত্ব অসে ঐ হায়থরক্ মুন্না তাও॥১॥

তত্ত্বখঙবা মহাত্মা মুনিশিংনা হায়,— গুণগা মরী লৈনবমখে সগুণনি, গুণবাননি। গুণগা মরী লৈনদবা, করিগুম্বা গুণ অমতগা সম্পর্ক থমদবদো নির্গুণনি, গুণহীননি ॥২॥

অব্যক্ত প্রকৃতিদি মহৌশাদগী গুণবতীনি, হায়বদি সগুণনি। মহাক্তি করিগুম্বা মতমদা গুণশিংসিবু লাম্থোকুনা চংখিবা ঙমদে। অচুগা প্রকৃতিনা লাম্থোকপা য়াদনা, লোয়দনা ভাক্ লৈরিবা গুণশিং অচুবু থবক্তা শীজিরে। অচুগা মঙোন্দা মহৌশাদগী জ্ঞানগী শক্তক অসি শূক্য়াও য়াংদবনি ॥৩॥

প্রকৃতিনা করিগুম্বা পোৎ অমতবু খঙদে। অচুগ হায়রিবসিগা ওন্না-তৈনবা মওংদা লৈরিবা পুরুষদি জ্ঞানীনি, মঙোন্দগী হেনবা পোৎ অমতা জগৎতা লৈত্রে অসুম্ হায়নস্ত * মহাক্ মশানা খল্লে ॥৪॥

---

* প্রকৃতিগা পুরুষগা অনীসিনা লৈমিন্নরিবা মওংসি অঙকপনি। অমরোম্দা হায়রগা হকচাং সিগ জীবাত্মাগা অনীসিনা লৈমিন্নবিবা মহৈ অসি অঙকপনি হায়বতনি। প্রকৃতি অসিদি হায়বদি হকচাং অসিদি অশিবনি। ঐ পঞ্চভূতগী মাংসপিণ্ড অম ওইনত লৈজবনি হায়র্বসি, জ্ঞানয়াওজদবনিনা (অশিবনিনা), মহাক্ মশানা খঙজদে। জ্ঞান পূম্নমক্কী তুংনফমনি হায়রিবা জীবাত্মা মহাকস্তু অঙ্গমঙায়। ঐ অশিবা হকচাংসিগী নক্কুলো লৈরিবনিকো হায়বসি মহাক্ মশানা খঙজদে। মাসি খঙজত্রিবসিগী মরম (কারণ) দি করিমতা খঙখিত্রবা অশিবা

অনেন কারনেনৈতদব্যক্তং স্যাদচেতনম্ । নিত্যত্বাচ্চাক্ষরত্বাচ্চ ক্ষরত্বান্ন তদন্যথা ॥৫॥
যদাজ্ঞানেন কুর্ব্বীত গুণসর্গং পুন পুনঃ। যদাঽত্মানং ন জানীতে তদাঽত্মাপি ন মুচ্যতে ॥৬॥
কর্ত্তৃত্বাচ্চ সর্গানাং সর্গধর্ম্মা তথোচ্যতে। কর্ত্তৃত্বাচ্চ যোগানাং যোগধর্ম্মা তথোচ্যতে ॥৭॥
কর্ত্তৃত্বাৎ প্রকৃতীনাং চ তথাপ্রকৃতিধর্ম্মিতা ॥৮॥

মরম অসিদগী প্রকৃতিবু অচেতননি হায়না লৌনখিংনি। ক্ষর ওইবা মরম্মা হায়বদি— বিনাশী ওইবা মরম্মা, অশিবা ওইব' নত্তনা করিমত্তা ওইফম্ থেংক্তে। অমাঙ অতা লৈত্তবা, নিত্য ওইবা মরম্মা পুরুষদি সচেতননি ॥৫॥

পুরুষ অসিসু প্রকৃতিদগী হেক্ লাম্বোক্পা ওমত্রিকাওবা অশিবগা পাংথক্ ওইদুনা অত্থমমরৈ। গুণশিং অসিগা হন্ন হন্ন তিন্নদুনা লৈরিমথৈ নত্রণা ঐ অসি প্রকৃতিগী গুণ শিং অসিদগী লাপ্ন লৈরিবনিকো হায়বসি পুরুষমশামক্না হেক্ খঙ্জত্রিবদুকাওবা মহাক্ মক্সু প্রকৃতিদগী মুক্তওইবা ওমদে ॥৬॥

পুরুষ অসি মশানা মশাবু সৃষ্টিকর্ত্তানি হায়না খঙবনা সর্গধর্ম্মা (শেম্বতনা মাগী ধর্মওইবা) কৌহল্লি যোগগী কর্ত্তানি হায়না লৌজবনা যোগধর্ম্ম (যোগতনা মাগী ধর্মওইবা) হায়না কৌহল্লি ॥৭॥ প্রকৃতিগী ধর্ম্ম

জ্ঞানয়াওত্রবা হকচাংগা কাহেঞ্জিন নক্শিন্নরুবদগী মহাক্না অশিবা হকচাংশিবু ঐ নি হায়না খল্লুবদগীনি। জীবাত্মা ঐ অশিবনি, জ্ঞানয়াওদ্রবা পঙথরবনি হায়না ঈশ'মক্না হাংজরেনা হায়বসি মহাক্ থক্ খন্দে। ঈখঙ্ খঙ্খিত্রবমক্না হায়রবসু করিগুম্বা মত্তম্দা করিগুম্বা দেহদা লৈবা জীবসিনা শিদবা আত্মাগী তত্ত্ববু কন্ননৈনবা য়াওরি। নৈনরিবদুমক্ মহাক্ মশামক্তীনিকো হায়বা খঙদবা জীবনা অয়াম্বনি। ম'ানগী অশিবা হকচাংনা পাল্লিবা অশিবা খোঙখু'ন লেঙ্লি ওংলিবসি জীব মহাক্না লেঙ্লিবনি। হকচাংসিবু লেঙ্হন্বা নত্তে, মহাক্তি লেঙলিবসি। হকচাং অসিনা শিবদা মহাকসু য়াওগ্রে. মৈথাদোকখিবদ জীব মহাকসু য়াওগ্রে হায়রিবা নাস্তিকশিং অসি অশিবওাক্তনি। বৈজ্ঞানিক কয়াগী জীবনা পাইখৎকদবগী ঈশিংমনুংদা পাইশিন্খিগদবগী হোংনরি। হকচাংসিদগী পাইংাকুনা খ্রাঈউনউনা চংখিবগী রাদি মঙ কাওবা খল্লুদে। অশিবা হকচাংশীবু জীব মামক্তি হায়না খল্লুবদগীনি। মাসিবু অহংকাব কৌই। অহংকারগা কোম্নংনা হাযবদি, হকচাংসিবু (অহং) ঐ নি খল্লুনা লৈরিবা জীবমহাক্না শারিবা পোং মথৈ অনিত্য ওইরিবসি অহংকারগী লোয়ননা শাখিবদগীনি। মরম্দি অহংকারদি অনিত্যনি, মারানি, অরানবনি। বৈজ্ঞানিকনা শারিবা পোংম্থৈ অনিত্যনি অজ্ঞানগী মূর্ত্তিনি। ওহাক ওগাকৃত্তং উংলন্নগা নীঙ্খায়খিগদবা ওাক্তনি। মীঙখায়খিগদবা হকচাং অসিদা মহাক্না নপ্শিনদুনা লৈরি। লৈখা তাবগদবা ওহাক্ত ওাররবা, মপানা কক্চরিবা উশাদা তোংলবা নপতুনা লৈবা অত্থগুম্বা পঙথরবা জীবনি। অত্থম্না পঙথরবা নাস্তিকশিংনা মশানা অত্থম হায়জন্নিবদুনি জীবদি হকচাংগা লোয়ননা মৈ চাকপদা য়াওগ্রে হায়রিবনি ॥ (কালাচাঁদ)

কর্ত্তৃত্বাচ্চাপি বীজানাং বীজধর্ম্মা তথোচ্যতে। গুণানাং প্রসবত্বাচ্চ প্রলয়ত্বাৎ তথৈব চ ॥৮॥
উপেক্ষত্বাদনন্যত্বাদভিমানাচ্চ কেবলম্। মন্যন্তে যতয়ঃ সিদ্ধা অধ্যাত্মজ্ঞা গতজ্বরাঃ ॥
অনিত্যং নিত্যমব্যক্তং ব্যক্তমেতদ্ধি শুশ্রুম ॥ ৯॥

ধর্মপূম্নমক্পু মহাক্মশানা য়ারবদি হায়বদি, মশাগী ধর্মনিহায়ন হেক্নমক্ লৌরবদি পুরুষকৌবা মহাকপ্রকৃতিধর্ম হায়বহ্নু মশানা ওইবাতারে ॥৮॥

চত্তব জীবশিংগী হায়বদি, হৈপাল লৈপাল উ রানচিংবগী জীব (মরু-মরূ) গী কর্ত্তা (অশেম্বা অশাব মপু) ওইবদগী পুরুষ মহাক্পু বীজধর্ম হায়নন্থ কৌই। গুণ পুম্নমক্কী পুথোরক্পা লৌ শল্ লোইশিন্খিবমপু ওইবদগী মহাকপু গুণধর্ম্ম হায়নন্থ কৌই। ॥৯॥

অধ্যাত্মশাস্ত্রবু মুম্ন থত্ত্লবা, করিগুম্ব বিষয় অমগী চিন্তা লৈত্রবা জ্ঞানী শিংনা পুরুষবু প্রকৃতিগা করিমতা মরী লৈনদ্রবা "কেবল" (মথন্ত ভায়রবা মহাক্ নত্তনা করিমত লৈতবা) হায়না কৌই। অসিগুম্বা পুরুষদা লৈরিবা ধর্ম অসি "কৈবল্য" কৌই। * উগদৌরিব শোং অহুগা উরিবা মীশক্নু মহাক্না অদুম্ মওইদ্লিনা, মহাক্তি সর্বসাক্ষীনি। মহাক্ মশামক্ নত্তনা অনীশুবা পোশক অম লৈত্রবনিনা, অদ্বিতীয় হায়বন্থ ওইবনি অহদা মশাদা অরা-শুাভাহগী অম্নভূতি (মশাদ কাওবা) অম পোক্লিবসিদি, মহাক্ মশানা "এ প্রকৃতিদগী রান্নদা লৈবনি" হায়বা অভিমান অসি থম্বদগীদি থাঙ্গেশবদি মহাক্ নিত্যনি, অব্যক্তনি (ঈফোঙ্ ফোঙদোক্তনা লৈবনি)। অদুবু, প্রকৃতিগা তিম্ননা লৈরুবনা, নিত্যওইদি হায়ববু, অনিত্যওইবগুম্ অদুম্ উহ ॥ ৯॥

---

* প্রকৃতিবাদী শাক্ত (শাক্ত উপাসনা তৌবা) শিংনদি পুরুষদা লৈরিবা 'কৈবল্য' অসম্নু শক্তিনা, প্রকৃতিদেবী (দূর্গা) না পীবিরিবনি। অমগুডে, অমগন্নুদে, করিগুম্বা পোক্ অমদা করিগুম্বা অমা লৈরবদি মাত্নু পোশক্নুগা তিম্নক্নবদগীনি। পুরুষনা কেবল ওইরবনিন প্রকৃতিম্নু পুরুষ মহাক্ মশানা অদুম্ ওইবা তাববনি। পুরুষ প্রকৃতি অনীমক্ নাম নি উপাধিনি! অনীসিমক্ অমতনা ওইবা তারবাদ তোঙান্ তোঙান্বা নাম রূপ অনীসিদি অদুম্ মরৈনি। নামত্নগী, রূপঅদুগী মতুংইম্না থবক্ তোঙাল্ তোঙাল্ তৌগদৌরিবনিনা মীশক অমত ওইরবস্নু অনী নি হায়না লৌনবাথক্যারোই। মীশক্ অমতনা নিথোন্নু চাক্নিবস্নু অনীমক্ শারবদি, মী অমতওইরবস্নু নিংথৌ চাক্নিবা অনীনি হায়বসি থক্ হায়দবায়ারোই। মরমদি, মথৌ তোঙাল-তোঙাল্লি। ধর্ম তোঙাল্ তোঙাল্লি। মী অমতনা শাববস্নু নিংথৌশাবগী রাজভাও ফিরেপ্ অদু চাক্নিনা শাবা মতমদা থক শীজিন্নবা য়ারোই লীলায়েংবা অউবা অতাবনম্নু নিংথৌনা হাংবাসিবুদি চাক্নিবা না হায়বসিনা চুম্মি অম্নম্ হায়না অদুমমহায়নি। অম্নক্ য়াম্ন হায়ক্নরিবগী তাৎপর্য্যাদি পীব লৌবা অসিনচিংবাস কর্মশাক্তিদগী ভাক্তনি। হায়বদি শাক্তিনা পীবনি। পুরুষনা কৈবল্য ফংলিবসি প্রকৃতিগী শক্তিনা পীরিবনি। অদুনা শাক্ত-শিংনা হায়বদি শাক্তধর্মাবলম্বী শিংনা, শক্তিলাৎপা শিংনা প্রকৃতিদেবী হায়বদি দেবীদূর্গাবু "কৈবল্যদায়িনী" হায়না অদুম্ মহায়রিবহুনি। (কালাচাঁদ)।

অব্যক্তৈকত্বমিত্যাহুর্নানাত্বং পুরুষে তথা । সর্ব্বভূতদয়াবন্তঃ কেবলং জ্ঞানমাশ্রিতাঃ ॥ ১১॥
অন্যঃ স পুরুষোঽব্যক্তস্ত্বধ্রুবো ধ্রুবসংজ্ঞকঃ । যথা মুঞ্জ ইষীকানাং তথৈবৈতদ্ধি জায়তে ॥ ১২॥
অন্যচ্চ মশকং বিদ্যাদন্যচ্চোডুম্বরং তথা । ন চোডুম্বরং সংযোগৈর্মশকস্তত্র লিপ্যতে ॥ ১৩॥
অন্য এব তথা মৎস্যস্তথান্যদুদকং স্মৃতম্ । ন চোদকস্য স্পর্শেন মৎস্যো লিপ্যতি সর্ব্বশঃ ॥ ১৪॥
অন্যো হ্যগ্নিরুখাপ্যন্যা নিত্যমেবমবেহি ভোঃ । ন চোপলিপ্যতে সোঽগ্নিরুখাসংস্পর্শনেন বৈ ॥ ১৫॥
পুষ্করং ত্বন্যদেবাত্র তথান্যদুদকং স্মৃতম্ । ন চোদকস্য স্পর্শেন লিপ্যতে তত্র পুষ্করম্ ॥ ১৬॥
এতেষাং সহবাসং চ নিবাসং চৈব নিত্যশঃ । যথাতথ্যেন পশ্যন্তি ন নিত্যং প্রাকৃতা জনাঃ ॥ ১৭॥
যে ত্বন্যথৈব পশ্যন্তি ন সম্যক্ তেষু দর্শনম্ । তে ব্যক্তং নিরয়ং ঘোরং প্রবিশন্তি পুনঃ পুনঃ ॥ ১৮॥

অচচন্ত্র জীব পুম্নমক্ত থোঁজাল হৈবা, অতৈগা য়াম্নত্রবা কেবলজ্ঞানগী পান্থৈত মরোঁবা সাংখ্যযোগগী বিদ্বান্ শিংনা প্রকৃতি দি অমতনি পুরুষদি মশী য়াম্নি হায়না লৌই ॥ ১১॥

পুরুষ হায়বসি প্রকৃতিদগী ঈতোপ্ তোপ্পনি, নিত্যনি । প্রকৃতিসু পুরুষদগী তোঙানবনি অদুগা অনিত্যনি । বন (জঙ্গল) অমতদা হৌনিন্নরবসু শীংনাওদগী শীংনাংগী নশিংগা থেন্নবদুগুম্না প্রকৃতিসু পুরুষদগী থেন্নৈ ॥ ১২॥

হৈবোংগা হৈবোংন্থুগী মক্তংদা লৈবা ভীলগা তোঙাল্ তানবদুগুম্না, হায়বদি ভীল্‌শিং অদুনা হৈবোং মন্থুংদা লৈরবসু হৈবোং অদুনা নপ্‌শিন্‌খিদুনা মশা অমত ওই মিন্নখিদে । প্রমাণ অমদা অমুক হায়রগা ঈশিং মন্থুংদা ঙা লৈ । অদুবু ঙা অদু ঈশিংদা নপ্‌শিন্‌খিদুনা মশা অমত ওই মিন্নখিদে । ঈশিংনা ঈশিং ঙানা ঙা ওইদুনা তোঙাল্ তোঙাল্ অদুম্ লৈমিন্নৈ ॥ ১৩— ১৪॥ *

* নিংথৌ ! মৈ না অতোপ্প পোশক্ অমনি । মৈথক্ত থাংগৎলিবা লৈপাক্কী চকুনা পোশক্ অমন অনীমক্কী মরক্ত লৈরিবা ভেদ (তোঙানবা) অসি নিত্যনি । চকুদুনা থেংব শোক্‌পদা মৈদা করিগুম্বা দোষ অমত লৈতে ॥ ১৫॥

ঈশিংনা শাংপা থম্বাল্না অমনি ঈশিং না অমনি । ঈশিং থেংবা শোক্‌পদা থম্বাল্ চোক্তে অসুম্না প্রকৃতিগা পুরুষগা লৈমিন্নৈ ॥ ১৬॥

সাধারণ ওইবা মীনা তৌনরিবপুম্বসি উনা উনা থল্লুদে । প্রকৃতিগা পুরুষগা লৈনরিবা মও অসি অম ওই-নালৌই । তোঙান্দে মশা অমতনি হায়না লৌই, অসিগুম্বা মথোয়গী মীৎয়েং অমদি রাথল অদো লাল্লবনি । শিব

---

* সাংখ্য যোগীশিংনা পুরিবা রাথল অসি মশানা অদুম ত জংবা য়োনীভণ্ডায় লৈত্রবা রাকমনি । মৈ ঈশিং মুংশিং আকাশ, লৈপাক্ মত্তাঅসি তোঙাল থোঙাল্‌বনি হ য়বাস কম হন্না হায়খ্রে । লৈপাক্কুন থম্বাল ওইবগা মনমঙ্ অম ওইনা তৌই । মাদু লৈপাক্কী মনমগী বিকারনি । ঈশিংগীনা রসনি লৈ াক্ (থম্বাল) গীনা গন্ধনি । মরম লৈনদে । (কালাচাঁদ)

সাংখ্যদর্শনমেতত্তে পরিসংখ্যানমুত্তমম্। এবং হি পরিসংখ্যায় সাংখ্যাঃ কেবলতাং গতাঃ ॥১৯॥

যে ত্বন্যে তত্ত্বকুশলাস্তেষামেতন্নিদর্শনম্। অতঃ পরং প্রবক্ষ্যামি যোগানামনুদর্শনম্ ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি যাজ্ঞবল্ক্য-জনকসংবাদে দশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১০॥

——:(ঃ):——

লৈতবা পুরুষবু অশিবা প্রকৃতিগা অমতনি খল্লিব মী অছু নরকগামী ওইরগদবনি ॥১৭—১৮॥ ঐনা নঙোন্দ সাখ্যযোগগীতত্ত্ব অসিহায়রবনি। সাংখ্যশস্ত্রেগী বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা অসুম্না খঙ্‌হুনা কৈবল্যবু ফংখি ॥১৯॥

অবোপ অতোপ্পা তত্ত্ববিচারদা হৈশিংলবা মখোয়গী মতম্ব অসিনি। অসিগী তুংদা ঐ হৌজিক্ যোগীশিংগী শাস্ত্রগী তত্ত্ব অছু হায়বগে ॥২০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা যাজ্ঞবল্ক্য-জনক সংবাদগী চহুমগা তরাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১০॥

——:(ঃ):——

মণিপুরী মহাভারত

একাদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(যোগধর্ম্ম তাকপা মতাং)

চহুমতরামাথোইশুবা অধ্যায়

——:(ঃ):——

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

সাংখ্যজ্ঞানং ময়া প্রোক্তং যোগজ্ঞানং নিবোধ মে। যথা শ্রুতং যথা দৃষ্টং তত্ত্বেন নৃপসত্তম ॥১॥

নাস্তি সাংখ্যসমং জ্ঞানং নাস্তি যোগসমং বলম্। তাবুভাবেকচর্য্যৌ তাবুভাবনিধনৌ স্মৃতৌ ॥২॥

যাজ্ঞবল্ক্যনাহায় নিংথৌঅথোইবা! সাখ্যজ্ঞানগী মরমদদি নঙোন্দ হায়রে। হৌজিক্তি, ঐনা চংনা চানা তাখিবহুগী মতুংইনা যোগশাস্ত্রগী মরম অছু ঐঙোন্দগী তারো ॥১॥ সাংখ্যগীমাল্লবা অতৈজ্ঞান অমলৈত্রে, যোগগা মান্নবা পঙল্ অতৈ অম লৈত্রে। অনীমক্কী পান্দক্কম মশা অমতনি। অনীমক্ মৃত্যুবু তাকথোক্লবা লম্বী (উপায়) মক্কনি ॥২॥

পৃথক্ পৃথক্ প্রপশ্যন্তি যেঽল্পাবুদ্ধিরতা নরাঃ। বয়ং তু রাজন্ পশ্যাম একমেব তু নিশ্চয়াৎ ॥৩॥
যদেব যোগাঃ পশ্যন্তি তৎ সাংখ্যৈরপি দৃশ্যতে। একং সাংখ্যং চ যোগং চ যঃ পশ্যতি স তত্ত্ববিৎ ॥৪॥
রুদ্রপ্রধানানপরান্ বিদ্ধি যোগানরিন্দমঃ। তেনৈব চাথ দেহেন বিচরন্তি দিশো দশ ॥৫॥
যাবদ্ধি প্রসয়স্তাত সূক্ষ্মণাষ্টগুণেন হ। যোগেন লোকান্ বিচরন্ সুখং সন্ন্যস্য চানঘ ॥৬॥

নিংথৌ। জ্ঞান তাদবা মীনা যোগগা সাংখ্যগা অনী অসিবু তোঙাল্ তোঙাল্লি হায়না থল্লি অচুগা ঐথোয়দি অনি অসি অমতনি, হায়না নিশ্চয় তৌরে (লেপ্পরে) ॥৩॥ যোগীশিংনা সাক্ষাৎকার তৌরিবা (উরিবা ফংলিবা) পোশক্ অচু সাংখ্যযোগীশিংসু অচুম্ মফংঙি। মরম্ অচু সাংখ্যগা যোগগা অনীবু অমতনি হায়না উরিবা খল্লিবচু তত্ত্বজ্ঞানীনি। ঐঙোন্দগী হেন্নকবা পোশক্ অমত লৈত্রে হায়বসি অচু-গুম্বা তত্ত্বজ্ঞানী অচুনা মশানা খঙচুনা থম্মি ॥৪॥ *

য়েক্লবা ওম্বা নিংথৌ। যোগসাধনশিংগী মমুংদা রুদ্রনা, হায়বদি— প্রাণবায়ুনা খ্বাইদগী মরুনি। মখোয়সিবু নহাক্না অথোইবনি হায়না খঙচু। প্রাণবায়ুবু মখা পোলহন্নবা যোগী অদুদি মফম পুন্নমক্তা পুমম্নো য়ৌবা ঙম্মি ॥৫॥
পাপকী শরক্ য়াওদ্রবা নিংথৌ। মৃত্যু হায়বচুনা লাকত্রিবা কাওবা যোগীনা যোগগী পান্থনা মপান্গী অচৌবা হকচাংসিবু থাদোক্তুনা সূক্ষ্মশরীর (পীক্লবা হকচাং) পুচুনা লোক লোকান্তর পুন্নমক্তা কোয়ম্নো য়ৌবা ঙম্মি। মফম পুম্নমা কোয়চৎ চৎলি ॥৬॥

---

* হায়রিবসি নাপলগী রা নত্তে। তাইবংমীগী মপোক্তা পোক্লে। পুরুষ প্রকৃতি অনীগী মরক্তা লৈন-রিবা মওং, কায়নবা তিম্নবগী তত্ত্ব, ফংবা ফংদবগী রা, ঐগী মীগী খন্নরিবসি মরম লোইনা লেপ্নচুনা লৈরে। অচুনদি ঐগী করি রাংলি, ঐঙোন্দা লোইনা লৈরে। লৈরিবসিমকসু কনাগীনো হায়বা লোইনা খঙলে। অসিনচিংবসি মুন্না লেপ্নচুনা ঐনা নাপল্ তৌদোরিবসি কনাগী মাওদনো? মীগী মপোৎ পান্মুক্লগদৌরিবসি করিগীনো? অসিনচিংবসি খঙজচুনা মশাদা লাকদবা কাম, ক্রোধ, লোভ, মোহ পুন্নমকসি থাদোক্নবগী থাঙ্গৎশেংবা, প্রত্যক্ষ ওইবা উপায়দি সাংখ্যযোগদা লৈরে, হায়না সাংখ্যযোগী অসিনা হায়জবনি। অদুনা মহাক্না হায়রিবা— "ঐঙোন্দগী হেনবা কব পোশক অমতা লৈত্রে" অসি নাপল্গী রা নত্তে। অহোন্নচুম নাপল থাদোকপগী রানি। সাংখ্যযোগী অমনা হায়বদি, যোগী অমনা করিগী নাপল তৌগদৌরিবনো? ঐগী অসুক য়াম্না মমলয়াম্বা পোশকলৈরবদা মীগী পান্মুগদৌরিবসি করিগীনো হায়না মশানা মশাবু রারকচবনি। অসুম্না তত্ত্ব খঙনা মশাবু রারকচবসি সাংখ্যযোগীতনা ঙম্মি। সাংখ্যশাস্ত্র হায়বা অমা, কপিল ভগবান্না থনম্বগী উদ্দেশ্যসু মাসিতনি। অচুনা মফম অমদসু 'জ্ঞানগী মমুংদা সাংখ্যজ্ঞান, পাঙ্গলগী মমুংদা যোগগী পাঙ্গল" হায়না হায়রে। (কালাচাঁদ)

বেদেষু চাষ্টগুণিনং যোগমাহুর্মনীষিণঃ। সূক্ষ্মমষ্টগুণং প্রাহুর্নেতরং মুনিসত্তম ॥৭॥
দ্বিগুণং যোগকৃত্যং তু যোগানাং প্রাহুরুত্তমম্। সগুণং নির্গুণং চৈব যথা শাস্ত্রনিদর্শনম্ ॥৮॥
ধারণং চৈব মনসঃ প্রাণায়ামশ্চ পার্থিব। একাগ্রতা চ মনসঃ প্রাণায়াম স্তথৈব চ ॥৯॥
প্রাণায়ামো হি সগুণো নির্গুণং ধারয়েন্মনঃ। যদ্যদৃশ্যতি মুঞ্চন্ বৈ প্রাণান্ মৈথিলসত্তম ॥
বাতাধিক্যং ভবত্যেব তস্মাৎ তং ন সমাচয়েৎ ॥১ ॥
নিশায়াঃ প্রথমে যামে চোদনা দ্বাদশ স্মৃতাঃ। মধ্যে স্বপ্নাৎ পরে যামে দ্বাদশৈব তু চোদনাঃ ॥১১॥
তদেবমুপশান্তেন দান্তেনৈকান্তশীলিনা। আত্মারামেন বুদ্ধেন মোক্তব্যোঽত্মা ন সংশয়ঃ ॥১২॥
পঞ্চানামিন্দ্রিয়ানাং তু দোষানাক্ষিপ্য পঞ্চধা। শব্দং রূপং তথা স্পর্শং রসং গন্ধং তথৈব চ ॥১৩॥

নিংথৌ অথোইবা! মহাজ্ঞানীশিংনা অসুম্না হায়মে,—যোগ হায়বসি স্থূলযোগ (অচৌবা যোগ) হায়বা অমা, সূক্ষ্মযোগ (অপীকপা যোগ) হায়বা অমা— অনীনি। স্থূলযোগনা অনিমা, লঘিমা, গরিমা (পীকশিনবা, য়াংঙনবা, লুমহনবা) অসিনচিংবা সিদ্ধি মখল নিপাল্‌বু পী। সূক্ষ্মযোগদি যম, নিয়ম, আসন, প্রাণায়াম, প্রত্যাহার, ধারণা, ধ্যান, সমাধি গুণ নিপান প্রসিনা তিল্লি ॥৭॥

যোগসাধনগী উপায় ওইনা লৈরিবসু মরু ওইনা অনীতনি। সগুণ সাধন হায়বা অমা, নির্গুণসাধন হায়বা অমা। মাসি যোগশাস্ত্রগী নিয়মনি ॥৮॥

লৈপাক্কী মপু! বিশেষ ওইবা অরেপ্পা মফম অমদা থম্মোয় (পূক্নীং) বু লেঙদনা থম্ববু ধারণা কৌই অসিগুম্বা ধারণাসিগা লোয়নবা তৌরকপা প্রাণায়াম অদু সগুণ প্রাণায়ামনি। দেশ কাল অমত্তা য়েংদনা পূক্নীংবু সমাধিদা পুশিল্লকপত্থনা নির্গুণ প্রাণায়ামনি ॥৯॥

সগুণ প্রাণায়ামনা পূক্নীংবু নির্গুণ, হায়বদি বৃত্তি অমত' য়াওহন্দবা ওইহনবদা উপায় ওই। মিথিলা দেশগী কোকথক্কী মণি! পূরকনচিংবা প্রাণায়াম তৌরকপা মতমদা ব্রহ্মা বিষ্ণুনচিংবা অকক্কবা অকক্কবা দেবতা অমগী ধ্যান তৌন তৌনা প্রাণায়াম হেক তৌদ্রবদি সাধক মশাদা বায়ুরোগনচিংবা লাকই। অদুনা পূরক, কুম্ভক, রেচক প্রাণায়াম অহুম অসি দেবতা অমগী ধ্যান থক্ তৌয়োইদৌবনি ॥১০॥

অহিংগী অহানবা য়ুপক্ত প্রাণবায়ুবু পুননবগী (শীজিন্ননবগী) প্রেরণা (বিধি নিয়ম থৌইনশিন্) মখল তরানিথোইনি হায়নৈ। মধ্যরাত্রিদা অহিংগী প্রহর (য়ুথক) মরিগী মনুংদা লৈরিবা— মরক্কী য়ুথক অনীদা, হায়বদি— য়ুথক অনীতুগী মনুংদা তুমগদবনি। অদুগা অমুকহন্না অরোইবা প্রহরদা হায়রিবা প্রেরণা তরানীথোই অসি অভ্যাস তৌগদবনি ॥১১॥

মতৌ অসুম্না প্রাণায়ামগী পান্থৈনা পূক্নীংবু থুহুম চন্দুনা মথন্তা অচীকপদা লৈবা আত্মারাম (মশা মথন্তনা মশা মথন্তদা নুংঙাইজবা— পেঙ্গবা) ওইবা জ্ঞানীনা থুহুম চল্লবা পূক্নীং অদুবু পরমাত্মাদা চঞ্জহন্থিগদবনি। হয়রিবা বিষয় অসিদা চিংনমীংঙায় থক লৈত্রবনি ॥১২॥ মিথিলাগী নিংথৌ! শব্দ, স্পর্শ,

প্রতিকামপবর্গঞ্চ প্রতিসংহৃত্য মৈথিল। ইন্দ্রিয়গ্রামমখিলং মনস্যভিনিবেশ্য চ ॥১৪॥
মনস্তথৈবাহঙ্কারে প্রতিষ্ঠাপ্য নরাধিপ। অহঙ্কারং তথা বুদ্ধৌ বুদ্ধিঃ চ প্রকৃতাবপি ॥১৫॥
এবং হি পরিসংখ্যায় ততো ধ্যায়ন্তি কেবলম্। বিরজস্কমলং নিত্যমনন্তং শুদ্ধমব্রণম্ ॥১৬॥
তস্থুষ পুরুষং নিত্যমভেদ্যমজরামরম্। শাশ্বতং চাবয়ঞ্চৈব ঈশানং ব্রহ্ম চাব্যয়ম্ ॥১৭॥
যুক্তস্য তু মহারাজ লক্ষণান্য ধারয়। লক্ষণং তু প্রসাদস্য যথা তৃপ্তঃ সুখং স্বপেৎ ॥১৮॥
নির্ব্বাতে তু যথা দীপো জ্বলেৎ স্নেহসমন্বিতঃ। নিশ্চলোর্দ্ধশিখস্তাবৎ যুক্তমাহুর্মনীষিণঃ ॥১৯॥
পাষাণ ইব মেঘোত্থৈর্যথা বিন্দুভিরাহতঃ। নালং চালয়িতুং শক্যস্তথা যুক্তস্য লক্ষণম্ ॥২০॥

(শোকপদা অকন্‌বা অথোংপা, অঙৈংবা অশাবনাচিংবা হকচাংদা ফাওবা), রূপ (মশক মওং), রস (মহাও) গন্ধ (মনম) মখোয় মঙা অসি নাকোং ঊনশানাচিংবা ইন্দ্রিয় মঙাগী দোষ মঙানি। হায়রিবা দোষ মঙা অসি য়াব্রিবমথৈ লাপথোকহনগদবনি। দোষশিং অসিদা লূপখিগদবা অহুগা অহুগা বিষয়শুবু যংব্রবা ঈথক থকপা ঙাওবা অহুবু খিংলগা তপথহল্লবা ইন্দ্রিয়শিং অহুবু পূক্নীংদা লেঙহন্দনা থমগনি। নিংথৌ! অহুগী তুংদা পূক্নীংবু অহঙ্কারদা, অহঙ্কারবু বুদ্ধিদা, বুদ্ধবু প্রকৃতিদা থমগনি। অদুম তৌহুনা পুম্নমকসি চঙ্‌গ-চঙ্‌গদবা পুম্নমক চঙহন্‌থ্রগা (থূপাচিন্‌নথ্রগা) আশংবা যোগীশিংনা পরমাত্মাগী ধ্যান তৌনৈ। হায়ব্রিবা পরমাত্মা অসি অতৈ নত্তে— রজোগুণগী লেশমাত্র য়াওদ্রবা, মহুং মপান পুমলং লংথ্রবা মকৃত্রবা, নিত্য ওইবা, অহৌবা অরোইবা লৈতবা, মহুং মপান্ ঈশেং শেংবা কারিগুম্বা ছিদ্র (দোষ) অমত্তা লৈতবা, খাই-দগী তোঙাম্না রাংনা লৈথ্রবা, অচচ্ছেত্ত জীব পুম্নমক্কী থম্মোয়দা চঙহুনা লোইনা খুঙদোক্লিবা, হায়বদি— অন্তর্যামী ওইবা, লোকপা শিবা লৈতবা, কারিগুম্বা লোং অমতনা থুগাইবা থিনগাইবা মশক ওলহনবা য়ানবা, পুম্নমকপু রারক রাত্তোইবা, সৃষ্টিগী মমাংদগী অসুম্ অসুম্ লৈরক্লবা ব্রহ্ম অহুমক্নি ॥১৩—১৩॥

মহারাজ। হৌজিক্কী সমাধিগী থাক্তা য়োথ্রবা যোগীগী লক্ষণ (মওং খুদম) শিং অহু তাবো অরাম খৌরাংবা পুম্বা কোক্তুনা মপুংফানা লেনথ্রবা মীনা মখোক্ত মথুং হাই-হুমদনা, লেঙদনা তূমিন্ন তুমখিবগুম্না সমাধিদা যোগযুক্ত ওইহুনা লৈথ্রবা যোগী সাধক অহুগী থম্মোয়দা মতম পুম্বদা প্রসন্নতা (অপেনবা) হায়-বহুনা লেঙদনা লৈ। লৈরিনা অবস্থা অহুদগী অতেপ্পা অবস্থা অমদা অমুক লাক্নিংদে। মাহুমক্না মহাক্কী প্রসন্নতাগী চাউরবা লক্ষণ, খঙননীংঙাই ওইরবা খুদম— প্রমাণ অমনি ॥১৮॥

থাউনা মবুক থল্লা হাপ্লবা মুংশিং চঙদবা থাউমৈগী মৈরীনা হাই-হুমদনা চুমথ্রিং-চুম্না চাক্নুনা মথক্-লোমদা হাইগংতুনা লৈবহুগুম্না সমাধিদা লৈবা যোগীসু মওং অহুদা লৈ ॥১৯॥

নোংমদোম্বক্তগী থীকথরকপা নোংগী মরীক লিশিং লিশিংনা ফুবদা— শিলবদা চীঙনা করিমত্তা লেঙ-বিদবহুগুম্না, বাধাবিঘ্ন লিশিং লিশিংনা যোগী অমবু মহাক্না তৌরিবা যোগসাধন অহুদগী খুবৈ নাম্ম ফাওবা লেঙহনবা ঙমদে। মাসিমক্তসু যোগযুক্ত ওইরবা যোগী অমগী খুদম প্রমাণ অমনি ॥২০॥

শঙ্খদুন্দুভিনির্ঘোষৈর্বিবিধৈর্গীতবাদিতৈঃ। ক্রিয়মাণৈর্ন কম্পেত যুক্তস্যৈতন্নিদর্শনম্ ॥২১॥
তৈলপাত্রং যথা পূর্ণং করাভ্যাং গৃহ্য পুরুষঃ। সোপানমারুহেৎ ভীতস্তর্জ্যমানোঽসিপাণিভিঃ ॥২২॥
সংযতাত্মা ভয়াৎ তেষাং ন পাত্রাৎবিন্দুমুৎসৃজেৎ। তথৈবোত্তরমাগম্য একাগ্রমনস স্তথা ॥২৩॥
স্থিরত্বাদিন্দ্রিয়াণাং তু নিশ্চলত্বাত্তথৈব চ। এবং যুক্তস্য তু মুনের্লক্ষণান্যুপলক্ষয়েৎ ॥২৪॥
স্বযুক্তঃ পশ্যতে ব্রহ্ম যৎ তৎ পরমমব্যয়ম্। মহতস্তমসো মধ্যে স্থিতং জ্বলনসন্নিভম্ ॥২৫॥
এতেন কেবলং যাতি ত্যক্ত্বা দেহমসাক্ষিকম্। কালেন মহতা রাজন্ শ্রুতিরেষা সনাতনী ॥২৬॥
এতদ্ধি যোগং যোগানাং কিমন্যৎ যোগলক্ষণম্। বিজ্ঞায় তদ্ধি মন্যন্তে কৃতকৃত্যা মনীষিণঃ ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
যাজ্ঞবল্ক্য জনকসংবাদে একাদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১১॥

——:(*):——

মহাক্কী মনাক্তা মোউবুং কয় কয়াগী, পুংজাও কয়া কয়াগী মখোম্ম নিল্লরবস্থু, পুং ঈশৈ যন্ত্র কয়া কয়াগী মখোলগা লোয়ননা শক লাউরবস্থু মাত্থুনা মহাক্কী যোগসাধনবু ধ্যানবু কায়হনবা লেঙহনবা ঙমদে। মাসিনা কল্লবা য়ৌশিন্‌গ্রবা সমাধিগী খুদম প্রমাণ অমনি ॥২১॥

নপুক্লীং চোইদবা য়াম্না চোকশিন্‌বা মীনা, থাউনা থল্লা হাপ্লবা তেজোং অমবু মখুংনা পায়রগা সিড়ি মথক্তা মথং মথং কাখৎপা মতমদা, থাউ মরীক অমা ফাওবা নীকথোকহন্দবহুগুম্না যোগগী অরাংবা থাক্ত কাগ্রবা যোগীনা পুক্লীংগী চঞ্চল ওইদবা তপথবা গুণবু অহুগা ইন্দ্রিয়শিং লেঙদনা লৈবা গুণবু মরীক অমা ফাওবা চোইথোকহন্দে। মাসিমস্থু যোগসিদ্ধ ওইরবা যোগীগী যোগসিদ্ধ ওইবগী খুদম প্রমাণ অমনি ॥২২—২৪॥

নিয়ম বিধি চুম্না সমাধিদা লৈগ্রবা যোগী অহুদি য়াম্না মমৃগ্রবা মফমদা মৈরী থোক্না চাক্লক্পা মৈনা মথল্লা পূম্‌ভান্ ভান্না লৈবহুগুম্না— মহাক্কী হৃদয় কন্দরদা, হায়বদি— মমৃগ্রবা থম্মোয়-গুফা মহুংদা পূম্নং শংলবা জ্ঞানগী মশক ওইবা ব্রহ্মগী সাক্ষাৎকার তৌই। হায়বদি জ্যোতির্ময় ব্রহ্মবু উবা ফংঙি ॥২৫॥

নিংথৌ! সাধনা অসিগী পাম্বৈনা সাধক ওইরিবা মী অহুনা মতম কুইনা সাধনা তৌরুরবা তুংদা চেক্তনা য়াওদবা অশিবা হকচাংসিবু থাদোক্লমহুনা, হায়বদি— মায়াপ্রকৃতিবু থাদোক্লমহুনা পরংব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংঙি। হায়রিবসি সাধারণ ওইবা কুইরবা লেঙগ্রবা শ্রুতিনি ॥২৬॥

মাসিনি যোগীশিংগী যোগ সাধন অমদি সাধনা অহুগী মহৈ (পরিণাম) হায়ববু। মাসি নত্তনা যোগগী লক্ষণ হায়বহু অতৈ করি অমমুক ওইগদগে? মাসিবু পাঙথোক্লবা জ্ঞানী যোগী অহুনা তাইবংমী ওইনা পোকপগী মহৈ য়ানবনি হায়না লৌই ॥২৭॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মদা যাজ্ঞবল্ক্য-জনক সংবাদগী চহুমগা তরামাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১১॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(তোঙান্ তোঙানুব হকচাং কায়াত্তগী প্রাণবায়ুনা থোকৃথিবগী মহৈ)

চহুমগা তরানীথোইশুবা অধ্যায়

—— :(০): ——

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

তথৈবোৎক্রমমাণং তু শৃণুষ্বাবহিতো নৃপ। পদ্ভ্যামুৎক্রমমাণস্য বৈষ্ণবং স্থানমুচ্যতে ॥১॥

জঙ্ঘাভ্যাং তু বসূন্‌দেবানাপ্নুয়াদিতি নঃ শ্রুতম্। জানুভ্যাং চ মহাভাগান্ সাধ্যান্ দেবানবাপ্নুয়াৎ ॥২॥

পায়ুনোৎক্রমমাণস্তু মৈত্রং স্থানমবাপ্নুয়াৎ। পৃথিবীং জঘনেনাথ উরুভ্যাং চ প্রজাপতিম্ ॥৩॥

পার্শ্বাভ্যাং মরুতো দেবান্ নাভ্যামিন্দ্রত্বমেব চ। বাহুভ্যামিন্দ্রমেবাহুরুরসা রুদ্রমেব চ ॥৪॥

গ্রীবয়া তু মুনিশ্রেষ্ঠং নরমাপ্নোত্যনুত্তমম্। বিশ্বেদেবান্ মুখেনাথ দিশঃ শ্রোত্রেণ চাপ্নুয়াৎ ॥৫॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— নিংথৌ! আত্মানা দেহসিবু থাদোক্লুনা চৎপা মতমদা প্রাণবায়ু অসিনা অতুম অতুম্ ওইবা হকচাং কায়াত্তগী থোকথিবহুগী মতুংইন্না আত্মানা কংঙ, কংঙুবা, চঙ, চঙুবা মফম (ধাম) অহু ঐ মথং মথং হায়রক্নে মুন্না তাও। খোঙ অনীদগী প্রাণবায়ুনা থোক্‌প্রবদি মী মহাক অহু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী ধামবু কংভি ॥১॥

অন্তকালগী মতমদা প্রাণবায়ুনা কৈগল্লোমদগী থোকপ্রবদি মী মহাক অহু বসুদেবতাগী ধামদা চৎথি। অসুম হায়মা ঐথোয়না পরম্পরাদগী তায়। খুকউ অনীদগী থোকপ্রবদি মী মহাক অহু লাইবক ফরবা সাধ্য-দেবতাশিংগী লোক (ধাম) তায় চৎথি ॥২॥

প্রাণবায়ুনা গুহ্যদ্বার (অমাংবা থোককমথোঙ দগী থোকপ্রবদি অহুগা থোক্‌প্রগা মথক্লোমদা লাইগৎপ্রবদি মী মহাক (মহাকী আত্মা) অহু মিত্রদেবতাগী লোক (ধাম) তায়না চৎথি। খাংগী মাঙগী মথকথংবা শরুক্তা থোকপ্রবদি পৃথ্বীলোকতা, অহুগা কৈগল্লোমদগী চৎপ্রগা প্রজাপতিলোকতা চৎথি ॥৩॥

নাক্‌থং (নাকল্) অনীদগী চৎপ্রবদি মরুৎ কৌবা দেবতাগী লোকতা, খোয়দোংদগী থোকপ্রগা ইন্দ্রগী ধামদা, পাম্বোন অনীদগী থোকপ্রবসু ইন্দ্রপদগী ধামদা, অহুগা থবাক্তগী থোকপ্রগা রুদ্রলোকতা চৎথি ॥৪॥

খৌরীচরমদগী থোকপ্রবদি ঋষি পুরুষত্তগী অথোইবা নরগী অথোইবা ধামদা চৎথি। চীল্লোমদগী হায়বদি য়ারোমদগী প্রাণবায়ুসিনা থোকপ্রবদি বিশ্বে দেবতাশিংগী ধামদা মী মহাক অহুনা চৎথি। নাকোং অনীমত্তগী

ঘ্রাণেন গন্ধবহনং নেত্রাভ্যামগ্নিমেব চ। ভ্রূভ্যাং চৈবাশ্বিনৌ দেবৌ ললাটেন পিতৃ্নথ ॥৬॥
ব্রাহ্মণমাপ্নোতি বিভুং মূর্ধ্না দেবাগ্রজং তথা। এতান্যুৎক্রমমাণস্থানান্যুক্তানি মিথিলেশ্বর ॥৭॥
অরিষ্টানি প্রবক্ষ্যামি বিহিতানি মনীষিভিঃ। সংবৎসরবিয়োগস্য সম্ভবন্তি শরীরিণঃ ॥৮॥
যোঽরুন্ধতীং ন পশ্যেত দৃষ্টপূর্ব্বাং সদাচন। তথৈব ধ্রুবমিত্যাহুঃ পূর্ণেন্দু দীপমেব চ ॥৯॥
খণ্ডাভাসং দক্ষিণত তেঽপি সংবৎসরায়ুষঃ। পরচক্ষুষি চাত্মানং যেন পশ্যন্তি পার্থিব ॥১০॥
আত্মচ্ছায়াকৃতীভূতং তেঽপি সংবৎবরায়ুষঃ। অতিদ্যুতিরতিপ্রজ্ঞা অপ্রজ্ঞা চাদ্যুতিস্তথা ॥১১॥
প্রকৃতেবিক্রিয়াপত্তিঃ যন্মাসান্মৃত্যুলক্ষণম্। দৈবতান্যবজানাতি ব্রাহ্মণৈশ্চ বিরুধ্যতে ॥১২॥

থোক্‌প্রগা দিশ (মায়কৈ) পূম্বগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ওইরিবী— অধিষ্ঠাত্রী দেবীগী থাম— লোকদা চৎখি ॥৫॥

নাতোন অনীদগী থোক্‌প্রগা বায়ুদেবতাগী ধামদা, মীৎ অনীদগী থোকপ্রগা অগ্নিদেবগী ধামদা, পীশূম্ অনীদগী থোকপ্রগা অশ্বিনীকুমারগী ধামদা, লাইবক্লোমদগী থোকপ্রগা পিতৃলোককী ধামদা চৎখি (থাম অহু কংগুই) ॥৬॥

কোক্‌লোমদা মুংশাশোরবু থাদোকপ্রবদি দেবতাশিংগী খ্বাইগী অহল, খ্বাইদগী ঈহান্ হান্না পোকখিবা ভগবান্ ব্রহ্মাজীগী ধামদা চৎখি। মিথিলাদেশকী মপু। প্রাণবায়ুশিংগী থোকখিবগী থোঙশিং অহুগা থোকখি থোকখিবহুগী মতুংইন্না কংখিবা ধামশিংগী মরমদা ঐনা হায়রবনি ॥৭॥

জ্ঞানীশিংনা হায়রম্বা তাকপিরম্বহুগী মতুংইন্না অমঙ্গল ওইবগী, হায়বদি— মৃত্যু (শিবা) গী খুদম প্রমাণ পূম্নমক অহু মথং মথং হায়রগে। হান্নরিবা খুদম প্রমাণশিং অসি মৃত্যু লাকদবা (শিগদবা) চহী অমা রাৎলি-ভৈগী মমাংদগী থর থর লাকপা হৌই ॥৮॥

মমাংভৈদগী মহাক্ত উরকপা অরুন্ধতীবু অহুগা ধ্রুবতারাবু লৈনা লৈনা উরক্‌ত্রবা, অহুগা পুর্ণিমা থাগী মকোয়বু অহুগা থাউমৈগী মৈরীবু য়েৎলোমগী শরাক্ খরা খণ্ডিত ওইনা হায়বদি— কক্‌খিবা কেন্‌খিরা ওইনা উরবদি, মী মহাক অহুগী পুন্সিগী অরোইবা হুমিৎ লাকদবা চহী অমতা মণ্ডায়রে ॥৯॥

লৈপাক্কী মপু। নিংথৌ। অহুগুম্বা মী অহুনা মহাক্কী মমিথু অতোপ্পা অমগী মীৎলুদা ভাবহু মশানা উরক্‌ত্রবা মহাক অহুগী অরোইবা হুমিৎ লাকদবা চহী অমতা মণ্ডায়রে হায়বসি খণ্ডগদবনি ॥১০॥

লৈপাক্কী মপু। মশক্ মচু, কুচু-কুমেন্ য়ান্না থোক্লম্বা মীগী কুচু কুমেন্ মক্‌শিল্লক্লবা, মবুদ্ধি করম্বা মীহুগী বুদ্ধিনা হম্থরক্লব—চোইরক্লবা অহুগা মহাক্কী স্বভাবতা মওং অমা তৌরক্লবা অহুগুম্বা মী অহুগী পুন্সিগী অরোইব হুমিৎ লাকদবা থা তরুক্লোমদা মণ্ডায়রে ॥১১॥

মচু মুরবম্থ তাইকেৎ তাইবা, মওং মচু অমা লাক্লবা অহুগুম্বা মী, দেবতাশিংবু থওই-উশিংলকত্রবা, দেবমন্দিরগী মূর্ত্তিগা অত্যাচার তৌবা মী, মশাগী স্বার্থগীদমক ব্রাহ্মণশিং বৈরীভাব থম্মবা মী মহাকহু থা তরুক মণ্ডায়রে লৈগদবা, অসিদগী নোংমতা পম্থবা য়াদে ॥১২॥

কৃষ্ণচ্ছায়াবচ্ছবিচ্ছায়ঃ ষণ্মাসান্মৃত্যুলক্ষণম্। ঊর্ণনাভের্যথা চক্রং ছিদ্রং সোমং প্রপশ্যতি ॥১৩॥
তথৈব চ সহস্রাংশুং সপ্তরাত্রেণ মৃত্যুভাক্। শবগন্ধমুপাঘ্রাতি সুরভিং প্রাপ্য যো নরঃ ॥১৪॥
দেবতায়নস্থস্তু সপ্তরাত্রেণ মৃত্যুভাক্। কর্ণনাসাবনমনং দন্তদৃষ্টি বিরাগিতা ॥১৫॥
সংজ্ঞালোপো নিরূষ্মত্বং সদ্যোমৃত্যুনিদর্শনম্। অকস্মাচ্চ স্রবেৎ যস্য বামমক্ষি নরাধিপ ॥১৬॥
মূর্দ্ধতশ্চোৎপতেৎ ধূমঃ সদ্যোমৃত্যুনিদর্শনম। এতাবন্তি ত্বরিষ্টানি বিদিত্বা মানবোঽত্মবান্ ॥১৭॥
নিশি চাহনি চাত্মানং যোজয়েৎ পরমাত্মনি। প্রতীক্ষমাণস্তৎকালং যৎকালং প্রেততা ভবেৎ ॥১৮॥
অথাস্য নেষ্টং মরণং স্থাতুমিচ্ছেদিমাং ক্রিয়াম্। সর্ব্বগন্ধান্ রসাংশ্চৈব ধারয়িত নরাধিপ ॥১৯॥
স সাংখ্যধারণঞ্চৈব বিদিত্বাত্মা নরর্ষভ। জয়েচ্চ মৃত্যুযোগেন তৎপরেনান্তরাত্মনা ॥২০॥
গচ্ছেৎপ্রাপ্যাক্ষয়ং কৃৎস্নমজন্ম শিবমব্যয়ম্। শাশ্বতং স্থানমচলং দুষ্প্রাপমকৃতাত্মভিঃ ॥২১॥

নুমিৎ থা অনীগী মকোয়বু মিরাংগী মতৌগুম্না উরবা মী মহাক অদুদি উবা নুমিৎ অদুদগী অহিং তংরৎকী মনুংদা মৃত্যুদগা ফংগনি, শোয়দনা শিগনি ॥১৩॥

দেব মন্দিরদা ফম্না ফম্না মন্দিরদগী লৈরিবা মনম নুংশিরবা লৈ-শং ধূপ-দীপনচিংবগী মনম্ব অশিবা অপুম্বগী নমথীরবা মনমগুম্না নম্নবদি মী মহাক অদু মাহুগী নুমিৎকী তরেৎনিদা শোয়দনা শি ॥১৪॥

নিংথৌ। নাতোল্ নাকোং পৈরক্-খোয়রক্লবা, য়াগা মীৎকা অনীগী মচু নাপু মচু মান্না শাম্মক্লবা হকচাং পূম্বা খঙহৌদনা খংঈং ঈংথরক্লবা, ওয়থংমা মীত্তগী লঙহৌদনা পি ত্রো ত্রো তারক্লবা, মকোক্ লরাই লেম্ফুদগী উফুল মৈখুগুম্বগী মরী কারক্লবা মী অদুদি খুদক অদুদা অহুম শি। পুন্নমক অসি মৃত্যু কৌবী মহাত্মা লাকপগী প্রমাণ খুদম ওাক্তনি ॥১৫—১৬॥

অদুগীদমক্তা অসগুম্বা খুদম হেক্ উবা মতমদা পুক্নীং তয়াং তশোইনদনা, পুক্নীং লাকৃশিন্দুনা ঈপা পাখত্তনা পরমাত্মাগী ধ্যান তৌদুনা মৃত্যু অদু লাকপা ওাইদুনা লৈগনি ॥১৭—১৮॥

নিংথৌ। হৌজিক হৌজিকমক শিনিংত্রিবা, জগৎ অসিদা লৈবসি খরা চোম্দুনা লৈনীংহল্লিবা মী মহাক অদুদি সাধনা অসি তৌবা তাই। মথক্তা হায়খ্রিবা রীতি-বিধি অদুগী মতুংইন্না মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চভূত ওইরক্লিবা হকচাং অদু নীংশিংদুনা রূপ রস গন্ধনচিংবা পঞ্চভূতকী বিষয়শিং অসিবু মশাগী খুদম মথাদা থমগদবনি ॥১৯॥

নিংথৌ। সাংখ্য অমদি যোগগী মতু ইন্না ধ্যান তৌদুনা আত্মতত্বগী জ্ঞান ফংদুনা ধ্যান যোগ অদুগী পাঙ্গৈনা অন্তরাত্মাবু পরমাত্মাদা তিলহল্লবা অদুগুম্বা যোগী অদুদি মৃত্যুবু জয় তৌবা ওম্মি ॥২০॥

অদুম্ তৌরবদি মহাক সনাতন-পদবী (অমাও অতা লৈত্রবা পুক্ত) বু ফংঙি। অদুগুম্বা মফম অদুদি মবুক্চেল্ শেংদবা মীনা ফংবদা য়ারবা, অমাও অতা লৈত্রবা লেঙত্রবা, মশক হোংবা লৈত্রবা, মহা মঙ্গলগী মশক ওইরবা পরব্রহ্ম মাগী লৈফমনি ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
যাজ্ঞবল্ক্য-জনক-সংবাদে দ্বাদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১২॥

—— ঃ(+)ঃ——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা,
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, যাজ্ঞবল্ক্য-জনক-সংবাদদা চহুমগাতরানীথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১২॥

——ঃ(+)ঃ——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রয়োদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(যাজ্ঞবল্ক্য মশামক্তা সূর্য্যদেবদগী বেদজ্ঞান ফংবা)

চহুমতরাহুমদোইশুবা অধ্যায়

——ঃ(৫)ঃ——

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ ।

অব্যক্তস্থং পরং যৎ তৎ পৃষ্টস্তেঽহং নরাধিপ। পরং গুহ্যমিমং প্রশ্নং শৃণুষ্বাবহিতো নৃপ ॥১॥

যথাঽর্ষেণেহ বিধিনা চরতাবনতেন হ। ময়াঽদিত্যাদবাবপ্তানি যজূংষি মিথিলাধিপ ॥২॥

মহতা তপসা দেবস্তপিষ্ণুঃ সেবিতো ময়া। প্রীতেন চাহং বিভুনা সূর্য্যেণোক্তস্তদানঘ ॥৩॥

বরং বৃণীষ্ব বিপ্রর্ষে যদিষ্টং তে সুদুর্লভম্। তত্তে দাস্যামি প্রীতাত্মা মৎ প্রসাদো হি দুর্লভঃ ॥৪॥

যাজ্ঞবল্ক্যনাহায় ঃ—অব্যক্তগী মনুংদা লৈবা পরব্রহ্মগী মরমদা নংনা ঐঙোন্দা হংলিবা রাসে য়াম্ন কুপ্‌প্রবা থপ্‌প্রবারানি। মসিগী মরমদা ঐ হায়গে মুন্ন পুক্নীংচঙ্‌না তাও ॥৩॥ মিথিলা লৈবাককী মপু। মমাংঙৈদা ঐ শাস্ত্রগীবিধি মতুংইন্ন ব্রত উপাসনা পূস্ব তৌহুমা ভক্তিগা লোয়ননা ঈকোক্‌ লোম্ন সূর্য্য ভগবান্‌গী মকম্‌গী শুক্লযজুর্বেদগী মন্ত্র শিংবূ ফংখিবগী রাদো ঐ হায়ধরক্তে মুন্নতাও ॥২॥

নপাদা পাপকী শরুক করিমত্ত য়াওদ্রবা নিংথৌ! য়াম্না কুইরবা, মমাংঙৈগী রানি। ঐনা য়াম্ন অকন্‌বা তপস্যাতৌহুনা ভগবান্‌ সূর্য্যগী আরাধনা পূজা তৌই। মতম্‌ কুইনা চাদথক্তনা তপস্যা তৌরবা-তৌরবা সূর্য্যকেবনা মূর্ত্তি ওইনা চোংথোরক্তনা ঐঙোন্দা অসুম্না হায়খি ॥৩॥ ব্রহ্মর্ষি। নহাক্না অপাম্ব বর অমত্তং নিয়্। য়াম্ন অতাওবা ফংওমদবা পোং ওইরবস্থ ঐ মাহু নওোন্ন পীগে। মরমদি নংনা তৌরিব

ততঃ প্রণম্য শিরসা ময়োক্তস্তপতাং বরঃ। যজূংষি নোপযুক্তানি ক্ষিপ্রমিচ্ছামি বেদিতুম্ ॥৫॥
ততো মাং ভগবানাহ বিতরিষ্যামি তে দ্বিজ। সরস্বতীহ বাগ্‌ভূতা শরীরং তে প্রবেক্ষ্যতি ॥৬॥
ততো মামাহ ভগবানাস্যং স্বং বিবৃতং কুরু। বিবৃতং চ ততো মেঽস্যং প্রবিষ্টা সরস্বতী ॥৭॥
ততো বিদহ্যমানোঽহং প্রবিষ্টোঽম্ভস্তদানঘ। অবিজ্ঞানাদমর্ষাচ্চ ভাস্করস্য মহাত্মনঃ ॥৮॥
ততো বিদহ্যমানং মামুবাচ ভগবান্ রবিঃ। মুহূর্ত্তং সহ্যতাং দাহস্ততঃ শীতীভবিষ্যতি ॥৯॥
শীতীভূতং চ মাং দৃষ্ট্বা ভগবানাহ ভাস্কর। প্রতিষ্ঠাস্যতি তে বেদঃ সখিলঃ সোত্তরো দ্বিজ ॥১০॥
কৃৎস্নং শতপথঞ্চৈব প্রণেষ্যসি দ্বিজর্ষভ। তস্যান্তে চাপুনর্ভাবে বুদ্ধিস্তব ভবিষ্যতি ॥১১॥
প্রাপ্স্যসে চ যদিষ্টং তৎ সাংখ্যযোগেপ্সিতং পদম্। এতাবদুক্ত্বা ভগবানস্তমেবাভ্যবর্ত্তত ॥১২॥
ততোঽনুব্যাহৃতং শ্রুত্বা গতে দেবে বিভাবসৌ। গৃহমাগত্য সংহৃষ্টোঽচিন্তয়ন্ বৈ সরস্বতীম্ ॥১৩॥

ত স্যা অসে, ঐ ৎংঙ্গ্রে। ঐনা পেনবা, ঐনা চন্‌বব হায়বসিমকস্থ য়াম্না অতাঙ্‌বা অমনি ॥৪॥

মাহ্‌ত বদা ঐস্থ মংঙাইমনখ্রহ্‌না ঈকো'ক্‌ নোম্ন খুংমনী লোম্নহ্‌না সূর্য্যদেবদা অহুম্ন হায়জখি—প্রভু! সূর্য্যদেব? যজুর্ব্বেদগীমন্ত্র পুম্নমক্‌ তত্বগা লোয়ননা ফংজনীঙিঙ। ঙসি কাওবদা মাসি কনা অমতনস্থ শীজিন্নব্রি, কনা অমতগী কান্নবদস্থ লাকপ উনব্রি ॥৫॥ ঐগী য়াসি তাবদা ভগবান্ সূর্য্যদেবনা অহুম্ন হায়খি—কৈ, ব্রাহ্মণ! ঐ নঙোন্দ যজুর্ব্বেদগী মন্ত্র অমদি প্রযোগ তাক্কে। হৌজিক্‌ নং নম্না কাথোকউ—সরস্বতীদেবীনা নংগী হকচাং মুংদা চঙঙকনি। ঐস্থ সূর্য্যদেবনা হায়বমতুংইন্না য়া হেক কাথোক্‌পদা সরস্বতী দেবীনা ঐগী হকচাং মুংদা হেক্‌ চোংশিন্‌খি ॥৬—৭॥

পাপকী শক্তক য়াওদ্রবা! সরস্বতীদেবীনা ঐগী হকচাংমুংদা হেক্‌ লেঙশিন্‌খিবদা খাঙঙমদ্রবা মৈচাক্‌ (মৈশা) না ঐগী হকচাংগী মুংপাম্ পুম্নমক্‌ প্রোক্‌ প্রোক্‌ চাক্লক্কে। মহাত্মাভাস্কর (সূর্য্য) গী মতীক্‌মগুণবু খঙদ্রবদগী অহুগা ঐ ঈশাগী খাঙহৈবগী শক্তক্‌ য়াংপদগী মৈশাঅস্ত পুবদা ঐ খাঙ্‌বা ঙমক্ত্রে, যাম্ন য়ারক্কে ॥৮॥ ঐনা খাঙ্‌বা ঙম্‌দমখৈ প্রোক্‌ প্রোক্‌ চাক্‌শিল্লক্‌পত্থ উবদা ভগবান্ সূর্য্যদেবনা ঐঙোন্দ অহুম্না হায়খি—নংখাঙ্‌। পুংমুক্তং খাঙ্‌খো। অহুদগীদি পুমঈং ঈ থনি। ॥৯॥

ঙহ'ক্তং অয়াব খাঙ্‌লবতুদা. হায়গুম্মদনা ঐ পুমঈং ঈ থ্রে। ঐনা শাস্ত ওইরক্‌পত্থ উবদা ভগবান্ সূর্য্যদেবনা ঐঙোন্দ হায়রক্ই ব্রাহ্মণ! বেদ পুম্নমক্‌ অহুগা উপনিষদ পুম্নমকী জ্ঞান তত্বনা নংগী থম্মোয়দ্রুংদা মতম্ অমতদা পুম্ভাল্ ঙাম্না ফাওবনি। জ্ঞান পুম্নানংদোন্দা লেঙ্‌দনা লৈগনি ॥১০॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! বেদগী শাখা শতপথ পুম্নমক্‌ লোইনা নংনা লেংগদৌরি। অহুগী তুংদা নহাকী বুদ্ধি অহু মোক্ষগী লম্বীরোমদত মায়ওক্‌শিল্লকনি ॥১১॥ সাংখ্যাশস্ত্রহৈবশিং অহুগা যোগীশিংনা ফংনিংলিবা তাম্নবিবা মফম্ অদো মহাক্না শোয়দনা ফংগনি ॥ অসুম্না হায়রম্নবগা ভগবান্ সূর্য্যদেবদো অন্তর্ধান ওইখি ॥১২॥ ঐনা সূর্য্যদেবনা তাকপিরম্বদো শংশংনা তাহৌই সূর্য্যদেবনা লেঙপ্রবা তুংদা ঐস্থ ঐগী

ততঃ প্রবৃত্তাতিশুভা স্বরব্যঞ্জনভূষিতা। ওংকারমাদিতঃকৃত্বা মম দেবী সরস্বতী ॥১৪॥
ততোঽহমর্ঘ্যং বিধিবৎ সরস্বত্যৈ ন্যবেদয়ম্। তপতাং চ বরিষ্ঠায় নিষণ্ণস্তৎপরায়ণঃ ॥১৫॥
ততঃ শতপথং কৃৎস্নং সরহস্যং সসংগ্রহম্। চক্রে সপরিশেষং চ হর্ষেণ পরমেণ হ ॥১৬॥
কৃত্বা চাধ্যয়নং তেষাং শিষ্যানাং শতমুত্তমম্। বিপ্রিয়ার্থং সশিষ্যস্য মাতুলস্য মহাত্মন ॥১৭॥
ততঃ সশিষ্যেণ ময়া সূর্য্যেণেব গভস্তিভিঃ। ব্যস্তো যজ্ঞো মহারাজ পিতুস্তব মহাত্মনঃ ॥১৮॥
মিষতো দেবলস্যাপি ততোঽর্দ্ধং হৃতবানহম্ ॥১৯॥
সুমন্তুনা তু পৈলেন তথা জৈমিনিনা চ বৈ। পিত্রা তে মুনিভিশ্চৈব ততোঽহমনুমানিতঃ ॥২০॥
দশ পঞ্চ চ প্রাপ্তানি যজূংষ্যর্কান্ময়ানঘ। তথৈবরোমহর্ষেণ পুরাণমবধারিতম্ ॥২১॥
বীজমেতৎ পুরস্কৃত্য দেবীং চৈব সরস্বতীং। সূর্যস্যানুভাবেন প্রবৃত্তোঽহং নরাধিপ ॥২২॥

লৈকম্ তান্নগন্নুনা সরস্বতীদেবীগী আরাধনা তৌবা হৌই ॥১৩॥ ঐনা হেক্ নীঙ্শিংবদ মহামঙ্গলগী মশকওইবী সরস্বতীদেবী অসি স্বর ব্যঞ্জন ময়েক্ খোন্থোক্ খিবিক্লা লৈতেং ওইনা ওঙ্কারনা মূর্ত্তিনাইনা মাঙ্ওইননা ঐগী মাঙ্মক্তদা আবিভূত ওইখি (চোংথোরকই) ॥১৪॥

মতম্ অদুদা ঐনা সরস্বতীদেবী অদুগা সূর্য্যদেব অনীদা অর্ঘ্যদান তৌই (কচ্চনীঙবা হৈ-লৈ খরকচ্চে)। অদুদগী খুংলোম্নদুনা ধ্যানতৌই ॥১৫॥

মতম্ অদুদা ঐনা য়াম্ন হরাওনা রহস্য অদুগা সংগ্রহ গা লোয়ননা হায়বদি মনুংগী অথুপ্পা অদু লৌশিন্বায়াবা তত্ত্বমথৈগা লোয়ননা শতপথগী সংহিতা মন্ত্র পুম্নমক্ কংভি (চীন্দা অক্তুম্ মথং-মথং লাক্চরে) ॥১৬॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা ঐনা ঐগী ফরবা মতীক্ চারবা শিষ্য চামদা শতপথ পুম্নমক্ তম্বী। ঐবু মমাংঙৈদা তাথিনা তৌখিবা ঐগী মামগী মাঙ্দা লেম্নগে হায়বগী দমক্, নুমিৎনা মাগী কিরণ শিংগা লোয়ননা লাকপন্থুগুম্না ঐখোয়গী শিষ্যশিংদুগা লোয়ননা নহাক্কী পিতা মহাত্মা ওইরবা নিংথৌগী যজ্ঞ কম্মি ॥১৭—১৮॥

মতম অদুদা ঐগী মানদুনা য়াম্না হায়জবদগী ঐনা ঋষি দেবলগী মাঙমক্তদা বেদগী দক্ষিণাগী তংখাই অমা মামদা পী, তংখাই অমনা ঐনা লৌই ॥১৯॥

অদুগী তুংদা সুমন্ত, পৈল, জৈমিনি অদুগা নহাক্কী পিতা অদুগা অতৈ অতোপ্পা ঋষি মুনি পুম্নমক্না ঐবু য়াম্না সম্মান তৌবিখি (ঈকায় খুম্নবিখি) ॥২০॥

পাপকী শরূক্ য়াওদ্রবা নিংথৌ! মতৌ অসুম্না ঐনা সূর্য্যদেবদগী শুক্লযজুর্ব্বেদগী শাখা তরামঙা কংখি। মতৌ অসুম্না ঐনা সুতরোমহর্ষণদগী পুরাণ পুম্নমক তমখি ॥২১॥

নিংথৌ! অদুদগী ঐনা শাস্ত্র পুম্নমক্কী বীজ (মরু) প্রণব পু অদুগা সরস্বতী দেবীবু মাঙওইনা থমদুনা ভগবান্ সূর্য্যদেবগী কৃপাদগী শতপথবু রচনা তৌবা হৌই। অপূর্ব্ব (মমাংঙৈদা অমুক্ত খোকখিদ্রিবা)

কর্তুং শতপথ চেদমপূর্ব্বং চ কৃতং ময়া। যথাভিলষিতং মার্গং তথা তচ্চোপপাদিতম্ ॥২৩॥
শিষ্যাণামখিলং কৃৎস্নমনুজ্ঞাতং সসংগ্রহম্। সর্ব্বে চ শিষ্যাঃ শুচয়ো গতাঃ পরমহর্ষিতাঃ ॥২৪॥
শাখাপঞ্চদশেমাস্তু বিদ্যা ভাস্করদেশিতাঃ। প্রতিষ্ঠাপ্য যথাকামং বেদ্যং তদনুচিন্তয়ম্ ॥২৫॥
কিমত্র ব্রহ্মণ্যমৃতং কিং চ বেদ্যমনুত্তমম্। চিন্তয়ং স্তত্র চাগত্য গন্ধর্ব্বো মাম পৃচ্ছত ॥২৬॥
বিশ্বাবসু স্ততো রাজন্ বেদান্তজ্ঞানকোবিদঃ। চতুর্বিংশাং স্ততোঽপৃচ্ছৎ প্রশ্নান্ বেদস্য পার্থিব ॥২৭॥
পঞ্চবিংশতমং প্রশ্নং প্রপচ্ছান্বীক্ষিকীং তদা। বিশ্বাবিশ্বং তথাশ্বাশ্বং মিত্রং বরুণমেব চ ॥২৮॥
জ্ঞানং জ্ঞেনং তথা জ্ঞোঽজ্ঞঃ কস্তপা অতপাস্তথা। সূর্য্যাতি সূর্য্যং ইতি চ বিদ্যাবিদ্যে তথৈব চ ॥২৯॥
বেদ্যাবেদ্যং তথা রাজন্নচলং চলমেব চ। অপূর্ব্বমক্ষয়ং ক্ষয়্যমেতৎ প্রশ্নমনুত্তমম্ ॥৩০॥

গ্রন্থ অদুবু ঐনা মপুঙকানা ইখি। ঐনা পামজবা মোক্ষধর্ম্মগী মরমসু ঐনা মফম অসিদা, হায়বদি— শত পথদা হাপগ্রবনি ॥২২—২৩॥

অদুদগী ঐনা ঐগী শিষ্যশিংদা মনুংগী অকুপ্পা কর্ম্মতত্ত্বগা অদুগা লৌশিন্বা য়াবা য়ামথৈ হাপতুনা লোইনা তখিখি। ব্রহ্মচারীগী আশ্রমদা লৈদুনা লৈবা মপুং ফারবা ঐনা শিষ্যশিংবু ময়ুম ময়ুমদা 'হল্লো' হায়না য়াথং পীখি। মখোয় অদু য়াম্না হরাওনা অঙম্ অঙম্বা গুরুদক্ষিণা কৎলমদুনা ময়ুম ময়ুমদা হল্লখি। মতৌ অসুম্না সূর্য্যদেবনা তাকপিরম্বা পাউতাক অদুগী মতুংইন্না ঐনা শুক্লযজুর্ব্বেদবিদ্যাগী শাখা তরামঙা ৰুংদুনা, ঐ ঈশা ঈখন্তনা বেদ্যতত্ত্বগী মরমদা চিন্তা তৌবা (খন্‌বা) ৎহৌরকলে ॥২৪—২৫॥

নিংথৌ! নোংমা বেদান্তজ্ঞানদা চঙখোল্লবা বিশ্বাবসু কৌবা গন্ধর্ব্ব অমি ঐগী নাক্তা লাকৃখি। মহাক্না লাক্লিবত্তগী মরমদি— ব্রাহ্মণ হায়বা জাতি অসিগী খ্বাইদগী কান্নবসি করিনো, খ্বাইদগী চুম্বা, খ্বাইমক্তগী খঙকম থোকপা পোৎশক অসি করিনো অসিনচিংবসি হংগে হায়বগী দমক্নি। অদুনা মহাক্না হায়রিবা রাহংশিং অসি ঐঙোন্দা হংখি ॥২৬॥

নিংথৌ! অসিগী তুংদা মহাক্না বেদগী মরমদা রাহং কুম্মরি হংখি। অদুদগী আন্বীক্ষিকী বিদ্যাগী মরমদা রাহং কুমঙা হংখি। অহানবগী রাহং কুম্মরিনা অসিনি— বিশ্ব করিনো? অবিশ্ব করিনো? অশ্বা হায়বনা করিনো? অশ্ব করিনো? মিত্র হায়বসি করিনো? কনাবুনো? বরুণ হায়রিবা অসিনা করিনো? ॥২৭—২৮॥

জ্ঞান হায়বসি করিনো? জ্ঞেয় হায়বনা করিনো? জ্ঞাতা কনানো? করিনো? অজ্ঞনা করিনো? জ্ঞনা করিনো? কনানো? তপস্বী হায়বসি কনাবুনো? তপস্বী নত্তবনা করিনো? কনানো? সূর্য্যনা কনানো? অতিসূর্য্যনা কনানো? বিদ্যা হায়বনা করিনো? অবিদ্যা হায়বনা করিনো? ॥২৯॥

বেদ্যনা করিনো? অবেদ্যনা করিনো? চল (অচৎপা) হায়বনা করিনো? অচল (চত্তবা লেঙদবা) হায়বনা করিনো? অপূর্ব্ব (মমাংঙৈদা থক্ ওইখিদ্রবা) হায়বসিনা করিবুনো? অক্ষয় (অমাঙ অতা

তথোক্তশ্চ মহারাজ রাজা গন্ধর্ব্বসত্তমঃ। পৃষ্টবাননুপূর্ব্বেণ প্রশ্নমর্থবিদুত্তমম্ ॥৩১॥
মুহূর্ত্তমৃষ্যতাং তাবৎ তাবৎ যাবদেবং বিচিন্তয়ে। বাঢ়মিত্যেব কৃত্বা চ তূষ্ণীং গন্ধর্ব্ব আস্থিতঃ ॥৩২॥
ততোঽনুচিন্তয়মহং ভূয়ো দেবীং সরস্বতীম্। মনসা স চ মে প্রশ্নো দধো ঘৃতমিবোদ্ধৃতম্ ॥৩৩॥
অত্রোপনিষদং চৈব পরিশেষং চ পার্থিব। মথ্নামি মনসা তাত দৃষ্ট্বা চান্বীক্ষিকীং পরাম্ ॥৩৪॥
চতুর্থীং রাজশার্দূল বিদ্যৈষা সাম্পরায়িকী। উদীরিতা ময়া তুভ্যং পঞ্চবিংশাদধিষ্ঠিতা ॥৩৫॥
অথোক্তস্তু ময়া রাজন্ রাজা বিশ্বাবসুস্তদা। শ্রূয়তাং যৎ ভবানস্মান্ প্রশ্নং সংপৃষ্টবানিহ ॥৩৬॥
বিশ্বাবিশ্বেতি যদিদং গন্ধর্ব্বেণানুপৃচ্ছসি। বিশ্বাব্যক্তং পরং বিদ্যাৎ ভূতভব্যভয়ঙ্করম্ ॥৩৭॥

লৈতবা) হায়বসিনা করিনো? মাণ্ডখিগদবা মূখিগদবা হায়বসিনা করিনো? হংলিবশিংসে য়াম্না উত্তম ওইবা অফবা রাহংমক্তনিদো ॥৩০॥

মহারাজ! গন্ধর্ব্ব পুম্নমকী কোকী লৈতেং ওইবা বিশ্বাবসুগী রাহং ময়ামসি তাবদা ঐনা মঙোন্দা অসুম্না হায়খি,— গন্ধর্ব্বনিংথৌ! নঙাক্না কয় ফবা রাহংমক্ত হংলে। নিংথৌ! নহাক্কি অর্থ পুম্নমক খঙবিরবনি। ঙসাক্তং ঙাইবিখো, হংবিরিবশিংসে মথং মথং খুম্নবা ঐ অমুক্তা বিচার তৌখিগে। 'য়াম্না ফনি' অসুম্ হায়দুনা বিশ্বাবসু কৌবা গন্ধর্ব্বনিংথৌসি তূমিন্না ফমদুনা লৈ ॥৩১—৩২॥

মরক্ অদুদা ঐনা সরস্বতী দেবীবু ধ্যান তৌখি। মতম অদুদা দহী (শঙ্গোম মপাল্) দগী ঘী থোরকপা অদুগুম্না ঐগী পুক্নীংদা রাহংশিংদুগী পাউথুম মনম্ মনম্ থোরকই ॥৩৩॥

নিংথৌ! মতম অদুদা, মফমদুমক্তদা ঐনা উপনিষদ্ পুম্নমক্ অদুগা উপনিষদশিং অদুগী পরিশিষ্ট-ভাগ (লেমহৌবা মমৈগী শরুকশিং) অদুদা, অদুগ আন্বীক্ষিকী বিদ্যারোমদা— পুক্নীংতনা ভদুম থদুরবা, য়েংশিল্লুহনা মথে য়দুবু ঐনা মকোক্তগী মমৈ ফাওবা নৈব হৌরকই ॥৩৪॥

নিংথৌ অথোইবা! আন্বীক্ষিকা হায়বা বিদ্যাসে ত্রয়ীবিদ্যা, বার্ত্তা, দণ্ডনীতি হায়রিবা অহুমসিদগী তোঙান্না লৈবী মরিগুবী বিদ্যা অমনি। বিদ্যা অসি মোক্ষ (সংসারগী অরা-অনা, পোকপা-শিবদগী লান্থোক্লবগী সাধনাদা য়াম্না কান্নবা উপায় অমনি। বিদ্যা হায়বসিমক্তবু খণ্ডনবা কংনবগী খুংলায় হায়বত্তনি, ঐনা নিংথৌ নঙোন্দসু অমুক হায়গে, কুম্নভাগুবা তত্ত্ব ওইরিবা পুরুষ ভগবান্গী মরম ওইবী অদুগুম্বী বিদ্যানি। মাদু পুম্নমক্ত ঐনা বিশ্বাবসুগী মফমদা লোইনা অমুক নীখি ॥৩৫॥

নিংথৌ! ঐনা বিশ্বাবসুদা অসুম্না হায়খি, গন্ধর্ব্বনিংথৌ! নিংথৌ নহাক্না ঐঙোন্দা হংখিবা রাহং পুম্নমকী পাউথুম অদু মথং মথং তারো ॥৩৬॥

গন্ধর্ব্বনিংথৌ! নহাক্না অহান্বা বিশ্বা অরিশ্ব অসিনাচংবা প্রশ্নাবলী (রাহং পরেং) অম হংখিবদুগী পাউথুমশিং মথং মথং তাবিয়ু। বিশ্বা হায়বসি অব্যক্ত প্রকৃতিবু হায়বনি; অব্যক্ত প্রকৃতিগী মমিং অমনি। মাসিদি অচচ্চক্ত জীব পুম্নমকপু সংসারগী বন্ধন (অফা অপুন) দা থাদদুনা শাব্রবা ওইবী ওইবনা ভূত,

ত্রিগুণং গুণকর্ত্তৃত্বাদবিবিশ্ব নিষ্কল স্তথা। অশ্বশ্চাশ্বা চ মিথুনমেবমেবানুদৃশ্যতে ॥৩৮॥
অব্যক্তং প্রকৃতিং প্রাহুঃ পুরুষেতি চ নির্গুণম্। তথৈব মিত্রং পুরুষং বরুণং প্রকৃতিং তথা ॥৩৯॥
প্রকৃতি [illegible] হুজ্ঞেয়ং নিষ্কলমেব চ। অজ্ঞশ্চ জ্ঞশ্চ পুরুষস্তস্মান্নিষ্কলমুচ্যতে ॥৪০॥
কস্তপা অতপাঃ প্রোক্তাঃ কোঽসৌ পুরুষ উচ্যতে। তপাস্তু প্রকৃতিং প্রাহুরতপা নিষ্কলঃ স্মৃতঃ ॥৪১॥
সূর্য্যমব্যক্তমিত্যুক্তমতিসূর্য্যস্তু নিষ্কলঃ। অবিদ্যাপ্রকৃতির্জ্ঞেয়া বিদ্যা পুরুষ উচ্যতে ॥
তথৈবাবেদ্যমব্যক্তং বেদ্যঃ পুরুষ উচ্যতে। চলাচলমিতি প্রোক্তং ত্বয়া তদপি মে শৃণু ॥৪২॥
চলাং তু প্রকৃতিং প্রাহুঃ কারণং ক্ষয়সর্গয়োঃ। আক্ষেপসর্গয়োঃ কর্ত্তা নিশ্চলঃ পুরুষঃ স্মৃতঃ ॥৪৩॥

ভবিষ্যৎ কাল অহুম্মক্তা মহা অকিবগী মশবুনি। য়া অসি য়াম্না মুন্না চিংনবা লৈতনা খণ্ডজিন্দুনা থম্বিয়ু ॥৩৭॥

অহুগা বিশ্বা হায়না কৌবী প্রকৃতি অসি ত্রিগুণময়ীনি। সত্ত্ব রজ তম গুণ অহুমগী মশক ওইবা শান্নকম সংসার অসি মহাক্না শেম্বনি। মানা তৌরিবা থবক অসিদা কনা অম কাওব য়াওবিরুদ্রবা নিষ্কল ওইবা আত্মা অহুবুনা অবিশ্ব (বিশ্বা নত্তবা—বিশ্বাদা য়াওরুদ্রবা) কৌই। অশ্ব— অশ্বা অনীগী মিন্নবা মওংসু—অসিনি। অশ্বানা অব্যক্ত প্রকৃতিনি, অশ্বনা পুরুষনি ॥৩৮॥

অব্যক্ত প্রকৃতি অসি সগুণ (গুণনা তিন্বা) নি হায়নৈ। অহুগা পুরুষদি করিগুম্বা গুণ অমতনসু তিন্দবনি। অসুম তৌহুনা বরুণনা প্রকৃতি অহুগা মিত্রনা পুরুষনি ॥৩৯॥

জ্ঞান (ভৌতিক) হায়বা শব্দসিনা প্রকৃতিনি হায়না য়ান্নরে। অসুম তৌহুনা অজ্ঞ হায়বা অসিনা প্রকৃতিনি হায়না অহুগা পুরুষনা জ্ঞাতা হায়না অহুম খণ্ডনগদবনি ॥৪০॥

কঃ তপা অহুগা অতপা অহুম হায়না হৌবা য়াহং অসিগী বিষয়দা হায়গদবদি অসিনি,— ক হায়বা অসিমক্ পুরুষবু হায়রিবনি। অহুগা তপা হায়বসনা প্রকৃতিবুনি। অহুগা অতপা হায়বসিনা— নিষ্কল পুরুষদা থোন্বা মিংনি ॥৪১॥ *

অব্যক্ত প্রকৃতিবু সূর্য্য অহুগা নিষ্কল পুরুষবুনা অতিসূর্য্য কৌই। অবিদ্যা হায়রিবসিনা প্রকৃতিবু অহুগা বিদ্যা হায়রিবসিনা পুরুষবু হায়রিবনি হায়না খণ্ডগদবনি। মতৌ অসুম্না অবেদ্য হায়রগা অব্যক্ত প্রকৃতিবুনি, অহুগা বেদ্য হায়রগনা পুরুষবু হায়রিবনি হায়না খণ্ডগদবনি। অহুগা নিংথৌ! নহাক্কী চল অচলগী মরমদা হংবহুসু তাবিয়ু ॥৪২॥

সৃষ্টি সংহার (শেম্ব থুগাইবা) অনী কারণ (মরম—খুৎলায়) ওইরবী প্রকৃতিহুবু চলা কৌই। সৃষ্টি

---

* হায়রিবা শ্লোক মশা অসিমক্তদা কনাগুম্বনা থরা চিংননি। কঃ হায়বসি 'কনানো ?' হায়না অর্থ হন্দুনা অহংবা খণ্ডনবা য়ারেংগী মওংদা কনাগুম্বনা পুনিংবা য়াই। অহুবু প্রকৃতিগী অর্থ লৈরা "তপা" হায়বা অসিনা স্ত্রীলিঙ্গ ওইরবদি "কা তপা" হায়না হংগদবনি। য়াহং মশানা পাউথুম অহুম ওইহল্লি।
(কালাচাঁদ)

তথৈববেদ্যমব্যক্তমবেদ্যঃ পুরুষস্তথা। অজ্ঞাবুভৌ ধ্রুবৌ চৈবক্ষয়ৌ চাপ্যুভাবপি ॥৪৮॥
অজৌ নিত্যাবুভৌ প্রাহুরধ্যাত্মগতিনিশ্চয়াঃ ॥৪৫॥
অক্ষয়ত্বাৎ প্রজননে অজমত্রাহুরব্যয়ম্। অক্ষয়ং পুরুষং প্রাহুঃ ক্ষয়োহ্যস্য ন বিদ্যতে ॥৪৬॥
গুণক্ষয়ত্বাৎ প্রকৃতিং কর্তৃত্বাদক্ষয়ং বুধাঃ। এষা তেঽম্বীক্ষিকীবিদ্যা চতুর্থী সাম্পরায়িকী ॥৪৭॥
বিদ্যোপেতং ধনং কৃত্বা কর্ম্মণা নিত্য কর্ম্মনি। একান্তদর্শনা বেদাঃ সর্ব্বে বিশ্বাবসো স্মৃতাঃ ॥৪৮॥
জায়ন্তে চ ম্রিয়ন্তে চ যস্মিন্নেতে মতাশ্চ্যুতাঃ। বেদার্থং যে ন জানন্তি বেদ্যং গন্ধর্ব্বসত্তম ॥৪৯॥
স্যাঙ্গোপাঙ্গানপি যদি যশ্চ বেদানধীয়তে। বেদবেদ্যং ন জানীতে বেদভারবহো হি সঃ ॥৫০॥

সংহারগী কর্তাপুরুষ মশামকপুদি অচল (নিশ্চল) কৌই ॥৪৩॥

মতৌ অসুম্না অব্যক্ত প্রকৃতি অসি বেদ্যনি, হায়বদি— খঙবা উব য়াবা পোৎশক্তি, পুরুষনা অবেদ্য হায়বদি— খঙবা উবা য়াদবা পোৎশকনি। অধ্যাত্মতত্ত্বগী মরমদা য়াম্না কৃপ্না থিজিন্বা জ্ঞানীশিংনা হায়নবা হায়ববু পুরুষ প্রকৃতি অনীমক অজ্ঞ ওাক্তনি, অনীমক নিশ্চল (অচল—লেঙদবা) ওাক্তনি, অমীমক অক্ষয় ওাক্তনি, অনীমক অজন্মানি, নিত্যনি ॥৪৪—৪৫॥

হায়রিবা য়াকম অসিদা জ্ঞানীশিংনা পুথোক্লিবা অর্থদি পুরুষ অসি জন্মগ্রহণ তৌরবস্থ হায়বদি— পোকপা হায়বা ধর্ম অসি লৌরবস্থ অক্ষয় ওইবনা হায়বদি— অমাঙ অতা, তুমশিন্খিবা শিস্থখিবা লৈতবনা মহাকপু অজন্মা অবিনাশী অত্তুগা অক্ষয় কৌবনি। মরমদি— মহাক্কীদি ক্ষয় (মাংবা, তুম্বা) করিগুম্বা মতমদা ওইবা লৈতে ॥৪৬॥

গুণ হায়বসিমক্তবু মাঙথবা মুথবা নাইবনিনা গুণময়ী (গুণতগী মশক ওইবী) প্রকৃতিনিনা মহাকপু ক্ষয়শীল (ক্ষয় লোইবী) নি হায়বতনি। অত্তুগুম্বী প্রকৃতিবু মহাক্কী মথৌদা ঈথিল্লি হায়বগীদমক ঈথিল্লি-লিবা (প্রেরণা পীরিবা) পুরুষ মহাকপু অক্ষয় কৌবতনি। গন্ধর্ব্বনিংথৌ। আন্বীক্ষিকী বিদ্যাগী মরিগুবা য়াহং অমা নিংথৌ নহাক্কা হংবিখিধদো, মাত্থ ঐনা হায়ববনি ॥৪৭॥

বিশ্বাবস্থ নিংথৌ। আন্বীক্ষিকী বিদ্যা অসিগা লোয়ননা, বেদবিদ্যাগী মশক ওইবা ৯লবু তানহুনা নিত্যকর্ম্ম পুম্নমক তৌগদবনি। বেদ পুম্নমক তোপ তোপ্পা চীক্লা তম্নবগী নৈননবগী মতীক চারবমক্তনি ॥৪৮॥

গন্ধর্ব্বনিংথৌ। অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক মঙোন্দা তুংহুনা লৈরিবা, মঙোন্দগী থোকখিবা পোক্খিবা, মঙোন্দা অমুক চঙখিবা বেদ পুম্নমক্কী ওাঙলিবা শক্তিবা পুম্বসি মহাক্কীদমক্ত, মহাক্কী মরমদতা ওইবা, খাই-দগী খঙকম থোক্পা, মহাকপু খঙগে হায়বগী দমক্তা তাইবংমীওইবগী পোকপগী উদ্দেশ্য ওইবা, অত্তুগুম্বা পরমাত্মা মহাকপু খঙদ্রিবা, খঙগে হায়নস্থ হোৎনদ্রিবা অত্তুগুম্বা অপঙবশিংনা পোকপা শিবগী লাংদা তত্তনা থুত্থনা লৈরি ॥৪৯॥

বেদগী অঙ্গ তরুক, উপনিবদনচিংবা উপাঙ্গ পুম্নমক তমহুনা হৈহুনস্থ, বেদ পুম্নমক্কা খঙগে ভাম্নরিবা,

যো ঘৃতার্থী খরীক্ষীরং মথেৎ গন্ধর্ব্বসত্তম। বিষ্ঠাং তত্রানুপশ্যেত ন মণ্ডং ন চৈব ঘৃতম্ ॥৫১॥
তথা বেদ্যমবেদ্যং চ বেদবিদ্যো ন বিন্দতি। স কেবলং মূঢ়মতির্জ্ঞানভারবহঃ স্মৃতঃ ॥৫২॥
দ্রষ্টব্যৌ নিত্যমেবৈতৌ তৎপরেণান্তরাত্মনা। তথাস্য জন্মনিধনে ন ভবেতাং পুনঃ পুনঃ ॥৫৩॥
অজস্রং জন্মনিধনং চিন্তয়িত্বা ত্রয়ীমিমাম্। পরিত্যজ্য ক্ষয়মিহ অক্ষয়ং ধর্ম্মমাস্থিতঃ ॥৫৪॥
যদানুপশ্যতেঽত্যন্তমহন্যহনি কাশ্যপ। তদা স কেবলীভূত ষড়্বিংশমনুপশ্যতি ॥৫৫॥
পুন্যশ্চ শাশ্বতোঽব্যক্তস্তথান্যঃ পঞ্চবিংশকঃ। তস্য দ্বাবনুপশ্যেতাং তমেকমিতি সাধনঃ ॥৫৬॥
তে নৈতন্নাভিনন্দন্তি পঞ্চবিংশকমচ্যুতম। জন্মমৃত্যুভয়াৎ যোগাঃ সাংখ্যাংশ্চ পরমৈষিণঃ ॥৫৭॥

খঙগে হায়না তান্নদ্রিবা অদুগা তম্লিবা নৈনরিবসি মহাকপুনিকো হায়না খদ্রিবা মখোয় অদুদি বেদপাঠী নক্রে বেদভারবাহী (বেদ কৌবা লুম্নবা পোৎয়োম্ব কোক্‌থোং নাদুনা থাংথকম খণ্ডদনা কোয়চৎ চৎপা) ভাক্তনি ॥৫০॥

গন্ধব পুন্নমক্কী কোকথক্কী মণি! ঘীবু শুংগে ফংগে নীংবা মীনা গাধা অমোমগী শঙ্গোমবু নৈবা (মাথা চিংব) দা অমাংবদগী হেন্না করিমতা উবা ফংদে। মহাক্কা মক্থন্ (মাখোন্) সু ফংদে, ঘীসু ফংদে, অমাংব (মল—থী) দগী হেন্না করিমতা ফংদে ॥৫১॥

মতৌ অসিগুম্না বেদশাস্ত্রবু তমদুনসু হন্না হন্না নৈদুনসু বেদ্যনা কদ্রিনো অবেদ্যনা করিনো হায়বা অদু খণ্ডদ্রবদি অপণ্ডবদুনা জ্ঞান মখল মখলগী পোৎলুম নম্বো পোদুনা পোথাকম খণ্ডদনা চৎলি ॥৫২॥

তাইবংমীনা য়ান্না পুক্লীং চঙনা অন্তরাত্মাদা পুরুষ প্রকৃতি অনীগী জ্ঞান অসে, অমুকহন্না পোকপ শিবগী লাংদা তারদনবা, ফংননবা হোৎনগদবনি ॥৫৩॥

পোকপ শিবগী চক্র (চাকা) অসি আ সৃষ্টিগী মতমদগী লৈদুনা অসুম্ লাক্লি। বৈদিক কর্ম্মকাণ্ডশিং অসি সংসারদা হন্না হন্না পোক্লনবগী ইহলোক পরলোকক্কী-ত য়েংদুনা অনুষ্ঠান তৌনরি। অদুগা কর্ম্ম-কাণ্ডশিং অদু পাণ্ডথোক্পনা পীরিবা মহৈশিং অদুদি অনিত্য মক্তনি। অনিত্য সংসারদা ভোগ তৌননবা ভাক্তনি। মরম অদুনা মাসি পুন্নমক থাদোক্লুনা অনিত্য সংসার অসিদা অমূক লাক্লুনা অনিত্য ওইবা কান্ন-দবা মহৈশিং অসি ফংওদনবা, অমাঙ অতা লৈতবা নিত্য ওইবা, অক্ষয় ওইবা ধর্ম্ম অদুতগী আশ্রয় লৌগ-দবনি (চঙজগদবনি) ॥৫৪॥

কশ্যপ-নন্দন! বিশ্বাবসু! মুমিৎ খুদিংগী পরমাত্মাগী স্বরূপপু খন্দুনা নৈনদুনা লৈরিবা সাধক অদুদি প্রকৃতিগী সংসর্গদগী নোম নোংমগী অসুম্ লাম্খোরক্লুনা কুন্তরুকগুবা তত্ত্বগী মশক ওইবা পরমাত্মাবু ফংবা ঙম্মি ॥৫৫॥

অপণ্ডবশিংনা পরমাত্মাগী স্বরূপতা ভেদজ্ঞান থমদুনা জীবাত্মা কৌবা কুম্মভাগুবা তত্ত্বনা অমনি, কুন্-তরুকগুবা পরমাত্মা কৌবা তত্ত্বনা অমনি হায়না অনী থোক্লা খল্লি। কূপ্ন তত্ত্ব খিজিন্‌বা সাধু মহাত্মাশিংনদি অনীমক্ মশা অমত্তনি হায়না লৌই ॥৫৬॥ পোকপ-শিবগী অকিবা থুক্লংপা করিমতা লৈতনা অথোইবা

বিশ্বাবসুরুবাচ।

পঞ্চবিংশং যদেতত্তে প্রোক্তং ব্রাহ্মণসত্তম। তথা তন্ন তথা চেতি তং ভবান্ বক্তুমর্হতি ॥৫৮॥
জৈগীষব্যস্যাসিতস্য দেবলস্য ময়া শ্রুতম্। পরাশরস্য বিপ্রর্ষের্বার্ষগণ্যস্য ধীমতঃ ॥৫৯॥
ভৃগোঃ পঞ্চশিখস্যাস্য কপিলস্য শুক্রস্য চ। গোতমস্যাষ্টিষেণস্য গর্গস্য চ মহাত্মনঃ ॥৬০॥
নারদস্যাসুরেশ্চৈব পুলস্ত্যস্য চ ধীমতঃ। সনৎকুমারস্য ততঃ শুক্রস্য চ মহাত্মনঃ ॥৬১॥
কশ্যপস্য পিতুশ্চৈব পূর্ব্বমেব ময়া শ্রুতম্। তদনন্তরং স চ রুদ্রস্য বিশ্বরূপস্য ধীমতঃ ॥৬২॥
দৈবতেভ্যঃ পিতৃভ্যশ্চ দৈত্যেভ্যস্ততস্ততঃ। প্রাপ্তমেতন্ময়া কৃৎস্নং বেদ্যং নিত্যং বদন্ত্যতঃ ॥৬৩॥
তস্মাৎ তং বৈ ভবদ্বুদ্ধ্যা শ্রোতুমিচ্ছামি ব্রাহ্মণ। ভবান্ প্রবর্হঃ শাস্ত্রাণাং প্রগল্‌ভশ্চাতিবুদ্ধিমান্ ॥৬৪॥
ন তবাবিদিতং কিংচিৎ ভবান্‌শ্রুতিনিধিঃ স্মৃতঃ। কথ্যতে দেবলোকে চ পিতৃলোকে চ ব্রাহ্মণ ॥৬৫॥

থুভমবু কংনিংবা সাংখ্যতত্ত্ব খঙবা যোগীশিংনা জীবাত্মা পরমাত্মাবু তোঙান্ তোঙাশ্বনি হায়না থক্ লৌদে। বিশ্বাবসু! ঐ ঈশামকসু জীব ঈশ্বর অনীগী অভেদ সম্বন্ধবু সমর্থন তৌরিবা অভেদবাদীশিংগী দর্শনচুবু সমর্থন তৌরি ॥৫৬—৫৭॥

বিশ্বাবসুনা হায়,— ব্রাহ্মণ খিবিকী কোক্‌থক্‌কী মণি ওইবিবিবা! কুম্মভাগুবা তত্ত্ব ওইনা লৈবিবা জীব অসিবু ব্রাহ্মণনা কুম্ভকক্‌শুবা তত্ত্ব ওইনা লৈবিবা পরমাত্মাগা মশা অমতনি হায়না তাকপিরি। মাসিদা চিংনরিবা হায়রবু, জীবাত্মা হায়বসি থাঙ্গৈশেংবমক পরমাত্মা (ঈশ্বর) গা মশা অমতরা? নত্রগা তোঙান্ তোঙানবরা? হায়রবা অসিন। মাসি অমুক্কগা প্রমাণ চানা তাকপিথো ॥৫৮॥

ঐনা মুনি অথোইবা জৈগীষব্য, অসিত, দেবল, ব্রহ্মর্ষি পরাশর বুদ্ধি লৈরিবা বার্ষগণ্য ভৃগু, পঞ্চশিখ, কপিল, শুক, গৌতম, আষ্টিষেণ, মহাত্মা গর্গ, নারদ আসুরি, বুদ্ধি লৈরবা পুলস্ত্য, সনৎকুমার, মহাত্মা শুক্র অমুগা ঐগী ঈপা কশ্যপমকী মচীন্দগী জীব ঈশ্বর অনীগী ভেদ অভেদ সম্বন্ধগী বিষয় অসি তোঙান্ তোঙাৰ মওংদা য়াম্না তাজরে ॥৫৯—৬১॥

অদি-ত নত্তনা রুদ্র, বুদ্ধিমান্ ওইরবা বিশ্বরূপ, অতোপ অতোপ্পা দেবতাশিং, দৈত্যশিং, পিতৃলোক-নচিংবা তাকম্ লৌকম্ থোকপা কয়াগী মকমদগী,বিষয় অসিগী জ্ঞান মখল্ মখল্ কয়া কয়াসু ঐ মতাজখরবনি, হায়রিবশিংসিনা খঙকম থোক্‌পা জ্ঞেয়তত্ত্ব অমবু-ত অথোইবনি, নিত্যনি পূর্ণনি হায় ॥৬২—৬৩॥

ব্রাহ্মণদেব! পুম্নমক অসিগী তারুসবা তুং অসিদা ঐ ব্রাহ্মণগী মত অমদি উপদেশ অমতং তাজনীংহুনা লাকচবনি। নরমদি ব্রাহ্মণ নহাক্তি জ্ঞানী বিদ্বান্‌শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবনি, বুদ্ধিমান্‌নি, রাঙাওহৈবা বাগ্মী অমসু ওইরিবনি ॥৬৪॥

ব্রাহ্মণ! নহাক্না হৈতবা, খঙদবা অমতা য়াওদে। নহাক্তি বৈদিকজ্ঞানগী ভণ্ডার (পুগৈ) নি হায়রৈ। ব্রাহ্মণ! নহাক্তি দেবলোক পিতৃলোক অনীমক্তা মিংচৎ কংহুনা লৈবিরবনি ॥৬৫॥

ব্রহ্মলোকগতাশ্চৈব কথয়ন্তি মহর্ষয়ঃ । পতিশ্চ তপতাং শশ্বদাদিত্যস্তব ভাবিতা ॥৬৬॥
সাংখ্যজ্ঞানং ত্বয়াব্রহ্মন্নবাপ্তং কৃৎস্নমেব চ। তথৈব যোগশাস্ত্রং চ যাজ্ঞবল্ক্য বিশেষতঃ ॥৬৭॥
নিঃসন্দিগ্ধং প্রবুদ্ধস্ত্বং বুধ্যমানশ্চরাচরম্ । শ্রোতুমিচ্ছামি তজ্জ্ঞানং ঘৃতংমণ্ডময়ং তথা ॥৬৮॥

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ ।

কৃৎস্নধারিণমেব ত্বাং মন্য গন্ধর্ব্বসত্তম । জিজ্ঞাসসে চ রাজং স্তন্নিবোধ যথাশ্রুতম্ ॥৬৯॥
অবুদ্ধ্যমানাং প্রকৃতিং বুধ্যতে পঞ্চবিংশকঃ , ন তু বুধ্যতি গন্ধর্ব্ব প্রকৃতিঃ পঞ্চবিংশকম্ ॥৭০॥
অনেন প্রতিবোধেন প্রধানং প্রবদন্তি তৎ । সাংখ্যযোগাশ্চ তত্ত্বজ্ঞা যথাশ্রুতিনিদর্শনাৎ ॥৭১॥
পশ্য স্তথৈবচাপশ্যন্ পশ্যত্যন্যঃ সদানঘ । ষড়বিংশং পঞ্চবিংশং চ চতুর্বিংশং চ পশ্যতি ॥৭২॥

ব্রহ্মলোক কাওবা যৌঐবশিংনা আ- ব্রহ্মলোকতা ব্রহ্মণ নহাক্কী নতীক নগুণবু শরুরিবনি, থাগৎনরিবনি। তেজ পুন্নমক্কী হাইদোরক্ফম, অদিতিনন্দন ভগবান্ সূর্য্যদেবমক্না ব্রাহ্মণ নঙোন্দা বেদগী উপদেশ (পাউতাক) কয়া পীবিপ্রবনি ॥ ৬॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা! যাজ্ঞবল্ক্য! নহাক্তি সাংখ্য অমদি যোগশাস্ত্রগী বিশেষজ্ঞান অমদি তত্ত্ব পুন্নমক খঙহ্না লৈবিরবনি ॥৬৭॥

ব্রাহ্মণ! নহাক্তি নশাদা তত্ত্বজ্ঞান পুন্নমক হান্দুনা লৈরবনি। ব্রাহ্মণ নহাক্তি মহাজ্ঞানী অমা ওই-হ্না লৈবিরবনি। অচচত্ত্ব জীব পুন্নমক্কী তত্ত্ব লোইনা খঙবিরবনি। মরম অহ্না শেংলবা শঙ্গোমদগী শেন্থা মক্থন্ (মাখোন্) মতৌগুম্বা, ঘী গী মতৌগুম্বা হাওরবা মহাও লৈরবা, বেদ শাস্ত্র পুন্নমকপু নৈরগা থোরক্পা মচি ওইবা জ্ঞানদো ঐ ব্রাহ্মণগী শ্রীমুখদগী তাজনীংঙি ॥৬৮॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— ঐনস্থ অমুক হায়প্রবনি। হে গন্ধর্ব্বশিরোমণি! জ্ঞান পুন্নমক খুদক্ত লৌননবগী মেধাশক্তিদো, গন্ধর্ব্বনিংথৌ, নঙোন্দা হায়না অহুম মরৈরবনি। লোইনা খঙহ্না লৈরবা নিংথৌ নহাক্না ঐঙোন্দা অমুক হংলবসে ঐগী মত অমতংগু ত'নীংহ্না হংবিরিবনি হায়বা তশেংনা খঙজরে। অহ্না ঐনা মমাংঙৈদগী তারক্পা খঙলকপা পুন্নমক অহু হায়জরগে তাবিরো ॥৬৯॥

গন্ধর্ব্বনিংথৌ! প্রকৃতি হায়বসি জড় (অশিব) নি; লৈমুংদা লৈবা উরু রারুগুম্বনি। জড় প্রকৃতি অসিদ গুণ কুম্মরিগী মমুংদনি। অহ্না কুম্মরিদগী বাংমদা কুম্মঙাগুবা জীবাত্মা কৌব তত্ত্ব মহাক্নদি প্রকৃতি অসিবু মুম্না ঙঙ্ঙি। অহুগা প্রকৃতি মানদি জীবাত্মাসিবু করিমতা খঙদে ॥৭০॥

সাংখ্য অমদি যোগগী তত্ত্বজ্ঞানীশিংনা শ্রুতিদা তাক্লিবহুগী মতুংইন্না ঈশিংদা মমি তাবা থাগী মতৌ-গুম্না, জীবাত্মাসিনা জ্ঞানগী মশক ওইবা প্রকৃতিদা মমি তাবন , প্রকৃতিসিবু মরু (প্রধান) ওইনা লৌই ॥৭১॥

পাপ রাওত্রব গন্ধর্ব্ব! জীবাত্মানা জাগ্রত অবস্থাদা লৈরিঙৈসিদা লোইনা উই। সুষুপ্তিগা সমাধিগা সমাধিগা অবস্থা অনীসিদা করিমতা উদে, খঙদে। অহুগা পরমাত্মাসিনদি কুম্ভরুকৃগুবা তত্ত্বগী মশক ওইবা

ন তু পশ্যতি পশ্যংস্তু যশ্চৈনমনুপশ্যতি। পঞ্চবিংশোঽভিমন্যেত নান্যোঽস্তি পরতো মম ॥৭৩॥
ন চতুর্বিংশকোগ্রাহ্যো মনুজৈর্জ্ঞানদর্শিভিঃ। মৎস্যশ্চোদকমন্বেতি প্রবর্ত্তেত প্রবর্ত্তনাৎ ॥৭৪॥
যথৈব বুধ্যতে মৎস্যস্তথৈষোঽপ্যনুবুধ্যতে। স স্নেহাৎ সহবাসাচ্চ সাভিমানাচ্চ নিত্যশঃ ॥৭৫॥
স নিমজ্জতি হি কালস্য যদৈকত্বং ন বুধ্যতে। উন্মজ্জতি হি কালস্য সমত্বেনাভিসংবৃতঃ ॥৭৬॥
যদা তু মন্যতেঽন্যোঽহমন্য এষ ইতি দ্বিজঃ। যদা কেবলীভূতা ষড়্‌বিংশমনুপশ্যতি ॥৭৭॥
অন্যশ্চ রাজন্নবরস্তথা পঞ্চবিংশকঃ। তৎস্থানাচ্চানুপশ্যন্তি এক এবেতি সাধবঃ ॥৭৮॥
তে নৈতন্নাভিনন্দন্তি পঞ্চবিংশকমচ্যুতম্। জন্মমৃত্যুভয়াৎভীতা যোগাঃ সাংখ্যাশ্চ কাশ্যপ ॥৭৯॥

মশা মথন্তবু অহুগা কুম্মঙাশুবা তত্ত্বগী মশক ওইবা জীবাত্মাসিবু অহুগা অমুকস্তু প্রকৃতিসিবু উই, থঙভি ॥৭২॥

অহুবু জীব অসিনা মহাক মথন্তনা মচাউরে হায়না অভিমান তৌরকপা মতমদদি, মহাক্না তৌখিবা থবক পুম্বা উতুনা লৈরিবা পরমাত্মাসিবু লৈ হায়বা থঙন থঙনা, উন উনা— উদে, থঙশিন্নদে ॥৭৩॥

তত্ত্বজ্ঞানী ওইবা তত্ত্বথঙবশিংনা তৌগদবা হায়রবু— ঈরিবা প্রকৃতি অসিদা অভেদভাব থমদবা, হায়বদি মামক্লি (আত্মামক্লি) হায়না থজবা অসিন্তনি। ঙানা ঈশিংগী ঈচেলগী মতুংইন্না অহুম মচংলি, অহুগা মহাক মশাবুদি ঈশিংদগী তোঙানবনি অহুম মরোই খল্লি। অহুগুম্না তাইবং মীনা প্রকৃতিগী কর্ম্মগী ঈচেল মতুং-ইন্না অহুম চেন্থরবস্তু মহাক মশাবু ঈচেলদুমক্লি হায়না খল্লোইদৌবনি ॥৭৪॥

ঙানা ঈশিংদা লৈরগা, মহাক মশামক্ ঈশিংদগী তোঙাল্লি হায়না। খন্‌বদুগুম্না জীবাত্মা অসিনা প্রাকৃত দেহগী মনুংদা লৈন লৈনা মহাক মশামক প্রাকৃতদেহ অসিদগী তোঙানবনি খল্লি অহুগা থঙন্নু থঙভি। অহুবু মাহু থঙদি থঙলগা, মাগী মপানগী কুয়োম ওইরিবা হকচাং অসিবু কা হেন্না মুংশিরুবদগী মাগা লৈনরুবা সম্বন্ধ অহুনা মরী য়াম্না নক্‌শিল্লুবদগী পরমাত্মাগা অমতা অইনা লৈমিন্নবগী মুংঙাইবহু অনুভব তৌবা ঙমদে। হায়রিবা একতা অসিবু থম্বা ঙমদ্রিবা অহুকী মখৈ মহাক মতমগী ঈপাক্তা লূপতুনা লৈ। মহাকা পরমাত্মাগা অমতা ওইবগী মওংবু বুদ্ধিগী পাম্বৈতনা হেক্ ফংবা মতম অহুদা মহাক মতমগী ঈপাক্তগী লাম্থোকই ॥৭৫-৭৬॥

হকচাংঙ্গুং অসিদা লৈরিবা ঐ অসিনা অতোপ্পা অমনি, অহুগা প্রকৃতিগী গুণকর্ম্মদগী ওইজখিবা প্রাকৃত-শরীর (হকচাং) অসিনা অমনি। মাগা ঐগা করিগুম্বা সম্বন্ধ অমতা লৈতে। অনাত্মা জগৎ অসিদি আত্মা (ঐঙোন্) দগী তোঙাম্বনি। অসুম হায়না খল্লকপা মী মহাক অহুদি প্রকৃতি (মায়া) দগী তোঙাম্না লৈখি-হুনা কুন্তরুকশুবা তত্ত্ব ওইবা পরমাত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌই ॥৭৭॥

নিংথৌ! পরমাত্মা হায়বসিনা তোঙাম্বা তত্ত্ব অমনি, জীবাত্মা হায়বসিনা তোঙাম্বা তত্ত্ব অমনি। মরমদি পরমাত্মাদি— জীবাত্মা অসিগী আশ্রয়নি, চঙফমনি। অহুবু জ্ঞানীশিংনদি মশা অমতনি হায়নৈ ॥৭৮॥

কশ্যপনন্দন বিশ্বাবসু! পোকপা শিবগী কিবদগী যোগ অমদি সাংখ্যগী সাধকনা ভগবানদা পুক্নীং চঙখিহুনা জীবাত্মা পরমাত্মা অনীসিবু অমত্তনি হায়না খঙলকবা মতম অহুদা, জীবাত্মা পরমাত্মা অনীগী

ষড়্‌বিংশকমনুপশ্যন্তঃ শুচয়স্তৎপরায়ণাঃ। যদা কেবলীভূতঃ ষড়্‌বিংশমনুপশ্যতি ॥
তদা সর্ব্ববিৎ বিদ্বান্ ন পুনর্জন্মবিন্দতি ॥৮০॥
এবমপ্রতিবুদ্ধশ্চ বুধ্যমানশ্চ তেঽনঘ। বুদ্ধশ্চোক্তো যথা তত্ত্বং ময়াশ্রুতিনিদর্শনাৎ ॥৮১॥
পশ্যাপশ্যং যো ন পশ্যেৎ ক্ষেম্যং তত্ত্বং চ কাশ্যপ। কেবলাকেবলং চাদ্যং পঞ্চবিংশং পরং চ যৎ ॥৮২॥

বিশ্বাবসুরুবাচ।

তথ্যং শুভং চৈতদুক্তং ত্বয়া বিভো সম্যক্ ক্ষেম্যং দৈবতাদ্যং যথাবৎ।
স্বস্ত্যক্ষয়ং ভবতশ্চাস্তু নিত্যং বুদ্ধ্যা সদা বুদ্ধিযুক্তং মনস্তে ॥৮৩॥

যাজ্ঞবল্ক্য উবাচ।

এবমুক্ত্বা সম্প্রয়াতো দিবং স বিভ্রাজন্ বৈ শ্রীমতাদর্শনেন।
দৃষ্টশ্চ তুষ্ট্যা পরয়াভিনন্দ্য প্রদক্ষিণং মম কৃত্বা মহাত্মা ॥৮৪॥
ব্রহ্মাদীনাং খেচরাণাং ক্ষিতৌ চ মে চাধস্তাৎ সংবসন্তে নরেন্দ্র।

মরম লৈরিবা অভেদ সম্বন্ধবু থরায় য়াওনা স্বীকার তৌই ॥৭৯॥ প্রকৃতিগী সংসর্গ (তিন্নব) দগী তোঙান্না তান্নবা জীবাত্মা অদুদি পরমাত্মাগা অমত্তা ওইমিন্নখিদুনা, অদুগা সর্ব্বজ্ঞ (লোইনা খঙবা) ময়াদু ওইদুনা সংসারসিদা অমুক হন্নকৃত্রে (পোক্‌লত্রে) ॥৮০॥

পাপকী শরুক্ য়াওদ্রবা গন্ধর্ব্বনিংথৌ! ঐনা মতৌ অসুন্না, নিংথৌ নহাক্কী নকমদা জড় প্রকৃতি — (অশিবা প্রকৃতি), চেতন জীবাত্মা (অহিংবা জীব), অদুগা জ্ঞানতগী মশক ওইবা পরমাত্মাগী মরমদা শ্রুতি প্রমাণগী মতুংইন্না লোইনা শন্না হায়রবনি ॥৮১॥

কশ্যপনন্দন! জীবাত্মাবু অদুগা প্রকৃতিনচিংবা জড়প্রকৃতিশিং অসিবু মচা খায়না খাইদোক্তদ্রিবা, অদুগা তোঙান্ তোঙান্‌বনি হায়না খঙদ্রিবা, মঙ্গলগী মশক ওইরবা তত্ত্ববু থিজিন্দ্রিবা, মৎসু লৈবা ঙমজদ্রিবা, খাইগী হৌকম ওইবা জীবাত্মা অদুগা পরমাত্মা অনীগী তত্ত্ববু থাদৈশেংনা চপচানা খঙদ্রিবা মী মহাক্তদি সংসারসিদা পোকপ-শিবগী চক্রদা তারৈ ॥৮২॥

বিশ্বাবসুনা হায়,— প্রভু! ব্রাহ্মণ! মহাজ্ঞানী ওইরবা ব্রাহ্মণ নহাক্না দেবতা পুন্নমক্কী আদিকারণ ওইবা ব্রহ্মগী মরমদা তাক্‌পিদ্রিবা পুম্বদো চুমপ্রবা ফজপ্রবা অদুগা মহামঙ্গলগী মশকমক্তনি। ব্রাহ্মণ! নহাক্কী পুক্নীং অসে মতম পুম্বদা অসিগুম্বা জ্ঞানতদা চঙনো লৈরংগদবনি। মতম পুম্বদা অমাঙ অত্তা লৈত্রবা মঙ্গলবু ফংদুনা লৈবিরসনু (ফরে, হৌজিক্কি চচ্চরগে) ॥৮৩॥

যাজ্ঞবল্ক্যনা হায়,— জনকনিংথৌ! পুকচেল চাউরবা গন্ধর্ব্বনিংথৌ বিশ্বাবসু হায়বদু মশাগী মশেক্ মঙাল্তনা পুন্নং লংনা, ঐবু এৎলোইননা কোয়রম্নগা, ঐবু তরাম তরান্না লৈশি-লৈখোল্লমদুনা স্বর্গলোকতা চৎখি। ঐসু য়ান্না হরাও মুংঙাইনা মাবু য়েংদুনা লৈহৌই ॥৮৪॥ নিংথৌ! জনক! আকাশমার্গদা কোয়চৎ

তত্রৈব তদ্দর্শনং দর্শয়ন্ বৈ সম্যক্ ক্ষেম্যং যে পথং সংশ্রিত বৈ ॥৮৫॥
সাংখ্যা সর্ব্বে সাংখ্যধর্ম্মেরতাশ্চ তদ্বৎ যোগা যোগধর্ম্মেরতাশ্চ।
যে চাপ্যন্যে মোক্ষকামামনুষ্যা স্তেষামেতদ্দর্শনং জ্ঞানদৃষ্টম্ ॥৮৬॥
জ্ঞানান্মোক্ষো জায়তে রাজসিংহ নাস্ত্যজ্ঞানাদেবমাহুর্নরেন্দ্র।
তস্মাজ্জ্ঞানং তত্ত্বতোঽন্বেষিতব্যং যেনাত্মানং মোক্ষয়েজ্জন্মমৃত্যোঃ ॥৮৭॥
প্রাপ্যজ্ঞানং ব্রাহ্মণাৎ ক্ষত্রিয়াদ্বা বৈশ্যচ্ছূদ্রাদপি নীচাদভীক্ষ্ণম্।
শ্রদ্ধাতব্যং শ্রদ্দধনেন নিত্যং ন শ্রদ্ধিনং জন্মমৃত্যু বিশেতম্ ॥৮৮॥
সর্ব্বে বর্ণা ব্রাহ্মণা ব্রহ্মজাশ্চ সর্ব্বে নিত্যং ব্যাহরন্তে চ ব্রহ্ম ॥৮৯॥
তত্ত্বং শাস্ত্রং ব্রহ্মবুদ্ধ্যাব্রবীমি সর্ব্বং বিশ্বং ব্রহ্ম চৈতৎ সমস্তম্ ॥৮ ॥
ব্রহ্মাস্যতো ব্রাহ্মণা সম্প্রসূতা বাহুভ্যাং বৈ ক্ষত্রিয়াঃ সম্প্রসূতাঃ।
নাভ্যাং বৈশ্যাঃ পাদতশ্চাপি শূদ্রাং সর্ব্বে বর্ণা নান্যথা বেদিতব্যাঃ ॥৯০॥

চংতুনা লৈরিবা ব্রহ্মানচিংবা মোক্ষপাম্বা দেবতাশিংদা, পৃথিবীদা লৈরিবা তাইবং মীওইবশিংদা অদুগা মথাদা লৈরিবা লোক কয়া কয়াদা চং চংতুনা বিশ্বাবসুনা, ঐনা মতোন্দা তাক্খিবা মুক্তিগী পাউতাকশিং অদুবু মহাক্না ধর্ম্মপ্রচারক ওইনা তাংন্খি, অদুগা প্রচার তৌরম্মী ॥৮৫॥

সাংখ্যধর্ম্মদা পুক্নীং চঙবা, সাংখ্যতত্ত্ববু মুম্না খঙবা, যোগধর্ম্মদা অমদি যোগসাধনদা পুক্নীং চঙবা, অদুগা, মোক্ষ (মুক্তি— অরাম্ব-খুভম) পাম্বা তাইবংমী পুম্নমকতা ধর্ম্মগী মরম ওইবা জ্ঞানগী পাউতাকশিং অসিনা প্রত্যক্ষ ওইনা চপচাবা মহে পী ॥৮৬॥

নিংথৌশিংগী মনুংদা নোংশামক্কী মতৌগুম্বা নিংথৌ! মোক্ষ (মুক্তি) হায়বসি জ্ঞানতনা ওইগদবনি অব্যক্ত ওইবা বিষয়দা চঙথবা অজ্ঞান হায়বদুনা ফংকদবা নত্তে। মরম অদুনা নিংথৌ! থাজৈশেংনা অধ্যাত্মজ্ঞানবু থিগদবনি। অদুম তৌরবদি পোকপ-শিবগী লাংদগী লাম্থোকপা ঙমগনি ॥৮৭॥

ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র অদুদগী হেন্দোকনা অতোন্বা জাতিদা পোকপা মীবু ওইরবসু মতোন্দগী হায়রিবা জ্ঞান অসিবু ফংলবদি, মহাক্কী জাতি বর্ণ য়েংদুনা জ্ঞানগী শরূক অদুবু শ্রদ্ধাগা লোয়নন্না লৌগদবনি। অসিগুম্বা জ্ঞানদ ভক্তি শ্রদ্ধাতবু লৈরবদি মতেন্দা জন্মমৃত্যুগী অকিবা চঙবা ঙংদে ॥৮৮॥

ব্রহ্মাগী থোকখিবা থোকখিবমক্তা ওইবনা মী পুম্বা হায়বদি— বর্ণ পুম্বা ব্রাহ্মণমক্তনি। বর্ণ খুদিংগী মী পুম্নমক ব্রহ্মগী উচ্চারণ তৌবমক্তনি। ব্রহ্মবুদ্ধিগী পাম্বৈনা ঐনা শাস্ত্র পুম্নমক্কী সিদ্ধান্ত হায়রি। বিশ্ব জগৎ পুম্বসে, অদুগা য়েংথোকখিবদা উরিবা পুম্নমক অসি ব্রহ্মমক্তনি, হায়বদি— ব্রহ্মনি ॥৮৯॥

ব্রহ্মাগী চৌন্দগী ব্রাহ্মণ, ব্রহ্মাগী পাম্বোমদগী ক্ষত্রিয়, ব্রহ্মাগী খোয়দোদগী বৈশ্য অদুগা ব্রহ্মাগী খোঙদগী শূদ্র পোকখিবনি। অদুনা বর্ণ জাতি পুম্নমক্কী পুক্নপ ওইবা মশকসে ব্রহ্ম মহাক্কী মশকনি। কয়িগুম্বা বর্ণ

অজ্ঞানতঃ কর্ম্মযোনিং ভজন্তে তাং তাং রাজং স্তে তথাযান্ত্যভাবম্।
তথা বর্ণা জ্ঞানহীনাঃ পতন্তে ঘোরাদজ্ঞানাৎ প্রাকৃতং যোনিজালম্ ॥৯১॥
তস্মাজ্‌জ্ঞানং সর্ব্বতো মার্গিতব্যং সর্ব্বত্রস্থং চৈতদুক্তং ময়া তে।
তৎস্থো ব্রহ্মা তস্থিবাংশ্চাপরোম স্তস্মৈ নিত্যং মোক্ষমাহুর্নরেন্দ্র ॥৯২॥

অমবু অক্ষদগী তোঙান্দবনি হায়না খঙগদবনি ॥৯০॥　নিংথৌ ! তাইবংমীনা অজ্ঞান (জ্ঞান তাদবা) ওইবদগী তোঙান্ তোঙান্‌বা কর্ম্ম কয়াগী অনুষ্ঠান (লিংখৎপা) তৌরুবহুনা তোঙান্ তোঙান্‌বা মহৈ অহুগী মতুংইন্না তোঙান্ তোঙান্‌বা যোনি (পোক্‌ফম) দা চঙ্ চঙহুনা পোকই, অহুগা শি। জ্ঞান য়াওদবা মীনা (জীবনা) মতৌ অসুন্না অজ্ঞান ওইববু তোকপা ঙমদহুনা মওং মমিং তোঙান্ তোঙান্‌বগী প্রাকৃত (প্রকৃতি দগী থোক্‌পা) যোনিশিংদা হেক হেক চোংথে— লুপ্পি ॥৯১॥

মরম অহুনা নিংথৌ ! হীরম পুম্নমক্‌তা লৈরু লৈরুবা মকমদগী জ্ঞান তান্‌গদবনি। নিংথৌ ! ঐনা অসিমসু নঙোন্দা হায়খ্রবনি— বর্ণ জাতি খুদিংমক্কী মী খুদিংমক্কা, মানা মানা লৈরুরিবা বর্ণশ্রম অহুদগী জ্ঞান লৌবা ফংবা অহুম ময়াই। ব্রাহ্মণন্ অমনা জ্ঞান তান্‌বা. বেদ তত্ত্ব নৈনবহুগুম্না অতোপ্পা বর্ণ অমগী মী অমনসু জ্ঞাননিষ্ঠ অহুম্ মওই। অহুনা ব্রাহ্মণ অমনা ফংগ্রিবা মুক্তাবস্থা অহু, হায়বদি—সংসারদগী ঈরাল্ লাপ্তোকখিবগী অবস্থা অহু অমনসু ফংব অহুম্ ময়াই ॥৯২॥ *

* মপান্দ য়েংবদদি ব্রাহ্মণশিংতনা বেদশাস্ত্র নৈনবা জ্ঞান তান্‌বা, অহুগা— বর্ণ অতৈগী পূজা তৌননীঙায়সু ওইহনবা, অহুগা শূদ্রশিংদনা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবগী সেবা তৌহন্‌বা, অতোনবা কর্ম্ম তৌহনবা অসিগুম্বা বেংগী থৌশিল অসি য়াম্না মীচঙ মীথায় নাইবগী মওংদা লৈহনবা ওইনা উই। মাহু নস্তে। জ্ঞান মশা অমত তান্‌মিন্নবদা মাগী মাগী কর্ম্ম তৌন তৌনা অমনা অমগী মতেং পাংনহনবনি। ঈমুং অমতগী মমুংদা অমনা লাইরিক তৌরি, জ্ঞান তাল্লি। অমনা শেল তান্‌বা চৎলি, লল্লোন-ঈতীক তৌরি, লৌউ-শীঙগুরি, অমনা রারক রাতেমলি, অরান্‌ববু দগি পীরি, ফু চৈরি ; অমনা ঈমুংগী কোল্লিক-রাইরম শেংলি। পরিবার পুম্নমক্ শেল্ তান্‌বা চংনখ্রবদি; নত্রগা জ্ঞান তাল্লিববনি হায়হুনা তুমিন্ ফংহুনা লৈথোকখ্রবদি ঈমুং অহু পান্‌বা য়ারোই। সমাজ অহুসু লৈবা য়ারোই ; রাজ্য মপুম্ হুমসু লৈবা য়ারোই। অসিনা মপাল্‌গী রানি। ব্রাহ্মণ অমনা বেদশাস্ত্র নৈনহুনা মাহুদা ফংঙক্‌পা জ্ঞান অহুমক্কা ক্ষত্রিয় অমনা লাল তৌন তৌনা, লৈপাক ঙাক্ক ঙাক্কা, অহুগা মহাক্কা তৌরিবা কর্ম্মহুগী তত্ত্ব অং খঙনা তৌহুনা মাহুদা ফংঙক্‌পা জ্ঞান অহুগা মশা অমতনি। মতৌ অহুগুম্না শূদ্র অমনসু মহাক্কা তৌরিবা সেবা অহু কনাগীনো, ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবগী মপান্‌গী কুয়েম্ হকচাংসিগীরা ? নত্রগা— ব্রাহ্মণসু ক্ষত্রিয়সু ওইদবা দেহমমুংদা লৈরিবা আত্মাসিগী সেবারা ? অহু ওইরবসু আত্মাগীদি থোঙ খুং পান্দে। কনাগী থোঙ খুংনো ঐনা নোইম্নিবসিবো? অম্নাবা গেক্‌থবা নাইরিবসি থোঙ খুং অসিনরা ? নত্রগা আত্মাসিনরা… অসিনচিংবা

যত্তে পৃষ্টং ত্বয়া চোপদিষ্টং যথাতথ্যং তদ্বিশোকো ভবস্ব।
রাজন্ গচ্ছস্বৈতদর্থস্য পারং সম্যক্ প্রোক্তং স্বস্তিতে হস্ত নিত্যম্ ॥৯৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

স এবমনুশাস্তস্তু যাজ্ঞবল্ক্যেন ধীমতা। প্রীতিমানভবৎ রাজা মিথিলাধিপতিস্তদা ॥৯৪॥
গতে মুনিবরে তস্মিন্ কৃতেচাপি প্রদক্ষিণম্। দৈবরাতির্নরপতিরাসীন স্তত্র মোক্ষবিৎ ॥৯৫॥
গোকোটিং স্পর্শয়ামাস হিরণ্যং তু তথৈব। রত্নাঞ্জলিমথৈকং চ ব্রাহ্মণেভ্যো দদৌ তদা ॥৯৬॥
বিদেহরাজ্যং চ তদা প্রতিষ্ঠাপ্য সুতস্য বৈ। যতিধর্ম্মমুপাসংশ্চাপ্যবসন্মিথিলাধিপঃ ॥৯৭॥
সাংখ্যজ্ঞানমধীযানো যোগশাস্ত্রং চ কৃৎস্নশঃ। ধর্ম্মাধর্ম্মং চ রাজেন্দ্র প্রাকৃতং পরিগর্হয়ন্ ॥৯৮॥

নিংথৌ! নহাক্না হংজিনবশিং অদুগী পাউখুমশিং অদু ঐনা মথং মথং পীরবনি। অদুনা নহাক হৌজিক্কি করিমতা রায়গনু, তত্ত্বজ্ঞানদা পারংগত (রাংম লানগনবা) হায়বদু ওইরো। ঐনা নত্তোল্ল জ্ঞানগী পাউশিং অদো লোইনা তাহল্লবনি। হৌজিক্কি চংলো মঙ্গল ওইয়ু ॥৯৩॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! যাজ্ঞবল্ক্যনা তম্বনা হায়রবদা মিথিলাগী নিংথৌ অসি ওস্থোক্না পেল্‌লে ॥৯৪॥

নিংথৌসিনা মুনি যাজ্ঞবল্ক্যবু এৎলোয়ননা কোয়রগনগা বিদায় লৌখি। মুনিনসু হরাও হরাওনা নিংথৌদা বিদায় পীখি। যাজ্ঞবল্ক্যনা মফম অদুদগী চৎপ্রবা তুংদা, দেবরাতকী মচা নিংথৌ জনকনা মফম অদুমক্তদা ব্রাহ্মণশিংদা শন্বী কোটি অমা দান তৌরগা ব্রাহ্মণ অমমম্‌দা সনা খুজোক্ অমমম্ দান তৌরম্মি ॥৯৫—৯৬॥

অদুগী তুংদা বিদেহ নিংথৌ জনকনা রাজ্যবু মচানিপাগী মখুত্তা শিন্নরম্নগা মফমদুমক্তদা যতিধর্ম্ম পালন তৌদুনা যোগী ওইদুনা মফমদুমক্তদা মপুন্‌শি লেন্‌খি ॥৯৭॥ নিংথৌ! জনকনিংথৌনা সাংখ্যশাস্ত্রবু অদুগা

তত্ত্বজ্ঞান অসি থিন থিনা, নৈন নৈননা সেবা অদু তৌদুনা শূদ্র অমনা ফংজকপা জ্ঞান অমদি জ্ঞানানন্দ (ব্রহ্মানন্দ) অদুগা বেদশাস্ত্র নৈনরিবা, সংসারগী তত্ত্ব খিরিবা ব্রাহ্মণ মহাক অদুনা ফংজকপা জ্ঞান অমদি জ্ঞানানন্দ (ব্রহ্মানন্দ) অদুগা মশা অমত্তনি। ব্রহ্মনা অমত্তা ওইবদুগুম্না ব্রহ্মানন্দ (ব্রহ্মজ্ঞান ফংবগী আনন্দ মুংঙাইবা) সু অমতনি। জ্ঞানী ওইবা শূদ্র অমনা তত্ত্ব থগনা তৌরকপা সেবা তৌবা কর্ম্মদুনা তত্ত্ব খঙজনা বেদশাস্ত্র নৈনবা ব্রাহ্মণ অমনা তৌবং যাজ যজ্ঞনচিংবা কর্ম্মদগীসু হেল্লে। হকচাংনা আত্মা (জীবাত্মা) গী কুয়োম ওইবদুগুম্না মপান্‌গী কর্ম্মনা মন্নুংগী জ্ঞানগী কুয়োম ওই। মপান্‌গী কুয়োম হকচাংগীত হন্নবা, মীংথিবা থিরিবদু অজ্ঞানগী মচুংদনি। মতৌ অদুগুম্না মপান্‌গী যাগযজ্ঞ, শা লান, সেবানচিংবদা অথেংই- অহেন্ ফজৈ কজদেনচিংবা খল্লিবদু অজ্ঞানীনি— অপণ্ডবনি। (কালাচাঁদ)

অনন্ত ইতি কৃত্বা স নিত্যং কেবলমেব চ। ধর্ম্মাধর্ম্ম পুণ্যপাপে সত্যাসত্যে তথৈব চ ॥৯৯॥
জন্মমৃত্যু চ রাজেন্দ্র প্রাকৃতং তদাচিন্তয়ং। ব্যক্তাব্যক্তস্য কর্ম্মেদমিতি নিত্যং নরাধিপ ॥১০০॥
পশ্যন্তি যোগাঃ সাংখ্যাশ্চ স্বশাস্ত্রকৃতলক্ষণাঃ। ইষ্টানিষ্টবিমুক্তঃ হি তস্থৌ ব্রহ্মপরাৎপরম্ ॥১০১॥
নিত্যং তদাহুর্বিদাং সঃ শুচি তস্মাচ্ছুচির্ভব। দীয়তে যচ্চ লভতে দত্তং যচ্চানুমন্যতে ॥১০২॥
দদাতি চ নরশ্রেষ্ঠ প্রতিগৃহ্নাতি যচ্চ হ। দদাত্যব্যক্ত ইত্যেতৎ প্রতিগৃহ্নাতি তচ্চ বৈ ॥১০৩॥
আত্মাহেবাত্মনো হ্যেকঃ কোঽন্যস্তস্মাৎ পরো ভবেৎ। এবং মন্যস্ব সততমন্যথা সা বিচিন্তয় ॥১০৪॥
যস্য ব্যক্তং ন বিদিতং সগুণং নির্গুণং পুনঃ। তেন তীর্থাণি যজ্ঞাশ্চ সেবিতব্যা বিপশ্চিতা ॥১০৫॥
ন স্বাধ্যায়ৈস্তপোভির্ব্বা যজ্ঞৈর্ব্বা কুরুনন্দনঃ। লভতেঽব্যক্তিকং স্থানং জ্ঞাত্বা ব্যক্তং মহীয়তে ॥১০৬॥

জ্ঞ নযোগনচিংবা যোগশাস্ত্র পূন্নমক্ নৈনহনা প্রাকৃত ওইবা ধর্ম্মাধর্ম্ম খিবিকপু থাদোকদবনি হায়না লেপ্পখিদনা, ধর্ম্ম অধর্ম্ম, পাপ পুণ্য, সত্য অসত্য (অচুম্ অরান্), জন্ম মৃত্যু (পোকপ শিব)... অসিনচিংবা লৈরিবশিং অসি বুদ্ধিনচিংবা ব্যক্ত প্রবাক্ত প্রকৃতিমা তৌরিবা ওাক্তনি খন্দুনা প্রকৃতি (মায়া) না তৌরিবা কর্ম্মশিং অসিদা করিমতা য়াওরুদনা মশা মথন্তগী নিত্য ওইবা স্বরূপ (মশক মওং) অহুবু ধ্যান তৌবা— (মুম্ন খম্বা) হৌরক্লে ॥৯৮—১০০॥

বুধিষ্ঠির! সাংখ্য (সন্ন্যাস) অহুগা যোগ অনীগী জ্ঞানী ওইবা পণ্ডিতশিংনা মাগী মাগী শাস্ত্রশিংদা পীরিবা লক্ষণ (মওং খুদম) শিং অহুগী মতুংইন্না অস্থম হায়না খঙনৈ অহুগা উনৈ, মাহ্দি— ব্রহ্ম হায়বহুদি অপান্বা পাম্নদবা— যত্তবা অনীসিদগী রাংমদা লৈংনি, লেংদবা মওংদা অহুম লৈজংনি, মাসিংগী মাসিনা তোঙাল্লি হায়রিবা তোঙাম্বা মঙোন্দগী তেংঙাম্না অহুম্ মরৈবনি ॥১০১॥

বিদ্বান্ ওইবা অহৈ অশিংশিংনা ব্রহ্ম হায়বসিবু নিত্য (অরেপ্প) নি, পবিত্র (অশেংব) নি হায়না লৌনৈ। নহাকস্থু মাসিবু মুম্না খঙহনা পবিত্র ওইয়ু। নিপারক্তগী অথোইবা ॥ হেক্ পীনরিবা পীথোক্নরিবা খুদিংমক কনাগুম্বনা পীরকুনা ফংলিব পোৎ খুদিংমক, দান অসি অসি তৌ হায়রিবা মশামক্, দানবু লৌরিবা সম্প্রদান মশামক্ পরমাত্মা হায়রিবহুনি। পীরিবা, লৌরিবা পূন্নমক্ মহাক্না ওাক্তনি ॥১০২—১০৩॥

যুধিষ্ঠির! নহাকী হায়ববু পরমাত্মাসিনা লোইজরে। মহাক নত্তনা নংগী কনামত্তা লৈত্রবনি। মাসি নত্তনা নং অতে অমমুক্ খল্লগনু ॥১০৪॥

অব্যক্ত প্রকৃতিগী জ্ঞান পোকউ য়াদ্রবা সগুণ পরমাত্মা নির্গুণ পরমাত্মাগী খেন্নবা তত্ত্ববু চনীঙতানা লেপ্পবা ঙমদ্রিবা বিদ্বান্ পণ্ডিত অহুদি তীর্থস্নান তৌগদবনি, যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌগদবনি, যজ্ঞ লিঙ্খৎকদবনি ॥১০৫॥

কুরুনন্দন বুধিষ্ঠির! লাইরিক তম্বা তম্বিবনা, তপ (তপস্যা) তৌবনা, যজ্ঞনচিংবা তৌবা ওাক্তনা অরান্বা খুভম (মুক্তি) অহুগা পরমাত্মাগী পদবী (ধাম) বু ফংগদবা নত্তে। মখোয় অসিদি তত্ত্বজ্ঞান খিবগী

তথৈব মহতঃ স্থানমাহঙ্কারিকমেব চ। অহঙ্কারাৎ পরং চাপি স্থানানি সমবাপ্নুয়াৎ ॥১০৭॥
যে ত্বব্যক্তাৎ পরং নিত্যং জানতে শাস্ত্রতৎপরাঃ। জন্মমৃত্যুবিহীনং চ বিমুক্তং সদসচ্চ যৎ ॥১০৮॥

এতন্ময়াপ্তং জনকাৎ পুরস্তাৎ তেনাপি চাপ্তং নৃপ যাজ্ঞবল্ক্যাৎ।
জ্ঞানং বিশিষ্টং চ তথাহি যজ্ঞা, জ্ঞানেন দুর্গং তরতে ন যজ্ঞৈঃ ॥১০৯॥
দুর্গং জন্ম নিধনঞ্চাপি রাজন্ ন ভৌতিকং জ্ঞানবিদো বদন্তি।
যজ্ঞৈস্তপোভির্নিয়মৈর্ব্রতৈশ্চ দিবং সমাসাদ্য পতন্তি ভূমৌ ॥১ ০॥
তস্মাদুপাসস্ব পরং মহচ্ছুচি শিবং বিমোক্ষং বিমলং পবিত্রম্।
ক্ষেত্রং জ্ঞাত্বা পার্থিবজ্ঞানযজ্ঞমুপাস্য বৈ তত্ত্বমৃষির্ভবিষ্যসি ॥১১১॥

লম্বীদা সহায় উপায় ওইদুনা লৈজরতনি। হায়রিবা উপায়শিং অসিনা মরম ওইদুনা পরমাত্মাগী মরমদা থাঙ্গৎশিংবা জ্ঞান ফংলগা মতীক চাউবা জ্ঞানী মহাত্মা অমা ওইবগী সন্মান ফংবতনি। মাদুনা, মোক্ষপদবী (অরান্ খুভম) ফংলে হায়বদি নত্রি ॥১০৬॥

মহত্তত্ত্বগী উপাসনা তৌবা মীনা মহত্তত্ত্ববু, অহঙ্কারগী উপাসনা তৌবা মীনা অহঙ্কারবু ফংই। অদুম্দি ওইরবদা মহত্তত্ত্বগা অহঙ্কারগা অনী অসিদগী হেন্বা অথোইবা মফম ফংননবা হোৎনগদবনি ॥১০৭॥

শাস্ত্রশিংগী অর্থবু অমদি অর্থশিংগী তত্ত্ববু নৈনরিবা মহাক অদুদি প্রকৃতিদগী তোঙান্না লৈবা, নিত্য (লেংদ্রবা) ওইবা, পোকপ-শিবদগী রাংমদা লৈবা, হীরম পুম্বদগী ঈনান্ নাম্থোক্তনা লৈরবা, লৈব লৈতব অনীমক্কী মশক ওইরবা পরমাত্মা মহাক্কী জ্ঞানবু ফংই ॥ ০৮॥

যুধিষ্ঠির। জ্ঞান অসে ঐনা মমাংঙৈদা নিংথৌ জনকক্কী মফমদগী ফংখি। জনকনসু মাসি যাজ্ঞবল্ক্যগী মফমদগী ফংখিবনি। খ্বাইদগী অথোইবা সাধনা অদুগা উপাযদি জ্ঞানতনি। যজ্ঞনসু জ্ঞান হায়বা অদুগী লাম্বা ওইবা য়াবা নত্তে। জ্ঞানগী পাম্বৈন্তনা তাইবংমীনা সংসার ঈশাক্পু লান্বা ঙম্মিননি। যাগযজ্ঞগী পাম্বৈনা নত্তে ॥১০৯॥

নিংথৌ! খঙ-হৈব অশিংবশিংনা হায়নবা হায়ববু— পঞ্চভূতকা কোয়না পোকপা শিবদগী লান্থোকপা হায়বসে য়ায়া লুবা অমদি ওইথোক্কবা থবক্ অমনি। দান যজ্ঞনচিংবতনা পাম্বৈ ওইদুনা হায়রিবা খুদোংথীবসিদগী লাম্থোকপা অমদি নাম্থোকপা থক্ য়ারোই। যজ্ঞ তপস্যা নিয়ম ব্রতনচিংবনা স্বর্গ কানৈ। অদুবু পুণ্যগী মহৈশিং অদুবু স্বর্গদা ভোগ তৌরুরবা চারুরবা মতুংদা, হায়বদি— পুণ্যগী মহৈশিং অদুনা অস্থম্ স্থম মাঙথবরুবা (লৈরক্তবা) মতম অদুদা মহাক অমুক পৃথ্বীথক্তা নাম্বরকই— তারকই ॥১১০॥

মরম অদুনা নহাক প্রকৃতিদগী তোঙান্না লৈবা, খ্বাইদগী মহৎ ওইবা, খ্বাইদগী শেংলবা, মহামঙ্গলগী মশক ওইরবা, অমকপগী শরক করিমত য়াওথিদ্রবা, মমুং মপাল পুম্নশেং শেংদ্রবা মোক্ষ (মুক্তি) হায়বা অদুমক্কী মশক ওইরবা পুরংব্রহ্ম উপাসনা তৌ। পৃথিবীগী মপু! ক্ষেত্র (হকচাং) অসিবু মুম খঙজিন্দুনা

যদুপনিষদমুপাকরোৎ তথাসৌ জনকনৃপস্য পুরা হি যাজ্ঞবল্ক্যঃ।
যদুপগণিতশাশ্বতাব্যয়ং তচ্ছুভমমৃতত্বমশোকমৰ্চ্ছতি ॥ ১২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি যাজ্ঞবল্ক্য জনকসংবাদে ত্রয়োদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১৩॥

—:(❀):—

জ্ঞানযজ্ঞগী অ'শ্রয় লৌদুনা নহাক মহ'তত্ত্বজ্ঞানী ঋষি অমা ওইয়ু ॥১১॥ মমাংঙৈদা যাজ্ঞবল্ক্য মুনিনা জনক নিংথৌদা পীখিবা জ্ঞানগী পাউচাকসি অমৃত খন্তকবদগী নৈনববদি তাইবংমীনা ওসাই হায়গিবা সনাতন, অবিনাশী (অমাঙবা লৈতবা), মঙ্গলগী মশক ওইবা, অৱ' অনা য়াওদ্রবা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংই ॥১২॥

শকম অসিদা শ্রীমহাভাবতদা শ্লোক লিশিং চাথনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা যাজ্ঞবল্ক্য জনক সংবাদগী চহুমগা তরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১৩॥

——:(✦):——

মণিপুরী মহাভারত

চতুর্দ্দশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জরামৃত্যুদগী নান্থোক্লবগী বিষয়দা পঞ্চশিখগা জনকগা ওাওনবা)

চহুমতরামরিশুবা অধ্যায়

——:(❀):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ঐশ্বর্য্যং বা মহৎ প্রাপ্য ধনং বা ভরতর্ষভ। দীর্ঘমায়ুরবাপ্যাথ কথং মৃত্যুমতিক্রমেৎ ॥ ১ ॥
তপসা বা সুমহতা কর্ম্মণা বা শ্রুতেন বা। রসায়নপ্রযোগৈর্ব্বা কৈর্নাপ্নোতি জরান্তকৌ ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হংই,— ভরতশাগৈগী অথোইবা ঈবুধৌ ! চাউরবা মমল য়াম্লবা ধন সম্পত্তি নম্লগা—শাংলবা পুন্‌শি ফংলবা অহুগুম্বা মীনম্ন, ধন সম্পত্তি অহু ভোগ তৌন তৌনা পোকপ শিবগী মশক ওইরবা সংসারদগী অরান্‌বা খুদম ফংবা ওস্বা ? ॥ ॥

অহুগুম্বা মহাক অহুনা অকন্‌বা তপস্যা তৌহুনা, অচৌ অচৌবা কর্ম্ম লিংখৎহুনা বেদশাস্ত্রবু তমহুনা

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। ভিক্ষোঃ পঞ্চশিখস্যেহ সংবাদং জনকস্য চ ॥৩॥
বৈদেহো জনকো রাজা মহর্ষিং বেদবিত্তমম্। পর্য্যপৃচ্ছৎ পঞ্চশিখং ছিন্নধর্ম্মার্থসংশয়ম্ ॥৪॥
কেন বৃত্তেন ভগবন্নতিক্রামেজ্জরান্তকৌ। তপসা বাথ বুদ্ধ্যাবা কর্ম্মণা বা শ্রুতেন বা ॥৫॥
এবমুক্তঃ স বৈদেহং প্রত্যুবাহ পরোক্ষবিৎ। নিবৃত্তির্ন তয়োরস্তি নানিবৃত্তিঃ কথঞ্চন ॥৬॥
ন হ্যহানি নিবর্ত্তন্তে ন মাসা ন পুনঃ ক্ষপাঃ। সোহয়ং প্রপদ্যতেহধ্বানং চিরায়ধ্রুবমধ্রুবঃ ॥৭॥
সর্ব্বভূতসমুচ্ছেদঃ স্রোতসেবোহ্যতে সদা। উহ্যমানং নিমজ্জন্তমপ্লবে কালসাগরে ॥৮॥

নৈনহনা তেভ্তান্ তোঙাম্বা রসায়ন শীজিন্নহনা পোকপ শিবগী লাংদ অমুক থুরদনবা হোৎনবা য়াদত্রা ? অহুগা ঙমদবরা ? ॥৩॥

মতম অমগী রানি। নোংমা বিদেহনিংথৌ জনকনা ধর্ম্ম অর্থগী মরমদা অমদি তত্ত্বদা করিগুম্বা চিংনবা অমতা লৈত্রবা, সন্ন্যাসী পঞ্চশিখগী মফমদা অস্মুম হায়রম্ হংখি ॥৪॥

ভগবন্! করম্বা আচার ব্যবহার, করম্বা ত স্যা অমদি বুদ্ধিনা, করম্বা শাস্ত্রজ্ঞাননা, অহুগা করম্বা কর্ম্মনা তাইবংমীনা জরামৃত্যু (অহল ওইরকপা, শিবা) অনীসিবু লাংন্থোকদগে ? ॥৫॥

মহাত্মা অসুম্না হংলবদা পরোক্ষজ্ঞানী (মীংনা উংবা তুংগী অহুগা মমাংদা থোকখিবগী থৌদোক্ লোইনা খঙবা) মহর্ষি পঞ্চশিখনা অস্মুম হায়না পাউখুম পীখি— জরাগা মৃত্যুগা (অহল ওইবগা শিবগা) অনীগী নিবৃত্তি (কোকপা— হন্দোকথিবা) লৈতে। অহদা, ঈরৈ মরৈরবরা হায়বস্তু নত্রি। লন্ থুম সম্পত্তি, হীদাক লাংতক্কী পাম্বৈনা ওইদে হায়বান। জ্ঞানগী পাম্বৈতনা পুনর্জন্মবু থিংব য়াই। পোকপবু থিংলবদি— অহল ওইবগা শিবগা অনীদদি মশানা অহুম নিবৃত্ত (থক্‌খিবা) হায়বহু অহুম্ মওইজরে ॥৬॥

অহিং নুংথিল, খতু, থা, চহীনচিংবগী চক্রাসিনা অহুম তত্তনা লৈহনা লৈবা অসিগুম্না জন্ম মৃত্যু জরা (পোকপা, শিবা, অহল ওইরকপা) অহুম অসিগী চক্র অসি তত্তনা লৈহনা লৈ। পুন্‌শিগী অরোইবা নুমিংনা কৈনৌঙৈ ওইগনৌরিবনো হায়বা করিমতা অরেপ্পা খঙত্রবা তাইবংমীনা মতম কুইনগী মতুংদা কাইনখঙদা, হায়বদি পোকপ শিবগী লাংদা মতম কুইনা থুকরবা তুংদা, লাইবক ফবদগী মীওইবগী মপোক অমনা পোকপ শিবদগী লাম্থোক্লবা (মুক্ত ওইরনবা) মোক্ষমার্গগী আশ্রয় লৌরকই ॥৭॥

মতম হায়গা অসিনা পোং পুন্নমকপু ফুংক্তাক্তুনা লংথোকহ। ঈশিংগী ঈচেম্না পোং পুন্নমকপু হোন্ থহনা পুথিবগুম্না— মতম্না পোং ধয়া কয়া পুথহনা চৎখ্রবনি, হৌজিবস্তু নং ঐবু পুথরি। কাখৎফম দ্বীপ (ঈথৎ), হি নচিংবা করিমতা লৈতবা, সমুদ্রনা ঈংক্ ঈপোম্না ওহুনা থেংহনা ওহনা লৈবক্তগুমনা— মতম কৌবা ঈশাক্ অনিস্ত পুন্নমকপু তকুখায় ওৎখায়গদবগী চেষ্টখিগদবনি ওৎ নৈহনা লৈরি— ঈথক্ হৌরি। ঈশাক্‌নুংসিদা জরাগা মৃত্যুগা অনীনা চাউরবা কুম্ভীর অনীগী মূর্ত্তি পুহনা লৈরি। অস্মুম্

জরামৃত্যু মহাগ্রাহে ন কশ্চিৎপ্রতিপদ্যতে। নৈবাস্য কশ্চিৎ ভবতি নাসৌ ভবতি কস্যচিৎ ॥৯॥
পথিসঙ্গতমেবেদং দারৈরন্যৈশ্চ বন্ধুভিঃ। নায়মত্যন্তসংবাসো লব্ধপূর্ব্বো হি কেনচিৎ ॥১০॥
ক্ষিপ্যন্তে তেনতেনৈব নিষ্টনন্তঃ পুনঃ পুনঃ। কালেন জাতা যাতা হি বায়ুনেবাভ্রসংচয়া ॥১১॥
জরামৃত্যু হি ভূতানাং খাদিতারৌ বৃকাবিব। বলিনাং দুর্ব্বলানাং চ হ্রস্বানাং মহতামপি ॥১২॥
এবংভূতেষু ভূতাত্মা নিত্যভূতোঽভূতেষু চ। কথং হি হৃষ্যেজ্জাতেষু মৃতেষু চ কথং জ্বরেৎ ॥১৩॥
কুতোঽহমাগতঃ কোঽস্মি ক্ব গমিষ্যামি কস্য বা। কস্মিন্ স্থিতঃ ক্ব ভবিতা কস্মাৎ কিমনুশোচসি ॥১৪॥

ওইবা কালসমুদ্র (মতম ঈপাক্) অসিগী মনুংদা লুপ্তুনা ঈরাক্লহনা লৈারবা জীবশিং অসিবু কন্‌বিননবা কনা অমতা লৈতে, অদুগা কন্‌বস্সু কনা অমতা ঙম্মোই ॥৮॥

মতমগী ঈপাকনুংদা তাউরিবা জীব অসিগী মাগীনি হায়বা কনা অমতা লৈতে। অদুগা মহাক মশা-মকসু কনা অমতগী নত্তে। মমা মপা, ভাইশেল, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ মপাংশিং অসিদি লম্বী চৎপা, লমথুংফম শঙ অমদা ঙহাক্তং লৈমিন্নরম্বগুম্বতনি। মানা মানা থোকপা লমদা অদুম্ চৎনখিগনি। খাম্‌হৌবা থৎহৌবা য়ারোই। মপা মচা উনবগী নুংঙাইবা ফংনরিবসি হোরেলত মঙাইরে ফংঙোইদোবা ॥৯—১০॥

ঙহাক্তং ঙংজরম্বা লাউজ-খোংজরম্বা নোংশিংবু নুংশিৎনা পুমথু থুগাইদুনা লাক্নুনা লংথোকখিবদুগুম্না মতম কৌবা লাইহুনা পোকপ শিব নাইবা জীবাশংসিবু কন কপ-লাউজহুনসু চিংহুনা পুখি, বিনাশগী মশক ওইরবা মৈমুংদা লংশিন্‌খি ॥১১॥

মতীক মগুণ চাউবা অচৌবা, অতোনবা, মপাঙ্গল কনবা, অশোম্নবা, অচৌবা অপীকপা জীব পুন্নমকপু জরা মৃত্যু কৌবা কৈ অনীসিনা তুংলোমদগী হোচ্চিল্লক্নুনা ময়াদা কোক্ কোক্ লংশিল্লি ॥১২॥

অদুম তৌদুনা অচচ্চত্ত পুন্নমক অসি মশানা হেক্ পোকপদগী মাঙজ-মূচ্চগদবগী লাক্চরবসিদা নিত্য স্বরূপ (লেঙব ওৎপ লৈত্রবা, পোক্প শিব লৈত্রবা) ওইবা জীবাত্মাসিনা মাগী কনা পোক্লে হায়বগী নুংঙাই-গদৌরিবনো? মাগী কনা শিরে লৈত্রে হায়বগী রাগদৌরিবনো— কপকদৌরিবনো? ॥১৩॥

ঐ কনানো? কদায়দগী লাকপনো? কদায় তাম্ন চৎখিগদৌরিবনে:? কনা কনানো ঐগা লোয়ন-থিগদবা? কনাগা ঐগা করি সম্বন্ধ লৈ? কাংদা লেঙদনা লৈরগা, কদায়দা চৎখিগদৌরিবনো? * অসি পুন্নমকসি খম্বরুরগা রাকম—রানিংঙাই করি লৈ ॥১৪॥

---

* চংথিগদৌরিবা, শিখিগদৌরিবসি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মকম, হুমনি হায়রিবা, লম্নক্লি হায়রিবা, আসদগীরা? নত্রগা করম্বা মকমদগীনো, অদুগা শিরুগদৌরিবা মকম অদুনা কদায়দনো হায়বসি কনাসু অমত্তা থঙদে। ফুরা দলাল্ মনুংদা লৈবা মীনা পুন্‌শিচুপ্পা অদুমত্তম্ লৈগদবোই থজে। লায়রবনা ফুরা দলাল মনুংদা শিবা য়াওরি। ঈনাক্‌খুন্‌বা মীনা লম্নক্তা চানিংঙাই লৈতনা শিবা য়াওরি। কনাসু হুম্না

দ্রষ্টা স্বর্গস্য কোঽন্যোঽস্তি তথৈব নরকস্য চ। আগমাং স্বনতিক্রম্য দদ্যাচ্চৈব যজেত চ ॥ ১৫ ॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি যাজ্ঞবল্ক্য জনক-সংবাদে চতুর্দ্দশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১৪॥

——:(+):——

ফত্তবা থবকসু মতৌই, অফবা থবকসু মতৌই। অফবা ফত্তবা থবকনি হায়না তৌরিব অসিদগী হেন্না অতুগা তৌরিবা মী অদু নত্তন্য অফব থবক্কী মহৈনা স্বর্গ, ফত্তবগীনা নরকন'চংবা ফংঙ্গদৌরিবসি অতৈ কনানো? হায়বদি অফব ফত্তবা থবক তৌরিবা মী নত্তন: স্বর্গ নরকক্কী দ্রষ্টা ভোক্তা কনামতা লৈতে। মরম অসিনা শাস্ত্রগী য়াথংবু হীক্তোক্তনা দান যজ্ঞনচিংবা শুভকর্ম্ম (অফব থবক) শিং অসি অদুম্ তৌদুনা লৈগদবনি ॥১৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, যাজ্ঞবল্ক্য জনক-সংবাদদা চহুমগাতরামরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১৪॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনীগা জনকগা অনীগী ৱারী)

চহুমগা তরামঙাইশুবা অধ্যায়

——:(+):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অপরিত্যজ্য গার্হস্থ্যং কুরুরাজর্ষিসত্তম। কঃ প্রাপ্তো বিনয়ং বুদ্ধ্যা মোক্ষতত্ত্বং বদস্ব মে ॥ ১ ॥

যুধিষ্ঠিরনা হংই — কুরুবংশগী রাজর্ষি পুন্নমক্কী কোকথক্কী মণি! ঈবুধৌ! সংসারগী বিষয় পুন্নমক্কী জ্ঞানবুদ্ধি পুন্নমক্কী থুপ্পকম মুংনফম ওইবা, অদুগুম্বা মোক্ষধাম (মোক্ষতত্ত্ব— অমাম্বা খুঙম) বু গার্হস্থ্য-

হেংবদা মী অমতা লৈজদবনসু নীনা পুম্নোয় কোয়শিন্না শিবা য়াওরি। মচা-মশু, ঙাই-শেন্ য়াম্বা লৈবা মীনা মথন্তা ভরক্ তরক্বা শিবা— চংখিবা য়াওরি। মুন্নিৎ খুদিংগী থোকলিবা থৌদোক অসি কনামতনা থোইনা খন্তরুদে। মাসিবু হায়না মাংজোননা খল্লবদি থোইনা ৱানিংঙাই লৈতে। (কালাচাঁদ)

সংন্যস্যতে যথাত্মানং ব্যক্তস্ত্বাত্মা যথা চ যৎ। পরংমোক্ষস্য যচ্চাপি তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমীতিহাসং পুরাতনম্। জনকস্য চ সাবাদং সুলভায়াশ্চ ভারত ॥৩॥

সংন্যাসফলিকঃ কশ্চিৎ বভূব নৃপতিঃ পুরা। মৈথিলো জনকো নাম ধর্ম্মধ্বজ ইতি শ্রুতঃ ॥৪॥

স বেদে মোক্ষশাস্ত্রে চ স্বে চ শাস্ত্রে কৃতশ্রমঃ। ইন্দ্রিয়াণি সমাধায় শশাস বসুধামিমাম্ ॥৫॥

তস্য বেদবিদঃ প্রাজ্ঞাঃ শ্রুত্বা তাং সাধুবৃত্ততাম্। লোকেষু স্পৃহয়ন্ত্যন্যে পুরুষা পুরুষেশ্বরঃ ॥৬॥

অথ ধর্ম্মযুগে তস্মিন্ যোগধর্ম্মমনুষ্ঠিতা। মহীমনুচচারৈকা সুলভা নাম ভিক্ষুকী ॥৭॥

ধর্ম্মদা (গৃহস্থাশ্রমদা) লৈবা কয়ম্বা মীশক্না (কনানা) ফংবা লৈখিবগে ? মাহু অমুক্ত। ঐঙোন্দা তাক্পিয়ু ॥১॥

ঈবুধৌ। উরিবা তাইবং মীওইবগী হকচাং অসিনা স্থূলশরীর (মশক উবা ঙাপোবা হকচাং) অসিবু থাদোকখিবা, নত্রগা সূক্ষ্ম স্থূলশরীর অনীদা লৈবগী অভিমান (অহঙ্কার) বু য়াওহন্দনা কয়া আত্মা মথন্তনা লৈখিবা, হায়বদি— পুম্নমকসিবু আত্মাসিনা করম্বা মথাদোক্না থাদোকখিবা,··· অসি পুম্নমক অসি অমুক্ত। তশেংনা তাকৃপিয়ু ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— ভরতশাগেগী মুংঙাইনবগী মশক ওইরবা! নহাক্না হংলিবা বিষয়সিগী মরমদা মমাংঙৈদা জনক নিংথৌগা সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনীগা অনীগী মরক্ত থোক্খিবা সংবাদ অহু খুদম ওইনা হেক্ হেক্ লীনৈ ॥৩॥

মমাংঙৈদা মিথিলানগরীদা কনাগুম্বা জনক কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। * মহাক অসি ধর্ম্মধ্বজ হায়না য়াম্না প্রসিদ্ধ (অফাওবা) ওইখি। মহাক অসি গৃহস্থাশ্রমদা লৈরবসু সন্ন্যাসগী তত্ত্ববু মুম্ন খঙহুনা গৃহস্থাশ্রমদা লৈরম্বা মীনী ॥৪॥

মহাক্না বেদদা, শাস্ত্রশিংদা অহুগা মশাগী ধর্ম্ম রাজনীতি (দণ্ডনীতি) দা লৈবা তত্ত্ববু নৈনবদা অহুগা থিবদা পুক্নৌং চঙবা অহুগা নোম্বকনবা মীশক অমা ওইরম্মী। মহাক্না ইন্দ্রিয় খুদুম চন্দুনা লৈপাক্ শাসন তৌখি ॥৫॥

নিংথৌ! বেদগী তত্ত্ব খঙবা, জ্ঞানী ওইবা মী পুম্নমক্না মাগী মাগী মগুণ তাবদা মাগী মতৌ তমগদবগী হোৎনখি। হায়রম অসোমদদি মহাক মতম অহুগী মী পুম্নমক্কী মকমদা কহুক্নফম ওইবা মীশক অমা ওইখি ॥৬॥

মতম অহু ধর্ম্মতনা মরু ওইনা লৈবা যুগনি। মতম অহুদা যোগধর্ম্মগী তত্ত্ব লোইনা খঙলবী সুলভা

---

* মাসিদা হায়রিবা জনক হায়বা নিংথৌ অসি পাঠকশিংনা মিথিলাদেশগী সীতাগী মপা জনক হায়বা নিংথৌ অহুবা, হায়না চিংনবিগনু। অতোপ্পা জনক কৌবা নিংথৌ অমনি। মিথিলাদা মমিং মায়না জনক কৌবা নিংথৌ কয়া পানম্লবনি। (কালাচাঁদ)

তথা জগদিদং কৃৎস্নমট্যন্ত্যা মিথিলেশ্বর। তত্র তত্র শ্রুতো মোক্ষে কথ্যমানস্ত্রিদণ্ডিভিঃ ॥৮॥
সাতিসূক্ষ্মাং কথাং শ্রুত্বা তথ্যং নেতি সসংশয়া। দর্শনে জাতসঙ্কল্পা জনকস্য বভূব হ ॥৯॥
তত্র সা বিপ্রহয়াথ পূর্ব্বরূপং হি যোগতঃ। অবিভ্রদনবদ্যাঙ্গী রূপমন্যদনুত্তমম্ ॥১০॥
চক্ষুর্নিমেষমাত্রেণ লঘ্বস্ত্রগতিগামিনী। বিদেহানাং পুরীং সুভ্রূর্জগাম কমলেক্ষণা ॥১১॥
স প্রাপ্য মিথিলাং রম্যাং প্রভূতজনসংকুলাম্। ভৈক্ষ্যচর্য্যাপদেশেন দদর্শ মিথিলেশ্বরম্ ॥১২॥
রাজা তস্যাঃ পরং দৃষ্ট্বা সৌকুমার্য্যং বপুস্তু।। কেয়ং কস্য কুতো বেতি বভুবাগতবিস্ময়ঃ ॥১৩॥
ততোঽস্যাঃ স্বগতং কৃত্বা ব্যাদিশ্য চ বরাসনম্। পুজিতা পাদশৌচেন বরান্নেনাপি তর্পয়ৎ ॥১৪॥
অথ ভুক্তবতী প্রীত্যা রাজানং মন্ত্রিভির্বৃতম্। সর্ব্বভাষ্যবিদাং মধ্যে চোদয়ামাস ভিক্ষুকী ॥১৫॥
সুলভা ত্বস্য ধর্ম্মেষু মুক্তো নেতি সংশয়া। সত্ত্বং সত্ত্বেন যোগজ্ঞা প্রবিবেশ মহীপতে ॥১৬॥

কৌবী সন্ন্যাসিনী অনা পৃথিবীগী মফম পূম্নমক্তা কোয়চং চৎতুনা লৈরম্মী ॥৮॥ মহাক্না অস্নুম কোয়চৎ চৎ-লকপদা চৎলু চংলুবা মফমদা ত্রিদণ্ডী সন্ন্যাসীশিংগী মচীন্দগী মিথিলানিংথৌ জনক কৌবসিগী প্রশংসা (থাগৎনবা) অদু মহাক্না তারম্মি ॥৮॥

গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা মহাক্না সন্ন্যাসগী তত্ত্ববু অদুগা পরংব্রহ্মগী বিষয়দা য়াম্না খওজিল্লি হায়বদু তাবদা, মাসি চুম্বু চুম্মিদ্রা হায়না সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনী অসি মাগী পুক্নীংদা য়াম্না চিংনরক্লে ॥৯॥

মহাক্না যোগশক্তিতনা মাগী হান্নগী হকচাং (স্থুল শরীর) অদু থাদোকুনা য়াম্না ফজরবা হকচাংগী মওং অমা পুহুনা লাকই। মহাক্নী হকচাং কায়াৎ খুদিংমক পুক্নীং হুনবগী মশক ওইনা ফজরম্মি। শীগুম তাবা ফজরবী, থম্বাল মীত্রা তারবী মুপীমচা অসি যোগশক্তিগী পাম্বৈনা তেন্না থুনা য়াংনা পাইশল্লক্লবা ত্রৈঞ্জৈ অমগী মত্তৌগুম্না মীকুপ অমগী মনুংদা মিথিলানগরীদা থুংখি ॥১০—১১॥

মীনা থম্না লৈরবা মিথিলা নীংথিজরবী নগরীদা থুংথিহুনা সন্ন্যাসিনী সুলভানা কোম্নুং তাম্না চৎথি-হুনা মিথিলানিংথৌ জনকগা উন্নখি ॥১২॥

মাগী তনৌ তনৌরবা ফজরবা হকচাং কায়াৎশিং উবদা জনকনিংথৌ অসি পুম্নক্ ঙকখ্রে। মাসি কনা ওইরিগবা, কনাগী লোয়নবী নত্রগা মচানুপী ওইরিগবা ? কদায়দগী লাকপী, কদায়দা চংকদৌরিবীনো ? অসুম্ হায়না নিংথৌনা পুক্নীংদা মওল্ মওল্ থল্লকই ॥১৩॥

অদুগী তুংদা নিংথৌনা নীংথিনা তরাম্না স্বাগত তৌহনা ফজরবা মতীক চারবা আসন অমা লান্-শিল্লি। নীংথিজনা পূজা তৌদুনা মবুক্ পেম্না অমশান তৌখি ॥১৪॥

মবুক্ পেম চারহুনা ওস্থোক্না পেল্লবী সন্ন্যাসিনী সুলভানা, রাজাং হৈরবা জ্ঞানী পণ্ডিত ওইরবা মন্ত্রী-শিংনা পুম্নকোয় কোয়না লৈরবা জনকনিংথৌদা ব্রা ভাওবা হৌগে, করিজেম্বা থম্না হংগে হায়না পুক্নিংদা পল্লকলে ॥১৫॥ সুলভানা নিংথৌদা মোক্ষধর্ম্মগী মরমদা নিংথৌগী মফমদা রাহৎ থম্না হংগে হায়না থল্লম্মি।

নেত্রাভ্যাং নেত্রয়োরস্য রশ্মীন্ সংযম্য রশ্মিভিঃ। সা স্ম তং চোদয়িষ্যন্তী যোগবন্ধৈর্ববন্ধ হ ॥১৭॥
জনকোঽপ্যুৎস্ময়ন্ রাজা ভাবমস্যাবিশেষয়ন্। প্রতিজগ্রাহ ভাবেন ভাবমস্যা নৃপোত্তম ॥১৮॥
তদেকস্মিন্নধিষ্ঠানে সংবাদঃ শ্রূয়তাময়ম্। ছত্রাদিষু বিমুক্তস্য মুক্তায়শ্চ ত্রিদণ্ডকে ॥১৯॥
ভগবত্যাঃ ক চর্য্যেয়ং কৃতা ক বা গমিষ্যসি। কস্য চ ত্বং কুতো বেতি প্রপচ্ছেনাং মহীপতিঃ ॥২০॥
শ্রুতে বয়সি জাতৌ চ সদ্ভাবো নাধিগম্যতে। এষ্বর্থেষূত্তরং তস্মাৎ প্রবেদং মৎ সমাগমে ॥২১॥
ছত্রাদিষু বিশেষেষু মুক্তং মাং বিদ্ধি তত্ত্বতঃ স ত্বাং সম্মন্তুমিচ্ছামি মানার্হাহি মতাসি মে ॥২২॥
যস্মাচ্চৈতন্ময়া প্রাপ্তং জ্ঞানং বৈশেষিকং পুরা। যস্য নান্যঃ প্রবক্তাস্তি মোক্ষা তমপি মে শৃণু ॥২৩॥

নিংথৌ জনক অসি জীবন্মুক্ত ওইবগী অবস্থা কাম্লক্ত্রা, কারকত্রিববা হায়বসি সুলভাগী পুক্নীংদা চিংনবা অমা পোক্খি। সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনী অসি যোগশক্তিবু মপূংফানা শীজিন্নবা ওন্নবী যোগিনী অমসু ওইরগনি। যোগসাধনগী কুপ্লবা বুদ্ধি অমগী পাম্বৈনা নিংথৌ জনককী পুক্নীংদা চঙশিন্লে ॥ ৬॥

নিংথৌ জনকতা হংবা তৌবগে হায়না খন্দুনা মহাক্কী মীৎকী মশেক্না নিংথৌগী মীৎকী মশেকপু থিংহনা যোগশক্তিতনা নিংথৌগী থম্মোয়বুসু সুলভা মাগী মথা পোন্ন হায়বদি নান্দকুনা থমল্লে ॥১৭॥

নিংথৌ অথোইবা যুধিষ্ঠির। মহাক্না তৌরিবা, খল্লিবা পুন্নমক অহু নিংথৌ জনকনসু খঙলহনা মোমোন্ নোক্তুনা ভাব (রাখল) তনা সুলভাগী ভাব অহুবু লৌশিনখি- চুপশিনখি ॥১৮॥

নিংথৌগী বেষ আভূষণ ছত্র চামবনচিংবক্ত য়াওদ্রবা জনকগা ত্রিদণ্ডনচিংবা সন্ন্যাসগী চিহ্ন (খুদম) পুম্বা থাদোক্লবী সুলভাগা হকচাং অমতদা লৈমিন্নদুনা জীবাত্মা অনীনা শান্নখিবা রকম— ভাঙনখিবা রা পুন্নমক অহু তাও ॥১৯॥

জনকনা হায়রকই,— সন্ন্যাসিনী! নহাক্না নহাক্কী সন্ন্যাসগী দীক্ষা অসি কনা স্বামী (স্বামূজী গুরু) দগী ফ বিখি? কদায়দা লেঙগদৌরি? কনানো নহাকপো? কনাগী লোয়নবী নত্রগা মচানুপীনো? ঐগী সিদদি কয়ম্না লেঙলক্লি? অসিগুম্বা য়াহং ময়াম অসি জনকনা সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনী অহুদা হংখি ॥২০॥

অমুকসু জনকনা হায়রকই,— কনাগুম্বা অমগী শাস্ত্রজ্ঞান কয়া য়াম্না লৈবা, হৌজিক ওইরিবা অবস্থা অহুগা বর্ণ জাতি গোত্রনচিংবসি হংদনদি খঙবা ঙম্মদে। অদুনো হৌজিক্তি ঐগী নাক্ মক্তদা লাকপিরবনিনা, ঐগী য়াহংশিংসে সন্ন্যাসিনী নঙোন্দা হংকম থোকই। হংদনদি বিষয়শিং অসে খঙকম থোক্তে ॥২১॥

ছত্র দণ্ডনচিংবা নিংথৌগী চিহ্ন (খুদম) পুম্বা ঐ থাদোকচরবনি। অদুনা নহাক্না ঐবু মুম্ন খঙবিয়ো। ঐ সন্ন্যাসিনী নহাকপু সন্মান য়াম্না তৌজনীংই। করি মবম্না হায়বদা, যেংবদা নহাক অসি য়াম্না সন্মান তৌকম পোকই হায়না খঙজরে ॥২২॥

ঐনা মম্মাংঙৈদা জ্ঞান পুম্নমক্তগী অথোইবা মোক্ষজ্ঞানবু, মহাক নত্তনা মতম অহুদা কনা অমত্তনা তাকপীনীংঙায় লৈত্রবা ঐগী জ্ঞানদাতা গুরুগী পরিচয় অহুসু ঐ হায়জগে তাবিয়ু ॥২৩॥

পঁরাশরগোত্রস্য বৃদ্ধস্য সুমহাত্মনঃ। ভিক্ষো পঞ্চশিখস্যাহং শিষ্যঃ পর সম্মতঃ ॥২৪॥
সাংখ্যজ্ঞানে চ যোগে চ মহীপালবিংধা তথা। ত্রিবিধে মোক্ষধর্ম্মেঽস্মিন্ গতাধ্বছিন্নসংশয়ঃ ॥২৫॥
স যথাশাস্ত্রদৃষ্টেন মার্গেনেহ পরিব্রজন্। বার্ষিকাংশ্চতুরোমাসান্ পুরা ময়ি সুখোষিতঃ ॥২৬॥
তেনাহং সাংখ্যাসুখ্যেন সুদৃষ্টার্থেন তত্ত্বতঃ। শ্রাবিস্ত্রিবিধং মোক্ষং ন চ রাজ্যাদ্ধি চালিতঃ ॥২৭॥
সোঽহং তামখিলাংবৃত্তিং ত্রিবিধাং মোক্ষসংহিতাম। মুক্তরাগশ্চরাম্যেকঃ পদে পরমকে স্থিতঃ ॥২৮॥
বৈরাগ্যং পুনরেতস্য মোক্ষস্য পরমো বিধিঃ। জ্ঞানাদেব চ বৈরাগ্যং জায়তে যেন মুচ্যতে ॥২৯॥
জ্ঞানেন কুরুতে যত্নং যত্নেন প্রাপ্যতে মহৎ। মহৎ দ্বন্দ্বপ্রমোক্ষায় সা সিদ্ধির্যা বয়োঽতিগা ॥৩০॥
সেয়ং পরমিকা বুদ্ধেঃ প্রাপ্ত নির্দ্বন্দ্বতা ময়া। ইহৈব গত মোহেন চরতা মুক্তসঙ্গিনা ॥৩১॥

পরাশর গোত্রগী অহল্ ওইরবা সন্ন্যাসী, মহাত্মা পঞ্চশিখ হায়বহ্ ঐগী গুরুদেবনি। ঐ অসি মহাক্কী, মহাক্কা থোইনা চান্‌বিরবা শিষ্য অমনি ॥২৪॥

সাংখ্যজ্ঞান, যোগবিদ্যা অমুগা রাজধর্ম্ম অহুম অসি ঐনা গুরুদেবহুদগী ফংজখি। হায়রিবা অহুমসিগী ভখহ্ ঐনা চিংনবা লৈতনা ফংজপ্রবনি ॥২৫॥

মমাংঙৈগী রানি, ঐগী আচার্য্যদেব অসি শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা জ্ঞানমার্গদা লৈন লৈনা অসুম দেশ দেশান্তরদা ভ্রমণ তৌরকপদা বর্ষাঋতুগী থা মরি (চতুর্মাস) চুপ্পা ঐগী সিদা নুংঙাইনা লৈবিরম্মি ॥২৬॥

মহাক সাংখ্যযোগগী অথোইবা বিদ্বান্ জ্ঞানী অমনি। শাস্ত্র পুম্নমক্কী সিদ্ধান্ত পুম্বা প্রত্যক্ষ ওইনা উরবা মীনি। মহাক্কা ঐভোন্দা মখল অহুমগী মোক্ষধর্ম্ম তাকপি— তম্বিরম্মি। অমুগা রাজধর্ম্ম অসিদগী, হায়বদি— রাজ্য অসিবু থাদে কুনা মকম অসিদগী অমদা কাতু কারন্ চৎপগী য়াপংদি পীবিরমদে ॥২৭॥

ঐনা গুরুদেবহুদগী পাউতাক কয়া কংহুনা, সংসারগী বিষয়শিং অসিদা আসক্তি থমদনা, মুক্তিগী মরম ওইবা বৃত্তি মখল অহুম কায়দনা ভাক্কুনা ইথন্তা পরমপদ (অথোইবা খুঙম— থোইনা নুংঙাইনকম ওইবা) দা লৈহরি ॥২৮॥

বৈরাগ্যতনা মুক্তিগী মরু ওইবা কারণ (উপায়) নি। অমুগা বৈরাগ্য হায়বহুসু জ্ঞানগী পাম্বৈতনা কংগদবনি। জ্ঞানতনা তাইবংমীনা অরান্‌বা খুঙম ফংনরিবনি ॥২৯॥

তাইবংমীনা জ্ঞানগী পাম্বৈতনা মুক্তিপদবী ফংননবা হোৎনৈ। য়াম্না কল্লা হোৎনরবা (সাধন তৌরবা) মতুংদা আত্মজ্ঞান ফংনরিবনি। অহুম্ ওইবা চাউরবা মহৎ ওইরবা আত্মজ্ঞানতনা, অরা-নুংঙাইবা কায়নবা তিন্নবনচিংবা দ্বন্দ্বভাবতগী সাস্থোক্লনবগী উপায়নি। কাল (মতম— মৃত্যু) দগী ফাওবা লাস্থোকহন্‌বী সিদ্ধি অহুদি বৈরাগ্যজ্ঞান সাংখ্যজ্ঞান অসিতনা পীরিবনি ॥৩০॥

ঈচা ঈগু শাগৈ নাতৈ লন্ থুম্নচিংবা বিষয়শিং অসিদা ঐগী করিগুম্বা শুদ্ধৎপ— মিহৌব অমতা লৈত্রে। ঐ বিষয়গী সংসর্গ (মরী) পুম্বা থাদোক্লবনি। অদুনা গৃহস্থধর্ম্মদা লৈহুনসু বুদ্ধিগী নির্দ্বন্দ্বভাব

যথা ক্ষেত্রং মৃদূভূতমদ্ভিরাপ্লাবিতং তথা। জনয়ত্যংকুরং কর্ম্ম নৃণাং তদ্বৎ পুনর্ভবম্ ॥৩২॥
যথা চোত্তাপিতং বীজং কপালে যত্র তত্র বা। প্রাপ্যাপ্যংকুরহেতুত্বমবীজত্বান্ন জায়তে ॥৩৩॥
তদ্বৎ ভগবতানেন শিখা প্রোক্তেন ভিক্ষুনা। জ্ঞানং কৃতমবীজং মে বিষয়েষু ন জায়তে ॥৩৪॥
নাভিরজ্যতি কস্মিংশ্চিন্নানর্থে ন পরিগ্রহে। নাভিরজ্যতি চৈতেষু ব্যর্থত্বাৎ রাগদোষয়োঃ ॥৩৫॥
যশ্চ মে দক্ষিণং বাহুং চন্দনেন সমুক্ষয়েৎ সব্যং বাস্যাপি সন্তক্ষেৎ সমাবেতাবুভৌ ॥৩৬॥
সুখী সোঽহমবাপ্তার্থঃ সমলোষ্ট্রাশ্মকাঞ্চনঃ। মুক্তসঙ্গঃ স্থিতো রাজ্যে বিশিষ্টোঽন্যৈস্ত্রিদণ্ডিভিঃ ॥৩৭॥
মোক্ষে ত্রিবিধানিষ্ঠা দৃষ্টান্যৈর্মোক্ষবিত্তমৈঃ। জ্ঞানং লোকোত্তরং যচ্চ সর্ব্বত্যাগশ্চ কর্ম্মণাম্ ॥৩৮॥

(অনী থোকপগী মওং) অদু থাদোকুনা নির্দ্বন্দ্বতা (অনী থোক্তবগী মওং) বু কংদুনা লৈরবনি ॥৩১॥

লৌবুক্পু য়াম্না নীংথমা থোইদোকুনা লৈপাক অংবু য়াম্না থোংহল্লবা তুংদা, মতমচ না নোংগী ঈশিংনা থীক্থরবা — চোংহনথরবা তুংদা, মাদুদা থাবা হুনবা মরুনা নীংথিনা পোক্থায়দুনা ময়োল চোংলকপদুগুম্না— মীওইবগী শুভ (অফবা) অশুভ (ফত্তবা) কর্ম্মতনা পূনর্জন্ম (অমুকহন্না সংসারদা পোকপ) মু থোকহল্লি। হায়বদি— কর্ম্মতনা হন্না হন্না পোক্হনবনি ॥৩২॥

লৈপাক্কী কেগাদদা নত্রগা করিগুম্বা পাত্র অমদা হাপ্তুনা মৈথক্তা ভৌরুরবা মরু অদুনা বীজ (মরু) হায়বদু ওইত্রবা, হায়বদি— মরু কৌবা য়াত্রবা, নির্বীজ ওইরবা, অদু ওইরবদি কনা য়াম্না ফবা লৌবুক্তা হুল্লু থারুদুনসু মাদু ময়োল চোংডক্তে। অদুগুম্না ঐগী শ্রীগুরুদেব ভগবান্ পঞ্চশিখনা ঐভোন্দা পীবিরম্বা জ্ঞান অদুদি নির্জীবনি। অদুনা সংসারগী নীংথিরবা লৌবুক্তা, হায়বদি— সনা লুপা মণি মুক্তান। থল্লবা সংসারগী বিষয়শিং অসিদা থারুরবসু— হুল্লুরবসু ময়োল্ চোংঙ, হায়বা য়াত্রে ॥৩৩—৩৪॥

অদুগুম্বা জ্ঞান অদুদগী পোক্লকপী ঐগী বুদ্ধি অসিনা করিগুম্বা সংসারগী কাম্নত্রবা বিষয় ভোগ অমদা ময়োল্ চোংডকউ— তেক্থৎলকউ হায়বা য়াত্রে। চওশিল্লু হায়বা ফাওবা য়াত্রে। মুপী নহানচিংবা বিষয়গী অনুরাগ, য়েক্লবনচিংবগী বিষয়দা লৈবা অশান্তিবা, পূন্নমক্ অসি কাম্নদবা ডাক্তা ওইবনা, মদোমদা ঐগী বুদ্ধি মমায় খজিক্তা ওইল্লু হায়বা ফাওবা য়াত্রে ॥৩৫॥

ঐগী য়েথংবা পাম্বোমদা মনম মুংশিরবা চন্দন তৈশিল্লবা— থিন্বিরবা মী অদুগা মতমদুমক্তদা ওয়থংবা পাম্বোমদা মচীল্ তূম্নবা থোয়বা তিংথংবু য়ুহল্লবা— থিংজিল্লবা মীদুগা অনীসিবু ঐনা চপ মান্ননা উই। হায়বদি— কদায়না মরূপনো, কদায়না য়েক্লবনো হায়বা খত্তদে ॥৩৬॥

ঐ নীংব পূম্ব থুংদুনা করিমক্তা রাত্তনা মুংডাইনা লৈজরি। লৈপাক মতুম (লৈতুম্), নুং, সনা লুপা ঐগী মীত্তা থেম্নবা লৈতনা চপ মান্ননা উই। ঐনা আসক্তি পূন্নমক্ থাদোকুনা নিংথৌগী থবক পুরি। অদুনা ত্রিদণ্ডী সন্ন্যাসী সাধু যোগীশিংগী মফমদগীসু, ঐগী লৈফমসিনা মথোয়গীদগী ঈতোন্ তোঙানবনি। হায়বদি মথোয়দগীসু হেন্বনি ॥৩৭॥ অলৌকিক (লোকতা চৎনবা জ্ঞানগী রাংমদা লৈবা) জ্ঞান, অলৌকিক সন্ন্যাস,

জ্ঞাননিষ্ঠাং বদন্ত্যেকে মোক্ষশাস্ত্রবিদো জনাঃ। কর্ম্মনিষ্ঠাং তথৈবান্যে যতয়ঃ সূক্ষ্মদর্শিনঃ ॥৩৯॥
প্রহায়োভয়মপ্যেব জ্ঞানং কর্ম্ম চ কেবলম্। তৃতীয়েয়ং সমাখ্যাতা নিষ্ঠা তেন মহাত্মনা ॥৪০॥
যমে চ নিয়মে চৈব কামে দ্বেষে পরিগ্রহে। মানে দম্ভে তথা স্নেহে সদৃশাস্তে কুটুম্বিভিঃ ॥৪১॥
ত্রিদণ্ডাদিষু যদ্যস্তি মোক্ষজ্ঞানেন কস্যচিৎ। ছত্রাদিষু কথং ন স্যাৎ তুল্যহেতোপরিগ্রহে ॥৪২॥
যেন যেন হি যস্যার্থঃ কারণেনেহ কর্ম্মণি। তত্তদা লভতে সর্ব্বঃ স্বে স্বে স্বার্থপরিগ্রহে ॥৪৩॥
দোষদর্শী তু গার্হস্থ্যে যো ব্রজত্যাশ্রমান্তরে। উৎসৃজন্ পরিগৃহ্ণংশ্চ সোঽপি সঙ্গান্নমুচ্যতে ॥৪৪॥

অলৌকিক কর্ম্মগী অনুষ্ঠান (লিংখৎপা), হায়বদি— নিষ্কামভাবতা তৌবা কর্ম্ম, হায়রিবা নিষ্ঠা (মকম) অহুম অসিবু মোক্ষশাস্ত্রগী বিদ্বান্‌শিংনা, মোক্ষ ফংননবগী উপায়নি হায়না উই— লৌই ॥ ৮॥

মোক্ষশাস্ত্রবু নৈনবা খরগী মত তা, জ্ঞাননিষ্ঠানা মোক্ষগী সাধন (উপায়) নি হায়। কূপ য়েংশিন্‌বা খরতনা কর্ম্মনিষ্ঠাতনা মোক্ষগী উপায়নি হায় ॥৩৯॥

ঐগী গুরুদেব মহাত্মা পঞ্চশিখনদি পক্ষ অনীমক্কী মত অসি থাদোক্লনা ঈতোপ্ তোপ্পী অহুমগুবী নিষ্ঠা অমা পুথোকপিখি ॥৪০॥

যম, নিয়ম, ব্রত, অপাম্বা, য়েংথিবা, ঈকায় খুয়হন্‌বা, থোয়বা, লেম্বা, নুংশিবা, অসি পুম্নমক অসিনা পীরক্কদৌরিবা তোংবা মওবা অসিনচিংবদদি সন্ন্যাসীগা গৃহস্থ অমগা করিমতা খেন্নদে। হায়বদি— নিয়ম, ব্রতনচিংবহুবু য়ুমদা লৈন লৈনা, গৃহস্থ ওইন ওইনা অহুম্ তৌরবদি গৃহস্থ অমনস্সু— মোক্ষ অদো অহুম্ মফংভি। কামনা অমদি কল্লক য়েংথিববু অহুম মতৌববদি সন্ন্যাসী অহুস্সু মুক্তি (মোক্ষ) করিগুম্বা মতমদা ফংবা ঙমদে ॥৪১॥

সন্ন্যাসীনা ত্রিদণ্ডনচিংবা পায়, গৃহস্থ ওইনা নিংথৌ পে, কাওহাই চামর, দণ্ড, কমণ্ডলু, ত্রিদণ্ডনচিংবা পায়হুনা জ্ঞানগী পান্থনা মুক্তি ফংলবদি ছত্র চামরনা থোগম্বা নিংথৌসু জ্ঞানগী পান্থনা করিগী মুক্তি ফংলোই ? মরমদি মোক্ষগী বন্ধন ওইবা মপান্‌গী সংসারগী কান্নদবা মচাক্ পায়নবদি মখোয় অনীমক— নিংথৌ সন্ন্যাসী অনীমক চপ্ মমান্নরি। পোৎশক অমমম্‌দি অহুম্ মমান্নরি। অমনা ত্রিদণ্ড, অমনা রাজদণ্ড, ছত্রনচিংবা ॥৪২॥

তাইবং মীওইবনা মানা মানা পান্থদু ফংননবা মানা নীংবত্থ থুংননবা ফংগদৌরিবা পোৎশকশিং অহু ফংননবগী খুংলায় (পান্থ) দি অসিনি অহনি হায়না থগুবা পোৎশকশিং অহু অহুম্ মপায়নবতনি। ফংননবা পোৎশক অহুনা চপ মান্নরবসু, পোৎশক মশা অমতা ওইরবসু মানা মানা পান্থা উপায়গী আশ্রয় লৌনবতনি ॥৪৩॥

গৃহস্থাশ্রমবু দোষ লৈবনি হায়না থাদোক্লমহুনা সন্ন্যাসাশ্রম লৌপ্রবশিং অহুস্সু পোৎশক অমবু থাদোক্লম্নগা অতোপ্পা পোৎশক অমমুক পায়খংলুই। সংসারগী অউবা বিষয় (পোৎশক) অমগা ত্রিন্নকরিমথৈ

আধিপত্যে তথা তুল্যে নিগ্রহানুগ্রহাত্মকে। রাজর্ষিভিক্ষুকাস্তপ্যা মুচ্যন্তে কেন হেতুনা ॥৪৫॥
অথ যত্রাধিপত্যেঽপি জ্ঞানেনৈবেহ কেবলম্। মুচ্যন্তে সর্ব্ব পাপেভ্যো দেহে পরমকেশ্মিত ॥৪৬॥
কাষায়ধারণং মৌণ্ড্যং ত্রিবিষ্টব্ধং কমণ্ডলুম্। লিঙ্গান্যুৎপথভূতানি ন মোক্ষায়েতি মে মতিঃ ॥৪৭॥
যদি সত্যেঽপি লিঙ্গেঽস্মি জ্ঞানমেবাত্র কারণম্। নির্মোক্ষায়েহ দুঃখস্য লিঙ্গমাত্রং নিরর্থকম্ ॥৪৮॥
অথবা দুঃখশৈথিল্যং বীক্ষ্য লিঙ্গে কৃতা মতিঃ। কিং তদেবার্থং সামান্যং ছত্রাদিষু ন লক্ষ্যতে ॥৪৯॥
আকিঞ্চন্যেন মোক্ষোঽস্তি কিঞ্চন্যেনাস্তি বন্ধনম্। কিঞ্চন্যে চেতরে চৈব জন্তুর্জ্ঞানেন মুচ্যতে ॥৫০॥
তস্মাৎ ধর্ম্মার্থকামেষু তথা রাজ্য পরিগ্রহে। বন্ধনায়াতনেষ্বেষু বিদ্ধ্য বন্ধে পদেস্থিতম্ ॥৫১॥

সঙ্গদোষ হায়বহুদি অতুম মরৈরি। অতুনা সন্ন্যাসীগু নিংথৌ (গৃহস্থ) সু সঙ্গদোষদগী মুক্ত ওইবদি (লান্থোকপদি ঈওম্ ওয়ত্রি ॥৪৪॥

অমবু ফাজিন্বা, অমবু থাদোকপা, হায়বসিমক্তবু আধিপত্য (অধিপতি নিংথৌগী ধর্ম্মনি। হায়রিবা আধিপত্য হায়বা ধর্ম্ম অসি নিংথৌদসু লৈ, সন্ন্যাসীদসু লৈ। নিংথৌগা থন্ন্যাসী অমগা অসি য়ৌনা মায়রবদা মুক্তিদি সন্ন্যাসীতনা ফংগদবনি, নিংথৌ (গৃহস্থ) না ফংবা য়াদে হায়বসিগী মরম করিনো ? ॥৪৫॥

তাইবং মীওইবগী হকচাংসিগুম্বা খ্বাইদগী ফরবা অথোইবা দেহ (হকচাং) অসি ফংলবা প্রাণবায়ু লোইয়িবা প্রাণী (জীবনা) প্রভুত্ব (আধিপত্য) পায়রবসু, ধন সম্পত্তিগী মপু ওইরবসু জ্ঞানগী পান্বৈতনা লৌশিল্লুরিবা — থাদোক্গনুরিবা অতুদগী পোকপা পাপ পুণ্যদগী লান্থোকপা (মুক্ত ওইবা) ওম্মি ॥৪৬॥

ঐগী মত-তদি, ঐনা খল্লবদি— গেরুয়া ফীজোন্না, লু কোক্থোকপা, ত্রিদণ্ড, কমণ্ডলু, ঝুলী কঠারী য়েম্পাকশিং সন্ন্যাসী ওইবগী, হায়বদি সন্ন্যাসগী মপান্গী অটবা অমদি উহনবা লিঙ্গ (খুদম) মক্তনি। হায়রিবা খুদমশিং অসি মোক্ষ (মুক্তি) পীগদবা নত্তে, মখোয়শিং অসিনা মোক্ষগী সিদ্ধি ওইগদবা নত্তে ॥৪৭॥

উপায় (খুদম) শিং অসি লৈরেন লৈনা, পায়রন পায়না, তত্ত্বজ্ঞানগী প্রয়োজন (দরকার) অমুক লৈরবদি পায়রিবা লোইরিবা খুদমশিং অসে নিরর্থক (কান্নদবা— অর্থ য়াওদবা) মক্তনি ॥৪৮॥

ত্রিদণ্ড, গেরুয়া ফীজোলনাচংবা অসিনা সন্ন্যাসমার্গদা চৎপদা সুবিধা য়াম্না ওই, চৎপগী রাবা অম্নাম্বা কোক্ই হায়না লৌরবসু, অতুগুম্বা রাখল অহু ছত্র চামরনাচংবদা খম্বা য়ারোইদৌরিবসি করিগীনো ? ॥৪৯॥

করিসু লৈজত্রব লম্বীগী চাক্লিবা ওইবদসু— ওইহনবদসু মুক্তি লৈবা নত্তে। অতুগা ধন সম্পত্তি য়াম্না লোইবা মীশক ওইবদসু— ওইহনবদসু মুক্তিনা লৈরোইদৌবা নত্তে। মরমদি লায়রবা ঈনাকখুনবা অনীমক্তা জ্ঞানগী প্রয়োজন (দরকার) দি অতুম্ মরৈ ॥৫০॥

মরম অতুনা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অতুগা রাজসিংহাসন অসিনচিংব বন্ধনশিং অসিগী মরক্ত লৈরবসু, ঐ অসি হায়রিবা বন্ধনশিং অসিদগী রাংমদা লৈরবনি হায়না খঙু ॥৫১॥

রাজ্যৈশ্বর্য্যময়ঃ পাশঃ স্নেহায়তনবন্ধনঃ। মোক্ষাশ্মনিশিতেনেহ ছিন্নস্ত্যাগাসিনা ময়া ॥৫২॥
সোঽহমেবং গতো মুক্তো জাতাস্থস্ত্বয়ি ভিক্ষুকি। অযথার্থং হি তে বর্ণং বক্ষ্যামি শৃণু তন্মম ॥৫৩॥
সৌকুমার্য্যং তথা রূপং বপুরগ্র্যং তথা বয়ঃ। তবৈতানি সমস্তানি নিয়মশ্চেতি সংশয়ঃ ॥৫৪॥
যচ্চাপ্যনন্নুরূপং তে লিঙ্গস্যাস্য বিচেষ্টিতম্। মুক্তোঽয়ং স্যান্ন বেতি স্যাৎ ধর্ষিতো মৎ পরিগ্রহঃ ॥৫৫॥
ন চ কামসমাযুক্তে মুক্তেঽপ্যস্তি ত্রিদণ্ডকে। ন রক্ষ্যতে ত্বয়া চেদং ন মুক্তস্যাস্তি গোপনা ॥৫৬॥
সংপক্ষসংশ্রয়াচ্চায়ং শৃণু যস্তে ব্যতিক্রমঃ। আশ্রয়ন্ত্যাঃ স্বভাবেন মম পূর্ব্বপরিগ্রহম্ ॥৫৭॥

ঐনা মোক্ষগী মশক ওইরবা নুংদা ফেঙহুনা তকুনা ময়া থৌহল্লবা ত্যাগ বৈরাগ্যগী মশক ওইরবা থাংশাংনা রাজ্য অমদি ধন সম্পত্তি ঐশ্বর্য্য ফংনিংবগী লাংবু, অদুগা অপাম্বা মুংশিবা অসিনচিংবগী আশ্রয় ওইহুনা লৈরিবা মুপী অঙাংগী মক্ষমদা লৈগদবা মমতা (ঐগীনি হায়না মুংশিবা) দুবু ককৃথৎলবনি ॥৫২॥

সন্ন্যাসিনী! মতৌ অসুম্না ঐ জীবন্মুক্ত হায়বহু ওইরবনি। নহাক্কী যোগবিদ্যা য়োগশক্তি অসিবু উবদা নহাকপু ঈকায় থুম্মনীংবগী বুদ্ধি অমদি ঐগী পুক্নীংদা পোকৃই। অদুগা নহাক্না মপান্‌গী হকচাংদা ফজনা উৎলিবা ফজহল্লিবা অসি যোগসাধনগী মথৌ নত্তে, মতীক চাদে। ঐ মাসিগী মরমদা খরা হায়রগে তাবিয়্ ॥৫৩॥

মীগী পুক্নীং হুনা ফজহনবা, মথোক্ কারক্পা মালহন্‌বা, অসি পুম্মনকসি যোগগী বিরুদ্ধনি। বিরুদ্ধ ওইবা লমচৎ অসিসু চৎন চৎনা নহাক যোগিনী সন্ন্যাসিনী অমনি হায়হূনসু চংলি। মাসিদা চিংনবা অমা পোক্লে ॥৫৪॥

সন্ন্যাসগী মপানগী খুদম ত্রিদণ্ডনচিংবা পায়রি, গেরুরা ফীজোল্ শেংলি। উৎলিবং খুদমহুগী মতুংদা কর্ম্মদি তৌদ্রে। ঐবু জীবন্মুক্ত ওইরব্রা ওইদ্রিব্রা হায়বহু পরীক্ষা তৌননবগীদমক নহাক্না ঐগী থম্মোয়মুংদা চোংশিল্লকুনা ঐবু অদুগা ঐগী পুক্নীংবু খুহুম চন্নবা হোৎনরি। যোগশক্তিনা নমহুনা নহাক্না ঐবু খুহুম চল্লে ॥৫৫॥

যোগশক্তিবু শেরান্নবা মায়গৈদা শীজিন্নহুনা মী অমবু সংসারগী অপাম মুংশিগী লাংদা থুহন্‌গদবগী হোৎনরবদি মাহু ত্রিদণ্ড ধারণ তৌরিবা, গেরুরা ফীজোল শেংলিবসিগদি য়াম্না তৈনরে। অদুগা মাহুগুম্না নহাক্কী আশা অদুসু কন্নদবা ওইগনি— ব্যর্থনি। তৌরিবা শাজৎ অদুনা সন্ন্যাসাশ্রমগী নিয়ম বিধিদি নহাক্না তাকৃত্রে। সন্ন্যাসিনী নহাক্না মশাগী চংচাবা মওংবু লোৎতুনা থম্নগা মী অমদা নমথাক তৌননবগী হোৎনরবদি জীবন্মুক্ত ওইরবা মী অমগী মক্ষমদদি মশাবু মশানা লোচ্চবা হায়বসি করিমত্ত কান্নবা কংলোই ॥৫৬॥

নহাক্না য়াম্ন মুন্না বিচার তৌহুনা ঐগী অহান্‌বা ওইরম্বা হকচাং অমদি কীবম অদুগী আশ্রয় লৌননবা হোৎনৈ। অদুনা ঐগী মত, ঐগী পক্ষদা চঙগদবগী ঐগী থম্মোয়মুংদা চোঙশিল্লকপসিনা মঙোল্না চৎকদবা ভাঙগদবা মওংদগী ঐগীসু খর লাম্থোরকৃলে। মাসিগী মরম অসি ঐগী (মত) তাবিয় ॥৫৭॥

প্রবেশস্তে কৃতঃ কেন মম রাষ্ট্রে পুরেঽপি বা। কস্য বা সংনিকর্ষাত্ত্বং প্রবিষ্টা হৃদয়ং মম ॥৫৮॥
বর্ণপ্রবরমুখ্যাসি ব্রাহ্মণী ক্ষত্রিয়স্ত্বহম্। নাবয়োরেকযোগোঽস্তি মাকৃথা বর্ণসংকরম্ ॥৫৯॥
বর্ত্তসে মোক্ষধর্ম্মেণ ত্বং গার্হস্থ্যেঽহমাশ্রমে। অয়ং চাপি সুকষ্টস্তে দ্বিতীয়োঽশ্রম সংকরঃ ॥৬০॥
সগোত্রাং বাসগোত্রাং বা ন বেদত্বাং ন বেত্থমাম্। সগোত্রমাবিশন্ত্যাস্তে তৃতীয়ো গোত্রসঙ্করঃ ॥৬১॥
অথ জীবতি তে ভর্ত্তা প্রোষিতোঽপ্যথবা ক্বচিৎ। অগম্যা পরভার্য্যেতি চতুর্থো ধর্ম্মসঙ্করঃ ॥৬২॥
সা ত্বমেতান্ন কার্য্যাণি কার্য্যাপেক্ষা ব্যবস্যসি। অবিজ্ঞানেন বা যুক্তা মিথ্যাজ্ঞানেন বা পুনঃ ॥৬৩॥
অথ বাপি স্বতন্ত্রাসি স্বদোষেনেহ কর্হিচিৎ। যদি কিঞ্চিৎশ্রুতং তেঽস্তি সর্ব্বং কৃতমনর্থকম্ ॥৬৪॥

করি রাথক্ষগী করি তৌগে হায়দুনা সন্ন্যাসিনী নহাক্কা ঐগী রাজ্যদা নগর অসিদা চঙুক্লিহনো? অদুগা করি পাম্বদগী নহাক্কা ঐগী থম্মোয়মুংদা চোংশিল্লক্লি? ॥৫৮॥

বর্ণ মরিগী মনুংদা ব্রাহ্মণনা অথোইবনি। নহাক ব্রাহ্মণীনি। অদুগা ঐনা ক্ষত্রিয়নি। অদুনা ঐখোয় অনী তিন্নকম থোক্তে। অদুনা ঐপা তিন্নদুনা নহাক বর্ণশঙ্করবু পোকহন্দুনা মাদুগী দোষ অদু ঐবুদু ফংবা য়াওহন্‌গনু ॥৫৯॥

তৌবু তৌশিন্নরবসু নহাক্কা সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈবগী লমচৎ চৎলি। অদুগা ঐদি গার্হস্থ্যাশ্রমদা লৈরি। অদুনা ঐনা নহাক্কা তিন্নদুনা আশ্রমসঙ্কর অমা থোকহন্‌বসে মচা অরাবগী মশক অমনি ॥৬০॥

নহাক অসি হৌজিক সগোত্রা ওইরবরা, নত্রগা অসগোত্রারা হায়বদুসু ঐ খঙদ্রি। হায়বদি— খুম্ পাল্‌লম্‌দুনা গোত্র অমদা শন্‌থ্রবীরা? নত্রগা গোত্র অমদা তিল্লম্‌দ্রবীরা? অসিগুম্না নহাকসু ঐগী মরমদা করিমত্তা খঙলিরোই। সগোত্র ওইরিবা ঐগী থম্মোয়মুংদা চঙশিল্লকুনা ঐঙোন্দা নহাক্কা গোত্রসঙ্করগী দোষ অমা পোক্‌হল্লে ॥৬১॥

সন্ন্যাসিনী মহাক্কী হান্নগী (পূর্ব্বাশ্রমগী নপুরোইবা লৈরবা নত্রগা লংকৈদা লৈখিবা থোক্‌লবা অদু ওইরবদি পুরিবা, রাথল অদুদা ঐনা ননাক্তা চঙলকপসু হৌনদে। নহাক্কা ঐগী নাক্তা লাকপা— চঙলক্‌পসু হৌনদে। নঙোন্দা ঐদি পরপুরুষনি; ঐঙোন্দসু পরস্ত্রীনি। মাসিদা নংনা ঐবু ননাক্তা চঙহল্লবদি— ধর্ম্মসঙ্কর কৌবা মরিগুবা দোষ অমা পোকলে ॥৬২॥

নহাক হৌজিক অজ্ঞান অমদি মিথ্যাজ্ঞানগা তিন্নশিন্দুনা নংনা পাংথোক্কে খল্লিবা থবক অদুডনা মরম ওইবনি হায়না খল্‌থিদুনা হৌনদবা থবক অসি পাংথোকে হায়না হোৎনরি ॥৬৩॥

অদুগা নহাক অসি স্বতন্ত্র ওইনা লৈবী অমা ওইরগনু, অদুগা শাস্ত্রগী নিয়ম বিধি পুম্বা তারম্‌বা, তমমম্‌বা থোক্‌লবসু তৌরিবা— চৎলিবা শাজৎকী দোষ অসিনা তম্মুরিবা তারুরিবা পুম্নমক অদু উংতা যী হৈরে ॥৬৪॥

ইদমন্যচ্চতুর্থং তে ভানস্পর্শবিঘাতকম্। দৃষ্টায়া লক্ষ্যতে লিঙ্গং বিবৃথত্যা প্রকাশিতম্ ॥৬৫॥
ন ময্যেবাভিসন্ধিস্তে জয়ৈষিণ্যা জয়ে কৃতঃ। যেয়ং মৎ পরিষৎ কৃৎস্না জেতুমিচ্ছসি তামপি ॥৬৬॥
তথার্হতস্ততশ্চ ত্বং দৃষ্টিং পরিমুঞ্চসি। মা পক্ষপ্রতিঘাতায় স্বপক্ষোৎভবনাম চ ॥৬৭॥
সা স্বেনামর্ষজেন ত্বমৃদ্ধি মোহেন মোহিতা। ভূয়ঃ সৃজসি যোগাংস্তং বিষামতৃমিবৈকতাম্ ॥৬৮॥
ইচ্ছতোরত্র যো লাভঃ স্ত্রীপুংসোরমৃতোপমঃ। অলাভশ্চাপিরক্তস্য স দোষো বিষোত্তমঃ ॥৬৯॥
মা স্প্রাক্ষীঃ সাধু জানীষ স্বশাস্ত্রমনুপালয়। কৃতেয়ং হি জিজ্ঞাসা স্তক্তোনেতি ত্বয়া মম ॥
এতৎ সর্ব্বং প্রতিচ্ছন্নং ময়ি নার্হসি গর্হিতন্ ॥৭০॥
সা যদি ত্বং স্বকার্য্যেণ যস্তান্তস্য মহীপতেঃ। তৎ ত্বং সত্রপ্রতিচ্ছন্না ময়ি নার্হসি গূহিতুম ॥৭১॥
ন রাজানং মৃষা গচ্ছেন্ন দ্বিজাতি কথঞ্চন। ন স্ত্রিয়ং স্ত্রীগুণোপেতাং হন্যুর্হ্যেতেমৃষাগতাঃ ॥৭২॥

লোম্না তৌরিবা দোষ অতু হৌজিক্তি মশানা অতুম ফোঙদোকচরক্লে। অতুনদি নহাক অসি দোষ লৈবী কত্রবী অমা ওইরে। দোষ লৈবী মুপী অমা ওইবগী মরিগুবা থুদম্ অমসু লৈরে। অতুগুম্বা মরিগুবা দোষ অতু থম্মোয়গা থম্মোয়গা মুংশিনবা হায়বতুগী মকোক্তা শিংজংনা থায়রি ॥৬৫॥

অতুগা অমনা— নহাক ঐবু ওম্বা পাম্লি। ঐ ইথন্তবু ওম্ব পাম্বতা নত্তনা ঐগী পণ্ডিত সভাসিদা ফম্লিবা জ্ঞানী সভাসদ্‌শিং অসিবুসু ওম্ব পাম্লি ॥৬৬॥

ওাওনবদা, শাস্ত্রার্থ তৌনবদা নশাগীনা জয়, অতুগা ঐথোয় পুম্নমকসিগীনা পরাজয় (মায়থীবা) ফংবা অসিমসু নহাক্লা পাম্লি হায়বসি নহাক্লা য়েংথোরকা মীৎয়েং নায়েংদা মুম্ন খঙলে ॥৬৭॥

থাওহৈদবদগী পোকখিবা যোগসিদ্ধিগী চাউথৎপা উৎনীংবা অতুগী মোহ অতুনা নশাবু গুঙ্কাংহন্‌খিন্নুনা হুগা অমৃতগা পাত্র অমতদা হাপমিন্নহুনা হুগা অমৃতগা মগুণ চপ্ কাম্নহন্‌গদবগী কামদেবগা লোয়ননা ঐগী নাঙ্গা লাক্‌লি ॥৬৮॥

নিপা মুপী হায়বসি অমগামগা পায়নরবা মুংশিনরবা অতু ওইরবদি অনীচনা ফংনরিবা সংযোগ (সংভোগ) গী মুংভাইবতুদি অমৃতগী মশক্‌নি। অতুদি নত্তনা অনুরাগ লৈনদবা অনুরক্ত ওইনদবা অনীগী ভিন্নখোৎনবতুদি মহা হূনি, মহা অকিবগী মশক্‌নি ॥৬৯॥

নহাক ঐভোন্দা চত্তশিন্নকনু, ঐবু শোকনু। ঐগী ঈগ্নমচত্তি হৌজিক ফাওবা দোষ লৈত্রি— মকৃত্রি। ঐ হৌজিক শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা লৈরি। ঐ খণ্ডিত, নহাক্লা হৌজিক পাম্লিবসি ঐ অসি জীবন্মুক্ত ওইরত্রা ওইত্রিবরা হায়বা খঙদোকপা অসিবুতনি। রাখল পুম্নমকসে নহাক্লা নংঙাক্তী থম্মোয়দা লেঙদনা থম্মক্লি। মাহু হৌজিক্তি নহাক্লা লোৎতূনা থম্বা ওম্মকৃত্রে ॥৭০॥

করিগুম্বা নিংথৌদা হায়কম হঙৎকম থোকপা, থবক অমগী ফিজেৎ ওন্দুনা লাক্লবনু মাহু লোৎতুনা থমকম থোক্তে, খুদক্ত হায়দোককম থোকই ॥৭১॥ নিংথৌ, ব্রাহ্মণ, সতী ওইবী মুপী, অতুগা গুরুজন মথোয়

রাজ্ঞাং হি বলমৈশ্বর্য্যং ব্রহ্ম ব্রহ্মবিদাং বরম্। রূপযৌবনসৌভাগ্যং স্ত্রীণাং বলমনুত্তমম্ ॥৭৩॥
অত এতৈর্ব্বলৈরেব বলিনঃ স্বার্থমিচ্ছতা। আর্জবেনাভিগন্তব্যা বিনাশায় হ্যনার্জবম্ ॥৭৪॥
সা ত্বং জাতিং শ্রুতং বৃত্তং ভাবং প্রকৃতিমাত্মনঃ। কৃত্যমাগমনে চৈব বক্তুমর্হসি তত্ত্বতঃ ॥৭৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যেতৈরসুখৈর্বাক্যৈরযুক্তৈরসমঞ্জসৈঃ। প্রত্যাদিষ্টা নরেন্দ্রেণ সুলভা ন ব্যকম্পত ॥৭৬॥
উক্তবাক্যে তু নৃপতে সুলভা চারুদর্শনা। ততশ্চারুতরং বাক্যং প্রচক্রমাস কাথিতম্ ॥৭৭॥

সুলভোবাচ।

নবভির্নবভিশ্চৈ দোষৈর্ব্বাগ্‌বুদ্ধিদূষণৈঃ। অপেতমুপপন্নার্থমষ্টাদশগুণান্বিতম্ ॥৭৮॥

সিগী মনাক্তা ফিজেৎ অরোন্‌বা শেৎতুনা থক্ চৎপা হৌনদে। মরম্‌দি— হায়রিবা মীশকশিং অসিনা, মখোয়গী মনাক্তা লোঙ্গা লোন্‌থুপ্নতুনা লাক্লিবশিং অত্তুনা তৌরিবা নমথাক্ অত্তুবু খঙথি লাক্‌খিবা থোক্‌লবদি মহাকপু শাপনরা নত্রগা করিগুম্বা উপায় অমনরা নম্‌থাক্ তৌবগীদমক খুদক্ত বিনাশ তৌই, হায়বদি— মাঙহল্লি ॥৭২॥

নিংথৌগী পাঙ্গলনা ঐশ্বর্য্য, বেদ খঙবা ব্রাহ্মণশিংগী পাঙ্গলনা বেদজ্ঞান, দ্রুপীগী পাঙ্গলনা মশক মতৌ, যৌবন (মথোক্ কারক্‌পা) অসিনা ওই ॥৭৩॥

হায়রিবা মীশকশিং অসি হায়রিবা মচাকশিং অসিনা মপাঙ্গল কন্‌বা হায়বত্তু ওই। মাগী নীংব থুংহন্‌গদৌরিবা মীশক্তুগী মকমদা চঙবা মতমদা লৌথুপ লোকোয় লৈতনা— তৌদগা ঈচম্ চম্না চঙগদবনি। মরমদি তৌব ওম্ব, নীংব থুংহন্‌গদৌরিবা মপাঙ্গল কন্‌বত্তুনা খুদক্ত মহাকপু মাঙহন্‌বা ওম্মি। পূকচেল থোয়বা হায়বসিনা পূকচেল থোয়রিবা মহাক্তী মাঙননবগী থুংলায় অত্তুম্ মওইজে ॥৭৪॥

অত্তুনা সন্ন্যাসিনী! মশাগী জাতি, শাস্ত্রজ্ঞান, লমচৎ, খল্লিবা পাম্লিবা, অত্তুগা লাকপগী মরম, পূম্নমক অসিগী পরিচয় পীকম থোকই ॥৭৫॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির? নিংথৌ জনককী অসিগুম্বা অবন্থা— অন্নাবা শাউননীংঙায়গী মশক ওইবরা ঙাঙবদা মতীক চাদবা, হৌনদবা থীনা চৈবগুম্বা রাঙাং রাহৈ রাতাশিং অসিনা সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনীহ শাউনীংবা সুঃঙাইতবা করিমতা তৌদে। মাগী থম্মোয়দা হকচাংদা করিগুম্বা বিকার অমতা লাক্তে ॥৭৬॥

নিংথৌহুনা ঙাঙবা লোইরহুনা তূমিন্ন লৈপ্রবদা মশক মতৌ ফজরবী সুলভানা ওপ্লবা থুম্লবা রাহৈনা নিংথৌগী মকমদা ভাষণ পীবা হৌরকই— ঙাঙবা হৌরকই ॥৭৭॥

সুলভানা হায়,— নিংথৌ! রাঙাঙ অমদি বুদ্ধি অনী অসিবু ফংহন্দবা দোষ মাপল্ মাপল্ লৈ। হায়রিবা দোষ মাপল্ অসি য়াওদবা, গুণ তরানীপাল্ল তিন্‌বা, যুক্তিযুক্ত ওইবা, অর্থনস্থ তিন্‌বা অত্তুগুম্বা পদ (রাহৈ) গী মপৈ অত্তুবু বাক্য (রারেং— রাঙাং) অমা কৌই। হায়রিব বাক্য অত্তুগী মস্তুংদসু—

সৌক্ষ্ম্যং সাংখ্যক্রমৌ চোভৌ নির্ণয়ঃ সপ্রয়োজনঃ। পঞ্চৈতান্যর্থজাতানি বাক্যমিত্যুচ্যতে নৃপ ॥৭৯॥
এরামেকৈকশোর্থানাং সৌক্ষ্ম্যাদীনাং স্বলক্ষণম্। শৃণু সংসার্য্যমানানাং পদার্থপদবাক্যতঃ ॥৮০॥
জ্ঞানং জ্ঞেয়েষু ভিন্নেষু যদা ভেদেন বর্ত্ততে। তত্রাতিশায়িনী বুদ্ধিস্তৎ সৌক্ষ্ম্যমিতি বর্ত্ততে ॥৮১॥
দোষাণাং চ গুণানাং চ প্রমাণং প্রবিভাগতঃ। কঞ্চিদর্থমভিপ্রেত্য সা সংখ্যেত্যুপধার্য্যতাম্ ॥৮২॥
ইদং পূর্ব্বমিদং পশ্চাৎ বক্তব্যং যৎ বিবক্ষিতম্। ক্রমযোগং তমপ্যাহুর্ব্বাক্যং বাক্যবিদো জনাঃ ॥৮৩॥
ধর্ম্মকামার্থমোক্ষেষু প্রতিজ্ঞায় বিশেষতঃ। ইদং তদিতি বাক্যান্তে প্রোচ্যতে স বিনির্ণয়ঃ ॥৮৪॥
ইচ্ছাদ্বেষভবৈর্দুঃখৈঃ প্রকর্ষো যত্র জায়তে। তত্র যা নৃপতেবৃত্তিস্তৎ প্রয়োজনমিষ্যতে ॥৮৫॥
তান্যেতানি যথোক্তানি সৌক্ষ্ম্যাদীনি জনাধিপ। একার্থ সমবেতানি বাক্যং মম নিশাময় ॥৮৬॥

সৌক্ষ্ম্য, সাংখ্য, ক্রম, নির্ণয়, প্রয়োজন কৌবা অর্থ মঙা অসি লৈফম থোকই, লৈগদবনি। নত্রবদি— মতীক চাবা বাক্য অমা ওইদে ॥৭৮—৭৯॥

সৌক্ষ্ম্যনচিংবা অর্থ মঙা অসে, পদ, বাক্য, পদার্থ, অদুগা বাক্যার্থগী মওংদা কোঙদে কুনা লৈহল্লি। হায়রিবা সৌক্ষ্ম্যনচিংবা অর্থ মঙা অসিগী সংজ্ঞা লক্ষণ পুম্নমক মথং মথং তাবিয়ু— হুন্নচগে ॥৮০॥

তোঙান্ তোঙান্বা জ্ঞেয় (অর্থ) শিংনা মফম মতম অমতদা থুংলরবদি, হায়বদি— মফম অসিদা শব্দ অসিনা পুরিবা অর্থ অসি ঘট নি নত্রগা পট নি (চফুনি ফিনি) অসুম্না লৌবা ঈয়া য়াবা অর্থ মঙা তরা থেংনলাক্লবা মতম অদুদা অতে অর্থ অমতা লৌবা য়াদে, অসিমতা লৌগদবনি, অসুম্না লেপ্লবা ভস্বী বুদ্ধি অদুগী মমিং সৌক্ষ্ম্য কৌই ॥৮১॥

অপাম্বা ওইহন্নীংবা অর্থ অমা য়াওংনবা তারবদা, মহাক অদুগী গুণ দোষ পুম্বা তোঙান্ তোঙান্না থন্দোক্লগা শীংথারবদি, হায়বদি— য়াওংহল্লবদি কৌরিবা অর্থ অদুবু সংখ্যা নত্রগা সাংখ্য হায়না খঙনগদবনি ॥৮২॥

গুণ দোষ ময়াম অদুম্ হায়নরক্পা শীংথানরকপ। মতমদা অসিগুম্বা গুণ নত্রগা অসিগুম্বা দোষ অসিনা হান্না হায়কম থোকই, অদুগী মথংদা অসি, অদুগী মথংদা অসি, অসুম্ মথং মনাও বিচার কায়দনা লাক্পা বাক্য (রাঙাং — রারেং) অদুবু বাক্যতত্ত্ব খঙবশিংনা ক্রমযুক্ত বাক্যনি হায়না খঙনৈ ॥৮৩॥

ধর্ম্ম অর্থ কাম মোক্ষগী বিষয়দা, মরি অসিগী মনুংদা অমতদা বিশেষতা পীদুনা ভাঙগে, অর্থ অদুদা ভাহনগে হায়না হান্না প্রতিজ্ঞা তৌরগা, ভাষণ পীগদবা— ভাঙগদবমখৈ ভাঙলবা তুংদা "মরম অদুনা অসিমকনি" হায়না মশাগী সিদ্ধান্ত অমা পীরক্পা— তাহল্লকপা অদুবু নির্ণয় হায়না কৌই ॥৮৪॥

নিংথৌ। অপাম্বা নত্রগা কল্লকপা মিহৌবংগী পোক্লকপা অরাবশিং অদুদগী কয়িগুম্বা অরাবা অমনা মরু ওইবা প্রমাণ ওইনা চোংথোরক্লবদি মাদু ভয়নবা - কোক্লনবা বৃত্তি (উপায়— পাঙ্গল) অমা থোরক্পা অদুবু প্রয়োজন হায়না কৌই ॥৮৫॥

নিংথৌ। বাক্য অদুগী মনুংদা হৌজিক হায়খ্রিবা সৌক্ষ্ম্যনচিংবা গুণশিং অদু অর্থ অমতা পুন্না লৈবা,

উপেতার্থমভিন্নার্থং ন্যায়বৃত্তং ন চাধিকম্। নাশ্লক্ষ্ণং ন সন্দিগ্ধং বক্ষ্যামি পরমং ততঃ ॥৮৭॥
ন গুর্ব্বক্ষরসংযুক্তং পরাঙ্মুখ সুখং ন চ। নানৃতং ন ত্রিবর্গেণ বিরুদ্ধং নাপি সংস্কৃতম্ ॥৮৮॥
ন ন্যূনং কষ্টশব্দং বা বিক্রমভিহিতং ন চ। ন শেষমনুকল্পেন নিষ্কারণমহেতুকম্ ॥৮৯॥
কামাৎ ক্রোধাৎ ভয়াল্লোভাৎ দৈন্যাচ্চানার্য্যকাৎ তথা। হ্রী তোঽনুক্রোশতোমানান্ন বক্ষ্যামি কথঞ্চন ॥৯০॥
বক্তা শ্রোতা চ বাক্যং চ যদা ত্ববিকলং নৃপ। সমমেতি বিবক্ষায়াং তথা সোঽর্থঃ প্রকাশতে ॥৯০॥
বক্তব্যে তু যদা বক্তা শ্রোতারমবমন্য বৈ। স্বার্থমাহ পরার্থং তৎ তদা বাক্যং ন রোহতি ॥৯২॥

অহুগুম্বা ঐগী বাক্যবু চনীঙত না তাবিয়ু ॥৮৬॥ অর্থ চপচানা লৈবা অহুগুম্বা বাক্য অহু-ত ঐনা হায়জগনি। মাহুদা অর্থভেদ থক লৈরোই, ন্যায়যুক্ত ওইগনি, যুক্তিযুক্তসু ওইগনি। বাক্যহুগী মহুংদা চিংনফম থোকপা, নাকোংদা থানা থোকপা পদ (রাহৈ) অমতা য়াওরোই। অহুগুম্বা এথোইবা গুণচেনবা বাক্য অহুত হায়জগে ॥৮৭॥ ঐগী রাভাও (বাক্য) শিং অসিদা য়াম্না লূম্বা, হায়দোকপদা রানা তমথীনা থোকপা মযেক্-খোম্হোক্ অমতা য়াওরোই। অথোংপ অমেংব পদাবলীমক্ত লৈগনি। হানীংদবা হৈনীংবা মীগী মথমদাদি অহুপয়াম্না সুংঙাইবা পীবা ঙম্মোই। হায়গদোরিবা বাক্যশিং অসিদা মীনম্বা অহুগা ধর্ম্ম অমতদা মমায় ওন-শিন্‌বগী মওং লৈরোই। অর্থ কাম অনীগী বিরুদ্ধদা লৈগনি। করিগুম্বা সংস্কার অমদগী ভাঙবা অহুসু লৈরোই ॥৮৮॥

ঐনা ভাঙগদোরিবা বাক্য পদদা রাংহৌব চীথহৌবগী দোয অমতা লৈরোই। হায়দোকপদা রানা লুনা থোকপা খোম্হোক্ মযেক্না শাবা রাহৈ য়াওরোই। ক্রম কায়না উচ্চারণ তৌরকপা রাহৈ য়াওরোই। অর্থ পূরা হায়বা য়াদহুনা অতোপ্প পদ অমা মহুংদা হাপচিনবা অহুগুম্বা দোষ অমতা য়াওরোই। লক্ষণা ব্যঞ্জনা-নচিংবা শক্তি য়াম্না পুবা রাহৈ থোইনা য়াওরোই। কান্নদবা— হায়জবসু য়াবা অহুগুম্বা পদ অমতা য়াওরোই ॥৮৯॥

অপাম্বা, মিহৌবা, অশাউবা, য়াম্না তোম্বা— হন্থবা, থৌজাল, ঈকায়ব', নাংন্ থোয়বা, চাংথোক্‌পা য়াওদনা ভাঙজগনি। হায়বদি — পূক্নীংদা শাউরিভৈদা, ঈকায়রিভৈদা ভাঙখিবা রাহৈ অমদি খোম্হোক অমতা য়াওরোই ॥৯০॥

নিংথৌ! করিগুম্বা হায়গে নীঙভকপা মতমদা বক্তা, শ্রোতা, বাক্য অহুম অসিনা পূংয়ান্ চপচানা, করিগুম্বা মাহ্না অমতা রাংনদনা চপনান্নবা স্থিতি (মওং—অবস্থা) দা লৈব' মতম অহুপ্য ভাঙলবদি, ভাঙ-লিবা বক্তাহুগী অর্থ অহু মযেক্ লানা কোওদোকই, হায়বদি— শ্রোতা (অতাবা— নাকোংনা তারিবা মী) অহুগী নাকোংনা মযেক্ লানা— শেংনা তায় ॥৯১॥

বক্তা অহুনা শ্রোতাবু থৌওইদবা, অতোপ্প অমগীদমক মশাগী র' ভাংলবদি, ভাঙলিবা অতাবা শ্রোতা অহুগী থম্মোয়দা চঙশিন্নু হায়বা য়াদে ॥৯২॥

অথ যঃ স্বার্থমুৎসৃজ্য পরার্থং প্রাহ মানবঃ। বিশঙ্কা জায়তে তস্মিন্ বাক্য তদপি দোষবৎ ॥১৩॥
যস্তু বক্তা দ্বয়োরর্থমনিরুদ্ধং প্রভাষতে। শ্রোতুশ্চৈবাত্মনশ্চৈব স বক্তা নেতরো নৃপ ॥১৪॥
তদর্থবদিদং বাক্যমুপেতং বাক্যসম্পদা। অবিক্ষিপ্তমনা রাজন্নেকাগ্রঃ শ্রোতুমর্হসি ॥১৫॥
কাসি কস্য কুতশ্চেতি ত্বয়াহমভিচোদিতা। তত্রোত্তরমিদং বাক্যং রাজন্নেকমনাঃ শৃণু ॥১৬॥
যদা জতু চ কাষ্ঠং চ পাংশবশ্চোদবিন্দবঃ। সংশ্লিষ্টানি তথা রাজন্ প্রাণিনামিহ সম্ভবঃ ॥১৭॥
শব্দঃ স্পর্শো রূপং গন্ধঃ পঞ্চেন্দ্রিয়াণি চ। পৃথগাত্মন আত্মানং সংশ্লিষ্টা জতুকাষ্ঠবৎ ॥১৮॥
ন চৈষাং চোদনা কাচিদস্তীত্যেব বিনিশ্চয়ঃ। একৈকস্যেহবিজ্ঞানং নাস্ত্যাত্মনি তথা পরে ॥১৯॥

বক্তা অহুনা মশাগী ওইজবা স্বার্থ থাদোক্তুনা অতোপ্প অমগীদমক্ত ভাঙলকপা মতমদা ভাঙলিবা বাক্য অহুনা শ্রোতাহুগী থম্মোয়দা চিংনবা মুংভাইতবা অমা পোকহনপ্রবদি— বাক্য অহু মশানা দোষ লৈবা কৌরে ॥১০॥

অহুগা নিংথৌ! বক্তা অহুনা মশাগী অহুগা শ্রোতাগী, হায়বদি— মখোয় অনীমক্কী মকমদা অনুকূল ওইবা বিষয় অমা ওইরবদি, হায়বদি কান্নবা বিষয় অমগী রাফম ওইরবদি, বক্তা অহু থাজৈশেংবা বক্তানি। অনীশুবা অমা লৈত্রে ॥ ৪॥

মরম অহুনা নিংথৌ! য়াম্না পূক্নীং তপ্না, পূক্নীং চঙনা, গুণসম্পত্তি পূন্নমকনা তিল্লবা ঐগী বাক্যশিং অসে তাবিয়ু ॥১৫॥

মহারাজ! মহারাজনা ঐভোন্দা ''নং কনানো? কনাগী মচানুপীনো, নহ্রগা লোয়নবীনো? কদায়দগীনো? ...'' অসিনচিংবা রাফমশিং অসিগী পাউখুম ওইনা হঙ্গচবা ঐগী বাক্যশিং অসি মথাশীংনা তাবিয়ু ॥১৬॥

নিংথৌ! উ, উকক্) গা চা গা, অহুগা উফুলগা ঈশিংগা তিন্নহুনা অমতা ওইমিন্নে। অহুগুম্বা মতিন্ন অহুদা, জগংতা লৈরিবা অচচত্ত জীব পূন্নমক অসিগী জন্ম (পোক্পা) অসি জন্ম কয়ামরুমগী তিন্নবদগী ওইথ্রিননি ॥১৭॥

শব্দ স্পর্শ রূপ, রস, গন্ধ অহুগা ইন্দ্রিয় মঙা অসি, আত্মাদগীদি তোঙাল্লি, অহুবু ঙসাইগী উপা তিন্নথ্রিবা— নপখ্রিবা চা অহুগী মতোগুম্না আত্মাসিগা তিন্ননা লৈরি। শক্তি পূন্নমকনা তিল্লবা আত্মাগা লৈমিন্নৈদি হায়ববু মখোয়দা মশা মশাগী প্রেরণাশক্তি (অমদা ঈক্কিন্দুনা করিগুম্বা থবক অমা তৌহন্বগী শক্তি) দি লৈতে। মখোয় অমতা স্বতন্ত্র নত্তে। মাসি বিদ্বান্শিংগী সিদ্ধান্তনি— লেপ্পপ্রবা রাফম্নি ॥১৮॥

হায়থ্রিবা শব্দনচিংবসিগী মশা মশাগী জ্ঞানসু লৈজদে, অতোপ্পগী জ্ঞানসু মখোয়দা লৈজদে। নেত্র (মীৎ) না নেত্রত্ব (মীৎ মামক্কী ধর্ম্ম এমদি মপৌ) বু থগুদে। অহুনা অতোপ্প মমান্নবা কর্ণ (নাকোং) গী কর্ণত্ব ধর্ম্মবুসু মানা খঙদে। অহুগুম্না কর্ণ মশামক্না কর্ণত্ববু খঙদে ॥১৯॥

ন বেদশ্চক্ষুশ্চক্ষুষ্ট্বং শ্রোত্রং নাত্মনি বর্ত্ততে। তথৈব ব্যভিচারেণ ন বর্ত্তন্তে পরস্পরম্ ॥১০০॥
প্রশ্লিষ্টং চ ন জানন্তি যথাঽপ ইব পাংসবঃ। বাহ্যাননন্যানপেক্ষন্তে গুণাং স্তানপি মে শৃণু ॥১০১॥
রূপং চক্ষুঃ প্রকাশশ্চ দর্শনে হেতবস্ত্রয়ঃ। যথৈবাত্র তথান্যেষু জ্ঞানজ্ঞেয়েষু হেতবঃ ॥১০২॥
জ্ঞানজ্ঞেয়ান্তরে তস্মিন্ মনো নামাপরো গুণঃ। বিচারয়তি যেনায়ং নিশ্চয়ে সাধ্বসাধনী ॥১০৩॥
দ্বাদশস্ত্বপরস্তত্র বুদ্ধির্নাম গুণঃ স্মৃতঃ। যেন সংশয় পূর্ব্বেষু বোদ্ধব্যেষু ব্যবস্যতি ॥১০৪॥
অথ দ্বাদশকে তস্মিন্ সত্ত্বং নামাপরো গুণঃ। মহাসত্ত্বোঽল্পসত্ত্বো বা জন্তুর্যেনানুমীয়তে ॥১০৫॥
অহং কর্ত্তেতি চাপ্যন্যো গুণস্তত্র চতুর্দ্দশঃ। মমায়মিতি যেনায়ং মন্যতে ন মমেতি চ ॥১০৬।

অস্তুম তৌহনা মশা মশাগী ধর্ম্মজ্ঞান লৈজব্রবা মখোয়শিংনা পূল্লপ হৌহনা হকচাংশিংসদা তিন্নরন্নবস্থ তিন্নরিবা মপৈ হকচাং অসিস্থ মশাগী ধর্ম্মবু খঙদে। ঈশিংগা উফূলগা তিন্নরবস্থ তিন্নরিবহু মখোয় অনী পূল্লপস্থ খঙদে, তোঙান্ তোঙান্নস্থ খঙদে ॥১০০॥

হকচাংদা লৈরিদা ইন্দ্রিয়শিং অসিনা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিংবু অহভব তৌবা মতমদা, অতোপ্ অতোপ্পা মপান্গী গুণশিং খরগী আবশ্যকতা (দরকার) সু থাম্মি। অসিগুম্বা গুণশিং অসিগী রূ অসি তাবিয়ু, হায়জরক্কে। শক্; মীৎ, মঙাল্ অহুম অসি করিগুম্বা পোৎ অমবু য়েংবা মতমদা য়েংনবগী হেতু (হেতু কারণ) নি ॥১০১॥

থাঙ্গেশংনা প্রত্যক্ষ ওইনা য়েংলকপা মতমদা অহুমসিনা হেতু ওইবহুগুম্না অতোপ অতোপ্প জ্ঞান অমদি জ্ঞেয় (খঙগদৌরিবা পোৎশক বিষয়) দা হেতু অহুম অহুম হায়না খঙগদবনি। খঙবা (জ্ঞান) হায়রুনা খঙগদৌরিবা বিষয়— পোৎশক অহুগা, হায়বদি— জ্ঞাতব্য অহুগা অনীসিগী মরক্তা ইন্দ্রিয়শিং অসিদগী ঈতোন্ তোঙাথা মন (মনবা) কৌবা বিশেষ ওইবা গুণ অমস্থ লৈরি। হায়রিবা মন হায়বা অসিগী পাম্বেনা জীবাত্মাসিনা করিগুম্বা বিষয় অমদা লৈবা অফবা ফত্তবা পক্ষ অনী সবু নৈনরগা ক্কেবু হায়রবস্থ ফত্তেবু হায়রবস্থ অমা লেপ্পি ॥১০২—১০৩॥

মরক্ অসিদা তোঙান্বা তরানীথোইগুবা গুণ অমগা লৈরি। মন (পুংলিং) না তরামাথোইগুবা ওইপ্রে। হায়রিবী তরানীথোইগুবী অসি বুদ্ধি কৌই। মন (পুংলিং) কৌবা মহাক্না লেপ্প খবহুদা চিংনবা য়েৎন-নীংঙায় ওইবা শরুক্ অমা লাক্রবদি য়েংলিবা নত্রগা চিংনরিবহুবু বুদ্ধি কৌবীসিনা কক্থৎলি। অহুদগীদি তাইবংমীনা লেপ্পগৎবা সিদ্ধান্ত (মীমাংসা) অমদা অহুম্ থুংঙ্ছ ॥১০৪॥

তরানীথোইগুবী বুদ্ধি কৌবী অহুগী মহুংদা; তরাহুমদোইগুবা সত্ত্ব কৌবা গুণ অমমুক য়াওরি। গুণ অহুনা মরম ওইহুনা, মহাসত্ত্ব অমদি অল্পসত্ত্ব ওইবা থরায়পান্বা পোৎশক অনী লৈরি হায়না অনুমান তৌনৈ— খনৈ ॥১০৫॥

লৈরিবা সত্ত্ব হায়বহুস্থ মথস্তা তুমিন্ন লৈতবা মাগী মহুংদা "ঐ নি, ঐ কর্ত্তানি, ঐনা তাক্লিবনি"

অথ পঞ্চদশো রাজন্ গুণস্তত্রা রঃ স্মৃতঃ। পৃথকালসমুহস্ত সামগ্র্যাং তদিহোচ্যতে ॥১০৭॥
গুণস্ত্বেবাপরস্তত্র সংঘ'ত ইব ষোড়শঃ : প্রকৃতির্ব্যক্তিরিত্যেতৌ গুণৌ যস্মিন্ সমাশ্রিতৌ ॥১০৮॥
সুখাসুখে জরামৃত্যু লাভালাভৌ প্রিয়াপ্রিয়ে। ইতি চৈকোনবিংশোঽয়ং দ্বন্দ্বযোগ ইতি স্মৃতঃ॥১০৯॥
উর্দ্ধং চৈকোনবিংশত্যা কালোনামাপরোগুণঃ। ইতীমং বিদ্ধি বিংশত্যা ভূতানাং প্রভবাপ্যয়ম্ ॥১১০॥
বিংশকশ্চৈ। সংঘাতো মহাভূতানি পঞ্চ চ। সদসদ্ভাবযোগৌ তু গুণাবন্তৌ প্রকাশকৌ॥ ১১১॥
ইত্যেকবিংশকশ্চৈব গুণাঃ সপ্ত চ যে স্মৃতাঃ। বিধিঃ শুক্রং বলং চেতি ত্রয় এতে গুণাঃ পরে ॥১১২॥

হায়বা অহঙ্কার কৌবা গুণ অমা চোংথারক্লি। মহাক্ন তরামরিশুবা গুণনি। তরামরিশুবা গুণ অসিগা হেক্ লোয়নখিবদা জাবত্না অসিনা— 'অসিনা ঐগীনি, মাহুনা নংগীনি" হায়বা হৌরকই ॥১০২॥

নিংথৌ! অহঙ্কার কৌবা সত্ব অসিদা অহুদসু বাসনা কৌবা গুণ অমা লৈরি। মাসিনা তরানভা শুবা গুণনি। হায়রিবা তরামভাশুবা বাসনা কৌবা গুণ অসিদা তোঙান্ তোঙান্বা কলাশিংগী পুল্লংপুম্বা ঈতোপ তোপ্পা গুণ অমা লৈরি। মাসিনা তরাতরুকশুবা গুণনি হায়না শীংথনৈ ॥১০০॥

হায়রিবা তরাতরুকশুবা অসিগী মহুৎদা প্রকৃতি (মায়া) কৌবা অমগা, ব্যক্তি (প্রকাশ— ফোঙদোকপ) কৌবা অমগা গুণ অনীসিনা আশ্রয় তৌদুনা লৈরি। অসি ফাওবদা তরানিপাল শুরে ॥১০৮॥

অরাবা সুংঙাইবা, অহল্ ওইবা— শেঙ্গল্লকপা শিবা, সুংশিবা সুংশিদবা··· অসুম হায়না অনী অনী থোক্না লৈরিবশিং অসিগী যোগ (তিন্নবা লৈবা) হায়বা অমা অমুক লৈরি। মহাক্না তরাগা মাপল্‌শুবা গুণনি ॥১০৯॥

তরামাপলশুবা গুণ অসিদগী তোন্বা কাল কৌবা গুণ অমা লৈরি। মাসিনা কুনশুবা গুণনি। হায়রিবা কংল হায়বা গুণ অসিগী মহুৎদা চচ্চত্ত প্রাণী (থরায়পান্বা) পুম্নমক্কী থোরকপা (পোকপা), চঙশিন্খিদ্ব (শিবা) কৌবা অনী অসি তত্তনা ওইদুনা লৈরিবনি ॥১১০॥

হায়রিবা গুণ কুন অসিগী মপৈ (সমষ্টি) গা, মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চমহাভূতকা, সদ্ভাবযোগ অমদি অসদ্ভাবযোগ অনিসিগা * তিন্নরগা গুণ কুন্তরেৎ শুপ্রে ॥১১১॥

হায়রিবা কুন্তরেৎ অসিগী মহুৎদা বিধি, শুক্র, বল হায়বা অহুম অমগা লৈরি। সংসারদা বাসনা

---

* "মক্কম অসিদা চফু লৈ" হায়বসিদা শীজন্নরিবা "লৈ" হায়রিবা ভাব অসি "সদ্ভাবযোগ" কৌই। "মক্কম অসিদা চফু লৈতে" হায়বসিদা "লৈতে" হায়না শীজিন্নরিবা ভাব অসিনা "অসদ্ভাবযোগ" কৌই। "বিধি" হায়বা রাইহেসিনা বাসনা পুম্নমক্কী বীজ ওইদুনা লৈরিবা ধর্ম্ম অধর্ম্ম অনীসিনা ওইগনি। বাসনাবু থোক্কহল্লিবসিনা শুক্রনি। বাসনাচুগী মতুংইন্না করিগুম্বা বিষয় অমা ফংননবগী তৌরম্লিবা যত্ন অহুবুনা "বল" কৌই। (কালাচাঁদ)

বিংশত্যির্দ্দশচৈবং হি গুণাঃ সংখ্যানতঃ স্মৃতাঃ। সমগ্রা যত্র বর্ত্তন্তে তচ্ছরীরমিতি স্মৃতম্ ॥১১৩॥
অব্যক্তং প্রকৃতিং ত্বাসাং কলানাং কশ্চিদিচ্ছতি। ব্যক্তং চাসাং তথা চান্যঃ স্থূলদর্শী প্রপশ্যতি ॥১১৪॥
অব্যক্তং যদি বাব্যক্তং দ্বয়ীমথ চতুষ্টয়ীম্। প্রকৃতিং সর্ব্বভূতানাং পশ্যন্ত্যাধ্যাত্মচিন্তকাঃ ॥১১৫॥
যেয়ং প্রকৃতিরব্যক্তা কলাভিব্যক্ততাং গত। অহং চ ত্বং চ রাজেন্দ্র যে চাপ্যন্যেশরীরিণঃ ॥ ১৬॥

পুন্নমক্কী বীজ (মরু) ওইনা লৈরিবা ধর্ম্ম অধর্ম্ম অনীসিনি বিধি হায়রিবসিনা। বাসনাংবু সৌগাইরিবহুনা শুক্র হায়রিবসিনি। বাসনা— কামনাত্থুগী মতুংইন্না করিগুম্বা বিষয় অমবু ফংননবা হোৎনবিবহুনা "বল" হায়বহ্'ন ॥১১২॥

হায়রিবা পুন্নমক পুল্লগা গুণ কুন্থ্রা গুরে। কুন্থ্রা অসিনা পুল্লপ লৈরিবা উরিবা মফম অহুবু শরীর (হকচাং) কৌই ॥১১৩॥

কনা কনাগুম্বা বিদ্বান্শিংনা হায়রিবা গুণ কুন্থ্রাসিগী উপাদান কারণ (মচাক্) দি অব্যক্ত প্রকৃতিনা ওই হায়। অহুগা থরা পৌতক্ য়েংনা বিচার তৌবা মীশিংনা ব্যক্ত হায়বদি ব্যক্তপ্রকৃতিনা উপাদানকারণ (মচাক্) নি, হায়বদি — পরমাণুনা দেহ অসিগী উপাদান কারণনি, অসুম্না হায়। অহুগা কনা কনাগুম্ব-নদি ব্যক্ত অব্যক্ত অনীনা, হায়বদি — প্রকৃতিগা পরমাণুগা অনীমক্না হকচাং অসিগী উপাদান কারণনি অসুম্না হায় ॥১১৪॥

অধ্যাত্মতত্ত্ববু নৈনবশিংনদি অব্যক্তবু ওইরবস্থ, ব্যক্তবু ওইরবস্থ, অনীমক্না ওইরবস্থ ব্রহ্ম, মায়া, জীব, অবিদ্যা মরি অসিনবু ওইরবস্থ, পুন্নমকসিগী মথক্তা প্রকৃতিতনা অ চচত্ত পুন্নমক্কী উপাদান কারণনি মচাক্নি, অসুম্ হায়না সিদ্ধান্ত পী ॥ ১৫॥

নিংথৌ! পুন্নমক্কী উপাদান কারণনি হায়রিবা অব্যক্তপ্রকৃতি মহাক মশামক্না অহান্বদা হায়রিবা কলা (গুণ) কুন্থ্রা অহুগী মশক ওইনা ব্যক্ত প্রকৃতি ওইবগী মওংবু ফংভি। ঐ, নিংথৌ নহাকমক্, অহগা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিদা হেক্ লৈরিবা শরীরধারী (হকচাং পুরিবা — হকচাং পাল্লিবা) পুন্নমক্কী হকচাং পুন্নমকসে অব্যক্ত প্রকৃতিদগী পোকশিবা ভাক্তনি ॥১১৬॥ *

* হৌজিক কুপ্প খন্নরক্লিবা মতাং অসি, ফোঙদোক্লমদবা, উরমদবা হকচাংনা অউবা হকচাং (শরীর) অমা ওইরক্লিবসি করম হায়না ওইরক্লিবনো হায়বা অহুগী মরমদনি। হায়বদি — অব্যক্ত প্রকৃতিনা ব্যক্ত প্রকৃতি ওইখিবদিগী মরমনি। অব্যক্ত প্রকৃতিগীদি মচাক (উপাদান) লৈত্রে, ফরে। অদু ওইরবদি ব্যক্ত ওইরিবা মশক মওং নাইনা চোংথোরক্লিবা অমুক য়াম্বা চিঙমান ওইনা লৈরিবশিং অসিগী মংাক্তি করিনা ওইরি? অব্যক্তনা ব্যক্ত ওইরকপনি হায়রবস্থ অব্যক্ত প্রকৃতি মহাক্তি মচাক কদায়দগী লৌরুই? অসুম্না চিংনরক-া— হংনরকপা মতাং অসিদা পরমাণুবাদীশিংনদি, লৈদি লৈরগা মশক উদমথৈ পীক্লবা, কুপ্পবা

বিন্দুন্যাসাদযোঽবস্থাঃ শুক্রশোণিতসম্ভবাঃ। যাসামেব নিপাতেন কললং নাম জায়তে॥ ১৭॥
কললাৎবুৎবুদোৎপত্তিঃ পেশী চ বুৎবুদাৎ স্মৃতা। পেশ্যাস্ত্বঙ্গাভিনির্বৃত্তি সুখরোমাণি চাঙ্গতঃ॥ ১১৮॥
সংপূর্ণে নবমে মাসি জন্তোর্জাতস্য মৈথিল। জায়তে নামরূপত্বং স্ত্রীপুমান্ বেতি লিঙ্গতঃ॥ ১১৯॥

থরায়পাল্বশিংগী বীর্যন্যাস (বিন্দু স্থাপন, বিন্দুন্যাস— বীর্য্য কৌবা ঈ হাপচিনবা) কৌবা অবস্থা অসিদগী হৌহুনা বীর্য্যহুগা শোণিত (রজ, মুপীগী— অমোমগী ঈ) হুগা তিন্নব'— য়াঙ্খিন্নবা কৌবা অবস্থা অসি ফাওবদা মরক্ত অবস্থা কয়া কয়া লৈব্রি। হায়রিবা অবস্থাশিং অদুগী তিন্নবদগী কলল কৌবা পোৎশক অমা থোরকই— ওইরকই ("কলল" হায়ববু তিন্নবদগী থোকপা হায়বনি) ॥১১৭॥

কলল অদুদগী কোঙ্গোল্, কোঙ্গোলদুনা ফম্জিল্লকুনা মাংস ওল্লকই। মদুগীদি মাংস অদুদগী তোঙান্ তোঙান্ন অঙ্গ কয়া কয়া মথং মথং ওইরকই। কাইনথংদা অঙ্গশিং অদুদগী শম্ তু খুজীল্ শিং অসি মথং মথং চোংথোরকই ॥১১৮॥

মিথিলাগী নিংথৌ! মতৌ অসুম্না হকচাং অসি শাগৎলকপা থা মাপল্ শুরগদা জীবনা জন্মগ্রহণ

মরীকৃশিং অদুনা অমগমগা তিন্নরকুনা মশক উরকপনি, ব্যক্ত ওইরকপনি হায়না হায়রি। প্রকৃতিবাদীশিংনা হায়রিবনা— অব্যক্ত ব্যক্ত— মমাগ অনী লোঙবী প্রকৃতি কৌবী মহাক্তনা উপাদাননি। খুদম ওইনা হায়রবদ, লং মপেগী মনুংদা ফি অব্যক্তনি। লৈদি লৈরগা মশক মওং নাইনা ফি কৌবা য়াদনা লৈ। অদুনা ব্যক্ত ওইরিবা ফি অসিগী উপাদান কারণ (মচাক্) দি অব্যক্ত ফিবু পুরম্বা ব্যক্ত ওইবা লং গী মপে অদুনি। পরমাণুবাদীশিংনা হায়রি— লংদা লৈরম্বা পরমাণুশিং অদু ফি ওইরক্লবা মতমদসু অদুম্ মশীং রাত্তনা ঈকায় ফায়দনা লৈব্রি। অদুনা ফিগী মচাক্তি লং নত্তে পরমাণুনি, অদুগা লংগী মচাকসু লশিং নত্তে, লশিংদা লৈরিবা পরমাণুশিং অদুনি। লশিংগী মচাকসু লৈপাক নত্তে, লৈপাকী পরমাণুশিং অদুনি। অদুনা মায়াবাদীশিংনা হায়রি— লংদা ফি লৈব লৈনা ফি উবা ফংদে। লৈন লৈনা উবা ফংদবা অসিবুনি মায়া হায়রিবসি। প্রকৃতিদা লৈবী মায়া অসিবুনি প্রকৃতি-মায়া হায়রিবসি। অসিদগী অমুক মনুং হুপ্লিম্না চঙশিল্লগা করি তারকংগে হায়বদু— লং অদুনা ফি ওইরম্লিবদুদি মশানা ওল্লরকপরা? কনাগুম্বা কর্তা অমনরা? য়াহং অসিদা হোংবা, চাউবা কৌবা হকচা হুনসু নত্তে, হোংবা চাউবা কৌবা মিং অদুনসু শাবা নত্তে। জীবাত্মাননি। জীবাত্মাদি শাবা থুগাইবা য়াওদে, মহাক্তি শাবা থুগাইবা, পোকপ শিবদগী য়াংমদনি। মতাং অসিদা শক্তিবদীশিংনা হায়রিবদি— প্রকৃতি মায়াগী হকচাংমনুংসিদা জীবাত্মা অসিনা হেক চঙঙকপদা মতোন্দা শাবা ঙাকপা থুগাইবগী শক্তি অমা হেক্তা মরাকই। মায়াগী অনিত্য ওইরবা দেহ মনুংদা লৈবনা জগৎকী সৃষ্টিকর্ত্তাদি ওইবা ঙমদে। মাদু ঙম্বা মহাজীব, মহাত্মা, পরমাত্মা (ঈশ্বর) অমা লৈ। অসুম হায়না ঈশ্বরবাদীশিংনা হায়রি। (কালাচাঁদ)

জাতমাত্রং তু তদ্রূপং দৃষ্ট্বা তাম্রনখাঙ্গুলি। কৌমারং রূপমাপন্নং রূপতো নোপলভ্যতে ॥ ২০॥
কৌমারাৎ যৌবনং চাপি স্থাবীর্য্যে চাপি যৌবনাৎ। অনেন ক্রমযোগেন পূর্ব্বং পূর্ব্বং ন লভ্যতে ॥ ২১॥
কলানাং পৃথগর্থানাং প্রতিভেদঃ ক্ষণে ক্ষণে। বর্ত্ততে সর্ব্বভূতেষু সৌক্ষ্ম্যাৎ তু ন বিভাব্যতে ॥ ২২॥
ন চৈষামত্যয়ো রাজন্ লক্ষ্যতে প্রভবো ন চ। অবস্থায়মবস্থায়াং দীপস্যেবার্চিষো গতিঃ ॥ ২৩॥
তস্যাপ্যেবং প্রভাবস্য সদশ্বস্যেব ধাবতঃ। অজস্রং সর্ব্বলোকস্য কঃ কুতো বা ন বা কুতঃ ॥ ২৪॥
কস্যেদং কস্য বা নেদং কুতো বেদং ন বা কুতঃ। সম্বন্ধঃ কোঽস্তি ভূতানাং স্বৈরপ্যবয়বৈরিহ ॥ ২৫॥

তৌই— পোকই। নিপা মুপী— ল্যাব অমোম হায়বসিনা ঈহান্ হান্বা মিংনি। নিপা মুপী খঙনহনবা লিঙ্গ (খুদম) অসিনা ঈহান্ হান্বা রূপ (মশক) নি ॥ ১৯॥

অঙাংনা হেক্ পোক্প মতমদা খুশ। পুম্বা অদুগা খুজি ন পুম্নমক অদু কোরী মচু মান্না ঙাঙলৈনৈ। শৈশব অবস্থা অদুদগী কুমার অবস্থা চঙলক। মতমদা হান্নগী মচুশিং মওংশিং অদু লৈখিদ্রে ॥ ২০॥

অদুম তৌদুনা কুমার অবস্থাদগী পাখংগী অবস্থাদ, পাখংগী চহী মতা দগী অহল ওইবা হনুবগী অবস্থা য়ৌরকই। অসুম্না মথং মথং এম্ন ওম্ন লাক্সিদা হাম্ন হান্নগী মওং মতৌ অদু হেক্ হেক্ মুংখি। হোংঙক্লিবসে উন উনা খঙদোদে ॥ ২১॥

থরায়শান্বা পুম্নক্কা তোঙান্ তোঙান্বা প্রয়োজন (দরকার) গী পাঙথোক্নবগীদমক্তা মথক্তা হায়রিবা কলাশিং অদুগী মওং অমি মীকুপ খুদিংগী হেক হেক্ হোংঙি। অদুবু হায়রিবা মশক হোংবা (পরিবর্ত্তন) অসি কয়াগী মতীক্ কুপথ্রবগে হায়ববু উবা, খঙ লাক্প ঙম্বপোৎ নত্তে ॥ ২২॥

নিংথৌ। অবস্থা খুদিংদা কলাশিং অসিগী থোরকপা মাঙখিবসি মীৎনা উবা ঙমদে। থোরকপা মাঙখিবগী হায়বদি— পরিবর্ত্তন অসি, - থাউবু চিংখৎতুনা চাক্লিবা থাউমৈগী মৈরী অদুগা চিংখৎলিবা থাউগী শরুক অদুমথৈতনি ঙাল্লিবসি। চিংখৎলিবা শরুক্ অদু হেক্ লোইদনা অমুকমুক্ মুৎলক্লিবনি। অতোপ্পা চিংখৎলিবা শরুক্ অদুগী অমুক ঙান্নবনি। অদুবু থৌশিল্ অসিদি উবা ঙমদে। ঙান্দুনা লৈবা ঙাক্ত ওইনা উই ॥ ২৩॥

কন্ন চেম্ব শগোল অদুনা চেল্লিবসি, য়ৌরম্ য়ৌরম্বা মফম অদু মীকুপ মীকুপ-ত থাদোক্লম্লগা অতোপ অতোপ্পা মফমশিং অদু লাম্ লামদুনা চেন্থ্রিবনি। অদুবু থাদোক্লম্বা মফম য়ৌশিল্লকপা মতম— মতম অনীগী লাংদাই অমি কনা অমতনা উবা ঙমদে, লেপ্তুনা অদুম চেন্খিবোই নীংঙি। মতৌ অসুম্না তাইবং মীওইবগী অবস্থাশিং অসি মীকুপ খুদিংগী হোংলিবনি। (মনুংগী অবস্থা হোংবগীদি লায়রবুনা মপান্গী হকচাংগী অবস্থানা মীকুপ খুদিংগী হোংলিবসি কনা অমতনা উদে। মীকুপ অমগী মমাংদা লৈরম্বা হকচাং অদু নত্তে— মীকুপতুগী মমাংদা ওইরম্লিবা হকচাং অসি। য়ুমদগী ঙপাই লাকখিবা অদু নত্তে - তৌজিক অমুক হৌজিক্লক্লিবা হকচাং অসি। মাসি ক্ষণিকবাদ নি।)। মসম অদুনা কনানা কনাদগী কদায়দগী

যথাদিত্যাস্মনশ্চাপি বীকন্তাশ্চৈব পাবকঃ। জায়ন্তেবং সমুৎন্নাৎ কল্যানামিব জন্তবঃ ॥ ২৬॥

লাকপনো? মহাক অসি কনানো? মহাক অসি কনাগী নত্তে। কনানা পোকপনো, কনানা পোক্তবনো? মপান্গী হকচাং অদুদি হকচাং কায়াৎশিং অসিগা লোয়নন৷ কনা কনাগী করি থেৈক্লে? কনানসু বনামতগা মরী শৈনদে ॥১২৪—১২ ॥ *

মুমিৎকী মণ্ডাল (মুংশা) গা শম্নকবা— তক্লকবদগী সূর্য্যকান্ত কৌবা মণি (মিংশেল্— লৈপাক্) দগী মৈ পোক্লকই। উ অমগমগা তক্লবদগী নুং অমগমগা তক্ল থেংনবদগী পোক্লকই। মৈ অদু হৌহন্‌বা মীশক অমা, লুমহুনা নুং মমুংদা, সূর্য্যকান্তমণিগী মমুংদা লৈবন্বা নত্তে। মতৌ অসিগুম্বা মথক্তা হায়ব্রিবা

---

* সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনীনা ভাঙলিবশিং অসিগী মমুংগী ভাবতি— নং কনানো? কনানা পোকপনো? কদায়দগী লাকপনো? অসিনচিংবা বাহংশিং অসিগী পাউথুম অসি অধ্যাত্মিক জগত্তদি অমত্তা পীফম থোকয়ে। বাহংশিং অসি ওসাই অহান্‌বদা জনকনিংথৌনা সুলভাদা হংগ্রবা ওাক্তনি। অদুবু সুলভানা খুমথিদে। খুমংবগী মরমদি— হংলিবা পুম্বা অজ্ঞান (জ্ঞান তাদবা গী মমুংদা লৈরিবৈদা হংবা ওাক্তনি। ওসাই যুমদগী চখোকথিবহুনা অমনি অদুগা হৌজিক য়োরক্লিবসিনা অতোপ্পা অমনি। মহাক্না, নং কনানো? কায়না হংলিবসিবু মপান্‌গী হকচাংসিদরা? মহাক্না হংলিবসি ওসাই যুমদগী থোরকপহুদা হংলিবরা, নত্রগা হৌজিক মাগী মনাক্তা য়োরক্লবা আত্মা নত্রগা হকচাংসিদা হংলিবরা? হায়না খণ্ডত্রিবৈদা খুম্ফম ঈথোক্ থোক্ত্রবনি। ওসাই অযুক্ত লৈনম্বা হকচাং অদু নত্তে, হৌজিক মুংথিলদা লৈরিবসি। মৌনব্রত তৌবা তূমিন্ন লৈবা মুনিশিংনা হংব লাক্‌প পুম্বা অমত্তা খুমত্রিবসি ক্ষণিকবাদগী ধারণা অসিদগী নি। আত্মাসু চত্তে, মপানগী প্রকৃতি (হকচাং) অসিসু চত্তে, চৎপোই নীংবনি, মাসি অশিবনি। অদুনদি তত্ত্ব অসি খিরিবৈ অদুদা কনাগুম্বনা— নং কদায়দা চৎলিবনো? হায়না হংবদা চপ লেপতুনা তূমিন্ন য়েংব নত্তনা তত্ত্বদর্শী অমনা করিমতা খুম্বা য়াত্রবনি। জীবন্মুক্ত ওইরবা অমনা অতোপ্পা অমদা হায়রিব বাহ শিং অসি হংবা ঈগৌ হৌনত্রবনি। হেক হংওকপদা হংলিবা মগাক অদু জীবন্মুক্ত ওইত্রি হায়বা মশানা অদুম তাকচরে। জনকনিংথৌ অসি জীবন্মুক্ত ওইবত্রা, ওইত্রিবরা হায়বদু পরীক্ষা তৌগে হায়বগী জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা থল্লবা রাজসভা অদুদা চঙগুবনি। জীবন্মুক্ত ওইনত্রিবা তাইবংমী মশেলমা হংনবা খুম্নবা ওাক্তনি। জনকনিংথৌ অসি জীবন্মুক্ত ওইত্রি হায়বা সুলভানা মুম্না খণ্ডল। তত্ত্ব খণ্ডনবু হংলবদি তত্ত্ব খণ্ডনবু খুম্নবদি করি অমত্তা অকায়বা লৈতে। গোপাল কৌবা তাইবংমীগী দেহদা চঙলিবা আত্মা মগাক অসি মপোক্‌সিগা হেক্ থংনবা করম্বা দেহদগীনো? হৌজিক্কী দেহস্‌দিগী করম্বা দেহদা অমুক চঙগুগদৌরিবনো? অসিগুম্ব তত্ত্ব অসি থম্মোয়মুংদা থম্নগা হংলবদি কায়দে। খুম্নিবহুনসু হোংবা চাউব কৌশিন্নিবা, অনিত্য দেহমুংদা লৈরিবা আত্মা ঐলি ওসাইনা দেহহুদা লৈরম্মি, হৌজিক্লা মফম অসিদা লৈরি— অতোপ্পা অমদা লৈরি। অদুম

আত্মন্যেবাত্মনাত্মানং যথা ত্বমনুপশ্যসি। এবমেবাত্মনাত্মানমন্যস্মিন্ কিং ন পশ্যসি ॥১২৭॥
যদ্যাত্মনি পরস্মিংশ্চ স মতামধ্যবস্যসি। অথ মাং কাসি কস্যেতি কিমর্থমনুপৃচ্ছসি ॥১২৮॥
ইদং মে স্যাদিদং নেতি দ্বন্দ্বৈর্মুক্তস্য মৈথিল। কাসি কস্য কুতো বেতি বচনৈঃ কিম্প্রয়োজনম্ ॥১২৯॥
রিপৌ মিত্রেঽথ মধ্যস্থে বিজয়েসন্ধিবিগ্রহে। কৃতবান্ যো মহীপালঃ কিং তস্মিন্মুক্তলক্ষণম্ ॥১৩০॥
ত্রিবর্গং সপ্তধা ব্যক্তং যোঽবেদেহকর্ম্মসু। সঙ্গবান্ যস্ত্রিবর্গেণ কিং তস্মিন্ মুক্তলক্ষণম্ ॥১৩১॥
প্রিয়ে বাপ্যপ্রিয়ে বাপি দুর্ব্বলে বলবত্যপি। যস্য নাস্তি সমং চক্ষুঃ কিং তস্মিন্ মুক্তলক্ষণম্ ॥১৩২॥

গুণ কয়াশিং অসিগী অমগমগা তক্ক থেংনবদগী জীব হায়বসি পোক্খি। জীবাত্মাসিনা জন্ম হায়বদুবু গ্রহণ তৌই। মুংশানা মৈ ওইনা জন্মগ্রহণ তৌদুনা উনাশীংনাশিং অসি চাক্থেক্ই ॥১২৬॥

নিংথৌ! নশানা নশামক্কী মন্নুংদা আত্মাবু দর্শন তৌর। হায়বদি নশাবু নশানা উরি, অদুগুম্না… নশানা নশাবু অতোপ্পগী দেহমুংদা কৈদৌনা উবা ঙমদে ॥১২৭॥

নিংথৌ! নশা মথন্তদা পূম্নমক্পু উরবদি, খ্বাই পূম্নমক্পু অমতা ওইনা চপ মান্না, অমতনি হায়না উরবদি নঙোন্দা "নং কনানো? কনাগী করি থোকপগে?" হায়না হন্না হন্না কৈদৌদুনা হংবিরি ॥১২৮॥

মিথিলা নিংথৌ! "নং ঐনা ফংগদবদি অসিনি, অসি নত্তে" অসিনচিংবা অনীথোক্পা রাথলদগী লান্থোক্পিরবদি, হায়বদি— দ্বন্দ্বভাবতগী নির্মুক্ত ওইবিরবদি "নং কনানো? কনাগীনো? কদায়দগীনো?" অসুম্না ঐঙোন্দা হংবগী করি কান্নব লৈরি? ॥১২৯॥

য়েক্কবা, মরূপ, মধ্যস্থ (অমগীসু অমগীসু ওইদবা— মরক্তা লৈব) গী বিষয়দা জয় পরাজয়, সন্ধি বিগ্রহগী মরমদা তৌগদবা হৌনবী পূম্বা তৌরবা নিংথৌ অদুগী মশাদা জীবন্মুক্ত ওইবগী করি করি লক্ষণ (মওং— খুদম) লৈ?

ধর্ম্ম অর্থ, কাম অদুম অসিবু ত্রিবর্গ কৌই। হায়রিবা অদুম অসিগী মওং মশক্তি অভিব্যক্ত (ফোঙ-দোকপা) মি। তৌরিবা থবক পূম্বনা ত্রিবর্গ অসিবু থঙত্রবা, অদুগা মফম মতম পুম্বনা ত্রিবর্গ অসিতগা মরী থম্নবা অদুগুম্বা মীশক্ত জীবন্মুক্ত ওইবগী লক্ষণ লৈ ॥১৩১॥

য়েক্কবা, মরূপ, চান্নবা চান্নদবা, মপাঙ্গল শোন্বা কন্বা অসিনচিংবদা সমদৃষ্টি থম্বা ঙমত্রবা— চপ-

---

হায়না মপান্গী লোকসংগ্রহগী চংনবীদগী মতুংইন্না মপান্দা ভাঙন-শানরবসু. আত্মাসিদি মহাক্কী আধ্যাত্মিক দেশ কালগী মন্নুংগা অদুম্ লৈহনগদবনি, লৈগদবনি। মাসিবু গীতাদা "লোকসংগ্রহ" কৌই। মপান্গী হকচাংবু মপান্গী জগৎ (বহির্জগত) তা, মন্নুংগী আত্মানা মন্নুংগী জগৎ (অন্তর্জগৎ) তা লৈগদবনি। মপান্গী হকচাংবু মপান্গী জগৎ (বহির্জগৎ, তদা লৈহন্গদৌরিবসি জ্ঞানতগী মশক ওইবা আত্মা অসিননি। অতৈ অমনা নত্তে। অসিগুম্বা আত্মাদি জীবন্মুক্ত ওইরবনি। জীবন্মুক্ত ওইবা হায়বসি হকচাংসিগী মন্নুংদা জীবাত্মাসিনা অদুম ওইজগদবনি।

(কালাচাঁদ)

তদযুক্তস্য তে মোক্ষে যোঽভিমানো ভবেন্নৃপ। সুহৃদ্ভিঃসংনিবার্য্যোস্থেঽবিরক্তস্যৈব ভেষজম্ ॥১৩৩॥
তানি তানি চ সংচিন্ত্য সঙ্গস্থানান্যরিন্দম। আত্মনাত্মনি সম্পশ্যেৎ কিমস্যমুক্তলক্ষণম্ ॥১৩৪॥
ইমান্যন্যানি সূক্ষ্মাণি মোক্ষমাশ্রিত্য কানিচিৎ। চতুরঙ্গপ্রবৃত্তানি সঙ্গস্থানানি মে শৃণু ॥১৩৫॥
য ইমাং পৃথিবীং কৃৎস্নামেকচ্ছত্রাং প্রশাস্তি হ। এক এব স বৈ রাজা পুরমধ্যাবসত্যুত ॥১৩৬॥
তৎপুরে চৈকমেবাস্য গৃহং যদধিতিষ্ঠতি। গৃহে শয়নমপ্যেকং নিশায়াং যত্র লীয়তে ॥১৩৭॥
শয্যার্দ্ধং তস্য চাপ্যত্র স্ত্রীপূর্ব্বমধিতিষ্ঠতি। তদনেন প্রসঙ্গেন ফলেনৈব যুজ্যতে ॥১৩৮॥
এবমেবোপভোগেন ভোজনাচ্ছাদনেষু চ। গুণেষু পরিমেয়েষু নিগ্রহানুগ্রহং প্রতি ॥১৩৯॥
পরতন্ত্রঃ সদারাজা স্বল্পেঽপি প্রসজ্জতে। সন্ধিবিগ্রহযোগে চ কুতো রাজ্ঞঃ স্বতন্ত্রতা ॥১৪০॥

মায়না উবা ভমত্রবা মী অদুগী জীবন্মুক্ত ওইবগী খুদম (লক্ষণ) করিনা ওইগদৌরি ? ॥১৩২॥ নিংথৌ। নহাক নশামক হৌজিক মুক্ত ওইদ্রি। অদুবু জীবন্মুক্ত ওইরে হায়দুনা অভিমান তৌরি— থোয়রি। নিংথৌ। নহাকপু জীবন্মুক্ত ওইরে হায়রিবা মরূপশিং চীরোল তৌরিবশিংসে লোইনা লাপথোকহন্থিগদবনি। জীবন্মুক্ত ওইবা হায়বসি মী অমনা হায়রগা থাগৎলগা ওইগদবা নত্তে। মশামকসু ঐ জীবন্মুক্ত ওইরে হায়গদবা নত্তে। হেক্ হায়বদা অদুম্ ওইদ্রে। চাবদা ফত্তবা লায়না পোক্নদবা চীঙ্গাক্— অপথ্য ভাক্তা চাগনবা রোগী অদুদা হীদাক পীজবা তোক্লগদবনি ॥১৩৩॥

যেক্লবা পুন্নমকপু নমহৎপা ওস্বা নিংথৌ। জগৎতা হেক্ লৈরিবা পোৎমখৈ আসক্তিগী লৈফম্ভনি হায়না খল্লুনা নশা নথন্তনা নশা নথন্তনা পুন্নমকসিবু নশা নথন্তগী মনুংদা লৈরে হায়না লোইনা উরগদবনি। অসি নত্তনা জীবন্মুক্ত ওইবগী লক্ষণবু করিনা অমুক ওইগদৌরিবনো ? ॥১৩৪॥

নিংথৌ। মোক্ষগী আশ্রয় লৌবিরেদি হায়ববু অঙ্গ মরিগী মনুংদা আসক্তিগী কুপ্পবা লৈফম মরি লৈরি। মাদু হায়জগে তাবিয়ু ॥১৩৫॥

একছত্রাধিপতি ওইদুনা ছত্র অমতগী মথাদা পৃথিবী পুন্নমক অসিবু শাসন তৌরিবা সার্ব্বভৌম রাজা ওইরিবা মহাক পৃথিবীগী মফম পুম্নদা শীন্থুংনা লৈবা নত্তে, নগর অমতগী মনুংদা লৈ॥ ৩৬॥

নগর অদুদসু নগরদগী মফম পুন্নমক্তা পুম্‌য়ী য়ৌনা মফম পুন্নমক কুপ্তুনা লৈবা নত্তে। নগরদুগী কোনুংদা লৈ, কোনুং অদুগী মনুংদা যুম (দলান) অমতগী মনুংদা লৈ। যুম অদুগী মনুংদসু কা অমতগী মনুংদা লৈ, কা অদুগী মনুংদসু শয্যা (ফমুং) অমতগী মনুংদা (মথক্তা) তুম্মি, অহিং লেপ্লি ॥ ৩৭॥

শয্যাদুদসু মফম পুন্নমক কোন্দে, শয্যাদুগী তংখাই অমদি দুগী (মহারাণী) দুগী অধিকারগী মনুংদা লৈ। অদুনা হায়রিব প্রসঙ্গ অসিগী মতুংইন্না খল্লুববদি নিংথৌ অদুনা মশামক্তা কলিবা মহৈ অসি খজিক্তনি ॥১৩৮॥

মতৌ অমুম্না — উপভোগ, চাব থকপা, শেৎন-চানবা ফিরোল, অদুগা— অসি নত্তবা অতৈ অতৈ

স্ত্রীষু ক্রীড়াবিহারেষু নিত্যমস্যা স্বতন্ত্রতা। মন্ত্রে চামাত্যসমিতৌ কৃতস্তস্যাস্বতন্ত্রতা ॥১৪১॥
যদা ত্বাজ্ঞাপয়ত্যন্যাংস্তত্রাস্যোক্তা স্বতন্ত্রতা। অবশঃ কার্য্যতে তত্র তস্মিংস্তস্মিন্ ক্ষণে স্থিতঃ ॥১৪২॥
স্বপ্নকামো ন লভতে স্বপ্তুং কার্য্যার্থিভির্জনৈঃ। শয়নেচাপ্যনুজ্ঞাতঃ সুপ্তউত্থাপ্যতেঽবশঃ ॥১৪৩॥
স্নাহ্যালভ পিব প্রাশ জুহুধগ্নীন্ যজেত্যপি। ব্রবীহ শৃণু চাপীতি বিবশঃ কার্য্যতে পরৈঃ ॥১৪৪॥
অভিগম্যাভিগম্যৈবং যা চন্তে সততং নরাঃ। ন চাপ্যুৎসহতে দাতুং বিত্তরক্ষী মহাজনান্ ॥১৪৫॥
দানে কোষক্ষয়েঽপ্যস্য বৈরঃ চাস্য প্রযচ্ছতঃ। ক্ষণেনাস্যোপবর্ত্তন্তে দোষা বৈরাগ্যকারকঃ ॥১৪৬॥

বিষয়শিংগী সেবন তৌবদা, ফত্তবশিংবু লাক্‌হৎপগী বিষয়দা, অফবশিংবু চান্‌বিবা য়োকাপবগী নিংথৌ হায়বসি মতম পুম্বদা পরতন্ত্রনি, স্বতন্ত্র নত্তে। অসুম্না করিস্থ লৈত্রবা থবক (বিষয়) অমদস্থ মনীং তম্বা ঙম্মদে। মনীংতম্বা ঙমদ্রবা, স্বতন্ত্রতাবু পীঙমদ্রবা বিষয় মচা মচাশিং অদুদস্থ আসক্তিদি অতুম মথম্মুরি। সন্ধি তৌ-নবা অদুগা বিগ্রহ তৌনবা (খংনবা থেংনবা) মতমদস্থ নিংথৌনা করম্বা মতমদা কদায়দা স্বতন্ত্রতা (মনী,-তম্বা) ফংভি? ॥১৩৯--১৪০॥

স্থুপী-নহাশিংগা হরাও-তয়াম্না লৈমিন্নবা. শান্নমিন্নবদস্থ মীথা পোন্দুনা অতুম্ মরৈরিবনি। মন্ত্রীশিংগা রাজসভাদা খন্নরকপা মতাংদস্থ নিংথৌগী কদায়দা স্বতন্ত্রতা লৈ? ॥১৪১॥

মনাই মশন্দা করিগুম্বা পীনীংব. য়াথং অমা পীরকপা মতমদদি নিংথৌদা ঙহাক্তং স্বতন্ত্রতা লৈ, অদুবু তাঙ্গাদুগী মতুংইন্না মীকুপ মীকুপ্তা সিংহাসনথক্তা ফম্ন কন্না নিংথৌনা মন্ত্রীশিংনা হায়রিবদুগী মতুংইন্না থবক তৌবা তারবদা, নিংথৌ মশানা তৌগে থল্লম্বা অদুগী মতুংইন্না তৌবা য়াদদুনা মন্ত্রীশিংগী মথাপোন্‌দুনা—মথোয়না হায়বদুগী মতুংইন্না তৌবা মতারবনি ॥১৪২॥

নিংথৌদি রাবনা ঙহাক্তং তুমদুনা পোথানীংলবনি। অদুবু থবক তৌগদবা কর্মগারী কয়ানা ফমুং মনাক্ত ঈকেয় কোয়শিন্দুদা হঙ্গচ্ছিন্নকপা রা ময়ামদুনা তুম্ব-লাকপ শংদে - য়াদে। ঙহাক্তং উইরুম্ শারুম তৌ-দুনা ফমুংথক্তুদা হীপ্তুনা লৈর-ফাওবদা ময়ামদুনা লাউশিল্লকপদা ফুক্ ফুক্ হৌগৎশা তারিবনি ॥১৪৩॥

"মহারাজ! লেংথংলো, চাইথবিরো, থাউ-ঙ্গুং তৈবিরো, ঈশিং ফান্‌বিয়ু, লুক্ হাবিরো, যজ্ঞ তৌবিরো, সনা-য়াথং তাক্‌পিধু..., ননাই ঐগোয়গী রাস্থ তাবিয়ু..." অসিনচিংবা হায়রকপদুগী মতুংইন্না নিংথৌস্থ উপায় লৈতদুনা তৌবা মতারবনি ॥১৪৪॥

চারিবা ভিক্ষারী লাকুনা নিংথৌদগী লন্ নিরৈ। অদুবু দানগী মতীক চারবা সৎপাত্র ফাওবদা খিক্তং পীথোক্‌পা ফাওবদা পাক্ ঙমদে। য়ারিমথৈ লন্ অদুবু কায়দ-তেক্তনা, ময়েং তাহন্দনা ঙাক্-শেনদুনা থম্‌নিংভি ॥১৪৫॥

হেক্ লাক্লিবা নিররিমথৈ পীথোক্লবস্থ মাগী লন্‌গৈদি পুম্‌হাঙ হাঙহৌদৌরি। অদুগা অমদা পীরগা, অমদা পীত্রবস্থ ফংদবা মথোরদুনা শাউগদৌরি। নিংথৌদুগা শীংনরি। মিকুপ মিকুপ্তা লাক্লিবা দোষ ময়াম

প্রাজ্ঞাঞ্শূরাং স্তথৈবাঢ়্যানেকস্থানপি শঙ্কতে। ভয়মপ্যন্তরে রাজ্ঞো যৈশ্চ নিত্যমুপাস্যতে ॥১৪৭॥
তথা চৈতে প্রদুষ্যন্তি রাজন্ যে কীর্ত্তিতা ময়া। ভথৈব স্য ভয়ং তেভ্যো জায়তে পশ্য যাদৃশম্ ॥১৪৮॥
সর্ব্বঃ স্বে স্বে গৃহে রাজা সর্ব্বঃ স্বে স্বে গৃহে গৃহী। নিগ্রহানুগ্রহ ন কুর্ব্বস্তুল্যো জনক রাজভিঃ ॥১৪৯॥
পুত্রা দারাস্তথৈবাত্মা কোশো মিত্রাণি সঞ্চয়াঃ। পরৈঃ সাধারণা হ্যেতে তৈস্তৈরেবাস্য হেতুভিঃ ॥১৫০॥
হতো দেশঃ পুরং দগ্ধং প্রধানঃ কুঞ্জরোমৃতঃ। লোকসাধারণেষ্বেষু মিথ্যাজ্ঞানেন তপ্যতে ॥১৫১॥
অমুক্তো মানসৈর্দুঃখৈরিচ্ছা দ্বেষভয়োদ্ভবৈঃ। শিরোরোগাদিভীরোগৈস্তথৈবাভিনিয়ন্তৃভিঃ ॥১৫২॥
দ্বন্দ্বৈস্তৈস্তৈরুপহতঃ সর্ব্বতঃ পরিশঙ্কিতঃ। বহুপ্রত্যর্থিকং রাজ্যমুপাস্তে গণয়ন্নিশাঃ ॥ ৫৩॥

অদুনা, হায়জিল্লক্লিবা আপত্তি ময়াম অদুনা কবিগুম্বা মতমদসু নিংথৌগী পুক্নীংদা, নিংথৌগী থবক্তসু অতম্ব (হৈনীংদবা) পোক্হল্লি ॥১৪৬॥

মহৈ-মশিং হৈবা অকন্বশিং, অদুগা য়াম্না ঈনাক্ কৈবাক্ থুন্বশিং পুল্লপ হোৎহনা লাক্পা মতমদা নত্রগা মথোয়সিনা মকম অমদা সম্মেলন তৌরকপা উবদা নিংথৌগী পুক্নী দা চিংনবা অকিবা থুদক্ত পোক্ই। চিংনকম কিকম কবিমতা লৈতবা বিষয় অমদসু নিংথৌ হাযবসিনা পঙকি ত মকি। অকোয়বদা লৈরিবা— মনাই-মশল্ কর্ম্মচারী অমদসু পঙচিং ত চিনৈ— কি ॥১৪৭॥

নিংথৌ! অকন্বা মরিল্লৈবা মহৈ-মশিং হৈবশিং অদুনা, করিগুম্বা নিংথৌসি এখোয়দা চিংনরেনা হায়না থঙথিবা ন্নমিৎতুদগী মথোয়না নিংথৌদা থম্মক্পা দুর্ভাব (যত্তবা মওং শাজৎ) অদু উবদা নিংথৌমা করম্বা মওং কিবমদা লৈবগে হায়বদুদি মহারাজমক্না অদুম্ মথঙবিযু।১৪৮॥

জনক! নিংথৌ। মী পুম্নমক মাগী মাগী ময়ুমদা নিংথৌ ঙাক্তনি। মী খুদিংমক মাগী মাগী ময়ুমদা য়ুম্ মপু ঙাক্তনি। য়ুম অদুগী মমুংদা মহাক্না থবব্ রারক্লি, থবব্ চৈরি, থবব্ থাগৎপিরি! অদুনা মী পুম্বা মাগী মাগী ময়ুমদা নিংথৌমক্ত ওইনবি ॥১৪৯॥

মুপী, মচা, হকচাং, লন্থৈ-পুথৈ, মরূপ হায়রিবা পোৎশক্শিংসিদি নিংথৌগীদা লৈবদুগুম্না প্রজাখুদিংগীসু সাধারণ ওইনা অদুম্ মরৈনৈ। মরম অসি অসি লৈবনা মাবু ত রাজ (নিংথৌ) লৌরিবনি হায়বা মরম পুম্নমক অদু মী খুদিংমক্কীসু অদুম মরৈ। হায়রিবা রা অসি যুক্তি প্রমাণনা অদুম্ মচুম্মি ॥ ৫০॥

"অঃ! ওস্লোকপনিদা॥ লৈপাক মৃৎপ্রে নগর পুম্বা মৈনা চাক্প্রে, প্রধান মন্ত্রী শিপ্রে শামু শিপ্রে" অসুম্না লাউনরিবা অরাবগী খোল্লাউ অসে মী খুদিংমক্কীসু অসুম্ মরাওনৈ। অদুবু, নিংথৌ মঙোন্দা হায়রিবা ঘটনাশিং অসিনা থোক্লকপা মতমদা মঙোন্ত থোক্লবোই থন্দুনা মিথ্যাজ্ঞানদা ভাউদুনা থম্মোয়শোক্ল রাজৈ॥১৫১॥

অপাম্বা মিকৌবা, অকিবা চিংনবা, অসিনচিংবা মানসিক দুঃখ (পুক্নীংগী অরাবা) শিং অসিনা নিংথৌবুসু থক্ থাদোক্পিরমদে। অতে অতৈদা তৌবদুগুম্না য়েক্প থিব, কোক্ চীক্পনচিংবা রোগশিং অসিনা নিংথৌদসু অদুম্ অক্রমন তৌই ॥১৫২॥ দ্বন্দ্বভাব (অনী থোকপগী রাখল) কয়া কয়ানা ফুজিল্লক্তুনা,

তদল্পসুখমত্যর্থং বহুদুঃখমসারবৎ। তৃণাগ্নিজ্বলনপ্রখ্যং ফেণবুদ্বুদসংনিভম্ ॥১৫৪॥
কো রাজ্যমভিপদ্যেত প্রাপ্যচোপশমং লভেৎ। মমেদমিতি যচ্চেদং পুরং রাষ্ট্রং চ মন্যসে ॥১৫৫॥
বলং কোশমমাত্যাংশ্চ কস্যৈতানি ন বা নৃপ। মিত্রামাত্য পুরং রাষ্ট্রং দণ্ডঃ কোশো মহীপতিঃ ॥১৫৬॥
সপ্তাঙ্গস্যাস্য রাজ্যস্য ত্রিদণ্ডস্যেব তিষ্ঠতঃ। অন্যোন্যগুণযুক্তস্য কঃ কেন গুণতোঽধিকঃ ॥১৫৭॥
তেষু তেষু হি কালেষু তত্তদঙ্গং বিশিষ্যতে। যেন যৎ সিদ্ধ্যতে কার্য্যং তৎপ্রাধানায় কল্পতে ॥১৫৮॥
সপ্তাঙ্গশ্চৈব সংঘাত স্ত্রয়শ্চান্যে নৃপোত্তম। সংভূয় দশবর্গোঽয়ং ভুঙক্তে রাজ্যং হি রাজবৎ ॥১৫৯॥
যশ্চ রাজা মহোৎসাহঃ ক্ষত্রধর্ম্মরতো ভবেৎ। স তুষ্যেৎ দশভাগেন ততস্ত্বন্যো দশাবরৈঃ ॥১৬০॥

হীরম্ পুরমক্তগী ঈচিংত চিংনহুনা, মখূৎ থেক্তুনা অহিং মশীং খীহুনা য়েক্রবনা থল্লবা রাজ্যবু সেবন তৌহুনা লৈ ॥১৫৩॥

মুংঙাইবগী শরুক্তি খজিক্ত লৈবা, অল্লাবগী শরুক্লা য়াম্বা, মচি কায়মতা য়াওরবা মৈ ল্লাররবা চল্ল-রাইরুগী মতৌগুম মীকৃপ্ত মাঙপ্রগদবা, ঈশিংদা কাব কেঙ্গোল্গুম্বা রাজ্যবু অশিংবা কনান লৌগদৌরিবনো? লৌরবস্থ লৌরিবা মীহুনা কয়ম্না শক্তি ফংগদৌরিবনো? ॥ ১৪॥

নিংথৌ। নগরসিবু, রাষ্ট্র (লৈপাক) সিবু, লান্মীশিংসিবু অহুগা মনাই মশল্ মন্ত্রীশিংসিবু ঐগীনি হায়না মহারাজনা ভ্রম তৌহুনা থন্বিরি। ঐনা মহারাজদা হংজরি,— হায়রিবশিংসে— কনাগীনো? অহুগা কনাগী নর্ত্তবগে? (হায়বদি— হায়রিবশিংসে মী খুদিংমক্কী ওহাক ওহাক্কী ওইবা য়াবা মক্তনি ॥১৫৫॥

মরূপ, মন্ত্রী, নগর, রাষ্ট্র, দণ্ড, কোশ (লন্থৈগে), অহুগা রাজা (নিংথৌ). হায়রিবশিং অসি রাজ্য অমগী অঙ্গ তরেৎনি। ঐগী খূত্তা ত্রিদণ্ড লৈরিবসিগুম্না নিংথৌ নহাক্কী খূত্তা রাজ্য অসি লৈরি। মহারাজগী অঙ্গ তরেৎনা তিল্লবা রাজ্য, অহুগা ঐগী ত্রিদণ্ড অনীমক অসি অফবা গুণনা তিল্লবমক্তনি। ঐনা হংজরি হায়রিবা অনী অসিদি কনাগীনো? অহুগা কনাগী নত্তবগে? অহুগা, অনী অসিগী মহু দা করম্বগী গুণনা হেন্বগে? ॥১৫৬—১৫৭॥

রাজ্যগী অঙ্গ (কায়াৎ) তরেৎ অসে, মতম মতমগী মতুংইন্না মাগী মাগী বিশেষ ওইবা প্রয়োজন— (দরকার) অদো হেক্ হেক্ লৈ। হায়বদি— মথোয় তরেৎ অসি মতম পুম্বা পুল্লপ্না প্রধান ওইমিন্নদে। মতম মতমতুদা য়াম্না হেন্না দরকার ওইবহুনা প্রধান হেক্ত মওইরে ॥১৫৮॥

নিংথৌ অথোইবা। হায়রিবা অঙ্গ তরেৎ অহুগা প্রভুশক্তি, উৎসাহশক্তি, মন্ত্রীশক্তি হায়রিবা শক্তি অহুম অনিগা রাজ্য অমগী বর্গ তরানি। বর্গ তরা অসিনা পুল্লপ্না পুংয়ান্ চানা লৈমিন্নহুনা লেংশিন্মিন্নহুনা মথোয় অসিনা নিংথৌগী মতৌগুম রাজ্য অমবু উপভোগ তৌরি। সেবন তৌরি ॥১৫৯॥

মন্নীল্ মথৌনা লৈবা, মশানা মশাগী পুক্নীং থৌগচ্চবা, ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মদা পুক্নীং চঙবা, নিংথৌনা কর (খাজনা) গী মশক ওইনা প্রজাশিংগী আয়গী শরুক্ তরাগী শরুক অমা লৌথৎলগা পেঙ্গহুনা লৈ। নিংথৌ

নাস্ত্যসাধারণো রাজা নাস্তি রাজ্যমরাজকম্। রাজ্যেঽসতি কুতো ধর্ম্মো ধর্ম্মেঽসতি কুতঃ পরম্ ॥১৬১॥
যোঽপ্যত্র পরমোধর্ম্মঃ পবিত্রং রাজরাজ্যয়োঃ। পৃথিবী দক্ষিণা যস্য সোঽশ্বমেধেন যুজ্যতে ॥১৬২॥
সাঽহমেতানি কর্ম্মাণি রাজদুঃখানি মৈথিল। সমর্থা শতশো বক্তুমথবাপি সহস্রশঃ ॥১৬৩॥
স্বদেহেনাভিষঙ্গো মে কুতঃ পরপরিগ্রহে। ন মামেবম্বিধাং যুক্তামীদৃশং বক্তুমর্হসি ॥১৬৪॥
ননু নাম ত্বয়া মোক্ষঃ কৃৎস্নঃ পঞ্চশিখাৎশ্রুতঃ। সোপায়ঃ সোপনিষদঃ সোপাঙ্গঃ সনিশ্চয়ঃ ॥১৬৫॥
তস্য তে মুক্তসঙ্গস্য পাশানাক্রম্য তিষ্ঠতঃ। ছত্রাদিষু বিশেষেষু পুনঃ সঙ্গঃ কথং নৃপ ॥১৬৬॥
শ্রুতং তে ন শ্রুতং মন্যে মৃষাচাপি শ্রুতং শ্রুতম্। অথবা শ্রুতসঙ্কাশং শ্রুতমন্যৎশ্রুতং ত্বয়া ॥১৬৭॥
অথাপীমাসু সংজ্ঞাসু লৌকিকীষু প্রতিষ্ঠসে। অভিষঙ্গাবরোধাভ্যাং বদ্ধস্ত্বং প্রাকৃতো যথা ॥১৬৮॥

কনাগুম্বনা মাদুদগী তানা (রাংনা— হন্থনা) লৌরগনু পেন্দুনা লৈথোকৃই ॥ ৬০ ॥ সাধারণ প্রজা যাওদনা নিংথৌ লৈবা যাদে। নিংথৌ যাওদনা রাজ্য থিন্‌বা যাদে। রাজ্য যাওদনা ধর্ম্মনা করম লৈগনি? ধর্ম্ম যাওদনা পরমাত্মাবু করম ফংগনি? ॥ ৬১॥

রাজাগা রাজাগা অনীগী পবিত্র ওইরবা শেংলবা ধর্ম্মদো হায়রগে তাবিয়ু। পৃথিবীবু দক্ষিণাগী মশক ওইনা দান তৌথোকপা, হায়বদি রাজাভূমিবু দান তৌথোকপা ডম্বা নিংথৌ মহাক অদুদি— অশ্বমেধযজ্ঞ তৌবগী মহৈ ফংভি ॥ ৬২॥

মিথিলামপু! নিংথৌবু অরাবা লাওতকবা পীডম্বা কর্ম্ম চাম চাম, লিশিং লিশিং ঐ শীংথাবা ঙম্মি। মহারাজগী মপান্‌গী হকচাংসিদা ঐগী করিগুম্বা আসক্তি অমতা লৈতে। অদুনদি অতোপ্পা সাধারণ অমগী হকচাংদা করম্না লৈগনি? অসিগুম্বী যোগযুক্ত ওইবী সন্ন্যাসিনী ঐঙোন্দা মহারাজনা অদুগুম্বা রাহৈশিং হায়বিকম থোক্তে— চুম্‌দে ॥ ৬৩— ২৬৪॥

নিংথৌ! মহর্ষি পঞ্চশিখাচার্য্যগী মফমদগী উপায়গা কোয়না উপনিষদকী পাউত্তাক পূম্বা, যম নিয়মনচিংবা যোগাঙ্গ পূম্বা, নিশ্চয় হায়বদি— জীব ব্রহ্ম অনীগী একতাগী ভাব, পূম্নমক অসিগা লোয়ননা— মোক্ষশাস্ত্রগী পাউত্তাক নিয়ম পূম্বা লোইনা তাবিরে। আসক্তি পূম্বদগী রাংমা লাম্থোকপিরক্লে। সংসারগী বিষয়শিংগী অকা অপুনবা লোইনা ককৃথংলে। অদুগুম্বা থাক্তা কারক্লবা নিংথৌ নহাক্না হৌজিক ছত্র, চামরনচিংবা পোৎশকশিংদা করিগী আসক্তি অসুক যাম্না হেন্না থম্বিরি? ॥১৬৫—২৬৬॥

ঐনা মুম্না খল্লে, মাহুদি— পঞ্চশিখাচার্য্যগী মফমদগী জ্ঞানগী পাউত্তাক পূম্বা লোইনা তাবিরে। অদুবু ঈতা তাদবগা অম্মা ওইরি। তারিবা পোৎ অমদি বিষয় অদুনা অচুম্বা (সত্য) ওইরবনু তাদবগা অম্মা ওইরবদি সত্যহুম্না মিথ্যা ওইহল্লে। নত্রগা মপান্দদি বেদশাস্ত্রগী জ্ঞান পাউত্তাক মানবা, নত্তি নত্তবা তাক্ত তাব অমা, অমদি মওইরে। মহারাজনা মহারাজগী গুরুবু বেদশাস্ত্রগী জ্ঞান যাওদবা মীনম্বা গুরু অমনু ওইহল্লে ॥১৬৭॥ অসিগী মথক্তা অমুকনু বিদেহরাজ, মিথিলাপতি অসিনচিংবা লোক-ত চঙনবা, নাম,

সম্বেনাত্মপ্রবেশো হি সোঽয়ং ত্বয়ি কৃতো ময়া। কিং তবাপকৃতং তত্র যদি মুক্তোঽসি সর্ব্বশঃ ॥ ৬৯॥
নিয়মো হ্যেষু বর্ণেষু যতীনাং শূন্যবাসিতা। শূন্যমাবেশয়ন্ত্যা চ ময়া কিং কস্য দূষিতম্ ॥ ১৭০॥
ন পাণিভ্যাং ন বাহুভ্যাং পাদোরুভ্যাং ন চানঘ। ন গাত্রাবয়বৈরন্যৈ স্পৃশামি ত্বাং নরাধিপ ॥১৭১॥
কুলে মহতি জাতেন হ্রীমতা দীর্ঘদর্শিনা। নৈতৎ সদসি বক্তব্যং সদ্বাসদ্বা মিথঃ কৃতম্ ॥ ১৭২॥
ব্রাহ্মণা গুরবশ্চেমে তথামান্যা গুরূত্তমাঃ। ত্বঞ্চাথ গুরুরপ্যেষামেবমন্যোন্য গৌরবম্ ॥১৭৩॥
তদেবমনুসংদৃশ্য বাচ্যাবাচ্যং পরীক্ষতা। স্ত্রীপুংসোঃ সমবায়োঽয়ং ত্বয়া বাচ্যো ন সংসদি ॥১৭ ॥

উপাধিশিং অসিব ফংহুনা, লোক সমাজ অমদা প্রতিষ্ঠা ফংহুনা, মাহুদা নুংঙাইবা হয়াউধা ফংহুনম্নু লৈবিরে অহুনা জীবন্মুক্ত ওইরবা মহারাজবু সাধারণ ওইবা ঈচম্ চম্বা মীশক অমগুম সংসারগী বিষয় আসক্তিশিংনা ব[illegible]ন তৌহুনা ক্রক্ ক্রক্ ফাজিন্দুনা থম্লে ॥ ৬৮॥

থাক্লেশেংবা মহারাজনা মুক্ত ওইরবদি, ঐনা বুদ্ধিগী পান্থনা মহারাজগী থম্মোয়দুংদ চঙশিল্লকপাসিনা মহারাজগী করি অকায়বা লৈ? ॥ ৬৯॥

সন্ন্যাসীশিংনা অচীকপা মফমদা লৈগদবনি হায়বসে বর্ণ পুম্নমক্কী নিয়মনি। ঐস্নু মহারাজগী করিস্নু মাঙ-দবা. ঈহাঙ হাঙলবা হকচাংদুং অসিদা চঙশিন্দুনা কনানা কনাগী ফত্তবা তৌরবগে? করিবু ঐনা মাংথোক্-লবগে? ॥১৭০॥

পাপ য়াওদ্রবা নিংথৌ। খুৎনস্নু, পাম্বোম্নস্নু, খোঙনস্নু খুকউনস্নু অহুগা হকচাংগী করিগুম্বা কায়াৎ অমম্না ঐ মহারাজগী হকচাং শোকচদ্রি ॥১৭১॥

মহারাজদি অচৌবা শাগৈদা পোকপনি। ঈকায়বা খঙলবা, দোষ গুণ মুন্ন উবিরবা মীশক অমনি। মহারাজগা ঐগা ঐখোয় অনীগী মরক্তা অমনবু ওইরবস্নু, অমনবু ওইরবস্নু গুণ দোষ অদো রাজসভা মমাঙ অসিদা থক্ হায়দোক্পিকম থোক্কে ॥১৭২॥

গুণ চন্নবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতমক্তা সভা অসিদা লৈরি। গুরুশিংগা য়েংনবদগী হেন্নবা, ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা সম্ভ্য মহাপুরুষমক্তা মফম অসিদা হৌজিক লৈরি। অমগা মহারাজ নশামকস্নু লৈপাক্কী নিংথৌ অমা ওইবনা হায়রিবা খ্বাই প্রজা পুম্নমক অসিগী গুরুগী থাক্ত লৈবিরি। অহুনা গুরুত্ব (গৌরব গুরু ওইবগী ভাব) অসি অমনা অমগী মথক্ত নম্দুনা লৈনরি। হায়বদি— ব্রাহ্মণ ওইবনা ব্রাহ্মণ মন্ত্রী শং অসি মহারাজগী গুরু মীওদা চন্নবা ভাক্তনি। ব্রাহ্মণনি হায়হুনস্নু প্রজা ভাক্ত ওইবনা প্রজাশিংগী গুরুদি মহারাজনা অহুমক ওইবিরবনি। অহুনা গুরুত্ব (গৌরব) হায়বা গুণধর্ম্ম অসি অমনা অমগী মফমদা পীনরবনি ॥ ৭৩॥

অহুনা, হৌজিক সভা অসিদা করি তৌফম থোক্নবগে হায়বহু য়াম্না মুন্ন থম্নফম থোক্লে। অহৈ-অশিং ভাক্তনা থম্না লৈরবা সভা অসিদা নিপা নুপীগী সংসর্গ সম্ভোগনচিংবগী মহারাজনা হৌদোক্পিরকপা অসি ফনা ঈকায়নীঙায়নি। অসিগুম্বা য়াম্না চোপ্প রা অসি রাজসভাদা পুশিল্লকপা হৌনদে ॥ ৭৪॥

যথা পুষ্করবর্ণস্থং জলং তৎ পর্ণমস্পৃশৎ। তিষ্ঠত্যস্পৃশতা তৎবৎ ত্বয়ি বৎস্যামি মৈথিল ॥১৭৫॥
যদি বাপ্যস্পৃশন্ত্যা যে স্পর্শং জানাসি কঞ্চন। জ্ঞানং কৃতমবীজং তে কথং তেনেহ ভিক্ষুণা ॥১৭৬॥

মিথিলা নিংথৌ ! রম্না থক্তা পকপ। ঈশিংনা ঈশম্ শম্নদনা লৈবগুম নিংথৌ নগা শোক্লদনা মহা-রাজগী হকচাংদুংদা লৈগে ॥১৭৫॥

অদুগা করিগুম্বা ঈশম্ শম্নদনা লৈবী ঐবু লৈ হায়না মহারাজগী থম্মোয়দা পুক্নীংদা ফাওরবদি—সন্ন্যাসী মহাত্মা পঞ্চশিখনা করম হায়না মহারাজদা নির্বীজ জ্ঞানগী পাউতাক পীরম্লিবনো ? ॥১৭৬॥ *

---

* সুলভা কৌবী সন্ন্যাসিনীনা হায়রিবা অসিগী ভাবতি অসিনি,— পঞ্চশিখনা জনক নিংথৌদা পীরম্বা নির্বীজ জ্ঞানগী পাউতাকতি করিনো হায়বদা সংসারদা ঐগীনি হায়দুনা লৈরিবা মুপী অঙাং লল্ থুমনচিংবা বিষয়শিং অসিগা অসুম লৈমিন্নরবসু মখোয়সি অদুনি অদা'ন, ঐগীনি মাগীনি হায়ব জ্ঞান অদু পোক্তবা য়াদদুনা পোক্লবসু শোক্লিবা জ্ঞান অদু নির্বীজ ওইহনগদবনি। হায়বদি— মুল্হন্দুনা ভোথোক্নুনা থম্লবা মরুনা লৌবুক্তা লৈবাক্তা তাগ্রবসু হুনগ্রবসু ময়োল্ চোংগু, য়াদবদুগুম্বা— মুল্লবা সিদ্ধ ওইরবা জ্ঞান অদুবু মুপী অঙাং, মচা-মশূনচিংবা সংসারগী বিষয় পদার্থদা শীজিন্নরবসু বিষয়শিং অদুদগী অপাম্বা থক্লকপা মি-হৌবা, অশাউবা··· অসিনচিংবা ময়োল হেক্ চোংহন্দ্রগা লোইরে। অদুগুম্বা জ্ঞান অদুবু নির্বীজজ্ঞান কৌই। সুলভানা হায়রি,— ঐনা মহারাজগী হকচাংগা শম্ন শোক্লদনা লৈরবসু, অদুগা শম্ন শোক্লদনা লৈর-কাওবদা ঐগী হকচাংগা থেংনবগী অনুভূতি (অনুভব— ফাওবা) গী জ্ঞান অদুবু পঞ্চশিখগী পাউতাক্কী মতুংইন্না নির্বীজ হেক্ ওইহল্লগা লোইরে। মুপীগী হকচাংদা তক্ল থেংনরবসু মাহুদগী কাংগী উদ্বেগ ময়াম অপাম-মুশিগী শম্ন থোংনবগী ইচ্ছা (কামনা) অদু পোকহন্দ্রগা লোইরে। অসুম্না পঞ্চশিখনা জনককী মফমদা পীথিবা জ্ঞানগী পাউতাকনি। পীরম্লবা জ্ঞান অসিবু কর্ম তৌদুনা পাঙথোকপা— পাঙথোকহন্বা ঙমদ্রবদি পঞ্চশিখনা পীরম্লিবা নির্বীজজ্ঞানগী পাউতাক অদু করিদি কাম্নরি ? পীরমদবগা অম্মা ওইরে। জ্ঞান অদুবু মথা তান্না থবক থোক্না পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি শক্তি য়াওদ্রবা জ্ঞাননি। জ্ঞানশক্তিবু লোইবা চেন্ব ঙমদ্রবা মী মহাক অদুদি — মঙোন্দা লৈরিবা জ্ঞান অদুনা মহ'কপু জ্ঞানী অমনি হায়না কৌবদি য়ারোই। অদুনা মহারাজনা নশা নথন্তবু জ্ঞানীনি হায়না থল্বিরিবা অদু লাদ্রে। ঈরাল্ লায়্না থল্লিবা অদুনি অহঙ্কার হায়রিবসি। লানবু লাদ্রবদি অহঙ্কার তৌরবসু থোইনা কায়বা লৈতে। মহারাজনা মপানগী পঞ্চভূতগী হকচাং অসিতনা আত্মা অসিবু নিপানি, মুপীনি, হায়না লৌরিবদু অহঙ্কারনি। অহং-কার (অহং ভাব — ঐ হায়বগী রাখল) অসি কোক্ত্রিবমথৈ জীবন্মুক্ত থক্ ওইবা য়ারোই। ঐ মহারাজবু জীবন্মুক্ত ওইরে ওইরে, হায়না ঙাঙনবদু চুম্বরা হায়না পরীক্ষা তৌগে লাক্'পনি। অহিংচুম্না মহারাজগী হকচাংদুংদা লৈদুনা পরীক্ষা তৌরমথিনি। অসিনি মানা হায়রিবসি। (কালাচাঁদ

স গার্হস্থ্যাচ্চ্যুতশ্চ ত্বং মোক্ষং চানাপ্য দুর্বিদম্। উভয়োরন্তরালে বৈ বর্ত্তসে মোক্ষবার্ত্তিকঃ ॥১৭৭॥
ন হি মুক্তস্য মুক্তেন জ্ঞস্যৈকত্বপৃথক্ত্বয়োঃ। ভাবাভাবসমাযোগে জায়তে মম জায়তে বর্ণসঙ্করঃ ॥১৭৮॥
বর্ণাশ্রমা পৃথক্ত্বেন দৃষ্টার্থস্যাপৃথক্ত্বিনঃ। নান্যদন্যাদিতি জ্ঞাত্বা নান্যদন্যত্র বর্ত্ততে ॥১৭৯॥
পাণৌ কুণ্ডং তথা কুণ্ডে পয় পয়সি মক্ষিকা। আশ্রিতাশ্রয়যোগেন পৃথক্ত্বেনাশ্রিতাঃ পুনঃ ॥১৮০॥
ন তু কুণ্ডে পয়োভাবঃ পয়শ্চাপি ন মক্ষিকা। স্বয়মেবাপ্নুবন্ত্যেতে ভাবা ন তু পরাশ্রয়ম্ ॥১৮১॥
পৃথক্ত্বাদাশ্রমাণাং চ বর্ণানাম্ভে তথৈব চ। পরস্পরপৃথক্ত্বাচ্চ কথং তে বর্ণসঙ্করঃ ॥১৮২॥

ঐ পরস্ত্রী নত্তে, অদুবু মহারাজনা পরস্ত্রীগা শম্ন শোক্নরে হায়না হন্বিরবনিনা, শম্ন শোক্নবদুকাওবা হকচাং পূক্নীং কাওবিরবনিনা (অনুভব তৌরবনিনা) গার্হস্থ্যধর্ম্মদগী নাম্থরক্লে। ধর্ম্মদগী নাম্থদুনা তারক্লবনিনা কংঙমদবা মোক্ষবুসু ফংবা ওইথোক্রবা ওইরে। অদুনা চীথাক্তোংদা মুক্তিগী মোক্ষগী রা·ত মতাঙ্ভিরে। অদুনা মহারাজদি মোক্ষমার্গগা গর্হস্থ্যগা অনীগী মরক্ত থাক্ থাক্ য়াম্নুনা লৈবিরে ॥১৭৭॥

জীবন্মুক্তগা জীবন্মুক্ত জ্ঞানী অমগা, একত্বগা পৃথক্ত্বগা, ভাব (আত্মা) গা অভাব (প্রকৃতি) গা সংযোগ ওইরবদা (তিন্নরবদা), হায়বদি— তিন্নরবসু বর্ণসঙ্করগী উৎপত্তি ওইদে, হায়বদি— পোকৃতে— পোকপা কৌদে ॥১৭৮॥

ব্রাহ্মণনচিংবা বর্ণ পুম্বসি অদুগা আশ্রমশিং অসি তোঙান্ তোঙাম্বনি, অদুগা মখোয়গী নিয়ম বিধিসু তোঙান্ তোঙাল্লি; হায়বসি শাস্ত্রদা হায়রে, মাদু ঐসু য়াক্লে। অদুনা ব্রহ্মবু সাক্ষাৎকার তৌরবা, অভেদজ্ঞান লাক্লবা, অস্মাদগী তোঙান্বা পোঙ্শক অমা লৈতে, হায়বদি— পোং খুদিমক মাগী মাগী তোঙান্ তোঙাম্বা সত্ত (অস্তিত্ব) অদু লৈবা নত্তে হায়না খঙলবা; অদুগা পোং খুদিংমক মহাক মশা মথন্তদা লৈজবা নত্তনা অতোপ্পা পোং অমদা লৈতে হায়না খঙলবা, অদুগা মী অদুনা অতোপ্পা অমগা তিন্নবা হায়বসে ওইথোক্লবনি। অদুনা বর্ণসঙ্কর ওইবগী ভাব করিমতা লৈতে ॥১৭৯॥

খুত্তা পাত্র, পাত্রদা শঙ্গোম, শঙ্গোমদা হয়িং, পোংশকশিং অসে তোঙান্ তোঙান্লবসু আধার আধেয় ভাবতা তুংনকম অন্তা ওইমিন্নরে ॥ ১৮০॥

হায়রিবা পোংশকশিং অসি আধার (তুংনকম) অমতবা লৈমিন্নৈদি হায়ববু পাত্র অদুদা দুগ্ধগী ধর্ম্মনা তিন্নদে। শঙ্গোমদুদা হয়িংদু তোংকরিদি হায়ববু শঙ্গোমদুনা হয়িংগী হয়িং-ধর্ম্মবু লৌদে, হায়বদি— হয়িং ওন্থিদে। পোং অমগী মনুংদা নত্রগা মথক্তা পোং অমা লৈরবসি লৈকম ওইরিবদু আধারনি। লৈরিবা পোং অদুনা আধেয়নি। আধেয় ওইরিবা পোং অদুনা মহাক মশামক্তগী তোঙান্না লৈবা আধার ওইবা পোংশক অমবু লৈকম ওইনা কংবনি। হায়বদি তোঙান্নমন্নবদি কংঙম্মোইদৌবনি ॥১৮১॥

ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা আশ্রমশিং অসি অমনা অমদগী য়াম্না খেন্নরিবনি। ব্রাহ্মণনচিংবা বর্ণশিং অসিসু অমনা য়াম্না খেন্নরিবনি। মখোয় অসিগী অমদগী অমনা খেন্নরিবসি, হায়বদি— মখোয়দা লৈরিবা পৃথক্

নাস্মি বর্ণোত্তমা জাত্যা ন বৈশ্যা নাবরা তথা। তব রাজন্ সবর্ণাস্মি শুদ্ধযোনিরবিপ্লুতা ॥১৮৩॥
প্রধানো নাম রাজর্ষির্ব্যক্তং তে শ্রোত্রমাগতঃ। কুলে তস্য সমুৎপন্নাং সুলভা নাম বিদ্ধি মাম্ ॥১৮৪॥
দ্রোণশ্চ শতশৃঙ্গশ্চ চক্রদ্বারশ্চ পর্ব্বতঃ। মম সত্রেষু পূর্ব্বেষাং চিতা মঘবতা সহ ॥১৮৫॥
সাহং তস্মিন্ কুলে জাতা ভর্ত্তর্য্যসতি মদ্বিধে। বিনীতা মোক্ষধর্ম্মেষু চরাম্যেকা মুনিব্রতম্ ॥১৮৬॥
নাস্মি সত্রপ্রতিচ্ছন্না ন পরস্বাপহারিণী। ন ধর্ম্মসঙ্করকরী স্বধর্ম্মেঽস্মি ধৃতব্রতা ॥১৮৭॥
নাস্থিরাং স্বপ্রতিজ্ঞায়াং না সমীক্ষ্য প্রবাদিনী। না সমীক্ষ্যাগতা চেহ ত্বৎসকাশং জনাধিপ ॥১৮৮॥
মোক্ষে তে ভাবিতাং বুদ্ধিং শ্রুত্বাহং কুশলৈষিণী। তব মোক্ষস্য চাপ্যস্য জিজ্ঞাসার্থমিহাগতা ॥১৮ ॥
ন বর্গস্থা ব্রবীম্যেতৎ স্বপক্ষপরপক্ষয়োঃ। মুক্তো ব্যাজচ্ছতে যশ্চ শান্তো যশ্চ ন শাম্যতি ॥১৯০॥

ধর্ম্ম অসিদি মহারাজদি হান্নদগী খঙবিরিবনি। অদুনা খঙবিরিবা মহারাজগী ক্ষত্রিয়বর্ণদা সঙ্কর করম্না ওইগদৌরিবনো ? ॥১৮২॥

মহারাজ ! জাতিদা ঐ ব্রাহ্মণী নচ্চদে, বৈশ্যাসু নচ্চদে, শূদ্রাসু নচ্চদে। ঐ মহারাজগী অদুগুম্বা শেংলবা ক্ষত্রিয়বংশদা পোকপীনি। ঐ অখণ্ড ব্রহ্মচর্য্যাবু পালন তৌদুনা লৈজরিবীনি ॥১৮৩॥

প্রধান কৌবা রাজর্ষি অদুগী মিংসু মহারাজনা তাবিরম্বা য়ারে। ঐ রাজর্ষি মহাক্কী শাগৈদা পোক্‌পীনি। ঐগী মিং সুলভা কৌই হায়না খঙবিয়ু ॥১৮৪॥

মমাংঙৈগী ঐগী ঈবুধৌশিংনা তৌখিবা যজ্ঞ থিবিক্তা লাইরেম্পাক নিংথৌ ইন্দ্রগা তিন্নদুনা দ্রোণ, শতশৃঙ্গ, চক্রদ্বার কৌবা চিঙবু যজ্ঞগী বেদী শইনবা খনখি ॥ ৮ ॥

ঐ চাউংবা ক্ষত্রিয়গী শাগৈদা পোক্‌পীনি। ঐনা লামজবা মতীক চাবা ঈপুরোইবা ফংদদুনা মোক্ষধর্ম্মগী শিক্ষা দীক্ষা লৌই। মুনিব্রত ধারণ তৌদুনা পৃথিবীগী মফম পুম্নদা কোয়চৎ চৎতুনা লৈজরি ॥১৮৬॥

ঐ সন্ন্যাসিনীগী অরোনবা ফীজেৎ শেংচিন্নবা নত্তে ঐ অতোপ্পগী লনথুম লৌদে। ঐ ধর্ম্মসঙ্করতাবু থক্ শন্দোক্তে। ঐ খুবম চেংনা ব্রহ্মচর্য্যাব্রতবু ঙাক্তুন লৈজরি। ঐ লনাইগী ধর্ম্মদা লেঙদনা লৈরি ॥১৮৭॥

নিংথৌ ! ঐদি ঐনা তৌখিবা ৱাশক্কী খুবৈ নাম্ম লঙদে। রাখল বিচার তৌদনা করিগুম্বা অমতা কনাগুম্বা অমদা ঙঙদে। ঐনা ঙসি মহারাজগীসিদা লাকচরিবসিসু য়াম্না মুন্না রাখল বিচার তৌরগা লাকচরিবনি ॥১৮৮॥

মহারাজগী বুদ্ধি জ্ঞান পূম্নমক মোক্ষমার্গদা চঙথ্রে হায়বসি ঐনা চৎলুবা মফম পূম্নমক্তা তাজে। অদুনা ঐনা মহরাজগী মঙ্গল ওইবত খন্‌বী অমা ওইনা, মহারাজগী মফমদগী মোক্ষজ্ঞানগী মসুংগী ভত্ত্ববু তাজনীংদুনা— খঙনীংংন্য লাকচবনি ॥ ৮৯॥

স্বপক্ষ পরপক্ষদগীসু কনাইগী ফগদবা রাফম অমত্তবু চু পায়গুম পায়দুনা পক্ষপাতিনী অমা ওইনা ঙাঙকবা নত্তে। মহারাজগী কাম্নবতা খন্দুনা ঙাঙজরিবনি। রা ঙাংবগী ব্যবসায় অমাদ ব্যাৱাম তৌদনা

যথা শূণ্যে পুরাগারে ভিক্ষুরেকাং নিশাং বসেৎ। তথাহং তচ্ছরীরেঽস্মিন্নিমাং বৎস্যামি শর্ব্বরীম্ ॥১৯১॥
সাহং মান প্রদানেন ব'গাতিথ্যেন চার্চ্চিতা। সুপ্তা সুশরণং প্রীতা শ্বো গমিষ্যামি মৈথিল ॥১৯২॥

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যেতানি স বাক্যানি হেতুমন্ত্যর্থবন্তি চ। শ্রুত্বানাধিজগৌ রাজা কিঞ্চিদন্যদতঃ পরম্ ॥১৯৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
সুলভা জনকসংবাদে পঞ্চদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১৫॥

——:(✠:——

মহাশান্ত ওইনা পরব্রহ্ম পরমাত্মাদা লুপত্নুনা লৈরিবা মী মহাক অত্তনা মুক্ত (জীবন্মুক্ত) ওই ॥১৯০॥

নগরগী হাওলবা য়ুম অমদা সন্ন্যাসী অমনা অহিং অমত্তং লৈরম্বা অতুগুম্বা ঐ ওসি অহিং অসিদা মহারাজগী ঈহাও হাওলবা, কাম ক্রোধনচিংবা কন্নিমতা লৈত্রবা হকচাংস্তুং অতুদা য়ায়রেকনি ॥১৯১॥

মহারাজনা ঐবু য়াম্না তরাম্ তরাম্না তৌবরে। রাহৈগী মশক ওইবা আতিথ্য (অতিথি সেবা) না ঐবু য়াম্না নুংনা তৌবিরে। মিথিলা মপু! ঐ মহারাজগী হকচাংগী মশক লৌরবা নীংথিজরবা য়ুমসিদা ওসি অহিং অসি লেন্‌গনি। অমুক হোৌগৎতুনা চচ্চখিনি ॥১৯২॥

ভীষ্মনা হায়,— সুলভাগী অসিগুম্বা য়াম্না যুক্তিযুক্ত ওইবা রা অসিবু তাবদা জনক নিংথৌ অসি রা-ই মচেং অমত্তা মথা তদনা তুমিন্ন লৈখি ॥১৯৩॥

সকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চাননা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা সুলভা-জনক-সংবাদগী চহুমগা তরামঙাগুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১৫॥

——:(✝):——

মণিপুরী মহাভারত

ষোড়শাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ব্যাসনা মচা শুকদেবদা জ্ঞান তাকপা)

চহুমগা তরাতরুকুগুবা অধ্যায়

—·—:(॰.: ——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং নির্ব্বেদমাপন্নঃ শুকো বৈয়াসকি পুরা। এতদিচ্ছাম্যহং শ্রেতুং পরং কৌতুহলং হি মে ॥১॥

অব্যক্তব্যক্তত্বানাং নিশ্চয়ং বুদ্ধিনিশ্চয়ম্। বক্তুমর্হসি কৌরব্য দেবস্যাজস্য যা কতিঃ ॥২॥

ভীষ্ম উবচ।

পাকৃতেন সুবৃত্তেন চরন্তমকুতোভয়ম্। অধ্যাপ কৃৎস্নং স্বাধ্যায়মন্বশাৎ বৈ পিতাসুতম্ ॥৩॥

ব্যাস উবাচ।

ধর্ম্মং পুত্র নিষেবস্ব সুতীক্ষ্ণৌ চ হিমাতপৌ। ক্ষুৎপিপাসে চ বায়ুং চ জয়ং নিত্যং জিতেন্দ্রিয়ঃ ॥৪॥

সত্যমার্জবমক্রোধমনসূয়াং দমং তপঃ। অহিংসাং চানৃশংস্যং চ বিধিবৎ পরিপালয় ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধৌ! মমাংঙৈদা ব্যাসদেবগী মচা শুকদেবনা মতৌ করম্না বৈরাগ্যভাব ফংখি-বগে ? ঐ মাসি য়াম্না তাজনীংঙি, তানাংবনসু য়াম্না লাউতরুরি ॥১॥

কুরুশংগেদা অথোইবা ঈবুধৌ! তানীংলিবা বিষয়সিগা লোয়ন লোয়ননা ব্যক্ত অব্যক্তগী তত্ত্বসিমগা পোকপশিবা নাইদবা ভগবান্ নারায়ণগী চরিত্র অমগা য়াম্না তাজনীংঙি ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— মচা শুকদেবনা অতৈ ময়াম সাধারণনা তৌনরিবসিগুম্না লৈথোকপা, অদুগা হজংহন্দা অমদগী অমবা, কোয়চং চৎতুনা লৈবদু উবদা ব্যাসনা মহাকপু ফাজিন্দুনা বেদ পুম্বা তম্বিখি, অদুগা মমল্ য়াম্নবা পাউতাক কয়া পীবিখি ॥৩॥

ব্যাসনা হায়,— ঈবুঙো! নহাক ধর্ম্মগী আচরণ তৌদুনা লৈয়ু। কোয়চৎ চংকনু। ইন্দ্রিয় খুদুম চন্দুনা, অঙৌবা অশাবা, নিংথম্বা ওগাঙবা, অরাম খৌরাংবা, পুম্নমক জসিবু খাঙহনা, প্রাণবায়ুনা মনীংতমুনা চানীং চানীংবা, হোম্নীং হোম্নীংবা অদু খিংদুনা প্রাণবায়ুগী মথক্তা বিজয় ফংনবা, প্রাণবায়ুবু ভম্নবা তৌ ॥৪॥

অচুম্বা ভাঙবা, ঈচম্ চম্না লৈবা, শাউদবা, মীগী দোষ কুপ্প য়েংদবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্বা, তপস্যা, অহিংসা দয়া (থৌজাল) অসিনচিংবা ধর্ম্ম কায়দনা ভাকউ ॥৫॥

সত্যে তিষ্ঠ রতো ধর্ম্মে হিত্বা সর্ব্বমনার্জবম্। দেবতাতিথিশেষেণ যাত্রাং প্রাণস্য সংলিহ ॥৬॥

ফেনমাত্রোপমে দেহে জীবে শকুনিবৎ স্থিতে। অনিত্যে প্রিয়সংবাসে কথং স্বপিষি পুত্রক ॥৭॥

অপ্রমত্তেষু জাগ্রৎসু নিত্যযুক্তেষু শত্রুষু। অন্তরং লিপ্সমানেষু বালস্ত্বং নাববুধ্যসে ॥৮॥

অহঃসু গণ্যমানেষু ক্ষীয়মানে তথাহয়ুষি। জীবিতে লিখ্যমানে চ কিমুত্থায় ন ধাবসি ॥৯॥

ঐহলৌকিকমীহন্তে মাংসশোণিতবর্দ্ধনম্। পারলৌকিককার্য্যেষু প্রসুপ্তা ভৃশনাস্তিকা ॥১০॥

ধর্ম্মায় যেহভ্যসূয়ন্তি বুদ্ধিমোহান্বিতা নরাঃ। অথবা গচ্ছতাং তেষামনুযাতাহপি পীড্যতে ॥১১॥

যে তু তুষ্টাঃ শ্রুতিপরা মহাত্মানো মহাবলাঃ। ধর্ম্ম্যং পন্থানমারূঢ়াস্তানুপাস্স্ব চ পৃচ্ছ চ ॥১২॥

অচুম্বগী মথক্ত খুবম চেংনা লৈয়্ম পূকচেল খোয়বা মরৈ মরা চাউবা থাদোক্লুনা ধর্ম্মগী মফমদা অনুরাগ (পামশিন্‌বা) তম্মু। দেবতাশিং অমুগা অতিথিশিংগী শরূক তম্‌থ্রগা থরা লেমহৌবা শরূক অদো হিংনবগী সেবন ত্তৌ ॥৬॥

ঈবুঙো! নংগী ঐগী হকচাংসে ঈপাকথক্তা কাব কোক্লোল্‌গুম্বনি। মীকুপ্ত তাক্‌থ্রগদবনি। হকচাং-পোল্‌ অসিগী মনুংদা জীব (জীবাত্মা) অসিনা উচেক অমগী মতৌগুম্না লৈরিবনি। চান্নবা মক্লপ মপাংনি, মচা মশূনি হায়রুনা লৈমিন্নরিবশিং অসে হয়েংত ভাইরে শক্ উনরোদোবা। নহাক্লা জ্ঞান ঈতা তাদনা— নীঙতায়দনা তুমহুনা লৈথোক্লিবা করিগীনো? ॥৭॥

নংগী য়েক্লবনা মীকুপ খুদিংগী তুম হীপ্প চাবদা নগাক্লী অকোম্বা অহোবতা য়েংহুনা আক্রমন তৌশিন্‌-গদবগী ভাইহুনা লৈরিবনি হায়না খঙ্ঙু। হৌজিক্ত নংদি অঙাংনিনা করিমতা খঙদনা লৈথোকলি ॥৮॥

ননা সংসার অসিদা লৈগদবগী থুমিক্তো থুমিং খুথেক্লুনা পাংলু। পুন্‌শিগী ময়ুং অহুমহুম তেন্‌-শিল্লক্লি। করিগুম্বা মফম মতম অমদা পুনশিসে অসি যলঙবনি হায়হুনা য়াংতুনা ইহুনা থমথ্রবনি। মাহদি ঙসিরা হয়েংলা হুজিকমকূলা খঙদে। নহাক থুনা য়াংনা চেন্‌থিত্রিবা করিগীনো? (থুনা য়াঙনা নথো পাঙথোকত্রিবা করিগীনো? ॥৯॥

নাস্তিকশিংনা মপোক অসিদা হুংভাইহৌরগা লোইরে, হয়েংমুক্তী মপোক হায়বা লৈতে হায়হুনা শু তোং শরূশিং অসিবু চাউথোক্লবা নোয়ননবা হোংনরি। পরলোক (মতুংগী মপোক্) কী দমক্তদি মখোয় নাচুংদে, নীঙতায়দনা তুমহুনা লৈথোকই ॥১০॥

বুদ্ধিগী শুক্কৎপগী ঈপাক্তা লুংথ্রবা মী মহাক অহুদি ধর্ম্মবু ভত্তনা নিন্দা তৌই! হুমিংচুপ্পা কুমার্গ (কত্তবা লম্বী) তদা মখোঙ কাপ্পিল্লি। মাগী মরমদা করি অমুক হায়গনি! মাগা তিন্নরুবদগী মরাল্‌ লৈত্রবা কয়াসু অরাবা খুদোংথাব ফবা তারিবনি ॥১১॥

মরম অহুনা ধর্ম্মগী কল্লবা শক্তিনা তিল্লবা মহাত্মা ওইরবা অহুগুম্বা মহাপূরুষনা হুমিংচুপ্পা ঈপেন্‌ত পেন্দুনা বেদবাক্যতদা পূক্নীং চঙহুনা ধর্ম্মগী লীক্লমদগী খুবৈ নাম্মত লাম্মোক্তে। নহাক অহুগুম্বা মী অহুগী

উপধায় মতং তেষাং বৃদ্ধানাং ধর্ম্মদর্শিনাম্। নিয়চ্ছ পরয়া বুদ্ধ্যা চিত্তমুৎপথগামি বৈ ॥১৩॥
আত্মাকালিকায়াবুদ্ধ্যা দূরে শ্ব ইতি নির্ভয়া। সর্ব্বভক্ষ্যা ন পশ্যন্তি কর্ম্মভূমিমচেতসঃ ॥১৪॥

সম্প্রতি অমদি সেবাদা পূক্লীং চঙভু, নংগী নথৌ মঙোন্দা হংঙু ॥ ২॥ অদুগুম্বা ধর্ম্মখঙবা মীশিংগী মত অদু খঙলগা, নহাক নশাগী বুদ্ধিগী পাম্বৈনা, নহাক নশাগী ফত্তবা লম্বীদা চৎকিবা পূক্লীং অদুবু খুদুম চন্‌শিল্লু— লাকৃশিল্লু ॥১৩॥

হৌজিক হৌজিকী মুংঙাইবতবু ময়েংবা, মহাক্ল তৌথ্রিবা কর্ম্মদুগী মহৈ অদু য়াম্না রাংলি লাক্কদবা, হায়না খল্লোক্তনা নীঙওায়বা অকিবা নাচুংবা করিমতা তৌদনা তুমদুনা লৈথোক্লবা, অদুগা চাব য়াব য়াদবা করিমতা থাম্বদনা অফং অফংবা পঙগাত চাশিন্‌বা অদুগুম্বা মবুদ্ধি লৈতবা মী অদুনা মাগী পুন্‌শিদা কর্ম্মভূমি অসিগী মহত্বপূর্ণ ওইবা, হায়বদি— মমল্ য়াম্লবা শীংথানবা য়াবা লৈরিবা গুণ অদুবু উবা ফংলোই। ॥১৪॥ *

* পৃথিবী অসি কর্ম্মভূমিনি। অসিগুম্বী কর্ম্মভূমি ওইরিবী পৃথিবী অসিগ পোক্লরিবা অমরোমদা হায়রগা য়াম্না তাঙনা ফংবনি। পৃথিবী অসি মঙ্গল বুধগুম্বা নত্তে, অতৈ অতৈগা পানক্লরবদি য়াম্না পীকথ্রবা কয়িস্থ লৈত্রবা উপগ্রহ অমনি হায়বা য়াই। জ্যোতিষশাস্ত্র খগোলবিদ্যাগী মতুংইন্না হায়রুরবদি আকাশতা তাউরিবা গ্রহ উপগ্রহ, নক্ষত্র তারাশিং অসিগী মনুংদা পৃথিবী অসিদি থোয়দিং মথায়মুক্ত চাউবা লৈরীক্ অমনি হায়বস্থ য়াই। থা য়োনা কারুরবা মীনা পৃথিবী অসিদা হস্তনা য়েংলকপা মতমদা, ঐথোয়না ঐখোয়গী পৃথিবীসিদগী পীক্লবা থরাম্মীচাক্ অমা উবগুম উই। পৃথিবী অসিদা লৈরিবা তাইবংমী ঐথোয়গুম্বদি লায়বু লায়রদুনা থাদ জীব লৈতে হায়রি অসিদগী হেল্ল.না অতৈ গ্রহ উপগ্রহশিংদা জীব লৈবা লৈতত্রা হায়বসি থিনরি, থিনগদৌরি। অস্নুম্না থিনদৌরিবা জ্ঞানী বৈজ্ঞানিক জ্যোতিষশাস্ত্রগী মহাপণ্ডিতশিং থোয়দিং মথায়মুক্ত চাউরবা পৃথিবী কৌবা লৈরীক্ অসিদা পোক্পা ভাক্তনি। মাসি খল্লুবদা অঙকৃপা, হয়াউবা, মুংঙাইবা, ঈশা ঈশাবু থাগচ্চনীংবা পোক্লোইদৌবা মী অমা লৈতে। হৌজিক হৌজিক বৃহস্পতি মঙ্গলনচিংবা গ্রহশিং অসিদা জীব লৈয়বস্থ লৈরিবশিং অদুনা ঐথোয়না খল্লিবা, তৌরিবা, থিরিবসিগুম্‌না মখোয়স্থ— ঐথোয়গী পৃথিবী অসিগী তম্বু থিগে, চংলূগে, য়েংলূগে হায়না খল্লিগত্রা ? তৌবগীদি শুক্র, বৃহস্পতি, ধ্রুব, বশিষ্ঠ অসিনচিংবসি পৃথিবীসিদ লৈয়স্বা মহাজ্ঞানীমক্তনি। হৌজিক ভাওবা গ্রহগী মশক লৌদুনা নোংমদোম্বক্ত লৈম্বিবনি, হায়নৈ। অদুবু মখোয়দা জীব শেম্মনবগী বৈজ্ঞানিকশক্তি লৈত্রবরা ? পীক্লবা উপগ্রহ পৃথিবী অসিদা লৈরিবা মী কৌবশিং অসিনদি বিজ্ঞানগী পাম্বৈনা গ্রহ উপগ্রহশিং অসিদা য়োগদবগী হোৎনম্নি। ওম্বস্থ ওয়রক্লি। অদুনদি— অস্নুম্ খঙ্গিল্লুবদা পৃথিবীদা পোক্লরিবা জীব ঐথোয়সে য়াম্না লাইবক ফবনি। তাইবংমী ঐথোয়গী মনুংদা কনা কনাগুম্বনা গ্রহ উপগ্রহ অমগী রাদি লায়য়দুনা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিদা লৈরিবা অচচ্চত্ত জীব পূম্মকীদমক্তা রাবিবা য়াওরি। বিশ্ব পুম্বগী শান্তি, হায়বগী

ধর্ম্মঃ নিঃশ্রেণিমাস্থায় কিঞ্চিৎ কিঞ্চিৎ সমারুহ। কোষকারবদাত্মানং বেষ্টয়ন্নানুবুধ্যসে ॥১৫॥
নাস্তিকং ভিন্নমর্য্যাদং কূলপাতমিব স্থিতম্। বামতঃ কুরু বিশ্রব্ধো নরং বেণুমিবোদ্ধৃতম্ ॥১৬॥
কামং ক্রোধং চ মৃত্যুং চ পঞ্চেন্দ্রিয়জলাং নদীম্। নাবং ধৃতিময়ীং কৃত্বা জন্মদুর্গাণি সংতর ॥১৭॥
মৃত্যুনাভ্যাহতে লোকে জরয়া পরিপীড়িতে। অমোঘাসু পতন্তীষু ধর্ম্মপোতেন সংতর ॥১৮॥

নহাক ধর্ম্মগী মশক ওইরবা সিড়ি মথক অসিদা মথং মথং কাথৎখিনবা হোৎনৌ। নহাক্তি হৌজিক অঙাংনিনা কত্রং-তীল্না মতম থর থরা শাজিল্লকুনা মশা মশামথন্তবু কাজিন্ পুনশিঙ্গরকপচুগুম্না নং নশানা নশাবু নোং নোংমগী কাজিঙ্গরি। মাসি নহাক নোংমতা খন্দে ॥১৫॥

মশানা নাস্তিক ওইরবা ঈশ্বরবু থাজদ্রবা, ধর্ম্মগী মানমর্য্যাদাবু থুগাইরবা, তোর্ব্বানবু নমথাইদুনা, কীন্থহন্দুনা হেন্‌বা ঈশিংগী শাফু কল্লবা ঈচেলগুম্বা, অদুগুম্বা কল্লবা মীশক অদুবু মরু ময়া য়াওনা ফুক্-তোকপ্রবা য়াশাংগী মতৌগুম্না থাদোকপদা করিমতা চিংনগন্নু। অদুগুম্ব' মীশক অদুবু থাদোকপদা পুক্নীংদা করিমতা চিংনবা তৌদনা থুংঙ্গা থাদোকউ ॥১৬॥

অপাম্বা, অশাইবা, মৃত্যু (শিবা) অদুগা ইন্দ্রিয় মঙাগী মশক ওইরবা ঈশিংনা থল্লা লৈরবী বিষয়া-সক্তি (বিষয়দা চঙশিল্লিবী) গী মশক ওইবী তুরেল অদুবু নহাক্না সাত্ত্বিক বুদ্ধিগী মশক ওইরবা হি-থক্তা তোংদুনা লাস্থোক্লবা তৌ। অদুম তৌরবদি— পোকপশিংবগী মশক ওইরবা খুদোংথীবা মফমশিংদা তম্মুক লাক্লবোই ॥১৭॥

সংসারদা লৈরিবা অচেতন্ত জীব পুম্নমক অসে মৃত্যু হায়বদুনা মীকূপ খুদিংগী থাজিল্ ফুজিল্লকপদুনা বৃদ্ধাবস্থা য়ৌরকপা অসিদা হকচাং অসি পোং থোরকুনা লু-তোং পুম্বা হীকৃথরকুনা শোন্থরকপনি। অদুগা অহিংশিং অসিনা জীবপানবা খুদিংনক্কী পুনশিবু শিক্লি শিক্লি লৌশিল্লকুনা মাদুঙনা মখোংগী মহৈ য়ান্‌বা ওইনা থঙ্গদুনা মতম লেপ্পরি। অদুনা নহাক্না ধর্ম্মগী মশক ওইবী হিদা তোংদুনা তইবং ঈপাক অসি

বিশ্বশান্তি থিবিরি। খাইদগী পীক্লবা পৃথিবীসিদা মুমিৎ থা থরাম্মচাক্লচিংবসিগী তত্ত্ব শিরি। অসিগুম্বী কর্ম্ম ভূমিগী পৃথিবীসিদা পোক্লগা কর্ম্মভূমিসিংক্কী মহত্ববু খংহৌগে, মমল য়াম্লবা মপোক অসিগী তত্ত্ব থিহৌগে হায়না শ্রেখোয় মীওইবা অয়াম্বনা হোৎনরি। ব্রহ্মামরু ব্রহ্মলোক থাদোক্লুতা নরনারায়ণগী খুবম অমদি অনীগী হায়বদি—জীব ব্রহ্মগী তত্ত্ব থিবা লাক্পসি বদরিকাশ্রমদনি। বদরিকাশ্রম হায়রিবসি পীক্লবা পৃথিবী অসিগী মনুংদনি। পুরাণগী য়ারীশিংনসু অসি ঙাক্তনি। বৈকুণ্ঠনাথ বিষ্ণুনা সত্ত্ব রজ তমগী করিগুম্বা লীলা (কর্ম্ম) অমতং তৌরমদাইদা কর্ম্মভূমি পৃথিবীসিদা হেক্তা লেণ্ডথরকই। "তদাত্মানং সৃজাম্যহম্" হায়রিবসি অতৈদা নত্তে, পৃথিবী অসিদনি। মাসি পুম্নমক খল্লুমবদি পৃথিবীসিদা মী ওইনা পোক্লরিবা অসি তত্নাই-তম্নাইবা থবক নত্তে।

(কালাচাঁদ)

তিষ্ঠন্তং চ শয়ানং চ মৃত্যুরন্বেষতে যদা। নির্বৃত্তিং লভতে কস্মাদকস্মান্মৃত্যুনাশিতঃ ॥১৯॥
সঞ্চিন্বানকমেবৈনং কামানামবিতৃপ্তকম্। বৃকীবোরণমাসাদ্য মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি ॥২০॥

লাম্লোক্লবা তৌ ॥১৮॥ * নংনা তুমহন্না লৈরিঙৈদস্ন, হৌগংতুনা লৈরিঙৈদস্ন মৃত্যু হায়রবীহুনা নংবু চপ-তুনা পুখিগদবগী লুমহুনা কোয়িন্ ইহুনা লৈরিবনি। অসুম ভৌহুনা মৃত্যু কৌবী হিংচাবী'সনা নহাকপু মথয়াত্তা লংশিন্নুনা চাথোকখিগদবগী নতুংদা অহিংদা কোহিন্ ইহুনা লৈরি। মাসিদা নহাক্লা নীঙভায়বা লৈতনা করিস্ন থোশাদনা লৈথোক্লিবসি করিগীনো? ॥ ৯॥

তাইবং মীওইবনা, বাইবং জীবনা সুমিৎখুদিং বিষয়ভোক তৌরি, সম্পত্তি কয়া তাল্লি। পেন্না কৌব-তদি মরৈখিদ্রে। অহুম্বা পেন্দবা লৈরিঙৈহুদা, অহুগা পেন্নবগী মখল মথা চথরিঙৈদা, কৈনা থাও হামেং-মচাবু লুশনদা লাক্লুনা পুখিবা— চাথোকখিবহুগুম্না, মৃত্যুনা তাইবংজীববু নংরোন্দগী চঙ্লিন্নকুনা মাগী খয়াত্তা লংশিল্লি ॥২০॥

* সুমিৎ খুদিংগী তোঙান্ তোঙাম্বা মথেল মহাউগী অচা অথক্ত চাহুনা থকুনা লৈরি। মরূপ মপাং, সুংশিনবা মমা মপা, মচা মশুশিংনা পুম্নকোয় কোয়শিন্নুনা পুক্নীং তেকখৎনা নোয় পেন্নুনা লৈরিহুসিমত্তদা ইন্দ্রিয়শক্তিন অসুম্ শোম্বরক্লিবা, লু তোং উন্শানচিংবনা অসুম পথরক্লিবা, হীকথরক্লিবসিনা করিগীনো? মাসি খন্নকম অমনি; অহবু কনামতনা খন্নদে। হৌজিক হায়রিবা — চাব-থকপগী হেদো চরাও কাবগী থবক অসি তৌরিঙৈদা মাহু শক্লুনা শংদে। সুমিৎখুদিংগী তত্তনা ফুজিন্নরুবদা হুকচাংনা পোংথোরকপা, শিথরকপা হায়বসি হৌনশানি। চেক্ পোকপা ভুমিত্তগী ফঁরক্লিবনি। অহুনা হুকচাংদা খোঙ খুত্তা ঈ চহুওকপনি, শিথ পওথরকনি। ফুরিবসিদি কনানো হায়বা কনা অমতনস্ন খন্নদে। মরমদি — য়াম্না কন্ন ফুরকপদা চৈনা থাঙবা ঙমদহুনা— কপতুনা লাউহুনা খিগংতুনা লৈরিঙৈহুদা অক্লবা মী অসি কনানো? করিগীনো? হায়বা খনবা শংদবা, খনবা নংহৌদবা অহুননি। ফুরিবা মীশকসি অতৈ কনস্ন— মৃত্যু কৌবী অহুনি। মৃত্যু কৌবী মীহাংপী ওসিনা— ফুকম চাদনা ফুরুবদগীস্ন কনা কনাঙনা মৃত্যুগী খুৎথা অহুক্তা মথরায় থাবস্ন য়াওদ্রি। সুমিৎখুদিং অসুম থর থরা ফুবকপহুনা চহী মরিফু মরিফুতর গী অহুম্বাইগী অবস্থা যৌরকপদা— হুকচাং পুম্নমক অসি পুমতেক্ তেকখিহুনা কেওখৎ থাঙৎপা কাওবা ঙমদনা কপ্লাক্ থাংবা য়াদহুনা - ঙমদহুনা চৈশু পায়হুনা চংলকলি। মাসি মৃত্যুনা ফুরকপদগীনি। সুংশিন্নবা মচা অহুবু মৃত্যুনা পুখিবদা— শিরবদা, মমা মপা ওইবশিং অহুনা— চোংলি, লাউরি, কপলি, য়াম্বরি। মাহুস্ন মৃত্যুনা ফুবদগীনি। কপ লাউবা, নোক থেবহুনা কায়নবা ভিন্নবগী চৈনা অহুনা হুকচাং অসি নোংম নোংমগী শোম্বহল্লিবা অসি মৃত্যু হায়রবীহুনা— মানা হয়েং পুবদা খন্না য়াংনা থোক্লনবা হোৎনজবনি। অহুমা— সুমিৎখুদিং মৃত্যুতগা লোয়নরিবনি।

(কালাচাঁদ)

ক্রমশঃ সংচিতশিখো ধর্ম্মবুদ্ধিময়ো মহান্। অন্ধকারে প্রবেষ্টব্যং দীপো যত্নেনধার্য্যতাম্ ॥২১॥
সম্পতন্দেহজালানি কদাচিদিহ মানুষে। ব্রাহ্মণ্যং লভতে জন্তুস্তং পুত্রপরিপালয় ॥২২॥
ব্রাহ্মণস্য তু দেহোঽয়ং ন কামার্থায় জায়তে। ইহ ক্লেশায় তপসে প্রেত্যত্বনুপমং সুখম্ ॥২৩॥
ব্রাহ্মণাম্বহুভির্ব্বাপ্যতে তপোভিস্তল্লব্ধানরতিপরেণ খেলিতব্যম্।
স্বাধ্যায়ে তপসি দমে চ নিত্যযুক্তঃ ক্ষেমার্থী কুশলপরঃ সদা যতস্ব ॥২৪॥
অব্যক্তপ্রকৃতিরয়ং কলাশরীরঃ সূক্ষ্মাত্মাক্ষণত্রুটিশোনিমেষরোমা।
ঋত্বাস্যঃ সমবলশুক্লকৃষ্ণনেত্রো মাসাঙ্গোদ্রবতিবয়োহয়ো নরাণাম্ ॥২৫॥

সংসারগী মশক ওইরবা মমবা লোকৃহুংসিদা নহাক্না করিগুম্বা চঙপ্রগদবা মরৈরবদি— ধর্ম্মবুদ্ধিগী মশক ওইরবা মৈরাহু য়ম্না চোকশিন্না পায়য়ু। বুদ্ধিগী মশক ওইরবা মৈরাগী মৈরী অহুম্ব মৃৎথিদবা ঈতৎতত্তনা মৈরী খোক্না চাকুনা লৈগদবনি ॥২১॥

ঈবুঙো! জীব (জীবাত্মা) অসিনা তোঙান্ তোঙান্বা মওং মতৌগী হকচাংদা চংঙকুনা পোক্লরি। মতা চারুবদগী তাইবংমীগী হকচাংদা চঙঙকুনা, অমুকম্বু ব্রাহ্মণগী হকচাংদা চঙঙকুনা পোক্লরি। পোক্লরব-মিনা ব্রাহ্মণগী মথৌ চ চানা তৌ ॥২২॥

ব্রাহ্মণগী হকচাংদা জীবসিনা চঙলক্লিবসে সংসারগী বিষয়ভোগ তৌরুগে হায়বগীদমক্ত নত্তে। জীবনা ব্রাহ্মণগী হকচাং অসিদা চঙঙকপদি অরাবা খুদোংথীবা কয়া থাঙহুমা তপস্যা তৌরুগে হায়বগীদমক্লি। অহুগা শিরবা মতুংদা চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা স্বর্গগী মুংঙাইবা ফংঙুগে হায়বগীদমক্তনি ॥২৩॥

মপোক মতম য়াম্না চঙনা তপস্যা তৌরবা তুংদা ব্রাহ্মণ ওইবগী হক্যাং অসিবু জীব অসিমা ফংঙ-রিবনি। ফংঙমদবসিবু ফংলগা অরেম্বা বিষয়গী ভোগ-বিলাসদা মাঙহন্‌বা শীজিন্নবা চুমদে। মরম অহুনা নহাক্না নশাগী মঙ্গল ওইবা, য়াইফববু পাম্নবদি— মঙ্গল পীনহৈবা, ধর্ম্মগী মরম ওইবা, শুভকর্ম্মদা পুক্নীং চঙু। কোয়চৎ চৎতুনা লৈগদবগী শরুকপুদি স্বাধ্যায় বেশাস্ত্রগী ওত্তবু তম্বা নৈনবা) দা পুক্নীং থিংজিন্নু, মাহু তৌন তৌনা মপুংফানা ব্রহ্মচারী ওইনা ইন্দ্রিয় থুহুম চন্‌গদবনি ॥২৪॥

তাইবং মীওইবগী পুন্‌শিগী মশক লৌরবা শগোল অসি য়াম্না কম্না অহিং মুংথিল থাক্তনা চেল্লি। মহাকী স্বভাব (শাজৎ) অসি অব্যক্ত (ফোঙদোক্তবা— মশক উহন্দবনি)। মীকূপ-নাহুম্নচিংবা··· পীক্ল পীক্লবা মতমগী শরুক্না পুনশি কৌবা শগোল মহাকী হকচাং শাগৎলক্লিবনি। মাগী মশক মওং অসি য়াম্না কূপ্পা পীক্না লৈবনি। মীকূপ নাহুম্নচিংবা কুপ্প কুপ্পবা শরুকশিং অসিনা পুনশি (আয়ু) কৌবা শগোল মহাকী তু অমমম্নি। ঋতুশিং অসিনা মহাকী চীল্‌নি। মপাঙ্গল চপ মান্নবা শুক্লপক্ষ কৃষ্ণপক্ষ অমীনা মহাক্কী মীৎ অনীনি। থা থা অমমম্না মহাকী হকচাং কায়াৎ অমমম্নি। পুনশি কৌবা শগোল অসি অকিবা ফংনা, শারু কম্না, কনাগুম্বা করিগুম্বা অম্বতনা অথিংবা অপনবা শীঙমদনা, কমা অমতবু হম্না য়েংঙম্‌দনা

তং দৃষ্ট্বা প্রস্তৃতমজস্রমুগ্রবেগং গচ্ছন্তং সততমিহাব্যপেক্ষমানম্।
চক্ষুস্তে যদিন পরপ্রণেতৃনেয়ং ধর্ম্মে তে ভবতু মনঃ পরং নিশাম্য ॥২৬॥
যে চাত্র প্রচলিতধর্ম্মকামবৃত্তাঃ ক্রোশন্তঃ সততমনিষ্ঠসম্প্রযোগাঃ।
ক্লিশ্যন্তঃ পরিগতবেদনাশরীরাবহ্বীভিঃ সভৃশমধর্ম্মকায়নাভিঃ ॥২৭॥
রাজা সদা ধর্ম্মপরঃ শুভাশুভস্যগোপ্তা সমীক্ষ্য সুকৃতিনাং।
বহুবিধমপি চরতি প্রবিশতি সুখমনুপগতং নিরবদ্যঃ দধাতিলোকান্ ॥২৮॥

চেল্লি। মাসিবু উর-খণ্ডকগা নহাক্কী জ্ঞানদৃষ্টি অতুনা করিগুম্বা অতোপ্পা বিষয় অমনা নাকল অমদা ইথ-দোকপা ওম্নরোইদোবা, অদু ওইরবদি— নপূক্লীংদো ধর্ম্মগী মায়গৈরোমতদা চঙশিলহল্লু। অদুগা নহাক নশা-মকসু ধর্ম্মাত্মা ওইবা সাধু সন্তশিং অদুবুসু য়েংঙু॥ ৫—২৬॥ *

ধর্ম্ম কর্ম্মদগী মমায় লৈথোরক্লবা, মহাক্ত থোকপা পঙতৌ ত তৌরবা, মীগী রা-ত ঙাওদুনা, মীগী অশোয়বত্তা থিদুনা নিন্দা তৌবা, মীগী মাঙনবা থবক্তদা হৈনরবা, অদুগুম্বা ফত্তবা মী মহাক অদুদি শিরম্, দাই মতমদা অরাবা চৈনা কয়া থাওদুনা, শিরবা তুংদসু পাপকর্ম্মশিং অদুনা মরম ওইদুনা ফত্তনা দেহদা চঙখিদুনা অরাবা মথল মথা ফংঙুই ॥২৭॥

মতম পুম্বদা ধর্ম্মতদা পূক্লীং চঙবা, খ্বাইদগী হেন্বা, মরক্কী অদুগা রাম্মা হন্থত্রবা প্রজাশিংদুবু মাগী মাগী

* পুন্শিবু শগোলগা প্রমাণ তৌরি। শগোলবু বেদগী লোন্দা (সংস্কৃত লোন্দা) অশ্ব কৌই। শ্ব হায়রবসিগী অর্থদি "হয়েং" হায়রবনি। অদুনা অশ্ব হায়বগী অর্থনি— হয়েং হায়বদু ওইররোইদোবা, হয়েং ফাওবা লৈররোইদোবা হায়বনি। হয়েং ফাওবা, হোয়েল ফাওবা লৈখিনি থন্দুনা— থবক তৌরম্বা, ঙাঙ-লম্বা শক্লম্বা মী কয়া কয়া হয়েং হোরেল ফাওবা, মশানা মশাবু উবা নংহৌদনা চৎনগ্রবনি। চৎত্রিবা মখোয় মশাসু খণ্ডদে- লৈহৌরিবা ঐখোয়সু খণ্ডদে। লৈহৌরিবা ঐখোয়সু মহোয়দৌনা হয়েং হোরেল ফাওবা লৈখিনি হায়না অঙ্গুম্ মখল্লি। পোক্পদগী হৌজিক লৈরিবা পুংকম মীকুপসি ফাওবনি— ঐখোয়গী পুনশি হায়ববু। ঐখোয়গী পুনশিগী অশাংবদি লৈরিবা মীকুপ অসিদগী অতোপ্পা মথং মীকুপ, মথং অমদু ফাওবরা··· হায়বসি কনা অমত্তনা হায়বা ঙম্বা নত্তে। চৎত্রিবা শিত্রিবশিং অসি হোরেল ফাওবা লৈখিনি হায়না থল্লম্বা ঙাক্তনি। লৈহৌরিবা ঐখোয়সু অদুম্না থন্দুনা মরৈরি। জগত্তা খ্বাইদগী ওক্পদি মাসিনি। পুনশিগী মশক ওইরবা শগোল অসি হৌজিক মুংশিংকী মমাং থাদুনা চেল্লি। রাম্মা কয়, য়াম্মা থুনা উরু-রু রু— লৈরবদি চক্র (চাকা) অদু থুনা লৈশিনখিবদগী— উংখিবদগী ঈরৈ লৈদবা মকম অমত্তদা লৈবা ওইনা উই। ওসাই উখিবা ঈশক অসি হৌজিক উরিবা অসিগা ঈহোং হোংদম্বগুম উরিবসি, পুনশিগী মীকুপ নাহুমশিং অসিনা য়াম্মা হোংমন্থিবদগী— ঈহোং হোংদমৃগুম ঈকয় কায়দবগুম্ উবনি। অদুনা, পুনশিগী ঈচেম্মা মহেল্লে খ্বাইদগী কম য়াঙনা চেন্বসি। (কালাচাঁদ)

শ্বানোষ্ট্রীবৃকাশ্চ অযোমুখানি বয়াংসি বলগৃধ্রকুলপক্ষিণাং চ সংঘা।
নরকদনেরুধিরপাগুরুবচনন্নুদমুপরতং বিশসন্তি ॥২৯॥
মর্য্যাদানিযতাঃ স্বয়ম্ভুবা য ইহেমাঃ প্রভিন্নস্ত্রিদশগুণা মনোঽনুগত্বাৎ।
নিবসন্তি ভৃশমসুখং পিতৃবিষয়বিপিনমবগাহ্য স পাপঃ ॥৩০॥
যো লুব্ধঃ সুভৃশং প্রিয়ানৃতশ্চ মনুষ্যঃ সততনিকৃতিবঞ্চনাভিবতিঃ স্যাৎ।
উপনিধিভিরসুখকৃৎস পরমনিরয়গো ভৃশমসুখমনুভবতি দুষ্কৃতকর্ম্মা ॥৩১॥
উষ্ণাং বৈতরণীং মহানদীমবগাঢ়োঽসি পত্রবনভিন্নগাত্রঃ।
পরশুবনশয়ো নিপতিতো বসতি চ মহানিরয়ে ভৃশার্ত্তঃ ॥৩২॥
মহা পদানি কত্থসে ন চাপ্য বেক্ষসে পরম্। চিরস্য মৃত্যুকারিকামনাগতং ন বুধ্যসে ॥৩৩॥

গুণ দোষ অদুগী মতুংইন্না, য়ায়, কুপ্ন বিচার তৌহনা শেন্নরিবা রায়ক্ র তেম্লিবা নিংথৌ অদুদি, পুণ্য চেল্লবা পুণ্যাত্মা ওইরবা, মহাত্মাশিংহনা ফংলিবা পুণ্যধাম অদুদা চৎথি। অদুগা মশামক্না মশাগী মঙ্গল ওইননবগী দমক্তা শুভফল-ত তৌরবদি অচম্বা অমনা ফংগুমদ্রবা, দোষ করিমতা লৈতবা, মুংঙাইবা অদুব লায়না ফংবা ওম্মি ॥২৮॥

ওঝা গুরুগী পাউতাক য়াথং লৌদবা, মী মহাক অদুদি শিরবা তুংদা, নরকতা চৎখিহনা (তাথিহনা) অকিবগী মশক পুরবা, থৌরবা হূই, মচীন্ য়োৎ-শাবা চাউরবা উচেক্, কাক লাঙজানচিংথা হিংসা তৌগম্বা উচেকশিংগী মকমদগী অত্যাচার (ওৎপ নৈব) কয়া কয়া ফংঙি। মখোয় মখোয়গী থৌরবা ময়ানা মচীন্না, খুজীন্না, নরক তারবশিংহুগী হকচাং কায়াৎ পুম্বা চীকৃথৎলি, থিনগাই. নোয়হৎলি ॥২৯॥

শাস্ত্রগী বিধি য়াথং ঙাক্তনা মানা থোকপতা তৌবা, স্বায়ম্ভুমনুনা কক্তুনা থমপ্রবা ধর্ম্মগী নীতি মর্য্যাদা তরা অদুগী পন্‌বু থদংপা পাপী অদুদি পিতৃলোককী অসিপত্রবন (মনা অমমম্‌না থাঙশাং অমমম্‌গী মতৌঙম্না থৌরবা শাংলবা উপাম্বীতনা থল্লবা বন— উমং) দা চঙথি লৈখিহুবা অন্নাবা খুদোংথীবা কয়া কয়া ফংঙি ॥৩০॥

য়াম্না কা হেন্না পামশিন্‌বা, অরানবা চুমদবা থবক্তা পুক্নীং চঙবা, প্রেম তৌরুবা, মুমিংচুপ্না নমথাক লৌনমগী রাঙাও ঙাঙবা, মীঙোন্দা য়াম্না ঠক (থোক) ঠাক তৌবা, ওস্নোক ওস্নোকপা নত্তবা ঙাক্ত তৌশিন্‌বিহুনা হায়জিনবিহুনা মীশিংদা য়াম্না অরাবা পীবা— অত্যাচার তৌবা, অদুগুম্বা পাপচেল্লবা মখোয়শিংহুদি নরকতা অরাবা মথল মথল ফংঙি ॥৩১॥

পাক্ চাউরবী বৈতরণীগী শারবা ঈশিংদা চুপ চুপ লুপ্না তাই। যমপুরগী অসিপত্রবনদা মশা অত্ত ঈহং নাইহং শানা হোগায় থিনগাই। পরশুবনদা (শীংজংগী বনদা) হীপ্পি তুম্মি। অসুম তৌহুনা যমপুরদগী মহানরকতা তাহুনা ওমথৈ লৈতনা অরাবা কয়া কয়া নংবা তাই। তমথীরবা মকম অদুদা ঈরৈ লৈনীংদমা নমহুনা লৈবা তাই ॥৩২॥ ব্রহ্মলোক জীবলোক অসিনচিংবগী অচৌ অচৌবা রা (রাজাউ) কয়াদি

প্রয়ায়তাং কিমাস্যতে সমুত্থিতং মহৎভয়ম্। অতি প্রমাথি দারুণং দুঃখস্য সন্নিধীয়তাম্ ॥৩৪॥
পুরা মৃতঃ প্রণীয়তে যমস্য রাজশাসনাৎ। ত্বমন্তকায় দারুণৈঃ প্রযত্নমার্জবে কুরু ॥৩৫॥
পুরা সমূলবান্ধবং প্রভুর্হরত্য দুঃখবিদ্। তবেহ জীবিতং যমো ন চাস্তি তস্য বরাকঃ ॥৩৬॥
পুরাভি বাতি মারুতো যমস্য যঃ পুরঃসরঃ। পুরৈক এব নীয়সে কুরুষ্বসাম্পরায়িকম্ ॥৩৭॥
পুরা স হি ক এবতে প্রবাতি মারুতোহন্তকঃ। পুরা চ বিভ্রমন্তি তে দিশো মহাভয়াগমে ॥৩৮॥
শ্রুতিশ্চ সংনিরুদ্ধ্যতে পুরা তবেহ পুত্রক। সমাকুলস্য গচ্ছতঃ সমাধিমুত্তমং কুরু ॥৩৯॥
শুভাশুভে পুরাকৃতে প্রমাদকমবিপ্লুতে। স্মরন্ পুরা ন তপ্যসে নিধৎস্বকেবলং নিধিম্ ॥৪০॥

নহাক্না ভাঙলি। ভাঙবদগী হেন্না অথোইবা খুভমচুদি নহাক্না উত্রি। মতুংদা মৃত্যু (শিবা) হায়বী অমু লাক্লে হায়বগী খুঙহনবা বৃদ্ধাবস্থাংগী মরমদদি নহাক্ন থোইনা খল্লুত্রি উরুত্রি ॥৩৩॥

ইবুঙো। নং করিগী তুমিন্না কমচুনা লৈরি? হৌগংলু চেষ্টোকউ, নহাক্কী থম্মোই হকচাংবু নৈহৎপা শাথিনা অকিবা কংলবা থোদোক্ কয়া নথক্তা তারক্লে, তারক্লি। অদুনা থুনা য়াংনা চেষ্টোকহৌ, অকিঅথং করিমতা খঙঙমদবা পরমপদ (অথোইবা মফম) অমু থিহৌ ॥৩ ॥

শিরবা তুংদা নহাকপু যমরাজগী রাজততশিংনা নিংথৌ মাগী মফমদা পুশিনগদবা মরেরে। পুশিন্ত্রিদৈ অসিদা, লৌথুপ লৌকোই লৈতনা পুক্চেল শেংনা, ধর্ম্মগী আচরণ শেংনা তৌহৌ ॥৩৫॥

যমরাজদি পুন্নমক্কী মপুনি। জাতি বিজাতি খায়বা মঙোন্দা লৈতে। কনানা চৈনা কংখিবা, কনানা মুংঙাইবা কংখিবা··· মহাক করিমতা নাচুংবিদে। নহাক্কী শাগৈ মাতৈ মরূপ মপাং পুন্নমকপু মহাক্না পুত্থনা চৎখিগনি। মহাকপু কনা অমতসা থিংবা ঙাকথোকপা ঙম্মোই। মহাক অদুনা লাকৃত্রিদৌদা নশা বন্ননবা হোৎনজহৌ ॥৩৬॥

যমরাজগী মাঙ্ থানা চৎকৌরিবা অকিবগী মশক ফঙবা, কালগী মশক ওইরবা নুংশিংনা হুন্নজিল্লাকুনা নংবু চেন্নচুনা মফম অমু তান্না পুত্রদৈগী মমাঙদা, পরলোক (মতুংগী মপোক) তা নুংঙাইবা কংহন্না ধর্ম্মদো নহাক হৌজিক্কী চৎহৌ ॥৩৭॥

নহান্নুক্কী মপোক পূর্ব্বজন্মদা নহাক্কী প্রাণবায়ুবু পুখিবা মহাবায়ু কৌবা শাফু কন্নবা দুংশিং অদো হৌজিক কদাংদা চৎত্রে? মাদো অমুক নহাক্কী মৃত্যুগী মতমদা হুন্মকৃখিগনি। মহাক্না হুন্মকৃত্রিদৌদা— মাঙজৌননা চোকশিলহৌ ॥ ৮॥

ইবুঙো। হয়েং নহাক্না হকচাং অসিবু থাদোকুনা চৎলমদাই মতম অদুদা নহাক্কী শ্রবণশক্তি (তাবগী শক্তি) সু করিমতা লৈত্ররোই। নশাদা কংবা চৈনাথোন্না মপান্দা মীনা ভাঙবা শকৃপা, কপ্প লাউবা অমতা তাত্ররোই। মাদু থোকৃত্রিদৈদা হৌজিক্কা সমাধি তৌহৌ। অমনা ভাঙবা শকপদো করিমতা তাবিদবা খঙবিদবগী যোগসাধনদো তৌহৌ ॥৩৯॥ অহানবদা নহাক্না চোকশিলহৌদবনা হৌরদবা থবক তৌখিবদো

পুরা জরা কলেবরং বিজর্জ্জরী করোতি তে। বলাঙ্গরূপবারিণী নিধৎস্ব কেবলং নিধিম্ ॥৪১॥
পুরা শরীরমন্তকো ভিনত্তি রোগসারথিঃ। প্রসহ্য জীবিতক্ষয়ে তপোমহৎ সমাচর ॥৪২॥
পুরা বৃকা ভয়ঙ্করা মনুষ্যদেহগোচরাঃ। অভিদ্রবন্তি সর্ব্বতো যতস্ব পুণ্যশীলনে ॥৪৩॥
পুরান্ধকারমেককোঽনুপশ্যসি ত্বরস্ব বৈ। পুরা হিরণ্ময়ান্ নগান্ নিরীক্ষসেঽদ্রিমূর্দ্ধনি ॥৪৪॥
পুরা কুসঙ্গতানি তে সুহৃন্মুখাশ শত্রবঃ। বিচালয়ন্তি দর্শনাৎ ঘটস্ব পুত্র যৎপরম্ ॥৪৫॥
ধনস্য যস্য রাজতো ভয়ং ন চাস্তিচোরতঃ। মৃতং চ যন্ন মুঞ্চন্তি সমর্জয়স্ব তৎধনম্ ॥৪৬॥
ন তত্র সংবিযুজ্যতে স্বকর্ম্মভিঃ পরস্পরম্। যদেব যস্য যৌতকং তদেব তত্র সোঽশ্নুতে ॥৪৭॥
পরত্র যেন জীব্যতে তদেব পুত্র দীয়তাম্। ধনং যদক্ষরং ধ্রুবং সমর্জয়স্ব তৎ স্বয়ম্ ॥৪৮॥

মাহুগী নীংশিংলুবগী অমুত্তাপকী মৈনা চাকৃত্রিভৈগী মমাঙদা মাহু কোক্লনবা জ্ঞান অসে তান্‌শিন্‌হো ॥৪০॥

য়েংঙ্, হকচাং, পাঙ্গল, শক মাঙহনবা বৃদ্ধাবস্থা কৌবীনা হুম্বিংখুদিং শিক্লি শিক্লি দংগী হকচাংবু চপ্‌শিল্ খুইজিলহল্লকলি। নোংমদি শিংগুপ শানা থুদেক্লবহিনি, থবক (থৌদোক) অসি থেংকত্রিভৈগী মমাঙদা জ্ঞান পূগৈ থম্না হাপহো ॥৪১॥

রোগ (লায়না) না মাগী সারথি ওইবা অহুগুম্বা কালনা নহাক্কী হকচাংসিবু থিন্‌গাইরখিনি। মাহু থোক্‌ত্রিভৈগী মমাঙদা খুকউ শেল্প তপস্যা তৌহো ॥৪ ॥

তাইবংমীগী হকচাংমুংদা লৈরিবা কাম ক্রোধনচিংবা অসিনা, অকিবগী মশক কংলবা কৈ অমগী মশক ওইনা, হকচাং-শারং মনুংদগী চোংথোরকুনা মাংগৈ মরিদা গুংচুনা শারংসিমকুদা আক্রমন তৌরি। অহুনা আক্রমন অসি লাকত্রিভৈদা পুণ্যকর্ম্মমক্ত তৌতোগদবনি ॥৪৩॥

শিরমদাইগী মতমদা মায়গৈ মরি পুম্নম্ মম্মকপসি নহাক্না অহানবদা উগনি। অহুদগী গুহাক লৈরগা অমম্বচুগী মনুংদা রাং চাউরবা চৈংচুম অমা উগনি। চৈংচুমচুগী মথক্তা সনাগী উপাম্বীমক্ত হৌবা উগনি। তাঞ্জা অহু য়ৌরবদি খুকউ শেল্লো। অকবা রাখল থম্নবা তোংনৌ মশাগী মঙ্গল ওইনবা তৌহো ॥৪৪॥

সংসার অসিদা কত্রবা মীশিংগী সঙ্গ, মপাম্ফোংদনা মরূপ শাবা, মমুং মহুংদনা য়েক্লবা ওইবা, অহুগুম্বা মীশক উরগা, উবক্তা নহাকপু নহাকী নথৌদগী নাম্ফোকহল্লকনি, মাহুদা পুক্লীং চঙহল্লোই। অহুগুম্বা মীশকু উনত্রিভৈগী মমাংদা পুণ্য তান্‌শিনহৌনবা তৌ ॥৪৫॥

নিংথৌনা মংথিনি মুন্‌থিনি হায়নসু রারোইদৌবা, মংথিবা মুন্‌থিবসু গুম্মোইদৌবা, চুরানবনসু চুবা গুম্মোইদৌবা, শিরকাওবদা জীব (জীবাত্মা) ঐগা থানরোইদৌবা অহুগুম্বা ধর্ম্মগী মশক ওইবা লন্‌দো—ঐখোয়না তালহৌগদবনি ॥৪৬॥

নহাক্না তৌশিবা কর্ম্মশিং অহুগী মহৈদি হয়েং পরলোকতা অমগমগা য়েন্নহন্না চামন্নবা থক্ য়ারোই। মকম অহুদদি মাগী মাগী মমমদগী পুরক্‌পা চেঙজেল অহু অমনা অমবু য়েংনদনা থোক্ খোক্লুনা চান্নৈ।

ন যাবদেব পচ্যতে মহাজনস্য যাচকম্। অপক্ব এব যাবকে পুরা বলীয়সেত্বর ॥৪৯॥
ন মাতৃপুত্রবান্ধবা ন সংস্তুতঃ প্রিয়োজনঃ। অনুব্রজন্তি সঙ্কটে ব্রজন্তমেকপাতিনম্ ॥৫০॥
যদেব কর্ম্ম কেবলং পুরাকৃতং শুভাশুভম্। তদেব পুত্র সার্থিকং ভবত্যমুত্র গচ্ছতঃ ॥৫১॥
হিরণ্যরত্নসঞ্চয়া শুভাশুভেন সঞ্চিতাঃ। ন তস্য দেহ সংক্ষয়ে ভবন্তি কার্য্যসাধকাঃ ॥৫২॥
পরত্রগামিকস্য তে কৃতাকৃতস্য কর্ম্মণঃ। ন সাক্ষি আত্মনা সমা নৃণামিহাস্তি কশ্চনঃ ॥৫৩॥
মনুষ্যদেহশূণ্যকং ভবত্যমুত্র গচ্ছতঃ। প্রবিশ্য বুদ্ধিচক্ষুষা প্রদৃশ্যতে সর্ব্বশঃ ॥৫৪॥
ইহাগ্নিসূর্য্যবায়বঃ শরীরমাশ্রিতাস্ত্রয়ঃ। ত এব তস্য সাক্ষিণো ধর্ম্মদক্ষিণঃ ॥৫৫॥

ইবুঙো! পরলোকতা নংগী জীবিকা ওইরুগদবা, পরলোক ফাওবদা কায়দনা লৈরম্নগদবা লন্ অদো তানশিল্লু, দান তৌবা তারবসু মাহু-ত তৌ ॥৪৭—৪৮॥

ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা অতিথিবু পীজনবা হৌরিবা তল অহু হৌবা লোইদ্রিঙৈদা নহাক্কী মৃত্যু হায়বহুদি লাকপা অহুম মম্মারিবনি। অহুনা খুদক্তা জ্ঞানগী মশক ওইরবা লল্ অসি হৌজিক্তগী তানশিন্বা হৌ — কংনবা হোৎনহৌ ॥৪৯॥

পরলোক তাম্মা জীবনা চৎথিবসে কনাসু কনাসু য়াওথিদবনি, মথন্তনি। ঈচীক্ চীরু চৎথিবা মতমহুদা মাতা পিতা, ভাই বোন, বন্ধু বান্ধব, মচীন্ মনাও, ভাই শেল অমতা ইম্মরক্লোই। নংনা লুনা মুংশিনা ভৌরম্বা মরূপ অহু কাওবা ইম্মরকলোই ॥৫০॥

ইবুঙো। পরলোকতা চৎথিবা মতমদা নংগী নতুং ইম্মরকদব হায়ববু অহাম্বদা মমাংঙৈদা নহাক্না তৌথিবা অফ-ফত্ত-কর্ম্মশিং অহুতনি। অতৈ নপা নচা কনামতা লাক্লরোই ॥৫১॥

অফ ফত্ত কর্ম্ম কয়া কয়া তৌহনা কংগ্রিব পৈখৎত্রিবা সনা লুপা মণি মুক্তামপৈশিং অহুদগী মরীক্ অমতনা নংগী নতুং ইম্মকলোই। নংনসু মথোয়বু হম্মক্ত য়েংলম্মোই ॥৫২॥

পরলোক তাম্মা যাত্রা তৌরকপা মতমদা নহাক্না তৌগ্রিবা তৌথিদ্রিবা কর্ম্মশিং অহুগী সাক্ষী ওইহনা নংবু লমজিংলগদৌরিবদি আত্মাগা মান্নবা অতৈ কনামতা লৈতবনি ॥৫৩॥

পরলোকতা চৎপা মতমদা মপোক অসিগী তাইবং হকচাং অসিদি লৈরোইদৌবনি, হায়বদি— হন্-লোক্লমগদৌরবনি। আত্মানা কুপ্লবা মশক উদবমখৈ পীক্লবা হকচাংদা চঙহনা, বুদ্ধি (জ্ঞান) মশক ওইরবা মীৎনা পরলোক অহুদা লোইনা উবা ফংঙি ॥৫৪॥

লোক (ইহলোক— হন্দকী মপোক্ — পোক্লিবা সংসার) অসিদনা— বায়ু (নুংশিৎ), অগ্নি (মৈ), সূর্য্য (নুমিৎ) হায়রিবা অহুম অসিনা জীবাত্মাগী (জীবাত্মানা লৈরিবা) হকচাং অসিদা আশ্রয় লৌহনা লৈ। হায়রিবা দেবতা অহুম অসিনা লোক অসিদা তৌরিবা ধর্ম্মগী আচরণ পুন্নমক য়েংহনা সাক্ষী (মঙং মতৌ মশক তাক্পা) ওইহনা লৈ ॥৫৫॥

অহর্নিশেষু সর্ব্বতঃ স্পৃশৎসু সর্ব্বচারিষু। প্রকাশগূঢবৃত্তিষু স্বধর্ম্মমেব পালয় ॥৫৬॥
অনেক পারিপন্থিকে বিরূপরৌদ্রমক্ষিকে। স্বমেব কর্ম্মরক্ষ্যতাং স্বকর্ম্ম তত্র গচ্ছতি ॥৫৭॥
ন তস্য সংবিভজ্যতে স্বকর্ম্মণা পরস্পরম্ তথা কৃতং স্বকর্ম্মজং তদেব ভুজ্যতে ফলম্ ॥৫৮॥
যথাপ্সরোগণাঃ ফলং সুখং মহর্ষিভিঃ সহ। তথাপ্নুবন্তি কর্ম্মজং বিমান কামগামিনঃ ॥৫৯॥
যথেহ যৎ কৃতং শুভং বিপাপ্মভিঃ কৃতাত্মভিঃ। তদাপ্নুবন্তি মানবাস্তথা বিশুদ্ধ যোনয়ঃ ॥৬০॥
প্রজাপতেঃ সলোকতাং বৃহস্পতেঃ শতক্রতোঃ। ব্রজন্তি তে পরাং গতিং গৃহস্থধর্ম্মসেতুভিঃ ॥৬১॥
সহস্রশোঽপ্যনেকশঃ প্রবক্তুমুৎসহামহে। অবুদ্ধিমোহনং পুনঃ প্রভুর্বিনায় পাবকঃ ॥৬২॥
গতা ত্রিরষ্টবর্ষতা ধ্রুবোঽসি পঞ্চবিংশকঃ। কুরুষ ধর্ম্মসঞ্চয়ং বয়ো হি তেঽতিবর্ত্ততে ॥৬৩॥

দিন (অয়ুক মুংখিলগী শরূক) না পোৎ পুম্নমকপু মযেক লানা ভালহল্লি। উরম্লিবা ভাল্লম্লিবা পোৎ পুম্নমক অত্থবু অত্থক রাত্রি (অহিং) গী শরূক্না লোংতুনা উহন্দনা থম্মি। হায়ম্লিবা দিনরাত্রি অসিদি মফম পুম্নমক্ত শীন্থংনা লৈ। পোৎ পুম্নমকপু থেংনত্থনা শোরুত্থনা লৈ। অহ্না নহাক্না অনীসিগী মতমদা মফম পুম্নমক্তা ধর্ম্মগী আচরণ তৌহ্না লৈয় ॥৫৬॥

পরলোক তাম্ন চংপা মতম অসিনা লম্বীদা লুটপাট তৌবা ভাকু হুরানবা য়ামনা লৈ। চৌকৃপদা নারবা অকিবগী মশক কংলবা চউব চাউরবা কাঙ হযিং যাম্না লৈ। মফম অত্থদা নহাকী সহায় ওইবা কনা অমতা ইম্নরক্তে। নহাক্না তৌথিবা কর্ম্ম অত্থতনা নহাকী খেঙলোয় ওই। অত্থনা হয়েং মতম অত্থদা খোঙলোয় ওইননবা সৎকর্ম্ম ভাক্তা তৌহৌ ॥৫৭॥

অসিদা তৌরম্বা কর্ম্মগী নহাক্না পুত্রিবা মহৈশিং অত্থ মফম অত্থদা কনাগম্থ য়েম্নত্থনা চাবা য়ারোই। য়েম্নবত্থ য়ারোই। মী অমগীস্থ নংনা লৌকবা য়ারোয়। নংনা পুরকপা মহৈ অত্থত নংনা চারুগদবনি ॥৫৮॥

মহর্ষিশিংগা লোয়ননা অপ্সরা মপৈ মপৈনা শান্নত্থনা লৈবত্থগুয়া, পুণ্যাত্মা ওইবশিং অত্থনা বিমানথক্তা তোংত্থনা য়ৌনিং য়ৌনিংবা মফমদা চৎত্থনা লৈ ॥৫৯

পাপকী শরূক য়াওত্রবশিং অত্থনা ইহলোক অসিদা তৌরম্বা কর্ম্মশিংত্থগী মহৈনা জন্মান্তরদা অশেংবা যোনিদা চঙত্থনা পোকনুই ॥৬০॥

গৃহস্থধর্ম্মবু অত্থগা মর্য্যাদাবু নিয়ম বিধি কায়দনা ভাকত্রিবশিংন' প্রজাপতিগী বৃহস্পৃতিগী অত্থগা ইন্দ্র দেবরাজগী অথোইবা লোকপু কংভি ॥৬১॥

ইবুঙো। ঐনা মতোপ্লা লিশিংলক হয়া, অত্থগা অত্থদগীস্থ হেন্না রাসি হংম্নবা ঙম্মি, মাত্থদি— শক্তি পুম্নমক তিম্নবা ধর্ম্মনা মী মহাক্তুগী বুদ্ধিবু ভম্নজবা মহাক অত্থদি অথোইবা পুণ্যচেম্নবা ধা'বু কংভি ॥৬২॥

ইবুঙো! নংগী আয়ু (পুনশি) গী মত্থংদা চহী কুম্মরি হৌখ্রে,। অহ্না মহাক চহী কুনমঙা চংলে। অত্থনা মহাক পুণ্যকর্ম্ম তৌহ্না ধর্ম্ম ভাহ্নিলহৌ। নহাকী পুনশি নোংম নোংমগী হৌজিল্লক্লি ॥৬৩॥

পুন্না করোতি সোঽন্তকঃ প্রমাদগোমুখাং চমূম্। যথা গৃহীতমুত্থিতস্তস্য ধর্ম্মপালনে ॥৬৪॥
যথা ত্বমেব পৃষ্ঠতস্তমগ্রতো গমিষ্যসি। তথা গতিং গমিষ্যতঃ কিমাত্মনা পরেণ বা ॥৬৫॥
যদেকপাতিনাং সতাং ভবত্যমূত্র গচ্ছতাম্। ভয়েষু সাম্পরায়িকং নিধৎস্ব কেবলং নিধিম্ ॥৬৬॥
সকূলমূলবান্ধবং প্রভুর্হরত্যসজ্জবান্। ন সন্তি যস্য বারকা কুরুষ্ব ধর্ম্ম সংনিধিম্ ॥৬৭॥
ইদং নিদর্শনং ময়া তবেম পুত্র সাম্প্রতম্। স্বদর্শনানুমানতঃ প্রবর্ণিতং কুরুষ্ব তৎ ॥৬৮॥
দধাতি যঃ স্বকর্ম্মণা দদাতি যস্য কস্যচিৎ। অবুদ্ধিসহজৈগুণৈঃ সঃ এক এব যুজ্যতে ॥৬৯॥
শ্রুতং সমস্তমশ্নুতে প্রকুর্ব্বতঃ শুভাঃ ক্রিয়াঃ। তদেতদর্থদর্শনং কৃতজ্ঞমর্থসংহিতম্ ॥৭০॥
নিবন্ধনী রজ্জুরেষা যা গ্রামে বসতো রতিঃ। ছিত্ত্বৈতাং সুকৃতো যান্তি নৈনাং ছিন্দন্তি দুষ্কৃতঃ ॥৭১॥

য়েংঙু! নং কয়াদা ভাওরিবা শুম্লাংগ্রবা! শুম্লাংপা অহূসী মনুংদা থুগুনা লৈরিবা কাল্ (মতম) কৌবা মহাক্না নোংম নোংমগী শিক্লি শিক্লি ইন্দ্রিয়শিংগী শক্তিবু লোইশিনখ্রি। শক্তিশিংঙবু পুমলোঁ লৌশিনখিদ্রিবৈদা হায়বদি— ইন্দ্রিয়গী শক্তিশিং অসিনা লৈরিবৈদা থুনা য়াওনা পুণ্যকর্ম্ম তৌগো ॥৬৪॥

পরলোকতা য়ৌরুবা মতমদা মকম অহূদা নঙোন্দা কয়িনা কান্নবা ওইগদবগে হায়বহু সংসক্ত তৌহুনা হংহো। অহুগুম্বা শেংলবা পুণ্যজ্ঞানবু ভান্শিলহো ॥৬৫॥

মহাক্না ভমদবা লৈতবা কাল কৌবা মহাক্কীদি মাগী লুংশিবা মরূপ মপাংসু য়েংথিনকয় কনা অমতা লৈত-বনি। মীচং মীথায় নাইদবনি। পূম্নমকপু মাগী ঈচেন্দা পুথখিগদৌরিবনি। মহাকপু খিংবা কনা অমত্তনা ওম্মোই। মাগী ঈরৈদা তাউথদ্রিবৈদা ধর্ম্ম তানহো ॥৬৬—৬৭॥

ঈবুঙো! ঐনা ঐগী শাস্ত্রজ্ঞান অহুমামগী মতুংইন্না নঙোন্দা পাউতাক ময়ামসি পীরবনি। মাসিগী মতুংইন্না থবক তৌ ॥৬৮॥

মশাগী অকবা কর্ম্মনা ধর্ম্ম কায়দনা চংলিবা, নিষ্কামভাবতা মশাগী ওইজবা, মিংচৎ কংবনাচিংবগী য়াখল থাদোক্তনা দান তৌরিবা মী মহাক অহুদি মগাক মথক্তনা মোহ (শুম্লাংপ) গী শরূক য়াওদ্রবী বুদ্ধি-ভমা পীরকপা গুণশিং কংবা ওম্মি ॥৬৯॥

শাস্ত্র পুম্নমকী জ্ঞান ফংলবা, জ্ঞান অহুগী মতুংইন্না থবক তৌরিবা মীশিং অহুগী দময়া পাউতাক মরাম অসে— ইরম্লিবনি পীরম্লিবনি। মরমদি— তৌবিমল খভবা কৃতজ্ঞ ওইবা মীদা ভাকপা জ্ঞানদি মহৈ য়ান্দবা থক্ লৈতে ॥৭০॥

গ্রাম— নগরদা লৈহুনা মকম অহুদা লৈরিবা পোৎ চৈ, কমুং কাকুং, অচা অথক্ অহুমা লুংভাইহুনা হৈনহুনা লৈগ্রবদি, মাহুনা মী অহুদা মহাবন্ধন অমা ওই। হৈনরিবা পোৎচেশিং অহুনা মহাক্ মশাবু কাজিজনবা থৌরী অমা ওইথি। মরম অহুনা পুণ্যচেন্নবা মীনা মাহুবু ককপংহুনা অফবা লোকতা চংথি। পাপচেন্নবা মীনা থৌরীহুবু ককপা ঙম্মদে ॥৭১॥

কিং তে ধনেন কিং বন্ধুভিস্তে কিং তে পুত্রৈঃ পুত্রক যো মরিষ্যসি।
আত্মানমন্বিচ্ছ গুহাং প্রবিষ্টং পিতামহাস্তে ক্ব গতাশ্চ সর্ব্বে ॥৭২॥

শ্বঃ কার্য্যমদ্য কুর্ব্বীত পূর্ব্বাহ্ণে চাপরাহ্ণিকম্। ন হি প্রতীক্ষতে মৃত্যুঃ কৃতং বাস্য ন বা কৃতম্ ॥৭৩॥

অনুগম্য বিনাশান্তে নিবর্ত্তন্তে হ বান্ধবাঃ। অগ্নৌ প্রক্ষিপ্য পুরুষং জ্ঞাতয়ঃ সুহৃদস্তথা ॥৭৪॥

নাস্তিকান্ নিরনুক্রোশান্ নরান্ পাপমতে স্থিতান্। বামতঃ কুরু বিস্রব্ধং পরং প্রেপ্সুরতন্দ্রিতঃ ॥৭৫॥

এবমভ্যাহতে লোকে কালেনোপনিপীড়িতে। সুমহদ্ধৈর্য্যমালম্ব্য ধর্ম্মং সর্ব্বাত্মনা কুরু ॥৭৬॥

অথেমং দর্শনোপায়ং সম্যগ্ যো বেত্তি মানবঃ। সম্যক্ স্বধর্ম্মং কৃত্বেহ পরত্র সুখমশ্নুতে ॥৭৭॥

ন দেহভেদে মরণং বিজানতাং ন চ প্রণাশঃ স্বনুপালিতে পথি।
ধর্ম্মং হি যো বর্দ্ধয়তে স পণ্ডিতো য এব ধর্ম্মাচ্চ্যবতে সমুহ্যতি ॥৭৮॥

ইবুঙো। নহাক্কী নোংমদি মৃত্যুদো শোয়দনা মরাক্লগদবন। অদুনদি লন্ থুম বন্ধু বান্ধব ময়ামনা নঙোন্দা কৈদোনগদোরিবনো? মরম অদুনা থম্মোয় গুফা মনুংদা আত্মাগী তত্ত্ব অদুবু নহাক মুন্ন থিহো। খন্নু নহাক্কী মমাংঙৈগী নবুধৌশিং অদো কদায় চংখ্রে? ॥৭২॥ *

হয়েং তৌগে খন্বা থবক্তো ঙসিমক তৌথোকউ। মুমিংমুংবা তুংদা তৌগে হায়না খন্বদো, মুমিং মুংগ্রিঙৈদা তৌথোকউ। অশিবা (মৃত্যু) কৌবা লাইহুনা লোইরে লোইদ্রি হায়বা খক্ য়েংবিরোই ॥৭৩॥

মৃত্যুনা অমুম পুরকপদা, মোংকম কাওবদি শাগৈ নাতে মরূপ-মপাংনা ইরবিরকনি। ইররক্লিবা মথোন্দা নহাক্কী হকচাংবু মৈথক্তা লংশিল্লগা হন্নমক্ত য়েংলম্দনা চংথিনি— হন্থিগনি ॥৭৪॥

অদুনা, ইবুঙো! অসিগুম্বা থৌদোক অসি খোক্ত্রিঙৈগী অতন্বা পুন্বা থাদোক্তুনা, নাস্তিক ওইবা, থৌজাল য়াওদবা, পাপকী য়াথঙ্ত খন্বা মীভাশিং অদুবু চিংনবা লৈতনা খুদক্তা থাদোকউ। অসিগুম্বা মী-মতা অসিগা কাউথিবদগী ওইরবস্রু তিন্নরুগনু ॥৭৫॥

মতৌ অসুম্না জগৎকী অচচ্চত্ত পুম্বসে, কাল কৌবা মহাক্কী মখুত্তা চৈনা কংহুনা লৈরবনি। অদুনা, নহাক্তি য়াম্না তপথনা, জ্ঞান তানা থাওহৈবগ লোয়নননা ধর্ম্মতগী থবক তৌহুনা লৈয়ু ॥৭৬॥

পরমাত্মাবু সাক্ষাৎকার তৌননবগী (সংসংনা উননবগী) উপায় অসিবু খঙলবা অদুগুম্বা মী অদুদি— ইহলোক অসিদা ধর্ম্মগী মরম ওইবা পুণ্যকর্ম্ম থিবিকপু পাঙথোক্লগনা পরলোকতা (মতুংগী মপোক্তা) সুখশান্তিবু ফংগনি ॥৭৭॥

হকচাংসিনা মাঙখ্রবা কাওবদা মৃত্যু (শিবা) হায়বদুদি মাঙবা নৈতে, ধর্ম্ম কায়দনা চংলিবা মীশিংদুস্তু

---

* শম্না হায়রবদা তাইবং মীওইবা ওইনা পোকপসে করিগুম্বা অম্বা থিগে লাকপনি। মাদু থিবা কংভম্বদি পোক্লগরোইরোইবনি। আত্মাগী তত্ত্ববু থিবা, থিবতা নম্বনা কংবা লাকপনি। ভাঙলিবা শক্তিবা অসি কায়াদো, হায়বা ঈশ্বর খঙবনা, ঈশ্বর ফংদনা হন্না হন্না অসুম পোক্লরিবসিনি। (কালাচাঁদ)

প্রযুক্তয়োঃ কর্ম্মপথি স্বকর্ম্মনোঃ ফলং প্রযোক্তালভতে যথা কৃতম্।
নিহীনকর্ম্মা নিরয়ং প্র ন্থতে ত্রিবিষ্টপং গচ্ছতি ধর্ম্মপারগঃ ॥৭৯॥
সোপানভূতং স্বর্গস্য মানুষ্যং প্রাপ্য দুর্লভম্। তথাত্মানং সমাদধ্যাৎ ভ্রশ্যতে ন পুনর্যথা ॥৮০॥
যস্য নোৎক্রামতি মতিঃ স্বর্গমার্গানুসারিণী। তমাহুঃ পুণ্যকর্ম্মানমশোচ্যং পুত্রবান্ধবৈঃ ॥৮১॥
যস্য নোপহতাবুদ্ধিনিশ্চয়ে হ্যবলম্বতে। স্বর্গে কৃতাবকাশস্য নাস্তি তস্য মহদ্ভয়ম্ ॥৮২॥
তপোবনেষু যে জাতা স্তত্রৈব নিধনং গতাঃ। তেষামল্পতরো ধর্ম্মঃ কামভোগানজানতাম্ ॥৮৩॥

মৃত্যুগী মতুং ফাওবদা মাওবা লৈতে হায়না খঙলিবা মখোয়দো বুদ্ধিমান্ কৌই— অশিংবা ভাকনি ॥৭৮॥

কর্ম্মগী মার্গ (লম্বী) দা চংলক । মতমদা তৌগি তৌখিনা কর্ম্মশিং অদুগী মতুংইন্না লাকপা মহৈশিং অহু তৌখিবা কর্ত্তাদুনা মথং মথং অদুম মচংঙকই। অতোপ্পা কর্ম্ম তৌবশিংনা নরক (লৈথা তাবা মপোক) তা, অদুগা ধর্ম্ম থোকপা অপোইবা কর্ম্মতৌবশিং অদুনা তাফা অপুন্ য়াওদবা মপোক (স্বর্গ) দা অদুম চৎখি (পোকখি) ॥৭৯॥

তাঙলবা, পঙনা ফংঙমদ্রবা মীওইবগী মপোক অসি স্বর্গ বাননবা স্না খুবা সিড়ি থাক্ (কৈরাক্) নি। অদুনা থাক্কী মশক ওইরবা মপোক অসি ফংলিবদো স্বর্গদগী অমুক তারক্তনবা খুঙম চেৎনা ধর্মগী খবক তৌহৌগদবনি ॥৮০॥

স্বর্গগী লম্বীদ চংলিবী বুদ্ধি অদুনা ধর্ম্মগী লম্বীদগী থব্ নাইদে কৃবিবা অদুগুম্বী বুদ্ধি অদুবু লোয়রিবা শীজিন্নরিবা মী মহাক অদুবু পুণ্যাত্মা হায়না কৌই। অদুগুম্বা পুণ্যাত্মা ওইবা মী মহাক অদুদি মচা-মশু শিংগী অদুগা শাউগে নাইত, মরুগ ম াঙা শাধনবা শিন্নবগীনমক শাবস্নু গনাবে। মপাক মশা কন্নু মখোয়গী মফমদা খন্ননীঙ্ঘায বাননী পায় ওইদে ॥৮১॥

মী মহাক অদুগী বুদ্ধিনা অমাংবগী শবাক যাদনা, লওদনা চং লেপ্পদুনা মৈবগ্রবদি অদুগুম্বী বুদ্ধি অদুমক্তা মী মহাক অদুগী দমক স্বর্গদা লৈফম লেমথন থাপ্প। অদুনা মতোন্দা নবকফমদা চৎকনি হায়-বগী কিকম কাঁমতা লৈত্রে ॥৮২॥

তপোবনদদি পোকলগা কন্নিস্নু ঙৌতো শৌরমমলা, তপোবন অদুদা কদুম্মক শিপ্রবশিং অদুদি শিন্নিবা মফমনা পাপ য়াওদবা অশেংবা মফম অমা ওইবনা ধর্ম্মগী শবাক ধরনি অদুম মফংঙি। মরমদি— মখোয়দুনা মখোয়গী পুন্শিদা কাম ক্রোধ (অপম্বা, অশাউবা) শচিংবগী মনীন অমতম্নু মখোয়গী থম্মোয়দা কাওখিদে। অদুগা মাহুবু থাদোকপগী অন্নাবা অমতম্নু মখোয়না কখিদে ॥৮৩॥ *

---

* হায়রিবা বাসি যাম্না খন্ননীঙাইদনি। মপুকীদা অপাম্ব, শব্দক মিতৌবগী মমি অম কাওবা তাদে হায়রি। অদুগা শেংলবা মুনি ঋষিশিংগী শেংলচা মফমদা পোক নি, অদুগা মফম অদুদা অদুম শিরনিম্নু হায়রি।

যস্তু ভোগান্ পরিত্যজ্য শরীরেণ তপশ্চরেৎ। ন তেন কিঞ্চিন্ন প্রাপ্তং তন্মে বহুমতং ফলম্ ॥৮৪॥
মাতাপিতৃসহস্রাণি পুত্রদারশতানি চ। অনাগতান্যতীতানি কস্য তে কস্য বা বয়ম্ ॥৮৫॥
অহমেকো ন মে কশ্চিন্নাহমন্যস্য কস্যচিৎ। ন তং পশ্যামি যস্যাহং তন্ন পশ্যামি যো মম ॥৮৬॥
ন তেষাং ভবতা কার্য্যং ন কার্য্যং তব তৈরপি। স্বকৃতৈস্তানি যাতানি ভবাংশ্চৈব গমিষ্যতি ॥৮৭॥
ইহলোকেহি ধনিনাং স্বজনঃ স্বজনায়তে। স্বজনস্তু দরিদ্রাণাং জীবতামপি নশ্যতি ॥৮৮॥

বিষয়ভোগ পুম্নমকপু থাদোক্লুনা, তপোবনদা চংবিহ্নুনা পুক্লীং হকচাং অমতা ওইনা তপস্যা তৌরিবশিং অহুগীদি ফংগ্রিবা পোৎশক অমতা লৈত্রে, লোইনা কংলে। অহুনা তপোবনদা পোক্লগা তপোবনদা করিসু ঈতৌ তৌদনা শিববুদি, বিষয়ভোগ খরা তৌরম্লগা, ইন্দ্রিয় খুত্নম চন্দুনা, পুম্নমক অহুবু থাদোক্লমহুনা তপস্যা তৌবহুগী মহৈনা হেন্‌ফম পোকই হায়বসি ঐগী মতনি ॥৮৪॥

ঈপা ঈমা লিশিং, মপী অঙাং লিশিং লিশিং অহানবগী মপোকশিংদা লৈরবনি। মতুংগী মপোকশিংদসু লিশিং লিশিং অহুম মফংঙক্লগনি। অহুবু ঐখোয় অসি মখোয়হুগী মমুংদা কনানা করি করি ওইখিবগে? মখোয়দনা কনাগীনো? ঐখোয়সিনা কনাগীনো? অহুগা, ঐখোয় অসি করি করি কদায়দ ওইরুগদৌরিবনো হায়বা খঙদে ॥৮৫॥

জগৎতা লৈরিবসে ইথন্তনি, ঐগী কনামতা লৈজদে। ঐসু কনামগী নত্তে। ঐসে মাগীদমক্তনি হায়না লেঙদনা লৈবা মীশক্তুবুসু ঐনা খক্ উদ্রি। অহুগা, মহাক্না লৈরিবসি ঐগীদমক্তনি, অতৈগী নত্তে, হায়বা মীশক্তুবুসু ঐনা খক্ উদ্রি ॥৮৬॥

নংগীনি হায়হুনা লৈরিবা মাগীদমক্তা নংনসু করিমত তৌবা ঙমদে। নংবু মাগীনি হায়হুনা লৈরিবা মহাক্নসু নংগীদমক্ত করিগুম্বা অমতা তৌবা ঙমদে। মখোয়সু মানা মানা তৌরম্বা কর্ম্মহুগী মথাক্ অহুগা লোয়ননা অহুম চংখি। নংসু অহুম্না চংলখিগদবনি ॥৮৭॥

সংসার অসিদা তৌনরিবা লীচৎ হায়ববু ঈনাক্‌খুন্‌বা মী অহুগী মফমদা মহাক্কী শাগে নাইতেশিনা

অহুবু ধর্ম্মগী পুণ্যগী শরুক্ পানদি ফংঙ, লোইনদি ফংদে, হাম্বরিবসি সিংনফম্ অমা ওইনা থোকই। লৈখোমদা পুখরুম্নগা চামথোক্পা মীশিংদগী লৈখোম্‌দা ঈচঙ চঙঙ্‌দবা মীশিংহুনা হেন্না হেন্ন লুফম্ থোক্ই। মাসিদা হায়গদবদি মশাগী নোমজমন মন্তুবা, মমা মপা ঈনাক্‌খুন্‌বগী মরম্না নম্রগা মরাইবক ফবদগী থেংনরুবা লম্না পীবা মুংঙাইবগী শরুক্কী মশানা হুমাংতানা নোংজহুনা ফংবা শেল অহুনা পীবা মুংঙাইবগী শরুক্ অহুনা হেল্লি। তপস্যা তৌননবগী মফমতদা পোকলে, অহুগা তপস্যাদি তৌদ্রে। মফম ফবনা চংনদে, অরাবা থাওহৈবা ইন্দ্রিয় খুত্নম চন্দুনা কাম ক্রোধবু যৈথংপা হায়বংমদি মতৌদ্রবনিনা অফবকর্ম্মগী শরুক্ মাংপনা ধর্ম্মগী শরুক্ রাংপনি। নোম্ব-কম্বা মপাগী মরুনবু কেঙকমহুনা থবক ঈতৌ তৌননা কম্ম-চার তৌরুবসি অমরোমদা হায়রবদি মরাইবক থীরবনি। কর্ম্ম তৌ হায়না থাদোকথ্রগা তৌদ্রে। (কালাচাঁদ)

সংচিনোত্যা শুভংকর্ম কলত্রাপেক্ষয়া নরঃ। ততঃ ক্লেশমবাপ্নোতি পরত্রেহ তথৈব চ ॥৮৯॥

পশ্যতি ছিন্নভূতং হি জীবলোকং স্বকর্মণা। তৎ কুরুস্ব তথা পুত্র কৃৎস্নং যৎ সমুদাহৃতম্ ॥৯০॥

তদেতৎ সম্প্রদৃশ্যৈব কর্মভূমিং প্রপশ্যতঃ। শুভান্যাচরিতব্যানি পরলোকমভীপ্সতা ॥৯১॥

মাসর্তুসংজ্ঞাপরিবর্ত্তকেন সূর্য্যাগ্নিনা রাত্রিদিবেন্ধনেন।
স্বকর্মনিষ্ঠাফলসাক্ষিকেন ভূতানি কালঃ পচতি প্রসহ্য ॥৯২॥

ধনেন কিং যন্ন দদাতিনাশ্নুতে বলেন কিং যন্ন রিপুং ন বাধতে।
শ্রুতেন কিং যেন ন ধর্মমাচরেৎ কিমাত্মনা যেন জিতেন্দ্রিয়ো বশী ॥৯৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

ইদং দ্বৈপায়নবচো হিতমুক্তং নিশম্য তু। শুকো গতঃ পরিত্যজ্য পিতরং মোক্ষদৈশিকম্ ॥৯৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
ব্যাস শুক-সংবাদোনাম ষোড়শ ধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১৬॥

— —:ঞ্চ: ---

শাগৈ-নাতৈগী-হৌনবা-লীচৎ অহুম্ মচৎলি। অদুগা — লায়রবা মাগীদি মশা লৈন লৈনা শিত্রিত্তৈদা— মাগী শাগৈ-নাতৈনা, মচা-মশূশিংমক্না, মমাংমক্তদা মাবু থাদোক্তুনা চৎখি ॥৮৮॥

মতু-মচাগী দমক কাওবা থবক কয়াতৌহুনা ফত্তবা মহৈ তানশিল্লি। ফত্তবা মহৈ অহু চাহুনা মশা মথন্তনা কনাম্নু চাবিন্নবা লৈত্তনা ইহলোক পরলোক অনীমক্ত অন্নাবত' থাওলি ॥৮৯॥ তাইবংমী হায়বসিনা মানা মানা তৌবা কর্মহুগী মতুংইন্না জীবজগৎসিবু অবাধগী মপক্ত ওইনা, পুন্‌ঃ'পায় তৌয়না কায়না ওইনা উন্নি। মহুনা— ইবুঙো! নগাক ঐনা হায়রিবসিগী মতু ইন্না থবক তৌ ॥৯০॥ ইহলোক অসে কর্মভূমি (থবক তৌফম) নি। অমুম হায়না খন্দুনা কর্মভূমিসিদা অফব কর্ম চত্তৌনবা চাংনগংবনি ॥৯১॥ কালগী মপক ওইবা চাক্‌থোংবা পুজারীসিনা নমহুনা অচচত্ত জীব পূম্নমক্পু থোংলি। থা ঋতু কৌবশিং মথক্ মথা থোক্ থোক্ ওন্নবা থাবৈ ওইরি। নুমিৎক নৈগনা লৈরংগী মৈ ওইনা চাক্লি। কর্মগী মহৈশিংহুনা, মমীৎনা উবা সাক্ষী ওইবা অহিং নুংথিল শীং ওইহুনা চাক্লি ॥৯২॥ মশানম্নু শীজিন্ননবা, মীওইনশু দান তৌপোক্তবা অংগুম্বা লল্ অহুনা করি কাম্নরি? য়েক্নববু থিংব ঙমদবা অহুগুম্বা অহুগুম্বা শাক্ষা লাইহুনা করি কান্ননি॥ ধর্মগী লম্বীদা নপাবু চিংশিলহন্দবা, মত্তোল লৈরিবা শাস্ত্রজ্ঞান অহুনা করি কান্ননি? ইন্দ্রিয়বু থুহুম চম্বা ঙমদ্রিব অহুগুম্বা জীবাত্মা অহুনম্নু করি কান্ননি? ॥৯৩॥ ভীষ্মনা হায়, — নিংথৌ! ব্যাসনা কান্নবা ৱাশিংসি তাবদা শুকদেব অসি মপা ব্যাসদেববু থাদোক্লমহুনা মোক্ষতত্ত্ব তাক্‌শিগদবা শুকনা মকমা চৎখি ॥৯৭॥

সকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মদা ব্যাস শুক সংবাদগী চতমগা তরাতরুক্‌শুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১৬॥

——:(প):——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(অক-কত্ত থবকৃকী মহৈ অত্তৌবনা ফংবা)

চহুমগা তরাতরেৎশুবা অধ্যায়

—:(০):—

যুধিষ্ঠির উবাচ।

যজন্তি দত্তমিষ্টং বা তপস্তপ্তং তথৈব চ। গুরূণাং বাপি শুশ্রূষা তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

আত্মনানর্থযুক্তেন পাপে নিবিশতে মনঃ। স কর্ম্ম কলুষং কৃত্বা ক্লেশে মহতি ধীয়তে ॥২॥

দুর্ভিক্ষাদেব দুর্ভিক্ষং ক্লেশাৎ ক্লেশং ভয়াৎ ভয়ম্। মৃতেভ্যঃ প্রসৃতা যান্তি দরিদ্রাঃ পাপকর্ম্মিণঃ ॥৩॥

উৎসবাদুৎসবং যান্তি স্বর্গাৎস্বর্গং সুখাৎসুখম্। শ্রদ্দধানাশ্চ দান্তাশ্চ ধনস্থাঃ শুভকারিণঃ ॥৪॥

ব্যালকুঞ্জরদুর্গেষু সর্পচৌরভয়েষু চ। হস্তা বাপেন গচ্ছন্তি নাস্তিকাঃ কিমতঃপরম্ ॥৫॥

প্রিয়দেবাতিথেয়াশ্চ বদান্যাঃ প্রিয়সাধবঃ। ক্ষেম্যমাত্মবতাং মার্গমাস্থিতা হংসদক্ষিণম্ ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধৌ! দান, যজ্ঞ, তপস্যা, গুরুসেবা অসিনচিংবা শুভকর্ম্মশিং অসিগী মীৎনা উবা করিগুম্বা মহৈ লৈরবদি মাহ্ন এঐঙোম্দা তাকপিয়ু ॥ ॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! বুদ্ধি কৌবাসিনা কাম ক্রোধনচিংবগা তিন্নখিদুনা দৈখিবদগী তাইবং মীনা পাপকর্ম্মদা চঙশিল্লকই। মীৎনা উবা লাই হায়ববু অরাবা খুদোংথীবদা তানরিবসে হায়রিবী বুদ্ধি অদুনা ঈহিল্লকপদগীনি ॥২॥

পাপকর্ম্ম তৌবদগী লায়রববা মীশিংনা চাক্ তাঙবদগী হেন্না তাঙবদগী, অরাবদগী হেন্না রাবা অমগী অকিবদগী হেন্না কিবা অমগী লাংদা থুদুনা চেন্থোকফম থঙদনা অশিবগী পাংথক্ ওইদুনা লৈরি ॥৩॥

ভক্তি, শ্রদ্ধা লৈবা, ঈন্দ্রিয় থুদুম চনবা, ধর্মতনা তান্‌বা লন্না ধনবান্ ওইবা, শুভকর্ম্মতা পুক্লীং চঙবা মীশিংনা উৎসবতগী হেন্না উৎসবপু, স্বর্গদগী হেন্না স্বর্গবু, নুংঙাইবদগী হেন্না নুংঙাইববু ফংঙি ॥৪॥

নাস্তিকশিংগী মথুত্তা হাতকড়া চন্দুনা মখোয়বু নিংথৌনা লৈপাক্কগী তান্থোকখি। শা কৈ, লিন থঙবাশুক্রবা বনদা মখোয়না লৈবা তাখি। অসিদগী হেন্না কথা দত্তি অমমুক করি লৈগনি? মাসি মীৎনা উব মহৈনি ॥৫॥

দেবপূজা, অতিথিসেবাদা পুক্লীং চঙবা, অদুগুম্বা পুণ্যাত্মা ওইবা মীশিংনা, মশাগী মেৎথংবা থুংকী

পুলকা ইবধান্যেষু পূত্যণ্ডা ইব পক্ষিষু। তদ্বিধাস্তে মনুষ্যেষু যেষাং ধর্ম্মো ন কারণম্ ॥৭॥
সুশীঘ্রমপি ধাবন্তং বিধানমনুধাবতি। শেতে সহ শয়ানেন যেন যেন কথা কৃতম্ ॥৮॥
উপতিষ্ঠতি তিষ্ঠন্তং গচ্ছন্তমনুগচ্ছতি। করোতি কুর্ব্বতঃ কর্ম চ্ছায়েবানুবিধীয়তে ॥৯॥
যেন যেন যথা যং যৎ পুরা কর্ম্ম সুনিশ্চিতম্। তৎ তদেকতরো ভুঙ্ক্তে নিত্যং বিহিতমাত্মনা ॥১০॥

মতৌগুম্না মহামঙ্গলগী মশক ওইবা, পুক্নিংবু মথা পোলহন্‌বা ভম্বা, যোগীশিংত্তনা ফংগদবা, চংকদবা লম্বী অত্তুদা চংথি ॥৬॥

মহাক্না তৌথোরকপা পুম্বদা, থবক খুদিংগী উদ্দেশ্যবু ধর্ম্মপালনগীদমক্ ওইহন্দুবা, অত্তুগুম্বা মী অত্তুদি— ফৌশিংগী মরক্তা হায়রগা ফোংামগুম্বা, উচেক্‌শিংগীদনা পুম্নবা মরূমগুম্বনি হায়না লৌনৈ ॥৭।

অস্থম্ অস্থম্ ওইবা মী মহাক অত্তুদা তৌক্ত তৌক্তরিবা থবক অত্তুমা মী মীত্তুগী মতুংদা অস্থম্ ই লৈ। থবক তৌরিবা মী মহাক অত্তুনা অংকী মতীক্ কন্না থুনা চেন্নগা, মাগী থবক অস্তু মাগী ম অত্তকী মতীক্ কন্না তাম্নরকই। মহাক্না তুম্থ-হীপথখিবা মতমদা থবকী মচৈ অত্তু— মথা তাদনা তুম্থখি। মহাক্না লেপথৎপা হৌগৎলকপা মতমদা থবক মথাক্ অত্তু অত্তুম্ লেপথৎলকই। মা থাংত্তুনা চৎপা হেক্ হৌবদা, মহাকস্তু অত্তুম্ চৎলকই, ইম্নরকই। অসিতস্তু নত্তি, থবক মথাক্ অত্তু ইম্নরকপত নত্তুনা তৌখ্রিবা থবকী সংস্কার অত্তুস্থ অত্তুম্ ইম্নরকই। সংস্কার অত্তুনা মহাকপু শুকৃথা থাদে মম্নিগী মতৌগুম্না অত্তুম ইম্নরকই ॥৮—৯॥

অত্তুম্ অত্তুম্‌গুম্বা মী মহাক অত্তুনা পূর্ব্বজন্মদা তৌখি তৌখিবা কর্ম্মংগী মহে অদু মহাক মৎত্তুন লোক অসিদা চায় ॥১০॥ *

---

* ওরাং তৌখিবা থবক অত্তুগী মথাক্না ঐগী তুদা ইম্নরক্লিবসি— লৈতৌরিবা থবক মথাক অত্তু না নত্তে। হান্না তৌখিবা মথাক অত্তুগী সংস্কার (হৈনখিবা— চুখিবা) অত্তুস্থ অত্তুম ইম্নরকই। অত্তুনা ইম্নংক্লিবসি— লোইত্রিগা শরূকুগী সংস্কারগা লোইদ্রিবা শরূক অত্তুগা অনী অসিনি। অত্তুনা, লৈহৌরিবা মথাক্ অত্তু তৌররোই হায়না থাদোক্লবস্থ হান্নগী মথাক্কী সংস্কারত্তুমদি অত্তুম্ ইম্নরকই। অত্তুনা সংস্কারত্তুনবু ইম্নরক্লবদি হান্নগী কর্ম্মত্তুনা ঈতৌ তৌখিদবগুম্ ইম্নরকপগা অন্নানি। অত্তুনা কর্ম হায়বসিনা জীববু শুকৃথ থাদোক্তে। কন্নাগী মতীক থাদোক্তুনা তাম্নরকপগে হায়ববু— হয়েংমুক্কী মপোক্তা জীব (জীবাত্মা) সিনা অতোপ্পা হকচাংদা চোঙশিন্‌থ্রবা কাওবা সংস্কারত্তুনা অত্তুম্ মতাম্নরকই। নিংথৌগী মচা ওইত্তুনা অরাং অপা লৈত্তনা পোক্ত্তরবা কাওবদা লায়রবা মচাগুম্না লোক্তী অত্তুম মওইক্লই। পাপী নাস্তিককী পরিবারকা পোক্লুরবস্থ ভক্তিমান্ জ্ঞানবান্ ওইনা অত্তুম্ মপোক্লুই। মাসি সংস্কারন তাম্নরকপ থোকহন্না ভাক্তনি। হান্না তৌখ্রিবা কর্মগী মথাক অত্তু লোইত্রে তৌত্রে হায়নীগুডায় লেতে। মহাক্না সংস্কারগী মশক লৌত্তুনা ঈনৌ নৌনা অমুক্

স্বকর্মফলনিক্ষেপং বিধানপরিরক্ষিতম্। ভূতকালমিমং কালঃ সমন্তাদপকর্ষতি ॥১১॥
অচোদ্যমানানি যথা পুষ্পাণি চ ফলানি চ। স্বং কালং নাতিবর্ত্তন্তে তথা কর্ম পুরা কৃতম্ ॥১২॥
সম্মানশ্চাবমানশ্চ লাভালাভৌ ক্ষয়োদয়ৌ। প্রবৃত্তা বিনিবর্ত্তন্তে বিধানান্তে পদে পদে ॥১৩॥
আত্মনা বিহিতং দুঃখমাত্মনা বিহিতং সুখম্। গর্ভশয্যামুপাদায় ভুজ্যতে পৌর্ব্বদেহিকম্ ॥১৪॥

হায়রিবা বর্মগী ফল হায়বসিদি অংরোমদা হায়রগা অমনা তৌবা য়াত্রবা, পেবা যম্ অতুগা মপা-মপুগী লৌরী ইংখোলগুম্বনি। মাসিদি শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না অমনা তৌবা য়াত্রবা পোৎশক অমত্তম্ ভাক শেন্দুনা থম্থ্রবনি। চপ চপ চাবা মতমদা হেক্ হেক্ লাকপদা কর্মফল হায়বসিনা জীব পান্বা কর্ত্তা—(কর্ম তৌবা) শিং অতুবু হেক্ হেক্ চিংদুনা পুথি ॥১॥

মনা মপাল মহৈন বনা অমতগী ইথ্রিন্বা য়াওদনা মতম মতমতু ওইরগা উপাম্বী অতুগী মহন্ মথন্ত চোংথোকচরক্পা অতুগুম্না মমাংউদা তৌখিবা বর্মশিং অতুসু মহৈ চানববগী মতম অহুবু লাম্থোক্তুনা চৎথিবা ঙমদে ॥২॥

চোম্না-লেম্না, মাঙবা তোংবা, চাওখংপা-হন্থবা অসিনচিংবা অবস্থাশিং অসি পুর্ব্বজন্মদা তৌখিবা কর্মতুগী মতুংইন্না তাইবংমীগী পুন্শিদ থোঙপাং থুদিংগী অংম্ মরাকই। অতুগা কর্মশিং অতুনা কল্লকপা মতমতুগী মতুংইন্না অংম মরোইশিন্থি ॥৩॥

অরাবা হায়বসি মী মহাক অতুনা তৌখিবা পাপকর্ম্মগী মহৈনি। নুংঙাইবা হায়বসিনা পুর্ব্বজন্মদা তৌখিবা পুণ্যকর্ম্মগী মহৈনি জীব হায়বসিনা মমাগী গর্ভপুক্দা হেক্ চেংঙক্পদুংগী; অহানবগী হকচাংদা লৈরিঙৈ মতমদা তৌখিবা কর্ম্মতুগী মহৈ চাবা অংম্মক্ মতৌথ্রবনি ॥১৪॥ *

মরাক্ই মাসি পুন্নমক অসি কর্ম্মগী মহৈ পাংদুনা তৌখিবা অতুনা থোকহন্বা ঙাক্তনি। সকাম-কর্ম্মমথৈ—অনন্তান, লোইবা থম্বা নাইবা নত্তে। নিষ্কাম-কর্ম্মদ মপান্গী কর্ম্মদদা জীববু তামসিক ওইবা দেহদা পুশিন্থি। ঈপা ঈচানা সাত্ত্বিককর্ম্ম তৌরগা ঐনা তামসিককর্ম্ম তৌরবদি মখোয়না সাত্ত্বিকদেহদা অহুম্ চঙথিগনি। ঐনা তামসিক ওইবা মপোক্তা অংম্ পোকউগনি। সংসারদা মপা মচা হায়দুন লৈনরিবসি কররিসু মরম লৈনবা নত্তে, মরী থেক্নবা নত্তে। মরী মতা থোক্নবা, মরাপ-মপাং থোক্নবদি লাম্ররহুনা য়ুম থঙদুরবদি থেক্নবাঙাক্তনি। মপানা মচাবু রাজসিক তামসিক বর্ম-ত তৌননবা ঈথিল্লি। য়ুম অমদা হন্দকী মপোক্ মতম থংদং অসিদা কৈমিন্নরিঙৈসিদা জীব অমগী মাঙননবা মপোক য়াম্নবা শীদৈ। (কালাচাঁদ)

* জীবনা থা শুরবা মমাগী গর্ভপুংদা লৈদুনসু মহাক্না গর্ভপুংদুদগী থোরকে হায়বা হেক্ য়াব নত্তে। মমা অহুদা অরা-অনা কররিমতা থোক্হন্দনা অফবা শুভলগ্নদ, শুভনক্ষত্রদা, শুভগ্রহনা উচ্চস্থানদা ভুজী ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা পোকপা জীব কয়া য়াওরি। অরা অনা কয়া থাওহুমো যত্রবা লগ্ন, নক্ষত্র··· দা পোকপসু

বালো যুবা বা বৃদ্ধশ্চ যৎ করোতি শুভাশুভম্ । তস্যাং তস্যামবস্থায়াং ভুঙ্‌ক্তে জন্মনি জন্মনি ॥১৫॥
যথা ধেনুসহস্রেষু বৎসো বিন্দতি মাতরম্ । তথা পূর্ব্বকৃতং কর্ম্ম কর্ত্তারমনুগচ্ছতি ॥১৬॥
মলিনং তথা বস্ত্রং পশ্চাচ্ছুধ্যতি বারিণা । উপবাসৈ প্রতপ্তানাং দীর্ঘং সুখমনন্তকম্ ॥১৭॥
দীর্ঘকালেন তপসা সেবিতেন মহাবনে । ধর্ম্মনির্ধূতপাপানাং সংসিধ্যন্তে মনোরথাঃ ॥ ৮॥
শকুনানামিবাকাশে মৎস্যানামিব চোদকে । পদং যথা ন দৃশ্যেত তথা পুণ্যকৃতাং গতিঃ ॥১৯॥
অলমন্যৈরুপালম্ভৈঃ কীর্ত্তিতৈশ্চ ব্যতিক্রমৈঃ পেশলং চানুরূপং চ কর্ত্তব্যং হিতমাত্মনঃ ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
ধর্ম্মমূলিকো-নাম সপ্তদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১৭॥

——:(+):——

অঙাং থওদে, পাখং থওদে, অহল থওদে মা মানা তৌরিবা, তৌথ্রিবা অফ ফত্ত কর্ম্মগী মহৈ অহু মপোক্ মপোক্ত অহুম্ মকংখি ॥ ১৫॥ মগী কায়নরবা শঙ্গা‌শনা শঙ্গী লিশিং লক্ষাগী মরক্তা চেনশিন্দুনা মমাগী মনাক্তা, মমাগা লৈরবহুওরা মশানা তৌখিবা কর্ম্মহুগী মহৈস্থ কর্ম্মকর্ত্তা মযাম পুন্নমক অহু হাইদোক্লহনা অতৌবা মী (কর্ত্তা) অহুগী নাক্ত চত্তশিল্লি ॥ ১৬॥

মোংলবা ফীবু শুদোক্লগা অমুক তরু তরুবহুওরা— উপবাস তপস্যানচিংখনা থম্মোয় তরু তরুরবা মী অহুতনা ওমখৈ লৈতবা মুংভাইবা কংত্তি ॥ ১৭॥

রাখল চাউরবা নিংথৌ ! মতম চঙনা তৌরকপা তপস্যানা অহুগা ধর্ম্মগী নিয়ম বিধিবু চপচানা চংতুনা মশাদগী পাপ পুন্নমক চামপোকপ্রবা মী মগাক অহুদি মাগী কর্ম্ম পুন্নমক্তা মহৈয়ান্‌বা কংত্তি, — মহাক্কী কর্ম্ম পুন্নমক সিদ্ধ ওই ॥ ১৮॥

নোংমলোম্বক্তা পাইবা উচেকশিংগী অহুগা ঈশিংদা তাউরিবা (চা-রিব) ঙাশিংগী খোঙকম্ উদবা অহুওরা— পুণ্যাত্মা ওইবা মীশিংগী গতি (খোঙ৫ং) দি কনামতনা থওবা ওমদে ॥১৯॥

কনাগুম্বা অমগী মকমদা চীয়োল তৌশিন্‌বা, অতোপ্পশিংগী মরালবু অস্থম্ ঙাওনবা, মাসিনা করি অমত্তা কাল্লবা লৈতে । য়েংবদগু ফজবা, কান্‌গু কাল্লবা অমগা, মশামকত্ত হেক্ চ়নবা অহুওবা থবক্ অহু-ত্ত তৌগদবনি ॥২০॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, ধর্ম্মমূলিক কৌবা চহুমগাতরাতরেংশুবা অধ্যায় লোইয়ে ॥৩১৭॥

——:(+):——

য়াওরি । গর্ভগুংদা ঈ-মতুম্ ওইনা মাঙখিবা শিখিবসু য়াওরি । মাসি মাগী পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা কর্ম্মশিং অহুগী মহৈ ঙাক্কনি । (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাদশাধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শ্রীব্যাসনা মচা ফংননবগী তপস্যা তৌবা)

চহুমগা তরানিপানশুবা অধ্যায়

——:(ঞ):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং ব্যাসস্য ধর্ম্মাত্মা শুকো জজ্ঞে মহাতপাঃ। সিদ্ধিং চ পরমাং প্রাপ্তস্তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

কস্যাং চোৎপাদয়মাস শুকং ব্যাসস্তপোধনঃ। ন হ্যস্য জননীং বিদ্ম জন্ম চাগ্র্যং মহাত্মনঃ ॥২॥

কথং চ বালস্য সতঃ সূক্ষ্মজ্ঞানে গতা মতিঃ। যথা নান্যস্য লোকেঽস্মিন্ দ্বিতীয়স্যেহ কস্যচিৎ ॥৩॥

এতদিচ্ছাম্যহং শ্রোতুং বিস্তরেণ মহামতে। ন হি মে তৃপ্তিরস্তীহ শৃণ্বতোঽমৃতমুত্তমম্ ॥৪॥

মাহাত্ম্যমাত্মযোগং চ বিজ্ঞানং চ শুকস্য হ। যথাবদানুপূর্ব্ব্যেণ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

ন হায়নৈর্ন পলিতৈর্ন বিত্তৈর্ন চ বন্ধুভিঃ। ঋষয়শ্চক্রিরে ধর্ম্মং যোঽনূচানঃ স নো মহান্ ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধৌ! ব্যাসগী মচা ওইনা মহাতপস্বী ধর্ম্মাত্মা শুকদেবনা করম হায়না পোক্‌-খ্রিবনো? অদুগা মহাত্মা মতৌ করম্না অথেইবা সিদ্ধিবু ফংখিবগে? মাসি ঐঙোন্দা অমুক্তা তাকপিয়ু ॥১॥

তপস্যাতনা মরল্ ওইরবা ব্যাসদেবনা নুপী কনাগী পর্ভদগী মচা শুকদেববু পোকহন্‌খিবগে? মহাত্মা ওইরবা শুকদেবগী মাতাগী মমিং অসি ঐখোয়না খোইদোকপা তাবা লৈতে। শুকদেবজীনা পোকখিবগী মতম্ দু ঐখোয়না কনাগুম্ অমগী মচানদগী তাবা লৈখিদ্রে ॥২॥

হেক্ পোকপদগী অঙাং ওইরিঙৈদগী শুকদেবজীনা মহাজ্ঞানী ওইখ্রিবসি কদায়দা করম হায়না ওই-খ্রিবনো? মহাত্মা কুপ্নবা জ্ঞান অসি কদায়দগী ফংঙুরিবনো? সংসার অসিদা শুকদেবগুম্না জ্ঞানী ওই-রিবসি কনা অমত্তা য়াওখিদ্রে ॥৩॥

মহাজ্ঞানী ওইরবা ঈবুধৌ! মাসিগী মতাং অসি ঐ য়াম্না তাজনীংঙি। ঈবুধৌগী চীন্দগী অমৃতগা মান্নবা কথাশিং অসি তাবদা ঐগী অপেন্‌বা হায়বদু লৈখিদ্রে ॥৪॥

ঈবুধৌ! ঈবুধৌনা চাম্বিহুনা শুকদেবজীগী জন্মকথা মাহাত্ম্য আত্মযোগ অদুগা বিজ্ঞান অসিনচিংবসি মিয়ম্ কাইদনা মথং মথং অমুক্তা হায়বিবিকউ ॥৫॥ ভীষ্মনা হায়,— চহী য়াম্না য়ামশিন্নকুনা অহল ওইরগা

তপোমূলমিদং সর্ব্বং যন্মাং পৃচ্ছসি পাণ্ডব। তদিন্দ্রিয়াণি সংযম্য তপো ভবতি নান্যথা ॥৭॥
ইন্দ্রিয়াণাং প্রসঙ্গেন দোষমৃচ্ছত্য সংশয়ম্। সংনিয়ম্য তু তান্যেব সিদ্ধিমাপ্নোতি মানবঃ ॥৮॥
অশ্বমেধসহস্রস্য বাজপেয়শতস্য চ। যোগস্য কলয়া তাত ব তুল্যং বিদ্যতে ফলম্ ॥৯॥
অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি জন্মযোগফলং তথা। শুকস্যাগ্র্যাং গতিঞ্চৈব দুর্বিদামকৃতাত্মভিঃ ॥১০॥
মেরুশৃঙ্গে কিল পুরা কর্ণিকারবনাযুতে। বিজহার মহাদেবো ভীমৈর্ভূতগণৈর্বৃতঃ ॥১১॥
শৈলরাজসুতা চৈব দেবী তত্রাভবৎ পুরা। তত্র দিব্যং তপস্তেপে কৃষ্ণদ্বৈপায়নস্তথা ॥১২॥
যোগেনাত্মানমাবিশ্য যোগধর্মপরায়ণঃ। ধারয়ন্ স তপস্তেপে পুত্রার্থং কুরুসত্তম ॥১৩॥
অগ্নের্ভূমেরপাং বায়োরন্তরিক্ষস্য বা বিভো। ধৈর্য্যেণ সম্মিতঃ পুত্রো মম ভূয়াদিতি স্ম হ ॥১৪॥

কোক্কী শম্ পুম্বা পোক্ ওইরক্লবদা, লন্ থুম্না য়াম্না হেন্গৎলক্লগা শাগৈ-নাতৈ, মরূপ মাংগী মশীং য়াম্না হেন্গৎলক্লবদা, কনাগুম্বা অমত্তবু অচৌবনি হায়না খক্ খল্দে। ঋষিশিংনা অসিগুম্বা নিয়ম অমা লেপ্লহনা থমম্রে, মাত্তদি— বেদশাস্ত্রগী পাণ্ডিত্যকপু প্রবচন তৌবা ওম্বা, ব্যাখ্যা তৌবা ওম্বা অদুত্তবু অচৌবনি, থ্বাই-দগী ঊকায়-থুরক্পি হায়বসি ঋষিশিংনা য়ানপ্রবা রাকম অমনি ॥৬॥

পাণ্ডুনন্দন যুধিষ্ঠির! নংনা হংলিবা রাকম অদুগী মরূদি— তপস্যাগী মহৈগী রানি। ইন্দ্রিয়শিংবু থুংনম চল্লবত্তদা তপস্যাগী সিদ্ধি ওইরিবনি, অতৈ অমনা নত্তে ॥৭॥

ইন্দ্রিয়বু থুংনম চন্বা ওমদবদগী দোষ মখল মখলবু তাইবংমীন ফংতি। ইন্দ্রিয়শিংবু থুংনম মখাদা থম্বা ওন্নগতদা থবক পুম্বগী সিদ্ধি ওইবিবনি ॥৮॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! অশ্বমেধযজ্ঞ অঙগা বাজপেয়যজ্ঞ লিশিং অমা তৌবগী মহৈং অদুনা যোগগী মহৈগী শরুক তরাতরুক থোকপগী শরুক অমা ফাওবা যংবা ওন্দা নত্তে ॥৯॥

নিংথৌ! ঐ গৌত্তিক শুকদেবগী জন্মবথা, যোগসাধনগী মহৈ, অদুগা ইন্দ্রিয় থুংনম নেবা লম্চৎশিংনদি খল্লুবা রানা থোক্লগদবা থাজরহোইদৌবা শুকদেবনা ফংখিবা ওথোইবা খুভমগী রারীত্ত লৌরগে ॥১০॥

মনাংঙৈগা নোংমা — কর্ণিকার কৌবা লৈপাক্নীশিংগী বননা লৈতেং ওইরবা মেরুচিঙগী চিঙদোন্দা, ভগবান্ শঙ্কর মহাদেবনা, অকিবগী মশক ফংলবা ভূত-প্রেতকা লোয়ননা হরাও তয়াম্না শান্নরম্মি ॥১১॥

মখোয়দুগী মরক্তা গিরিরাজনন্দিনী পার্ব্বতীসু য়াওরম্মী। মতম অদু,— শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাসসু চিঙ অদুগী মফম অমদা য়াম্না কন্না তপস্যা তৌদুনা লৈ ॥১২॥

কুরুশাংগগী অথোইবা! যোগধর্ম্মদা পুক্নীং চঙলবা ব্যাসনা, যোগগী পাঙ্গলনা, মশাগী পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়বু পরমাত্মা পরমেশ্বরদা চপুংফানা চঙশিন্দুনখিদুনা তপস্যা অদু তৌবা হৌখিবনি। মহাক্কী তপস্যা অদুগী উদ্দেশ্যদি – মচা অমত্তং ফংবা অসিত্তনি ॥১৩॥

"মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈপাক, অন্তরিক্ষগা মান্ননা মহা থাওবা কল্লবা ঈচা অমত্তং ফংবা ওইরসনু…"

সঙ্কল্পেনাথ যোগেন দুষ্প্রাপমকৃতাত্মভিঃ। বরয়ামাস দেবেশমাস্থিত স্তপ উত্তমম্ ॥১৫॥
অতিষ্ঠন্মারুতাহারঃ শতং কিল সমাঃ প্রভুঃ। আরাধয়ন্ মহাদেবং বহুরূপমুমাপতিম্ ॥ ১৬॥
তত্র ব্রহ্মর্ষয়শ্চৈ সর্ব্ব রাজর্ষয় স্তথা। লোকপালাশ্চ লোকেশং সাধ্যাশ্চ বসুভিঃ সহ ॥ ১৭॥
আদিত্যাশ্চৈব রুদ্রাশ্চ দিবাকরনিশাকরৌ। বসবো মরুতশ্চৈ সাগরাঃ সরিতস্তথা ॥১৮॥
অশ্বিনৌ দেবগন্ধর্ব্বাস্তথা নারদপর্ব্বতৌ। বিশ্বাবসুশ্চ গন্ধর্ব্বঃ সিদ্ধাশ্চাপ্সরসস্তথা ॥১৯॥
তত্র রুদ্রো মহাদেবঃ কর্ণিকারময়ীং শুভাম্ ধারয়াণঃ স্রজং ভাতি জ্যোৎস্নামিব নিশাকরঃ ॥২০॥
তস্মিন্ দিব্যে বনে রম্যে দেবদেবর্ষিসংকুলে। আস্থিতঃ পরমং যোগমৃষিঃ পুত্রার্থমচ্যুতঃ ॥২১॥
ন চাস্য হীয়তে প্রাণো ন গ্লানিরুপজায়তে। ত্রয়াণামপি লোকানাং তদদ্ভুতমবাভবৎ ॥২২॥
জটা চ তেজসা তস্য বৈশ্বানরশিখোপমাঃ। প্রজ্বলন্ত্যঃ স্ম দৃশ্যন্তে যুক্তস্যামিতৌজসঃ ॥২৩॥

অমুম হায়না সঙ্কল্প তৌহুনা মহাক্লা ২ল্লবা তপস্যা অসি ভৌবা হৌখিবনি ॥১৪॥

সঙ্কল্প অসিগা লোয়ননা যোগসাধন-তনা তপস্যাদা পূক্ৰং চঙ্গুবা বেদব্যাসনা ইন্দ্রিয় খঙ্হুম চন্নিবশিং, নদি পাক্ ওম্মবোইদৌবা মহাদেবগী সাক্ষাৎকরবু কবা ওমখি। মহাদেবদ বর নিখি ॥১৫॥

তপস্যা অসি তৌবা মতমদা ব্যাসনা চহী চামা চূপ্পা নুংশিৎ-ত চাহুনা বহুরূপী ওইরবা— তোঙাল্ তোঙবা শক্লোন্ কয়া পুঙবা উমাপতি মহাদেবগী আরাধনাদা পূক্ৰং চঙখিবনি ॥১৬॥

মফম অদুদা ব্রহ্মর্ষি পুম্নমক, রাজর্ষিশিং লাইনা লোক পাল মযাম, মাগী মাগী খোঙলোয়শিংগা লোয়-নরবা সাধ্য, আদিত্য, রুদ্র, সূর্য, চন্দ্রমা, বসুদেবতাশিং, মরুৎশিং (নুংশিৎ নীকুমাপন্), সমুদ্র, তুরেলশিং পুম্নমক, অশ্বিনীকুমার অনী, লাইরাম্ থিবিক্, গন্ধর্ব্ব, নারদ, পর্ব্বত, গন্ধর্ব্বনি থৌ বিশ্ববসু, সাধ্য অমদি অপ্সরাশিং ·····, মথোয় অসিসু মফম তেঙান্ তোঙানবদা মহাদেবগী ধ্যান তৌদুনা লৈরম্মি ॥১৭—১৯॥

মফম অদুদা রুদ্রদেব মহাদেবসু কর্ণিকার কৌবা লৈগী পরেং থোম্মুনা মকুত্রবা তৌরুনরবা মশেক্ পুরবা থানা নোংমদোম্বক্তা নীংথিজবগুম্ — বন অদুগী মযুংদা থোইনা নীংথিজখি ॥২০॥

অদুগুম্বা নীংথিজরবা বন অদুগী মযুংদা দেবতা ঋষিশিংনা থন্না লৈরবা মফম অদুদা মচা অমত্তং কংগে হায়না সঙ্কল্প তৌদুনা শ্রীব্যাসদেবনা নীংখিবদুদগী করিমত্তা হন্দনা, করিমত্তা লেঙদনা, অকায়বা হৈলতনা অখণ্ড-তপস্যা তৌদুনা লৈরম্মি। ২১॥

ভূমদ-হীপ্ত-চাদমা মতম কুইনা তপস্যা তৌরকইদি হায়বসু— নুংশাশোয়দা বিকার লাক্পা, অদুগা হকচাংদা চোকথবা শোম্বরা হায়বা করিমত্তা লৈরমদে। ব্যাসগী তপস্যাসু উবদা মরোল অদুমগী মী লাই পুম্নমক পুম্নমক ওকখি ॥২২॥

যোগযুক্ত ওইরবা, হায়নীংঙাই লৈত্রবা তেজনা মাগী ওইরবা, ব্যাসদেবগী জটাশিং অদুনা, মহাক্কী ব্রহ্ম-তেজগী হাইদোরকপা মৈ অদুসু মৈরীথোক্লা চাক্লবা মৈরীশিংগী মতৌগুম্না উনরম্মি ॥২৩॥

মার্কণ্ডেয়োহি ভগবানেতদাখ্যাতবান্ মম। স দেবচরিতানীহ কথয়ামাস মে সদা ॥২৪॥

এতা অদ্যাপি কৃষ্ণস্য তপসা তেন দীপিতাঃ। অগ্নিবর্ণা জটাস্তাত প্রকাশন্তে মহাত্মনঃ ॥২৫॥

এবম্বিধেন তপসা তস্য ভক্ত্যা চ ভারত। মহেশ্বরঃ প্রসন্নাত্মা চকার মনসা মতিম্ ॥২৬॥

উবাচ চৈবং ভগবাং স্ত্র্যম্বকঃ প্রহসন্নিব। এবম্বিধস্তে তনয়ো দ্বৈপায়ন ভবিষ্যতি॥২৭॥

যথা হ্যগ্নির্যথা বায়ুর্যথা ভূমির্যথা জলম্। যথা চ খং তথা শুদ্ধো ভবিতা তে সুতো মহান্ ॥২৮॥

তদ্ভাবভাবী তদ্বুদ্ধিস্তদাত্মা তদপাশ্রয়ঃ। তেজসা বৃত্য লোকাংস্ত্রীন্ যশঃ প্রাপ্স্যতি তে সুতঃ ॥২৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি

ব্যাস-বরপ্রাপ্তির্নাম অষ্টাদশাধিকত্রিশততমোহধ্যায় ॥৩১৮॥

———:(*):———

রাজা অসে ভীষ্ম ঐঙোন্দা মার্কণ্ডেয়ঋষিনা নোংমা তাহন্থিবনি। অদুগা মরক্ মরক্তা ঋষি অদুনা দেবতাশিংগী জীবনচরিত অসি হেক্ হেক্ লীতুনা তাহল্লম্মি ॥২৪॥

ঈবুঙো! মমাংঙৈদা তৌখিবা তপস্যাদুগী মৈ অদুনা হৌজিক ফাওবা ব্যাসগী জটাশিং অসে মৈগী মতৌগুমা পুম্নং লংনা লৈরিবসিনি ॥২৫॥

ভরতবংশদা পোকপা! মহাক্কী অসুবা তপস্যা অমদি ভক্তি অসিবু উবদা, মহাদেবনা মঙোন্দা ওন্থোক্লু পেন্বিরে। ঈবুঙো মহাক্না ব্যাসদা মাগী নীংজরিবা বর অদু পীবিরগে হায়না পুক্নীংদা থন্বিরে ॥২৬॥

ভগবান্ শিবনা ব্যাসগী মাঙদ লেপ্লবিরদুনা মোমাংথোনা নুংঙাইনা হায়রবই,— দ্বৈপায়ন! নহাক্না পাম্লিবা নচাদুমক্ শোয়দনা ফংলগনি, ফংবস্মু ওইসমু ॥২৭॥

মৈনা শেংবগুম্ মতম পুম্বদা, নুংশিংনা মতম পুম্বদা শেংবগুম্।

লৈপাক্না শেংবগুম্ মতম পুম্বদা, ঈশিংনা মতম পুম্বদা শেংবগুম্ ॥

নোংমদোন্থিবাদনা শেংবগুম্ তত্তনা, নংগী নচাদুস্মু ঈশেং-ত শেংগনি।

মাংব-শেংব থেম্নবা মঙোন্দা, লৈরাই ঈশেং-ত শেংগনি ॥২৮॥

শ্রীভগবান্গী রাথল্গী মচুতনা, মাগী থম্মোয় পুম্বা মচু শঙথ্রগনি। মহাক্কী রাথম্না ভগবানলোমতদা মমায় লন্শিনগনি। ভগবান্তবু মহাক্কী চঙজফম্মু থন্গনি মরোল অদুমদা মাগী জ্ঞানগী মশেক্না শীন্থুংনা হাইদোকনি ॥২৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদ শুকদেব উৎপত্তি লৌবা চতুরগা তরানিপাল্গুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১৮॥

———:(*):———

মণিপুরী মহাভারত

একোণবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শুকদেবগী জাতকর্ম্মনচিংবা সংস্কার ময়াম)

চহুমতরামমাপনশুবা অধ্যায়

——:*:——

ভীষ্ম উবাচ।

স লব্ধা পরমং দেবাৎ বরং সত্যবতীসুতঃ। অরণী সহিতে গৃহ্য মমন্থাগ্নিচিকীর্ষয়া ॥১॥
অথ রূপং পরং রাজন্ বিভ্রতীং স্বেন তেজসা। ঘৃতাচীং নামাপ্সরসমপশ্যৎ ভগবানৃষিঃ ॥২॥
ঋষিরপ্সরসং দৃষ্ট্বা সহসা কামমোহিতঃ। অভবৎ ভগবান্ ব্যাসো বনে তস্মিন্ যুধিষ্ঠির ॥৩॥
সা চ দৃষ্ট্বা তদা ব্যাসং কামসংবিগ্নমানসম্। শুকী ভূত্বা মহারাজ ঘৃতাচী সমুপাগমৎ ॥৪॥
স তামপ্সরসং দৃষ্ট্বা রূপেণান্যেন সংবৃতাম্। শরীরজেনানুগতঃ সর্ব্বগাত্রাতিগেন হ ॥৫॥
স তু ধৈর্যেণ মহতা নিগৃহ্নন্ হৃচ্ছয়ং মুনিঃ। ন শশাক নিয়ন্তুং তৎ ব্যাসঃ প্রবিসৃতং মনঃ ॥৬॥
ভাবিত্বাচ্চৈব ভাবস্য ঘৃতাচ্যা বপুষা হৃতঃ। যত্নান্নিযচ্ছতস্তস্য মুনেরগ্নিচিকীর্ষয়া ॥৭॥

ভীষ্মনা হায়,— মহাদেবগী মফমদগী ফংঙমদ্রবা বর অসি ফংলবদা, নোংমা সত্যবতীগী মচা ব্যাসনা মৈ পুথোক্নবগী অরণীকাষ্ঠ (যজ্ঞগী মৈ পুথোক্নবা মৈবা চিংনবা চৈ) অনী অদু কম্না তক্লরম্মী ॥ ॥

অদুম ৎৌরিঙৈ মতম অদোমফম অদুদা লাকপী ঘৃতাচী হায়না কৌবী অপ্সরা অদু ব্যাসনা হেক্ উই। ঘৃতাচী কৌবী অসি মতম অদুদা পূক্নীং হূননবগী মশক্ ওইরবা শক্লোন অদু পুরম্মি ॥২॥

যুধিষ্ঠির। ঘৃতাচীবু উবদা ভগবান্ ব্যাস অ'স অপাম্.নুংশিনা পুম্ঙাও ভাওখি। ব্যাসগী পূক্নীংদা কাওরিবা ম.থল অদু উবদা ঘৃতাচীনা তেনরা অমগী মশক লৌদুনা ব্যাসগী নাক্তা পাইশিল্লকই। ॥৩—৪॥ অপ্সরা অদুনা অতোপ্পা মওং মূর্ত্তি অমা লৌদুনা লাকপদ উবদা ব্যাসগী মশা পুম্বদা কামনা ঈপোম হৌখি ॥৫॥

ব্যাসনা মশাদগী মপাম্থোরককদোরিবা কাম অদুবু য়াম্না চোকশিন্না থিংদুনা থনম্মি। অদুবু অসুম্ থিংব ঙম্মকত্রে ॥৬॥

থোক্কদোবা থৌদোক হায়বসিমক্তব থিংব য়াব পোৎ নত্তে; শোয়দনা থোক্লিবনি। ব্যাসজী অসি ঘৃতাচীগী মশক-মতৌ, শাৎং-শাদা অদুদা পূমশুম্ শুন্দাংল্লে। মৈ পুথোক্কে হায়দুনা তক্লরিবা অরণী কাষ্ঠ

অরণ্যামেব সহসা তস্য শুক্রমবাপতৎ। সোহবিশঙ্কেন মনসা তথৈব দ্বিজসত্তমঃ ॥৮॥
অরণী মমন্থ ব্রহ্মর্ষি স্তস্যাং জজ্ঞে শুকো নৃপ। শুক্রে নির্মথ্যমানে স শুকো জজ্ঞে মহাতপাঃ ॥৯॥
পরমর্ষির্মহাযোগী অরণীগর্ভ সম্ভবঃ। যথ ধ্বরে সমিদ্ধোঽগ্নির্ভাতি হব্যমদাহৃতম্ ॥১০॥
তথারূপঃ শুকো জজ্ঞে প্রজ্বলন্নিব তেজসা। বিভ্রৎ পিতুশ্চ কৌরব্য রূপবর্ণমনুত্তমম্ ॥১১॥
বভৌ তদা ভাবিতাত্মা বিধূম ইব পাবকঃ। তং গঙ্গাং সরিতাং শ্রেষ্ঠ মেরুপৃষ্ঠে জনেশ্বর ॥১২॥
স্বরূপিণী তদাভেত্য স্নপয়ামাস বারিনা। অন্তরিক্ষাচ্চ কৌরব্য দণ্ডঃ কৃষ্ণাজিনং চ হ ॥১৩॥
পপাত ভূমিং রাজেন্দ্র! শুকস্যার্থে মহাত্মনঃ। জেগীয়তে স্ম গন্ধর্ব ননৃতুশ্চাপ্সরোগণাঃ ॥১৪॥
দেবদুন্দুভয়শ্চৈব প্রবাদ্যন্ত মহাস্বনাঃ বিশ্বাবসুশ্চ গন্ধর্বস্তথা তম্বুরুনারদৌ ॥১৫॥
হাহা হূহূশ্চ গন্ধর্বৌ তুষ্টুবু শুক্রসম্ভবম্। তত্র শক্রপুরগাশ্চ লোকপালাঃ সমাগতাঃ ॥১৬॥
দেবা দেবর্ষয়শ্চৈব তথা ব্রহ্মর্ষয়োঽপি চ দিব্যানি সর্ব্বপুষ্পাণি প্রববর্ষ চ মারুতঃ ॥১৭॥

অনীতুগী মথক্তা ব্যাসগী কাম (বীর্য্য) অদু খক্তৌদনা তাখি ॥৮॥ অদুবু কাংদা ভাওগিদুনা ব্যাসনা অরণী কাষ্ঠ অনী অদু অদুম্ তরুরি। অরণীকাষ্ঠ অনীগী মরক্তগী হৌরক্লিবা মৈতুদগী শুকদেব অসি পোকখি ॥৮॥

অরণীকাষ্ঠ অনীদুনা ব্যাসগী শুক্র (বীর্য্য) অদুবু অদুম্ তুম্ নৈরকপদুদা মহাতপস্বী, মহাযোগী, পরম ঋষি শুকদেব অসি পোকখিবনি। অদুনা শুকদেব অসি অরণীগর্ভ সম্ভবনি ॥৯॥

যজ্ঞগী হবিষ্যবু পুরিবা অগ্নিদেব হুতাশননা মৈরী যংনা চাক্লবগদুগুম্না— শুকদেব অসি মৈরকুদগী পুম্নং লংনা চোংথোরকখি। মশাগী তেজতনা পুমুঙ্লন্ ভানখি ॥১০॥

কুরুনন্দন! নপাবুং পাগুগ মাপ্পরবা, থোইদোক্লা নীংজরবা মশেক্ মওং পুরবা, শুকদেব অসে মৈখু থাংজ্রবা মৈগী মতৌগুম্না পুম্নং লংনা পোক্খদো ॥১১॥

লৈপাক প্রজাগী মপু! মহাক পোকপা মতম আসদা তুরেল পুম্নমক্কী অথোইবী গঙ্গান মশক নাইবী লাইরেম্বী অমা ওইনা মেরুচীঙদগী লাকুনা মশামক্কী শেংলবা ঈশিংনা শুকদেববু স্নান-পাম নচিংবনা পেলহন্খি ॥১২॥

নিংথৌ অথোইবা! মহত্মা শুকদেবগী দমক্তা, নোংমদোস্কক্তগী দণ্ড (চৈগু) অমগা, অমুবা-শজীগী মউন্ মকোন্ অমগা পোংশক অনীসি তারকই ॥১৩॥

গন্ধর্ব্বশিংনা নীংথিরবা খোম্থাং হুরদা ঈশৈ শকখি, অপ্সরাশিংনা জগোই শাখি। দেবতাশিংনা দুন্দুভি পুংজাও হন্না হন্না খীন্খি। বিশ্বাবসু, তুম্বুরু, নারদ অদুগা হাহা-হূহূ গন্ধর্ব্ব মচীম্-মনাও শুকদেবগী মগুণবু শৈশক-শৈরেংনা হন্না হন্না থাগৎখি ॥১৪—১৫॥

ইন্দ্র নচিংবা লোকপাল পুম্নমক্কা অদুগা স্বর্গগী লাইয়ামনা অদুগা দেবতাশিং, দেবর্ষি, ব্রহ্মর্ষি, কয়া কয়ানা… শুকদেবনা পোকপা মফম অদুনা লাক্খি ॥১৬॥ বায়ুদেবতানা লৈ মথল মগলগী মপেনা নো

গজমাজমং চৈব প্রহৃষ্টমভবজ্জগৎ। তং মহাত্মা স্বয়ং প্রীত্যা দেব্যা সহ মহাদ্যুতিঃ॥ ১৮॥
জাতমাত্রং মুনেঃ পুত্রং বিধিনোপানয়ৎ তদা। তস্য দেবেশ্বরঃ শক্রো দিব্যমদ্ভুতদর্শনম্ ॥ ১৯॥
দদৌ কমণ্ডলুং প্রীত্যা দেববাসাংসি বা বিভো। হংসাশ্চ শতপত্রাশ্চ সারসাশ্চ সহস্রশঃ॥২০॥
প্রদক্ষিণমবর্ত্তন্ত শুকাশ্চাষাশ্চ জায়তে। আরণেয়াস্ততো দিব্যং প্রাপ্য জন্ম মহাদ্যুতিঃ॥২ ॥
তত্রৈবোবাস মেধাবী ব্রতচারী সমাহিতঃ। উৎপন্নমাত্রং তং বেদাঃ সরহস্যাঃ সসংগ্রহাঃ॥২২॥
উপতস্থুর্মহারাজ যথাস্য পিতরং তথা। বৃহস্পতিং চ বব্রে স বেদবেদাঙ্গভাষ্যবিৎ॥২৩॥
উপাধ্যায়ং মহারাজ ধর্মমেবানুচিন্তয়ন্। সোঽধীত্য নিখিলাং বেদান্সরহস্যান্সসংগ্রহান্ ॥২৪॥
ইতিহাসং চ কার্ৎস্ন্যেন রাজশাস্ত্রাণি বা বিভো। গুরবে দক্ষিণাং দত্ত্বা সমাবৃত্তো মহামুনিঃ॥২৫॥
উগ্রং তপঃ সমারেভে ব্রহ্মচারী সমাহিতঃ।

ওইনা চুথহন্থি। অচচ্চত্ত জীব পুম্বা থোইদোক্না ভুজুং হরাওখি॥১৭।

তেজ কল্লবা মহাত্মা ওইরবা পুকুচেল চাউরবা, ভগবান্ শঙ্করদেবনা পার্ব্বতীজীগা লোয়ননা লেঙ-ডক্তুনা ব্যাসগী নৌনা পোক্চরিবা মচা অদুগী মথুৎমক্তা উপনয়ন সংস্কার তৌবিখি॥১৮।

নিংথৌ! লাইয়ামগী নিংথৌ ইন্দ্রনা লাইরাক্ননগী ওইবা মঙ্গল্ য়াম্নবা যিরোল্লচিংবা পোচ্চৈ কয়া কয়া অদুগা অঙকপা ফংলবা কমণ্ডলু অমসু দান তৌখি॥ ১৯।

ভরতশাগৌদা পোকপা নিংথৌ! কাংঙ, ৱাইনু, তেনৱা, রাগোং, শতপত্র অসিনচিংবা উচেক লিশিং লিশিং পাইরক্তুনা শুকদেববু য়েৎহেয়ননা কোয়রম্লগা চৎখি— পাইনখি।২০।

অদুগী তুংদা অরণিসম্ভূত (অরণিগী পোকপা) শুকদেবসি চিৎহন্না (ঁওইগী ঃপোক্) অদু যৎদুনা ব্রহ্মচর্য্যগী দীক্ষা তৌদুনা মহম অদা লৈখি। মহাক অসি য়াম্না বুদ্ধিলৈবা, ব্রত তপস্যা কনবা, থম্মোয় পুক্নীংবু ঊপনা থম্বা নিপা অমনি॥২ ॥

মহারাজ! শুকদেব অসি হেক্ পোক্পা তুমিত্তগী অথুপ্পা মরোল্ মরম পুম্ব (রহস্য) গা লোয়ননা স্তায় ব্যাকরণনচিংবা অঙ্গ খিবিক্তা লোয়ননা বেদ পুম্বনা মাগী থম্মোয়দা মাগী সেবা তৌগে হায়বগী মতাওম— লাক্খি। মাবু পোকপা মপা ব্যাসগী মকমদা, বেদ বেদাঙ্গ পুম্বনা লাক্খিবদুগা অদ্মানি॥২২॥

মহারাজ! বেদ বেদাঙ্গ পুম্বগী শন্দোক ব্যাখ্যা তৌবা ওম্বা শুকদেবজীনা ধর্ম্মগী বিচার কায়দনা বৃহস্পতিবু মাগী গুরুদেব ওইনা বোরিখি॥২৩॥

লৈশাঙ্গী মপু যুধিষ্ঠির! মহামুনি শুকদেবনা বৃহস্পতিগী মকমদগী রহস্য (অথুপ্পা— অকুপ্পা) ওইবা মরোল্ খিবিক্তা লোয়ননা অঙ্গ পুম্নমক ম্রাওনা, অদুগা ইতিহাস অমদি রাজশাস্ত্র (রাজনীতি) য়াওনা লৌইনা তম্লদুনা গুরুদক্ষিণা কৎলগা, তুংদা সমাবর্ত্তন সংস্কার তৌরগা মপাগী নাক্তা ময়মদা হল্লকই॥২৪—২৫॥

মহাক্না পুক্নীং অনী লোওদনা ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌদুনা অকিবা ফনা তপস্যা তৌখি। মহাতপস্বী

দেবতানামৃষীণাং চ বালোঽপি সমহাতপাঃ। সম্মন্ত্রনীয়ো মান্যশ্চ জ্ঞানেন তপসা তথা ॥২৬॥
ন তস্য রমতে বুদ্ধিরাশ্রমেষু নরাধিপ। ত্রিষু গার্হস্থ্যমূলেষু মোক্ষধর্ম্মানুদর্শিনঃ ॥২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি শুকদেবোৎপত্তির্নাম ঊনবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩১৯॥

——:(+):——

শুকদেবজী অসি জ্ঞানশক্তি তপস্যাশক্তি অনীনা মরম ওইহনা অঙাংগী অবস্থাদা লৈন লৈনা দেবতা ঋষি পুন্নমক্কী ঈকায় খুম্নকম্ ওইবা. অহুগা মখোয় ময়ামগী লুরবা মৃতমদা ৱা-তান্নফম— মন্ত্রনা তৌকম মীশক্ অমা ওইখি ॥২৬॥

নিংথৌ। শুকদেব অসি মোক্ষধর্ম্মতদা পুক্নীং চঙবা মীশক অমনি। মহাক্কী বুদ্ধি অসি গার্হস্থ্যাশ্রমদা নন্দুনা লৈবা অতৈ আশ্রম অহুমদা মমায় ওঙ্ক্নিন্থিদে, মাহুদা মাগী নুংঙাইবা হৈনিংবা করিমতা লৈতে ॥২৭॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, শুকদেব উৎপত্তি কৌবা চহুমগাতরামাপাল্লগুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩১৯॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

বিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শুকদেবনা মিথিলাদা চৎপা)

চহুমগা কুন্থুবা অধ্যায়

——:(+ : ——

ভীষ্ম উবাচ।

স মোক্ষমনুচিন্ত্যৈব শুকঃ পিতরমভ্যগাৎ। প্রাহাভিবাদ্য চ গুরুং শ্রেয়োঽর্থী বিনয়ান্বিতঃ ॥১॥
মোক্ষধর্ম্মেষু কুশলো ভগবান্ প্রব্রবীতু মে। যথা মে মনসঃ শান্তিঃ পরমা সম্ভবেৎ প্রভো ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! শুকদেব অসি মোক্ষগী মরমদা খন্ন খন্না মপাঙ্গ ওইবা গুরুশ্র ওইবা ব্যাসগী মনাক্তা চৎখি। য়াম্না নোংলুক্না চরণ শোক্না খুরুমহুনা মঙল ওইননবগী থন্দুনা মপা ব্যাসদা অহুন্না হায়রকই ॥ ॥ পিতৃদেব! ঐবু পোকপিবা নহাক্তি মোক্ষধর্ম্মগী তত্ত্ব লোইনা খত্তবিয়রবনি। মোক্ষধর্ম্মতদা

শ্রুত্বা পুত্রস্য তু বচঃ পরমর্ষিরুবাচ তম্। অধীষ্ব পুত্র মোক্ষং বৈ ধর্ম্মাংশ্চ বিবিধানপি ॥৩॥
পিতুর্নিয়োগাজ্জগ্রাহ শুকো ধর্ম্মভৃতাং বরঃ। যোগশাস্ত্রং চ নিখিলং কাপিলং চৈব ভারত ॥৪॥
স তং ব্রাহ্ম্যা শ্রিয়াযুক্তং ব্রহ্মতুল্যপরাক্রমম্। মেনে পুত্রং যদা ব্যাসো মোক্ষধর্ম্মবিশারদম্ ॥৫॥
উবাচ গচ্ছেতি তদা জনকং মিথিলেশ্বরম্। স তে বক্ষ্যতি মোক্ষার্থং নিখিলং মিথিলেশ্বরঃ ॥৬॥
পিতুর্নিয়োগমাদায় জগাম মিথিলাং নৃপ। প্রষ্টুং ধর্ম্মস্য নিষ্ঠাং বৈ মোক্ষস্য চ পরায়ণম্ ॥৭॥
উক্তশ্চ মানুষেণ ত্বং পথা গচ্ছেত্য বিস্মিতঃ। ন প্রভাবেণ গন্তব্যমন্তরিক্ষচরেণ বৈ ॥৮॥

পুন্নীং চঙবিরিবনি। অহুনা, * ঐগী ধম্মোয়দা শান্তি ফংননবা উপদেশ (পাউতাক) অদো পীনবিরো ॥২॥

মচা মহাজ্ঞানী শুকদেবগী না অসি তাবদা; মহর্ষি ব্যাসনা অমুম্না হায়রকই,— ঈবুঙো। শুক। নহাক মোক্ষধর্ম অদু পাম্নবদি,— ধর্ম্মচু-ত নত্তনা ধর্মচুগা মরী লৈনবা অতৈ অতৈ ধর্মগ্রন্থসু তম্খো— নৈনখো ॥৩॥

ভারত! ভরতবংশদা পোকপা! যুধিষ্ঠির! মপা ব্যাসকী য়াথং মতু ইন্না ধর্ম্মাত্মা ওইবা জ্ঞানীশিংগী মমুংদা অথোইবা শ্রীশুকদেবজীনা হেক্ লৈরিবা যোগশাস্ত্র পুম্বা, অদুগা সাংখ্যশাস্ত্র পুম্বা লোইনা তম্খি ॥৪॥

মচা শুকদেবনা মোক্ষধর্ম্মগী তত্ত্ব লোইনা খঙহুনা ব্রহ্মতেজ তনা মশা পুম্বা পুম্নং লংনা লৈবা, অদুগা শাস্ত্র পুম্নমক লৈরিবা তত্ত্ব পুম্বগী গতি (খোঙচৎ) অদু খঙলবা মীশক অমা ওইরকপদু উবদা ব্যাসনা অমুম্না হায়রকই,— ঈবুঙো! চৎলো নহাক মিথিলাগী নিংথৌ জনককী নাক্ তাম্না। মোক্ষশাস্ত্রগী তত্ত্ব পুম্নমক খঙলবা জনক নিংথৌনা মোক্ষগী সিদ্ধান্ত নঙোন্দা হায়রক্নি ॥৫—৬॥

নিংথৌ। মপা ব্যাসগী য়াথং মতুং ইন্না শুকদেবনা মোক্ষধর্ম্মগী মুক্তিমার্গগী সিদ্ধান্ত পুম্বা হংলুগে হায়বগী দমক মিথিলা কোম্নুং তাম্না চংখি ॥৭॥

চৎলমদাই মতমদা ব্যাসনা মচাগী মফমদা করিগুম্বা বিষয় অমগী অঙকপা চিংনবা লৈত্তনা অমুম্না হায়রকই,— ঈবুঙো! নং নশামক জ্ঞানী ওইরবসু, নশানদি নশাবু জ্ঞানীনি হায়না থক্ খল্‌গনু। লমীলা সাধারণ ওইবা মীচম্ অমগুম্না চংকদবনি। নং, যোগশক্তি লৈরে, নশাবু লুত্রাক্‌মুক্ য়াংহন্না নোংদোম্নত্তা

---

* "অহুনা" হায়বগী ভাবতি— "ঐ (আত্মা) বু জগৎ (হকচাং) অসিদা অমুক পোকহন্‌বিরবনিনা, পোকহন্‌বিবগী শক্তিহুনা শিব (মৃত্যু) বু ভিংবদি ওস্বরোইদবনিনা, অদুগা শিবু শিরবদি, অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা, অপোক্পা ঈপা শাবা আত্মা অমনা অমুক পোকহন্‌গদৌবা মরৈরবনিনা, ঐ (আত্মা) বু পোকহন্‌বা নহাক্না পোকপ-শিবগী লাংদগী মুক্ত ওইননবা, মুক্তি ফংননবগী উপায়বু খঙবিরমগনি। লিল্ থাজিন্দুনা চু কাম্বিলহন্নবগী সর্পবিদ্যা হৈবা মীনা, চু অদু লৌথোক্ চিংথোকপিননবগী বিদ্যাসু হৈগদবনি। অদু খঙত্রবদি আত্মা ঐবু অশিবা হকচাংসিদা পোকহল্লিবসি মহাহিংসা অমনি। "অহুনা"— পোকপিরে, করে। হৌজিক্তি লাম্নবা উপায় উপদেশ অদু পীবিরে" হায়বনি। (কালাচাঁদ)

আর্জবেনৈব গন্তব্যং ন সুখান্বেষেক্ষিণা তথা। নান্বেষ্টব্যা বিশষাস্তু বিশেষা হি প্রসঙ্গিনা ॥৭॥

পাইবা ওয়ে হায়রূনসু, আকাশমার্গদা থক্ চৎকনু, * সাধারণনা চৎলিবা মন্বীতুদা অদুম্ চৎখো ॥৮॥

ঈচম্ চম্না, ঈচম্ চম্বা মীশক অমা ওইদুনা চৎখিগদবনি। অনুম চৎখিবদা লম্বীদা হুংঙাইবা মকম

---

* আকাশদা পোকপা লৈবা চৎপা জীব অমা, ঊশিংদা পোকপা লৈবা চৎপা জীব অমা, কংফাল্দা—লৈপাক্তা পোকপা লৈবা চৎপা জীব অমা... অদুমনি। কংফাল্দা হায়বসিদা লৈমুংগীনু য়াওরে। মখোয় অসিনা অদুম হায়বা জীবদুনি। হায়রিবা অদুম অসিদা পোকপা লৈবা ফাওবদি ওম্নগা হুন্দংনবা চৎপা ওমদবা অদুনা স্থাবর জীবনি। পাক্চাউবা অর্থদা হায়রগা জীব খুদিংমক মাগী মাগী তম্মকপা পরিকরদা লৈবনা মুন্ন থক্তিলুবদি স্থাবরগী স্থাবর মক্তনি। ঈশিংগী জীবনা ঈশিংদগী হেন্দোকপা য়াদে। কংফান্দা লৈরম্বা ওম্নবসু ওহাক্তনি। লৈরম্নিবদুগী কংফান্দা লৈবা জীবগী মতৌ তম্শিন্নবনি। ঈশিংদা লৈগদবা ওা মহাক্না ঈশিংদগী ওহাক আকাশ (অহাওব) দা চোংথৎলম্বদু উচেকী মতৌ ওহাক্তং তমজরম্বনি। তাইবংমী অসি কংফান্দা পোকপা লৈবা জীবনি। হিহোন্বা, ওা ফাব ডুমগী মচা ওইনা ঈশিংদা হিথক্তা পোক্লবসু ঈশিংদা পোকপা জীবনি হায়বা থক্ য়ারোই। হি অদু য়োৎনি, লৈপাক্নি। অদুনা, উচেক্কুম্না নোংমদোম্বক্তা কদায় কদায় য়ৌনা বায়ুযান (এরোপ্লেন) দা তোংদুনা পাইরবসু আকাশদা পোকপা জীবনি হায়বা থক্ য়ারোই। এরোপ্লেন অদুসু য়োৎনি, লৈপাক্নি। উচেকী মতৌ ওহাক্তং তম্বনি। উচেক্না পাইথৎপা ওম্বদগী হেন্নসু জ্ঞান বিজ্ঞানগী শক্তিনা পাইথংখিবা য়াই। অদুগা পাইবা হায়বা থবক্তুমদি মতৌ তম্বনি। মতৌ তম্বদি তৌশিন্নবনি। তৌশিন্নবদি মীনম্বনি। শুকদেবদি করিগুম্বা বিমান, বায়ুযান অমতা য়াওদনা মশা ওাক্তনা নোংমদোম্বক্তা সূর্য্য-চন্দ্রমণ্ডল ফাওবা যোগাসনদা পাইখিবা ওম্নবনি। অদু ফাওবা উচেক্কী মতৌ তম্বনি। আকাশদা পোকপা, লৈবা, চৎপা জীবগী মতৌ তম্বনি, হায়না ব্যাসনা মচাদা জ্ঞান তাক্পনি। মতৌ তম্বদি মীনম্বনি, মাত্ত মিথ্যা মায়ামার্গনি; যোগমার্গ নত্তে। যোগমার্গগী তত্ত্বদি, বায়ুযান অমদা তোংদুনা চৎপদি লায়বু লায়রক্তনা আত্মা মহাক্না নহাক্কী বায়ুযান ওইরিবা ইকচাং অসিমকপু থাদোক্লমদুন. করিস্থ করিস্থ ঈযাও য়াওদনা ব্রহ্মমার্গদা চৎখিবগী লম্বীদু থিবতনি। অদুনা ব্যাসনা মচা শুকদেবদা হায়রিবসিগী ভাবতি— অদুগুম্বা মোক্ষধর্ম্মগী তত্ত্ব থিবা চৎপদা মীনম্বা তৌশিন্নবা লম্বীদা থক্ চৎখিনু হায়বনি। কংফান্দা পোকপা তাইবং জীবনা করিগী উচেঁক্ শাশিন্নগনি? উচেক্না করি তোংদুনা পাই? পাইগে হায়রগা করিস্থ ঈয়াও য়াওদনা পাইয়ু। অদু ওম্নবা ফাওবসু মতৌ তম্বনি। হায়রিবা য়াকমসিনা বৈজ্ঞানিকশিংগী বিজ্ঞানবু নিন্দা তৌবা নত্তে। অদুগা বিজ্ঞানশাস্ত্রগী তত্ত্বসু পাইথংকে চোংথংকে হায়নীদমক নত্তে। মীনম্দবা অচুম্বা পোৎশক থিবনি। ব্যাসনা শুকদা হায়রিবসি অচুম্বদু থিবদা অয়াম মীনম্বা উপায়না করিগী চৎকনি?... অসিতনি।

(কালাচাঁদ)

অহঙ্কারো ন কর্ত্তব্যো যাজ্যো তস্মিন্ নরাধিপে। স্থাতব্যং চ বশে তস্য স তে ছেৎস্যতি সংশয়ম্ ॥১০॥
স ধর্ম্মকুশলো রাজা মোক্ষশাস্ত্রবিশারদঃ। যাজ্যো মম স যৎ ব্রূয়াৎ তৎ কার্য্যমবিশঙ্কয়া ॥১১॥
এবমুক্তঃ স ধর্ম্মাত্মা জগাম মিথিলাং মুনিঃ। পদ্ভ্যাং শক্তোঽন্তরিক্ষেণ ক্রান্তুং পৃথ্বীং সসাগরম্ ॥১২॥
স গিরীংশ্চাপ্যতিক্রম্য নদীতীর্থ সরাংসি চ। বহুব্যালমৃগাকীর্ণা স্বটবীশ্চ বনানি চ ॥১৩॥
মেরোর্হরেশ্চ দ্বে বর্ষে বর্ষং হৈমবতং ততঃ। ক্রমেণৈবং ব্যতিক্রম্য ভারতং বর্ষমাসদৎ ॥১৪॥
স দেশান্ বিবিধান্ পশ্যংশ্চীনহুন নিষেবিতান্। আর্য্যাবর্ত্তমিমং দেশমাজগাম মহামুনিঃ ॥১৫॥
পিতুর্ব্বচনমাজ্ঞায় তমেবার্থং বিচিন্তয়ন্। অধ্বানং সোঽতিচক্রাম খেচরঃ খে চরন্নিব ॥১৬॥

অদুগা খুদোংচাবা চাবা থকপা কংগদবা মকম থক্ থিরোইদৌবনি। লম্ লম্ অদুগী অথোই অথোইবা মমিং মমিং চৎপা মীশক অদুগা লৈকম হুনা হুনা থক্ থিরোইদৌবনি। মরমদি মখোয়দুবু অদুম্ থিরবদি মখোয় অদুগদা আসক্তি অদু কা হেন্না চংথিগনি ॥৯॥

নিংথৌ জনক অদো ঐগীদি যজমাননি। ঐপাগী যজমাননি হায়দুনা নিংথৌদুগী মকমদা নাপল্ থোরবনচিংবা থক্ তৌরু লাকুউনু। হায়রম পুম্বদা নিংথৌদুগী য়াথংগী মথাদা লৈগদৌবনি। মহাক্না চিংনবা পুম্বা মহাক্না লোইনা কোকৎলক্কনি ॥১০॥

ঐগী যজমান নিংথৌ জনক হায়বসি ধর্ম্মগী তত্ত্ববু মুন্না খঙবা, মোক্ষশাস্ত্রদা হৈশিংবা নিপা অমনি। নত্তোন্দা নিংথৌনা পীবা য়াথংদো শোয়দনা ঙাক্কদবনি ॥১১॥

মপা ব্যাসকী রা অসি তাবগা শুকদেব অসি মিথিলারোমদা যাত্রা তৌখি। চীঙ-মান্ তুরেল পুম্নমক লাম্থোকুনা নোংমদোম্বক্না পাইদুনা চংখিবা ঙম্বসু মখোঙনা শাংলবা লম্বীদু অদুম্ চংখি ॥১২॥

চীঙ-মান্ তুরেল্ তীর্থ কয়া কয়া লম্বীদা লম্থোকুনা চৎপা তাখি। শা কৈ লিল্লনচিংবা মদু পুরবা জীব কয়ানা থল্লবা বন জঙ্গল কয়া কয়া লাম্থোকুনা চৎপা তাখি। পুম্নমক অসিবু লাম্থোকুনা ইলাবৃত্ত-বর্ষ (মেরুপ্রদেশ), হরিবর্ষ, হৈমবতবর্ষ (কিম্পুরুষ), বর্ষ অদুম অসি লাম্থোকুনা ভারত কৌবা বর্ষ (ভারত-বর্ষদা থুংখি ॥১৩—১৪॥ *

চীন অমদি হুন জাতিগী মীশিংনা লৈবা দেশ কয়া কয়া কয়া য়েং য়েংদুনা অদুম লাকুনা শুকদেবনা ভারতবর্ষগী আর্য্যাবর্ত্তদেশদা থুংখি ॥১৫॥

মপা ব্যাসগী য়াথং মতুংইন্না দেশ পুম্নমক অদু খোঙতনা লাকখিবনি। নোংমদোম্বক্না পাইবা উচেক্কী মতৌগুম্না মহাক্না কংকাম্বক্না চৎখি ॥১৬॥

* ভারতকী অরাংদা কিম্পুরুষবর্ষ, অসিগী অরাংদা হরিবর্ষ, অসিগী অরাংদা ইলাবৃতবর্ষ, অসিগী অরাংদা উত্তরমেরু অসিনি। অদুনা শুকদেবনা লাকপসি উত্তরমেরুদগী রাশিয়া, রাশিয়াদগী চীন, চীনদগী হিমালয় প্রদেশ (তিব্বত), অদুদগী ভারতবর্ষ, অদুম্ লাকপনি ॥ (কালাচাঁদ)

পত্তনানি চ রম্যাণি স্ফীতানি নগরাণি। রত্নানি চ বিচিত্রাণি পশ্যন্নপি ন পশ্যতি ॥১৭॥
উদ্যানানি চ রম্যাণি যথৈবায়তনানি চ। পুণ্যানি চৈব রত্নানি সোঽতিক্রামদথাধ্বগঃ ॥১৮॥
সোঽচিরেণৈব কালেন বিদেহানাসমাদসঃ। রক্ষিতান্ ধর্ম্মরাজেন জনকেন মহাত্মনা ॥১৯॥
তত্র গ্রামান্ বহূন্ পশ্যন্ বহ্বন্নরসভোজনান্। পল্লীঘোষান্ সমৃদ্ধাংশ্চ বহুগোকুলসংকুলান ॥২০॥
স্ফীতাংশ্চ শালিযবসৈর্হংসসারস সেবিতান্। পদ্মিনীভিশ্চ শতশঃ শ্রীমতীভিরলঙ্কৃতান্ ॥২১॥
স বিদেহানতিক্রম্য সমৃদ্ধজনসেবিতান্। মিথিলোপবনং রম্যমাসসাদ সমৃদ্ধিমৎ ॥২২॥
হস্ত্যশ্বরথসঙ্কীর্ণং নরনারী সমাকুলম্। পশ্যন্ন পশ্যন্নিব তৎ সমভিক্রামদচ্যুতঃ ॥২৩॥

লম্বীদা দেশ প্রদেশ, চাউখংলবা নগর কয়া কয়া শুকদেবনা উখি। অঙক্ অঙক্পা পোচ্চে ফুরা দলাল্ কয়া কয়া থেংনরকই। অদুবু থেংনরুবা উরুবদুতনি, থোইদোক্না য়েংশিল্লুবা লৈতে ॥১৭॥

যাত্রিক ওইরিবা শুকদেবনা পুক্নীং হুনবগী মশক ওইরবা হৈকোল লৈকোল, ফজ্জ ফজরবা, রাং চাউরবা য়ুমশিং অদুবু থৌওইনা য়েংশিল্লুদে। শেংলবা সনা, মণি মুক্তা রত্ন কয়া মনাক্না তাদুনা লৈহৌই; অদুবু হন্নমক্ক য়েংলম্দে। মথোঙনা কান্ কান্দুনা লাকই ॥১৮॥

অসুম্না লাকপসিনা— ধর্ম্মাত্মা ওইরবা নিংথৌ জনকনা ঙাক্লিবা বিদেহদেশগী প্রান্তদেশ (খুন্যা) দা য়ৌরক্লে ॥১৯॥

খুল্শিং অদুদা চংলু চংলুবা মফমদা উহৈ রাহৈ ফৌ চেঙনা থল্লবা; অরূবা ঈশিং, মহৈ মরোং মরাং মরাং কাল্লনা লৈরম্মি। শাংল শাংলবা শাবন্— শঞ্জেনবুং কয়া কয়া উখি। মশা মউ ফরবা শল্ শম্বীমপৈ মপৈ উখি ॥২০॥

বিদেহদেশ চাঁওয়া-তময়া মফম পুম্বদা হিয়াঙৈ পোইশুগী নাপু মচু মাল্লবা কৌবুক পুম্বদা ফৌচরোংগী মপৈশিং অদুনা লিরি লিরি শীংপা মুংশিংকী ঈপোম্না য়ৈবদা ঈথক হৌবগুম হাই-হুম্না থোইদোক্না নীংথিরম্মি। মফম অদুদা লৈবা মীশিং অদু ফৌ-চেঙ মহৈ মরোংনা চোম্না পানা লৈরবা, মায়থেং মকারাম্লবা মশা মউ ফরবা ঙাক্ত ওইনা শুকদেবনা উখি। মায়গৈ অকোয়বদা ঙাম্নু কাংঙনচিংবা উচেক্শিংনা হরাও তয়াম্না কোয়পাই পাইদুনা লৈরম্মি। থরো থম্বাল থম্না শাংলবা পুখ্রীশিংনা বিদেহ কৌবা দেশগী ফজববু থোইনা হেনগৎহল্লম্মি ॥২১॥

মতৌ অসুম্না ধনসম্পত্তি ধন-ধান্য চাউথংলবা বিদেহগী দেশ খুল ময়াম অদু লান্থোকতুনা শ্রীশুকদেব অসি মিথিলাগী নীংথিজরবা বন উপবনশিংগী মনাক্তা থুংঙরে ॥২২॥

মফম অদুদা শগোল শামু রথনচিংবা ফজ্জ ফজরবা শাদোং কয়া কয়ানা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈবদু অদুগা মশীং লাকুঙমদ্রবা নিপা নুপীশিংনা হুজংহন্না চংতুনা লৈবদু শুকদেবনা উখি। মশাগী মাং মর্য্যাদা অকায়বা করিমতা লৈহন্দনা অদুক য়াম্বা নীংথিজরবা পোচ্চেশিং অদু উন উনা উক উবশুদুনা

মনসা তং বহন্ভারং তমেবার্থং বিচিন্তয়ন্। আশ্রয়ানঃ প্রসন্নাত্মা মিথিলামাসসাদ হ ॥২৪॥
তস্যা দ্বারং সমাসদ্য নিঃশঙ্কঃ প্রবিবেশ হ। তত্রাপি দ্বারপালাস্তমুগ্রবাচা ন্যবেধয়ন্॥২৫॥
তথৈব চ শুকস্তত্র নির্মন্যুঃ সমতিষ্ঠত। ন চাতপাধ্ব সংতপ্তঃ ক্ষুৎপিপাসাশ্রমান্বিতঃ ॥২৬॥
প্রতাম্যতি গ্লায়তি বা নাপৈতি চ তথাঽতথাতপাৎ। তেষাং তু দ্বারপালানামেকঃ শোকসমন্বিতঃ ॥২৭॥
মধ্যং গতমিবাদিত্যং দৃষ্ট্বা শুকমবস্থিতম্। পূজয়িত্বা যথ ন্যায়মভিবাদ্য কৃতাঞ্জলিঃ ॥২৮॥
প্রবেশয়ৎ ততঃ কক্ষাং দ্বিতীয়াং রাজবেশ্মনঃ। তত্রাসীনঃ শুকস্তাত মোক্ষমেবানুচিন্তয়া ॥২৯॥
ছায়ায়ামাতপেচৈব সমদর্শী মহাদ্যুতিঃ। তং মুহূর্তাদিবাগম্য রাজ্ঞো মন্ত্রী কৃতাঞ্জলিঃ ॥৩০॥

উরিবশিং অচুদা থোইনা থৌপাদনা শুকদেবনা মথং মথং অসুম্ চঙশিন্খি ॥২৩॥ খঙনীং হংনীগুলিবা বিষয়গী ভাব অদুবু পূক্লীংনা পুদুনা, হায়বদি— অতৈ অমা খন্দনা মাদুত খন্দুনা, অদুগা খঙগদৌরিবা জ্ঞেয়বস্তু অদুবু কয়ম হায়না ফংগদগে হায়বা অসিত খন্দুনা য়াম্না নুংঙাইনা মিথিলাদা চঙশিন্খি ॥২৪॥

নগরগী থোঙ অদু য়ৌশিল্লক্লে। করিমতা চিংনবা অকিবা লৈতনা হেক চঙশিল্লকে তৌবদা দ্বারপাল (থোঙ-শঙব) শিং অদুনা অকন্বা অথীবা রাহৈনা শুকদেববু থিংখি— চদহন্দে ॥২৫॥

শুকদেব অসি চপ লেপ্পি। মহাক্কী পূক্লীংদা নুংঙাইতবা অশাউবা খক্ লৈত্তে। নমীদা চাদ-থক্তনা লাকপগী অরাম থৌরাংবা, মশা চোকথবা রাবা করিমতা লৈরমদে। অরাম থৌরাংবনা, মীগী তাথীবা রা-হৈনা শুকদেবগী থম্মোয়দা পূক্লীংদা অরাবা নুংঙাইতবা অশাউবা পোকহন্বা ঙমদে ॥২৬॥

নুংশাদা লাকপগী ওলাং ওন্শাউবা, চোকথবা হায়বদু মশাদা শূককাও কাওরমদে। অদুনা— নুংশাদগী উরুমদা চঙশিন্গে পোথাগেদ্রু হায়দে। শুকদেবগী ব্যবহার শাজং অদু উবদা দ্বারপালশিং অদুগী মরক্তা অমদি মপুক্লীংদা ওম্মোক্লা নুংঙাইরক্ত্রে ॥২৭॥

নুমিৎয়ুংবগী নুমিৎকী তেজগুম পূম্নঃ লংদুনা লৈবা শুকদেববু মুম্ন য়েংলগা মহাক্না শুকদেবদা ঙঙশিন্-লকুনা মখুৎ লোয়দুনা খুরুম্মি। শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা পূজা তৌদুনা তরাম্ তরাম্না কোন্নুং মনুংদা পুশিন্খিদুনা কা অমদা পোথাহন্খি ॥২৮॥

ইবুঙো! যুধিষ্ঠির! কা অদুদা কমদুনা শুকদেবনা কোন্নুংগী মনুংদা নীংথিজরবা কা অদুগী মওং মতৌ কজবনচিংবদুদা থোইদোক্লা য়েংঙুবা তৌদনা, বন অমদা লৈবগী মতৌগুম্না মোক্ষ (মুক্তি) গী রাথল অদুত খন্দুনা তুমিন্না কমদুনা লৈ। কোন্নুং— উমং, নুংশা— উরুম, অরাবা— নুংঙাইবা… মতোন্দা চপ মান্না অদুম মথোকই ॥২৯॥

ওহাক্ লৈরগা রাজমন্ত্রী অমা মখুৎ লোয়দুনা মকম অদুদা লাকই। মহাক্না শুকদেববু দলাল্ অদুগী অদুমগুবা মরোলদা পুখংখি ॥৩০॥

প্রাবেশয়ৎ ততঃ কক্ষ্যাং তৃতীয়াং রাজবেশ্মনঃ। তত্রান্তঃপুরসম্বদ্ধং মহচ্চৈত্ররথোপমম্ ॥৩১॥
সুবিভক্তজলাক্রীড়ং রম্যং পুষ্পিতপাদপম্। শুকং প্রাবেশয়ন্মন্ত্রী প্রমদাবনমুত্তমম্ ॥৩২॥
স তস্যাসনমাদিশ্য নিশ্চক্রাম ততঃ পুনঃ। তং চারুবেষাঃ সুশ্রোণ্য তরুণ্য প্রিয়দর্শনাঃ ॥৩৩॥
সূক্ষ্মরক্তাম্বরধরাস্তপ্তকাঞ্চন ভূষণাঃ। সংলাপোল্লাপকুশলা নৃত্যগীতবিশারদাঃ ॥৩৪॥
স্মিতপূর্ব্বাভিভাষিণ্যো রূপেণাপ্সরসাং সমাঃ। কামোপচারকুশলা ভাবজ্ঞঃ সর্ব্বকোবিদাঃ ॥৩৫॥
পরং পঞ্চাশতং নার্য্যো বারমুখ্যাঃ সমাদ্রবন্। পাদ্যাদীনি প্রতিগ্রাহ্য পূজয়া পরয়ার্চ্চয়ন্ ॥৩৬॥
কালোপপন্নেন তদা স্বাদ্বন্নেনাভ্যতর্পয়ন্। তস্যভুক্তবতস্তাত তদন্ত পুর কাননম্ ॥৩৭॥
সুরম্যং দর্শয়ামাসুরেকৈকশ্যেন ভারত। ক্রীড়ন্ত্যশ্চ হসন্ত্যশ্চ গায়ন্ত্যশ্চাপি তাঃ শুভম্ ॥৩৮॥

মকম অদুদা অন্তপুরগা তাইনবা পাক্ চাউরবা লৈকোল্ অমা লৈ। মাদু চৈত্ররথ কৌবা বনগা মান্নবা কজে। মকম অদুদা ঈশিংদা শান্নবগী মতীক চারবা, তোঙান্ তোঙান্বা মওংগী পুন্সী লৈ। লৈকোল্ (লৈ + মকোল্ = বগীচা) অদু মকা কয়া শাংলবা হৈরাং লৈরাং পাম্বীতনা থোইনা হেন্না নীংথিজে। লৈকোল্ অদুগী মমিং প্রমদাবন হায়না কৌই। মন্ত্রীদুনা শুকদেববু মকমদুদা রৌহন্খি ॥৩১—৩২॥

মন্ত্রীদুনা শুকদেববু লৈকোল্দুগী মফুংদা নীংথিজরবা ফম্ফম অমদা ফম্হল্লগা, অন্তপুরদুদগী থুনা মাঙনা থোকখি। মন্ত্রীদুনা হেক্ চংথিবগা নীংথিজরবী যুবতী যাঙ্খে শুকদেবনা লৈরিবা অদোমদা চেঙ্খিলকই। মখোয়না শেচ্চারিবা ফীজোল অদু পুক্নীং হূনবগী মংক্লি। মখোয় অদু অমমম্না য়াম্না নীংথিজরবী নবযুবতী মক্তনি। মখাং চেংলবী, নীংথৌ তাব ফজরবী মক্তনি। ঙাঙলবা পারবা সাড়ী শেংপী মক্তনি। ফুদোংলবা সনা মরীক্ মচেংমক্তনা বুট্ থিল্লবা থাম্নবা সাড়ী অমদি ইরুকিশিং অদুনা মখোয়গী হকচাং কাংথৎ খুদিংগী ফজবদুবু অমুক হেন্গৎহল্লি। য়াৰী-য়াতাই শাবগা য়াহৈ-য়াতা, প্রমাণ-পাহৈ হৈরবী মক্তনি। পুং-ঈশৈ, জগোইদা চংখোঙ্থী মক্তনি। অমমম্গী মশক্না অপ্সরাশুম ফজে। মীচ্চি খোই-খোই তাবী, মোমেম্মীনোকা লোয়ননা য়াঙাঙবীশিং অদু মীংয়েং-নায়েংতনা— মশা মশাগী থম্মোয়গী ভাবপু অভোম্নগী মকমদা কোঙ-লোকপা ঙম্বী, অদুগা মখোয়গা য়ারী শানরিবশিংদুগী মনোভাব (পুক্নী-দা থল্লিবা য়াথল ভাব) অদুবুদু লায়না খঙবী ঙাক্তনি। অপাম মুংশিগী বিদ্যাবু যুম হৈরবী ঙাক্তনি ॥৩৩—৩৫॥

মখোয়না ঊহৈ য়াহৈ, অথুম্ অহাও, লৈশূনচিংবনা শুকদেবপী সেবা পূজা তৌখি। নীংথিজরবা অচা অথক্না নহাকপু পেলহনখি ॥৩৬॥

ঈবুঙো ! ভরতশাগৈগী মুংঙাইনবগী মশক ওইরবা। মখোয়না শুকদেববু পীজ পীথকুপা লোইরবদা অন্তঃপুরগী নীংথিজরবা লৈকোল ভাম্না পুখি। ফজরবা হৈপাল লৈপালনচিংবা পোচ্চে খুদিংমক অমমম্-ভ ওইনা য়েংহনখি ॥৩৭॥

মখোয়না শুকদেবগী মাঙদা পুক্নীং হুননবগী মশক ওইরব; শাওং শাথেকা লোয়ননা জগোই শাই,

উদারসত্ত্বং সত্ত্বজ্ঞাঃ স্ত্রিয়ঃ পর্য্যচরং স্তথা। আরণেয়স্তু শুদ্ধাত্মা নিঃসন্দেহঃ স্বকর্ম্মকৃৎ ॥৩৯॥
বশ্যেন্দ্রিয়ো জিতক্রোধো ন হৃষ্যতি ন কুপ্যতি। তস্মৈ শয্যাসনং দিব্যং দেবার্হং রত্নভূষিতম্ ॥৪০॥
স্পর্দ্ধ্যাস্তরণসঙ্কীর্ণং দদুস্তাং পরমাস্ত্রিয়ঃ। পাদশৌচং তু কৃত্বৈব শুকঃ সন্ধ্যামুপাস্য চ ॥৪১॥
নিষসাদাসনে পুণ্যে তমেবার্থং বিচিন্তয়ন্। পূর্ব্বরাত্রে তু তত্রাসৌ ভূত্বা ধ্যানপরায়ণঃ ॥৪২॥
মধ্যরাত্রে যথান্যায়ং নিদ্রামাহারয়ৎ প্রভুঃ। ততঃ মুহূর্ত্তাৎ উত্থায় কৃত্বা শৌচমনন্তরম্ ॥৪৩॥
স্ত্রীভিঃ পরিবৃতো ধীমান্ ধ্যানমেবান্বপদ্যতে ॥৪৪॥
অনেন বিধিনা কার্ষ্ণিস্তদহঃ শেষমচ্যুত। তাং চ রাত্রিং নৃপকুলে বর্ত্তয়ামাস ভারত ॥৪৫॥

ঈশৈ শকই, চেং কন্দুনা শাইম। পুক্নীংগী রাথল তাব পুম্নমক্কী মওংবু শাথেক্তনা পঙব খওহনবা ওমলবীশিং অহুনা শুকদেবগী হীরম্ পুম্নমক্কা সেবা তৌখি ॥৩৮॥

অহুবু অরণিসম্ভব শুকদেবগী পুক্নী অমদি থম্মোয়দি অমোৎপগী মযীক্ অমতা য়াওদনা পুম্নশেং শেংনা লৈ। মহাক্তি ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু অহুগা কাম ক্রোধনচিংবু জয় তৌরবা মীশক অমনি। চৈবা নত্তগা থাগৎপদা শাউবা হয়াওবা করিমতা লৈখিদ্রবনি। সংসারগী অপাম মুংশিনচিংবা অসিবু জয় তৌহুনা লৈরবা মীশক অমনি। চিংনবা অকিবা করিমতা লৈতনা মশাগী তৌগদবা মথৌ, নীংগদবা রাথল অহুগী লীক্লমদগী খুবৈ নাম্নতা হেন্দোক্তবা মীশক অমনি ॥৩৯॥

নীংথিজরবীশিং অহুনা স্বর্গগী দেবতামক্তা ওহাক হীপ্ন চেপ্না কম্ব। মতীক চারবা আসন অহুগা শয্যা (কমুং) শেম শাহুনা থম্মি। সনা রুপা মণি হুক্কানা থামবা কমুং অমা শেম শাহনা থম্মি। মমল য়ামলবা কি (মোম্পাক কিদক্) না কুপ্লবা শয্যা অমদি আসন অহু ওহাক পোথানবগীদমক্ত পী ॥৪০॥

অহুবু অহানবদা শুকদেবনা খোঙ খুং শেংনা হামদোক্তুনা সন্ধ্যা উপাসনা তৌই। অহুগী তুংদা শেং-আসন অমদা কথহুনা মোক্ষতত্ত্বগী মরমদা খন্বা হৌরকই। অহিং (নুমিদাং) গী অহানবা যুথক: ধ্যান তৌহুনা তুমিন্ন লৈ। অনীশুবা প্রহর (যুথক), অহুমশুবা যুথক অনীসিগী তুম্মি ॥৪১—৪২॥

নোংঙানুগদবা পুং অনীরোমদা ঙায়রবা ব্রহ্মমুহূর্ত্তদা তুম্বা থাদোক্তুনা হকচাং-শেংদোকপা অমদি স্নান-নচিংবা লোইরবা তুংদা মহাজ্ঞানী শুকদেবনা পরমাত্মাগী ধ্যানদা পুক্নীং চঙখি। মতম অহুনমু নীংথিজরবী যুবতী (মথোল্ কারক্লবী) শিং অহুনা শুকদেবজীগী অকোয়বদা তুমিন্ন ফমহুনা মাগী মতৌ মওং অহু য়েংহুনা লৈখি ॥৪৩—৪৪॥

ভরতনন্দন। যুধিষ্ঠির! মতৌ অসুম্না মশাগী নিয়ম বিধি অমদি মশাগী মর্য্যাদা— নিত্যকর্ম্মদগী খুবৈ নাম্ন-ত হেন্দোক্তনা লৈ— শম্না অমা কাওবা কায়হন্দে। অরেম্বা মরক্তী মতম অহুনা নিংথৌগী কোম্মুং অহুদা লৈহুনা মতম লেপ্লি ॥৪৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিকাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্ম-পর্ব্বণি শুকদেব মিথিলা প্রবেশ নাম বিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২০॥

———:(✿):———

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চাসনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা শুকদেব মিথিলা প্রবেশ কৌবা চহুমগা কুন্‌শুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২০॥

———:(✿):———

মণিপুরী মহাভারত

একবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জনকগা শুকগা মোক্ষগী মবমদা হংনবা খুম্নবা)

চহুম কুমাথোইশুবা অধ্যায়

———:(✿):———

ভীষ্ম উবাচ।

ততঃ স রাজা জনকো মন্ত্রিভিঃ সহ ভারত। পুরঃ পুরোহিতং কৃত্বা সর্ব্বাণ্যন্তঃপুরাণি চ ॥ ॥

আসনং চ পুরস্কৃত্য রত্নানি বিবিধানি চ। শিরসা চার্ঘ্যমাদায় গুরুপুত্রং সমভ্যগাৎ ॥২॥

স তদাসনমাদায় বহুরত্নবিভূষিতম। স্পর্ধ্যাস্তরণসংস্তীর্ণং সর্ব্বতোভদ্রমৃদ্ধিমৎ ॥৩॥

পুরোধসা সংগৃহীতং হস্তেনালভ্য পার্থিবঃ। প্রদদৌ গুরুপুত্রায় শুকায় পরমার্চিতম্ ॥৪॥

তত্রোপবিষ্টং চ কার্ষ্ণিং শাস্ত্রতঃ প্রত্যপূজয়ৎ। পাদ্যং নিবেদ্য প্রথমমর্ঘ্যং গাং চ ন্যবেদয়ৎ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায় — ভারত অথোইবা। অদুদগীদি নিংথৌ জনক অসি মন্ত্রিশিং, কোন্নুং মনুংগী লোয়নবীশিংগা লোয়ননা রাজপুরোহিতনা মাঙ থাদুনা অচা-অথক্ পূজাগী পোচৈ অসিনচিংবা কোক্‌থোনদুনা অর্ঘ্যপাত্র অমদি মণি মুক্তা থম্না হাপ্লবা পাত্র পুরক্লুনা শুকদেবগী নাক্তা থুংলরে ॥১—২॥

পুরোহিতনা হায়না পুরক্লবা, সর্ব্বতোভদ্র কৌবা, মণি-মুক্তানচিংবা হী-য়াইনা হংলবা, মথক্ত নীংথিজব্বা মোজবা মমল য়াম্লবা ফিনা কুপ্লবা আসন অদু নিংথৌ মশামক্তা থুংনা রাজপুরোহিতকী মখুত্তগী লৌদুনা গুরুপুত্র শুকদেবগী কক্ষমদা লাক্তিন্‌খি। মমল শাম্লবা আসন অদুদা লেংশিন্‌বিয়ু হায়বগী মওংদা থুংলোন্‌নদুনা নোম্লুক্লা কমদুনা লৈখি ॥৩—৪॥ ব্যাসগী মচা শুকদেবনা— আসন অদুগী মথক্তা চনীঙ আয়া

স চ তাং মন্ত্রবৎ পূজাং প্রত্যগৃহ্লাৎ যথাবিধি। প্রতিগৃহ্য চ তাং পূজাং জনকাৎ দ্বিজসত্তমঃ ॥৬॥
গাং চৈব সমনুজ্ঞায় রাজানমনুমান্য চ। পর্য্যপৃচ্ছন্মহাতেজা রাজ্ঞঃ কুশলমব্যয়ম্ ॥৭॥
অনাময়ং চ রাজেন্দ্র শুকঃ সানুচরস্য হ। অনুশিষ্টস্তু তেনাসৌ নিষসাদ সহানুগ ॥৮॥
উদারসত্ত্বাভিজনো ভূমৌ রাজা কৃতাঞ্জলিঃ। কুশলং চাব্যয়ং চৈব পৃষ্ট্বা বৈয়াসকিং নৃপঃ।
কিমাগমনমিত্যেবং পর্য্যপৃচ্ছত পার্থিবঃ ॥৯॥

শুক উবাচ।

পিত্রাহমুক্তো ভদ্রং তে মোক্ষধর্ম্মার্থকোবিদঃ। বিদেহরাজো যাজ্যো মে জনকো নাম বিশ্রুতঃ ॥১০॥
তত্র গচ্ছস্ব বৈ তূর্ণং যদি তে সংশয়ঃ। প্রবৃত্তৌ বা নিবৃত্তৌ বা স তে চ্ছেৎস্যতিসংশয়ঃ ॥১১॥
সোঽহং পিতুর্নিযোগাৎ ত্বামুপপ্রষ্টুমিহাগতঃ। তন্মে ধর্ম্মভৃতাং শ্রেষ্ঠ যথাবৎ বক্তুমর্হসি ॥১২॥

মমথপ্রবদা জনক কৌবা নিংথৌনা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা শুকদেবগী পূজা তৌবা হৌখি। অদুগা খোঙ-খুং শেংদোকবা, চীন্ খা তেংনবা শেংলবা ঈশিং হাপ্পা পাত্র, অদুদগী অর্ঘ্য (পূজাগী সামগ্রী হাপ্পা পাত্র) পাত্র, অদুগী তুংদা শগী চামা দান অসিনচিংবসি মথং মনাও কায়দনা কংশিন্খি ॥৫॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা শুকদেবনা নিংথৌনা কংশিল্লক্লিব পূজাগী পোচৈশিং অদু বিধি কায়দনা ওৎলুনা লৌখি। পূজা অদু তরাম্ তরাম্না তৌরবা তুংদা, নিংথৌনা কংলিবা গোদান অদুবু হরাওনা স্বীকার তৌখি, য়াখি। অদুগী তুংদা তেজ লৈরবা শুকদেবজীনা নিংথৌগী মকমদা মঙ্গল ওইনা লৈরিবগী য়া পাউ হংখি ॥৬ ৭॥

নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! মনাই-মগলশিংগা লোয়ননা অনা-অম্বেক লৈতনা পাল্লিবগী খওনীংবগী য়াম্ শুকদেবনা নিংথৌদা হংখি। অদুগী তুংদা শুকদেবগী য়াথং ইঙ্গিত ফংলবা মতুংদা নিংথৌ জনকনা মুণী-মহাশিং মন্ত্রীশিংগা লোয়ননা খুং খুং লোম্ন লাম্বনা শুকদেবগী মাঙদ লৈমায়থক্ত থম্থখি। নিংথৌ জনকতি ধর্ম্মখওবা পুকচেল চাউরবা নিপা অমনি। মহাক্কী অহল্লমন মবুথৌশিংস্থ য়াম্না পুকচেল চাউরবা ওাক্ত ওইখিবনি। নিংথৌ জনকনা খুৎলোম্নদুনা শুকদেবগী মঙ্গল ওইবা য়া পাউ পুখা হংলগা— ভগবন্! ব্রহ্মন্! ওসি করম্বা কৃপা অমা তৌবিগে হায়রবগীদমক ননাই ঐগীসিদা লেংবিরকপা? অসুম হায়না শুকদেবদা হংখি ॥৮—৯॥

শুকদেবনা হায়.— নিংথৌ! মঙ্গল ওইসনু। ঐবু পোকপা ঈপা ব্যাসদেবনা মহারাজদি মোক্ষ-ধর্ম্মগী তত্ত্ব লোইনা খঙলবনি, হায়রকই। মহারাজদি ঐগী পিতৃদেবগী যজমাননিস্থ হায়রকই। প্রবৃত্তি নিবৃত্তি ধর্ম্মগী মরমদা নহাক্কী করিগুম্ব চিংনবা লৈরবস্থ নিংথৌদুগী মনাক্তা চৎলু। নহাক্কী চিংনবা পুখা কোকৃল্লকনি, অসুম হায়না ঐগী পিতৃদেবনা তাক্পিরক্ই ॥১০—১১॥

ধর্ম্মগী তত্ত্ব মুম খঙবশিংগী মরুংদা অথোইবা, নিংথৌ! ঈপাগী য়াথং পাউতাক মতুংইন্না পুম্নমক্কি

কিং কার্য্যং ব্রাহ্মণেনেহ মোক্ষার্থশ্চ কিমাত্মকঃ। কথং চ মোক্ষঃ প্রাপ্তব্যো জ্ঞানেন তপসাথবা ॥১৩॥

জনক উবাচ।

যৎ কার্য্যং ব্রাহ্মণেনেহ জন্মপ্রভৃতিতচ্ছৃণু। কৃতোপনয়নস্তাত ভবেৎ বেদপরায়ণঃ ॥১৪॥

তপসা গুরুবৃত্ত্যা চ ব্রহ্মচর্য্যেণ বা বিভো। দেবতানাং পিতৄণাং চাপ্যনৃণোহ্যনসূয়কঃ ॥১৫॥

বেদানধীত্য নিয়তো দক্ষিণামপবর্জ্য চ। অভ্যনুজ্ঞামথ প্রাপ্য সমাবর্ত্তেত বৈ দ্বিজঃ ॥১৬॥

সমাবৃত্তশ্চ গার্হস্থ্যে স্বদারনিরতো ভবেৎ। অনসূয়্যুর্যথা ন্যায়মাহিতাগ্নি স্তথৈব চ ॥১৭॥

উৎপাদ্য পুত্রপৌত্রং তু বর্ণাশ্রমপদে বসেৎ। তানেবাগ্নীন্ যথাশাস্ত্রমর্চয়ন্নতিথিপ্রিয়ঃ ॥১৮॥

স বনেঽগ্নীন্ যথা ন্যায়মাত্মন্যারোপ্য ধর্ম্মবিৎ। নির্দ্বন্দ্বো বীতরাগাত্মা ব্রহ্মাশ্রমপদে বসেৎ ॥১৯॥

খঙনীংঙুনা ঐ মহারাজগী মফমদা লাকচবনি। অদুনা হংজরিবসিগী পাউথুম য়ুম্ন অমুক্ত খুম্বিরকউ ॥১২॥

ব্রাহ্মণ হায়বসিগী মথৌনা করিনো? মোক্ষ (অরাম্বা থুডম) কৌবা পুরুষার্থ অসিগী স্বরূপ (মওং) না করিনো? মোক্ষ (মুক্তি) হায়বসিবু জ্ঞানতনা ফংব্রা? তপস্যা-তনা ফংব্রা? করম্বা সাধননা ফংনবগে? ॥১৩॥

জনকনা হায়,— ব্রাহ্মণ! গুরুপুত্র! ব্রাহ্মণ হায়বসিনা পোকপাগী তোগংবা মথৌশিং অদু ঐ মথং মথং হায়থরকে। যজ্ঞোপবীত সংস্কারগী মতুংদা হায়বদি— নোঙণ থাংলবঃ, লাইমিং কৌরবা মতুংদা, ব্রাহ্মণমচানা বেদ তম্বদা পুক্নীং চঙগদবনি ॥১৪॥

ব্রাহ্মণ! তপস্যা, গুরুগী সেবা, ব্রহ্মচর্য্য পালন. হায়রিবা অদুম অসিগা লোয়ন লোইননা বেদ হম্‌-গদবনি। যজ্ঞতনা দেবতাশিংগী, তর্পণতনা পিতৃলাককী লমনবু শিংননবা হোৎনগদৌরনি। কনাগুম্বা অমতগী দোষ য়েংশিল্লোইদৌবনি। ইন্দ্রিয়বু থুংম চন্দুনা বেদাধ্যায়ন লোইরবা তুংদা গুরুদা দক্ষিণা কং-লম্নগা, গুরু অদুগী য়াথং লৌদুনা সমাবর্ত্তন সংস্কার লোইরবা তুংদা গুরুকুলদগী মমা মপাগী ময়ুমদা হল্লকদবনি ॥১৫—১৬॥

য়ুমদা হল্লক্লগা বিবাহকর্ম্মনচিংবা তৌদুনা গার্হস্থ্য ধর্ম্মবু ভাক্কদবনি। মশাগী লোয়নবীতদা পুক্নীং লুপ-কনি। অতোপ অতোপ্পগী দোষ থোইনা য়েংলু খল্লুদনা মী খুদিংমকপু যজনা তরাম তরাম তৌগনি। মুমিংথুদিংগী মৈদা ভমজবা হোম তৌগদবনি ॥১৭॥

হায়রিবা গৃহস্থাশ্রম অসিদা মচা মশু পোক্লরবা তুংদা, গার্হস্থ্যধর্ম্মবু মচাগী খুত্তা শিন্নরম্লগা বানপ্রস্থ আশ্রমদা লৈথিগদবনি। আশ্রম অসিদা লৈরবস্থ শাস্ত্রগী বিধি মতুংইন্না গার্হপত্য কৌবা যজ্ঞ অদুম্ব অদুম তৌথিগনি ॥১৮॥

অদুগী তুংদা, বর্ণাশ্রমগী তত্ত্ব খঙবা মচাক অদুনা, শাস্ত্রগী বিধি মতুংইন্না যজ্ঞগী আগ্নিদেবতাশিং অদু আত্মাদা পান্‌শিন্দুনা অপাস্থানচিংবা দ্বন্দ্বভাব (অনী থোকপা বাথল) দগী থাংথদা লৈদুনা, ব্রহ্মগী মরমদা

শুক উবাচ ।

উৎপন্নে জ্ঞানবিজ্ঞানে নির্দ্বন্দ্বেহৃদি শাশ্বতে। কিমবশ্যং নিবস্তব্যমাশ্রমেষু ভবেৎ ত্রিষু ॥১৩॥

থজিন্বা রাখস্তগা মরী থম্বা— মরী থোকপা সন্ন্যাসগী আশ্রমদা চঙশিন্থিগদবনি ॥১২॥ *

শুকদেবনা হায়,— নিংথৌ! কনাগুম্বা অমগী থম্মোয়দা, ব্রহ্মচর্য্য কৌবা আশ্রম অদুদা জ্ঞানবিজ্ঞান পুম্বা ঈগাস্ত ওন্দুনা লৈবা য়াওরি। অদুগা, কল্লকপা য়েংথিনবনচিংবা অনী থোকপগী রাখল য়াওরবা ব্রহ্মচারী অদুনা মতুংগী আশ্রম অদুন অদুদা চথরুবগী করি কান্নগনি? ॥১৩॥

---

* "দ্বন্দ্বভাব" হায়বসি অপোবা অর্থ অনা, অকুপ্পা অর্থ অমা— অনীথোক্না পুই। অরায়বা অর্থদি— অনী থোক্পগী মওং হায়বতনি। তাইবং জীব পুম্বা হায়রিবা অনী থোকপগী মওং অসিদা লৈবা ওাক্তনি। ঐগী মাগী হায়বসি হায়দবা মী লৈতে। ঐগী ধর্ম্ম মাগী ধর্ম্ম, অচৌবা অপিকপা. অহাওবা হাওতবা, কায়নবা তিন্নবা, মাওবা তোংবা, অন্নাবা নুংঙাইবা, জয় পরাজয়··· অসিনচিংবা অনী অনী থোকপগী মওংদা লৈনরিবা রাখল অমদি পোংশকনিং অসি দ্বন্দ্বভাবদা লৈরুবদগী ওাক্তনি। মসিনা মশানগী অপোবা অর্থ পুবা দ্বন্দ্বভাব ওাক্তনি। মী অমতদা, পোংশক মশা অমতদা অনী থোকপগী রাখল অসি হাপ্পবা ওাক্তনি। মী অমতবু ওসিনা মরূপনি হায়না উই। হয়েংনা মী অতুমকপু য়েক্নবা ওইনা উই। মীশক্ পোংশক্ অমতদা অনী থোক্না উরি। অনী ঈথোক থোক্ত্রবত্ত অনী থোক্ত, অদুম্ মউবনা অয়াম্বা ওাক্তনি। ঘটাকাশ (চফু মপুংদা লৈবা আকাশ— অহাংবা) মহাকাশ হায়রিবসিমক অনী থোকপা রাখলদগীনি। আকাশ মচা, আকাশ অচৌবা হায়রিবসি অনী থোকপা রাখলদগীনি। লৈতুম্‌গা সনাগা তোঙান্ তোঙান্ উরিবা অসিসু দ্বন্দ্বভাবতা লৈবননি। লৈপাকসু লৈপাক্নি, সনাসু লৈপাক্নি। দ্বন্দ্বভাব অয়াম্বা অয়াম্বা রাখলগী পোক্লথিবা ওাক্তনি। লৈন্ মতুমগা ঈশিংগা অনীমু তোঙান্ তোঙান্বা পোংশক ওইনা উরিবসি দ্বন্দ্বভাবতনি। মসি, নামগা রূপকা, হায়বদি— মিংগা মওংগা অনীসিতনা থোকহল্লিবনি। সনা মোহর মশা অমত্তদা খুজী ওইনা অমুক ওই, থুদোপ ওইনা অমুক ওই, নাইন্ ওইনা অমুক ওইনা অমুক উই। মসি মওং (রূপ) গা মমিং (নাম) গা অনীসিতনা ওইহল্লিবনি। ওহাক ওহাক ওনবা মওংগা মিং গনি। অদুবা, অনী থোক্না উরিবা লৌরিবসিসু ওহাক্ ওহাক্না দমক্তনি। অদুনা দ্বন্দ্বভাব হায়বসি জীবাত্মাসিনা মায়াদা ত্তাদুনা লৈরিত্তৈদনি। অদুনা, আত্মা মহাক মশা মথন্তনা হকচাংসিদা দ্বন্দ্বভাবতা লৈবনা কল্লকপা য়েংথিবা, অন্নাবা নুংঙাইবা, পোকপা শিবা··· অসিনচিংবা অনী অনী থোকপগী মায়াগী লাংদা তারিবসিনি। অনী থোকপগী রাখল অসিদগী লাম্হোকপ্রবা মহাক অদু নির্দ্বন্দ্ব হায়বদু ওইরবনি। শুকদেবনা হংলিবদি, অদুগা তিনবিবদি নির্দ্বন্দ্ব অসতা ওইগে হায়বগী বানপ্রস্থ সন্ন্যাসনচিংবা আশ্রম চঙনরিবনি। ব্রহ্মচর্য্যগী আশ্রমদা লৈরিত্তৈদা নির্দ্বন্দ্ব ওইপ্রবদুনা অতৈ আশ্রমদা চংঙুবগী কান্নবা দরকার লৈতে অসিনি।

(কালাচাঁদ)

এতং ভবন্তঃ পৃচ্ছামি তৎ ভবান্ বক্তুমর্হতি। যথা বেদার্থতত্ত্বেন ব্রূহি মে ত্বং জনাধিপ ॥২১॥

জনক উবাচ।

ন বিনা জ্ঞানবিজ্ঞানে মোক্ষস্যাধিগমো ভবেৎ। ন বিনা গুরুসম্বন্ধং জ্ঞানস্যাধিগমঃ স্মৃতঃ ॥২২॥

গুরুঃ প্লাবয়িতা তস্য জ্ঞানং প্লব ইহোচ্যতে। বিজ্ঞায় কৃতকৃত্যস্তু তীর্ণস্তদুভয়ং ত্যজেৎ ॥২৩॥

অনুচ্ছেদায় লোকানামনুচ্ছেদায় কর্ম্মণাম্। পূর্ব্বৈরাচরিতো ধর্মশ্চাতুরাশ্রম্য সঙ্কটঃ ॥২৪॥

ধর্মগী তত্ত্ব খঙবা নিংথৌ! ঐনা হংজরিবশিংসে, মথং মথং অমুক্তা থুম্বিয়্। বেদগী থাক্লৈশেংবা সিদ্ধান্তগী মতুংইন্না, মথং মনাও নাইনা অমুক্তা থুম্বিরম্মু ॥২১॥

জনকনা হায়,— জ্ঞান বিজ্ঞান অনীসি য়াওদনা মোক্ষপদবী (মুক্তি) ফংবা য়াদবনুগুনি। সংগুরুগা সম্বন্ধ (মরী) থম্বনা জ্ঞান ফংবসু ওইথোকতবনি ॥২২॥ *

গুরুদি সংসার ঈপাক অসিবু লান্থোকহনবিবা মীশক অমনি। গুরুনা পীখিবা জ্ঞান অহুন লান্থোকবা খুংলায় হি পোত্তগী মশকনি। তাইবংমীনা জ্ঞানগী মশক ওইরবা হিথক্তা তোংহনা তাইবং ঈপাকসি লান্থোকখিহনা তাইবং মীওইবা ওইনা লোকগী মথৌ পাওথোকপিবা হায়বদু ওই। হিথকুতা তোংহনা তুরেলবু লান্থোক্লগা তুংদা হিবু নৌবসু থাদোক্লমহনা তোর্ব্বাদা কাথংখিবগুনি! মুক্ত ওইরবা মী অহনা জ্ঞানহবুসু গুরুহবুসু থাদোক্লনহনা ময়ুমদা চংখিবহগুনি— আত্মাসিনা মাগী থোরককম ব্রহ্মদা লীন ওইখি— তিন্থি। অদু ওইরবদি লান্থোক লাক্তিনগী মশক ওইবরা পোকপা শিবগী লওদা আত্মা মহাক্কা অমুক থুরক্রে ॥২৩॥

মমাংতৈগী জ্ঞানশেবা অহগ লমনশিংনা লোকমর্যাদাবু, পরম্পরা চংনবীবু গুরুনবগী দমক্তা আশ্রম মরিগা

---

* মফম অসিদা হায়রিবা "বিজ্ঞান" হায়বসি হৌজিককী আধিভৌতিক বিজ্ঞান অসি নত্তে। অধ্যাত্মিক বিজ্ঞাননি। আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিকনা মৈ ঈশিং নুংশিৎ লৈপাক মনিল-মহাগী য়াম্লোক য়াক্লিন্ তৌহনা— লংখৎপা থাদবা, চাইথোকপা খোমজিনবা, লেঙহনবা উক্রক লৈহনবগী লেবোরিটৌরিদা পঞ্চকর্ম্ম (থবক মঙা) অসি তৌরিতৈদা, শারিবা থুগাইরিবা, চৎহন্ লেঙহন্নবা হোৎনরিবসি হকচাংমুং অসিদা লৈবা কনানা কৌরিনা তৌরিবনো? হোংবা, চাউবা কৌশিল্লিবা হকচাং অসিনরা? হকচাং অসিদি অশিবনি, অশিবা হকচাং অসিনা অশিবা য়োৎ নুংবু চৎহন্গদবগী হোৎশরিব্রা? অদুসু অশিবনা অশিববু লেঙবদি ওইথোকতবনি। অদুদি হকচাংমুংসিদা লৈরিবা ঈশ্বর আত্মাসিনরা? অদুসু অশিবা হকচাং অসি য়াওদনা আত্মা মথন্তনা চোংথোরক্লনা কর্ম্ম অমতা তৌবা ঙমদে। অদুনদি পুরুষ প্রকৃতি অনী চঙহনা বিকৃতি ময়ামসি তৌরিবা ওইরমগনি… অসিনচিংবা থম্ভনা লৈবা বৈজ্ঞানিক অমতা য়াংদে। বিজ্ঞানগী থাক্লৈশেংবা উদ্দেশ্যদি অদুনি। বিজ্ঞানদি মিংচৎ তাম্নবগী সনা-লুপা তাম্নবগী নত্তে। সনা লুপাদি মতাক্লা শীজিন্নরিবা য়োৎ নুং লৈপাক অহুন মশক ওইখিবনি।

(কালাচাঁদ)

অনেন কর্ম্মযোগেন বহুজাতিষু কর্ম্মণাম্। হিত্বা শুভাশুভং কর্ম্ম মোক্ষো নামেহ লভ্যতে ॥২৫॥
তাবিদ্ভৈঃ করণৈশ্চায়ং বহুসংসারযোনিষু। আসাদয়তি শুদ্ধাত্মা মোক্ষং বৈ প্রথমাশ্রমে ॥২৬॥
তমাসাদ্য তু মুক্তস্য ইষ্টার্থস্য বিপশ্চিতঃ। ত্রিষাশ্রমেষু কোঽর্থো ভবেৎ পরমভীপ্সতঃ ॥২৭॥
রাজসাং স্তামসাংশ্চৈব নিত্যং দোষান্ বিবর্জয়েৎ। সাত্ত্বিকং মার্গমাস্থায় পশ্যেদাত্মানমাত্মনা ॥২৮॥

লোয়ন লোয়ননা বর্ণ ধর্ম্ম পূন্নমক্কী নিয়ম ঙাক্লখি ॥২৪॥ মতৌ অসুম্না কর্ম্ম মথল মথল বিধি কায়দনা তৌরম্নগা ওইজবা ওইজদবা কর্ম্ম পুম্বা থাদোক্লুনা মোক্ষপদবীবু ফংনরিবনি। মপোক কয়াদগী মথং মথং কর্ম্ম তৌথরক্লুনা ইন্দ্রিয়শিং অসি শুদ্ধ (অশেংবা) ওইরকই। অসুম্না শুদ্ধ ওইরক্লবদা তাইবংমীগী মপোক্কা কনা কনাগুম্বনা ব্রহ্মচর্য্য কৌবা অহানবা আশ্রম অসিমক্তদা, মথংগী আশ্রম অহুম অদুদা অমুক চঙঙুরবসু থম্মোয় শেংলবা মীশক অমা ওইদুনা মোক্ষপদবী (অরানবা থুম্ভব) বু ফংবা ঙম্মি ॥২৫—২৬॥

হায়রিবা অহানবা ব্রহ্মচর্য্য কৌবা আশ্রম অসিদি সাত্ত্বিকভাবতা আত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌবা ঙম্নবদি সাক্ষাৎকার তৌননবগী দমক্তা মথং মথং লৈরিবা আশ্রমশিং অদুদা চঙঙুবগী করি অবশ্যকতা (দরকার) লৈগনি? হায়বদি— করিমতা লৈত্রে ॥২৭॥ *

বিদ্বান্ জ্ঞানী ওইবা মীনা তৌগদবা হায়ববু— রাজসিক তামসিক ওইবা দোষ পুন্নমকপু থাদোক্লগা সাত্ত্বিকমার্গদা চংতুনা আত্মাবু সাক্ষাৎকার তৌবা অসিতনি ॥২৮॥

---

* ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য, বানপ্রস্থ সন্ন্যাস হায়দুনা আশ্রম মরি লৈরিবসি করিগীনো হায়বদা— অহানবা আশ্রমদা থম্মোয় অসি পূমশেং শেংথদুনা পরমাত্মাবু থাজশেংনা সাক্ষাৎকার তৌবা ঙমহৌরবসু জ্ঞানতানা দানধর্ম্মনচিংবা কর্ম্ম তৌননবগী লৈরিবা মথংগী গৃহস্থাশ্রমদা অদুম হোৎনগদবনি। মাদুদা ঙমহৌরগা— বিষয়কর্ম্ম পুন্নমক লোইনা থাদোক্লুনা ঈশোন্ কোনবদা সন্ন্যাসাশ্রমদা হোৎনগদবনি। অসিগীদমক্তা আশ্রম মরি অসি লৈরিবনি। ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমদগী ফংঙকপা জ্ঞান অদুগী মতুংইন্না গৃহস্থাশ্রমদসু দান, অতিথিসেবা, পিতৃ-মাতৃ-তর্পন, ঋষিতর্পন, দেবতর্পননচিংবা, অদুগা দানধর্ম্মনচিংববু ঙম্ব থঙনা তৌরবদি ব্রহ্ম সংক্ষাৎকার তৌবা অদুম ময়াই। আশ্রম মায় অসিগী মওঙ চপ মান্নে। অমদা ঙমহৌরগা অমদা অমুক্ মেংনবনি। হায়রিবা আত্মদর্শন অসিবু মরি অসিগী মনুংদা অমদা পাঙথোকহৌরবদি মখাগী মথং আশ্রমদুদা অমুক চঙঙুরবসু য়ারে। অকোনবগী সন্ন্যাসাশ্রম হায়রিবসিদসু কনানা করিবু করিগী দমক থদোক্লিবনো হায়বদু থঙদনা মপাঙ্থোংতদা সন্ন্যাসাশ্রমদা চঙথরবসু কায়বা লৈতে। বিষয় পুন্নমক্কী য়াংমদা লৈবা পরমাত্মাবু কননবগী দমক বিষয়শিং অদু থাদোক্লসতনি। বিষয়শিং অদুবু থাদোক্তুনা মখোয়গী মরক্তা জ্ঞান তানা ঙম্ব থঙনা লৈরবদি থাদোকপগা অক্ষানি, হায়বসিনা গৃহস্থাশ্রমগী অভিপ্রায় অমদি উদ্দেশ্যনি। গৃহস্থাশ্রমদা লৈরবদি ঙম্নরোই থন্দুনা মচা মশুপিংদা, শাগৈ নাতৈদা ধনসম্পত্তি পুন্নমক পীথোক্লমদুনা অচীকপা বনদা চংখিদুনা অমুক য়োংঙুবা হোৎনরবা আশ্রম অদুনা বানপ্রস্থ হায়রিবা অসিনি। (কালাচাঁদ)

সর্ব্বভূতেষু চাত্মানং সর্ব্বভূতানি চাত্মনি। সম্পশ্যন্নোপলিপ্যেত জলেবারিচরো যথা ॥২৯॥
পক্ষিবৎ প্লবনাদূর্দ্ধমমুত্রানন্ত্যমশ্নুতে। বিহায় দেহান্নিযুক্তো নির্দ্দ্বন্দ্বঃ পরমং গতঃ ॥৩০॥
অত্র গাথাঃ পুরা গীতাঃ শৃণু রাজ্ঞা যযাতিনা। ধার্য্যন্তে যা দ্বিজৈস্তাত মোক্ষশাস্ত্রবিশারদৈঃ ॥৩১॥
জ্যোতিরাত্মনি নান্যত্র সর্ব্বজন্তুষু তৎসমম্। স্বয়ং চ শক্যতে দ্রষ্টুং সুসমাহিতচেতসা ॥৩২॥
ন বিভেতি পরো যস্মান্ন বিভেতি পরাচ্চ যঃ। যশ্চ নেচ্ছতি ন দ্বেষ্টি ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥৩৩॥
যদা ভাবং ন কুরুতে সর্ব্বভূতেষু পাপকম্। কর্ম্মণা মনসা বাচা ব্রহ্ম সম্পদ্যতে তদা ॥৩৪॥
সংযোজ্য মনসাত্মানমীর্ষ্যামুৎসৃজ্য মোহনীম্। ত্যক্ত্বা কামং চ মোহং চ তদা ব্রহ্মত্বমুচ্যতে ॥৩৫॥

অচচ্চত্ত জীব পুন্নমক্তা মশাগী আত্মাবু উজরবা, আত্মা মাগী মন্নুংদম্ব অচচ্চত্ত পূণবু উজরবা মী মহাক অহুদি করিগুম্ব' বিষয়দা কা হেন্না আসক্ত ওইদে। মহাক অহুদি সংসারদা লৈরবসু, ঈশিংদা লৈবা ভানা ঈশিংগী ধর্ম্মদা তিন্নদন লৈবগুম— সংসারগী করিগুম্বা বিষয়দা কা হেন্না পুক্নীং লুপ্পদে ॥২৯॥

মহাক অহুদি, উচেক্না মহুম থাদোক্লুনা পাইথোকখিবা অহুগুম্না তাইবং হকচাংসিবু থাদোক্লমহুনা মহাশান্তিগা লোয়ননা পরলোকতা চংখি ॥৩০॥

ব্রাহ্মণ। হায়রিবা বিষয় অসিগী মতাংদা নিংথৌ যযাতিনা শকখিবা শোন্খিবা শৈরেং অহুম মতা-বিমু। মাসি মোক্ষশাস্ত্রগী তত্ত্ববু খঙবা জ্ঞানী ব্রাহ্মণসীংনা হেক হেক নীংশিংনৈ ॥৩১॥

মশা মথন্তগী হকচাংথুংদা আত্মজ্যোতি (আত্মাগী মঙাল্) লৈ। অতৈদা নত্তে। হায়রিবা মঙালসিদি থরায় পান্বা পুন্নমক্কী দেহ থিবিক্তা ঈকায় কায়দনা অহুম্ মরৈবনি। মশাগী থম্মোয় ইন্দ্রিয়বু মটীন্ লেওহন্দনা তু মন্না লৈহন্দুনা থহবা মী মহাক অংতংা মঙাল্ অহুবু উবা খঙবা ঙম্মি ॥৩২॥

মাবু উবদা কনা অমতগী পুক্নীংদা অকিবা লৈতবা, মহাক মশামকপু করিগুম্বা কনাগুম্বা অমগী মকম-দগী অকিবা কংদবা, মাগী করিগুম্বা অয়াংপা অমতা লৈরমদ্রহুনা করিগুম্বা পো শক অমতা পামদ্রবা, কল্লক মিহৌবা লৈত্রবা মহাক অহুদি ব্রহ্মাদবীবু ফংভি ॥৩৩॥

পুক্নীংনা রাহৈনা থবক্তা, কনাগুম্ব'মতগী মকমদা,
পাপকী থবক হিংসানচিংবা, করিগুম্ব'মতা তৌগে থদ্রবা,
কনাগুম্ব'মতগা শীংনবা, কল্লক মিহৌবা লৈত্রবা,
মতম'হুমক্তদা মাগী থম্মোয়দা, ব্রহ্মগী মঙাল্ লাকপনি ॥৩৪॥

গুম্মাংশগী লাংদা থাদগদবগী, লৈরিবা অপাম্বা-কল্লকপা মিহৌবা
গুম্মাংপা'হুমকপুম্ব থাদোক্লুনা, পুক্নীংবু আত্মাদা চঙহনগ্রবা,
মতম'হুমক্তদা মাগী থম্মোয়দা ব্রহ্মগী মঙাল্ লাকপনি ॥৩৫॥

যদা শ্রাব্যো চ দৃশ্যে চ সর্ব্বভূতেষু চাপ্যয়ম্। সমো ভবতি নির্দ্বন্দ্বো ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥৩৬॥
যথা স্তুতিং চ নিন্দাং চ সমত্বেনৈব পশ্যতি। কাঞ্চনং চায়সং চৈব সুখং দুঃখং তথৈব চ ॥৩৭॥
শীতমুষ্ণং তথৈবার্থমনর্থং প্রিয়মপ্রিয়ম্। জীবিতং মরণং চৈব ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥৩৮॥
প্রসার্য্যেহ যথাঙ্গানি কূর্ম্মঃ সংহরতে পুনঃ। তথেন্দ্রিয়াণি মনসা সংযতব্যানি ভিক্ষুণা ॥৩৯॥
তমঃ পরিগতং বেশ্ম যথা দীপেন দৃশ্যতে। তথা বুদ্ধি প্রদীপেন শক্য আত্মা নিরীক্ষিতুম্ ॥৪০॥
এতৎ সর্ব্বং চ পশ্যামি ত্বয়ি বুদ্ধিমতাং বর। যচ্চান্যদপি বেত্তব্যং তত্ত্বতো বেদ তৎ ভবান্ ॥৪১॥
ব্রহ্মর্ষে বিদিতশ্চাসি বিষয়ান্তমুপাগতঃ। গুরোস্তব প্রসাদেন তব চৈবোপশিক্ষয়া ॥৪২॥
তস্যৈব চ প্রসাদেন প্রাদুর্ভূতং মহামুনে। জ্ঞানং দিব্যং মমাপীদং তেনাসি বিদিতো মম ॥৪৩॥

তাব য়েংব উবদা, মতীক্ চারবা পোৎ থুদিংমকপু,
অথোই'হেন্নাইদনা চপ মান্নদা উরবা,
অচচ্চত্ত থরায়পান্বা পুম্বদা, চপমান্নন রাখল থম্নবা,
মতম'তুকক্তদা মাগী থম্মোয়দা, ব্রহ্মগী মঙ্গল্ লাক্পনি ॥৩৬॥

থাগৎপ-চৈবগী রাঙাঙ'নীমক্তা, চপমান্নদা'হুম তারবা,
য়োং সনা, অরা মুংঙাই, নিংথম্ ওয়াঙ'নীমক্তা
মাঙব-তোংবা যেরুবা মরূপ, ফংব-ফংদব, পোকপ-শিবা,
অনী'নী থোক্ক লৈরিশিংসিদা, থেন্নবা লৈতনা মউরবা,
মতম'তুমক্তা মাগী থম্মোয়দা ব্রহ্মগী মঙ্গাল্ লাকপনি ॥৩৭—৩৮॥

হেন্নুনা মপান্দা হাইদোক্ (তিথোক্) লম্বা মখোঙ লোইনা লৌশিন্ চিংশিনথিবগুম, জীবন্মুক্ত ওইবা পান্বা সন্ন্যাসী অমনা ইন্দ্রিয়শিংবু বিষয়শিংদগী থুদক্তা লৌশন্ খোম্জিন্গদবনি ॥৩৯॥

মন্নবা ঈমুংদা থাউমৈ থান্নগা, অমম্বদুদা লৈরম্মিবা অচৌ অপীক্ পোৎ থুদিংমকপু ময়েক লানা উবদুগুম— অকুপ্পা বুদ্ধিগী মশক ওইরবা থাউমৈবু শুক্নবা থম্মোয়মুংদা, আত্মাবু তঙেনা সাক্ষাৎকার তৌবা য়াই ॥৪০॥

বুদ্ধিমান্ জ্ঞানীশিংগী মন্নুংদা অথোইবা! ব্রাহ্মণ! শুবদেবজী! ঐনা হায়জখিবা য়াকমশিংসে ব্রাহ্মণ নহাক্কী থম্মোয়দা হায়দগী অতুম মরৈরবনি। হৌজিক হায়জরিবসি নত্তবা অতৈ অরুবা তত্ত্ব কয়াদা নহাক্কী থম্মোয়মুংদা ভাপ্পুনা লৈরিবনি। নহাক্না হংনা খঙহনা লৈরবা ওাক্ক ॥৪১॥

ব্রহ্মর্ষি! ঐনা য়াম্না মুন্না খঙজরে। ব্রাহ্মণ! নহাক, নহাকপু পোক্পা পিতৃদেব শ্রীব্যাসজীগী কৃপাদগী অদুগা বেদ শাস্ত্রবু নিয়ম নাইনা তম্বা নৈনবদগী সংসারগী বিষয়দগী রাংমদা লাম্মোক্লুনা। লৌখি-রবা মীশক অমনি ॥৪২॥ মহামুনি! ঐসু গুরুদেবদুগী কৃপাদগী দিব্যজ্ঞানগী শরক অসি থম্ন কংজরবনি।

অধিকং তব বিজ্ঞানমাধিকা চ গতিস্তব। অধিকং তব চৈশ্বর্যাং তচ্চ ত্বং নাববুধ্যসে ॥৪৪॥
বাল্যাৎ বা সংশয়াৎ বাপি ভয়াৎ বাপ্য বিমোক্ষজাৎ। উৎপন্নে চাপি নাধিগচ্ছতি তাং গতিম্ ॥৪৫॥
ব্যবসায়েন শুদ্ধেন মদ্বিধৈশ্ছিন্নসংশয়ঃ। বিমুচ্য হৃদয়গ্রন্থীনাসাদয়তি তাং গতিম্ ॥৪৬॥
ভবাংশ্চোপন্নবিজ্ঞানঃ স্থিরবুদ্ধিরলোলুপঃ। ব্যবসায়াদৃতে ব্রহ্মন্নাসাদয়তি তৎ পরম্ ॥৪৭॥
নাস্তি তে সুখদুঃখেষু বিশেষো নাসি লোলুপঃ। নোৎসুক্যং নৃত্যগীতেষু ন রাগ উপজায়তে ॥৪৮॥
ন বন্ধুষনুবন্ধস্তে ন ভয়েষ্বস্তি তে ভয়ম্। পশ্যামি ত্বাং মহাভাগ তুল্যলোষ্টাশ্মকাঞ্চনম্ ॥৪৯॥
অহং ত্বামনুপশ্যামি যে চাপ্যন্যে মনীষিণঃ। আস্থিতং পরমং মার্গমক্ষয়ং তমনাময়ম্ ॥৫০॥
যৎ ফলং ব্রাহ্মণস্যেহ মোক্ষার্থশ্চ যথাত্মকঃ। তস্মিন্ বৈ বর্তসে ব্রহ্মন্ কিমন্যৎ পরিপৃচ্ছসি ॥৫১॥

ঐ হৌজিক ঐগী ঈশাগী ওইরিবা অবস্থাস হেক্তগা লোয়নন চপচানা থওক্তনা লৈজরবনি ॥৪৩॥

নঙোন্দা লৈরিবা বিজ্ঞান, গতি (খোঙচৎ) অমসুং নঙোন্দা লৈরিবা শক্তি (পাঙ্গল) অমসু নহাক নশামক্না খঙজদ্রে ॥৪৪॥

অঙাংগী ৱাখল ত থন্বনা, অমসুং মোক্ষ (অরাপ্পা) পদবী হায়বসু কংগুরোইদ্রা হায়রবগী ভাবনা শাব অকিবসুদগী তাইবংমীনা বিজ্ঞানগী শক্তি লৈরবা কাওবদা মোক্ষপদবীদু ফংবা ঙমদে ॥৪৫॥

পুক্নীংদ করিগুম্বা বিষয় অমগী চিংনবা লৈত্রবা, ঐগুম্বা অমনা থাজবগা লোয়ননা পুক্নীং লেপশ্রবা অসুতনা পরমগতি (অখোইবা থুঙম) বু ফংবা ঙম্মি ॥৪৬॥

ব্রহ্মণ ! নহাক্তি মহাজ্ঞানী অমা ওইদুনা জ্ঞান পূন্নমক ফংদুনা লৈবিরবনি। নহাক্কী ৱাখলদি চপ চানা লেপতুনা লেঙদনা লৈরবনি। সংসারগী বিষয় পূন্নমক্তা নঙোন্দগী লাপ্পা চৎত্রবনি। অসুদা থাজে-শেংনা ঈশেং শেংত্রবা বুদ্ধি অসু নত্তনদি পরমাত্মাবু ফংবা ঙমদে ॥৪৭॥

নঙোন্দা অর'বা নুংঙাইবগী খেন্নবা করিমত্তা লৈতে। পুক্নীংদা অপাম্বা মিহৌবগী মমি মরীক্ অমা ফাওবা তাদ্রি। ঈশৈ নোংমাই তাবা জগোইশাবা অসুগা হেদো হরাও কাবগী ৱাখল অসুগী মরীক অমা ফাওবা নহাক্কী পুক্নীংদা লৈতে। সংসারগী করিগুম্বা বিষয় অমতদা নহাক্কী রাগ (পাম্বিনবা) করিমত্তা পোক্ত্রবনি ॥৪৮॥

পুক্চেল্ চাম্ত্রবা। লাইবক ফরবা। শাগৈ নাতৈ, মরূপ মপাংদা নহাক্কী আসক্তি লৈত্রবনি। অকি-বগী মথক ওইবা করিগুম্বা পোৎশক অমবু উবগা নহাক্কী থম্মোয়দা অকিবা পোক্তে। ঐনা অসুম য়েংবদা নহাক্কী মীত্ত, লৈপাক লৈতুম্ অমগা— সনা মতুম অমগা অনীগী খেন্নবসু লৈত্রে হায়না উই ॥৪৯॥

অশিংবনা, অসুগা ঐ ঈশ'নসু নহাকপু হিংনা হিংনা মোক্ষ (মুক্তি— অরান খুঙম) গী অখোইবা লম্বীদা লৈরবা জীবন্মুক্ত ওইরবা মীশক অমনি হায়না হাজরে ॥৫০॥

ব্রাহ্মণ ! তাইবংমীগী মপোক অসিদা ব্রাহ্মণ অমা ওইনা পোকপগী মহৈশা, অসুগা মোক্ষগী চপচাবা

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিকাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্ম পর্ব্বণি শুকোৎপত্তৌ একবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২১॥

---:(⁂):---

মওং (স্বরূপ) দা মহাককী গতি (অবস্থা) দা লৈরবনি। মাসিদা কয়ি অমুক হায়মনিঙাই লৈরি ? ॥ ২১ ॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা শুকদেব উৎপত্তিগী চহুমপা কুনমাথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২১॥

---:(⁂:---

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শুকদেবনা মপাগী নাক্তা হল্লকপগী মতাং)

চহুম কুন্নিথোইশুবা অধ্যায়

---:(⁂):---

ভীষ্ম উবাচ।

এতচ্ছ্রুত্বা তু বচনং কৃতাত্মা কৃতনিশ্চয়ঃ। আত্মনাত্মানমাস্থায় দৃষ্ট্বা চাত্মানমাত্মনা ॥১॥

কৃতকার্য্যঃ সুখী শান্তস্তূষ্ণীং প্রাগাদুদঙ্মুখঃ। শৈশিরং গিরিমুদ্দিশ্য সধর্ম্মা মাতরিশ্বনঃ ॥২॥

এতস্মিন্নেব কালে তু দেবর্ষি নারদ স্তথা। হিমবন্তমিয়াৎ দ্রষ্টুং সিদ্ধচারণসেবিতম্ ॥৩॥

তমপ্সরোগণাকীর্ণং শান্তস্বননিনাদিতম্। কিন্নরাণাং সহস্রৈশ্চ ভৃঙ্গরাজৈস্তথৈব চ ॥৪॥

মদ্গুভিঃ খঞ্জরীটৈশ্চ বিচিত্রৈর্জীব জীবকৈঃ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। নিংথৌ জনককী য়াসি তাবদা, ধর্ম্মোয় শেংলবা শুকদেব অসি চপচাবা লেপ্লবা সিদ্ধান্ত ফংখি, অদুগা বুদ্ধিগী পাঙ্গৎনা মপান্নগী হকচাংদগী ভোঙায়া আত্মা ওইন-ত লৈখিদুনা আত্মাগী স্বরূপপু. হায়বদি— মশা মথন্তগী অশেংবা মশকপু মুন্না খঙখিদুনা মীংব থুংখি। তমথৈ লৈত্তনা ভুংঙাইখিদুনা মপুংফানা শান্তি কংখি। অদুদগী ভূমিন্ হৌগংদুনা মগাশান্তিগা লোয়ননা, মুংশিংকী মমাও থাবা হিমালয় তম্ব অরাং পাংনা চংখি ॥ ,—২॥ মতম অসি সিদ্ধ সাধ্য চারণনচিংবনা থল্লা লৈরবা হিমালয় চীংথক্তা দেবর্ষি নারদনা মহাক্তা উনগদবগী চংখি ॥৩॥ চীংথক্ মতুদা অপ্সরা কয়া কয়ানা হজং

চিত্রবর্ণৈর্ময়ূরৈশ্চ কেকাশতবিরাজিতৈঃ। রাজহংসসমূহৈশ্চ কৃষ্ণৈঃ পরভৃতৈস্তথা ॥৬॥

পক্ষিরাজো গরুত্মাংশ্চ যং নিত্যমধিতিষ্ঠতি। চত্বারো লোকপালাশ্চ দেবা সর্ষিগণাস্তথা ॥৭॥

তত্র নিত্যং প্রযায়ান্তি লোকস্য হিতকাম্যয়া। বিষ্ণুনা পুত্রার্থে তপস্তপ্তং মহাত্মনা ॥৮॥

তত্রৈব কুমারেণ বাল্যে ক্ষিপ্তা দিবৌকসঃ। শক্তির্ন্যস্তা ক্ষিতিতলে ত্রৈলোক্যমবমন্য বৈ ॥৯॥

তত্রোবাচ জগৎস্কন্দঃ ক্ষিপন্ বাক্যমিদং তদা।

যোঽন্যোঽস্তি মত্তোঽমত্তোঽপ্যধিকো বিপ্রা যস্যাধিকং প্রিয়াঃ ॥১০॥

যো ব্রহ্মণ্যো দ্বিতীয়োঽস্তি ত্রিলোকেষু বীর্য্যবান্।

সোঽভ্যুদ্ধরতু ইমাং শক্তিমথবা কম্পয়ত্বিতি ॥১১॥

তৎশ্রুত্বা ব্যথিতা লোকাঃ ক ইমামুদ্ধরেদিতি। অথ দেবগণং সর্ব্বং সম্ভ্রান্তেন্দ্রিয়মানসম ॥১২॥

হন্দা চৎলি। জীবজন্তুশিংগী শান্তিগী মশক ওইরবা তোঙান্ তোঙানবা খোঞ্জেলনা চীংমায় অদু পুম্নমক্ নিল্লি। কিন্নর লিশিং লিশিংগী, খোইমু, খংপ্রাঙচাক্, তারাক্পী, নোংঙিল্ মচু তোঙান্ তোঙ্গবা লৈতেং ওইরবা রাহোং, তান্নু, কাউ, মচু মুরবা কোকিল··· অসিনচিবা উচেক্ রায়া বয়া কয়াগী মুংশিল্লবা মখোয় চীংমায় অদু পুম্নমক্ শিল্লি ॥৪—৬॥

উচেক নিংথৌ গরুড়না মফম অদুদা লেঙদনা লৈ। মায়কৈ চাকপা লাইশিংনা, দেবতা খিবিক্না অদুগা সিদ্ধ ওইরবা ঋষিশিংনা জগৎ পুম্বগী মঙ্গলগী দমক্ত মফম অদুদা ধ্যান তৌদুনা লৈরিবনি ॥৭॥

মফম অদুদা মহাত্মা ওইরবা, পুকচেল চাউরবা শ্রীবিষ্ণু (শ্রীকৃষ্ণ) মক্না মচা কংননবা তপস্যা তৌখিবনি। মফম অদুদা কুমার কার্ত্তিকেয় (স্বামী কার্ত্তিক) না অঙাং ওইরিঙৈদা দেবতা পুম্নমকপু থোঙইদনা শীঙনখিবনি। লোক অহুম্বু নমহৎতুনা চোপহন্দুনা মশাগী তৌবতুহা শক্তি অমা মফম অদুদা যুক্তুনা থনম্মি। হায়বদি— কানাগুম্ তা অমা যুংতমা থনম্মি ॥৮—৯॥

অদুগৈ লাই পুম্নমকপু শুমহুনা তা অদুবু যুংংনা চক্সম্ হায়না লাউথোক্খি,— 'মরোল্ অহুম অসিদা কনাগুম্বা ঐঙোন্দগী হেন্না কনবা, ব্রাহ্মণগী ভক্ত ওইরবা, অদুগা মরোল্ অহুম অসিদা ঐঙোন্দগী হেন্না মতীক্ মগুণ লৈবা য়াওরবদি, ঐনা থংলম্লিবা তা অসি ফুক্তোকউ, নত্রগা লেংহল্লু ॥ ১০—১১॥

মাগী অসিগুম্বা মকস্ ঙরিং শীংব রাগংগু অসি তাবদা মতাব জীবজন্তু পুম্নমক মথায় রানখি মিপাই নখি। মহাক্না য়ুংলিবা তা অসি মাবু হল্লা কনবা কম্বা অদনবা অমনা ফুক্তোকুনা লংথোক্পা ঙমগদগে? অহুম্ হান্না খল্লি। স্বর্গগী দেবতা পুম্নমক্না চকচাং ইন্দ্রিয় পুম্নমক কাশিল্লনবা ওইবা য়াঙাঙ তাবদা দেবতা পুম্নমক য়ায়া রাংগরে হায়বাস, অদুগা স্কন্দ কার্ত্তিকনা দৈত্য দানব— হিংচা য়াইতহ্না পুম্নমকপু নিন্দা তৌদুনা শীংগরে হায়বাস ভগবান্ বিষ্ণুনা উরে। অদুনা হৌজিক করি তৌকম খোক্কই হায়বসি শ্রীবিষ্ণু ভগবানদু খল্লক্লে ॥ ১২—১৩॥

অপশ্যৎ ভগবান্ বিষ্ণুঃ ক্ষিপ্তং সাসুররাক্ষসম্। কিং তত্র সুকৃতং কার্য্যং ভবেদিতি বিচিন্তয়ন্ ॥১৩॥
অনামৃষ্য ততঃ ক্ষেপমৈক্ষত পাবকিম্। সম্প্রগৃহ্য বিশুদ্ধাত্মা শক্তিং প্রজ্বলিতাং তথা ॥১৪॥
কম্পয়ামাস সব্যেন পাণিনা পুরুষোত্তমঃ। শক্ত্যাং তু কম্প্যমানায়াং বিষ্ণুনা তদা ॥১৫॥
মেদিনী কম্পিতা সর্ব্বা সশৈলবনকাননা। শক্তেনাপি সমুদ্ধর্ত্তুং সম্পিতামাভবৎ তদা ॥১৬॥
রক্ষিতা স্কন্দরাজস্য ধর্ষণা প্রভবিষ্ণুনা। তাং কম্পয়িত্বা ভগবান্ প্রহ্লাদমিদমব্রবীৎ ॥১৭॥
পশ্য বীর্য্যং কুমারস্য নৈতদন্যঃ করিষ্যতি। সোঽমৃষ্যমাণস্তদ্বাক্যং সমুদ্ধরণনিশ্চিতঃ ॥১৮॥
জগ্রাহ তাং তদাশক্তিং চৈনাং স ব্যকম্পয়ৎ। নাদং মহান্তং মুক্ত্বা সমূর্চ্ছিতোগিরিমূর্দ্ধণি ॥১৯॥
বিহ্বলঃ প্রপত্য ভূমৌ হিরণ্যকশিপোঃ সুতঃ। অত্রোত্তরাং দিশাং গত্বা শৈলরাজস্য পার্শ্বতঃ ॥২০॥
তপোঽতপ্যত দুর্ধর্ষং তাত নিত্যং বৃষধ্বজঃ। পাবকেন পরিক্ষিপ্তং দীপ্যতা যস্য চাশ্রমম্ ॥২১॥
আদিত্যপর্ব্বতং নাম দুর্ধর্ষমকৃতাত্মভিঃ। ন তত্র শক্যতে গন্তুং যক্ষরক্ষ সদানবৈঃ ॥২২॥

মহাত্মা ময়াম্বু উশিত্তুনা শীংনরিবা, অদুগা তৌরবা নাপল্ অদু উবদা বিষ্ণুনা মঙোন্দা মীংয়েংথানা য়েংলকই ॥১৪॥

ভগবান্ বিষ্ণুনা তা অদু থোক্ থোক্ নোম্মুবদা চীং-মান্ তুরেলশিংগা লোয়ননা পৃথিবী অসি থক্ থক্ নীকই ॥১৫॥

সর্ব্বশক্তিমান্ ওইরবা বিষ্ণুনা স্কন্দ (কার্ত্তিক) গী তা অদু আ থাপ্না লাকুনা লংথোক্থিবা শয়বস্তু মাগী মান্ অদু ঙাক্পিগে হায়বগী দমক, অদুগা অপমানদগী কন্বিগে হায়বগী দমক, মাদুমক্তি তৌবিখিদে। বিষ্ণুনা স্বামী কার্ত্তিকপু অপমান (চোপ্প মায়থীবা) ফংগদবদগী কন্বিখি ॥১৬॥

তা অদুবু থোক্ থোক্ নোম্নগা বিষ্ণু। প্রহ্লাদদা অসুম্না হায়খি,—য়েংঙু প্রহ্লাদ! কুমার কার্ত্তিকতা শক্তি করা য়াম্না লৈবা। মানা তৌরিবসে কনা অমত্তনা ঙম্বা পোৎ নত্তে, কনা অমত্তনা ঙম্লোই ॥১৭॥

ভগবান্ বিষ্ণুগী রাসি তাবদা প্রহ্লাদনা তাদুনা লৈবা ঙম্দ্রদুনা, খাঙবা ঙমদ্রদুনা তা অদু ফুক্তোক্-তুদা লাকুনা লংথোকখিগে হায়না খল্লে। মহাত্মা চঙশিন্দুনা মুক্কুনা নোম্দুনা য়েংবদা করিমত্তা লেঙদুনবা ঙাওবা ঙমখিদ্রে ॥১৮॥

মাদু ঙম্নবা থা ক্রক্ ক্রক্ চীকুনা নোমহন্‌গে হোনরুবদা ম্নুংশাশোর থিংথিদুনা রাম্হদুনা চীংথক্ অদুদা লৈমায়থক্তা তুধখি ॥ ৯॥

অদুনা, ঈবুঙো। অদুম্ ওইবা গিরিরাজ হিমালয় অদুগী অরাংথংবা চীঙমায় অদুদা ভগবান্ শ্রীশঙ্কর মহাদেবনা অভং অথম লৈতনা তপস্যা তৌদুনা লৈরিবনি ॥২০॥

ভগবান্ শঙ্করগী আশ্রম অদু মৈরী ফংনা চাক্লবা মৈনা মায়গৈ মরিমক্তা ঈকোয় কোয়শিল্পা লৈবনি। অদুগুম্বা চীংদোন্ অদু আদিত্যগিরি কৌবনি। মফম অদুদা ইন্দ্রিয় খুদুম্ চন্দ্রিবশিংনা য়ৌবা ঙমদে।

দশযোজনবিস্তারমগ্নিজ্বালাসমাবৃতম্। ভগবান্ পাবকস্তত্র স্বয়ং তিষ্ঠতি বীর্য্যবান্ ॥২৩॥
সর্ব্বান্ বিঘ্নান্ প্রশময়ন্ মহাদেবস্য ধীমতঃ। দিব্যবর্ষসহস্রং হি পাদেনৈকেন তিষ্ঠতঃ ॥২৪॥
দেবান্ তত্তাপয়ং স্তত্র মহাদেবো মহাব্রতঃ। ঐন্দ্রীন্তু দিশমাস্থায় শৈলরাজস্য ধীমতঃ ॥২৫॥
বিবিক্তে পর্ব্বততটে পারাশর্য্যো মহাতপাঃ। বেদানধ্যাপয়ামাস ব্যাসঃ শিষ্যান্ মহামতিঃ ॥২৬॥
সুমন্তুং চ মহাভাগং বৈশম্পায়নমেব চ। জৈমিনিং মহাপ্রাজ্ঞং পৈলং চাপি তপস্বিনম্ ॥২৭॥
যত্র শিষ্যৈঃ পরিবৃতো ব্যাস আস্তে মহাতপাঃ। তত্রাশ্রমপদং রম্যং দদর্শ পিতুরুত্তমম্ ॥২৮॥
আরণেয়ো বিশুদ্ধাত্মা নভসীব দিবাকরঃ। অথ ব্যাসঃ পরিক্ষিপ্তং জ্বলন্তমিব পাবকম্ ॥২৯॥
দদৃশে সুতমায়ান্তং দিবাকরসমপ্রভম্। অসজ্জমানং বৃক্ষেষু শৈলেষু বিষয়েষু চ ॥
যোগযুক্তং মহাত্মানং যথা বাণং গুণচ্যুতম্ ॥৩০॥
সোঽভিগম্য পিতুঃ পাদাবগৃহ্নাদরুণীসুতঃ। যথোপযোগং তৈশ্চাপি সমাগচ্ছত্তদামুনিঃ ॥৩১॥

যক্ষ রক্ষ কিন্নর ফাওবনা য়ৌবা ওন্থা মফম নত্তে ॥২১—২২॥ মফম অদু থমুক তরা শন্দোরা চাকপা মৈনা কোয়শিন্দুনা লৈবনি শক্তি লৈরবা অগ্নিদেব মশামক্ মফম অদুদা লৈবনি ॥২৩॥

থোইদোক্লা শিংবা জ্ঞানী ওইরবা মহাদেবনা লাইগী চহী লিশিং অমা খোঙ নাম্ন-তদা লেপ্তুনা অকন্বা তপস্যা তৌদুনা লৈবনি। তপস্যাদুগী ডাক্তা লেপ্লবা ওইনা অগ্নিদেবনা মফমদুদা লৈবনি। ভ্রত বন্ধবা মহাদেবনা দেবতা পুম্নমকপু কিহন্ তকহন্দুনা অকন্ব তপস্যাদা পুক্নীং চঙহনা লৈরিবনি ॥২৪॥

গিরিরাজ হিমালয় অদুগী নোংপোকপাংবা মায়কৈগী অশ্রয় লৌদুনা, চীংগী মীচীক-মীরাংখোল্ লাক্রবা মফম অমদা মহাতপস্বী ওইরবা পরাশরনন্দন ব্যাসনা জৈমিনি, তপস্বী পৈল, সুমন্তু, বৈশম্পায়ন কৌবা মাগী শিষ্য মরিবু বেদ তম্বিহন; লৈবনি ॥২৫—২৭॥

শিষ্য ময়াম্না কোয়দুনা তপস্যা বন্ধবা মপা ব্যাসদেবনা লৈরিবা নীংথিজবা মফম অদু শুকদেবনা উথি ॥২৮॥

মফম অদুদা অরণিসম্ভব শুকদেবনা নোংমদোন্দা থোকপা নুমিৎকা মথৌগুম্না পুমজাল্লক্লে। মফম অদুদা ব্যাসনা, পুম্নং লৈনা চাক্লবা মৈগী অদুগা, মঙ্ম্না মায়কৈগী পুন্দা হাইদোক্লবা নুমিৎকী মথৌগুম্ব—মচা শুকদেবনা লাক্‌চু উরে ॥২৯॥

যোগ সিদ্ধ ওইরবা মহাত্মা শুকদেব অসি লীলৈদগী পাইথোরকা তেন্‌গী মথৌগুম্না ব্যাসনা লৈরিবা মফম অদু তাম্ন চঙশিল্লকই। মহাক্লা চেন্‌শিল্লকপা মতম অসিদা মঙোন্দা করিগুম্বা ঊ-রা হৈগোন-লৈপাক অমতনা অপন্‌বা পীবা, থিংবা ওমদে ॥৩০॥

শুকদেবনা পিতা ব্যাসগী নাক্তা চঙশিল্লকুনা চরণ শোক্ল থুরম্মি, অদুগ তুমিন্না অতেক্তকে লৈরিবা

ততো নিবেদয়ামাস পিত্রে সর্ব্বমশেষতঃ। শুকো জনকরাজেন সংবাদং প্রীতমানসঃ ॥৩২॥
এবমধ্যাপয়ঞ্ছিষ্যান্ ব্যাস পুত্রং চ বীর্য্যবান্। উবাস হিমবৎপৃষ্ঠে পারাশর্য্যো মহামুনিঃ ॥৩৩॥
ততঃ কদাচিচ্ছিষ্যাস্তং পরিবার্য্যাবতস্থিরে বেদাধ্যয়নসম্পন্নাঃ শান্তাত্মানো জিতেন্দ্রিয়াঃ ॥৩৪॥
বেদেষু নিষ্ঠাং সম্প্রাপ্য সাঙ্গেষ্বপি তপস্বিনঃ। অথোচুস্তে তদা ব্যাসং শিষ্যাঃ প্রাঞ্জলয়ো গুরুম্ ॥৩৫॥

শিষ্যা উচুঃ।

মহতা তেজসা যুক্তা যশসা চাপি বর্দ্ধিতাঃ। একং ত্বিদানীমিচ্ছামো গুরুণানুগ্রহং কৃতম্ ॥৩৬॥
ইতি তেষাং বচঃ শ্রুত্বা ব্রহ্মর্ষিস্তানবাচ হ। উচ্যতামিতি তং বৎসা যৎ বঃ কার্য্যং প্রিয়ং ময়া ॥৩৭॥
এতদ্ বাক্যং গুরোঃ শ্রুত্বা শিষ্যাস্তে হৃষ্টমানসাঃ। পুনঃ প্রাঞ্জলয়ো ভূত্বা প্রণম্যশিরসা গুরুম্ ॥৩৮॥
উচুস্তে সহিতা রাজন্নিদং বচনমুত্তমম্। যদি প্রীত উপাধ্যায়ো ধন্যাঃ স্মো মুনিসত্তম ॥৩৯॥
কাঙ্ক্ষামস্তু বয়ং সর্ব্বে বরং দাতুং মহর্ষিণা। যচ্চ: শিষ্যো ন তে খ্যাতিং গচ্ছেদত্র প্রসীদ নঃ ॥৪০॥

শিষ্যশিং অহাকী মরক্কা চঙশিন্দুনা ফমথৈ ॥৩১॥ অদগী তুংদা শুকদেবনা য়াম্না হরাউনা মপা ব্যাসজীগী মফমদা মানা তৌরকপা থবকশিং অহ্ অমতা য়াত্তনা তম্থি ॥৩২॥

মতৌ অসুম্না ব্যাসনা মহাক্কী শিষ্যশিং অহুগা লোয়ননা য়াম্না মুংওাইনা হিমালয় চীংজাউ অহুগী মথক্তা লৈখি ॥৩৩॥

অহুগী তুংদা, নোংমা, মবুকচেল শেংলবা, মথ্ৎায় মুংওাইরবা, ইন্দ্রিয় থুংম চল্লবা, বেদ শাস্ত্র পুরমক হৈরবা শিষ্যশিং অহুনা মখোয়গী গুরুদেব ব্যাসগী মকোয়বদা ফমহুনা, নোঙ্কপা য়াহৈনা মখুং লোয়হুনা অসুম্না হায়রকই ॥৩৪—৩৫॥

গুরুদেব! ননাই ঐখোয় গুরুদেবগী কৃপাদগী ইমায়বনা লাকচবা য়াদবা, বেদ শাস্ত্র অমদি জ্ঞানগী মঙাল্ ফংজরবা ওাক্ ওইজরে। গুরুদেবগী কৃপাদগী ঐখোয়গী মিংচৎনা মাঙৈগে মরিমক্তা শীন্ থুংখরে। হৌজিক ঐখোয়না গুরুদেবগী বিশেষ ওইবা কৃপা বর অমতং ফংজনীংঙি। গুরুদেবনা ননাই ঐখোয়বু চান্‌বিয়ু ॥৩৬॥

শিষ্যশিংগী য়া তাবদা মহর্ষি ব্যাসনা শিষ্যশিংদা অসুম্না হায়খি,— "ঈচাশা! হায়য়ু, করি তৌ হায়বগে? নখোয়গী অপাম্বা অহ্ হায়য়ু।" ॥৩৭॥

গুরুগী কৃপা-য়াহৈ অসি তাবদা সুমন্ত, পৈল, বৈশম্পায়ন, জৈমিনি অমদি শুক শিষ্য মঙা অসিনা য়াম্না হরাউরে। অহুদগীদি নিংথৌ। মখোয়না মখুং লোয়হুনা মকোক্কোয়া গুরু ব্যাসদা অসুম্না হায়রকই। গুরুদেব! গুরুদেবনা ঐখোয়বু য়াম্না মুংশিবিবসিদা, ঐখোয় পোক্পগী মহৈয়ান্দা হায়বহ্ ওইরে। য়াম্না লাইবক ফরে ॥৩৮—৩৯॥

ঐখোয়না গুরুদেবদা হায়জরিবদি— ননাই ঐখোয় লৈরিবা মঙাসিদগী হেন্না অতোপ্পা ফককত্তবা

চত্বারস্তে বয়ং শিষ্যা গুরুপুত্রশ্চ পঞ্চমঃ। ইহ বেদাঃ প্রতিষ্ঠেরন্নেষ নঃ কাঙ্ক্ষিতো বরঃ ॥৪১॥

শিষ্যাণাং বচনং শ্রুত্বা ব্যাসো বেদার্থতত্ত্ববিৎ। পরাশরাত্মজো ধীমান্ পরলোকার্থচিন্তকঃ ॥৪২॥

উবাচ শিষ্যান্ ধর্ম্মাত্মা ধর্ম্ম্যং নৈঃশ্রেয়সং বচঃ। ব্রাহ্মণায় সদা দেয়ং ব্রহ্ম শুশ্রূষবে তথা ॥৪৩॥

ব্রহ্মলোকে নিবাসং যো ধ্রুবং সমভিকাঙ্ক্ষতে। ভবন্তো বহুলাঃ সন্তু বেদো বিস্তার্য্যতাময়ম্ ॥৪৪॥

নাশিষ্যে সম্প্রদাতব্যো নাব্রতে নাকৃতাত্মনি। এতে শিষ্যগুণাঃ সর্ব্বে বিজ্ঞাতব্যা যথার্থতঃ ॥৪৫॥

নাপরীক্ষিতচারিত্রে বিদ্যা দেয়া কথঞ্চন। যথা হি কনকং শুদ্ধং তাপচ্ছেদনিকর্ষণৈঃ ॥৪৬॥

পরীক্ষেত তথা শিষ্যানীক্ষেৎ কুলগুণাদিভিঃ। ন নিয়োজ্যাশ্চ বঃ শিষ্যা অনিযোগে মহাভয়ে ॥৪৭॥

যথা মতি যথা পাঠং তথা বিদ্যা ফলিষ্যতি। সর্ব্বস্তরতু দুর্গাণি সর্ব্বো ভদ্রাণি পশ্যতু ॥৪৮॥

শ্রাবয়েচ্চতুরো বর্ণান্ কৃত্বা ব্রাহ্মণমগ্রতঃ। বেদস্যাধ্যয়নং হীদং তচ্চ কার্য্যং মহৎ স্মৃতম্ ॥৪৯॥

শিষ্য অম অমুক পোকৃপিরমু। মাসিতদি ঐখোয়দা কৃপা তৌবিয়ু ।৪০॥ ঐখোয় শিষ্য মরিনি। গুরু-পুত্র শুকদেবজী থারগা মঙ নি। মনাই ঐখোয় মঙা অসিতদা গুরুনা বনাতম্বিবা বেদ অসি তুংতুনা লৈরসমু। মাসিতনি ঐখোয়না নিজনীংবা বর হায়ববু ॥৪ ॥

শিষ্যশিংগী রা অসি তাবদা বেদগী তত্ত্ববু লোইনা খঙলবা, পরলোককী তত্ত্ববু মুম্ম নৈনরবা, ধর্ম্মাত্মা ওইরবা মহাজ্ঞানী পরাশরনন্দন শ্রীব্যাসনা ধর্ম্ম কায়দনা রা অসি শিষ্যশিংদা হায়রকই ॥৪২॥

শিষ্যশা। ব্রহ্মলোকতা লেঙদনা লৈনিংবা, ভগবান্ পরমাত্মাগী অস্তিত্ববু থাজবা, বেদবু থাজৈশেংনা তম্নীং খঙনীংতুনা লাকপা ব্রাহ্মণশিংবু বেদ তম্বিগদবনি ॥৪৩॥

নখোয় নশা নশাবু মশীং য়ামহল্লু। বেদ প্রচার তৌ। ব্রহ্মজ্ঞান শন্দোকৃত্ত। মপুক্কীং লাকৃশিন্বা তমৃত্রিবা, ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌদবা, শিষ্য ওইজনীংবগী ভাবতা লাজবা অহুগুম্বা মীশিংদা বেদ তমিগনু ॥৪৪॥

হায়রিবা পুম্মক অসি শিষ্যগী গুণমকুনি। বনাগুম্বা অমবু শিষ্য ওইহল্লিবগী মমাংদা মহাককী মমা-পা কুটুম্বগী লোইনবদপা মঙ্গং মগাঙগী চৎবু মুম্ম পরীক্ষা তৌবিগদবনি। মহাকী সদাচার আচার বিচারগী মরমদা মুম্ম খঙজিনবা মতোম্দা বিদ্যাদান হেক্ তৌরোইদৌবনি ॥৪৫॥

সনাবু হাম্মা মৈ ঈরুগা, খিতুং কক্লুগা, নুংথোদা তক্লুগা শেংজিং শেংদে খঙদনবা পরীক্ষা তৌবহুগুম্বা মাগী শাগৈ-জাং, মপুক্চেল্ লোইনা তেংনা খঙদোকখিগদবনি ॥৪৬।

নখোয়গী শিষ্যশিংবু করিগুম্বা হৌনদবা, অতুগা অকি-অথং নংগদবা থবক্তা পাথোল্ থক্ পীরোইদবনি। মখোয় অমমম্দা তম্বিবা মতমদা মাগী মাগী বুদ্ধিগী সীমা অতু য়েংলগা, হেৎনবগা তৌরাইরগা তমগদবা শরুক্ অচক্-ত পারা পীগদবনি। খঙদবা, অরাবা খুদোংথীবদগী লাপ্তোকচখিনবা অদুগা নজল ওইখিনবসে য়াম্মা কন্ন হোৎনবিগদবনি ॥৪৭—৪৮॥

ব্রাহ্মণবি নু মাঙ থানা কমহল্লগা বর্ণ মরিগী শিষ্যশিংদা পাউতাক্ পীব, মখোয়বু তম্বিবা য়াই। বেদ

স্বত্যর্থমিহ দেবানাং বেদাঃ সৃষ্টাঃ স্বয়ম্ভুবা। যো নির্ব্বদেত সম্মোহাৎ ব্রাহ্মণং বেদপারগম্ ॥৫০॥
সোঽভিধানাৎ ব্রাহ্মণস্য পরাভূয়াদসংশয়ম্ যশ্চাধর্ম্মেণ বিব্রূয়াৎ যশ্চাধর্ম্মেণ পৃচ্ছতি ॥৫১॥
এতৎ বঃ সর্ব্বমাখ্যাতং স্বাধ্যায়স্য বিধিং প্রতি। উপকুর্য্যাচ্চ শিষ্যাণামেতচ্চ হৃদি বো ভবেৎ ॥৫২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
শুকদেবপুনরাগমনে দ্বাবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২২॥

—— :(৩): ——

তম্বিবা হু য়বসে ওস্তোক্লা চাউথ্রবা অমদি মশৈ চাউথ্রবা কর্ম্ম অমনি। অদুগা মাসি শোয়দনা ভৌকম থোকপা থবকনি ॥৪৯॥

স্বয়ম্ভু (মশা মথন্তনা পোকচরকপা) ব্রহ্মানা দেবতাশিংগী তোঙান্ন লৈশি লৈথোয়নবগী (স্তুতি তৌনবগী) বেদগী সংহিতা মন্ত্রশিংগী সৃষ্টি তৌই। জ্ঞান তাথিদবদগী, নাপল্দগী নত্রগা শুদ্ধাংখিবদগী বেদগী তত্ত্ব খঙবা ব্রাহ্মণগী নিন্দা তৌবা, অদুগা মাঙনবা থনবা মী অহ্লাদ মানা তৌরিবা যত্তবা থবক অদুতনা মথম শুইহনা মশানা মাযথাবা অদুম মবংঞ্জে ॥৫০॥

ধর্ম্মগী বিধি কায়না, ধর্ম্মগী য়াংমদা প্রশ্ন তৌরিবা— হংলিবা মী অদুগা ধর্ম্ম কায়না পাউখুম পীরিবা মী, অনী অসিগী মনুংদা অমগী মৃত্যুদি শোয়দবনি, নত্রগা হংলিবা খুম্লিবা অনীমক্ অমনা অমগী য়েক্লবা ওইবা, নুংঙাইনদবা হায়বদুদি শোয়দ্রবনি ॥৫১॥

স্বাধ্যায় (তম্বা তম্বিব) গী বিধি অসি লোইনা হায়রবনি। মাসি নখোয়গী পূক্নীংদা অমদি হম্মোয়দা লেঙদনা থমগদবনি, থক্ কাউরোইদোবনি। মরমদি উপদেশ অসে শিষ্যশিংগী পুন্শিদা য়াম্ন কান্নবা য়ানি ॥৫২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা,
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, শুকদেব পুনরাগমন কৌবা চহুমগাকুম্নিথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২২॥

—— :(৩): ——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রয়োবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শিষ্যশিংনা চৎএবা খুৎদা নারদনা ব্যাসগী মনাক্তা লাকপা)

চহুমগা কুন্থুমদোইশুবা অধ্যায়

—:(+):—

ভীষ্ম উবাচ।

এতৎ শ্রুত্বা গুরোর্ব্বাক্যং ব্যাসশিষ্যা মহৌজসঃ। অন্যোঽন্যং হৃষ্টমনসঃ পরিষস্বজিরে তদা ॥১॥
উক্তাঃ স্মো যৎ ভগবতা তদাত্বায়তিসংহিতম্। তন্নো মনসি সংরূঢ়ং করিষ্যামস্তথা চ তৎ ॥২॥
অন্যোঽন্যং সংবিভাষ্যৈবং সুপ্রীতমনসঃ পুনঃ। বিজ্ঞাপয়ন্তি স্ম গুরুং পুনর্ব্বাক্যবিশারদাঃ ॥৩॥
শৈলাদস্মান্মহীং গন্তুং কাঙ্ক্ষিতং নো মহামুনে। বেদাননেকধা কর্ত্তুং যদি তে রুচিতং প্রভো ॥৪॥
শিষ্যাণাং বচনং শ্রুত্বা পরাশরসুতঃ প্রভুঃ। প্রত্যুবাচ ততো বাক্যং ধর্ম্মার্থ সংহিতং হিতম্ ॥৫॥
ক্ষিতিস্বা দেবলোকস্বা গম্যতাং যদি রোচতে। অপ্রমাদশ্চ বঃ কার্য্যো ব্রহ্মহি প্রচুরচ্ছলম্ ॥৬॥

ভীষ্মনা হায,— নিংথৌ! গুরুগী ৱাহৃ তাবদা তেজ লৈরবা ব্যাসগী শিষ্যশিং অহু মাগী মাগী পুক্নীং অহৃদা ওস্থাক্না পেঙ্গখ্রে। মখোয় মশেল্ থাম্না হরাউ নুংঙাইনা লেঙ্গেমৈ ॥ ॥

মখোয়না ব্যাসদা হায়রকই,— গুরুদেব! ভগবন্! ঐখোয়গী তুংগী কাম্নবগী দমক্তা যাম্না নীংথি-জনা তাকপীরে। তাকপীরিবদো ঐখোয়গী থম্মোয়দা চুথ্রে, তাকপীরিবদো ঐখোয় শোয়দনা পাঙ্থে কৃচগনি ॥২॥

অমুম্ হায়না ভহাক ৱারী শানরগা গুরুগা শিষ্যশিংগা যাম্না নুংঙইনরে। অহুগী তুংদা রা ভাঙবা হৈরবা শিষ্যশিং অহুনা মখোয়গী গুরু ব্যাসদা অমুম্না হায়রকই,— হৌজিক্তি ননাই ঐখোয় চীংথকসিদগী তম্দা কুম্নীংলে। গুরুদেবনা তম্বিবা বেদশিংবু তোঙান্ তোঙানগা শরক্ (শাখা) কয়া কয়া থায়দোক্লুগা মকম পুম্নমক্তা বেদবু শন্দোকচরগে। ঐখোয়না চচ্ছখিগদৌরিবসিগী উদ্দেশ্যদি অসিনি। ঐখোয়না তোগে থগুরিবসি রাবিরবদি বিদায় পীবিরো ॥৩—৪

শিষ্যশিংগী ৱাসি তাবদা পরাশরনন্দন ব্যাসনা ধর্ম্ম অর্থগী চাওথংনবগী মশক ওইরবা ৱাসি মাগী শিষ্যশিং অহুদা অমুম্ হায়রকই,— ॥ ॥

মুংশিরবা শিষ্যশা। মাহুদা নখোয়না নপুক্নী লেপ্লবদি, নখোয়না চৎনীং চৎনীংবা, দেবলোক থগুলে, মর্ত্তলোক থগুলে —নখোয়না চৎনীং চৎনীংবা মফম অহুদা চৎখিবা য়াগনি, ওমুম্ ওমুগনি। নখোয় কৱিগুবা

তেঽনুজ্ঞাতাস্ততঃ সর্ব্বে গুরুণা সত্যবাদিনা। জগ্মুঃ প্রদক্ষিণং কৃত্বা ব্যাসং মূর্দ্ধাভিবাদ্য চ ॥৭॥
অবতীর্য্য মহীং তেঽথ চাতুর্হোত্রমকল্পয়ন্। সংযাজয়ন্তো বিপ্রাংশ্চ রাজন্যাংশ্চ বিশস্তথা ॥৮॥
পূজ্যমানা দ্বিজৈর্নিত্যং মোদমানা গৃহেরতাঃ। যাজনাধ্যাপনরতা শ্রীমন্তো লোকবিশ্রুতাঃ ॥৯॥
অবতীর্ণেষু শিষ্যেষু ব্যাসঃ পুত্রসহায়বান্। তূষ্ণীং ধ্যানপরঃ শ্রীমানেকান্তে সমুপাবিশৎ ॥১০॥
তং দদর্শাশ্রমপদে নারদঃ সুমহাতপাঃ। অথৈনমব্রবীৎ কালে মধুরাক্ষরয়া গিরা ॥১১॥
ভো ভো ব্রহ্মর্ষিবাসিষ্ঠ ব্রহ্মঘোষো ন বর্ত্ততে। একো ধ্যানপরস্তূষ্ণীং কিমাস্সে চিন্তয়ন্নিব ॥১২॥
ব্রহ্মঘোষৈর্বিরহিতঃ পর্ব্বতোঽয়ং ন শোভতে। রজসা তমসা চৈব সোমঃ সোপপ্লবো যথা ॥১৩॥
ন ভ্রাজতে যথা পূর্ব্বং নিষাদানামিবালয়ঃ। দেবর্ষিগণজুষ্টোঽপি বেদধ্বনি নিরাকৃতঃ ॥১৪॥

মতমদা শুদ্ধংখিগনু। মরমদি বেদদা য়াম্না লুংঙাইবা য়ায়ী শীংবুল্ য়াম্না য়াওবনি। পূক্লীং শুদ্ধংদ্রেবগী মশক ওইবা শ্রুতি কয়া কয়া য়াওরিবনি। শেল থুম্নচিংবা মহৈ কংননবগী মিহৌবা পোক্‌হন্‌বা ধর্ম্মগী য়াম্ন মকম মকমদা য়াওরিবনি। বেদগী মন্থংদা করি করিগুম্বা শ্রুতিনা কর্মগী মহৈবু পাম্‌হন্‌বা উৎতুনা ধর্ম্মগী ভবন্থ উৎপনি ॥৬॥

সত্যবাদী (অচুম্বতা ঙাঙবা) গুরুগী য়াথং অসি কংদুনা শিষ্যশিং অদুনা গুরুগী চরণ শোক্লা খুদ্রমখি। ব্যাসজীবু য়েংলোইননা কোয়রম্লগা মকম অদুদগী চংখি ॥৭॥

টীংথক্তগী কুমথরকুনা চাতুর্হোত্র কর্ম্মবু, হায়বদি— অগ্নিহোত্রদগী হৌনা সোমযাগ ফাওবগী মত্তাংবু তোভান্ তোভানা প্রচার তৌখি। গৃহস্থাশ্রমদা চঙনখিদুনা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুমসিবু যজ্ঞ তৌহন্‌দুনা (যজ্ঞ তৌননবগী অধিকার পীদুনা) অদুনা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য অসিনচিংবা··· দ্বিজাতিগী পূজা তৌননীঙার ওইদুনা লুংঙাইনা লৈনখি। ব্যাসগী শিষ্যশিং অসি যজমানশিংবু যজ্ঞ তৌহনবা অদুগা বেদশাস্ত্রবু প্রচার তৌবা তদ্বিবগী থবক্তদা পূক্লীং চঙদুনা লৈনখি। মখোয়গী মশিল্‌সিনতনা মখোয় খুদিংমক্ শ্রীসম্পত্তি কংদুনা লোকবিখ্যাত ওইখি, মকম পুম্বদা কাওখি ॥৮—৯॥

শিষ্যশিং অদুনা চংনপ্রবা তুংদা ব্যাস অসি মহাকী মচা শুক অদুত্তগা লৈহৌই, অতৈ কনা অমত্তা লৈহৌদ্রে। মহাজ্ঞানী ওইরবা ব্যাস অসি মতম পুম্বদা ধ্যান তৌদুনা লৈখি ॥১০॥

মতম অসিদা দেবর্ষি নারদ অসি ব্যাসগী আশ্রম অদুদা ব্যাসগা উনবা লাকই। থুম্নবা মেঙলবা খোম্বোক্লা থল্লবা মরেক্তনা শাবা নীংথিজরবা য়াহৈনা অস্থম্না হায়রকই.— ॥১১॥

হে ব্রহ্মর্ষিবাসিষ্ঠ! ওসিদি নহাকী আশ্রম অসিদা বেদপাঠগী খোঞ্জেল করিগী তাদে? নথন্ত তূমিন্ন ধ্যান তৌদুনা কদ্বিরিবসিনা করিগী? অস্থম য়েংবদা মহর্ষি নহাক অসি করিগুম্বা পোংশক হীরম অমগী-মমক য়াম্না লুংঙাইডনা চিন্তা তৌদুনা লৈবগুম্ উই ॥১২॥

বেদধ্বনি (বেদপাঠগী খোঞ্জেল) না য়াওদ্রবদা হায়রগুম্বা আশ্রম অসি ফজবা ওইদ্রে। রজগা তমগা

ঋষয়শ্চ হি দেবাশ্চ গন্ধর্ব্বাশ্চ মহৌজসঃ। বিযুক্তা ব্রহ্মঘোষেণ ন ভ্রাজন্তে যথা পুরা ॥১৫॥
নারদস্য বচঃ শ্রুত্বা কৃষ্ণদ্বৈপায়নোঽব্রবীৎ। মহর্ষে যৎ ত্বয়া প্রোক্তং বেদবাদবিচক্ষণ ॥১৬॥
এতন্মনোঽনুকূলং মে ভবানর্হতি ভাষিতুম্। সর্ব্বজ্ঞঃ সর্ব্বদর্শী চ সর্ব্বত্র চ কুতূহলী ॥১৭॥
ত্রিষু লোকেষু যৎ ভূতং সর্ব্বং তবমতেস্থিতম্। তদা জ্ঞাপয় বিপ্রর্ষে ব্রূহি কিং করবাণি তে ॥১৮॥
যন্ময়া সমনুষ্ঠেয়ং ব্রহ্মর্ষে তদুদাহর। বিযুক্তস্যেহ শিষ্যৈর্মে নাতিহৃষ্টমিদং মনঃ ॥১৯॥

নারদ উবাচ।

অনাম্নায়মলা বেদা ব্রাহ্মণস্যাব্রতংমলম্। মলং পৃথিব্যা বাহীকা স্ত্রীণাং কৌতূহলংমলম্ ॥২০॥
অধীয়তাং ভবান্ বেদান্ সার্ধং পুত্রেণ ধীমতা। বিধুন্বন্ ব্রহ্মঘোষেণ রক্ষোভয়কৃতং তমঃ ॥২১॥

অনীনা কূপশ্রব', রাহুনা উমশ্রবা চন্দ্রমাগা অক্কা ওইরে। দেবর্ষিশিংতনা থম্না লৈশ্রবা চীংলমদম অসি বেদধ্বনিনা য়াওদ্রবসিদা হায়গুম করিমতা ফজবা ওইদ্রে ॥১৩—১৪॥

মকম অসিগী ঋষি দেবতা, কন্নবা গন্ধর্ব্বশিং অসিসু বেদধ্বনিনা য়াওথিদ্রবা— মতাথিদ্রবা অসিদা মথোয়গী ফজবা করিমতা লৈথিদ্রে ॥১৫॥

দেবর্ষি নারদগী য়াসি তাবদা মহর্ষি ব্যাসনা অসুম্না হায়,—বেদবিদ্যাবু লোইনা খঙবি হৈবিরবা দেবর্ষি। তাকপী-হংবিরিবদো হ'য়' চুমশ্রবা ঐগী পুক্নীংগী মতুংইন্না হায়দোকপিরকপা ভাক্কা ওই। দেবর্ষিগুম্বতনা হায়বদা হংবদা মতীক চায়বা ভাক্তনি। দেবর্ষিদি লোইনা খঙলবা, লোইনা উরবা অহুগা মকম মতম পূয়মকতা লৈবা জীব জন্তু পূয়মক্কী য়াবু খঙনীংবহুতদা হৈনয়বা, মাহুদা সুংঙাইজরবা মুনি অমনি ॥১৬—১৭॥

মরোল অহুমদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক পূম্বা, অহুগা মমাংঙৈদা থোকখ্রিবশিং অহুবুসু লোইনা তেংনা খঙদোক্লবা উরবা দেবর্ষি নহাক্লি। দেবর্ষি! করিগী লেঙবিরকপনো? করি করম সেবা তৌজো হায়বগে ॥১৮॥

ব্রহ্মর্ষি নারদ! মতম অসিদা ঐ করি তৌকম থোকপগে, অহুসু তাক‌্পিয়ু, ঐগী শিষ্যশিংনা ঐবু থাদোক্লনা চৎথিনসিদা ঐগী পুক্নীংদা মুংঙাইবা কৌবা লৈথিদ্রে ॥১৯॥

নারদনা হায়,— ব্যাসজী!

বেদবু তম্নগা তম্লিবহুবু, নৈনদবহু তম্লিবদগী দোষনি।
আচার-বিচার-ব্রতবু ভাকবা, ব্রাহ্মণগী চাউরবা দোষনি॥
তৌহৈবা-তৌহৈদবা থায়দবা, দেশদো পৃথ্বীগী দোষনি।
কৃম্মৈ-কিয়োং-ঈয়াংবু পাম্বা, নুপীগী চাউরবা দোষনি ॥২০॥

মরম অহুনা ঋষি! বেদ উচ্চারণগী ধ্বনিনা, হিংচা মাইতম্বশিংনা পোকহন্‌বা অমম্বহুবু— কোকুম্ন কোক্‌হন্না শিংল-হৈরবা নচা শুকদেবসিগা হায়গুম্না বেদপাঠ তৌহুনা লৈবিয়ু ॥২১॥

ভীষ্ম উবাচ।

নারদস্য বচঃ শ্রুত্বা, ব্যাসঃ পরমধর্ম্মবিৎ। তথেত্যুবাচ সংহৃষ্টো বেদাভ্যাসদৃঢ়ব্রতঃ ॥২১॥
শুকেন সহ পুত্রেণ বেদাভ্যাসমথাকরোৎ। স্বরেণোচ্চৈঃ স শৈক্ষ্যেণ লোকানাপূরয়ন্নিব ॥২৩॥
তয়োরভ্যাসতোরেব নানাধর্ম্মপ্রবাদিনো। বাতোঽতিমাত্রঃ প্রববৌ সমুদ্রানিলবেজিতঃ ॥২৪॥
ততোঽনধ্যায় ইতি তং ব্যাসঃ পুত্রমবারয়ৎ। শুকো বারিতমাত্রস্তু কৌতূহল সমন্বিতঃ ॥২৫॥
অপৃচ্ছৎ পিতরং ব্রহ্মন্ কুতো বায়ুরভূদয়ম্। আখ্যাতুমর্হতি ভবান্ বায়োঃ সর্ব্ববিচেষ্টিতম্ ॥২৬॥
শুকস্যৈতৎ বচঃ শ্রুত্বা ব্যাসঃ পরমবিস্মিতঃ। অনধ্যায়নিমিত্তেঽস্মিন্নিদম্বচনমব্রবীৎ ॥২৭॥
দিব্যং তে চক্ষুরুৎপন্নং স্বস্থং তে নির্মলং মনঃ। তমসা রজসা চাপি ব্যক্তঃ সত্ত্ব ব্যবস্থিতঃ ॥২৮॥
আদর্শে স্বামিবচ্ছায়াং পশ্যস্যাত্মনমাত্মা। ব্যস্তাত্মনি স্বয়ং বেদান বুদ্ধ্যা সমনুচিন্তয় ॥২৯॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! নারদগী বা অসি তাবদা মহাজ্ঞানী ওইরবা, ধর্ম্মগী তত্ত্ব পুম্বা খঙলবা ব্যাসনা "য়াম্না ফরে" অসুম হায়দুনা নারদগী য়াথং অদু য়ারে। অদুগী তুংদা হয়াঙ মুংঙাইবগা লোয়ননা বেদাভ্যাসগী মশক ওইরবা ব্রতবু ধারণ তৌদুনা লৈথি ॥২২॥

মহাক্না মচা শুকগা লোয়ননা খোঞ্জেল হৌনা, মাহুগী খোঞ্জেল মনীলদুনা মাইপৈ পুম্বা পুরীনীলহনা বেদপাঠ তৌবা হৌরক্লে ॥২৩॥

ধর্ম্মগী বত্তবু মুম্না খঙলবা ব্যাস শুক মপা মচা অনীনা খোঞ্জেল হৌনা বেদপাঠ তৌরকপা মতমসিদা সমুদ্রোমদগী হুংশিংনা যুজিন্নকপদা আঁধী (অকন্বা নোং হুংশিং) লাকপা হৌই ॥২৪॥

পাঠ তৌবা য়াদবা অনধ্যায়গী মতম লাক্লে হায়দুনা ব্যাসনা মচা শুকবু বেদপাঠ তৌবা য়াদ্রে হায়দুনা থিংখি। মথানা অদুম থিংবদুদা শুকদেবনা মাহুগী মরমদু খঙনীঙবগা লোয়ননা মপুক্লীং য়াম্না লাঙতদুনা লৈথি ॥২৫॥

মহাক্না মপা ব্যাসদা অসুম্না হায়থি,— ব্রহ্মন্! পিতৃদেব! হুংশিং অসি কদায়দগী কয়না হৌরক্লিবনো? হুংশিংসিনা তৌরিবা থবক পুম্বা লোইনা অমুক্তা হায়বিয়ু ॥২৬॥

শুকদেবগী ৱাহু তাবদা ব্যাস অসি পুম্নক্ ঙকখি। অনধ্যায় (পাবা য়াদবা মতম) গী মরম তাকনা তাকনা অসুম্না হায়খি ॥২৭॥

ইবুঙো! নং নশানা দিব্যদৃষ্টি ফংলবনি। অদুগী মথক্ত নংগী থম্মোয়সু ওংহোক্লা মকুপ্রবনি। মহাক রজোগুণ তমোগুণ অনীমক্তগী থাংম লাম্হোকখিদুনা সত্ত্বগুণদা তোংদুনা লৈরবা মীশক অমনি ॥২৮॥

মীনা মিরোন্দা মশক য়েংবগুম মহাক্ত আত্মাবু সাক্ষাৎকার তৌরবা মীশক অমা ওইরবনি। মরমদুনা নং মশামক্ বেদজ্ঞানশিং অসিবু নং নশা নখস্তনা হকচাংদুদা পুশিন্দুনা বুদ্ধিগী পাখৈভনা, অনধ্যায়গী কারণ (মরম) অসি মুম বিচার তৌ ॥২৯॥

দেবযানচরো বিষ্ণোঃ পিতৃযানশ্চ তামসঃ। দ্বাবেতৌ প্রেত্য পন্থানৌ দিবং চাধশ্চগচ্ছতঃ ॥৩০॥
পৃথিব্যামন্তরিক্ষে চ যত্র সংবান্তি বায়বঃ। সপ্তৈতে বায়ুমার্গা বৈ তান্নিবোধানুপূর্ব্বশঃ ॥৩১॥
তত্র দেবগণাঃ সাধ্যা মহাভূতাঃ মহাবলাঃ। তেষামপ্যভব পুত্রঃ সমানো নাম দুর্জ্জয়ঃ ॥৩২॥
উদানস্তস্য পুত্রোঽভূৎ ব্যানস্তস্যাভবৎ সুতঃ। অপানশ্চ ততো জ্ঞেয়ঃ প্রাণশ্চাপি ততোঽপরঃ ॥৩৩॥
অনপত্যোঽভবৎ প্রাণ দুর্ধর্ষঃ শত্রুতাপনঃ। পৃথক্ কর্ম্মাণি তেষাং তে প্রবক্ষ্যামি যথাতথম্ ॥৩৪॥
প্রাণিনাং সর্ব্বতো বায়ুশ্চেষ্টাং বর্ত্তয়তে পৃথক্। প্রাণনাচ্চৈব ভূতানাং প্রাণ ইত্যভিধীয়তে ॥৩৫॥
প্রেরয়ত্যভ্রসংঘাতান্ ধূমজাংশ্চোষ্মজাংশ্চ যঃ। প্রথমঃ প্রথমে মার্গে প্রবহোনাম যোঽনিলঃ ॥৩৬॥
অম্বরে স্নেহমভ্যেত্য বিদ্যুদ্ভ্যশ্চ মহাদ্যুতিঃ। আবহোনাম সংবাতি দ্বিতীয়ঃ শ্বসনোনদন্ ॥৩৭॥
উদয়ং জ্যোতিষাং শশ্বৎ সোমাদীনাং করোতি যঃ। অন্তর্দ্দেহেষু চোদানং যং বদন্তি মনীষিণঃ ॥৩৮॥

শিরবা তুংদা মথক্লোমদা চৎখিবগী লম্বী অমা, মথারোমদা চৎখিবগী লম্বী অমা, লম্বী (মার্গ) অনীনি। অমনা দেবযান কৌবা বিষ্ণুলোককী লম্বীনি। অদুনা লম্বী শুদ্ধ সাত্বিকমার্গনি। অমনা পিতৃযাননি। তামসিক মার্গনি ॥৩০॥

লৈথক্ লৈখা অনীমক্তা শীংলিবা হংশিং অসিগী শীংননবগী (চৎননবগী) লম্বী তরেৎনি। মখোয় অতুগী মরমদা মথংশীংনা তরো ॥৩১॥

আকাশদা অদুগা পৃথ্বীদা মপাঙ্গল কল্লবা পঞ্চমহাভূতকী মশক্ ওইরবা সাধ্য কৌবা দেবতাশিংনা মশক উহন্দনা হঙৎ হন্দা চৎতুনা লৈরি। মখোয়গী অমনা থিংব, কাবা ওমুকত্রবা মচা অমা লৈ। মাগী মমিং সমান কৌই ॥৩২॥

সমানগী মচানা উদান, উদানগী মচানা ব্যান, ব্যানগী মচানা অপান কৌই হায়রসি খঙগদবনি। অপান কৌবদুদগী প্রাণ পোকই ॥৩৩॥

প্রাণগীদি মচা অমতা পোকত্রে। মহাক্তি ওন্থোক্না কনপ্রবা, য়েক্লবশিংদা মাঙথীবা পীওবা, অমনা ভুক্তত্রনা দুংশিংনি। মখোয়গী তোঙান্ তোঙান্বা মথৌ ঐ চপচানা হায়গে তাও ॥৩৪॥

বায়ুদেবতা অচচ্চত্র জীব পান্বা পুম্নমকী তোঙান তোঙান্বা মথৌবু পাঙথোক্পি। অচচ্চত্র জীবপান্ব থিবিকপু হিংতন্লি। অদুনা বায়ুদেব মশামক্ প্রাণ কৌই ॥৩৫॥

মৈখু অমদি অশাবা মনিল্দগী পোকপা লৈচিন্ (নোং) উনবু অমদগী অমদা কোয়পু পুন্নিবা, ঈহান্ হান্বা মার্গ (লম্বী) দা চৎলিবা, শীংলিবা বাযু অদুবুনা "প্রবহ" কৌই ॥৩৬॥

আকাশদ' মশগী মাত্রাশিংবু পোক্হনগদবগী অদুগা নোংথাংবু পোক্হনগদগী শীংলিবা কল্লবা অনীশুবা দুংশিং অদু "আবহ বাযু" হায়না খঙনৈ। মহাক্তি খোঙ্গেল য়াম্না হৌনা শীংলি ॥৩৭॥

চুমিং থাবু অদুগা গ্রহশিংবু খোকহল্লিবা উহল্লিবা অদুগা মহাকপু বৈজ্ঞানিকশিংনা উদান কৌরিবা

যশ্চতুর্ভ্যঃ সমুদ্রেভ্যো বায়ুর্ধারয়তে জলম্। উদ্ধৃত্যাদদতে চাপো জীমূতেভ্যোঽম্বরেঽনিলঃ ॥৩৯॥
যোঽদ্ভিঃ সংযোজ্য জীমূতান্ পর্জন্যায় প্রযচ্ছতি। উদ্বহো নাম বংহিষ্ঠস্তৃতীয়ঃ স সদাগতিঃ ॥৪০॥
সমূহ্যমানা বহুধা যেন নীতাঃ পৃথগ্ জনাঃ। বর্ষমোক্ষকৃতারম্ভাস্তে ভবন্তি ঘনাঘনাঃ ॥৪১॥
সংহতা যেন চাবিদ্ধা ভবন্তি নদতাং নদাঃ। রক্ষণার্থায় সম্ভূতা মেঘত্বমুপয়ান্তি চ ॥৪২॥
যোঽসৌ বহতি ভূতানাং বিমানানি বিহায়সা। চতুর্থঃ সংবহো নাম বায়ুঃ স গিরিমর্দনঃ ॥৪৩॥
যেন বেগবতা রুগ্না রুক্ষেণ রুজতা নগান্। বায়ুনা সহিতা মেঘাস্তে ভবন্তি বলাহকাঃ ॥৪৪॥
দারুণোৎপাতসঞ্চারো নভসঃ স্তনয়িত্নুমান্। পঞ্চমঃ সমহাবেগো বিবহো নাম মারুতঃ ॥৪৫॥
যস্মিন্ পরিপ্লবা দিব্যা বহন্ত্যাপো বিহায়সা। পুণ্যং চাকাশগঙ্গায়াস্তোয়ং বিষ্টভ্য তিষ্ঠতি ॥৪৬॥
দূরাৎ প্রতিহতো যস্মিন্নেকরশ্মির্দিবাকরঃ। যোঽনরংশুসহস্রস্তু যেন ভাতি বসুন্ধরা ॥৪৭॥

বায়ুনা সমুদ্র মরিগী ঈশিংবু মথক্তোমদা চিংৎথগা জীমূত কৌবা নোংশিংদা হাপ্পুরিবা, অদুগা জীমূত কৌবা নোংদা ঈশিংদুবু কংহল্লুবিবা, অদুগী তুংদা পর্জন্য কৌবা নোং তাম্ন থিল্লরিবা অদুগুম্বা অচৌবা বায়ু অদুবু উদ্বহ হায়না কৌই। মাগী মার্গ (লম্বী) না অদুম শুবনি ॥৩৮—৪০॥

নোংবু মকম অমদগী অমদা কোয়চাং চাংদুনা পুরিবা, মকম অমদা পুল্লপ পুন্শিন্নহল্লগা, য়াম্না কুণ্ড-শিল্হল্লগা ঈশিং ওইনা মরী মরী চুথহল্লরিবা, মহাক্না ঈহিল্ থেংজিন্নকপদা কুণ্ডলবা নোংশিং অদুবু অমুক্ মচেং মচেং থোক্না থুগাইদুনা চাইথাইরিবা মুংশিং অসি মরক্ মরক্ত বেণুগী খোজেলগুম ওংই। অদুনা মহাকপু নদ হায়না কৌনৈ। অদুদগী জীবগাবশিংবু ঙাক্নবগী দমক্ত ঈশিং মরীক্ ময়াম্বু মায়গৈ পুম্বদগী খোমজিন্নে হায়রগা মশামকন্ন ঘনীভূত (কুণ্ডশিল্ কমজিন্নকপা) অসিগুম্বা মুংশিং মহাকসিদা দেবতাশিংগী বিমানবু আকাশমার্গদা মশামক্না চিংদুনা পুই। য়াং-চাউরবা চাউ মান্ কয়া লাম্থোক্নুনা চংখি। অসিগুম্বা মপাঙ্গল কল্লবা মুংশিং অসিবু "সংবহ" হায়না কৌই ॥৪১— ৪৩॥

অদুগা য়াম্না শাথিনা শাউদুনা, খোজেল ,হৌনা ওংদুনা লাউদুনা চাউর চাউরবা হৈপাল লৈপংল—উজাউবু যুক্তোক্নুনা প্রলয় তৌরগে হায়রবগী মত্তাগুম শিল্লরিব্য মুংশিং অদুনা খোমজিন্নরিবা নোংমতুমশিং অদু "বলাহক" হায়না কৌনৈ। অসিগুম্বা মুংশিংকী গতি অসি মহা অকিবগী মশকনি। মহাক্না অতিয়া (অহাংব) দা তাউদুনা চৎলিবা চাউর চাউরবা নোং-মপাক্-মতুমশিংবু পুদুনা চংলি। অসিগুম্বা য়াম্না মপাঙ্গল শাফু কল্লবা, মত্তাগুবা মুংশিং অদুবু "বিবহ" হায়না মিংথোন্থি ॥৪৪—৪৫॥

অদুগুম্বা মুংশিং অদুনা আধার ওইদুনা ঈশিং মরী মরীনা নোমদোম্বক্তা চুয়েলগুম চেংলিবা, মন্দা-কিনী আকাশগঙ্গাগী ঈশিংবু পুদুনা চৎলিবা, অদুগা মুংশিং অদুগী পাম্বৈনা অরাপ্পদগী থিংদুনা থমথিবনা মতাল্ পুম্নমক্কী পোক্নকম ওইরবা পৃথিবীসিবু মশক উৎহল্লিবা সূর্য্যদেব (নুমিৎ কৌবা লাই) অসিবু মতাল্ মকোয় অমথক্ত পুদুনা লৈবগুম উৎহল্লিবা, অমৃতগী মশক ওইরবা চন্দ্রমা (থাজ) অসিবুসু ভরণ পোষণ

যস্মাদাপ্যায়তে সোমো নিধির্দিব্যোঽমৃতস্য চ। ষষ্ঠঃ পরিবহো নাম স বায়ুর্জয়তাং বরঃ ॥৪৮॥

সর্ব্বপ্রাণভৃতাং প্রাণান্ যোঽন্তকালে নিরস্যতি। যস্য বর্ত্মানুবর্ত্তেতে মৃত্যুবৈবস্বতাবুভৌ ॥৪৯॥

সম্যগন্বীক্ষতাং বুদ্ধ্যা শান্তয়াধ্যাত্মনিত্যয়া। ধ্যানাভ্যাসাভিরামানাং যোঽমৃতত্বায় কল্পতে ॥৫০॥

যং সমাসাদ্য বেগেন দিশামন্তং প্রতিপেদিরে। দক্ষস্য দশপুত্রাণাং সহস্রাণি প্রজাপতেঃ ॥৫১॥

যেন সৃষ্টঃ পরাভূতো যাত্যেব ন নিবর্ত্ততে। পরাবহো নাম পরো বায়ুঃ স দুরতিক্রমঃ ॥৫২॥

এবমেতে দিতেঃ পুত্রা মারুতাঃ পরমাদ্ভুতাঃ। অনারতং তে সংবান্তি সর্ব্বগাঃ সর্ব্বধারিণঃ ॥৫৩॥

এতত্তু মহদাশ্চর্য্যং যদয়ং পর্ব্বতোত্তমঃ। কম্পিতঃ সহসা তেন বায়ুনাভিপ্রবায়তা ॥৫৪॥

বিষ্ণোর্নিশ্বাসবাতোঽয়ং যদা বেগসমীরিতঃ। সহসোদীর্য্যতে তাত জগৎ প্রব্যথতে তদা ॥৫৫॥

তস্মাৎ ব্রহ্মবিদো বেদান্ নাধীয়ন্তেঽতিবায়তি। বায়োর্বায়ুভয়ং হ্যুক্তং ব্রহ্ম তৎপীড়িতং ভবেৎ ॥৫৬॥

তৌরিবা (মচাক্ হন্দুনা য়োকৃপি-থাকপিরিবা) জয় ওইহনা হিংহনা লৈরিবশিংগী মহুংদা অথোইবা ওই-রিবা, তরুকওবা বায়ু অসি পরিবহ হায়না মমিং চংলি ॥৪৬—৪৮॥

অহুগা অসিগুম্বা মুংশিং অমহ লৈরি,— মহাক্না অন্তকালদা অচচত্ত জীব পূরমকী থবায় মুংশিংপু হকচাং (মশা) দগী মপান্দা থোরকহন্নি প্রাণবায়ুবু মপান্দা পুথোরক্লিবা মহাকী লম্বীদা মৃত্যু কৌবা লাইনা অহুগা বৈবস্বত যমনা মাগী মতুং ইন্নহনা চংলি। মগাক অহুতনা অধ্যাত্মচিন্তাদা লুপহনা শান্তিগী মশক ওইরবী বুদ্ধিগী পান্থনা আত্মতত্ত্ববু থিরিবা, অভ্যাসযোগীশিংদা মুংঙাইবা পী ॥৪৯—৫০॥

মহাকী মথক্তা তোংহনা দক্ষপ্রজাপতিগী মচা লিশিং-তরানা মায়পৈ পৃথ্বীগী ওমথৈ যৌবা হুকং হন্দা চংথিবা, অহুগা মুংশিং মহাকী মমুংদা চঙথিবা অমদি যৌগ্রবা জীবপান্বা কনা অমতনা অমুক হন্নকদ্রবা, অহুগুম্বা তরেৎওবা মুংশিং অহুগী মমিং "পরাবহ" কৌই। মহাকী শক্তিবু লাহোক্নমা চংথিবা হায়বসি ওইথোক্তবা অরুবা থবক অমনি ॥৫১—৫২॥

অসিগুম্বা বায়ু (মুংশিং) তরেৎ অসি দিতিগী মচা ওাক্তনি। মথোয়গী গতিদি মকম পূরমক্তনি। হায়বদি— মথোয়না য়োদবা লম লৈতে। অতৎ অথম্ লৈত্তনা চৎতুনা (লীংতুনা) লৈ। অহুগা মথোয়না পোৎ পূরমকপু পুহনা (থাংহনা) লৈরি ॥৫৩॥

মাসিম্ব য়ায়া অঙকপা থৌদোক অমনি, মাহুদি - অসিগুম্বা মুংশিং অসিনা য়ৈবদা শোকপদা হিমালয় চীংজাউ কাওবা নীকই ॥৫৪॥

ইবুঙো! অসিগুম্বা মহাবায়ু অসি ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী মুংশাশোরনি। ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা পূরপ অমুত্তং হোন্দোয়কপদা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড লৈকম থঙগ্রিবনি ॥৫৫॥

মরম অহুনা ব্রহ্মতত্ত্ব থঙবা বিদ্বান্‌শিংনা মুংশিং কন্না লীংলকপা মতমদা বেদপাঠ তৌদে,— বেদ তায়দে, অনধ্যায় ওই। বেদমু ভগবানগী মুংশাশোরনি। মপান্দা লীংলিবা মহাবায়ু অসিমু ভগবান্ মহাকী

এতাবদুক্ত্বা বচনং পরাশরসুতঃ প্রভুঃ। উক্ত্বা পুত্রমধীষ্বেতি ব্যোমগঙ্গামগাত্তদা ॥৫৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি অনধ্যায়-নিমিত্ত-কথনংনাম ত্রয়োবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২৩॥

——:(✽):——

হুংশোশোয়নি। অহুনা, মুংশিংনা কল্লা শীংলকপা মতমদা বাযু অমগা বাযু অমগা থেঙ্গাইনহুনা য়াম্না খুদোং খানীওঙাই ওই। মতম অহুদা বেদদা য়াম্না শাথিবা চৈনা অমা পী ॥৫৬॥

অনধ্যায়গী মরমদা য়াহৈ অম'নীসি হায়রগা পরাশরনন্দন ভগবান্ ব্যাসনা মচা শুকদেবদা 'অহুনা, হৌজিক্তি বেদপাঠ তৌরো" অসুম্না হায়রল্লগা আকাশগঙ্গাগী মপান্তাম্না চৎখি ॥৫৭॥

মসম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা অনধ্যায় নিমিত্ত কথনগী চহুমপা কুনুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৩॥

——:(✦):——

মণিপুরী মহাভারত

চতুর্বিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শুকদেবদা নারদনা বৈরাগ্যগী জ্ঞান তাক্পা)

চহুমপা কুমরিশুবা অধ্যায়

——:(✽):——

ভীষ্ম উবাচ।

এতস্মিন্নন্তরে শূন্যে নারদঃ সমুপাগমৎ। শুকং স্বাধ্যায় নিরতং বেদার্থান্ বক্তুমীপ্সিতান্ ॥১॥

দেবর্ষিং তু শুকো দৃষ্ট্বা নারদং সমুপস্থিতম্। অর্ঘ্যপূর্ব্বেণ বিধিনা বেদোক্তেনাভ্যপূজয়ৎ ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! ব্যাসনা চৎপ্রবা মতুংদা ঈচীক্ চীল্লবা আশ্রম অহুদা শুকদেবনা মধনুত্তা বেদবিধিগী মতুংইন্না পূজাগী পোচ্চংনা ভগবান্গী আরাধনা অমদি পূজা তৌহুনা লৈ। নিয়ম কায়দনা বেদ পাঠ তৌই। অহুম্না লৈরিঙৈদা নোংমা নারদনা বেদগী-অর্থতত্ত্ব হায়গে হায়বগীদমক মফমদুদা লাক্খি ॥১॥

শুকদেবনা পূজাগী হৌনবী বিধি কায়দনা নারদদা অর্ঘ্যদান তৌই। খুৎ লোয়হুনা নোম্লুকপদা লোয়-নবা কবহুনা লৈ ॥২॥

নারদোঽথাব্রবীৎপীতো ধন্যোহসি শ্রুতভূষণ। কেন ত্বাং শ্রেয়সা বৎস যোজয়ামীতি চাব্রবীৎ ॥৩॥
নারদস্য বচঃ শ্রুত্বা শুকঃ প্রোবাচ ভারত। অস্মিঁল্লোকেহিতং যৎ স্যাৎ তেন মাং যোক্তুমর্হসি ॥৪॥

নারদ উবাচ।

তত্ত্বং জিজ্ঞাসতাং পূর্ব্বমৃষীণাং ভাবিতাত্মনাম্। সনৎকুমারো ভগবানিদং বচনমব্রবীৎ ॥৫॥
নাস্তি বিদ্যাসমং চক্ষুর্নাস্তি সত্যসমংতপঃ। নাস্তি রাগসমংদুঃখং নাস্তি ত্যাগসমংসুখম্ ॥৬॥
নিবৃত্তি কর্ম্মণঃ পাপাৎ সততং পুণ্যশীলতা। সদ্‌বৃত্তিঃ সমুদাচার শ্রেয় এতদনুত্তমম্ ॥৭॥
মানুষ্যমসুখপ্রাপ্য যঃ সজ্জতি সমুহ্যতি। নালং স দুঃখমোক্ষায় সংযোগো দুঃখলক্ষণম্ ॥৮॥
সক্তস্য বুদ্ধিশ্চলতি মোহজালবিবর্দ্ধিনী। মোহজালাবৃতো দুঃখমিহ চামুত্র সোহশ্নুতে ॥৯॥
সর্ব্বোপায়াত্তু কামস্য ক্রোধস্য চ বিনিগ্রহঃ। কার্য্যঃ শ্রেয়োঽর্থিনা তৌ হি শ্রেয়োঘাতার্থমুদ্যতৌ ॥১০॥

থোইদোক্না পেল্লবা নারদনা অস্তুম্না হায়রকই,— "ঈবুঙো। নহাক্তি ধর্ম্মশাস্ত্রশিংগী মসুংদা খ্বাইদগী অথোইবনি। হায়ু নংনা পাম্বা খ্বাইদগী অথোইবা পোৎশক অমা। মাদু পীগে করিনো হায়ু।" নারদনা মাহে অসি য়াম্না নুংশিনা হায়বনি ॥৩॥

ভরতনন্দন। যুধিষ্ঠির। নারদগী ৱা অসি তাবদা শুকদেবনা অস্তুম্না হায়খি,— হন্দকী লোক অসিদা খ্বাইদগী মঙ্গল ওইবা জগৎকী কান্নবা পাউতাক অদু পীবিয়ু ॥৪॥

নারদনা হায়,— ঈবুঙো। মমাংঙৈদা পুকচেল শেংলবা ঋষিশিংনা তত্ত্বজ্ঞান হংনবগীদমক্তা মাহাক খন্না হংখি। মাদুগী পাউখুম ওইনা সনৎকুমারনা মথোৎদা পাউতাক পীখি ॥৫॥

বিদ্যাগা মান্নবা মীৎ অমা লৈত্রবনি।
অচুম্বা ওাঙবগা মান্নবা তপস্যা'ম লৈত্রবনি ॥
অশাউবগা মান্নবা অৱাবা অমা লৈত্রবনি।
থাদোকপগা মান্নবা নুংঙাইবা'ম লৈত্রবনি ॥৬॥

পাপকর্ম্মদগী লাপথোক্লা লৈবা, পুণ্যকর্ম্ম-ত তৌদুনা লৈবা, ধর্ম্মচেন্‌ব সজ্জনশিংগতা সঙ্গ তৌবা, আচার বিচার খায়না চৎপা, মখোয়সিভনা অথোইবা মঙ্গলগী সাধননি, খুৎলায়নি ॥৭॥

নুংঙাইবা হায়বদগী লেশমাত্র য়াওত্রবা, তাইবং হকচাংসিবু ফংলগা, মাসিদা নুংঙাইথোক্‌খিদুনা সংসারগী বিষয়দা নুপঞ্জবা মী মহাক অদুদি ভাওরবনি, ওম্বংলবনি। বিষয়শিংগা তিন্নবা হায়বসিমক অৱাবগী মশক্তি, অদুনা সংসারগী করিগুম্বা অমত্তনা জীববু অৱাবদগী লাম্বোকহনবা ঙমদে ॥৮॥

বিষয়শিংদা আসক্তি থমগ্রবা মীদুগী বুদ্ধিদি ওহাক্ তুমিন্ লৈতমনি, পুম্নমক লেঙবনি। মশা মথন্তা কান্নিন্ অমদা লাং থাকনবগী অম ব শান্ননবগী খুৎলায়দ্রুম ওইবনি। ওম্বংলগী লাংদা থুম্বা মী মহাক অদু ইহলোক পরলোক অনীমক্তা অৱাবভনা মাগী শরক্ ওইদুনা লৈবনি ॥৯॥ পুন্‌শিদা মঙ্গল ওইবভবু ফংজনীংবা মী অমুমি

নিত্যং ক্রোধাৎ তপো রক্ষেচ্ছ্রিয়ং রক্ষেচ্চ মৎসরাৎ। বিদ্যাং মানাবমানাভ্যামাত্মানং তু প্রমাদতঃ ॥১১॥
আনৃশংস্যং পরো ধর্ম্মঃ ক্ষমা চ পরমং বলম্। আত্মজ্ঞানং পরং জ্ঞানং ন সত্যাৎ বিদ্যতে পরম্ ॥ ২॥
সত্যস্য বচনং শ্রেয়ঃ সত্যাদপি হিতং বদেৎ। যৎ ভূতহিতমত্যন্তমেতৎ সত্যং মতং মম ॥১৫॥

করিগুম্বা উপায় অমনা কাম ক্রোধবু নমথত্না থম্নবা হোৎনগদবনি। মরমদি মখোয় অসিনা তাইব মীগী মঙ্গল ওইগদবা লম্বীবু মুথংলি ॥১০॥

তপস্যাবু অশাউবদগী, লক্ষ্মীবু মিহৌবা— মীগী মরূল্ উরগা চাকপদগী, বিদ্যাবু অচোপ-অরেম্‌দগী, মশা মথন্তবু ঙাওবা শুম্বাৎপদগী ঙাক্কনবনি, কন্‌গদবনি ॥১১॥ *

তম্থিবা শাজংপু থাদোকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবা ধর্ম্মনি। ঙাকপিহৈবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবা পাঙ্গলনি। আত্মাগী জ্ঞানতনা খ্বাইদগী অথোইবা জ্ঞাননি। সত্যদগী হেন্‌বা সংসারদা করিগুম্বা পোৎশক অমতা লৈত্রে ॥১২॥ অচুম্বা ঙাঙবনা খ্বাইদগী অথোইবনি। অচুম্বা ঙাঙবদগীসু কান্নবা ঙাঙবনা

---

* করিগুম্বা অকবা পোৎশক অমতং ফংননবগী দমক্তা তাইবংমীনা তপস্যা তৌনরিবনি; চরা হেন্‌হুনা অরাবা থাংহুনা লৈনরিবনি। অদুগুম্বা তপস্যা ব্রত অদুগী মশাদা রাবদগী "অশাউবা" হায়বসি লাক্নবগী-ত হোৎনৈ। লাক্লবদি তপস্যাদু করিমতা ওইদ্রে। মরম অদুনা, তপসাবু অশাউবা হায়বদুদগী কনগদবনি। বিদ্যাবু অপমানদগী কন্‌গদবনি। মরমদি অয়াম্বনা বিদ্যা হায়বসি লেমথোক্লনবগী, ফম্ ফংননবগী, মিংচৎকী দমক্তা তান্নে। শেল্ থুম্ ফংননবা অদুগা ফুবা দলাল শাননবগী উদ্দেশ্যদা বিদ্যা তান্নবা ওইনা তৌনম্নি। সমাজদা মান-মর্য্যাদা ফংননবগী দমকসু অয়াম্বনা বিদ্যা তান্নে। অদুগুম্বা, মান-সম্মান মিংচৎ পাম্বা হায়বহুনা হেক্ চঙঙক্‌পদা বিদ্যা অদু করিমতা ওইদ্রে। বিদ্যা হায়বা কাও য়াদ্রে। অদুনা, বিদ্যাবু মান অপমানগী রাথলদগী কন্‌গদবনি, ঙাকথোক দীবনি। শুম্বাৎপগী লাংদবু তারবদি ঐ ঐ হায়মিবসি করিমতা লৈত্রে। মরম অদুনা শুম্বাৎপা ঙাওবা জ্ঞান তাদবদগী ঈশা ঈশাবু কন্‌গদবনি। ধর্ম্মকর্ম্ম লথা অমা তৌহুনসু— তম্থিরবদি চৎলিবা ধর্ম্ম অদু ধর্ম্ম নত্রে, তৌরিবা কর্ম্ম অদু কর্ম্ম নত্রে। মরম অদুনা তম্থিবা লিংজেল্ থাববু থাদোক্‌পা হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবা ধর্ম্মনি। মীগী মরাল ত থিরগা ফুবা চৈবা. মানা ঙম্বা তবু থিরগা হাৎপা-তুম্বা, মাদা থাজৎপা ওম্বজবু থাঙৎপা হায়বদুনা পাঙ্গল ওইবা নত্তে। মীগী মরালবু ঙাকপিদুনা, মী লিশিং লিশিংবু জ্ঞান ঙাকপিদুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎহন্‌বা ঙম্বা মী মহাক অদুবু অকন্‌বা, মপাঙ্গল কন্‌বা মী কৌই। মৈ ঈশিংনচিংবগী হকবু থঙব, অদুতনা অথোইবা জ্ঞান নত্তে। উরিবা মৈ. ঈশিংনচিংবা পোৎশকশিং অসিগী গুণকর্ম্ম খঙবা অদুতবু জ্ঞান কৌবা য়াবা নত্তে। উনজ্রিবা আত্মাগী তত্ত্ববু খঙবা (জ্ঞান) অদুতনা অথোইবা জ্ঞান কৌই। আত্মানা খ্বাইদগী অথোইবনিনা আত্মাগী তত্ত্বজ্ঞান তনা খ্বাইদগী অথোইবা জ্ঞাননি ॥

(কালাচাঁদ)

সর্ব্বারম্ভপরিত্যাগী নিরাশীর্নিষ্পরিগ্রহঃ। যেন সর্ব্বং পরিত্যক্তং স বিদ্বান্ স চ পণ্ডিতঃ ॥১৪॥
ইন্দ্রিয়ৈরিন্দ্রিয়ার্থান্ যশ্চরত্যাত্মবশৈরিহ। অসজ্জমানঃ শান্তাত্মা নির্বিকারঃ সমাহিতঃ ॥১৫॥
আত্মভূতৈরতদ্ভূতঃ সহ চৈব বিনৈব চ। স বিমুক্তঃ পরং শ্রেয়ো ন চিরেণাধিতিষ্ঠতি ॥১৬॥
অদর্শনং সংস্পর্শস্তথা সম্ভাষণং সদা। যস্য ভূতৈঃ সহ মুনে স শ্রেয়ো বিন্দতে পরম্ ॥১৭॥
ন হিংস্যাৎ সর্ব্বভূতানি মৈত্রায়ণগতশ্চরেৎ। নেদং জন্ম সমাসাদ্য বৈরং কুর্ব্বীত কেনচিৎ ॥১৮॥
আকিঞ্চন্যং সুসন্তোষো নিরাশীস্ত্বমচাপলম্। এতদাহুঃ পরং শ্রেয় চ আত্মজ্ঞস্য জিতাত্মনঃ ॥১৯॥
পরিগ্রহং পরিত্যজ্য ভব তাত জিতেন্দ্রিয়ঃ। অশোকং স্থানমাতিষ্ঠ ইহ চামুত্র চাভয়ম্ ॥২০॥

অমুক হেল্লি। জীব ান্বা পূম্নমক্কী কান্নবা ভাংব অচুম্বনা অচুম্বনি হায়না ঐনা খল্লি ।।১৩।।

তৌরগদবা থবক পূম্বদা সঙ্কল্প থাদোক্লবা মহাক্কী থম্মোংদা করিগুম্বা মিহৌবা অমতা লৈত্রব, করিগুম্বা অনৌবা পোৎ অমতগী তাঙ্খিন্বগী রাখল লৈত্রবা, অদুগা থাদোকপা নত্তনা লৌশিন্বগী রাখল থোইদোক্লা তৌরবা, হায়বদি — লোইনা থাদোক্লবা অচুম্বা মী অচুম্বনা বিদ্বান্নি, মহাক্ অচুম্বনা — পণ্ডিতনি ॥১৪॥

মশাগী মথা পোলহন্লবা ইন্দ্রিয়শিং অচুম্বা খুৎলায় ওইরনা, বিষয় পূম্বদা করিগুম্বা আসক্তি অমতা থমদনা অনুভব তৌরিবা হায়বদি — শীজিন্নরিবা লৌনিবা ময়াক্কী থম্মোয়না ঙমিৎচুম্না মহাশান্তিদা লৈরিবা মশক্ হোংদবা, মচীন্ অনী লোংত্রবা, অদুগা হকচাং ইন্দ্রিয়শিংসিবু মশামক্কি (আত্মমক্কি) হায়না মপান্দা লৌরবসু মমুং মথুংদা হকচাং ইন্দ্রিয়শিং সিদগী তোঙান্না অচুম মরেবা, মহাক অচুম্নি মুক্ত ওইরবা অমুম্বা খুদম কংলবা হায়ববু। মহাক অচু য়াম্না থুনা য়াঙনা পুন্নশিংগী মঙ্গল ওইবা ফংলগনি ॥১৫—১৬॥

অতোপ্পা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মফমদা স্বার্থগী নীংথৌদা থোইনা য়েনুত্রবা, কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মশাদা স্বার্থগী দমক্তা শোকউত্রবা রাগী শাকত্রবা মহাক অচু য়াম্না থুনা য়াঙনা পুন্নশিংগী মঙ্গল ওইবা কারবা ফংলগনি ॥১৭॥

জীবপান্বা অমতগী মফমদা হিংসা তৌকত্রবা খুইমক্কা মিত্রতাগী ভাবতা (মরূপ ওইবগী য়াথংদা) লোয়নগদবনি। তাইবং হকচাং অসিবু ফংলগা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতগা বৈরভাব (য়েক্লবগী রাখল) তৌরোইদৌবনি ॥ ৮॥

আত্মাগী তত্ত্ববু খঙলবা (মশাগী মশকপু মুন্না খঙলবা), মপূক্নীং অমদি ইন্দ্রিয়বু মথা পোলহল্লবা, অচুম্বা মী অচুগীদমক মঙ্গল ওইননবগী তাক্পা লম্বী হায়দবু, করিগুম্বা অনৌবা অতোপ্পা অমমুক তান্ শিন্নুত্রবা, লৈজরিবচুদা অচুম্মক পেন্নবা, অদুগা কামনা অমতা থমদনা পূক্নীং অসিবু কোয়রেং লেঙহন্দবা অসিতনি ॥১৯॥

ঈবুঙো শুকদেব! নহাক অতৈ করিগুম্বা অমবু পৈশিন্ খোম্জিন্নবগী রাখল থাদোকুনা ইন্দ্রিয়

নিরামিষা ন শোচন্তি ত্যজেদামিষমাত্মনঃ। পরিত্যজ্যামিষং সৌম্য দুঃখতাপাৎ বিমোক্ষ্যসে ॥২১॥
তপোনিত্যেন দান্তেন মুনিনা সংযতাত্মনা। অজিতং জেতুকামেন ভাব্যং সঙ্গেষ্বসঙ্গিনা ॥২২॥
গুণসঙ্গেষ্বনাসক্ত একচর্য্যারতঃ সদা। ব্রাহ্মণো ন চিরাদেব সুখমায়াত্যনুত্তমম্ ॥২৩॥
দ্বন্দ্বারামেষু ভূতেষু য একোরমতে মুনিঃ। বিদ্ধি প্রজ্ঞানতৃপ্তং তং জ্ঞানতৃপ্তো ন শোচতি ॥২৪॥

খুদুমচন্‌বা হায়বদু ওইয়ু। ইহলোক পরলোক অনীমক্তা চিংনবা অকিব অরাবা লৈবোইদবা পদবী (থাম মকম) অদু ফংঙু ॥২০॥

বিষয়ভোগ পুম্নমক থাদোক্লবা মী মহাক অদুনা অরাবদা পুথবা থক্তোদে। মরম অদুনা মী পুম্নমক বিষয়ভোগতা কায়েন্না আসক্তি থম্মোহন্দৌবনি। ঔবুঙো! বিষয়ভোগ পুম্বা থাদোকুনা নীঙথায়দনা লৈরবদা অরবা অমুত্তাপনচিংবদগী লাম্থোক্পনি ॥২১॥

লাকুত্তম্ ফাওম্নবা পরমাত্মা মহাকপু ফাংগে হায়না হোৎনজবা নীংজবা মথোয় অদুদি, তপস্যা তৌদুনা তপস্বী ওইবা তাই, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা, পম্মোংবু অংগা পুক্নীংবু কাজিন্দুনা, সংসারগী বিষয়দা কায়েন্না আসাক্ত থমদবা মীশকসু ওইবা তাই ॥২২॥

সত্ত্ব রজ তম গুণ অহুমসিগনা মশক ওন্ন ওন্ন উহল্লিবা বিষয়শিংসিদা আসক্তি থম্দুনা পরমাত্মাগী ধ্যান তৌদুনা অচীকপদা লৈরিবা মী অদুদি থুনা য়াঙনা ফুংঙাইবা পুম্বগী তুংনকম মুক্তিধাম (অরানবা খুত্তমগী মকম) অদুবু ফংই ॥২৩॥

মুপী নহাশিংগা শম্নথোৎনদুনা লৈবগনা মু ঙাইর্বনি হায়না থন্দুনা লৈরিবা মীশিংদুগী মরক্ত লৈদুনসু পরমাত্মাবু থনবা জ্ঞানী মুন অদুদ মথন্ত অচীকপদা লৈবগী মুংঙাইবদু ফংবা ঙম্মি। মহাক অদুদি— জ্ঞানদগী-ত নত্তনা বিজ্ঞানগী মায়গৈদগীসু ঊপেঙ্ক পেন্দুনা লৈরবা মীশক অমনি হায়না খঙগদবনি ॥২৪॥ *

---

* কনাগুম্বনা মাগী লৈজারবা জ্ঞান অদুত্তনা পেন্দুনা মুংঙাইহনি অরাং অপা লৈত্তনা লৈ। কনাগুম্বা অমনবু লৈজারবা জ্ঞান অদুতনা পেন্দুনা বিজ্ঞানগী মতেং লৌদুনা অঙকপা মুংঙাইবা পীনহৈবা পোৎশক কয়া পুথোক্লুনা মান্নতনা মুংঙাইবা পেন্ধবা ফংলে। মাদুনা পীবা মুংঙাইবদুদি অনিত্যনি, মহাক্তগীমি হায়বা খঙদুনা মদোমদা ঙঙঙদনা বিজ্ঞানগী মাথৈগেদগী হাংদোক্লুনা অচীকপদা ধ্যান তৌদুনা লৈরি। ঊরিবা লৈরিবা মৈ ঊশিংশংতনা অরাম খোয়াংবা কোকহনব। ঙমদদুনা,— মপান্‌গী প্রাকৃতিক মৈদগী, ঊশিংদগী তোঙানবা মৈ ঊশিং অমমুক্ পুথোক্লুনা মাগী অরাম্ খোয়াংবা অপ ম্বদু, অশাঙবদু কোক্লনবা হোৎনরি। অহোয়নদুম বৈজ্ঞানিক ওইবা পোৎশকশিংনা মতেংদা অমুক হেন্না পেন্দবা, অশাঙবা, থোয়বা, নাপন্নচিংবগী মাত্রা (মচাং) হেনগৎহল্লি। মদু খঙলদুনা মহাজ্ঞানীশিংনা লৈরিবা পোৎশকমতম্দা থুপদুনা লৈরিবা পোৎশিং অদুনা পীরিবা মুংঙাইবদু-ত ফংদুনা ঊপেন্ত পেন্দুনা লৈরি। ঊংলবা ঊশিংগী মচুংদা

শুভৈর্লভতি দেবত্বং ব্যামিশ্রৈর্জন্ম মানুষম্। অশুভৈশ্চাপ্যধোজন্ম কর্মভির্লভতেঽবশঃ ॥২৫॥
তত্র মৃত্যুর্জরাদুঃখৈঃ সততং সমভিদ্রুতঃ। সংসারে পচ্যতে জন্তুস্তৎ কথং নাববুধ্যসে ॥২৬॥
অহিতে হিতসংজ্ঞস্ত্বমধ্রুবে ধ্রুবসংজ্ঞকঃ অনর্থে চার্থসংজ্ঞস্ত্বং কিমর্থং নাববুধ্যসে ॥২৭॥
সংবেষ্ট্যমানং বহুভি মোহাৎ তন্তুভির স্বজৈঃ। কোষকার ইবাত্মানং বেষ্টয়ন্ নাববুধ্যসে ॥২৮॥
অলং পরিগ্রহেণেহ দোষবান্ হি পরিগ্রহঃ। কৃমিহি কোষকারস্তু বধ্যতে স পরিগ্রহাৎ ॥২৯॥
পুত্রদারকুটুম্বেষু সক্তাসীদন্তি জন্তবঃ। সরঃ পঙ্কার্ণবেমগ্না জীর্ণা বনগজা ইব ॥৩০॥

জীব হায়বসি মতম পুম্বদা কর্ম্মগী মখা পোন্দুনত্তা লৈ। অকবা কর্ম্ম ত তৌরগনা দাহগী মপোক অহুম্ পোক্‌খি। অকবা কন্তবা বর্ম অনী য়াম্রগা— তাইবংমীগী হকচাংদা চঙহনা পোকই। অকবগী শরক শূক্‌য়াও যাওদবা কর্ম্ম তৌরগা শা উচেকী মপোক্তা নজগা পৌখৎপা য়াদনা হন্থরবা— অত্তোম্‌বা মপোক্তা পোক্লবিবাসান ॥২৫॥

পোকৃউ পোক্‌উরিবা পোক্তুদা অরাবা মথল মথল থেনরুবগী মৈচাক অহু খাওহনা লৈবা মতা-য়বনি। অহুনা, অম খঙদ, অম খঙদে,— সংসারদা চেক্ পোক্লবিবা জীবমখৈ অরাবা নাওমদবগী মৈ মথক্তা থাঙৎতুনা মুগ্‌হাল্লবনি মাসোমদা নংনা ঈথন্ থল্লিবসি কারিগীনো ? ॥২৬॥

কান্নবা ওাক্তবু নহাক্না কান্নবনি খল্লি। মাঙথ্রগদবা তুম্রগদবা ওাক্তবু মাঙেতাই মৃৎলোইদৌবগুম্ খল্লি। নংবু শাথিনা মাঙহনগদবা মখোয়সিবু নং নশানা শোগৎতুনা থল্লি— যোক্লি। মাস নহাক্না কৈদৌনা খঙদে— খঙদে ? ॥২৭॥

কন্নং তীন্না মশানা মথং মথং শাগচ্চরক্লিনা মমদা লেঙব ওৎপ য়াদমখৈ ফাত্তিন্দুনা লৈথিবহওন্না নকাকস্থ ওম্মাংখিহনা নশা থত্তা থাক্‌চলা লাঙদা নশাবু ফাজিঞ্জহুনা লৈবি। অহুবু নং মাসি শূক্‌খঙ খঙদ্রি ॥২৮॥

মফম অসিদ (সংসারসিদা) অতৈ অমমুক্ থোমজিল্ পৈশিল্লুবগী কান্নবা (দরকার) কারিমত্তা লৈতে, মরমদি— দোষ (পাপ) হায়বসে পোর্জল পৈশিল্লিবা পোৎশিং অহুগী মখুংদা অহুম্ থয়াওরবান। কন্নং তীন্না মুমিৎ খুদিংগী শিল্লি শিল্লি পৈশিল্লিবহুদা য়াওবন্না দেখন মশাবু ফাৎনখ্রিবসিনি ॥ ২৯॥

মতু মচা পরিবারদা কা চেন্না আসক্ত থইরুবদগী অরাবা কংলিবসিদি জঙ্গলদা লৈবা হত্তুরবা শামুনা পুখ্রীদা চঙহুনা হংকংপা ওমদবমখৈ লৈখোমদা পুখহুনা লৈবহৎগুমনি ॥৩০॥

লৈরিবা মৈহু তীক্তুনা ঈস্থং সুংঙাইনা ঈশিং লুপ্পুনা ধ্যান তৌরি, যোগ সাধন তৌল্লি। বৈজ্ঞানিকশিংনা ঈশিংদগী মৈবু মপান্দা পুখোরক্তুনা শী জন্মর ফাওবদা তোঙান্ তোঙানা নাম-রূপকী পোংশক পুখোক্তুনা পেন্নবা হোৎনরি। পুখোক্লিবশিংহুনা মী পূম্নমক্তা পাঙতরুবা মিহৌবনচিংবা শীরি। অনী অসি কনানা চেল্লি ?

(কালাচাঁদ)

মহাজালসমাকৃষ্টান্ স্থলে মৎস্যানিবোদ্ধৃতান্। স্নেহজালসমাকৃষ্টান্ পশ্য জন্তূন্ সুদুঃখিতান্ ॥৩১॥
কুটুম্বং পুত্রদারাংশ্চ শরীরং সংচয়াশ্চ যে। পারক্যমধ্রুবং সর্ব্বং কিং স্বং সুকৃতদুষ্কৃতম্ ॥৩২॥
যদা সর্ব্বং পরিত্যজ্য গন্তব্যমবশ্যেন তে। অনর্থে কিং প্রসক্তস্ত্বং স্বমর্থং নানুতিষ্ঠসি ॥৩৩॥
অবিশ্রান্তমনালম্বমপাথেয়মদৈশিকম্। তমঃ কান্তারমধ্বানং কথমেকো গমিষ্যসি ॥৩৪॥
ন হি ত্বাং প্রস্থিতং কশ্চিৎ প্রেষ্ঠতোঽনুগমিষ্যসি। সুকৃতং দুষ্কৃতঞ্চ ত্বাং যাস্যন্তমনুযাস্যতি ॥৩৫॥
বিদ্যাং কর্ম্ম চ শৌচং চ জ্ঞানং চ বহুবিস্তরম্। অর্থার্থমনুসার্যন্তে সিদ্ধার্থশ্চ বিমুচ্যতে ॥৩৬॥
নিবন্ধনী রজ্জুরেষা যা গ্রামে বসতো রতিঃ। ছিত্ত্বৈতাং সুকৃতো যান্তি নৈনাং ছিন্দন্তি দুষ্কৃতঃ ॥৩৭॥

মতৌ অসুম্মা পাক চাউরবা লাংদা থুম্বনা, ঈশিংদগী কংকান্দা লৈরাইদা চিংথংলকপা ঙাগী মতৌগুম্ব কৎ কৎ চোংহুনা লৈরিবা, সংসারগী বিষয়-লাংদগী চিংথোরক্লবা তাইবং জীবশিংগী দশা অসে— মহাক অমুক্তা য়েংঙু ॥৩১॥

সংসারদা লৈরিবা শাগৈ নাতৈ, মুপী অঙাং, মচা মশু, হকচাং অসিমক তাহ্রিল্লুরিবা পৈথংলুরিবা পোৎ পুম্মক অসি অতোপ্প অমগী মপোৎ ওাক্তনি। অদুবু "ঐগীনি নংগী মর্তে" অদুম মহায়নরি। অদুদি লায়রদুনা অতোপ্প অমগী ওইরিবসিমু ঙহাক ঙায়রে মাঙখিগদবা। মাসিদা নহাক্কী হায়ববু তাহ্রিল্লুবদুদা ফংহৌবা পাপ পুণ্য অনীদুত মঙায়হৌরে। তাহ্রিল্লুরিবশিংদুদি মথং মথং অদুম মমাঙগ্রগনি ॥৩২॥

মাঙখ্রিঙৈদসু মাঙলবা তুংদসু নংমু অদুম মচংগ্রনি সংসারসিদগী। কান্নগদবা মরীক্ অমত্তা য়াওদ্রবা বিষয়শিং অসিদা করিগী অদুপ পুক্নীং চঙঙরি? মথোয়শিংসিদগী লাপ্তোক্লনবা লাকপা মপোক্লিদা লান্থোক্লনবগী দমক্তা করিগী হোৎনদে? ॥৩৩॥

সংসারসিদা মীকুপ অমতা পঙ্ম্নবগী মফম করিমত্তা লৈতে, লৈথখিনবগী মরমমু কান্নবমু করি অমত্তা লৈতে। পম্থরিঙৈসিদা ফংবা অরাবদুগী কোকহন্নবা, অদুগা হোৎনবদুদা মতেং পীবিনবদু করিগুম্ব কনাগুম্বা অমত্তা নহাক্কী লৈতে। চৎলিবা সংসারগী লম্বীসিদা হৈন্‌বিনবা, মতেং পীবিনবা খোঙলোয় খোঙবুমু কনা অমত্তা লৈতে। চৎলিবা লম্বীসি লাল্লবমু লম্মুক্লবমু অচুম্বা লম্বী তাক্‌পনবা কনামু লৈতে। তাকুপিংগনি হায়রিবা মহাকমু অদুম লম্মুক্লরি। চৎপদা খুদোংথীনীংঙাই-ত ওইরবা, অমম্বনা থল্লবা লম্বী অসিদা নং নথত্তা কয়ম্না চৎকনি? ॥৩৪॥

পরলোক তাম্ন চৎলিবা লম্বীসিদা নংগী নতুং কনামু ইল্লিরক্লোই। নংবু নমায় ওল্হনগদবা নহাকপু থৌংনা পুগদৌরিবখি তৌগ্রবা তৌরিবা পাপ পুণ্য অনী অদুতনি ॥৩৫॥

আত্মা নংনা ফংগদবগী লাক্লিবা পরমাত্মাদুগী লম্বীদা নংগী মতেং পীগদৌরিবদি বিদ্যা, কর্ম্ম অদুগা শেংলবা জ্ঞান অদুম অসিত্তননি। হায়রিবা অদুমসিগী মতেংনা নহাক পরমাত্মাবু ফংগদৌরিবনি। মাবু ফংলগা পোকপা শিবগী লাংদগী লাপ্তোকদৌরিবনি। মুক্তি (মোক্ষ) হায়ববু অদুতনি ॥৩৬ শাগৈমাঙৈদি

কৃং কূলাং মনঃ স্রোতং স্পর্শদ্বীপাং রসাবহাম্ গন্ধপঙ্কাং শব্দজলাং স্বর্গমার্গদুরাবহাম্ ॥৩৮॥

ক্ষমাবিত্রাং সত্যময়ীং ধর্মস্থৈর্য্যবটাবকাম। ত্যাগবাতাধ্বগাং শীঘ্রাং নৌতার্য্যাং তাং নদীং তরেৎ ॥৩৯॥

ত্যজ ধর্মমধর্মং চ তথা সত্যানৃতে ত্যজ। উভে সত্যানৃতে ত্যক্ত্বা যেন ত্যজসি তং ত্যজ ॥৪০॥

ত্যজ ধর্মমসঙ্কল্পাদধর্মং চাপ্যলিপ্সয়া। উভে সত্যানৃতে বুদ্ধ্যা বুদ্ধিং পরম নিশ্চয়াৎ ॥৪১॥

হায়রিবা, মরূপ মপাংনি হায়রিবশিংনা থল্লা লৈরবা গ্রাম (খুন) অসিদা লৈরিবা অমদি কংলিবা বিষয়-ভোগশিংসিনা নগাক্নু পুনশিন্দুনা পুখিননবগী থৌরাংনি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিবু অশিংবা পুণ্যচেল্লবা কনাগুম্বনা কক্থৎকল্লগা পরমাত্মাগী লম্বীরোমদা খোঙশানখি। পাপী ওইবা মীশিংচুনা মাচুবু ককথৎপা ঙমদচুনা কাজিন্দুনা লৈহৌরি ॥৩৭॥

সংসার অসে তুরেল অমগুম্বনি। মাসিগী হৌরককম চেম্বরককমদি সত্যনি। উারবা মশক মওংশিং অসিনা সংসার-নদীসিগী তোর্বান চাংজোনি, পুরুষীং কৌবনা ঈচেল ওইবি। স্পর্শ (শোকপা থেংব) না তুরেল অসিদা লৈরিবা ঈথং (দ্বীপ) নি রসনা ঈচোল্ল। গন্ধ (মনম্) না তুরেল অসিগী লৈথাদা লৈবা লৈখোম্নি। শব্দনা তুরেল অসিগী ঈশিং ওইরি। যৌবা চঙবা ঙমদ্রবা খাট (ইদেম্বাকম) না স্বর্গনা ওইরি। হকচাংশিনা হি ওইচুনা তুরেল অসি লংখে রুদোরবনি। খাঙহৈবা হায়বদুনা হি অসবু হোনগদোরিবা নৌ অদুনি। ধর্মনা হি অদুগী হিনাউদ, ত্যাগপা মথুল অদুদা লেংশিন্দুনা চিংগদোরিবা থৌরাং অদুনি। ত্যাগকী মশক ওইরবা তুংইল্লবা ভুংশিং অদুগী পাম্বৈনা ঈচেলকল্লবা তুরেল অসি লাম্বোকপা ঙমগনি। অদুনা, তুরেল অসি হায়রিবা মচাকশিংসিনা লাম্বে রুবা হোৎনগদবনি ॥৩৮ – ৩৯॥

ধর্মনি হায়রিবা, অধর্মনি হায়রিবা অনীচুম্ম থাদোকউ। অসিনা অচুম্বনি হায়রিবা, অসিনা অরাবনি হায়রিবা অনীচুবুম্ম থাদোকউ। অদুবু থাদোক্লবা তুদা থদেক্লবা পাম্বৈ ওইরম্মচুবুম্ম থাদোকউ ॥৪০॥ *

সঙ্কল্পগী থাদোকপনা ধর্মবু, ফংনিংবগী থাদোক না অধর্মবু থাদোকউ। বুদ্ধিগী পাম্বৈনা সত্যবু, অসত্যবু থাদোক্লুনা পরমতত্ত্ববু লেপ্পবগী পাম্বৈনা বুদ্ধিবুম্ম থাদোকউ ॥৪১॥ †

---

* হায়রিবসিগী অর্থদ শম্না হায়রবদা— লানব খঙদে, চুম্ব খঙদে, পাপ পুণ্য খঙদে,— অনীথোকপগী রাখলসিমকুবু ঈকং কওবনি। অনীথোকপগী রাখলসিবু থাদোক্লনবা উপায় ওইরম্বা— জ্ঞান খঙদে, কর্ম খঙদে, মাহৃবুম্ম থাদোকউ— অসিত্তনি। মাহুবু সংপূর্ণত্যাগ কৌই। (কালাচাঁদ)

† দান যজ্ঞনি ধর্মনি হায়চুনম্ম সঙ্কল্প রাওগদবা লৈরবদি ধর্মন হায়রিবদু থাদোকপা তাই। মরমনি সঙ্কল্পনা পাম্বৈ ওইচুনা ফংবা পোৎমথৈ অনিত্যনি। অনিত্য ফংলনবগীদমক্তা তৌবা ধর্মদু ধর্ম নত্তে,— থাদোকউ। অধর্ম ওইরবম্ম মাসি তৌরবদি পোৎশক অসি ফংগনি হায়রবদি অধর্মদু থাদোকউ। মালি যুদি মশানা থাদোকপা অদুম মতাং। সত্যনি হায়চুনম্ম বুদ্ধিগী পাম্বৈনা লেপত্রিবা সত্য অদু থাদোকলবনি।

অস্থিস্থূণং স্নায়ুযুতং মাংস শোণিতলেপনম্। চর্ম্মাবনদ্ধং দুর্গন্ধি পূর্ণংমূত্রপুরীষয়োঃ ॥৪২॥
জরাশোকসমাবিষ্টং রোগায়তনমাতুরম্। রজস্বলমনিত্যং চ ভূতাবাসমিমং ত্যজ ॥৪৩॥
ইদং বিশ্বং জগৎ সর্ব্বমজগচ্চাপি যৎ ভবেৎ। মহাভূতাত্মকং সর্ব্বং মহৎ যৎ পরমাণ্বয়াৎ ॥৪৪॥
ইন্দ্রিয়াণি চ পঞ্চৈব তমঃ সত্ত্বং রজস্তথা। ইত্যেষ সপ্তদশকো রাশিরব্যক্ত সংজ্ঞকঃ ॥৪৫॥
সর্ব্বৈরিন্দ্রিয় বৈশ্চ ব্যক্তাব্যক্তৈর্হি সংহিতঃ। চতুর্বিংশক ইত্যেষ ব্যক্তাব্যক্তময়োগণঃ ॥৪৬॥

হকচাং অসে মৈ ঈশিংনচিংবা পঞ্চভূতকী য়ুমনি, পঞ্চভূতনা শাবা য়ুমনি। শরাতনা য়ুম্বী ওইবনি। শিংলি নাউরিনা পৈয়া ওইনা ফারি। ঈ-নাইতন কল্লাং য়াই ওইনা থৈরি। মথক্তা উন্‌শানা কুপ্নি। য়ুম অসিগী মচুংদা থী-যুংতম্বা থম্মা লৈ। মাতুদগী নম্‌থীরবা মনম্ কয়া ফাওকলি। অহল ওইরকপা, খুইজিল চপশিন্নকপা অতুগা অরা অনা কয়া কয়াগী পোক্লকম ওইরি। লয়না জাং জাং কয়ানা মহুম শাবি। রজোগুণগী মশক ওইরবা উকুল-য়াইফুলনা পীক্ থল্লি। ঙসি থংদে, হয়েং থণ্ডদে য়ুম অসি তেক্লু-থিগদবনী ওইদি। মাসিদা কা হেন্না আসক্তি থম্‌গনু— হাক্না পূরী লূপকনু ॥৪২—৪৫॥

ছেক উরিবা অচচ্ছ্র জগৎ পুন্নমক অসে হায়রিবা পঞ্চভূত অসিদগী থোরকপা ওইরকপা ওাকনি। অহুনা হকচাং অসে মহাভূত-প্রেতকী মশক মওং অমনি হায়না খঙও। উরিবা হকচাং অসিদগী তোঙান্না লৈরিবা মহত্ত্বশিং অসি, হায়বদি— বুদ্ধি ইন্দ্রিয় মঙা, শক্লবা ভূত মঙা, হায়বদি— তন্মাত্র মঙা (পঞ্চ-তন্মাত্র), প্রাণ অপাননচিংবা প্রাণবায়ু মঙা, সত্ত্বনচিংবা গুণ অহুম হায়রিবা তত্ত্ব তরাতরেৎসিগী পুল্লপপু অব্যক্ত কৌই ॥৪৪—৪৫॥

মখোয়সিগা লোয়ননা ইন্দ্রিয় মঙাগী বিষয়শিং, হায়বদি— শোক্পা, শব্দ মশক (রূপ), রস (মহাউ) অমুদা মনম্, পূক্লাং, অহঙ্কার (ঐ হায়বগী রাখল). হায়রিবা ব্যক্তস্থ ওইবা অব্যক্তস্থ ওইবা মখোয়সি অমুক হাপচিন্নবদি তত্ত্ব কুম্মরি শুরে। মাসিন ব্যক্তাব্যক্ত অমুক ফোংদোকপা অমুক ফোঙদোক্তব) মপৈ কৌই ॥৪৬॥

অহুঙম্বা সত্যাক্লবু থাদোক্লবা তুংদা পরমতত্ত্ব অমা লৈরি হায়বহু বুদ্ধিগী পাখৈনা লেপ্নরগা, লেপ্নরবা মতুং অহুদা বুদ্ধিহুবুসু থাদোক্তদবনি। মরমদি বুদ্ধি অদুনা লৈরিবমখৈ পরমতত্ত্ব (পরমাত্মা) অহু নত্তনা অতোপ্পা অনিত্য ওইবা তত্ত্ব অমগীসু নিশ্চয় তৌনিংঙকনি। অরোইবা অথোইবা তত্ত্বংবু ফংলবদি বুদ্ধি অহু থম্ব-পীসু কারবা লৈতে। তুরেল রাংমা য়োরবা তুংদা হি অহু থাগোক্তনা অহুম হিমুংদা কমহুনা লৈবগী কারবা লৈতে। অমুম্ কমহুনা লৈগদবা ওইরবদি তুরেল অহু লাম্তোরক্যবসু আ-অসোম্‌থংবা হায়বী তোর্ব্বাম্‌ অহুদা হি অহু থম্নগা হিমুংতুদ কমহুনা লৈরম্বসু অক্কানি। অহুনা, কাম্বা পোংশক হি অহু কাওবা থা-দোক্লমহুনা লৈরায়দা কাখংখিগদবনি। অহুগুম্— পরমতত্ত্ববু ফংনবগা হিদি হকচাংসিনি! পরমতত্ত্ব ফংলব তুংদা হকচাংসি থাদোক্লমগদবনি।

(কালাচাঁদ)

এতৈঃ সর্ব্বৈঃ সমাযুক্তঃ পুনাস্তিত্যাস্তিধীয়তে। ত্রিবর্গং তু সুখং দুঃখং জীবিতং মরণং তথা ॥৪৭॥
য ইদং বেদ তত্ত্বেন স বেদ প্রভবাপ্যয়ৌ। পারম্পর্য্যেণ বোদ্ধব্যং জ্ঞানানাং যচ্চ কিঞ্চন ॥৪৮॥
ইন্দ্রিয়ৈর্গৃহ্যতে যৎ যৎ তৎ তৎ ব্যক্তমিতি স্থিতিঃ। অব্যক্তমিতি বিজ্ঞেয়ং লিঙ্গগ্রাহ্যমতীন্দ্রিয়ম্ ॥৪৯॥
ইন্দ্রিয়ৈর্নিয়তৈর্দেহী ধারাভিরিব তর্প্যতে। লোকে বিততমাত্মানং লোকাংশ্চাত্মনি পশ্যতি ॥৫০॥
পরাবরদৃশঃ শক্তির্জ্ঞানমূলা ন নশ্যতি। পশ্যতঃ সর্ব্বভূতানি সর্ব্বাবস্থাসু সর্ব্বদা ॥৫১॥

হায়রিবা হুত্ব খিবিক অসিগা পুন্নপ্না তিন্নদুনা লৈরিবা মশক উদবা মহাক অসি পুরুষ কৌই। ধর্ম, অর্থ, কাম, অমাবা সুংত্তাইবা অদুগা পোকপা শিবা হিংদুনা লৈরিবসিগী মরম্ মুন্না খঙলবা পুরুষ অদুত্তনা জগৎ অসিগী উৎপত্তি প্রলয় (পোকখিবা লোইশিন্‌খিবা) অনীগী মরম অমদি মশকপু মুন্না খঙই ॥৪৭॥

জ্ঞান অসিগী মরম্‌দা লৈরিবা হায়নরিবা মা পুন্নমক পরম্পরাদগী মথং মথং অদুম্ খঙননবা হোৎনপনবনি। ইন্দ্রিয়শিং অসিনা লৌবা য়াবিবা বিষয়মখৈ ব্যক্ত কৌই। অদুগা মীৎ নাকৈাংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিং অসিনা প্রত্যক্ষ ওইনা লৌবা ঙমদবা অনুমানতনা কংবা বিষয়শিং অদুনা অব্যক্ত কৌই। অদুনা, হকচাং অসি ব্যক্ত অব্যক্ত অনীগী তুংনফম্নি ॥৪৮—৪৯॥

হায়রিবা ইন্দ্রিয়শিং অখিবু মাগী খুদুম মথাদা থম্লবা জীব (জীবাত্মা) অদুনা পেঙলবদি— নোংগী ঈশিংগী মরী মরীনা ঈথৌলাংদবা মীনা পেন্নবদুগা চপ মাল্লে। জ্ঞানী ওইবা পুরুষনা অচচ্ছত্ত জীব পুন্নমকপু মহাক মশামক্তা মথুংদা অদুগা মহাক মশা কত্ত জীব পুন্নমক অসিদা শীন্‌থুংনা লৈবা ওইনা উই ॥৫০॥

অদুম্ ওইবা তুং মাং লোইনা উবা জ্ঞানী পুরুষ অদুগী জ্ঞানতনা মক ওইবা শক্তি অদুদি কদ্রিগুম্বসু মাঙদে, তম্বরক্তে। অচচ্ছত্ত জীবপানবা পুন্নমকপু অবস্থা খুদংমক্তা মতম পুম্বদ অতং অখম লৈতনা উদ্রিবা অদুগুম্বা জ্ঞানী ওইবা মী মহাক অদুদি জাবপান্‌বা পুন্নমকী মরক্তা লৈরুবসু কদ্রিগুম্বা ফত্তবা থবক অমতনা মতোন্দা চঙওকপা তিম্নবা ঙমদে। হায়বদি— ফত্তবা অশুত্ত ওইবা কর্ম্ম অমতা তৌদে হায়না লৌগদবনি ॥৫১॥ *

---

* অচচ্ছত্ত জীবপান্‌বা পুন্ন ক্রা মহাক মশামকী মথুংদা লৈরে হায়না উরবা, হায়বদি— মহাক্তা উরুবিবা শাওল্, হৈপাল লৈপাক্ষ খুদিংমক মতোত্ত-১ লৈবা অদু খঙলক উরক্রবা, অদুগা মহাক মশামকত্ত জীবপান্‌বা পান্দবা পোৎ পুন্নমক্তা ব্যাপ্ত ওইনা শীন্‌থুংনা লৈরে হায়না উরবা অদুগুম্বা জ্ঞানী মী মহাক অদুদি কারিগুম্বা কত্তবা তমথিবা অমাংবা কর্ম্ম অমতা তৌদে হায়না লৌগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মহাক্তা কদ্রিগুম্বা ময়াম্বা সমাজনা ফত্তে হায়না, অমঙলনি হায়না লৌনবা জীব অমবু থেংনুরবসু উরুরবসু মহাক্তা উরুরিবা জীবদুদা মহাক মশামকত্ত শীক্রবা শক্তক অমতা রাত্তনা অদুম মরৈরুই। মহাক মশামক্তি হায়না অদুম মউই। জীবদুগী মপানগী হকচাং অদুগা মশাগী হকচাং অদুগা কদ্রিগুম্বা থেরবা অমতা

সর্ব্বভূতস্য সংযোগো নাশুভে নোপপদ্যতে। জ্ঞানেন বিবিধান্ ক্লেশানতিবৃত্তস্য মোহজান্ ॥৫২॥
লোকে বুদ্ধি প্রকাশেন লোকমার্গো ন রিষ্যতে। অনাদি নিধনং জন্তুমাত্মানি স্থিতমব্যয়ম্ ॥৫৩॥

জ্ঞানগী পান্নবা মোহ (শুদ্ধংপ) দগী পোকপা অরাবা অরাৎপা মখল মখলবু লাস্তোকলকলবা জ্ঞানী মহাক অহুবুদি জগৎতা চৎনবা লোকব্যবহারগী লম্বীদা কারগুম্বা অমতনা থিংবা পলহনবা ঙমদে ॥৫২॥
মোক্ষগী উপায়বু খঙবা ভগবান্ নারায়ণনা তাকপিরি, মাহুদি— অগৌবা অরোইবা লৈতবা, মাঙবা

লৈতনা অহুম মউই। উরিবা জীবহুগী মপানগী হকচাংহুস্তু লৈপাক ঈশিং নুংশিৎ আকাশ লৈপাক্কী মপৈনি, মহাক মশাগী হকচা স্তু হায়রিবশিং অসিগী মপৈনি, মশা অমতনি ; মওংগা মমিংগা অনী আসতনি খেন্নহল্লিবসি। খেন্নবা তারিবহুস্তু ঙহাক্কীতনি। অহুদগী তোঙানবা আত্মা (জীবাত্মা) অম লৈরিবহু মশা অমত্তনি। অউবা মাগী আত্মা অহুমক্লি— উকরিবহুগী আত্মা অহু, অনী নত্তে মশা অমত্তনি। অহু ওইরবদি মহাক্না উরুরিবা শাশলনচিংবা জীবহুগী হকচাংদস্তু মহাক মশামক অহুম ময়াওরে। অহুম চাগনা জ্ঞানী অহুনা উরবদি, মহাক্না করিগুম্বা অমাংবা অমঙ্গল ওইবা জীব জন্মগী মশাদা শোকপুংস্তু, মশানা মশাদা থৃৎনা নান্বা ওইনা অহুম মথোকলুই। অহুগুম্বা জ্ঞানী ওইবা মাগী মকমদা পাপ পুণ্যগী অশেং অমাংবগী করিগুম্বা খেন্নবা অমতদা চঙবা ঙম্‌দে। পাপ পুণ্যগী প্রায়শ্চিত্ত প্রতীকারগী বিধি নিয়মশিং লৈরিবশিং অসিদি, উরিবা জগৎ অসিদা লৈরিবা পোৎ খুদিংমক অমনা অমদগী খেন্নে হায়না উরিবা মথোয়শিং অহুগী দমক্তনি। ফত্তবা অমাংবা পোৎ শোকলু চারুরবদি মহাকস্তু মাংলে হায়না লৌনরিবসি, অসিনা অমাংবনি, অসিনা অশেংবনি হায়না খেন্নবা উরিবশিং অহুগী দমক্তনি। মুন্না খন্নরবদি খেন্নবগী শক্লক করিমতা য়াওদে। মিংগা মওংগা অনীতনি, অনী অহুতনা খেন্নবা উহনবনি। করিগুম্বা সমাজদা চৎনবী মতুংইন্না শম্বী শোক্লবদি মাংদে, তুই শোক্লবদি মাংঙি। মাসি তুইগা শম্বীগা খেন্নবা উংহুদগীনি। মওং শোকলুবগী মাংত্র ? মমিং তুই হায়বহু শোকলুবগী মাংত্রা ? মিংদি শোক্লনবা পোৎ নত্তে, শোকপস্তু য়াদে। মওংস্তু শোক্লনবা পোৎ নত্তে, শোকপা য়াদে। অহুনাদি তুইদা শোকপুরিবহুদি শোকপুরোই নীংবতনি, থাক্লেশেংবদি করিমতা শোক্তে। অহুন মাংঙি, শেংঙি হায়ননীংঙায় লৈতে। অস্তুম্না খল্লিবা অহুগা খল্লিবসিগী মতু ইন্না থবক্ তৌথোক্লকপা মী অহুদি মাগী পুনশিদা করিগুম্বা ফত্তবা অমতা তৌত্রি হায়না লৌগদবনি। মাসিদা য়েৎননীঙঙায় হায়ববু মীগী মুপীদা আসিগুম্বা জ্ঞানী অমম্বা মাগী মুপীগা মশা অমতনি হায়না চঙঙবদা দোষ পাপ লৈতবরা অসিনি। মাসিদা খনগদবা হায়ববু জ্ঞানী অহুদা মাগী মম্যাগা মীগী মতু মুপী অহুগা মশা অমতনি হায়না খনগদবনি। নত্রগা মশ্লামক্ মীগী মুপীহুগা অমতনি হায়না খল্লি। মীগী মুপী অসি অসিদা লৈরিবা ঐ অসিনি হায়না লৌই। অহুগা মত্তোন্দা চঙহুবগী করিমতা দরকার লৈতে হায়না থঙ্গে। মীগী মুপীদা চঙঙবগী মুংঙাইবা অহু মশা মশাদা মুংঙাইজবা অহুম্ মফংঙি।—
"আত্মন্যেবা আত্মনা রমতে।"　　(কালাচাঁদ)

অকর্ত্তারমমূর্ত্তং চ ভগবানাহ তীর্থবিৎ। যো জন্তুঃ স্বকৃতৈস্তৈস্তৈঃ কর্ম্মভির্নিত্য দুঃখিত ॥৫৪॥
স দুঃখপ্রতিঘাতার্থং হন্তি জন্তূননেকধা। ততঃ কর্ম্ম সমাদত্তে পুনরন্যন্নবং বপুঃ ॥৫৫॥
তপ্যতেঽথ পুনস্তেন ভুক্ত্বা পথ্যমিবাতুরঃ। অজস্রমেব মোহান্ধো দুঃখেষু সুখসংজ্ঞিতঃ ॥৫৬॥
বধ্যতে মথ্যতে চৈব কর্ম্মভির্মন্থবৎ সদা। ততো নিবদ্ধঃ স্বাং যোনিং কর্ম্মনামুদয়াদিহ ॥৫৭॥
পরিভ্রমতি সংসারং চক্রবৎ বহুবেদনঃ। স ত্বং নিবৃত্তবন্ধস্তু নিবৃত্তশ্চাপি কর্ম্মতঃ ॥৫৮॥
সংযমেন নবং বন্ধং নিবর্ত্ত্য তপসো বলাৎ। সম্প্রাপ্তা বহবঃ সিদ্ধিমপ্যবাধাং সুখোদয়াম্ ॥৫৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
নারদবৈরাগ্যজ্ঞানোপদেশনাম চতুর্বিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২৪॥

——:(ঃ):——

তুবা লৈতবা, করিগুম্বা কর্ম্ম অমদা য়াওদবা. নিরাকার (মশক মওং লৈতবা) ওইবা জীবাত্মা হায়বা অমা হকচাংদুং অসিদা লৈ ॥৫৩॥

জীবসিনা মমাংতৌদা তৌখি তৌখিবা কর্ম্মশুগী মহৈ ওইনা, মতম অয়াম্বদা য়াহৈনা তাক্না ওইনা লৈ। অরাবহ কোকনবা জীব কয়া কয়াদা হিংসাগী থবক তৌরি ॥৫৪॥

মমাংতৌগী কর্ম্মশিং অদুগী মহৈমকসু চাবা লোইত্রিতৌদা অনৌ অনৌবা কর্ম্মসু তৌশিল্লি। অপঙবা মীনা মশাদা রোগ লৈরবমতুদা তুম্মোইদোবা পোৎমক্তা হন্না চাশিন্বদুগুম্না মায়া মোহদা তাত্তরবা জীব অসিনা মশাগী অরাবা খুদোংথীবা থোকদবা কর্ম কয়া কয়া তৌশিল্লি ॥৫৫॥

তম্মাংপগী লাংদা খুত্না অরাব। পীগদবা বিষয়ভোগ মখল মখলবু মু ওইবা পীননবগী লম্বীনি খন্দুনা থৌরীনা য়েচ্ছিন্নবা শক্লোম মঠ্ঠা চিংননবা চৈনা উরুরুরু লৈবগুম— গুম্মংলবা জীবসিনা চশা মথন্তগী কর্ম্মগী থৌরীনা য়েচ্ছিকতুনা দেহ অমদগী দেহ অমদা কোয়রৈ লৈতুনা পোত্থাফম খঙদনা লৈরি ॥৫৬॥

নহ মুক্তী কর্ম্মা মহৈশিংতুনা মখোয়না চঙশিন্নবপগী মতম তঙ্গা অদু হেক্ ওইরক ওইরকপদা জীব অসিবু কোয়রৈ লৈতনা পুরি। মতমদুদা জীবসিনা চক্রগী মতৌগুম্না কোয়রৈ লৈরি ॥৫৭॥

মরম অদুনা অসিগুম্বা কর্মচক্রসিদগী হন্দোরকুনা, নশানা নশাবু কা জঞ্জবহ তোক্তুনা সংসারচক্রসিবু জয় তৌতুনা মাসিদগী রাংমা লায় চৎখিনবা— চোংথোক্‌খিনবা তৌ ॥৫৮॥

জ্ঞানী ওইবা অয়াম্বনা ইন্দ্রিয় সংযম অদুগা তপস্যাগী পাম্বৈনা, অনৌবা লাকদৌরিবা অদুগা লাক্লিবা কাজিন্নক্লিবা থৌরাংশিং অদুবু কক্‌থৎতুনা অপন্‌বা লৈত্রবা অবাধসিদ্ধিবু ফংননবা তৌ ॥৫৯॥

মসম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মদা নারদবৈরাগ্যজ্ঞানোপদেশগী চহুমগা কুন্মরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৪॥

——:(ক):——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শুকদেবদা নারদনা আধ্যাত্মিকজ্ঞান তাকপা)

চহুমগা কুনমঙাশুবা অধ্যায়

— —:(*):— —

নারদ উবাচ।

অশোকং শোকনাশার্থং শাস্ত্রং শান্তিকরং শিবম্। নিশম্য লভতে বুদ্ধিং তাং লব্ধ্বা সুখমেধতে ॥১॥

শোকস্থানসহস্রাণি ভয়স্থান শতানি চ। দিবসে দিবসে মূঢ়মাবিশন্তি ন পণ্ডিতম্ ॥২॥

তস্মাদনিষ্টনাশার্থমিতিহাসং নিবোধ মে। তিষ্ঠতে চেদ্ বশেবুদ্ধির্লভতে শোকনাশনম্ ॥৩॥

নারদনা হায়,— শুকদেব ! শাস্ত্র হায়বসে অয়াববু লাম্হোক্হন্‌বা, শান্তি পীনহৈবা, অহুগা মঙ্গল ওইবা ফংনমবা খুৎলায়নি, মশাগী অয়াবা কোক্লনবগী দমক্তা শাস্ত্রবু তাগিবা মী মহাক অদো নীংথিবা বুদ্ধি (জ্ঞান) বু ফংহনা নুংঙাইবা ফংঙি ॥১॥

অৱাবা খুদোংথীবা ফংনিংঙাই লিশিং লিশিংমা অকিবা মিপাইবা ফংননবগী মকম মতম চাম চামনা বিষয়ভোগপূ পাম্বা অপঙবশিংগী নাক্ত অতৎ অথম লৈতনা লাক্‌ই। অশিংবা জ্ঞানীশিংগী মকমদদি লিশিংদি লায়রহনা অৱাবা খুদোংথীবা অমা ফাওবা লাক্তে ॥২॥

মরম অহুনা মশাগী অয়াবা খুদোংথীবা পুম্বা কোক্লনবগী দমক্তা ঐনা হায়রিবা পাউতাক অসি লৌ। নহাকীদি লনাই লৈজরিবা বুদ্ধি অহুমক্তা নশাগী খুদুম মথাদা লৈরবা মতমহুমক্তদা নহাকী অয়াবা পুম্বা কোকনি, অৱাবা এমত্তা লাক্লরোই ॥৩॥ *

* হায়রিবসিগী ভাবতি— অকবা অচুম্ববু ওইরবস্থ, লনাইগী লৈজরিবী বুদ্ধি অসি ঈশা ঈশাগী খুদুম মথাদা থম্‌গদবনি হায়বনি। মীগী ফত্তনবা ভৌননবগী ফজবী বুদ্ধি (রাথল— জ্ঞান) অহুম্ব নমথহনা খুদুম চন্‌গদবনি। অফবা কর্ম্ম ভৌননবগী লাকপা বুদ্ধি অহুম্ব অমুক নাম্হোকথিদনবা কাক্তিন্নুনা থম্‌গদবনি। অহুম্বা কাক্তিন্নুনা থম্মিবা মী মহাক অহুগী মফমদা অৱাবা খুদোংথীবা থোইনা লাক্লরোই। হৌজিক হায়রিবা বুদ্ধি অসিদি কনানা লোইবা বুদ্ধি নত্তে; ঐগী লনাইগী বুদ্ধিনি। ঐগী লনাইগী বুদ্ধিমক্তা, ঐগী লনাইগী লৈজবা পোৎমক্ত ঈশানা কাক্তিজবা ওমত্রবদি করি কায়নি ? অতোপ্পা মী অমনা পীরকপা বুদ্ধি

অনিষ্টসম্প্রয়োগাচ্চ বিপ্রয়োগাৎ প্রিয়স্য চ। মনুষ্যা মানসৈর্দুঃখৈর্যুজ্যন্তে স্বল্পবুদ্ধয়ঃ ॥৪॥
দ্রব্যেষু সমতীতেষু যে গুণাস্তান্ন চিন্তয়েৎ। ন তানাদ্রিয়মাণস্য স্নেহবন্ধঃ প্রমুচ্যতে ॥ ॥
দোষদর্শী ভবেৎ তত্র যত্র রাগঃ প্রবর্ত্ততে। অনিষ্টবর্দ্ধিতং পশ্যেৎ তথা ক্ষিপ্রং বিরজ্যতে ॥৬॥
নার্থো ন ধর্ম্মো ন যশো যোঽতীতমনুশোচতি। অপ্যভাবেন যুজ্যেত তচ্চাস্য চ নিবর্ত্ততে ॥৭॥
গুণৈর্ভূতানি যুজ্যন্তে বিযুজ্যন্তে তথৈব চ। সর্ব্বাণি নৈতদেকস্য শোকস্থানং হি বিদ্যতে ॥৮॥

রাখল থেন্বা মবুদ্ধি লৈতবা মীতনা মহাক্না পামজদবা পোৎশক লাক্লগা ফংলগা, অদুগা পামজনা থন্বা পোৎশক কায়নরগা অৱাবা বিষাদ ফংজবনি। অমসু পাম্মুরিবা, অমসু পাম্মুক্রিবা অসিমা কা.গীনো হায়বসি থোইনা খন্নরুদে ॥৪॥

ভূতকাল (হৌখ্রবা মতম) হায়বদুগী গর্ভমুংদা চঙখ্রবা, অমুক লক্লরোইদৌবা, পোৎশিং অদুগী মগুণ অদু নীংশিংঙুদুনা কান্নদে। করি মরম্না হায়বদা অদোমদা অদুম খন্নদুনা লৈখ্রবদি আসক্তি হায়বা অদু পোক্লকনি। অদুগা অনুতাপ (নীঙঙমহৌদবা) হায়বদুগী মৈশা অমসু লাকৃখিগনি। শৌজিক লৈরিবা পোত্তা থন্মুবা আসক্তিদগী, হৌখ্রবা পোৎশক্তা থন্মুরিবা আসক্তিনা মহী ময়াই কন্বা হেল্লি ॥৫॥

অসিগুম্বা আসক্তি অসিনা থম্মোয়দা মাত্রা হেন্না চঙশিল্লকংদি, মাদুবু য়েংরুবনি হায়না খন্দুনা দোষ দৃষ্টিনা য়েংগদবনি। হায়বদি দোষ লৈবা উদবা পোৎশক অমনি হায়না লৌগদবনি। মতুংগী অমাঙ কয়াগী মথোয় কাস্নবা ফত্রবা পোৎশক অমনি হায়বসি খঙগদৌবনি। অসুম্না খন্নরবদি বৈরাগ্যভাব হায়বদু মশানা অদুম্মক লাকচরে ॥৬॥

হৌখ্রবা লাক্লরোইদৌবা থৌদোক নত্রগা পোচ্ছক্তনু কা হেন্না আসক্তি থম্লবা হায়বসিনা ধর্ম্মসু পীরোই অর্থসু পীরোই, কামসু পীরোই, মোক্ষবুসু পীরোই, মিংচৎপুসু পীরোই। মহাক্না পীগদবা হায়ববু—অৱাবা মৈচাক্কনি। অদুগা, মাদুগী অহাংবদু মেন্‌শিন্নবা শিঙ্গৎনব পোৎশক অমতা লৈত্তে। নিংগৎলিবা পোৎশক অদুবু হান্নগী অদুমক্তি লাক্লিবসি হায়ব খক্ খন্বা য়ারোই ॥৭॥

সংসারদা লৈরিবা অচৎচত্ত জীব খুদিংমক অকবা পোৎপু ফংখিবা কায়নখিবা, মাদুগী রাখা খুংভাইবা কংনখিথা কংনরিবা কংনগদৌরিব্য ভাক্তনি। মাসি মী অমতগী থৌদাং নত্তে ॥৮॥

অদুসু লৌশিন্বা মতমদা ঐগী লনাইগী বুদ্ধি অমুক খন্নরগা লৌগ.দৌরিবনি। লনাইগী ঐগী হায়বা অমা লৈতবা য়াদে। মতম অসিদা ঐগী মাগী হায়বা রাখল অদুসু ঈকৎ ফত্তে, হায়বা য়াজ্রি। আত্মা হা.বসু লনাইগী ঈশাগী হায়বতনি। অঙাং ওইরিঙৈদা ভাব তাত্রিঙৈদা ওঝানা গুরুনা পীবিখিবা রাখল অদুনা ঐগী লনাইগী রাখল (জ্ঞান) ওইজখিগদৌরিবনি। মাসিবু মুন্না খন্নরুরবদি ওঝাগী গুরুগী মহিম দি কনা-নসু হায়বা ভুম্মোই। অসিগুম্বা রাখস অসিবু থম্লিবা মী অদুগীদি অৱাবা খুদোংথীবা থৌদোক্ পঙনা থোক্লরোই।

(কালাচাঁদ)

মৃতং বা যদি বা নষ্টং যোঽতীতমনুশোচতি। দুঃখেন লভতে দুঃখং দ্বাবনর্থৌ প্রপদ্যতে ॥৯॥
নাশ্রু কুর্ব্বন্তি যে বুদ্ধ্যা দৃষ্ট্বা লোকেষু সন্ততিম্। সম্যক্ প্রপশ্যতঃ সর্ব্বং নাশ্রু কর্ম্মোপপদ্যতে ॥১০॥
দুঃখোপঘাতে শারীরে মানসে চাপ্যুপস্থিতে। যস্মিন্ন শক্যতে কর্ত্তুং যত্নস্তান্নানুচিন্তয়েৎ ॥১১॥
ভৈষজমেতদ্ দুঃখস্য যদেতন্নানুচিন্তয়েৎ। চিন্ত্যমানং হি ন ব্যেতি ভূয়শ্চাপি প্রবর্দ্ধতে ॥১২॥
প্রজ্ঞয়া মানসং দুঃখং হন্যাচ্ছারীরমৌষধৈঃ। এতদ্ বিজ্ঞানসামর্থ্যং ন বালৈঃ সমতামিয়াৎ ॥১৩॥
অনিত্যং যৌবনং রূপং জীবিতং দ্রব্য সঞ্চয়ঃ। আরোগ্যং প্রিয়সম্বাসো গৃধ্যেৎ তত্র ন পণ্ডিতঃ ॥১৪॥
ন জানপাদিকং দুঃখমেকঃ শোচিতুমর্হতি। অশোচন্ প্রতিকুর্ব্বীত যদি পশ্যেদুপক্রমম্ ॥১৫॥
সুখাৎ বহুতরং দুঃখং জীবিতে নাত্রসংশয়ঃ। স্নিগ্ধত্বং চেন্দ্রিয়ার্থেষু মোহান্মরণমপ্রিয়ম্ ॥১৬॥

মমাংঙৈদা লৈরম্বা হৌজিক্তি লৈত্রবা (শিগ্রবা) মী নত্রগা পোচ্ছক অমগী দমক খোইনা রারুবা হায়বসি লৈখোম্ তৈশিন্নুনা হান্নগী কংশিন্বা লৈখোমদুবু চামথোক্কে হাংনা হোংনবদুগা অশ্রানি অমত্তনি। অনৌবা অরাবা অমা লৌশিন্নগা হান্নগী অরাবদু কোক্লনবা হোংনবতনি। অরাবা অনীগী পোংলুম পুবা তাবনি ॥৯॥

মচা'না শিবা উবদা, অশিবা হকচাংদুবু মুন্ন য়েংলগা মমাস্তগী মপী শিস্থহন্নকত্রিবা মী অদু য়াম্না ধীর ওইরবা তম্থীরবা মীশক অমনি। করিগুম্বা পোংশক অমবু মুন্ন হন্ন হন্ন য়েংলগা মপি শিস্থহন্নিবদু চুম্নি যুক্তিযুক্তনি হায়নীঙদে ॥১০॥

লাক্লিবা হকচাংগী অদুগা পুক্নীং অরাবদুগী কোক্লনবা উপায় অমা উত্রবদি অদুগা মাদুগী দমক হোংন-রুবদা কান্নরয়োইদৌবা লৈরবদি নত্রগা হোংনরুরগস্থ মাদুনা খোইদোকপা তোংজবা অমা লৈরয়েইদৌবা ওইরবদি মাদুগী দমক খোইনা চিন্তা তৌফম থোকত্রে ॥১১॥

অরাবদুবু কোকহন্নবা উপায়দি মাদুমী দমক অমুক হন্ন হন্ন খন্বিরুত্রবা অংতনা ওই। খন্নুবগা অরাবদু হন্থরক্কে, অহোয়নদুম হেন্গংলকই ॥১২॥

মরম অদুনা পুক্নীংগী অরাববু বুদ্ধিগী পাম্বৈনা হকচাংদা পান্বা অরাবদু হিদাকী পাম্বৈনা মাঙহন্-গদবনি। হায়রিবসি শাস্ত্রগী জ্ঞানগী পাম্বৈনা ওইবা য়াই। অরাবা খুদোংথীবদা তারগা অঙাংগী মত্তৌ-গুম্না থক্ লাউ-খোংঙোইদৌবনি ॥১৩॥

শক্, মথোক্কায়রুপা, পুন্শি, লল্ পৈথংপা খোমজিন্বা, নাদ-য়েক্তনা লৈবা, চান্নবা হুংশিনবশিংগা লৈমিন্নবা হায়বসি অনিত্যমক্তনি। বিদ্বান্ জ্ঞানী ওইবশিংনা হায়রিবশিং অসিদা কা চেন্না পুক্নীং চংবা থিং-জিন্বা তৌরোইদৌবনি ॥১৪॥

দেশ মপুম্ অদুদা থাংগী ওইনা অরা খুদোংথীবা লাকপদা মশা মথন্তগী দশা ওইনা চিন্তা তাবনা থক্ তৌরোইদৌবনি ॥১৫॥ তইবংমীগী পুন্শিগী মসুংদা হুংঙাইবগী শরুক্তগী মশীংদগী অরাবগী শরুকী

পরিত্যজতি যো দুঃখং সুখংবাপ্যুভয়ং নরঃ। অভ্যেতি ব্রহ্ম সোঽত্যন্তং ন তং শোচন্তি পণ্ডিতাঃ ॥১৭॥
ত্যজ্যন্তে দুঃখমর্থাহি পালনেন চ তে দুঃখাঃ। দুঃখেন চাধিগম্যন্তে নাশমেষাং ন চিন্তয়েৎ ॥১৮॥
অন্যামন্যাং ধনাবস্থাং প্রাপ্য বৈশেষিকীং নরাঃ। অতৃপ্তা যান্তি বিধ্বংসং সন্তোষং যান্তি পণ্ডিতাঃ ॥১৯॥
সর্ব্বে ক্ষয়ান্তা নিচয়াঃ পতনান্তাঃ সমুচ্ছ্রয়াঃ। সংযোগা বিপ্রয়োগান্তাঃ মরণান্তঃ হি জীবিতম্ ॥২০॥
অন্তো নাস্তি পিপাসায়াস্তুষ্টিস্তু পরমং সুখম্। তস্মাৎ সন্তোষমেবেহ ধনং পশ্যন্তি পণ্ডিতাঃ ॥২১॥
নিমেষমাত্রমপিহি বয়ো গচ্ছন্ন তিষ্ঠতি। স্বশরীরেষ নিত্যেষু নিত্যং কিমনুচিন্তয়েৎ ॥২২॥
ভূতেষু ভাবং সঞ্চিন্ত্য যে বুদ্ধ্বা মনসঃ পরম্। ন শোচন্তি গতাধ্বানঃ পশ্যন্তঃ পরমাঙ্গতিম্ ॥২৩॥
গঞ্চিন্বানকমেবৈনং কামানামবিতৃপ্তকম্। ব্যাঘ্রং পশুমিবাসাদ্য মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি ॥২৪॥

মশীংনা হেলহল্লিবা বিষয়ভোগ অদোমদা অয়াম্বনা আসক্ত ওই। অদুগা অরাবদুনা পীরকপা মৃত্যুবুসু কনা অমতনা পামদে ॥১৬॥

অদুনা অরাবগী অদুগা নুংঙাইবগী চিন্তাবু ঈতৌ তৌত্রবা মী মহাক অদুতনা অমাঙ অতা লৈত্রবা ব্রহ্মবু অদুগা ব্রহ্মদুবু ফংবগী নুংঙাইবা (ব্রহ্মানন্দ) বু ফংভি। বিদ্বান্ ওইবা মীনা মাদুগী থবক হায়বদি অদা নুংঙাই অদুগীদমক থোঁইনা চিন্তা তৌরুদে ॥১৭॥

শেল্বু চৎহন্বা (খরচ তৌবা) মতমদা য়ম্না রায়, নুংঙাইতে। মাদুবু ঙাক্শেন্বদসু নুংঙাইতে; অরাবা ফংভি। ফংননবা হোৎনবদসু অরাবা য়াম্না খাঙবা তাই। অদুনা অবস্থা খুদিংমক্তা অরাবা পীবা হায়বসি ধন (লল্) তনা ওই। মাদুবু থঙজদুনা অশিংবনা ধন মাগীদমক চিন্তা থক্ তৌদে ॥১৮॥

তাইবংমীনা মাগী হান্না লৈজরম্লিবা অদুদগী আ-হেন্না লৈরবসু অপেন্বা— ওক্পা লৈতে। হেন্নদুম ফংথিনি হায়বগী আশা তৌনা তৌনা অশিবগী খয়াত্তা অদুম মতাখি। অখঙবা মীনা অদুঙুম্বা ধনগী চিন্তা থক্ তৌরুদে ॥ ৯॥

খোম্জিন্ পৈখৎপগী পোলোইনা খোম্জিল্লিবদুগী মৃৎখিবনা ওই ; রাংনা কাথৎখিবগী পোলোইনা লৈথা তারকপনা ওই। তিন্নবগী পোলোইনা কায়নবনা ওই। পুন্শিগী পোলোইনা শিবা (মৃত্যু) না ওই ॥২০॥

অরাম্-থৌরাংবগী অরোইবা (পোলোই) লৈতে। পেঙ্গবতনা নুংঙাইবা ওই। মরম অদুনা পণ্ডিত-শিংনা পেঙ্গবতনা অশেংবা লন্নি হায়নৈ ॥২১॥

পুন্শিদি মীকুপ খুদিংগী হৌরি ; পুন্শিগী খোঙপাংদি মীকুপ অমতা লেপ্পা লৈতে। হকচাংসিমক্ তুমিৎ খুদিং মীকুপ খুদিং অরোইবরোমদা চঙশিল্লক্লি। সংসারসিদা করম্বা পোৎশকপু নিত্যানি হায়সিগে ? ॥২২॥

জীবপান্বা পুরমককী মঙ্গুংদা পরমাত্মাগী অস্তিত্ব (লৈব) বু খন্দুনা লৈরিবা মখোয় অদুদি সংসারসি-দগী রাংমদা চৎপ্রবসু অথোইবা খুতমু ফংদুনা অরাবা পুরমকপী লাম্হোকথি ॥২৩॥ চাবগী পেৰ লৈতদুনা

তথাপ্যুপায়ং সম্পশ্যেৎ দুঃখস্য পরিমোক্ষণম্। অশোচন্ নারভেচ্চৈব মুক্তশ্চাব্যসনী ভবেৎ ॥২৫॥
শব্দে স্পর্শে চ রূপে চ গন্ধেষু চ রসেষু চ। নোপভোগাৎ পরা কিঞ্চিৎ ধনিনো বা ধনস্য চ ॥২৬॥
প্রাক্‌সম্প্রযোগাৎ ভূতানাং নাস্তি দুঃখং পরায়ণম্। বিপ্রযোগাত্তু সর্ব্বস্য ন শোচেৎ প্রকৃতিস্থিতঃ ॥২৭॥
ধৃত্যা শিশ্নোদরং রক্ষেৎ পাণিপাদং চ চক্ষুষা। চক্ষু শ্রোত্রে চ মনসা মনো বাচং চ বিদ্যয়া ॥২৮॥
প্রণয়ং প্রতিসংহৃত্য সংস্তুতেষ্বিতরেষু চ। বিচরেদসমুন্নদ্ধঃ স সুখী স চ পণ্ডিতঃ ॥২৯॥
অধ্যাত্মরতিরাসীনো নিরপেক্ষো নিরামিষঃ। আত্মনৈব সহায়েন যশ্চরেৎ সুসুখী ভবেৎ ॥৩০॥

শোঙলবা উমংদা অনৌ অনৌবা নাপী থি-থিহুনা চা-চাহুনা হঙৎ-হন্দা চৎলিবা শা অদুবু নারোন্দগী কৈনা হোচ্চিল্লকুনা য়োৎখিবহুঙুম্না— অনৌ অনৌবা বিষয়ভোগপু থিনা থিনা চৎলিঙৈ মতমদা মৃত্যু কৌবহুনা পেল্লিবা মাবু পুহুনা চিংহুনা চৎখি ॥২৪॥

অদুম্দি ওইরবদা মী খুদিংমক অরাবদগী লান্থোক্নবগী উপায়দি হোৎনকম থোকই। অরাবা অদু নাকোয়ননা থম্নগা কোক্নবগী উপায় থিরিবা অদুগা অদুম্না থিবা মতমদা করিগুম্বা বিষয়ভোগ অমদা কা হেন্না পুক্নীং চঙবা— আসক্তি থমদবা মহাক অদুতনা অরাবাদুদগী লান্থোকপা ঙম্মি ॥২৫॥

ঈনাকখুন্‌বা মী খঙদে, লায়রবা মী খঙদে, শব্দ স্পর্শ রূপ রস গন্ধবু উপভোগ তৌবা (চাব ফংব) মকম মতম অদুদা নুংঙাইবা থরা মশাদা ফাওই। চাবদু ফংবদু লৌরবা তুংদা হায়গী নুংঙাইবা অদু অমুক ফংদ্রে ॥২৬॥

কনাগুম্বা করিগুম্বা অমবু ফংদ্রিঙৈ তিন্নদ্রিঙৈ মতমদা অরাবা হায়বা অসি কন্নিমতা লৈরমজে। তিন্নরুরবদি কায়নবা তারবনিনা কায়নবা মতমদুদা অরাবদু ফংও। মরম অদুনা মশাগী মওংদা চপচানা লেঙদনা লৈরবা মী অদুনা কায়নবা ফংলবা মতমদা কন্নিমতা য়াবিদে। অদুগা য়াম্ন য়ারেইদৌবনি ॥২৭॥

তাইবংমীনা তৌগদবা হায়বদু তপথবা ওননা লিঙ্গশরীরবু অদুগা পুক্‌পু, মীৎকী পান্থেনা খোঙ খুৎপু পুক্নীংগী পান্থেনা মীৎপু, অদুগা নাকোংবু, অদুগা অচুম্বা অকবা বিদ্যাগী পান্থেনা পুক্নীংবু অদুগা য়াঙাওবু নিয়ম নাইনা ফাজিন্নুনা থম্বা— অসিতনি ॥২৮॥

পূজা তৌনমীওডায় ওইবশিংগী অদুগা অতোপ্পশিংগী মকমদসু আসক্তিবু থাদোক্লুনা নোম্লুনা আচরণ তৌরিবা চৎলিবা, পুন্‌সি লেন্নিবা মী অদুতনা নুংঙাইবা ফংঙি। মী অদুতনা বিদ্বান (জ্ঞানী) হায়বা অদু ওই ॥২৯॥

অধ্যাত্মবিদ্যাদা পুক্নীং চঙলিবা, অপাম্বা মিংৌবা (লোভ লোলুপ) লৈতবা, বিষয়ভোগতা আসক্তি (কা হেন্না পুক্নীং থিংজিন্‌বা, পামশিন্‌বা) থম্‌দনা, মথন্তা তুম্নিন্না পুন্‌শি লেন্নিবা মহাক অদু— নুংঙাইবা হায়বদু ফংলবনি ॥৩০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি শুকাভিপতনে পঞ্চবিংশত্যধিকত্রিশততমোহধ্যায়ঃ ॥৩২৫॥

——:(+):——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, নারদবৈরাগ্যজ্ঞানোপদেশগী চহুমগাকুমুগুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৫॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

ষড়বিংশত্যধিকত্রিশততমোহধ্যায়ঃ

(শুকদেবনা সূর্য্যলোক তান্না চৎথিগদবগী বিচার)

চহুমগা কুন্তরুকুশুবা অধ্যায়

——:(+):——

নারদ উবাচ ।

সুখদুঃখবিপর্য্যাসো যদা সমনুপদ্যতে । নৈনং প্রজ্ঞা সুনীতং বা ত্রায়তে নাপি পৌরুষম্ ॥ ॥

স্বভাবাৎ যত্নমাতিষ্ঠেৎ যত্নবান্নাবসীদতি । জরামরণরোগেভ্যঃ প্রিয়মাত্মানমুদ্ধরেৎ ॥ ॥

রুজন্তি হি শরীরাণি রোগাঃ শারীরমানসাঃ । সায়কা ইব তীক্ষ্ণাগ্রাঃ প্রযুক্তা দৃঢ়ধন্বিভিঃ ॥৩॥

ব্যথিতস্য বিধিৎসাভিস্তাম্যতো জীবিতেষণঃ । অবশস্য বিনাশায় শরীরমপকৃষ্যতে ॥৪॥

নারদনা হায়,— শুকদেব ! তাইবংমীনা নুংঙাইববু অরাবনি হায়না, অদুগা অরাববু নুংঙাইবনি হায়না খঙবা মতম অদুদা মাগী ফরবা অথোইবা বুদ্ধিনসু, নীতি নিয়মনসু, অদুগা মশাদা লৈরিবা পুরুষার্থনসু মহাকপু কন্দে, কন্বসু ঙমদে ॥১॥

অদুনা অহান্বদা তাইবংমীনা অশেংবা জ্ঞান (বুদ্ধি) ফংননবা হোৎনগদবনি । মরমদি— ফংত্রবসু হোৎনবা তোক্ত্রিবা মী অদো অরাবদা থোইনা তারদে । খ্বাইদগী চান্নবসে আত্মানি । মরম অদুনা চান্নবা আত্মা অদুবু জরা মৃত্যু অমদি রোগশিংদগী কন্নগদবনি ॥২॥

হকচাংগী অমদি পুক্নীংগী রোগদি কল্লবা লীরুংবু পুন্থমচেংনা পায়রবা মীনা কল্লা কাপথোরকপা থোরবা তেন্গী মতৌগুম্না হকচাংদা চৈনা পী ॥৩॥ অরাম্ খৌরাংবা অমদি মিহৌবনা চোকথরবা, রাত্রদি রাত্রবসু

স্রবন্তি ন নিবর্ত্তন্তে স্রোতাংসি সরিতামিব। আয়ুরাদায় মর্ত্ত্যানাং রাত্র্যহানি পুনঃ পুনঃ ॥৫॥
ব্যত্যয়ো হ্যয়মত্যন্তং পক্ষয়োঃ শুক্লকৃষ্ণয়োঃ। জাতান্ মর্ত্ত্যাঞ্জরয়তি নিমেষান্ নাবতিষ্ঠতে ॥৬॥
সুখদুঃখানি ভূতানামজরো জরয়ত্যসৌ। আদিত্যো হ্যস্তমভ্যেতি পুনঃ পুনরুদেতি চ ॥৭॥
অদৃষ্টপূর্ব্বানাদায় ভাবানপরিশঙ্কিতান্। ইষ্টানিষ্টান্ মনুষ্যাণামস্তং গচ্ছন্তি রাত্রয়ঃ ॥৮॥
যোঽয়মিচ্ছেৎ যথাকামং কামানাং তদবাপ্নুয়াৎ। যদি স্যান্ন পরাধীনং পুরুষস্য ক্রিয়াফলম্ ॥৯॥

তৌনিংঙাই লৈতবনা অস্নম্ হিংহুনদি মরৈনিংলিবা অহুগুম্বা মীগী হকচাং অহুদি নোংম নোংমগী মীৎকুপ খুদিংগী বিনাশগী মায়গৈদা, হায়বদি— মৃৎখিবগী মায়গৈদা চঙশিল্লিবনি ॥৪॥

তুরেলগী ঈচেন্না মাঙলোমতদা চেন্‌শিন্‌বা, অমূকহন্না তুংদ য়েংদবহুগুম্না তাইবং জীবগী পুন্‌শিগী ঈচেনস্ন অস্নম চেন্থন্ত্রিবনি। অহি ন্নুংখিল শনীনা পুন্‌শিগী ঈচেলবু নমহুনা চিংহুনা অহুম পুথন্ত্রিবনি ॥৫॥

শুক্ল কৃষ্ণ পক্ষ অনীগী পরিবর্ত্তন অসি অয়েস্বদা তৌবা নত্তে। পরিবর্ত্তন অনীসিনা হায়বদি— ওন্ন ওন্ননা লাকপসিনা তাইবং জীবগী মপাল্‌গী হকচাংবু নোংম নোংমগী চপশিল খুইজিলহল্লিবনি। অসিগুম্বা মথোয়গী মথৌ অসি মীকুপ অমককা লেপ্পা নত্তে, পোথাবা লৈতনা মথোয়গী মথৌ অসি তৌরিবনি ॥৬॥

নোংমদোম্বক্ত থোক্লিবা ন্নুমিৎ অসে ন্নুমিৎখুদিংগী থোরক্লি তারি। মহাক মশামক অজর অমর ওই-রবস্ন জীবপান্‌বা পূম্নমক্কী অন্না ন্নুংঙাইববু কংশিলহল্লি। হায়বদি— ন্নুংঙাইবগী শরুকপুন্ন অন্নাবগী শরুক-পুন্ন অরোইবদা পুশিল্লক্লি ॥৭॥

অহিংশিং অসিনা তাইবংমীগী (তাইবং জীব পুম্বগী) দমক অমুক্ত থোকখিদবা ওইথোকপা, পাকজবা পামজদবা ঘটনা কয়া কয়াবু পুরক্লি, পুরক্লম্মি, থনম্ থনম্লগা চৎখি ॥৮॥

জীব অমমম্না তৌরিবা কর্ম্মগী মহৈ অসিনা কনাগুম্বা অমগী মথা পোল্লমত্রবদি, কংনিংলিবা মহৈহুগী দমক তৌরি তৌরিবা কর্ম্ম অহুগী মহৈ অহু চপ্ চপ্ চানা ঙহুম্ মফংলম্‌গদবনি ॥৯॥ *

* কর্ম্মদি মীগী মথা পোল্লি। হায়বদি— কর্ম্মদি তৌগদৌরিবা মী অহুনা তৌনিংলগা তৌই, তৌ-নিংত্রগা তোকই। অহুগা তৌরবদি তৌখ্রিবা কর্ম্মহুগী মহৈ অহুদি মশক উদবা (অদৃষ্ট) অমগী মথা পোল্লি। কর্ম্মবু তৌনিংলগা তৌ, তৌনিংত্রগা তোক্, অহুম্না মহৈ (কর্ম্মফল) দদি য়াদে। অফবা কর্ম্মগী ফল ফত্তনা ফংবা য়াওরি। মহৈ ঈচা চাদনা তোকপস্ন য়াওরি। য়ারেমথৈ তৌরগা মহৈ ঈফং ফংদবা য়াওরি। তৌওম্ তৌদগুম্ তৌবা কর্ম্মগী মহৈস্ন ফজনা ফংবা য়াওরি। অহুনা কর্ম্মগী মহৈদি স্বাধীন নত্তে পরাধীননি। কর্ত্তাগী মথা পোন্দে, কনাগুম্বা মহৈ পীগদবা অমগী রাথলগী মথা পোল্লি। অহুগী দমক্তা ভগবান্‌না গীতাদা হায়রে— "কর্ম্মণ্যেবাধিকারস্তে" হায়বদি— তাইবংমীগী অধিকারদি কর্ম্মতদনি, মহৈদা নত্তে। তৌনিংলগা তৌবা, তৌনিংত্রগা তোকপা অহুবুনি অধিকার হায়বদি। অহুগুম্বা অধিকার অহু— কর্ম্মতদনি, কর্ম্মগী ফলহুদদি নত্তে লৈতে। অহুনা, থবক অসি তৌরগা মহৈ অসি ফংগনি, অসিগুমবা

সংযতাশ্চ হি দক্ষাশ্চ মতিমন্তশ্চ মানবাঃ। দৃশ্যন্তে নিষ্ফলাঃ সন্তঃ প্রহীণাঃ সর্ব্বকর্ম্মভিঃ ॥১০॥
অপরে বালিশাঃ সন্তো নির্গুণাঃ পুরুষাধমাঃ। আশীর্ভিরপ্যসংযুক্তা দৃশ্যন্তে সর্ব্বকামিনঃ ॥১১॥
ভূতানামপরঃ কশ্চিদ্ধিংসায়াং সততোত্থিতঃ। বঞ্চনায়াঞ্চ লোকস্য স সুখেষ্বেব জীর্য্যতে ॥১২॥
অচেষ্টমানমাসীনং শ্রীঃ কঞ্চিদুপতিষ্ঠতে। কশ্চিৎ কর্ম্মানুসৃত্যান্যো ন প্রাপ্যমধিগচ্ছতি ॥১৩॥
অপরাধং সমাচক্ষ্ব পুরুষস্য স্বভাবতঃ। শুক্রমন্যত্র সম্ভূতং পুনরন্যত্র গচ্ছতি ॥১৪॥
তস্য যোনৌ প্রযুক্তস্য গর্ভো ভবতি বা ন বা। আম্রপুষ্পোপমা যস্য নিবৃত্তিরুপলভ্যতে ॥১৫॥
কেষাঞ্চিৎ পুত্রকামানামনুসন্তানমিচ্ছতাম্। সিদ্ধৌ প্রযতমানানাং ন চাণ্ডমুপজায়তে ॥১৬॥

ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা, মহাজ্ঞানী ওইরবা, হৈ-হিংলবা মীশিংসু ক্না তৌবা কর্ম্মগী ফাওবা মহৈ ফংদবা য়াওরি ॥১০॥

অদুগা কনাগুম্বা য়াম্না পঙ্গ্রবা, মগুণ করিস্তা লৈতবা মবুকচেল য়াম্না তোনগ্রবা মীশিং কনাগুম্বা মহাত্মা ওইরবা মহাপুরুষশিংগী আশীর্ব্বাদ অমত্তা ফংদনা মালা নীঙবা পুম্বা ফংহুনা লুংগাইনা পুনশি লেললি ॥১১॥

লুমিৎচুপ্না মীওোন্দা হিংসা তৌবতনা মশিঙ্গাং ওইবা, মীওোন্দা নমথাক লৌনম তৌবতদা হৈনগ্রবা, কনা কনাগুম্বা মীশিং ঈপুং লুংঙাইনা, মচাক্ মরল হোঙনা পান্‌বা উরি ॥১২॥

করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌদনা তুমিন্না তন্দুনা ফমহুনা লৈবা কনাগুম্বগী য়ুমদসু লক্ষ্মীনা মথোঙথোংনা লাক্লুনা লৈবা য়াওরি। অদুগা ধর্ম্ম কাম্দনা কর্ম্ম নোমজবা অমমসু চন্না হেন্দুনা অরাবা থাঙহুনা নীংবা ঈথুং পুংদনা লৈরি ॥১৩॥

মাসি তাইবংমীগী প্রারব্ধকর্ম্মগী মহৈননি হায়না খঙ্‌উ। বীর্য্যনা পোকপনা অমদা পোক্লগা, মচা পোকহন্নবগী দমক্তা অমদা চৎথি। হায়বদি— নিপাগী দেহসুংদা পোকপা বীর্য্যনা নিপা অদুগী মচা পোকহন্নবগী দমক্তা মকম অমদা, হায়বদি— নুপী (অমোম) গী দেহসুংদা চঙ্‌খি ॥১৪॥

নুপীগী হকচাংসুংদা চঙ্গ্রবা ঈ (বীর্য্য) অসি করিগুম্বা মতমদনা গর্ভ পুহনবগী শক্তি পী, করিগুম্বা মতমদনা পীদে, হায়বদি— বীর্য্য অসি চঙ্খিবা ওাক্লা মচা পোকপা নত্তে। অদুগা করিগুম্বা মতমদনা— বীর্য্য অসি হৈনৌ মপান্ কেন্‌খিবদৌনা কাম্নদনা হকচাং পুংদগী কেন্‌খিবা থোক্‌খিবা য়াওরি ॥১৫॥

কনাগুম্বনা মচা য়াম্না পোকনীংঙি, অদুগা মচাদুগী মচাবুসু অমুক উনীংঙি। হায়রবা আশা অসি থুংনবা যাগযজ্ঞ থৌরাংনচিংবা য়াম্না লৌই। অদুবু মচাশি লায়রদুনা ঈ মতুম অমা কাওবা মমীক্ত উদবা য়াওরি ॥১৬॥

থবক্কিগী মহৈদি অসিগুম্ব মহৈসি ফংফম্ পোক্‌ই হায়বা থক্ য়াদে, ঐথোয়না থুসী তৌবা য়াদে। অদুনা মহৈগী য়াখল ঈদৌ ভৌরদনা কর্ম্মদি অদুন মতোগান। অদুম্না তৌবা কর্ম্মদুবু নিষ্কামকর্ম্ম কৌই। তৌবিবা মী অদুবুবা "নিষ্কামকর্ম্মযোগী" কৌই। (কালাচাঁদ)

গর্ভাচ্চোদ্বিজমানানাং ক্রুদ্ধাদাশীবিষাদিব। আয়ুষ্মাঞ্জায়তে পুত্রঃ কথং প্রেত ইবাভবৎ ॥১৭॥
দেবানিষ্ট্বা তপস্তপ্ত্বা কৃপণৈঃ পুত্রগৃদ্ধিভিঃ। দশমাসান্ পরিধৃতা জায়ন্তে কুলপাংসনাঃ ॥১৮॥
অপরে ধনধান্যানি ভোগাংশ্চ পিতৃসঞ্চিতান্। বিপুলানাভিজায়ন্তে লব্ধাস্তৈরেব মঙ্গলৈঃ ॥১৯॥
অন্যোন্যং সমভিপ্রেত্য মৈথুনস্য সমাগমে। উপদ্রব ইবাবিষ্টো যোনিং গর্ভঃ প্রপদ্যতে ॥২০॥
শীঘ্রং পরশরীরাণি ছিন্নবীজং শরীরিণম্। প্রাণিনাং প্রাণসংরোধে মাংসশ্লেষ্মবিচেষ্টিতম্ ॥২১॥
নির্দ্দগ্ধং পরদেহেঽপি পরদেহং চলাচলম্। বিনশ্যন্তং বিনাশান্তে নাবিনাবমিবাহিতম্ ॥২২॥
সংগত্যা জঠরে ন্যস্তং রেতোবিন্দুমচেতনম্। কেন যত্নেন জীবন্তং গর্ভং ত্বমিহ পশ্যসি ॥২৩॥

অহুগা কনাগুম্বনা মচা পোকপা হায়বসিবু অহুগা মচা হায়াসমক্তবু মহু পুংবা লিল্ অমনা ঈমুংদা চণ্ডকপগুম কিবা য়াওরি। অহুবু অহুম্না মচা পুক্নাক্ পোকগনীংঙবা মহাক্না পুন্শিনবা মচাকয়া পোকপন্না য়াওরি। পুন্শি শাংলবস্থ লায়না মখল মখলনা পুন্শিচুপ্পা অরাবা খাঙবা য়াওরি ॥১৭॥

কনাগুম্বা মপা মমানা ধর্ম্ম-কর্ম্ম যাগ-যজ্ঞ, পূজা পাঠ তৌহুনা মচাবু ফংজবা য়াওরি। অহুগুম্বা তাঙনা ফংলবা মচাহুনা মমাগী গর্ভদা থা তরা চুপ্প মমাবু অরাবা খাঙহনগা পোকলকপা মতমদদি মমা-মপা চেন্থবা শাগৈগী মৈতাল অশিবা ওইবা মচা য়াওরি ॥১৮॥

মচা কংনিংবগী দমক্তা নিপা মুপী মতৈ-মনাও অনীনা অমগমগা মুংশিননা তিন্ন-খোৎনৈ। অহুবু মতমদদা বীর্য্যহুনা ওন্থোকপা উপদ্রব অমগা লোয়ননা মুপীগী যোনিদা চণ্ডখিবা য়াওরি ॥১৯—২০॥

কফ (লোক — লৈপাক), অহুগা মাংস (শদুম্ লু তাং) তগী মশক ওইরবা স্থূলশরীর (অউবা—অচৌবা হকচাং) আসনা পুন্কোয় কোয়শিন্দুনা, অসিগুম্ব হকচাং পুরিবা প্রাণী (দেহী— আত্মা) অহুনা, হায়রিবা হকচাংসিবু হেক থাদোকখিবগী মতুংদা (মৃত্যুগী মতুংদা) অতোপ্পা স্থূলশরীর অমদা চোংশিন্খি—চণ্ডখি ॥২১॥

হি (জাহাজ) না ঈশিংদা হেক্ লুপথরকপদা, মাহুদা তোংওম্বা মী (যাত্রিকশিং) অহুবু কয়নবা হোজিনক্লিবা অতোপ্পা হি অমগী হিন্নুং অহুদা হেক চোংশিন্থিনবা থোরাং তৌহুনা থম্বা অংগুম্বা হিগী মশক ওইরবা হকচাংসিনা তাইনং-ঈপাক্সিদা হেক্ লুপথখিবগা জীবসিবু য়ান-নবা ওক্লনবা অতোপ্পা হি (হকচাং) অমা হেক্ থৌজিনকই (হোজিনকই) ॥২২॥

শুকদেব। পুরুষ (নিপা) না মুপীগা শমহুনা মুপীহুগী পুক্নুংদা তাহনখিবা বীর্য্যগী বিন্দু (মরীক্) অদুনা গর্ভগী মশক লৌখ। নিপাগী হকচাংদগী থোকখিবা বীর্য্য (শুক্র) অদু মুপীগী হকচাংদা পুক্নুংদা চণ্ডখিবা মতমদা গর্ভ কৌথ্রে। করম্ব যতননা, করম্ব কর্ম্মনা, গর্ভ কৌথ্রবা বীর্য্য অদুদা হিংহুনা লৈরি? হায়বদি— অশিবা ঈ লৈপাক্ মরীক্ অদুনা করম্না কনানা অহিংবা পোৎশক ওইহনক্লিবনো হায়বা অসিদি নহাক নোংমত্তা খল্লক্রবা? ॥২৩॥

অন্নপানানি জীর্যন্তে যত্র ভক্ষাশ্চ ভক্ষিতাঃ। তস্মিন্নেবোদরে গর্ভঃ কিং নান্নমিব জীর্যতে ॥২ ॥
গর্ভে মূত্রপুরীষাণাং স্বভাবনিয়তাগতিঃ। ধারণে বা বিসর্গে বা ন কর্তা বিদ্যতে বশঃ ॥২৫॥
স্রবন্তি হ্যুদরাৎ গর্ভাৎ জায়মানাস্তথাপরে। আগমেন তথান্যেষাং বিনাশ উপপদ্যতে ॥২৬॥
এতস্মাৎ যোনিসম্বন্ধাৎ যো জীবন্‌পরিমুচ্যতে। প্রজাঞ্চ লভতে কাঞ্চিৎ পুনর্দ্বন্দ্বেষু সজ্জতি ॥২৭॥
স তস্য সহজাতস্য সপ্তমীং নবমীং দশাম্। প্রাপ্নুবন্তি ততঃ পঞ্চ ন ভবন্তি গতায়ুষঃ ॥২৮॥
নাভ্যুত্থানে মনুষ্যাণাং যোগাঃ স্যুর্নাত্র সংশয়ঃ। ব্যাধিভিশ্চ বিমথ্যন্তে ব্যাধৈঃ ক্ষুদ্রমৃগা ইব ॥২৯॥

অহিং মুংথিন্দা চাখ্রি থক্‌খ্রি পুম্বা থুদক্কা তুমহন্'খ্রবা অহুগুম্বা মৈ মহাক্কা হকচাংনুংদা থা তরা চুপ্পা লৈরক্লিবা বীর্য্য (গর্ভ কৌবা লোৎল লৌরবা পোৎশক্ অংবু চাক্-য়েঙ্গাংনা তুম্‌থিবগুম্— জঠরাগ্নিনা তুমহন্‌খিদ্রিবসি করিননো ? ॥২৪॥

গর্ভনুংদা লৈবা থী য়ুংবু থাজিনবা লোথোকপগী থবক অসিদা মহৌশাগী প্রকৃতিগী স্বভাব অমা লৈ। লোথোক লোৌশিনগী থবক অসিদা স্বাধীন কর্ত্তা অমতা লৈতে। হায়বদি— ঐনা লোথোক্কে লৈহন্‌গে হায়রগা হেক্ য়াব নত্তে। মাহু ওম্বা কর্ত্ত অমতা লৈতে। করিগুম্বা গর্ভনা মমাগী (মুপীগী অমোম্‌গী) পূক্‌নুংদা তুম্‌থিবা মাঙথিবা য়াওরি। থরনা মপান্দা থোরকপা পোক্লকপা য়াওরি। অহুগা থরনা— হেক্ পোকপগা শিবা মাঙথিবা য়াওরি। ঐনা নংনা খুং থিংজিন্‌বা য়াদবা গতি নিয়ম অমা লৈরি ॥২৫—২৬॥

যোনি (জীবগী থোরকফম লিঙ্গ) অসিগী সম্বন্ধদগী করি করিগুম্বা গর্ভনা তেক্ত কায়ননা থোরকপা পোক্লকপা য়াওরি। মতম অহুদা নিপা মুপীনা মচা হায়বহু ফংভি। মচা অহুনা নিপা মুপী অনীহুগী সংবন্ধ অহু অমুক নকশিলহল্লি। অনীবু কন্না কাজিয়ৈ ॥২৭॥

আ— অনাদিকালদগী মাগা পোক্‌মিন্ থোক্‌মিন্নরকপা হকচাংসিগা লোয়ননা জীবাত্মানা, হকচাংসিদগী থোকথিদ্রিকাওবা, হকচাংগা লৈনবা মরী অহু থক্ তৎনহন্দে। হবচাং অসি গর্ভবাস, জন্ম (পোকপ), বাল্য (অঙাং ওইবা), কৌমার (কুমারগী অবস্থা), পৌগণ্ড (পাখং মচা), যৌবন (মথোন্ কারকপা), বৃদ্ধত্ব (অহল ওইরকপা), জরা (অহল ওইরকপগী হকচাং খুইজিঘনচিংবা লমথুং), মুংশাশোর ফুন্‌বা, শাংনা হোন্‌বা য়ারক্কবা, অহুগা শিবা অবস্থা তরা অসি লৈ। অসিগী মহুংদা তরেৎগুবগা মাপনগুবগা অনীসিদি মপান্‌গী পঞ্চভূত অসিতদা ওই ; আত্মাগা করিমতা মরী লৈনদে। পুনশিনা লোইরকপদা হকচাংগী মাপন্‌গুবা দশানা লাক্লবদা হায়রিবা পঞ্চভূত অসি লৈহরোই। হায়বদি— তরাগুবা দশমী দশাদা চঙখি (মৈ, ঊশিংনচিংবা ভূত মঙা অসি দশমী দশাদা চঙখি) ॥২৮॥

শানাঘনা শজীমচা মচাদা অরাবা মিপাইবা পীরক্পহুগুম্না— লাংনা মহুল্ মখলনা তাইবংমীদা অরাবা পীরকই, চৎপা কম্বা কাওবা ওয়ক্তে। মাসিদা চিংনকম করিমতা লৈত্রবনি। মুমিৎথুদিংগী মীংনা শংশংনা ঊনরিবসিনি ॥২৯॥

ব্যাধিভির্ম্মথ্যমানানাং ত্যজতাং বিপুলং ধনম্। বেদনাং নাপকর্ষন্তি যতমানাশ্চিকিৎসকাঃ ॥৩০॥
তে চাতিনিপুণা বৈদ্যাঃ কুশলাঃ সম্ভৃতৌষধা। ব্যাধিভিঃ পরিকৃষ্যন্তে মৃগা ব্যাধৈরিবার্দিতাঃ ॥৩১॥
তে পিবন্তি কষায়াংশ্চ সর্পীংষি বিবিধানি চ। দৃশ্যন্তে জরয়া ভগ্না নগা নাগৈরিবোত্তমৈঃ ॥৩২॥
কে বা ভুবিচিকিৎসন্তে রোগার্ত্তান্ মৃগমৃগপক্ষিণঃ। শ্বা দানি দরিদ্রাশ্চ প্রায়ো নার্ত্তা ভবন্তি তে ॥৩৩॥
ঘোরানপি দুরাধর্ষান্ নৃপতীনুগ্রতেজসঃ। আক্রম্যাদদতে রোগাঃ পশূন্ পশূন্ পশুগণা ইব ॥৩৪॥
ইতি লোকমনাক্রন্দন্ মোহশোক পরিপ্লুতম্। স্রোতসা সহসাক্ষিপ্তং হ্রিয়মানং বলীয়সা ॥৩৫॥
ন ধনেন ন রাজ্যেন নোগ্রেণ তপসা তথা। স্বভাবমতিবর্ত্তন্তে যে নিযুক্তাঃ শরীরিণঃ ॥৩৬॥

লায়নাশিং অহুনা আক্রমন তৌশিল্লক্লবদা তাইবংমীনা মাইব মাইবীদা শেল য়াম্না ভিংহুনা লায়েংহল্লি, লায়নাশিং অদুবু তাম্হোক্লবা য়াম্না হোংদ্রৈ। অদুবু রোগীশিং অদুগী অন্না অনাগী চৈনা অদুবুদি কোক্হন্না ঙমদে ॥৩০॥

রোগ (লায়না) মথল মথলগী হীদাক্ লাংতক থিহুনা শেমহুনা লায়না কয়া কয়াবু কে'ক্হন্লম্বা, অদুগা কোক্লনবা হোৎনরম্বা বৈদ্য কবিরাজ (মাইবা) শিং অদুসু মথোয়না কোক্হনগে তাম্হোক্লে হোৎনরম্বা লায়নাশিং অদুগী মম্নুংদা লায়না অমগী শিকার (শাবাকৃক্ষম্) ওইখি। হায়বদি – মথোয় অদুবুসু লায়নামনা মৃত্যুগী নাক্ত পুহুনা চংখি ॥৩১॥

মপা মউ ক্ষরবা, চাউর চাউববা শ'মুগা উজাউগা থেঙ্গাইনবম্বা, মমিং চৎলবা মল্ ওইরবা মথোয় অদুবুসু বৃদ্ধাবস্থা (জরা) না মখ্বাং কোলগল্লকই। মখুৎমশামক্তা হাইগৎপা ঙমহল্লক্তে ॥৩২॥

পৃথিবী অসিদা হেক্ লৈরিব শা উচেক্ তীল ক ও পুন্ন'ক্রী অদুগা তাইবংগী খুদিংমক্কী মশাদা ওন্থোক্ ভন্থে কপা লায়না লাকপা মতমদা মাইবা কনানা মথোয় পুন্নমক্কী লায়না অদু কোক্লনবা লায়েংবা (মাইবা) কনা লাকপগে? ॥৩৩॥

কৈ নোংশাগুম্বা অচৌ অচৌবা শানা, শা (জন্তু) মচা মচাবু লাক্থুবহুগুম্না— কম্থোরবা, অকিবগী মশক ওইরহা নিংথৌ কয়া কয়াগী মথক্তা শাথিবদা লায়নানা আক্রমন তৌশিল্লক্লুনা মথোয়বু মৃত্যুগী নাক্ত পুহুনা চংখি ॥৩৪॥

অসুম তৌহুনা সংসার ঈপাক অসিগী ঈরৈ কল্লবা ঈচেল্দা থংহোৎনা চেম্বপ্রবা অকল অথৌ কয়া কয়ানা লাউ-খোংহুনা অয়াবা চৈনামক্তা ফাওবা ফংবা নংহৌদনা লুপ্লক্লি ॥৩৫॥

নোঙ্-হোৎনবমখৈগী মহৈয়ানব হায়বদু লৈরম্লগদি শিনিং-নানিংবা লৈত্রবা মীওইবা খুদিংমক্কা হোৎনরিবা থবক্ অসিদা মহৈ য়ান্দুনা কনা অমতা শিরম্লাওম্লবোইদৌবনি। বিধাতাগী য়াথংনা অমদি নিয়ম বিধিনা কর্ম্মগী মহৈ চাননবা থাজিল্লক্লিবা তাইবংমীনা কনা য়াম্না হোৎনজহুনসু লেলথুমগী পাম্বৈনা, ধ্যান তপস্যাগী শক্তিনা প্রকৃতিগী নিয়ম য়াথংদগী য়াংমা লায়া চংপা ঙম্ নত্তে ॥৩৬॥

ন ম্রিয়েরন্ ন জীর্য্যেরন্ সর্ব্বে স্যুঃ সর্ব্বকামিনঃ। নাপ্রিয়ং প্রতিপশ্যেয়ুরুত্থানস্য ফলে সতি ॥৩৭॥

উপর্য্যুপরি লোকস্য সর্ব্বো গন্তুং সমীহতে। যততে যথাশক্তি ন চ তদ্ বর্ত্ততে তথা ॥৩৮॥

ঐশ্বর্য্যমদমত্তাংশ্চ মত্তান্ মদ্যমদেন চ। অপ্রমত্তাঃ শঠাংশ্চুরা বিক্রান্তাঃ পর্য্যুপাসতে ॥৩৯॥

ক্লেশাঃ পরিনিবর্ত্তন্তে কেষাঞ্চিদসমীক্ষিতঃ। স্বং স্বঞ্চ পুনরন্যেষাং ন কিঞ্চিদধিগম্যতে ॥৪০॥

মহচ্চ ফলবৈষম্যং দৃশ্যতে কর্ম্মসন্ধিষু। বহন্তি শিবিকামন্যে যান্ত্যন্যে শিবিকাগতাঃ ॥৪১॥

সর্ব্বেষামৃদ্ধিকামানামন্যেরথ পুরঃসরাঃ। মনুষ্যাশ্চ গতস্ত্রীকাঃ শতশো বিবিধস্ত্রিয়ঃ ॥৪২॥

দ্বন্দ্বারামেষু ভূতেষু গচ্ছন্ত্যেকৈকশো নরাঃ। ইদমন্যৎ পদং পশ্য মাত্র মোহং করিষ্যসি ॥৪৩॥

অদুৎ নত্রবদি কনা অমতসু শিরম্ নারম্লোই। কনাসু অহল ওইরকপা, শোম্বরকপা, হায়বদু ফংঙম্মরোই। নীঙবদুংগে হোৎনরম্বা জীব খুদিংগী হোৎনবহুনা মহৈ য়ানুনা মা মানা ফংনিংদবা, পামজদবা পোৎশক্ অমতসু ফংঙম্মরোই ॥৩৭॥

তাইবংমী খুদিংমক মীথোই মীহৈমীংনা মথক্‌থোংবা পাম্বা ঙাক্কনি। মাদু ওয়না হায়দুনা কনা য়াম্মা মহোৎনজবনি। অদুবু মী খুদিংমক মাদু তৌবা ঙমদে ॥৩৮॥

জ্ঞান তারবা, চনীঙ তারবা কন্-থৌরবা মীসু তৌবা ওম্বা অদুগা ঐশ্বর্য্যগী ময়াইনা মত্ত ওইথিহুনা, য়ুপী নহা অমদি য়ুনচিংবা ময়াই কারবা চীপ্পাক্ অমদি লমচৎকী মথা পোন্‌থিহুনা তোল্লবা মরৈ-মরা চাউরবা মীগী মথা পোন্দুনা, সেবা তৌনা মপুন্‌শি লেন্‌খি ॥৩৯॥

অদুগা, অমরোমদা— থোইদোক্লা পৌ ওইনা হোৎনজদ্রবসু, অরাবা খুদোংথীবা ঘটনা কয়া কয়াদগী ঈরায় লাইনা লাম্বোক্লুনা চৎথিবা মী কয়াসু উনরি। অরাবা তারদা মী কয়া কয়ানসু মখোয়না তাঞ্জরম্বা পৈশিঞ্জরম্বা পল্ অদুগী মচেৎ অমত্তংবু অরা খুদোংথীবা মতম অদুদা হায়বদি— কায়রমদাই মতমদা লাম্ব ফদনা লক্ লক্ লাউনা শিবা য়াওখি ॥৪০॥

কর্ম্মগী মহৈতনা অমবু অমদগী য়াম্মা খেন্নরা থম্মি। অমগী পুন্‌শিনা অমগী পুন্‌শি মরেন্দগী য়াম্মা খেন্নরিবসে কর্ম্মগী মহৈতন থোকহল্লিবনি। মী থরনা হৃমাং কাংবমথৈ দোলাই পুরী। অমনা ঈপুং মুংঙাইনা মথক্তা তোংহুনা চৎলি ॥৪১॥

মী খুদিংমক মুঙাই য়াইফবা চাউথৎপা পাম্বা মক্কনি। অদুবু মী লিশিং লিশিংমা মখোঙনা লৈমায় থক্তা য়ানা চৎলি। অমনা, মখোয়গী মরক্তা য়াং চাউরবা রথ মথক্ত ময়াম্মা থৌগল তৌহুনা চৎলি। মহাক্তা তৌরিবসুম্না অতৈদুসু পাম্লিবনি। অদুবু কর্ম্মগী মহৈহুনা থক্ য়াবা নত্তে। কনা কনানা মাগী মপুন্‌শিদা মাগী লোয়নবী (মুপী) অমতা য়াওরনা মপুন্‌শি লেম্লি। কনাগুম্বসু মাগী লোয়নবী চাম চামনা সেবা তৌরি ॥৪২॥

জীবপোন্‌বা পুম্নমক অরা মুঙাইগী ঈথক্তা ঙাউরি। খরনা মুংঙাইবগী ঈথক, খরনা অরাবগী ঈথক

ত্যজ ধর্ম্মমধর্ম্মঞ্চ উভে সত্যানৃতে ত্যজ। উভে সত্যানৃতে ত্যক্ত্বা যেন ত্যজসি তং ত্যজ ॥৪৪॥
এতৎ তে পরমং গুহ্যমাখ্যাতমৃষিসত্তম। যেন দেবা পরিত্যজ্য মর্ত্ত্যলোকং দিবং গতাঃ ॥৪৫॥
নারদস্য বচঃ শ্রুত্বা শুকঃ পরমবুদ্ধিমান্। সংচিন্ত্য মনসা ধীরো নিশ্চয়ং নাধ্যগচ্ছত ॥৪৬॥
পুত্রদারৈর্ম্মহান্ ক্লেশো বিদ্যাম্নায়ে মহাঞ্ছ্রমঃ। কিং নু স্যাচ্ছাশ্বতং স্থানমল্পক্লেশং মহোদয়ম্ ॥৪৭॥

তাউরি। সংসার অসিদা মী পুম্নমক অমত্তা ওইনা পুল্লপ পুল্লপ অৱাবদা অমুক, মুংভাইবদা অমুক তাম্মিন্ নবা নাত্ত; অদুগা তাম্মিন্নগ হায়বত্তু য়াদে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা অৱাবা মুংভাইবা অনীদগী তোঙান্না লৈবা ব্রহ্ম হায়বা পোৎশক অমা লৈরি। মাতুগী মরম্না নহাক্না থোইনা চিন্তা তৌগদম থোক্কে ॥৪৩॥

অসি তৌরগা ধর্ম্মনি, অসি তৌরগা অধর্ম্মনি হায়বত্তুসু থাদোকউ। অসি তৌরগা অচুম্বনি, অসি তৌরগ চুম্দবনি হায়বত্তুসু থাদোকউ। হায়রিবা থাদোক্লবা পোৎশকশিংসিবু থাদোকপা মতমদা খুৎলায় ওইরিবা জ্ঞান খণ্ডদে, বৰ্ম্ম খণ্ডদে, অদুসু থাদোকউ। ঐন থাদোক্লিবনি হায়বা অহঙ্কার হায়বত্তুসু, হায়বদি— 'ঐ' হায়বা রাখলসু থাদোকউ ॥৪৪॥ *

মুনি অথোইবা! য়াম্না থুপ্পুব্রবা রা অসে ঐনা নঙোন্দা তাহল্লবনি। রাখল অসিনা, হায়বদি— মন্ত্র অসিনা মরম ওইদুনা দেবতাশিংনা মর্ত্তলোক অসি থাদোক্লনা স্বর্গলোকতা চংখি ॥৪৫॥

নারদগী রা অসি তাবদা থোইদোক্না শিংলবা ওপথরবা শুকদেবনা য়াম্না মুন্নদি খন্থখি, অদুবু করিগুম্বা সিদ্ধান্ত অমদা থুংভদবদি মতমদ্রে। হায়বদি— করিগুম্বা অমতা লেপ্নবা ওমথিদ্রে ॥৪৬॥

নিপা মুপীগী লৈনরিবা মনী অমদি মশীং লাকতমদ্রবা ঘটনাশিংসিনা লাক্লবদি ওমথৈ লৈভনা রাবা হায়বত্তু মওইরগদবনি হায়বসি শুকদেবনা খন্‌খি। বিদ্যা অভ্যাস তৌবসু পরিশ্রম য়াম্না চঙি। অদুনদি— সনাতন ওইবা নিত্য ওইবা মাবু ফংলদা করম্ উপায় অমা লৈরি হায়বসি শুকদেবনা খন্‌খি। হোৎনবা

---

* হায়রিবসি— সংপূর্ণত্যাগ (অখণ্ড ত্যাগ) কী রানি। হায়রিবা অসুম্না থাদোক্লবদি থাদোক্লবা পোৎশক অমতা লৈতৌদ্রে। অসুম্না থাদোক্লবা মী মহাক অদু করিগুম্বা অমতগা মরী লৈনদবা ব্রহ্মমক্কী মশক ওইথি। ঐ ব্রহ্মমক্ ওইরে, ব্রহ্ম ফংলে হায়বত্তু থাদোকদবনি। অদু নত্রবদি 'ঐ' হায়বা রাখল অদু অদুম মরৈরবদি— অহঙ্কারগী রাংমদা লৈবা ব্রহ্মত্তু ফংলে হায়বসি মীনম্বা চুম্দরা অদুম্ মওইগনি। মরম অদুনা ঐ দান তৌরে, ঐ তীর্থ চংলে হায়বসিসু অরানব অদুম্ মওইগনি। কনানা কদায়দা চংলিবনো? কনানা কারিব তৌরিবনো? কনানা করিবু থাদোক্লিবনো? থাদোক্লে হায়রিবা রাখল (জ্ঞান) অসিগী তুংনকম ওইবিবা আত্মা অদুদি হকচাং অদুবু থাদোক্ত্রি। থাদোক্তবগনসু থাদোক্লে হায়বা য়ারিবনি। আত্মা অসিনা হকচাংসিবু থাদোক্তব্রবদা থাদোক্লে, থাদোক্লে হায়বিনীভত্তাইসু লৈত্রে। মরম অদুনা থাদোকলে, থাদোক্ত্রি হায়দনা লোইনা থাদোক্লনা লৈরিবা আত্মাদুন, লৈরিবা হকচাং অসিমক্ লাকার-ব্রহ্ম মা মকুকী মশক্নি। লোইনা পুম্বা থারবনি।　　(কালাচাঁদ)

তভো মুহূর্তং সঞ্চিন্ত্য নিশ্চিত্যাং গতিমাত্মনঃ। পরাবরজ্ঞো ধর্মস্য পরাং নৈঃশ্রেয়সীং গতিম্ ॥৪৮॥

কথং স্বহমসংশ্লিষ্টো গচ্ছেয়ং গতিমুত্তমাম্। নাবর্ত্তেয়ং যথা ভূয়ো যোনিসঙ্করসাগরে ॥৪৯॥

পরং ভাবং হি কাঙ্ক্ষামি যত্র নাবর্ত্ততে পুনঃ। সর্ব্বসঙ্গান্ পরিত্যজ্য নিশ্চিতো মনসা গতিম্ ॥৫০॥

তত্র যাস্যাসি যত্রাত্মা শমং মেঽধিগমিষ্যতি। অক্ষয়শ্চাব্যয়শ্চৈব যত্র যাস্যামি শাশ্বতঃ ॥৫১॥

ন তু যোগমৃতে শক্যা প্রাপ্তুং সা পরমা গতিঃ। অবন্ধো হি বুদ্ধস্য কর্ম্মভির্নোপপদ্যতে ॥৫২॥

তস্মাৎ যোগং সমাস্থায় ত্যক্ত্বা গৃহকলেবরম্। বায়ুভূতঃ প্রবেক্ষ্যামি তেজোরাশিং দিবাকরম্ ॥৫৩॥

ন হ্যেষ ক্ষয়তাং যাতি সোমঃ সুরগণৈর্যথা। কম্পিতঃ পততে ভূমিং পুনশ্চৈবাধিরোহতি ॥৫৪॥

ক্ষীয়তে হি সদা সোমঃ পুনশ্চৈবাভিপূর্য্যতে। নেচ্ছাম্যেবং বিদিত্বৈতে হ্রাসবৃদ্ধী পুনঃ পুনঃ ॥৫৫॥

(পরিশ্রম)গী শক্লক অত্তগা অয়াবগী শক্তি ঈযাম্ য়ামদনা, মাতুগী মতৈদি য়াম্না হেক্তা মঙ্গল ওইবসি করিদা লৈবগে হায়বসি শুকদেবনা খনখি ॥৪৭॥

পুং অনীয়োম চগুনা শুকদেবনা বিচার তৌখি। অতুদগীদি ভূত ভবিষ্যং অনীমক্তা মঙ্গলগী মশক ওইগদবা গতি (উপায়) অত শুকদেবনা মাগী পুক্নীংদা লেপখি ॥৪৮॥

মপান্দা তৈবা নাম রূপনচিংবা উপাধিশিং অসিদগী মুক্ত ওইখিদ্রনা (লাপ্তোকখিদ্রনা), পোকপা-শিবগী লাংগী মশক ওইরবা সংসার-ঈপাকসিদগী অমুক শুপ্লদনবা উপায় অসি করি লৈবগে হায়বসি শুকদেবনা খনখি ॥৪৯॥

মফম অদু য়ৌরুরগা অমুক হল্লকত্রবা, মফমদু ঐনা ফংনিংঙি। আসক্তি পুম্নমক থাদোক্লুনা পুক্নীংগী পাম্বৈতনা অথোইবা গতি (ধাম, মফম) ফংগে হায়না কেপ্নরে ॥৫০॥

হৌজিক্তি ঐ ঐগী অাত্মানা শান্তি ফংগদবা মফম অদু তাম্না চৎকনি। অমাও অতা লৈম্নরোইদৌবা মতম পুম্বদা মশক হোংডরোইদৌবা লেগুদনা লৈরগদবা, মশক মঙং অদুদা লৈরগে ॥৫১॥

অদুবু যোগগী পান্থৈ নত্তনদি হায়রিবসি ওইথোক্তবনি। অতোনবা কর্ম্মগী লাংদা ঈশাবু কাজিনদ্ৰুনা লৈবা চুমদে ॥৫২॥

দেবতাশিংনা চন্দ্রমাদগী অমৃত থক্তোক্লুন মাবু পীকশনলক্লি। অদুগুম্না সূর্য্যগী মাগুথরক্পা মৃৎথরক্পা লৈতে। ধূমমার্গদা চৎথৎথিদুনা চন্দ্রমণ্ডল য়ৌরবা মীনা মফম অদুদা মাগী কর্মগী মহৈ অত চাবা হেক্ লোইবগা, থক্ থক্ নীক্লুনা মর্ত্ত্যলোক অসিদা অমুক কুম্থরকই। মতৌ অদুম্না অনৌবা অতোপ্পা কর্ম্ম অমগী মহৈ চারুননবগীদমক্তা চন্দ্রলোক তাম্না অমুক চৎখি ॥৫৩—৫৪॥ *

অসিগী মথক্তা, চন্দ্রমাদি চাওথংলক্পা হন্থখিবা নাই। চাওথংলবা মতুংদা হন্থরক্পা, হন্থরবা মতুংদা

---

* হায়রিবসিগী ভাবতি— মৈথুগী লম্বীদা চন্দ্রলোক য়ৌরবা মী মহাক অদুদি অবাগমন তৌদ্রনা অদুম মহৈ। হায়বদি— অমুক-লোক, অমুক-শি লাংদগী লাপ্তোকপা ঙমদে— হায়রনি। (কালাচাঁদ)

রবিস্তু সন্তাপয়ন্তে লোকান্ রশ্মিভিরুল্বণৈঃ। সর্ব্বতঃ তেজমাদত্তে নিত্যক্ষরমণ্ডলঃ ॥৫৬॥
অতো রোচত্তে গন্তুমাদিত্যং দীপ্ততেজসম্। অত্র বৎস্যামি দুর্দ্ধর্ষো নিঃশঙ্কেনান্তরাত্মনা ॥৫৭॥
সূর্য্যাস্য সদনে চাহং নিক্ষিপ্যেদং কলেবরম্। ঋষিভিঃ সহ যাস্যামি সৌরংতেজোঽতিদুঃসহম্ ॥৫৮॥
আপৃচ্ছামি নগান্ নাগান্ গিরিমুর্ব্বীং দিশোদিবম্। দেবদানবগন্ধর্ব্বান্ পিশাচোরগরাক্ষসান্ ॥৫৯॥
লোকেষু সর্ব্বভূতানি প্রবেক্ষ্যামি ন সংশয়ঃ। পশ্যন্তু যোগবীর্য্যং মে সর্ব্বে দবা মহর্ষিভিঃ ॥৬০॥
অথানুজ্ঞাপ্য তমৃষিং নারদং লোকবিশ্রুতম্। তস্মাদনুজ্ঞাং সম্প্রাপ্য জগাম পিতরং প্রতি ॥৬১॥
সোঽভিবাদ্য মহাত্মানং কৃষ্ণদ্বৈপায়নং মুনিম্। শুকঃ প্রদক্ষিণং কৃত্বা কৃষ্ণমাপৃষ্টবান্মুনিম্ ॥৬২॥

শ্রুত্বা চর্ষিস্তদ্বচনং শুকস্য প্রীতো মহাত্মা পুনরাহচৈনম্।
ভো ভো পুত্র স্থীয়তাং তাবদদ্য যাবচ্চক্ষু প্রীণয়ামি ত্বদর্থে ॥৬৩॥

মতুংদা চাওখৎলকপা হায়বা মাগী নিয়ম অসি থক্ কায়দে। অসি পূম্নমক অসি থম্নুবদা ঐ চাওখৎপা হন্নবগী চক্র অসিদা তানিংদে ॥৫৫॥

সূর্য্যনা মাগী কন্নবা মঙাম্না জগৎ পূম্নমকপু ঙাল্লি। মহাক মশামক্না মকম পূম্নদগী তেজ (মঙাল্) বু লৌশিন খোমজিল্লি। অহুনা মাগী মণ্ডলদি মতম পুম্বদা হন্নবা তুংশিন্‌খিবা নাইদনা অহুম্ লেঙদনা লৈ ॥৫৬॥

অহুনা চাক্লবা শারবা তেজ পুরিবা আদিত্যমণ্ডলদা চৎখিবনা ঐঙোন্দা অফবা ওইগনি। অহুনা ঐ মকম অহুদা নীঙতায়বা অকিবা লৈতনা লৈরুনি। অহুম তৌরবদি কনানন্থু ঐবু মায়ৎীব পীবা ঙম্মোই ॥৫৭॥

হকচাং অসিবু সূর্য্যলোকতা থাদোক্লম্নগা ঋষিশিংগা লোয়ননা সূর্য্যদেবতুমকী কন্নবা তেজদা চঙশিন্‌খিগে ॥৫৮॥ থবক অসিগী মক্ত ঐ চীঙমান্, তুরেল, মায়গৈ লাই পুম্নমক, লাইরৈবকী লাই, হিংচাবা লিন্, হিংচা য়াইতম্ব পূম্নমক অসিনগী বিদায় লৌখিগে ॥৫৯॥

ঙসি ঐ চিংনবা নীঙতায়বা করিমতা য়াওদনা অচচক জীব পূম্নমকী মশাদা চঙথ্রগে। দেবতাশিং অহুগা ঋষি পূম্নমক্না ঐগী যোগশক্তি অসিস্থ উজহৌরসন্থ ॥৬০॥

অন্নম্ হায়না মপূক্লীংদা লেপ্লবা শুকদেবনা জগৎতা কাওরবা দেবর্ষি নারদগী য়াথং লৌরগা মহাকপু পোকপা পিতা শ্রীব্যাসগী মফম তায়া চৎখি ॥৬১॥

আশ্রম তায় চৎখিহ্ননা মহাত্মা ওইরবা পিতা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন মুনিদা খুকম্নগা য়েৎওইননা পরিক্রমা তৌরগা অহুগী তুংদা চৎননবগী বিদায় য়াথং (অনুমতি) লৌই ॥৬২॥

শুকদেবনা চৎলগে হায়না য়াথং লৌরকপা অসি তাবদা, হরাও হুংঙাইবগা লোয়নন ব্যাসনা অনুম্না মচা শুকদেবদা হায়রকই,— "ঈবুঙো! ঈপাগী ঈবুঙো শুক! ঙসিদদি নহাক অসিদা লৈখো। ঈমীৎ থীৎনা নহাকী নশক অসে ঈপা অমুক্তা য়েংহৌখিগে, ঈমীৎ অনী অসে অমুক্তা পেল্‌হলহৌখিগে ॥৬৩॥

নিরপেক্ষঃ শুকো ভূত্বা নিঃস্নেহো মুক্তসংশয়ঃ। মোক্ষমেবানুসংচিন্ত্য গমনায় মনো দধে ॥৬৪॥
পিতরং সম্পরিত্যজ্য জগাম মুনিসত্তমঃ। কৈলাসপৃষ্ঠং বিপুলং সিদ্ধসঙ্ঘনিষেবিতম্ ॥৬৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি শুকাভিগমনে ষড়বিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২৬॥

——:(#):——

অদুবু শুকদেবনা মপা মচাগী মুংশিনবগী, সংসারগী বিষয়দগী লাপ্তোকুখি। সংসারগী মায়াগী থৌরীনা শুকদেববু পুম্নমা থম্না শুমখিদে। তদুগী মরমদা করিগুম্বা চিংনবা অমতা মাগী পুক্নীংদা চিংনবা লৈখিদ্রে, মোক্ষ (মুক্তি) য়াথল-ত থন্নুনা মহাক মকম অদুদগী চৎপ্রগে খন্লে ॥৬৪॥

মপাবু থাদোক্লমগুনা মুনি অথোইবা শুকদেব অসি সিদ্ধ সাধ্য খিবিন্না থম্না লৈরবা য়াং চাউরবা কৈলাস চীংজাওদা কাখৎখি ॥৬৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা শুকদেব-প্রস্থানগী চহুমগা কুন্তরুকশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৬॥

——:(#):——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(শুকদেবনা ঊর্দ্ধগতি ওইখিবা)

চহুমগা কুন্তরেৎশুবা অধ্যায়

——:(#):——

ভীষ্ম উবাচ।

গিরিশৃঙ্গং সমারুহ্য সুতো ব্যাসস্য ভারত। সমদেশে বিবিক্তে স নিঃশলাক উপাবিশৎ ॥১॥
ধারয়ামাস চাত্মানং যথাশাস্ত্রং যথাবিধি। পাদপ্রভৃতিগাত্রেষু ক্রমেণ ক্রমযোগবিৎ ॥২॥

ভীষ্মন হায়,— ভরতনন্দন যুধিষ্ঠির! কৈলাসগী মতেংদা কাখৎখিদুনা ব্যাসগী মচা শুকদেবনা— লৈতেংম মান্নবা, নাপী হৌবা, মীচীক্ মীরাওখোল্ তাখিদ্রবা মকম অমদা কমথখি। যোগশাস্ত্রগী বিধিগী মতুংইন্না খোংদগী কোক্ ফাওবগী অঙ্গ পুম্নমক্তা মথং মথং আত্মাগী ধ্যান তৌখি। মতৌ অদুন্না ক্রমযোগবু মপুংফানা সাধন তৌখি ॥১—২॥

ততঃ স প্রাঙ্মুখো বিদ্বানাদিত্যেন চিরোদিতে । পাণিপাদং সমাদায় বিনীতবৎ উপাবিশৎ ॥৩॥
ন তত্র পক্ষিসংঘাতো ন শব্দো নাভিদর্শনম্ । যত্র বৈয়াসকির্ধীমান্ যোক্তুং সমুপচক্রমে ॥৪॥
স দদর্শ তদাত্মানং সর্ব্বসঙ্গবিনিঃসৃতম্ । প্রজহাস ততোহাসং শুকঃ সংপ্রেক্ষ্যতৎপরম্ ॥৫॥
স পুনর্যোগমাস্থায় মোক্ষমার্গোপলব্ধয়ে । মহাযোগেশ্বরো ভূত্বা সোঽত্যক্রামৎ বিহায়সম্ ॥৬॥
ততঃ প্রদক্ষিণং কৃত্বা দেবর্ষিং নারদং ততঃ । নিবেদয়ামাস চ তং স্বং যোগং পরমর্ষয়ে ॥৭॥

শুক উবাচ ।

দৃষ্টো মার্গঃ প্রবৃত্তোঽস্মি স্বস্তি তেঽস্তু তপোধন । ত্বৎ প্রসাদাৎ গমিষ্যামি গতিমিষ্টাম্মহাদ্যুতে ॥৮॥
নারদেনাভ্যনুজ্ঞাতঃ শুকো দ্বৈপায়নাত্মজঃ অভিবাদ্য পুনর্যোগমাস্থায়াকাশমাবিশৎ ॥৯॥
কৈলাসপৃষ্ঠ উৎপত্য স পপাত দিবং তদা । অন্তরীক্ষচরঃ শ্রীমান্ বায়ুভূতঃ সুনিশ্চিতঃ ॥১০॥
তমুদ্যন্তং দ্বিজশ্রেষ্ঠং বৈনতেয়সমদ্যুতিম্ । দদৃশুঃ সর্ব্বভূতানি মনোমারুতরংহসম্ ॥১১॥

গুহাক লৈরগা থুমিং থোরকই । জ্ঞানী শুকদেবনা মতম অদুদা মথোক মথুং লোইনা তাশিলু খোম্জিন্নুনা, নোংপোক্কা মদা মমায় ওন্দুনা যোগাসনদা ফমর্থি ॥৩॥

মতৌ অদুগা মহাজ্ঞানী ব্যাসগী মচা শুকদেবন ফমথখিবা মফমদুদা, করিগুম্বা শা উচেক-বায়া অমতগী মখোল তাদে । মহাকী দৃষ্টি (মীংয়েং) বু চিংশিন্‌শিনবা মপানগী জগৎতা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তা লৈরমদে ॥৪॥

মতম মফম অদুদা মহাক্না বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিদা কনাগুম্বা করিগুম্বা পোৎ অমত্তগা ময়ম লৈনদবা আত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌদুনা হৌনা নোক্‌খি ॥৫॥

অদুদগী অমুক মহাক্না যোগ মোক্ষমার্গগী হায়বদি—অয়ান্‌বা খুত্তমগী লম্বী ফংননবগী দমক্তা যোগ-শক্তিনা ময়ম ওইদুনা আকাশমার্গয়োমদা চংশ্রগে হায়না থনুখ্রে ॥৬॥

অদুগী তুংদা দেবর্ষি নারদগী মনাক্ত চংখিদুনা গুরুদক্ষিণা কৎলুই । মতম্ অদুদা পরমর্ষি নারদগী মফমদা যোগগী ময়মদা মহাক্না অদুম্না হায়খি ॥৭॥

শুকদেবনা হায়,— তেজ লৈরবা তপস্বী । মঙ্গল ওইবিয় । ঐ মোক্ষমার্গগী দর্শন ফংজরে । ঐ মোক্ষমার্গদা চচ্চগ্রগে । ঐ, ঐগী গুরু ওইরবা ঋষিগী কৃপাদগী নীংজবা পুম্বা থুংজগ্রগে ॥৮॥

নারদগী য়াথং ফংলদুনা ব্যাসকুমার শুকদেবনা নারদদা খুরুমজরদুনা, যোগাসনদা ফমদুনা আকাশমার্গ (আকাশগী লম্বী) দা চৎখি ॥৯॥

কৈলাসদগী চোংথৎখিদুনা জ্ঞানতগী মশক ওইখিদুনা অশেংবা জ্ঞানবু ফংখিদুনা বায়ুগী মশক ওইনা, বোংবদোহক্তা কোয়চৎ চৎখি ॥১০॥

মতম অদুদা জীবপানবা পুম্নমক্না মোংবদোহক্তা কোয়চৎ চৎলুনা লৈরিবা ব্রাহ্মণ অথোইবা ব্যাসনন্দন

ব্যবসায়েন লোকাংস্ত্রীন্ সর্ব্বান্ সোঽথবিচিন্তয়ন্। আস্থিতো দীর্ঘমধ্বানং পাবকার্কসমপ্রভঃ ॥১২॥

তমেকমনসং যান্তমব্যগ্রমকুতোভয়ম্। দদৃশুঃ সর্ব্বভূতানি জঙ্গমানি চরাণি চ ॥১৩॥

যথাশক্তি যথান্যায়ং পূজাং বৈ চক্রিরে তদা। পুষ্পবর্ষৈশ্চ দিব্যৈস্তমবচক্রুর্দিবৌকসঃ ॥১৪॥

তং দৃষ্ট্বা বিস্মিতাঃ সর্ব্বে গন্ধর্ব্বাপ্সরসাং গণাঃ। ঋষয়শ্চৈব সংসিদ্ধাঃ পরং বিস্ময়মাগতাঃ ॥১৫॥

অন্তরিক্ষগতঃ কোঽয়ং তপসা সিদ্ধিমাগতম্। অধঃ কায়োর্দ্ধ্ববক্ত্রশ্চ নেত্রৈঃ সমভিরজ্যতে ॥ ১৬॥

ততঃ পরমধর্ম্মাত্মা ত্রিষু লোকেষু বিশ্রুতঃ। ভাস্করং সমুদীক্ষন্ স প্রাঙ্মুখো বাগ্যতোঽগমৎ ॥১৭॥

শব্দেনাকাশমখিলং পূরয়ন্নিব সর্ব্বশঃ। তথাপতন্তং সহসা দৃষ্ট্বা সর্ব্বাপ্সরোগণাঃ ॥১৮॥

সম্ভ্রান্তমনসো রাজন্ন সন্ পরমবিস্মিতাঃ। পঞ্চচূড়াপ্রভৃতয় ভৃশমুৎফুল্ললোচনা। ১৯॥

শুকদেববু বিনতানন্দন গরুড়গী মওংগুম্না মশেক্ ঙাল পুন্নবা অহুং পুন্ন অমদি মু শিংকা মান্নবা য়াঙলবা দেবতা অমগুম্না উথি ॥ ১ ॥

লেপ্লবা মকম লেঙলবা বুদ্ধী শংদ্দনা মবোল্ অপুম্বু আখ্ভাবত উন উনা শুকদেব অসি শাংনা লাপ্না চংথ ম ম অমুদা নগী ওক অসি মুম বুম্ নৈগী মওংগুম্না পুমডাগ ঙাল্লি ॥১২॥

শুকদেবনা অকি নথং কবিমতা লৈতবা মহাশান্তিগা লোয়নবা পুক্নীং অনী লোঙদনা মথক্লোমদা চং-থংখিবা মতমদা জীবশিংগা পুম্নমক্না মহাকপু উথি। মহাকপু মতীকচাবা পূজা তৌদুনা লৈশিংলৈথোন্থি। মহাকী মথক্কা দেবতাশিংন লৈগী নোং চুথংহনখ ॥ ৩—১৪॥

মহাক্ন অসুম্ন চংহুনা লৈবাস উবদা সিদ্ধ সাধ্য, গন্ধর্ব্ব, অপ্সরা, ঋষি, মুনি পুম্নমক্না অঙকপা, অকিবা কনবি, শুকদেবদা মীৎ কুপ্তুনা য়েংদনা লৈনখ্রে ॥১৫॥

মখোয় নশেল অসুম্না হায়নখ ওঙনবি — তপস্যাতনা সিদ্ধি কহুনা আকাশমার্গদা কোয়চং চংলি-বসি কন ওহরিগবা? মমায় (মকোক) না নামদোস্থক্তা পন্থংতুনা হকচাংগী শরক্কা মথায়োমদা ওনথক্লনা চংলি। ঐখোয়গী দৃষ্টিশিংদি মহাক মথন্তনা চংশিল্লি। হায়বদি— ঐখোয় পুম্নমক্কী মীৎকম অসি— মঙোল্দতা তারি। মাস কনা ওইহারগবা? ॥১৬॥

মরোল অঙমদা ফাওরবা ধর্ম্মাত্মা ওইরবা মহাজ্ঞানী শুকদেব অসি মমায় নোংপোক ওন্দুনা সূর্য্য-দেববু য়েংন য়েংনা তুলিন্ন নীঙঙ য়বা লৈতনা আকাশমার্গদা চংলি ॥১৭॥

মহাক্ন মখোঙনা আকাশ পুম্বা শীন্থুংনা চংথিবগুম্ তৌরি। মহাকপু হেক্ উবদা অপ্সরা পুম্নমক অকিবগা লোয়না পুম্নক্ ওক্‌থ ॥ ১৮॥

শুকদেববু উবদা পঞ্চচূড়া চিংনা অপ্সরাশিং অদু পুম্নক্ ওকৃথি। তপস্যাগী শক্তিনা তাইবং মী কনানা দেবতাগুম অসি ইবা গাসি অমিদা চংলবনো? মক্তগা দেবতা কনানা তাইবংমীগী মশক লৌদুনা কোয়রিবনো? অসুম হায়না অপ্সরাশিং অদু মখোয় মশেল চিবোল্ চিবোল্ ঙাঙনথি। মহাক্কা নীঙখিবা

নৈবত্বং কতমং হেতুস্তুমাং গতিমাস্থিতম্। সুনিশ্চিতমিহায়াতি বিমুক্তামিব নিঃস্পৃহম্ ॥২০॥
ততঃ সমভিচক্রাম মলয়ংনাম পর্ব্বতম্। উর্ব্বশী পূর্ব্বচিত্তিশ্চ যং নিত্যমুপসেবতঃ ॥২১॥
তস্য ব্রহ্মর্ষিপুত্রস্য বিস্ময়ং যযতুঃ পরম্ অহো বুদ্ধিসমাধানং বেদাভ্যাসরতে দ্বিজ ॥২২॥
অচিরেণৈব কালেন নভশ্চরতি চন্দ্রবৎ। পিতৃশুশ্রূষয়া বুদ্ধিং সম্প্রাপ্তোঽয়মনুত্তমম্ ॥২৩॥
পিতৃভক্তো দৃঢ়তপাঃ পিতুঃ সুদয়িতঃ সুতঃ। অনন্যমনসা তেন কথং পিত্রা বিসর্জ্জিতঃ ॥২৪॥
উর্ব্বশ্যা বচনং শ্রুত্বা শুকঃ পরমধর্ম্মবিৎ। উদৈক্ষত দিশঃ সর্ব্বা বচনে গতমানসঃ ॥২৫॥
সোঽন্তরিক্ষং মহীঞ্চৈব সশৈলবনকাননাম্। বিলোকয়ামাস তদা সরাংসি সরিতস্তথা ॥২৬॥
ততো দ্বৈপায়নসুতং বহুমানাৎ সমন্ততঃ। কৃতাঞ্জলিপুটাঃ সর্ব্বা নিরীক্ষন্তে স্ম দেবতাঃ ॥২৭॥

অসে ওন্থোক্না মরু চেৎনা লৈত্রেদা, করিগুম্বা লোৎকী অংাম্বা মিহৌবনাচিংবা লাংদগী মুক্ত ওইরক্লুনা ঈহাং হাংবা অতিয়াসিদা তাত্তরি। মাগী পুক্নিংদা কারগুম্বা বিষয় অমগা কামনা অমতা লৈখিদ্রে— অসুম্ হায়-নস্থ অপ্পাশিং অহনা ভাওনখি ॥১৯—২০॥

ওহা* লৈরগা শুকদেব অসি উর্ব্বশী, পূর্ব্বচিত্তি অমসুং কোরি মলয় কৌবা চিংগী চীঙথক্তা থুংখি। মশক ফজরবী নীংথিজরবা উর্ব্বশী, পূর্ব্বচিত্তি অনী অসি মতম অমাংদা মলয় কৌবা চীঙদা লৈবীনি ॥২১॥

ব্রহ্মর্ষি ব্যাসগী মচা শুকনা অথোইবা গতি (মাগী) অদু উবদা থোইদোক্না উক্লখি। মথোয় অনীনা অসুম্না ভাওনখি। ইস! অতক্পানিদা! বেদকী অভ্যাস তৌবগী পুক্নিং চঙলবা ব্রাহ্মণ অসিগী পুক্নিংগী একাগ্রতা (মচীন্ লোঙবা) অসে ওন্থোক্না উক্লক্লবনো!! মপাগী সেবা তৌদা পুক্নিং চঙবগী শক্তিনা চন্দ্রমাগী মতৌগুম্না নোংমদোম্থক আমদা কোংচং চৎলি ॥২২-২৩॥

ব্রাহ্মণমচা অসে পিতৃভক্ত ওইরবা অদুগা মপাগী সেবাদা পুক্নিং চঙলবা মশক অমান। মহাক্পু পোকপা ব্যাস হায়বহুনা মাগী সেবা তৌদা পুক্নিং চঙলবা খুনশিজরবা মচা অসিবু করম্ হায়না থাদোরক্লিবনো? মচা লিনা চৎখ্রগে হায়রকাওবগী চৎখ্রে হায়দুনা করম্না য়াথং পীখ্রবনো? ॥২৪॥

উর্ব্বশীগী ঋা অসি তাবদা থোইদোক্না ধর্ম্ম খঙলবা শুকদেবনা মাংগী পুম্বা মমায় ওন্দুনা য়েংখি। লৈরগা শুকদেবগী পুক্নিং অসি অপ্পাশিংনা চায়খিবা ঋা অদোমদা য়াম্না হক্চিন্ন চঙখ্রে ॥২৫॥

আকাশ, চীঙ-নাম; বন উমংনচিংবশিং অসিগা লোয়নবা লৈরিবা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিগী মফম পুম্ন-মক্তা মমায় ওন্দুনা য়েংশিল্লম্মি। পুখ্রী তুরেলনচিংবা ঈশিংতুরা মফম পুম্নমক্ত ব্যাসগী মচা শুকদেবনা নোংথক্লগী যুম য়েংশিল্লম্মি ॥২৬॥

অমচেত্না জীবপানবা খুনিংমক্ত লৈরিবী অধিষ্ঠাত্রী দেবীশিং অহুনা শুকদেববোমদা য়েংশিল্লম্মি। মথোয় পুম্নমক খুৎ লোম্নহুনা তুমিন্ তুমিন্ লেপ্লদুনা লৈখি ॥২৭॥

অব্রবীৎ তাস্তদা বাক্যং শুকঃ পরমধর্ম্মবিৎ। পিতা যস্তনুগচ্ছেস্মাং ক্রোশমানঃ শুকেতি বৈ ॥২৮॥
ততঃ প্রতিবচো দেয়ং সর্ব্বৈরেব সমাহিতৈঃ। এতন্মে স্নেহতঃ সর্ব্বে বচনং কর্ত্তুমর্হথ ॥২৯॥
শুকস্য বচনং শ্রুত্বা দিশঃ সর্ব্বাঃ সকাননাঃ। সমুদ্রাঃ সরিতঃ শৈলাঃ প্রত্যুচুস্তং সমন্ততঃ ॥৩০॥
যথা জ্ঞাপয়সে বিপ্র বাঢ়মেবং ভবিষ্যতি। ঋষেব্যাজরতো বাক্যং প্রতিবক্ষ্যামহে বয়ম্ ॥৩১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
শুকদেবোর্দ্ধগমনে সপ্তবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২৭॥

——:(+):——

ধর্ম্মগী তত্ত্ব লোইনা খঙলবা শুকদেবনা মখোয়দা অস্থুম্না হায়রকই,— লাইরেম্বী পুম্নমক। করিগুম্ব ঐবু পোকৃপা ঈপা কৃষ্ণদ্বৈপায়ননা ঐবু কৌ কৌহুনা মখম অ ঃদা লাক্লবদি, নখোয় ময়াম্না ঐগী ঈহুৎ শিন্দুনা ঈপাহুদা মতীক্চাবা পাউখুম পীবিয়ুকো। দেবী নখোয় ময়াম অসিনা ঐবু য়াম্না নুংশিবিবা মওংদা য়েংবিম্নি। অহুনা ঐবু নুংশিবিবগী নুংশিরিবা থবকসিমতংদি তৌবিবু ॥২৮—২৯॥

শুকদেবগী রা অসি তাবদা, হৈপাল্ লৈপাল্, ঊমং রাম্‌ংগা লোয়ননা মায়গৈ পুখ, পুখ্রী তুরেল, সমুদ্র, চীঙ-মান্ পুম্নক্কী মশাদা লৈরি লৈরিবা অধিষ্ঠাত্রী দেবীশিংনা মায়গৈ মরিমক্কগী শুকদেবদা অনুম্না পাউখুম পীরকই ॥৩০॥

হে ব্রহ্মন্। হে মহাজ্ঞানী। তাক্পিরিবহুগী মতুংইন্না ঐখোয় লোইনা তৌজগনি। মহর্ষি ব্যাসনা নহাকপু থিরক্পা কৌরক্পা মতমদা ঐখোয়না পাউখুম পীগনি ॥৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা,
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা, শুকদেবোর্দ্ধগমনগী চহুমগাকুন্তরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৭॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাবিংশত্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

(ব্যাসনা মচা কায়নবগী ৱাবা)

চহুমগা কুম্নিপালগুবা অধ্যায়

— —:(+: —

ভীষ্ম উবাচ।

ইতোবমুক্ত্বা বচনং ব্রহ্মর্ষিঃ সুমহাতপাঃ। প্রাতিষ্ঠত শুকঃ সিদ্ধিং হিত্বাদোষাংশ্চতুর্বিধান্ ॥১॥
তমো হ্যষ্টবিধং শ্রুত্বা জহৌ পঞ্চবিধং রজঃ। ততঃ সত্ত্বং জহৌ ধীমাং স্তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥২॥
ততস্তস্মিন্ পদে নিত্যে নির্গুণে লিঙ্গবর্জিতে। ব্রহ্মণি প্রত্যতিষ্ঠত স বিধূমোঽগ্নিরিব জ্বলন্ ॥৩॥
উল্কাপাতা দিশাং দাহো ভূমিকম্পস্তথৈব চ। প্রাদুর্ভূতঃ ক্ষণে তস্মিং স্তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। ৱা অসি তাবগা ফুংঙাইরহুনা শুকদেব অসি সিদ্ধি ফংননবগী দমক্তা মথং মথং অহুম চৎখৎখি। মহাজ্ঞানী শুকদেবনা দোষ মখল মরি, তমোগুণ মখল নিপান্ অমহুগা রজোগুণ মখল মঙাবু থাদোকুনা সত্ত্বগুণ ত্যাগ তৌখি। মাসিসু মচা অঙকপা অমনি ॥১—২॥ *

অদুগী তুংদা নিত্য নির্গুণ ওইরবা, মসুং মপাল অনীমক্তা, হায়বদি— মপান্ হকচাংগী নিপা ৫পী ওইবগী লিঙ্গ (খুদম্), অদুগা মনুং হকচাং (লিঙ্গশরীর) গী লিঙ্গ (খুদম) অদু ফাওবা ৱাওত্রবা শুকদেব মুনিনা ব্রহ্মপদবীবু ফংখি। মতম অদুদা মহাক্কী ব্রহ্মতেজহু পুম্নং লংনা মীয়াম পুম্বদা হাইদোকখি ॥৩॥

মতম অদুদা শঙাইশেল পাইখি। মায়গৈ পুম্বসি ঈগী বতোগুম্না পুমুংগ ঙাওখি। পৃথিবী অসি থক্ থক্ মীকৃখি। জগৎ পুম্বসি অকিবা ফংনা অকিবগী বশক অমা পুখি, ওদ্হোকপা থোদোক অমা ওইনা থোকখ্রে ॥৪॥

---

* সত্ত্বগুণ ফাওববু থাদোকপা হায়বসিগী ভাবত্তি— সত্ত্বগুণস্ম আনন্দ (নুংঙাইবা) অদুগা জ্ঞান হায়বা পোৎশক অনীগা জন্যজনকভাব সম্বন্ধ লৈবদগী, হায়বদি— আনন্দ অমদি জ্ঞানবু পোক্হনবদগী অনীসিগা মরী লৈনরে। করিগুম্বা পোৎশক অমগা সম্বন্ধবু থম্লবদি মাদুস্ম বন্ধন অমনি। মমম অদুনা শুকদেবনা সত্ত্বগুণ ফাওবা থাদোকখিবনি। জ্ঞান য়াওত্রবনা অজ্ঞানীগুম লৈখিবনা অঙাওবগুম উখিবনি। (কালাচাঁদ)

ক্রমাঃ শাখাশ্চ মুমুচুঃ শিখরাণি চ পর্ব্বতাঃ। নির্ঘাতশব্দৈশ্চ গিরির্হিমবান্ দীর্য্যতীব হ ॥৫॥
ন বভাসে সহস্রাংশুর্ন জজ্বাল চ পাবকঃ। হ্রদাশ্চ সরিতশ্চৈব চুক্ষুভুঃ সাগরস্তথা ॥৬॥
ববর্ষ বাসবস্তোয়ং রসবচ্চ সুগন্ধি চ। ববৌ সমীরণশ্চাপি দিব্যগন্ধবহঃ শুচিঃ ॥৭॥
স শৃঙ্গে প্রথমে দিব্যে হিমবন্মেরুসম্ভবে। সংশ্লিষ্টে শ্বেতপীতে দ্বে রুক্মরূপ্যময়ে শুভে ॥৮॥
শতযোজনবিস্তারে তির্য্যগূর্দ্ধঞ্চ ভারত। উদীচীং দিশমাশ্রিত্য রুচিরে সন্দদর্শ হ ॥৯॥
সোঽবিশঙ্কেন মনসা তথৈবাভ্যপতচ্ছুকঃ। ততঃ পর্ব্বতশৃঙ্গে দ্বে সহসৈব দ্বিধাকৃতে ॥১০॥
অদৃশ্যেতাং মহাবাহো তদদ্ভুতমিবাভবৎ। ততঃ পর্ব্বতশৃঙ্গাভ্যাং সহসৈব বিনিঃসৃতঃ ॥১১॥

উজাও উপাম্বীশিংনা মশা-মরেং, মনা মপাল মথুংমক্তা থেক্তোক্ত্না থাদরকই। মাং চাউরবা চীঙজাও-শিংনা মাগী মাগী চীঙদোনশিংবু যক্কায় যক য়ত্না মথাদা থাদরকই। বজ্র তাবগী শউম্ শাকুমক্তনা হিমালয় অসি চেক্থায়গংবগুম লৈক্রেক্ চৎখি ॥৫॥

লৈচীন্ন কুপ্‌থিবগুম্না নুমিৎকী মঙাল অসি ঈএক্ মক্‌শিনখি। পুখ্রী-লাম্থোং তু থোং পুন্নমকী ঈশিং পুন্নমক থোক্ থোক্ নোমহুদা ঈপক্ হৌখি ॥৬॥

ইন্দ্রনা নোংমদোম্বক্রুগী মনম হুংশিন্নবা, নীংথিন্নবা মতাও বসনা তিন্নবা ঈশিং নোংগী মরীমক্তা শুক-দেবগী মথক্তা চুথবন্‌খি। হুংশিন্নবা হনম লৈনমগ লোয়ননা মায়গৈ পুম্বদগী নানিন্নবা হুংশিং হুংজিন্নকই শীচিন্নকই ॥৭॥

ভরতনন্দন। যুধিষ্ঠির। অস্তুম্ স্থুম্ চৎখিজনা শুকদেবনা চীগী ফজরবা চীংদোল অনী থাব্রাংমনা লৈবা উই। চীংদোন্ অনী অদুদি অমনা হিমালয়গী ন, অমনা মেরু পর্ব্বতকনি। হিমালয়গী চীংদোন্না রূপাতগী মশকনি। মেরুগীনা নপুংচু মান্নি। চীংদোল অনী অদু য়া চ উবদা য়ুথক চাম চামগী প্রায়নি। চীংদোল অনী অসিবু অরাংপানা চৎপা মতমদা শুকদেবনা উখিন্ননি ॥৮—৯॥

মাদু উবদা শুকদেব অসি হায়গী মতৌগুম্না চীং অদুগী মথক্তা প্রপ্রপ্ কাখৎখি। হেক্ কাখৎখিবনা চীং অদু অনী থোক্তা থাইদোক্‌খি। অদুগা ময় য়দা চপচানা থিন্‌গাইখিবা চেক্থায়খিবা ওইনা উই। নিংথৌ। মাদুম্ন য়াম্না অঙকপা থৌদোক অমা ওইনা উনখি ॥১০॥

চীংদোল অদু উবদা শুকদেব অসি মাগী পুক্নীংদা অকিবা চিংনবা নীঙ্ডায়বা তৌদনা চীংদোলশিংগী মরক্তা প্রপ্রপ কাখৎখি। শুকদেবনা কখৎপা অদুগা থোক্ত হেক্ থাব মতমদুদা চীংদোল অদু শুনকৃত্না নমথাখি। অদুগা চীংদোল চীলক অদুগী মরক্তা চাদিন্নবা লৈক্রেক্ অদু চৎখিবদুনা চীং অদু অনীথোক্তা থাইদোকহুনা চেক্থাইহুনা তোক্তাম্না তাবগুম্ উরে। নিংথৌ। মাদুম্ন মশা অঙকপা থৌদোক অমত্তম্না থোক্‌খি। ওহাক্ লৈরগ চীংদোলশিং অদুদা মৈ তৌরকই। চাক্‌থৎলক্লিবা মৈরীশিং অদুবু চীং অদুনা থিনা কাজিন্‌বা ওন্‌খিরে ॥১১॥

ন চ প্রতিহতস্থানাক্তসগতিং পর্ব্বতোত্তমঃ। ততো মহান্‌ভূমহতো দিবি সর্ব্বাদিবৌকসাম্ ॥ ১২॥
গন্ধর্ব্বাণামৃষীণাঞ্চ যে চ শৈলনিবাসিনঃ দৃষ্ট্বা শুকমতিক্রান্তং পর্ব্বতং চ দ্বিধাকৃতম্ ॥ ১৩॥
সাধু সাধ্বিতি তত্রাসীন্নাদঃ সর্ব্বত্র ভারত। স পূজ্যমানো দেবৈশ্চ গন্ধর্ব্বৈঋষিভিস্তথা ॥ ১৪॥
যক্ষরাক্ষসংঘৈশ্চ বিদ্যাধরগণৈস্তথা। দিব্যৈঃ পুষ্পৈঃ সমাকীর্ণমন্তরিক্ষং সমন্ততঃ ॥ ১৫॥
আসীৎ কিল মহারাজ শুকাভিপতনে তদা। ততো মন্দাকিনীং রম্যামুপরিষ্টাদভিব্রজন্ ॥ ১৬॥
শুকো দদর্শ ধর্ম্মাত্মা পুষ্পিতদ্রুমকাননাম্। তস্যাং ক্রীড়ত্যাভিরতাস্তে চৈবাপ্সরসাং গণাঃ ॥ ১৭॥
শূন্যাকারং নিরাকারাঃ শুকং দৃষ্ট্বা বিবাসসঃ। তং প্রকামন্তমাজ্ঞায় পিতা স্নেহসমন্বিতঃ ॥ ১৮॥
উত্তমাং গতিমাস্থায় পৃষ্ঠতোঽনুসসার হ। শুকস্তু মারুতাদূর্দ্ধ্বগতিং কৃত্বান্তরিক্ষগাম্ ॥ ১৯॥

মাদু উবদা দেবতা পুন্নমক, গন্ধর্ব্ব মরাম, ঋষি মুনি মপৈ অদুগা চীং অদুদা লৈরম্লিবা জীবজন্তু মরাম অদুনা য়াম্না হৱাওনা লাওনখি। মখোয় মরামগী খোল্লাও অদুনা থক্‌খা মায়গৈ পুন্নমকপু পুল্লিল নিলহন্‌খি ॥১২॥

ভরতবংশদা পোকপা নিংথৌ। শুকদেবনা য়াংলবা চীংবু ইরায় লায়না লাম্বোতুনা চংখিবা, অদুগা চীংদোলবু অনী থোক্না চেক্‌থারহল্লরুসি উবদা মায়গৈ পুবদগী 'ধন্যনি ধন্যনি' হায়না লাওনরকপগী খোল্‌-জেল অদু মকম পুম্বদা তাবা ফংনখি ॥১৩॥

নিংথৌ। দেবতাশিংনা অদুগা গন্ধর্ব্ব ঋষি, যক্ষরক্ষ গন্ধর্ব্ব, কিন্নর অদুগা হিংচাবশিং বিদ্যাধরশিং ফাওবনা শুকদেবগী পূজা তৌনখি। নোংমদোস্তকী মায়গৈ পুবদগী ভায়কপা অদুগা শুকদেবগী কোকথক্তা চাইথরকপা লৈগী মপৈ ম'পংনা অতিয়াহুম পু কুপ কুপপ্রে ॥১৪—১৫॥

নিংথৌ। ধর্ম্মাত্মা ওইরবা শুকদেবনা মথক্রোমদ' চৎথংখিবনা মনা মপাম্না থম্নবা, মকা ফল্ল শাংলবা লৈ (মপাল্) না থল্লবা হৈপাল লৈপায়' মপান্দা (তোর্ব্বান্দা) থোইনা নীংথিজরবী স্বর্গগঙ্গা মন্দাকিনীগী নীংথিজরবা দৃশ্যদুবু শ্রীশুকদেবনা দর্শন তৌখি ॥১৬॥

মন্দাকিনীদা ঈরোয়দুনা ঈরুজদুনা শান্নরম্বী মফি মরোল য়াওদ্রবী অপ্সরাশিংনা শুকদেববু উবদা মফি মরোল লেপখিদল থোমজিনবগী থোইনা হোৎনকদে, লেম্নাজিনগে হায়না ফাওবা থদুদে। মরমথি— লিপা হুপীগী হকচাংবু লেপ্পবা লৈতনা অমতা ওইনা উবা তত্ত্ব শুকদেবনি হায়বসি মখোয়না হায়দগী থওরম্নি। অদুনা মখোয়না শুকদেববু উবদা করিমত্তা ঈকায় হল্লোইবা তৌখিদে ॥১৭॥

মচানা অদুম্ অম্নম্ মথং মথং সিল্লিগী দমত্তা চৎথংখিবসি উবদা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন ব্যাসনা অথোইবা থোপ্নজিনী আম্বার লৌদুনা মচাগী মতুংদা তুমিন্ তুমিন্না ইরাখি ॥১৮॥

অদুগা শুকদেবনা আকাশগী মথক্ত চংশিবী ঊর্দ্ধগতি কৌবী মার্গদা চৎথখিদুনা শুকদেবগী আত্মানা [illegible] ওইখি, হায়বদি— ব্রহ্মগী অমক ওইখি ॥১৯॥

দর্শয়িত্বা প্রভাবং স্বং ব্রহ্মভূতোঽভবৎ তদা। মহাযোগগতিং ত্বগ্র্যাং ব্যাসোথায় মহাতপাঃ ॥২০॥
নিমেষান্তরমাত্রেণ শুকাভিপতনং যযৌ। স দদর্শ দ্বিধাকৃত্বা পর্ব্বতাগ্রং শুকং গতম্ ॥২১॥
শশংসুঃ ঋষয়স্তত্র কর্ম্ম পুত্রস্য তৎ তদা। ততঃ শুকেতি দীর্ঘেণ শব্দেন ক্রন্দিতস্তদা ॥২২॥
স্বয়ং পিত্রা স্বরেণোচ্চৈস্ত্রীঁল্লোঁকাননুনাদ্য বৈ। শুকঃ স্বর্গগতো ভূত্বা সর্ব্বাত্মা সর্ব্বতোমুখঃ ॥২৩॥
প্রত্যভাষত ধর্ম্মাত্মা ভোঃশব্দেনানুনাদয়ন্। ততঃ একাক্ষরং নাদং ভোরিত্যেব সমীরয়ন্ ॥২৪॥
প্রত্যাহরজ্জগৎ সর্ব্বমুচ্চৈঃ স্থাবরজঙ্গমম্। ততঃ প্রভৃতি চাদ্যাপি শব্দানুচ্চারিতান্ পৃথক্ ॥২৫॥
গিরিগহ্বরপৃষ্ঠেষু ব্যাহরন্তি শুকং প্রতি। অন্তর্হিতঃ প্রভাবং তু দর্শয়িত্বা শুকস্তদা ॥২৬॥
গুণান্ সন্ত্যজ্য শব্দাদীন্ পদমভ্যাগমৎ পরম্। মহিমানং তু তং দৃষ্ট্বা পুত্রস্যামিত তেজসঃ ॥২৭॥
নিষসাদ গিরিপ্রস্থে পুত্রমেবানুচিন্তয়ন্। ততো মন্দাকিনীতীরে ক্রীড়ন্তোঽপ্সরসাংগণাঃ ॥২৮॥

মহাতপস্বী ওইরবা ব্যাসনা মহাযোগগা মরী লৈনবা অতোপ্পা গতি অমগী পান্দুনা মথক্লোমদা কাখৎলকই। অসুম অসুম কাখৎলকপসিনা চীংদোল্ অদুবু অনী থোক্না নীংথামহন্দুনা শুকদেবনা চৎখিবা মফম (লম্বী) অদুদা ব্যাসহু য়ৌখি। মফম অদু, হৌজিক কাওবা শুকাভিপতন হায়না মমিং চৎলি। অদু-গুম্বা মফম অদুবু ব্যাসনা উখি ॥২০—২১॥

মফম অদুদা লৈরম্বা ঋষিশিং অদুনা মচা শুকদেবনা তৌরম্বা অঙকপা থবক থোদোক অদু লীহুনা ব্যাসদা তাহনখি। মফম অদুদা ব্যাসনা মচা শুকবু নীংশিংলদুনা খোজেল থোক্না হৌনা কপখি ॥২২॥

মতম অদুদা শুকবু পোকপা মপা ব্যাসনা মায়গৈ পুম্নিল নিলহন্না কপলকই। মাহু তানদা মফম পুম্বদা শীনথুংনা লৈরবা অদুগা সর্ব্বাত্মা সর্ব্বতোমুখ ওইদুনা, হায়বদি— মায়গৈ পুম্বদা মমায় ওদুনা ধর্ম্মাত্মা ওইরবা শুকদেবনা ভো হায়বা শব্দ অসিনা মায়গৈ পুম্বদা খোল্লাং য়ৈহন্না খুম্মকই ।২৩॥

খোল্লাং অদুগা অমত্তা ওইনা লোয়ন লোয়ননা হৈপাল লৈপাল অচর্চ্চর জীব পুম্বনম্বু ভো হায়বা অমত্তা ওইবা খোল্লোক অসিতনা মতম অমত্তদা মথোয়গী শুকদেবগী মতেং পাংবা ওইনা খুম্না য়াওখি ॥২৪॥

মুমিৎ অদুদগী হৌনা হৌজিক কাওবা কনাগুম্বা অমনা চীংলক্তা চীংমুংদা লাওরবদি, চীং অকোয়বদুদ মশক উতন্দনা লৈবা অচচ্চর জীব পুম্বনা অদুম্ পাউখুম পীবা ওইনা খুম্মকই। মাদুবু প্রতিধ্বনি হায়না হৌজিক কাওবা থৌনরি ॥ ॥

মতো অসুম্না বিশ্বজগৎ অসিদা মশাগী প্রভাব (তৌবা ঙম্ব) বু উৎলহদুনা শুকদেব অসি অদুম্— অন্তর্ধান কংখি। শব্দনচিংবা গুণ পুম্নমকপু থাদোক্লমদুনা পরম পদবু কংখি ॥২৬॥

মচাগী চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা গুণকর্ম্মবু উবদা ব্যাসনা মচাদু ত খল্লুনা চীংথক অদুদা চিন্তা তৌদুনা লৈখি ॥২৭॥

মতম অদুদা মন্দাকিনী স্বর্গগঙ্গাগী তোর্বান্দা শাদুনা লৈরিবী অপ্সরা পুরংমচা ব্যাসবু উবদা মখল্

আলাপাত্তমৃষিং সর্ব্বাঃ সম্ভ্রান্তাগতচেতসঃ। জলে নিলিলিয়ে কাশ্চিৎ কাশ্চিৎ গুল্মান্ প্রপেদিরে ॥২৯॥
বসনান্যাদদুঃ কাশ্চিৎ তং দৃষ্ট্বা মুনিসত্তমম্। তামুক্ততাং বিজ্ঞায় মুনিঃ পুত্রস্য বৈ তদা ॥৩০॥
সক্ততামাত্মনশ্চৈব প্রীতোঽভূৎ ব্রীড়িতশ্চ হ ॥৩১॥
তং দেবগন্ধর্ব্ববৃতো মহর্ষিগণ পূজিতঃ। পিনাকহস্তো ভগবানভ্যাগচ্ছত শঙ্করঃ ॥৩২॥
তমুবাচ মহাদেবঃ সান্ত্বপূর্ব্বমিদং বচঃ। পুত্রশোকাভিসন্তপ্তং কৃষ্ণদ্বৈপায়নং তদা ॥৩৩॥
অগ্নের্ভূমেরপাং বায়োরন্তরিক্ষস্য চৈব হ। বীর্য্যেণ সদৃশঃ পুত্রঃ পুরা মত্তস্ত্বয়া বৃতঃ ॥৩৪
স তথা লক্ষণো জাতস্তপসা তব সম্ভৃতঃ। মম চৈব প্রসাদেন ব্রহ্মতেজোময়ঃ শুচিঃ ॥৩৫॥
স গতিং পরমাং প্রাপ্তো দুষ্প্রাপ্যমজিতেন্দ্রিয়ৈঃ। দৈবতৈরপি বিপ্রর্ষে তং ত্বং কিমনুশোচসি ॥৩৬॥
যাবৎ স্থাস্যন্তি গিরয়ো যাবৎ স্থাস্যন্তি সাগরাঃ। তাবৎ তবাক্ষয়া কীর্ত্তিঃ সপুত্রস্য ভবিষ্যতি ॥৩৭॥

মরাং খত্তখিদে, ঈকায়বনা লৈকম চাকম খত্তখিন্রে। মখোয় অমত্তা জ্ঞান তানখিদে। খরনা ঈশিংদ খরন উত্রী-রারী মরুমগা থ্পত্তুনা লোৎনখি ॥২৮—২৯॥

অদুম্না খরন ব্যাসমুনিবু উবদা মকি-মরোল প্রপ্রপ শেমজিনখি— মকি মরোল লোংত্তি। মখোয়গী তৌরিবা কিত্তমত্থু উবদা মচাগী মুক্তি ওইখিবা মওই অত্থু খত্তত্থনা ব্যাস অসি অংত্থাক্লা থুংত্তাইজখি। থুপী মচাশিং অসিনা ঐবু উরগা ঈকায়ত্থনা মকি মরোল শেমজিন্খিবসি ঐ অসিবু সংসারগী বিষয় মায়াদা আসক্ত ওইরিবা মীশক্নি হায়বসি খত্তপ্রবোরে হায়বসি খল্লুবদা ব্যাস অসি ওয়্যোক্লা ঈকায়খি ॥৩০—৩১॥

মত্তম অসিদা দেবতাশিং অমদি গন্ধর্ব্বশিংনা অত্থুগা মহর্ষিশিংনা ঈকোয় কোয়শিল্লব পিনাকধারী মহাদেব অসি বাসনা চিন্তা তৌত্থুনা লৈরিবা মকম অত্থুদা লেত্তুকই। মাররবা লাংতক্লরবা ব্যাসদা য়েংত্থুনা ভগবান্ রুদ্রদেবনা অশুম্না হায়রকই ॥৩২—৩৩॥

ব্রাহ্মণ! নহাক্না মমাংত্তৈদা ঐত্তোন্দা মৈ ঈশিং লুংশিং আকাশ লৈশাক পূম্নমক অসিগী শক্তি পূরবা পুত্রবা নচা অমত্তং কংলে হায়না বর নিখি। অত্থুগুম্বা নচাদো নহাক্না নহাকী তপস্যাগী শক্তিনা অত্থুগা ঐগী কৃপানা ফংল্রেদো। নচা অদো ব্রহ্মতেজনা জিল্লবা ওয়্যোক্না শেংব্রবা মীশক (মহাসাধু) অমা ওইরবনি ॥৩৪—৩৫॥

ব্রহ্মর্ষি! মহাক হৌজিক অথোইবা গতি (পরমধাম) বু ফংব্রবনি। নচানা ফংব্রিবা গতি (পদবী) অসিদি ইন্দ্রিয় থুত্থুম চত্রিবা কনাগুম্বা দেবতা অমা ফাওবনসু ফংবা ত্তম্মোই। অত্থুমত্তুদা— নংনা চিন্তা তৌরিবা বারিবসি কনাগীনমক্তনো? ॥৩৬॥

চীঙ মান্ তুরেল হৈপাল লৈপাল্ পূম্নমক অসিনা, অত্থুগা সমুদ্র ঈরম্ ভরেংনা বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসিদা লৈরিবা অত্থুপকীমথৈ (বিশ্বব্রহ্মাণ্ডনা মুত্রিমথৈ) নহাকী অত্থুগা নহাকী মচানিপা শুকদেব অত্থুগী মিংচৎনা শীন্দ্রুংবা লৈরোয়গদবনি ॥৩৭॥

ছায়াং স্বপুত্রসদৃশীং সর্ব্বতোঽনপগাং সদা। দৃক্ষ্যসে ত্বং চ লোকেঽস্মিন্ মৎপ্রসাদান্মহামুনে ॥৩৮॥

সোঽনুনীতো ভগবতা স্বয়ং রুদ্রেণ ভারত। ছায়াং পশ্যন্ সমাবৃত্তঃ স মুনি পরয়া মুদা ॥৩৯॥

ইতি জন্মগতিশ্চৈব শুকস্য ভরতর্ষভ। বিস্তরেণ সমাখ্যাতা যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি ॥৪০॥

এতদাচষ্ট মে রাজন্ দেবর্ষি নারদঃ পুরা। ব্যাসশ্চৈব মহাযোগী সংজল্পেষু পদে পদে ॥৪১॥

ইতিহাসমিমং পুণ্যং মোক্ষধর্ম্মোপসংহিতম্। ধারয়েৎ যঃ শমপরঃ স গচ্ছেৎ পরমাং গতিম্ ॥৪২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
শুকোৎপত্তি সমাপ্তির্নাম অষ্টাবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২৮॥

——:(卐):——

মহামুনি! মদাক ঐগী কৃপাদগী জগৎ অসিদা নচাহুপা মওং মতৌ চপমান্নবা ছায়া (মি) অমা অদুম্ ত্তনা উবা ফংগনি। মাদো নহাকী দৃষ্টি (মীৎয়েং) দগী মপাঙ্দা থক্ মাওথিরোই ॥৩৮॥

ভরতনন্দন! নিংথৌ! ভগবান্ শঙ্করনা সাক্ষাৎ ওইনা অসুম্ তাকপিরবা তুংদা, মকম পুম্নমক্তা য়েংভু য়েংদুবা থুদিংমক্তা মচা শুকগী মওং মতৌ চপ মান্নবা ছায়াঙ্খু উবদ য়াম্না হয়াওনা ব্যাস অসি আঙ্গমদা চৎখি ॥৩৯॥

ভরতবংশগী মপোইবা যুধিষ্ঠির। নহাক্না ঐঙোন্দা হংখিবা মতুংইন্না শুকদেবগী পোকখিবগী ৱারী, অদুগা মহাক্না মতৌ কয়ান্না পরমধামদু ফংখিবা হায়বগী ৱারীশিং ঐনা শীরবসিন ॥৪০॥

নিংথৌ! ঐহাক্ হান্নদা নারদঋষিনা ৱারী অসি ঐঙোন্দা শীহুনা তাহনখি। মহাযোগী ব্যাসজী মশামক্তম্ মরক্ মরক্ত প্রসঙ্গগী মতুংইন্না হন্না হন্না শীহুনা তাহনখি ॥৪১॥

মোক্ষধর্ম্মগী ত্ত্বনা তিন্নবা ৱারী (ইতিহাস) অসিদু চনীংতানা তাহুনা থম্মোয়দা নীংশিংহুনা থম্বদি অতাবা মী মহাক অদুমক পরমপদদু অহুম মফংগনি ॥৪২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা শুকদেব উৎপত্তিগী চহমগা কুন্নিপান্থবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৮॥

——:(卐):——

মণিপুরী মহাভারত

ঊনত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নারদ-ঋষিনা হংবদা পরমাত্মাতনা থাইদগী পূজা তৌননীঙাইনি হায়না নরনারায়ণ ঋষিনা ঙাঙবা)

চহুম কুম্মাপনুঙবা অধ্যায়

——:(ঞ):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

গৃহস্থো ব্রহ্মচারী বা বানপ্রস্থোঽথ ভিক্ষুকঃ। য ইচ্ছেৎ সিদ্ধিমাস্থাতুং দেবতা কাং যজেত সঃ ॥১॥

কুতোহস্য ধ্রুবঃ স্বর্গঃ কুতো নৈঃশ্রেয়সং পরম্। বিধিনা কেন জুহুয়াৎ দৈব্যং পিত্র্যং তথৈব চ ॥২॥

মুক্তশ্চ কাং গতিং গচ্ছেৎ মোক্ষশ্চৈব কিমাত্মকঃ। স্বর্গতশ্চৈ কিং কুর্য্যাৎ যেন ন চ্যবতে দিবঃ ॥৩॥

দেবতানাং চ কো দেবঃ পিতৃনাঞ্চ পিতা তথা। তস্মাৎ পরতরং যচ্চ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥৪॥

ভীষ্ম উবাচ।

গূঢ়ং মাং প্রশ্নবিৎ প্রশ্নং পৃচ্ছসে ত্বমিহানঘ। ন হ্যেতৎ তর্কয়া শক্যং বক্তুং বর্ষশতৈরপি ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধৌ। গৃহস্থ, ব্রহ্মচারী, বানপ্রস্থ নত্রগা সন্ন্যাসী মথোয় অসিগী মহুৎনা অমনা সিদ্ধি ফংনিংলবদি করম্বা দেবতাগী পূজা তৌগদবগে ॥১॥

অমাঙ অতা লৈবরোইদবা স্বর্গবু তাইবংমীনা করম হায়না ফংগদগে? অচুম্বা মঙ্গলগী প্রথক ওইরবা ধাম অদুবু করম্বা সাধনানা ফংগদগে? করম্বা বিধি বিধাননা দেবলোক পিতৃলোক অনীগী পোৎ-নবা হোম জপ তৌগদগে ॥২॥

মুক্তি ফংলবা মীশিংনা করম্বা গতিবু ফংখিবগে? মুক্তি হায়ববসিমকী মওংবু করম তৌগগে? স্বর্গ কাখ্রবশিং অদুনা তোরগদবনা করিনো? করম্ তৌরগা স্বর্গদগী অমুক নাম্বরক্লোইদগে? ॥৩॥

দেবতাশিংগী দেবতানা কনানো? মথেয়সিমক্তদগীসু হেনবা তত্বদুনা করিনো? ঈবুধৌ। পুরমক অসে মথ শীংনা অমুক্তা হায়থ (লীথ) বিরকউ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়,— পাপকী শত্রুক যাওদ্রবা নিংথৌ। নংদি হংবদা, প্রশ্ন তৌবদা ওথোকনা হৈথরে। ওথোকনা হংবা বা অমা ঐতোনদা চংদি। নিংথৌ। ভগবানগী কৃপা নত্রগা শাস্ত্রগী জ্ঞান য়াওদনা, তর্ক-

ঋতে দেবপ্রসাদাদ্ বা রাজন্ জ্ঞানাগমেন বা। গহনং হ্যেতদাখ্যানং ব্যাখ্যাতব্যং তবারিহন্ ॥৬॥
অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। নারদস্য চ সংবাদমৃষের্নারায়ণস্য চ ॥৭॥
নারায়ণো হি বিশ্বাত্মা চতুর্মূর্ত্তিঃ সনাতনঃ। ধর্ম্মাত্মজঃ সম্বভূব পিতৈবং মেঽভ্যভাষত ॥৮॥
কৃতেযুগে মহারাজ পুরা স্বায়ম্ভুবেঽন্তরে। নরো নারায়ণশ্চৈব হরিঃ কৃষ্ণঃ স্বয়ম্ভুবঃ ॥৯॥
তেষাং নারায়ণনরৌ তপস্তেপতুরব্যয়ৌ। বদর্য্যাশ্রমমাসাদ্য শকটে কনকাময়ে ॥১০॥
অষ্টচক্রং হি তদ্ যানং ভূতযুক্তং মনোরমম্। তত্রাদ্যৌ লোকনাথৌ তৌ কৃশৌ ধমনিসন্ততৌ ॥১১॥
তপসা তেজসা চৈব দুর্নিরীক্ষ্যৌ সুরৈরপি। যস্য প্রসাদং কুর্ব্বাতে স দেবৌ দ্রষ্টুমর্হতি ॥১২॥
নূনং তয়োরনুমতে হৃদি হৃচ্ছয়চোদিতঃ। মহামেরোর্গিরেঃ শৃঙ্গাৎ প্রচ্যুতো গন্ধমাদনম্ ॥১৩॥
নারদঃ সুমহদ্ভূতং সর্ব্বলোকানচীচরৎ। তং দেশমগমদ্ রাজন্ বদর্য্যাশ্রমমাশুগঃ ॥১৪॥

বিতর্ক হৈরবা অমনস্থ নহাক্না হংলিবা রাহং অসিগী পাউথুম পীবদা রাগনি। পাউথুম পাক্ পীবা তম-লোই। রেস্কব তথা। বিবর অসে য়াম্না লুবনি। অদুমকপু ঐস্তু ঐনা তম্বমথৈ মাহুগী পাউথুম পীগে। ॥৫—৬॥ নহাক্না হংলিবা অসিগুম্বা বিবরসিগী মতাং হেক্ হেক্ লাকপদা মমাংতৌদা দেবর্ষি নারদগা নর-নারায়ণগা অনীগী সংবাদ অদু হেক্ হেক্ পীনৈ ॥৭॥

ঐবু পোকপা মীপানা অস্ময়া হায়খি, মাহুদি— শ্রীভগবান্ নারায়ণতনা জগৎব্রহ্মাণ্ড অসিগী আত্মানি, চতুর্মূর্ত্তিনি, অদুগা সনাতননি, হায়বদি — লেঙত্রবা মপুনি। মতম অমদা নারায়ণনা ধর্ম্মগী মচা ওইদুনা পোকখি ॥৮॥

মহারাজ! স্বায়ম্ভুব মন্বন্তরগী সত্যযুগতা স্বয়ম্ভু ভগবান্ বাসুদেবনা নর, নারায়ণ, হরি, কৃষ্ণ কৌবা অবতার মরি লৌখি ॥৯॥

মরি অসিগী মনুংদা নরগা নারায়ণগা ঋষি অনীদি বদরিকাশ্রমদা চংখিদুনা সনাতন! শাবা রথগী মথক্ত কমদুনা অকন্বা তপস্যা তৌখি ॥১০॥

মহাক্কী পুক্কীং চুনমবগী মথক ওইরবা রথ অদু চাকা নিপান্ পাল্লি। মাদুদা জীবপানবা জাৎ কয়া কয়া য়াওরি, থবক্কা চত্তহল্লি। আদিপুরুষ অনী অসি তপস্যা তৌবনা অস্থম্ অস্থম্ কংশিন্নকদি। মদুদা শিংলিশিং অদু মপান্দা কাপকৎলক্লি, নোংম নোংমগী শোক্তিন্নকই। অদুবু তং,তাগী তেজ অদুদি নোংম নোংমগী হেক্তিন্নক্লি। দেবতাশিংনক্না অনী অসিদা হৎনা য়েংবা ঙম্মক্রে। মথোর অনীগী কৃপা কংবা দেবতাশিং অদুতনা ময়েক্লেংনা ময়েক্লানা দর্শন কংবা ঙম্মি ॥১১—১২॥

অনীসিগী ইচ্ছগী মতুংইন্না মশাগী থম্মোয়দুংদা লৈরিবা অন্তর্য্যামী ভগবানুনা চৈথিন্নকপদগী— দেবর্ষি নারদ অসি মহামেরুচীংগী চীংদোন্দদগী গন্ধমাদন চীংলোমদা অদুম্ কুমথরক্কই ॥১৩॥

মিংথৌ! নারদ অসে লোক পুম্বা চৈরৌ তৌরম্মবনি। অদুনা থোক্তুনং পুরবা দুমি অসি বদরিকাশ্রমগী

তয়োরাহ্নিকবেলায়াং তস্য কৌতূহলং হ্যভূৎ। ইদং তদাস্পদং কৃৎস্নং যস্মিল্লোঁকা প্রতিষ্ঠিতাঃ ॥১৫॥
সদেবাসুরগন্ধর্ব্বাঃ সকিন্নরমহোরগাঃ। একা মূর্ত্তিরিয়ং পূর্ব্বং জাতা ভূয়শ্চতুর্বিধাঃ ॥১৬॥
ধর্ম্মস্য কুলসংতানে ধর্ম্মাদেভির্বিবর্দ্ধিতঃ। অহো হ্যনুগৃহীতোঽস্য ধর্ম্ম এভিঃ পরৈরিহ ॥১৭॥
নরনারায়ণাভ্যাঞ্চ কৃষ্ণেন হরিনাত্র যথা। অত্র কৃষ্ণো হরিশ্চৈব কস্মিংশ্চিৎ কারণান্তরে ॥১৮॥
স্থিতৌ ধর্ম্মোত্তরৌ হ্যেতৌ তথা তপসিধিষ্ঠিতৌ। এতৌ হি পরমং ধাম কানয়োরাহ্নিকক্রিয়া ॥১৯॥
পিতরৌ সর্ব্বভূতানাং দৈবতং চ যশস্বিনৌ। কাং দেবতাং তু যজতঃ পিতৄন্ বা কা মহামতী ॥২০॥
ইতি সঞ্চিন্ত্য মনসা ভক্ত্যা নারায়ণস্য। সহসা প্রাদুরভবৎ সমীপেদেবয়োস্তথা ॥২১॥
কৃতে দৈবে চ পিত্র্যে চ ততস্তাভ্যাং নিরীক্ষিতঃ। পূজিতশ্চৈ বিধিনা যথা প্রোক্তেন শাস্ত্রতঃ ॥১২॥

পাক্ চাউরবা, জীব পান্বা কয়া কয়ানা জাৎ কয়া কয়ানা ওন্নবা চমচম ফদুনা থুংখি ॥ ৪॥

১ নরনারায়ণ অনীগী নিত্যকর্ম্মগী মতমতুমক্তদা নারদমুনি অসি য়ৌখিদুনা ভগবান্ ঋষিগী দর্শন তৌগে হায়না চপমুংনা খন্থি। মুনিনা অসুম্ হায়না পুক্নীংদা খন্থি,— হৈস। ওস্থোক্লা নীংথিজরবা; ভগবান্ নর নারায়ণ অনীগী আশ্রমনি! মফম অসিদা দেবতা, অসুর, যক্ষ, রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর অদুগা চাউর চাউরবা লিস্ কয়া কয়া লৈরি ॥১৫॥

অনী অসি অহান্বদা মশা মঙং অমতা লৈরম্মি। মতুংদা বংশগী পরম্পরা ওইনা বিস্তার তৌগে হায়বগী দমক অনীসিনা বিগ্রহ (মূর্ত্তি শায়োন) মরি থোক্লা পুথোকখি। মরি অসিনা মশা মশাগী ধর্ম্মনা ধর্ম্ম কৌবা বেদ অদুগী বংশবু তোঙান্ তোঙান্না শম্মোকখি। ওস্থোকপনি। বিগ্রহ মরি অসিনা নর নারায়ণ, কৃষ্ণ, হরি অসুম্ হায়না ওইথিদুনা ধর্ম্মদেবগী মফমদা হাম্না চান্বিখি ॥ ৬— ১৭॥

মরি অসিগী মতুংদা হরিগা কৃষ্ণগা অনীসিদি মাগী মাগী কারণগুম্বা থবক বিরয় অমদা অসুম্ চঙ্হুনা থবক অহু তৌদুনা লৈ। নরনারায়ণ অনীসিদি থবক্লোমদা পুক্নীং চঙদে। ধর্ম্মগী মায়পেগোমতদা পুক্নীং চঙহুনা লৈ ॥ ৮॥

অনী অসিদি পরমধামগী মশক্নি। অনী অসিগী নিত্যকর্ম্মদি কমদৌই? অদুগা নরনারায়ণ হায়বা অনী অসিদি দেবতাশিংগী অংগা অচচ্চত্তা জীব ন্বা পুম্মককী পিতানি অদুগা দেবতানি নীঙনকম্নি। অদুবু অনী অসিনা সেবন ভজন পূজন তৌরিবসিনা কনাগীনো? অদুগা কনাবুনো? মথোর অসিনা তৌরিবা পূজা পাঠনচিংবগী পিতৃলোকনা কনা কনানা ওইরি ॥ ৯--২০॥

পুক্নীংদা অসুম খন্দুনা না দ মুনি অসি ভগবান্ নারায়ণনা ঈংহল্লকুনা ভক্তভাবনা থম্মোর থক্লা দেবতা অনীসিগী নাক্তা লৌথি ॥২১॥

ভগবান্ নরনারায়ণ ঋষি অনীনা পিতৃলোককী পূজা পাঠ লোইরবা তুংদা লাক্লিবা মুনি নারদবু উখি, মুনিবু উবনা অনী অসি য়াম্না পেন্থি ॥২২—২৩॥

তদ্দৃষ্ট্বা মহদাশ্চর্য্যমপূর্ব্বং বিধিবিস্তরম্। উপবিষ্টঃ সুপ্রীতো নারদো ভগবানৃষিঃ ॥২৩॥
নারায়ণং সংনিরীক্ষ্য প্রসন্নেনান্তরাত্মনা। নমস্কৃত্বা মহাদেবমিদং বচনমব্রবীৎ ॥২৪॥

নারদ উবাচ।

বেদেষু সপুরাণেষু সাঙ্গোপাঙ্গেষু গীয়তে। ত্বমজঃ শাশ্বতো ধাতা মাতামৃতমনুত্তমম্ ॥২৫॥
প্রতিষ্ঠিতং ভূতভব্যং ত্বয়ি সর্ব্বমিদং জগৎ। চত্বারো হ্যাশ্রমা দেব সর্ব্বে গার্হস্থ্যমূলকাঃ ॥২৬॥
যজন্তে ত্বামহরহর্নানা মূর্ত্তিসমাস্থিতম্। পিতা মাতা চ সর্ব্বস্য জগতঃ শাশ্বতো গুরুঃ ॥২৭॥

ভগবানুবাচ।

অবাচ্যমেতৎ বক্তব্যমাত্মগুহ্যং সনাতনম্। তব ভক্তিমতো ব্রহ্মন্ বক্ষ্যামি তু যথাতথম্ ॥২৮॥
যৎ তৎ সূক্ষ্মমবিজ্ঞেয়মব্যক্তমচলং ধ্রুবম্ ইন্দ্রিয়ৈরিন্দ্রিয়ার্থৈশ্চ সর্ব্বভূতৈশ্চ বর্জ্জিতম্ ॥২৯॥

মায়া লুংঙাইনা কমচনা লৈবা নরনারায়ণবু উবদা নারদনা চণ্ডশিন্নুনা থুকপি। নোঙ্গুক্না থুরুম্মগা নারদনা অদুম্না হায়রকই,— ॥২৪॥

ভগবন্! অঙ্গ উপাঙ্গগা লোয়ননা বেদ পুরাণ পুম্বনা ভগবান্ নহাক্কী নগুণবু মহিমাবু শক্নরি। ভগবন! নহাক্তি পোকপ-শিব লৈতবা মকম মতম পুম্না লৈরবা, পুম্নমক্কী মমা মপানি। মহা অমৃতগী মপাক্নি ॥২৫॥

হে দেব! নত্তোন্দা ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান কাল অহুমগী সৃষ্টি জগৎ পুম্বা লুপ্তনা লৈরিবনি। গার্হস্থ্যনা মূলকম ওইবা আশ্রম মরিগী মী পুম্নমক্না মওং তোঙ্গান্ তোঙ্গাবদা নুমিৎ খুদিংগী পূজা তৌরি ॥২৬॥

ভগবন্! নহাক্তনা জগৎ পুম্বা অসিগী মমা মপানি, লেঙ্গত্রবা গুরুনি। অদুবু ভগবন্! নচাক্না তৌরিবা পূজা পাঠ অসিবু দেবতা কনাগীদমক্তনো? দেবলোকতা লৈবা করম্বা পিতরশিংগীনো? মাসি ঐগী বুদ্ধিনা লাপ্পা কংদে। অদুনা, ভগবন্! পুক্চেল চাউরব! ঐনা হংজরি, অদুক্তা তাকপিয়ু— কনাগী পূজানো তৌরিবসে? ॥২৭॥

ভগবান্ নরনারায়ণনা হায়,— ব্রাহ্মণ! নহাক্না হংলিবা য়াহং অসে মায়া কুপ্না মত্তাংনি। অসি-ত্তা অথুপ্প বিবর অসে, অত্তোপ্পা অমদা তমথোক্কদ্রবদ্ থোকত্রবদু নহাক্তি ভগবান্গী পরমভক্ত (শ্রীঅবা অথোইবা) অমা ওইবনা হায়গে ॥২৮॥

কুপ্শ্রবা করিগুম্বা পুক্নীং ইন্দ্রিয়শিংনা করিমত্তা খঙকম থোক্ত্রবা, অসিনি হায়না অককদা কোঙ-লোকপা য়াত্রপা, লৈখিবা মকমদগী লেঙত্রবা, লেপত্রিবা মগুংদা অচুম্ লেঙ্গমনা হোৎনা লৈরবা, অহুগুম্বা মরাক অচুদি ইন্দ্রিয় অমত্তগী বিষয় ওইদে। মৈ জীশিংনচিংবা উরিবা ভূতশিং অসিগী অ— য়াবনি। [illegible] জীব পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা, মথক্তা চায়বা অন্তরাত্মানি। অদুনা মায় [illegible] হায়না কৌনৈ। ত্রিগুণ অহুমত্তগী য়াংবদা লৈবনা মহাকপু ত্রিগুণাতীত পুরুষ ভগবান্ হায়না কৌই। মত্তোপগী [illegible]

স হুতত্মাত্মা ভূতানাং ক্ষেত্রজ্ঞশ্চেতি কথ্যতে। ত্রিগুণব্যতিরিক্তো বৈ পুরুষশ্চেতি কল্পিতঃ ॥৩০॥
তস্মাদব্যক্তমুৎপন্নং ত্রিগুণং দ্বিজসত্তম। অব্যক্তা ব্যক্তভাবস্থায়া সা প্রকৃতিরব্যয়া ॥৩১॥
তাং যোনিমাবয়োর্বিদ্ধি যোঽসৌ সদসদাত্মকঃ। অব্যক্ত্যাং পূজ্যতেঽসৌ হি দৈব্যে পিত্র্যে চ কল্প্যতে ॥৩২
নাস্তি তস্মাৎ পরোঽন্যো হি পিতা দেবোঽথবা দ্বিজ। আত্মা হি নঃ স বিজ্ঞেয়স্ততস্তং পূজয়াবহে ॥৩৩॥
তেনৈষা প্রথিতা ব্রহ্মন্ মর্য্যাদা লোকভাবিনী। দৈবং পিত্র্যঞ্চ কর্ত্তব্যমিতি তস্যানুশাসনম্ ॥৩৪॥

মশক ওইবা অব্যক্তগী উৎপত্তি ওই। ব্রাহ্মণ অথোইবা! মহাকপু ব্যক্তভাবতা লৈবা (কোঙদোকপ মশক্ত লৈবা) অমাও অভা লৈতবা অব্যক্ত প্রকৃতি হায়নস্থ কৌই ॥ ৯– ৩১॥

লৈবা লৈতবা অনীমক্না মহাকী স্বরূপ (মশাগী মওং) ওইবা, পরমাত্মা অহুতনা ঐখোয় অনীগী অপোকপনি। মাসি চিংনবা লৈতনা খঙ্ঙু। ঐখোয় অনীনা পূজা তৌরিবসি মহাকীনি। মহাক্তনা— ঐখোয় অনীগী পিতৃলোকনি ॥৩২॥

ব্রাহ্মণ। মহাক্ নত্তনা ঐখোয়গী অতোপ্পা দেবতা অমদি পিতৃলোক অমতা লৈত্রে। মহাক্তনা ঐখোয়গী আত্মানি। অস্নুম হায়না নহাক্না খঙ্ঙু। ঐখোয় অনীনা মহাকী পূজা তৌরি ॥৩৩॥

ব্রাহ্মণ। মহাক্ অহুতনা তাইবংমীবু চাওখৎপা নীংথিবা থাক্ত পৃথৎপিননবগী দমক্তা ধর্ম্মগী লম্বী অহুপা হৌনবী মর্য্যাদাবু সংসার অসিদা লিংখৎলম্মি। দেবতা অমদি পিতৃলোকী সেবা পূজা তৌগদবনি হায়বসি মহাকী য়াথংনি ॥৩৪॥ *

* সৃষ্টিকর্ত্তা (ঈশ্বর) অমনা শেম্নস্থনিবু হায়রবস্থ, ঈশ্বর লৈতে— মশা মথন্তা প্রকৃতিদগী ওইজরকপনিবু হায়রবস্থ, অমনা অমবু হায়রবস্থ— তাইবংমী ঐখোয় পুম্নমক লৈরি, থর শিগ্রে, থর অমুক্ পোক্লক্-থিগনি, হায়বা অসিমদি চেন্কম লৈত্রে। কনানা পোকহল্লিবনো, শিগ্রিবশিং অহুনা কদায়দা কনানা পুথি-বনো··· অসিনচিংবগী য়াহংশিং অসিবু বিষয় অমগুম্না তোপ্পোপ্পা থমগ্রবা, অসিনা অচুম্বনি, অসিনা অরান্-বনি, অমুম তৌগদবনি, অমুম থক্ তৌরোইদৌবনি হায়বা নিয়ম সিমদি তাইবংমীগী জাতি সমাজ খুদিং-মকী ঈরৈ লৈ। মাসিমস্থ চেনকম্ লৈত্রে। অনুম্বা অরান্বা, তৌহৈ তৌহৈদবা হায়বা অমা থক্ লৈতে, ঐনা ঐনা নীংবতা তৌগনি হায়বা জাতি সমাজ থর লৈ। মাহুমকস্থ মখোয়গী ধর্ম্ম জাৎ অমনি। অহুনা অসিগুম্বা নিয়ম ধর্ম্ম অমদি জাতি খুদিংগী, সমাজ খুদিংগী, মীপুম খুদিংগী লৈরে। মাসিমগা চেন্কম লৈত্রব য়াকম অমনি। মাসিস্থ অউবা উদবা পৌং পুম্নমকসিদগী ঈতোন্ তোত্তানবা য়াখল (ভাবনা) কৌবা পোৎশক অমনি। মাসিমগা লৈত্রে হায়বা য়াত্রে। ঈশ্বর লৈ হায়বহুস্থ য়াখল অমনি, লৈত্তে হায়বহুস্থ য়াখল অমনি। নিরাকার ওইনা লৈ, সাকার ওইনা লৈ, অমনি, অনীনি, হ'য়নম্রিবা বাদ (য়াপু) অমমম্ অসি লৈত্রে হায়বদি য়াত্রে। লৈবহুনা হায়বা য়ারিবনি। লৈরিবহু ভাব কৌই। 'ভাব' হায়বসি লৈবা হায়বনি। ঈশ্বর লৈতে হায়বশিংগী লৈরিবা ভাব অসি কনানা পোক্হল্লক্পনো হায়বহুমদি অয়াম্বনা থমদে।

ব্রহ্মাস্থাণুর্মনুর্দক্ষো ভৃগুর্ধর্মস্তপো যমঃ। মরীচিরঙ্গিরাঽত্রিশ্চ পুলস্ত্যঃ পুলহঃ ক্রতুঃ ॥৩৫॥
বসিষ্ঠঃ পরমেষ্ঠী চ বিবস্বান্ সোম এব চ। কর্দমশ্চাপি যঃ প্রোক্তঃ ক্রোধো বিক্রীত এব চ ॥৩৬॥
একবিংশতিরুৎপন্নাস্তে প্রজাপতয়ঃ স্মৃতাঃ। তস্য দেবস্য মর্য্যাদাং পূজয়ন্তঃ সনাতনীম্ ॥৩৭॥
দৈব্যং পিত্র্যঞ্চ সততং তস্য বিজ্ঞায় তত্ত্বতঃ। আত্মপ্রাপ্তানি চ ততঃ প্রাপ্নুবন্তি দ্বিজোত্তমাঃ ॥৩৮॥

হৌজিক হায়রিবা পরমাত্মাসিদগী ব্রহ্মা, রুদ্র, মনু, দক্ষ ভৃগু ধর্ম, তপ, যম, মরীচি অঙ্গিরা, অত্রি, পুলস্ত্য, পুলহ, ক্রতু, বসিষ্ঠ, পরমেষ্ঠী সূর্য্য, চন্দ্রমা কর্দম, ক্রোধ অমগা বিক্রীত কৌবা প্রজাপতি কুন্ মাথোই অসি পেকখি হায়নৈ। মখোয় অসিনা মখোয়গী পোক্নফম পরমাত্মাগী সনাতনধর্ম্মগী মানমর্য্যাদা থক্না সেবা পূজা তৌই। মখোয়গী হাক্তগী সেবা পূজা হায়বা ধর্মগী কর্ম অসি মথং মথং পরম্পরা ওইনা চথরক্লি ॥৩৫—৩৭॥

মখোয়না তৌনরকপগুম্বা জ্ঞানী ওইবা অথোইবা ব্রাহ্মণশিংনা পরমাত্মাগী উদ্দেশ্যদা তৌরিবা যাগ যজ্ঞ

মাসিস্নু মহৌশানা ওইজরকপনি, প্রকৃতিনি হায়রবস্নু মহৌশা হায়রবহুমদি মরৈবা তাবে। থাইনক্ন য়ারগদবা চেন্‌ফম লৈত্রবা 'লৈ' হায়বা পোৎশক্লা রাহৈরা হায়বা অসিমদি মরৈরগদবনি। মাসিস্নু সৎ অসৎ অনীগী, লৈবা লৈতবা অনীগী, অচুম্ব চুমদবা অনীদগী মথাদগী অহুম্ পোকচরকপনি। পোক্লবদি পোকফম লৈবা তাই, লৈরবদি লৈফম লৈবা তাই। মতম মথম্ লৈত্রবদা পোৎ অমতা লৈবা য়ারোই। মফম মতম অনীমুক্ত কদাইদা লৈ হায়বা অমুক হংথখিবা— নৈনথখিবা য়াই। অদুনা লৈ হায়বসিংগীদি চেনফম ঈরৈ লৈতে। অদুনা নাস্তিকবাদস্নু আস্তিকবাদস্নু বাদ অমগী মনুংদা লৈ। অসিগুম্বা আস্তিকবাদ অসিগী মনুংদা ঈশ্বর লৈ লৈতে হায়বা বাদ অদুদি— য়াম্না অচৌবা বাদ অসিগী য়াম্না পীকপ্রবা শরুক্ অমনি। অদু-গুম্বা অচৌবা বাদ অদুবু'না ঈশ্বর হায়বসি। লৈবা লৈতবা, পীকপা চাউবনচিংবা শক্তি পুম্নমক্ পুরা মহাক্‌পু পোৎ অদুবু শক্তিমান হায়বনি ঈশ্বর কৌই। অসিগুম্বা ঈশ্বর অসি মাগী মাগী লেপ্পা অমম্ম্ কৌরনগনি। অদুনদি লৈ হায়রিবা মহাক্না লৈতে হায়না অমুক হায়রবদি মাত্র অপেক্ষা লৈত্তবা বাদ অমাং অমনি। নিত্য ওইরবস্নু অনিত্যবু ওইরবস্নু বাদ তবু ওইরবদি মাত্র ঈশ্বর ঐনি হায়না ভগবদগীতাদা অদুম্না অঙৌবা মহাক্না হায়রি, "বাদ প্রবদতামহম্"। উপবাদ খুদিং কী পোক্লফম ওইবা মরক্তা (মচু) অদু ঐনি। অদুগুম্বা অমতা ওইবা মরু বাদ ধর্ম্মমরু অদুদগী ঈশান্ হাইদা নরনারায়ণ অনী পোকখি। লৈমু হায়রবস্নু লৈতেবু হায়রবস্নু অমা হায়বা য়ারিবসি অত্মা (জীব) অসিনা লৈপৈত্তুনদনি। আত্মা য়াওবা অলিবা হকচাং মথন্তনা লৈ লৈতে হায়বা অমতা ভুমত্রে। জীব (অলিবা) অদুবু নর কৌই। নর খুদিং-মক্তা তুংনফম ওইরিবদুনা নারায়ণ কৌই। লোন খেন্নরবস্নু মী খুদিংমক্কী থমোয়দা নরনারায়ণ অনী লৈ-

(কালাচাঁদ)

স্বর্গস্থা জ্ঞানিনো যে কেচিৎ তাং নমস্কুর্ব্বন্তি দেহিনঃ । তে তৎ প্রসাদাৎ গচ্ছন্তি তেনাদিষ্টকৃতাং গতিম্ ॥৩৯

যে হীনাঃ সপ্তদশেগুণৈঃ কর্ম্মভিশ্চৈব চ । কলাঃ পঞ্চদশ ত্যক্ত্বা তে মুক্তা ইতি নিশ্চয়ঃ ॥৪০॥

মুক্তানাং তু গতির্ব্রহ্মন্ ক্ষেত্রজ্ঞ ইতি কল্পিতা । স হি সর্ব্বগুণশ্চৈব নির্গুণশ্চৈব কথ্যতে ॥৪১॥

দৃশ্যতে জ্ঞানযোগেন আবাং চ প্রসৃতৌ ততঃ । এবং জ্ঞাত্বা তমাত্মানং পূজয়াবঃ সনাতনম্ ॥৪২॥

তং বেদাশ্চাশ্রমাশ্চৈব নানামত সমাশ্রিতাঃ । ভক্ত্যা সংপূজয়ন্ত্যাশুগতিং চৈষাং দদাতি সঃ ॥৪৩॥

যে তু তদ্ভাবিতা লোকে হ্যেকান্তিত্বং সমাশ্রিতাঃ । এতদভ্যধিকং তেষাং যত্তে তং প্রবিশন্ত্যুত ॥৪৪॥

ইতি গুহ্যসমুদ্দেশস্তব নারদ কীর্ত্তিতঃ । ভক্ত্যা প্রেম্না চ বিপ্রর্ষে অস্মৎ ভক্ত্যা চ তে শ্রুতঃ ॥৪৫॥

অহ্ন পিতৃলোক দেবলোক অনীমক্তা সম্বন্ধ লৈবা যজ্ঞ পূজানচিংবগী তম্বব্ মুম্না খঙহ্না নীঙজবা পূম্বা থুংবা কংবা ওয়রি ॥৩৮॥

স্বর্গদা লৈরিবা দেবতাশিং অহুগী মঙুংদসু হায়রিবা পরমাত্মাসিগী আরাধনা তৌবা, চত্তবা মখোয়শিং অহ্নতনা পরমাত্মাগী কৃপাদগী নীংজবা পুম্বা কংহ্না অতৈ অতৈ দেবতাশিংদগী হেন্না চাওখৎপগী থাকৃতা কাবা ওশ্ম ॥৩৯॥

জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, কর্ম্ম ইন্দ্রিয় মঙা প্রাণবায়ু মঙ, পূক্লীং বৃদ্ধি হায়রিবা তরাতরেৎ অসিদগী, অহুগা কর্ম বিকর্ম্ম-চিবা পুম্নমক্কগী শাস্ত্রে কুলা লৈরবা, অহুগা কলা তরামঙাবু থাদে ক্লবশিং অহুদি মুক্ত ওইরবনি। মাসি শাস্ত্র পুম্নমক্কী সিদ্ধান্তনি ॥৪০॥

ব্রাহ্মণ! মুক্ত ওইরবা, অয়ান্বা খুভম ফংলবশিংগী অয়োইবা গতি— লম্থুংফমদি পরমাত্মাতনা ওই হায়নসি লেপ্রবনি। মহাক অসি গুণ থিবিরু তিন্বা, অহুগা অমুকস্থ গুণ পুম্নমক্তগী রাংমা লান্না লৈবনি হায়রি ॥৪১॥

মহাক্কী সাক্ষাৎকার (শংশংনা উবা— থেংনবা) দি জ্ঞানযোগতনা ওই। ঐখোয় অনীগী আবির্ভাব অসি মঙোন্দগীনি। অসি খঙজহ্না নরনারায়ণ কৌবা ঐখোয় অনীনা পরমাত্মা কৌবা মহাক্কী সেবা পূজা তৌজরি ॥৪২॥

বেদ বরিমক্কা, আশ্রম মরিমক্কা, অহুগা মখল মখলগী আশ্রমদা লৈবা মীশিংনা ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়নন্না পরমাত্মা মহাক্কী সেবা তৌই। পরমাত্মানসু মখোয়দা অথোইবা মথা তানীঙই লৈত্রবা গতি—(খাম— পদবী) বু পীবি ॥৪৩॥

অহিং মুংথিলদা মহাকপু তত্তনা নীংশিংলিবা অহুগা অতোপ্পা অমা খল্লনা মহাক্কী আশ্রয়তদা চত্তরিবশিং অহুগীদি মখোয়গী মপোক্কা পুনশিদা ওহ্মোক্কা মঙল ওইবা তোংজবা (লাভ) কংভি। অমুক হায়রি— মী মহাক অহু পরমাত্মা মামকী মশক ওইখি। মঙোন্দা প্রবেশ তৌখি— চঙশিন্থি ॥৪৪॥

হে ব্রহ্মর্ষি! নারদ! নঙোন্দসু ভগবান্ পরমাত্মাদুগী মখক্কা প্রেমভক্তি অহু লৈ। অহুনা নঙোন্দা

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি নরনারায়ণসংবাদে ঊনবিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩২৯॥

——:(ক):——

য়ায়া থুপ্লবা না (শুদ্ধ ওইবা অদি হায়দোক্লবনি। মাসি তাননবগী শুভলগ (করবা পুংকম্ থেনকম্) অমত্ বংলবনি ॥৫৫॥

মসম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা নরনারায়ণসংবাদগী চহুমগা কুম্যাপন্ৎুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩২৯॥

——:(ক):——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নিং:থৌ উপারচরগী চরিত্র

চহুমগা কুম্যরগুবা অধ্যায়

——:(ক):——

ভীষ্ম উবাচ।

স এবমুক্তো দ্বিপদাং বরিষ্ঠো নারায়ণেনোত্তমপুরুষেণ।
জগাদ বাক্যং দ্বিপদাং বরিষ্ঠং নারায়ণং লোকহিতাধিবাসম্ ॥১॥

নারদ উবাচ।

যদর্থমাত্মপ্রভবেন জন্ম কৃতং ত্বয়া ধর্ম্মগৃহে চতুর্ধা।
তৎ সাধ্যতাং লোকহিতার্থমদ্য গচ্ছামি দ্রষ্টুং প্রকৃতিং তবাদ্যাম্ ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! পুরুষোত্তম ভগবান্ নারায়ণনা নিপা অখোইবা নারায়ণদা অমুম্না হায়রবদা লোক পুম্নমক্কী কান্নবগী তু নক্তম ওইরবা, পুরুষ পুম্নগী তুংবা ভগবান্ নারায়ণদা অমুম্ হায়রকই। প্রভু! নহাক্কি অচচ্চড় পুম্বগী হৌরকফম্ খ্যাদিক রণনি। ঊবৃত্তো মহাত্মা ধর্ম্মগী মণক ওইরবা য়ুমদা মওং মরি থোক্লা অবতার লৌবিরিদ্বগী মতৃ ইম্না লোকসিগী কান্নন গীদমক্তা থবক তৌবিয়ু। ঐ হৌজিক শ্বেতদ্বীপতা লৈরিবা নহাক্কী অহানবা মুত্তি অদুগী দর্শন তৌবা চচ্চরগে ॥১—২॥

পূজাং গুরূণাং সততং করোমি পরস্য গুহ্যং ন তু ভিন্নপূর্ব্বম্ ।
বেদাঃ স্বধীতা মম লোকনাথ তপ্তং তপোনাঽনৃতমুক্তপূর্ব্বম্ ॥৩॥
গুপ্তানি চত্বারি যথাগমং মে শত্রৌ চ মিত্রে চ সমোঽস্মি নিত্যম্ ।
তং চাদিদেবং সততং প্রপন্ন একান্তভাবেন বৃণোম্যজস্রম্ ॥৪॥
এভির্বিশেষৈঃ পরিশুদ্ধঃ সত্ত্বঃ কস্মান্নপশ্যেশমনন্তমীশম্ ।
তং পারমেষ্ঠ্যস্য বচো নিশম্য নারায়ণঃ শাশ্বতধর্ম্মগোপ্তা ॥৫॥
গচ্ছেতি তং নারদমুক্তবান্ স সম্পূজয়িত্বাঽঽত্মবিধিক্রিয়াভিঃ ।
ততো বিসৃষ্টঃ পরমেষ্ঠিপুত্রঃ সোঽভ্যর্চ্চয়িত্বা তমৃষিং পুরাণম্ ॥৬॥
খমুৎপপাতোত্তমযোগযুক্তস্ততোঽধিমেরৌ সহসা নিলিল্যে ।
তত্রাবতস্থে চ মুনির্মুহূর্তমেকান্তমাসাদ্য গিরেঃ স শৃঙ্গে ॥৭॥
আলোকয়ন্নুত্তরপশ্চিমেন দদর্শ চাপ্যদ্ভুতমুক্তরূপম্ ।
ক্ষীরোদধের্য্যোত্তরতো হি দ্বীপঃ শ্বেতঃ স নাম্না প্রথিতো বিশালঃ ॥৮॥

লোক পুন্নমক্কী মবুঙ্ও । ননাইদি গুরুজন পুন্নমকপু লুনা তৌজ । ঐনা অথুপ্পা হয়েংনবা রাবু কনাগী মকমদা ত্থেংথক্ হায়দোকচাখদে । ঐনা বেদবু কন্না তম্জাখি নৈনজখ । তপস্যাসু তৌজখি, অসত্য ওইবা চুমদবা রা মীনম্বা রা অমত ওাঙজখিদ্রি ॥৩॥

শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না খোঙ খুৎ পুক লিঙ্গশরীর, মরি অসিবু কয় শেয়ঞ্জে । য়েক্লব মরূপ অনীবু চপ মান্না উই । আদিদেব ওইবা পরমাত্মা শ্রীনারায়ণবু মতম পুম্বদা কাউজদনা মাগী আশ্রয়দা চঙজ-হনা ভজন-ত তৌজে । ঐনা থরদং তৌজবসিগী পাম্বৈনা ঐগী থম্মোয়দা অমকূপা অমতা লৈহন্দ্রজদে । অসিগুম্না লৈজরবা ঐনা করিগীদমক পরমেশ্বরত্বগী দর্শন ফংজরোইদৌরিবনো ? ॥৪॥

ব্রহ্মাগী মচা নারদগী রা অসি তাবদা সনাতনধর্ম্মগী রক্ষা তৌবিরিবা ভগবান্ নারায়ণনা, মাহাক্না হায়জরিবত্বু তরাম্ তরাম্না য়াবিহুনা, চৎলো হায়না বিদায় পীবিখি ॥৫॥

ব্রহ্মকুমার নারদনা বিদায় লৌহুনা পুরাতন ওইরবা কুইরবা ঋষি নারায়ণগী পূজা তৌরম্লগা মীংথিবা বিদ্যাগী পাম্বৈনা নোংমদে স্বর্ক্তা পাইখৎখিহুনা থুনা য়ঙনা মেরু চীংজাও মথক্ত অহুম্ মশক উথিল্লে ॥৬॥

মেরুগী চীদোন্দ মীচিক-মীথাওখোল তাদবা মফমদা নারদমুনি অসি পু অনীরোমদা লোখাখি । অহুগী তুংদা কৌত্র পাংনা হায়বদি— অরাং নোংচুপ পাংনা মমায় ওন্দুনা য়েংবদা নারদনা অঙকপা দৃশ্য অমা উখি ॥৭॥

ক্ষীরসমুদ্রগী অরাংনোমদা শ্বেত কৌবা দ্বীপ অমা লৈবত্ত মাগী মাঙদা মমীং মঙদা উবঙুম্ তৌই । তৌমোলিক বিস্তৃণিংনা শ্বেতদ্বীপ হায়বসি মেরু চীংদগী য়ুথক লিশিং কুহ্যানীথোই বাংঙি হায়নৈ । মাসিনা

মেজোঃ [illegible] হি [illegible] কবিভির্নিরূজাঃ।
অনিন্দ্রিয়ানাহারাশ্চ [illegible] নিষ্পন্দহীনাঃ সুগন্ধিনস্তে [illegible]॥
শ্বেতাঃ পুমাংসো গতসর্ব্বপাপাশ্চক্ষুর্মুষঃ পাপকৃতাং নরাণাম্।
বজ্রাস্থিকায়াঃ সমমানোন্মানা দিব্যাবয়বরূপাঃ শুভসারোপেতাঃ॥১০॥
ছত্রাকৃতিশীর্ষা মেঘৌঘনিনাদাঃ সমমুষ্কচতুষ্কা রাজীবচ্ছত্রপাদাঃ।
ষষ্ট্যা দন্তৈর্যুক্তাঃ শুক্লৈরষ্টাভির্দ্রংষ্ট্রাভির্যে জিহ্বাভির্যে বিষ্বক্‌ত্রং লেলিহ্যন্তে সূর্য্যপ্রখ্যম্॥১১
দেবং ভক্ত্যা বিশ্বোৎপন্নং যস্মাৎ সর্ব্বে লোকাঃ সম্প্রসূতাঃ।
বেদা ধর্ম্মা মুনয়ঃ শান্তা সর্ব্বে [illegible] নিসর্গাঃ॥১২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অনিন্দ্রিয়া নিরাহারা অনিষ্পন্দাঃ সুগন্ধিনঃ। কথং তে পুরুষা জাতাঃ কা তেষামুত্তমা [illegible]॥১৩॥

লৈবা মীশিং অসি হকচাংদা ইন্দ্রিয় অমতা য়াওদবা, করিমত্তা চাদবা, লেঙব ওৎপা তৌদবা অমা [illegible] ভাক্তনি, মখোয়গী মশাদগী মুংশিরবা মনম থোরকই॥৮—৯॥

শ্বেতদ্বীপ হায়বসিদা লৈরিবশিং অমু মশাদা পাপ য়াওদ্রবা, মচু ভৌবোক তৌবা ভাক্তনি। পাপচেম্বা মীশিংদি মখোয়দা য়েংশিল্লুবদা মমীৎ অমু ঊথক থকুই। মীচ্চাননা য়েংশিন্নুবা ঙম্দে। মখোয়গী মশা অহু অহুগা হকচাংগী শরক অমু বজ্রগী মতৌগুম্বা কল্ল। মখোয়দা চোংথ-লেপ্পগী নিন্দা প্রশংসাগী থোক্কবা লৈত্তে। মখোয়গী মশা হকচং খুদিংমক মীয়ম্লেনগা মান্নদে। যোগগী প্রভাবতনা মশা মউ অমু কনবা [illegible] মক্তনি। মখোয়গী কোক্‌ত ছত্রগী মতৌ মওংনি। হায়দোক ভাঙথোরক্পনা নোংবা ঙ ব থোকত্তুনি। মপাবোম মরি মরি পাল্লি, মখোয়গী মখোঙ খুয়াশিং অমু থবাল চাম চাম লৈশিং লৈশিংগী মচি (রেখা) না পীক্‌ থল্লি। তৌরবা লংলবা মরা তুমথু তুমথু অহুদা য়াগঙ নিপাল নিপাল পাল্লি। [illegible] [illegible] মঙাল [illegible]। বিশ্বজগৎ অসিবু মথাদা হাপ্লগা শায়রিবা মহাকাশ অমু [illegible] মখোয়গী মরৈ অমু লেকুই॥১০—১১॥

বিশ্বজগৎ পুম্বসি মতোম্নগী থোকখিবা, উরমদবা লোক পুম্নমক মতোম্নগী মশাক ঊবা চোংথোক্লখিবা, বেদ, ধর্ম্ম শান্তিগী মূর্ত্তি ওইবা মুনিশিং দেবতা পুম্নমকনা মহাক্কা শেম্বিখিবা অমুগুম্বা ভগবৈ লৈতবা [illegible] [illegible] পরমেশ্বর পরমাত্মাবু হায়রিবা শ্বেতদ্বীপবাসীশিংনা ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা মাগী মাগী [illegible] চেংনা [illegible] থমই॥ ২॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি — ঈবুংথৌ! শ্বেতদ্বীপ হায়রিবা মফম অমুদা লৈরিবা মীশিং অমুগী ইন্দ্রিয়[illegible] করিমত্তা লৈতে, চাব-থক্‌পা করিমত্তা তৌদে, অমগা নোম্বা-থোংপ তৌদে হায়রিবসি করিনো? অমুগা [illegible] মশাগী [illegible] মনম [illegible] থোরকুই হায়রিবসিনা করি করম্না তৌরিবনো? মখোয় [illegible]

যে চ মুক্তা ভবন্তীহ নরা ভরতসত্তম। তেষাং লক্ষণমেতদ্ধি শ্রোতুমিচ্ছামি সত্তম ॥১৪॥
তস্মান্মে সংশয়ং ছিন্ধি পরং কৌতূহলং হি মে। ত্বং হি সর্ব্বকথারামস্তস্মাৎ ত্বৈলোক্যবিজয়া বদ ॥১৫॥

ভীষ্ম উবাচ ॥

বিস্তীর্ণৈষা কথা রাজন্ শ্রুতা মে পিতৃ সন্নিধৌ। সৈষা তব বক্তব্যা কথাসারো হি সা মতা ॥১৬॥
রাজ্ঞা পৃষ্টঃ পুরা প্রাহ তমাহ শৃণুত বন্ পুরা। রাজোপরিচরনাম বভূবাধিপতির্ভুবঃ ॥
আখণ্ডলসখঃ খ্যাতো ভক্তো নারায়ণং বরম্ ॥ ১৭॥
ধার্ম্মিকো নিত্যভক্তশ্চ পিতৃ নিত্যমতন্দ্রিতঃ। সাম্রাজ্যং তেন সম্প্রাপ্তং নারায়ণবরাৎ পুরা ॥১৮॥
সাত্বতং বিধিমাস্থায় প্রাক্‌সূর্য্যমুখনিঃসৃতম্। পূজয়ামাস দেবেশং তচ্ছেষেণ পিতামহান্ ॥১৯॥
পিতৃশেষেণ বিপ্রাংশ্চ সংবিভজ্যাশ্রিতাংশ্চ সঃ। শেষান্নভুক্ সত্যপরঃ সর্ব্বভূতেষ্বহিংসকঃ ॥২০॥

করম পোকখিবগে? মথোয়ন শিরগা করম্বা করম্বা অথোইবা গতি (ধাম— মফম) দ ভুংখিবগে, [illegible]বন্দি— চংখি যৌখিবগে ? ॥ ·॥

ভরতশাংগেগী অথোইব ! ঈবুধৌ ! শাস্ত্রদা হায়রিবা, মুক্ত ওইরব', অমানবা খুত্তম কললা [illegible] অতুগী লক্ষণশিং অহু শ্বেতম্বী তা লৈবা মখোয়গীসু অতুম্মক মরৈসু হায়রি। অহুনা তাবদা যাম্না চিংনরে, চিংনরিবসে ঈবুধৌনা অমুক্তা কোক্‌হনবিয়ু ॥১ ॥

মখোয়গী মরমসি যাম্না মুন্ন খঙনী লে। ঈবুধৌদি জ্ঞানগী মশক ওইরবা, জ্ঞান পোক্‌কম ওইরবা, য়ারৌশিংগী মঙুংগী য়সবু লোইনা চুপ্পরিবনি। ঐ ঈবুধৌদা চঙজরি ॥ ৫॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ। য়ারী অসিদি যাম্না পাক্ চউপ্রবনি। মাসি ঈগী ঈপাগী মফমদগী তাপ্রবনি। মাহু ওসি নংগী মফদগী লৌবা তারি। মাসে, অতৈ য়ারী পুম্নমক্কী মচংনি হায়না যানশুবনি ॥১৬॥

মমা তৈদা নোংমা ঐবু পোকপা ঈপা নিংথৌ শাস্তনুনা হংবদা নারদ মুনিনা লৌখিবনি। পৃথিবীসিদা উপরিচর হায়না কৌবা নিংথৌ অমা পাম্লম্মি। মহাক অসি লাইরৈবাক্কী নিংথৌগী মরূপনি, অহুগা পাপ পূম্নমক্ কোক্‌হনবা ঙম্বা ভগবান্ নারায়ণগী মহাভক্ত অমা ওইরম্মি ॥১৭॥

মহাক অসি ধর্ম্মচেয়বা অতুগা মপাগী মহাভক্ত অমনি। মপাদা কনিংঙম্বদা অতম্বা লৈমাংদবা অমত্ত লৈত্তে। মখাতত্তা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী কৃপাদগী পৃথিবী পুম্বগী অমত্তা ওইবা নিংথৌ (সম্রাট) ওইখি ॥১৮॥

ঈহান্ হ'ন্‌দ্রা ভগবান্ সূর্য্যদেবগী চীন্দগী থোকপিবা বৈষ্ণবশাস্ত্রগী বিধিগী মতুংইন্না দেবতা পুম্নমক্কী অধুত্তো দেবেশ্বর ভগবান শ্রীনারায়ণগী সেবা পূজা তৌখি। নারায়ণদা কথিবগী লেমহৌবা শরুকনা— পিতৃলোকশী, পিতৃলোককী তৌবা সেবা পূজাগী লেমহৌবা শরুক্না ব্রাহ্মণশিংগী মাতুংগী লেমহৌবা শরুক [illegible] চরজরস্থশিংগী, অসুম তৌহনা শরুক পুম্নমক চয়হনা লোইশনা তুংদা, মাইনগী লেমহৌবা [illegible] মহাক মথাগী ওইনা চাজৈ। তুমিংচুক্না সত্যগী মথক্তা থবক পুম্নমক কনাওবা করিকুমা

সর্ব্বভাবেন ভক্তঃ স দেবদেবং জনার্দ্দনম্। অনাদিমধ্যনিধনং লোককর্ত্তারমব্যয়ম্ ॥২১॥
তস্য নারায়ণে ভক্তং বহতোঽমিত্রকর্ষিণঃ। একশয্যাসনং দেবো দত্তবান্ দেবরাট্ স্বয়ম্ ॥২২॥
আত্মরাজ্যং ধনং চৈব কলত্রং বাহনং তথা। তত্তাগবতং সর্ব্বমিতি তৎ প্রোক্ষিতং সদা ॥২৩॥
কাম্যনৈমিত্তিকা রাজন্ যজ্ঞিয়াঃ পরমক্রিয়াঃ। সর্ব্বাঃ সাত্বতমাস্থায় বিধিং চক্রে সমাহিতঃ ॥২৪॥
পাঞ্চরাত্রবিদো মুখ্যাস্তস্য গেহে মহাত্মনঃ। প্রয়ানং ভগবৎপ্রোক্তং ভুঞ্জতে বাগ্রভোজনম্ ॥২৫॥
তস্য প্রশাসতো রাজ্যং ধর্ম্মেণামিত্রঘাতিনঃ। নানৃতা বাক্ সমভবন্মনো দুষ্টং ন চাভবৎ ॥২৬॥
ন চ কায়েন কৃতবান্ স পাপং পরমণ্বপি। যে হি তে ঋষয়ঃ খ্যাতাঃ সপ্তচিত্রশিখণ্ডিণঃ ॥২৭॥
তৈরেকমতিভির্ভূত্বা যৎ প্রোক্তং শাস্ত্রমুত্তমম্। বেদৈশ্চতুর্ভিঃসমিতং কৃতং মেরৌ মহাগিরৌ ॥২৮॥
মরীচিরত্র্যঙ্গিরসৌ পুলস্ত্যঃ পুলহঃ ক্রতুঃ। বসিষ্ঠশ্চ মহাতেজাস্তে হি চিত্রশিখণ্ডিনঃ ॥২৯॥

অমতগী মকমদা হি সাগী থবক অমতা তৌদে ॥ ৯—২০॥ অহৌবা মরক অরোইবা লৈতবা, লোক পুম্বগী অশেম্বা মপু, দেবদেব জনার্দনগী ভজন পূজন সেবাদা উপরিচর কৌবা নিংথৌ অসি থম্মোয় হকচাং পুক্নীং পুম্নমক শুপত্তুনা লৈখি ॥২১॥

ভগবান্ নারায়ণগী মকমদা লেঙত্রবা ভক্তি থম্বা, য়েক্নবা নম্থবা ওম্বা নিংথৌ অসিদা ওহোক্না পেন্ থিহুনা দেবরাজ ইন্দ্রনা নিংথৌ উপরিচরগা আসন অমতদা, শয্যাথক্ অমতদা ফম্মিরে ॥২২॥

রাজা উপরিচরনা মহ'কী রাজ্য সম্পত্তি পুম্নমক অঙাং, শাদোং, লন্থৈগে পুমে পুম্বা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী মপোৎ ওাক্তনি থম্নুনা ভগবান্গী চরণদা লোইনা অর্পণ তৌখোকই ॥২৩॥

নিংথৌ। নিংথৌ উপরিচর রায়া চোকশিন্না, নৈমিত্তিককাম্য কর্ম্ম থিবিকপু বৈষ্ণবশাস্ত্রগী বিধি-বিধান মক্নুংঙিন্না পাঙথোকই ॥২৪॥

মহাত্মা ওইরবা নিংথৌ অসিগী যয়মদা পঞ্চরাত্রশাস্ত্রগী জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা অহিং চুংথিলদা লেঙলনা লৈ। ভগবান্দা কৎশিবগী প্রসাদী অদু ঈশান্ হানবহা জ্ঞানী পণ্ডিতশিং অসিনা ফংদুনা লৈ ॥২৫॥

ধর্ম্ম কায়দনা লৈপাকী শাসন তৌদুনা লৈরিবা, যেক্নববুসু নৈকৎতুনা লৈরিবা নিংথৌসিনা করিগুম্বদা অসত্যতাবণ তৌখিদ্রি মীনম্বা মরীক্ অমা কাওবা ওাঙখিদ্রি। করিগুম্বদা থুজীন্-থুনাদে ফগী ওইরবসু মাগী পুক্নীংবু কত্তবা রাখলনা থক্তিক্তসু মোৎহনখিদ্রি। মহাক্কী মশানা মথোঙ মথুংবা খ্বাইদগী পীক্পবা পাপকী থবক অমা কাওবা তৌখিদ্রি ॥২৬॥

আগম নিগম তন্ত্র স্মৃতিনচিংবগী উৎপত্তি অসি কদায়দগী কয়না কনা কনাদগী থোক্লকখিবা হায়বা অদু হায়রগে তাও— মরীচি, অত্রি, অংগিরা, পুলস্ত্য, পুলহ, ক্রতু, তেজ কল্লবা বসিষ্ঠ মখোয় তরেৎ অসি চিত্র-শিখণ্ডী হায়না খঙ্‌লৈ। চিত্রশিখণ্ডী হায়না কৌবা মখোয় তরেৎ অসি মমিং চৎলবা ওাক্তনি। মখোয় তরেৎ অসিনা রাখল (মত) অমতা ওইনা মহাগিরি মেরুগী চীংদোম্দা লোংগ্নিবা লেমগ্নিবা শাস্ত্র অদু চেম

সপ্তপ্রকৃতয়ো হ্যেতাস্তথা স্বায়ম্ভুবোঽষ্টমঃ। এতাভির্ধার্য্যতে লোকস্তাভ্যঃ শাস্ত্রং বিনিঃসৃতম্ ॥৩০॥

একাগ্রমনসো দান্তা মুনয়ঃ সংযমে রতাঃ। ভূতভব্যভবিষ্যজ্ঞাঃ সত্যধর্মপরায়ণাঃ ॥৩১॥

ইদং শ্রেয়ঃ ইদং ব্রহ্ম ইদং হিতমনুত্তমম্। লোকান্ সঞ্চিন্ত্য মনসা ততঃ শাস্ত্রং প্রচক্রিরে ॥৩২॥

তত্র ধর্মার্থকামা হি মোক্ষঃ পশ্চাচ্চ কীর্ত্তিতঃ। মর্য্যাদা বিবিধাশ্চৈব দিবি ভূমৌ চ সংস্থিতাঃ ॥৩৩॥

আরাধ্য তপসা দেবং হরিং নারায়ণং প্রভুম্। দিব্যং বর্ষসহস্রং বৈ সর্ব্বে তে ঋষিভিঃ সহ ॥৩৪॥

নারায়ণানুশাস্তা হি তদা দেবী সরস্বতী। বিবেশ তানৃষীন্ সর্ব্বলোকানাং হিতকাম্যয়া ॥৩৫॥

ততঃ প্রবর্ত্তিতা সম্যক্ তপোবিদ্ভির্দ্বিজাতিভিঃ। শব্দে চার্থে চ হেতৌ চ এষা প্রথমসর্গজা ॥৩৬॥

আদাবেব হি তচ্ছাস্ত্রমোঙ্কারস্বরপূজিতম্। ঋষিভিঃ শ্রাবিতং যত্র কারুণিকো হ্যসৌ ॥৩৭॥

মরিনী মতৌগুম্না য়াম্না ঐকায় থুম্না লুনা তৌননগাম্নি। চীন্ তরেত্তগী থোকখিবা শাস্ত্র অদুদা লোকধর্মগী ব্যাখ্যা য়াম্না নীংখিনা তৌরি ॥২৭—২৯॥

হায়রিবা ঋষি তরেৎ অসি প্রকৃতিগী শায়োন মূর্ত্তি তরেৎকুম্বনি। মখোয় তরেৎ অসি প্রজা (মচা-মশু) গী বিস্তার তৌকম মক্কনি। মখোয়সিগী মথক্তা নিপানগুবা প্রজাপতি ব্রহ্মা লৈরি। মখোয়সিনা সংপূর্ণ জগৎ অসিবু ধারণ তৌদুনা লৈরি। শাস্ত্রবু পুথোকখিবদো মখোয় তরেৎ অসিনি ॥৩০॥

ঋষি তরেৎ অসি পুন্নপা পুক্নীং অনী লোঙদনা, ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা, ভূত, ভবিষ্য, বর্ত্তমানবু খঙবা, উবা, অদুগা সত্যধর্মদা পরায়ণ ওইবা মীশক মক্কনি ॥৩১॥

অসুম তৌরবদি জগৎকী মঙ্গল ওইগনি, অসুম তৌরবদি পরমাত্মাবু উবা ফংবা ঙমগনি, অসিগুম্বা উপায়তনা সংসারগী কায়বদু পাঙথোকপা য়াগনি হায়না অমত ওইনা খন্নমিন্নদুনা শাস্ত্রলেংব হৌখিবনি ॥৩২

মখোয়না মত অমত ওইনা লেংখ্রিবা শাস্ত্র অদুদা ঐহান হানবদা ধর্ম্ম অর্থ কামগী অদুদগী মোক্ষগী খর্নন তৌরি। স্বর্গ অদুগা মর্ত্ত্যলোকতা চৎনরিবা লোকব্যবহার, লোকমর্য্যাদাগী মওং মতৌশু উৎলি ॥৩৩॥

ঋষি তরেৎ অসিনা অতোপ্পা ঋষিশিংগা লোয়ননা চহী লিশিং অম চুপ্প তপস্যা তৌদুনা ভগবান্ নারায়ণগী আরাধনা তৌখি। মখোয়না তৌরিবদুদা পেন্নদুনা ভগবান্ নারায়ণনা সরস্বতী দেবীবু মখোয়গী মনাক্তা থাদকই। নারায়ণগী য়াথংগী মতুংইন্না লোক পুম্নমক্কী মঙ্গলগী দমক্তা সরস্বতী দেবীনা মখোয়গী শরীরদুদা চঙখি ॥৩৪—৩৫॥

মতম অদুদা তপস্বী ব্রাহ্মণশিং অদুনা শব্দ অর্থ, হেতুনা তিনথা বাণী (য়াঙাঙ— বাচ্য) অম প্রয়োগ তৌখি। মাদুনা ঐহান হানবা মখোয়গী রচনা ওইখি ॥৩৬॥

শাস্ত্র অদুগী ঐহান হানবা হৌগৎলকপদা ওঁ হায়বা উচ্চারণ অসি শীজিন্নখি। ঋষিশিংসিনা ঐহাক্ হায়না মখোয়গী শাস্ত্রশিং অদুবু তাহনখিবা মকম মতম অদুদা ভগবান্ শ্রীনারায়ণ মশামক লৈরম্মি— হায় খাওগনি ॥৩৭॥

ততঃ প্রসন্নো ভগবাননির্দিষ্ট শরীরগঃ। অব্রবীচ্চ তানসর্ব্বানদৃশ্যঃ পুরুষোত্তমঃ ॥৩৮॥

অদুগী তুংদা হায়নীঙাই লৈতনা নীংথিরবা হকচাং অমদা চঙদুনা ভগবান্‌ পুরুষোত্তম নারায়ণনা— মখোয়দা উহন্দনা অসুম্না হায়রকই— ॥৩৮॥ *

---

* 'হকচাং অমগী মনুংদা লৈদুনা উহন্দন হায়রকই— " হায়বসিগী ভাবতি— কনাগুম্বা অমনা নত্রগা করিগুম্বা শা ঙানা লাওরক্লিবা ঙাঙলক্লিদসি করিগুম্বা পোৎশক অমনা তাইবংমী শা ঙা, উচেক রায়া, তীল কাঙ হায়না কৌশিনবা হকচাং অমগী মনুংদা, মরুমদা থুপত্তুনা মশামক্‌ উহন্দনা ঙাঙবা, লাউরকপা, কপ্পকপা. নোক্লকপা মক্তনি। মাবুদি উত্ত্রবনিনা মাবু উহন্দনা কুপশিন্দুনা থম্লবা হকচাং (শরু মপৈ) অসিনা ঙাঙলিবনি হায়না লৌবা তাথিবনি। উরিবা হকচাং অসিগী মনুংদা হকচাং অমনা কুপত্তুনা লৈবা, নত্রগা হকচাং ঈয়াও য়াওদবা— নির্দেহ নিরাকার নত্রগা সাকার ওইবা করিগুম্বা অমনা ঙাঙত্তকপনি হায়বসি— মশানা তারে। য়া ঙাঙদনা তুমিন্ন লৈরি হায়না উরিবা হকচাংসিদনা, মনুংদা লৈরিবা পোৎশক মহাকপু তুমিন্না লৈবা তাই। অদুনা মপানগী কুয়োমসিবু ঐনি হায়না খঙদবা পোৎশক (আত্মা) অদুনা ভদুম্না খঙদবগী থাক্‌ য়ৌরক্লবদা হোঙবা চাউবা হায়না কৌরিবা হকচাংমনুংদা লৈরিবা মহাক্না মা মথন্ত অদুম্‌— লৈজবনিনা ক্রক্‌ ক্রক্‌ ঈন্নপ্রবা মী শা উচেক লিশিং লিশিংগী মনুংদা মথন্তা তুমিন্ন লৈদুনা ধ্যান তৌবা ঙম্মি। "করিগুম্বা কনাগুম্বা অমনা ঙাঙলিত্রা, থম্লত্রা হকচাংসিগী মনুংদা লৈংনা ?"— অসুম খল্লকপা, ঈহান্‌ হাবা থাক্‌ সিঙ্গি অসি ফাওবা কাখৎলমদনা সংসার অসিদগী চৎনখিবনা অয়াম্বনি। মশক হকচাং) উহন্দনা মরুমদা থুপত্তুনা লেংত্তুনা কনাগুম্বা অমনা লাউরকপদা,— কনানো কনানো ? হায়না কোংথি থিরি। মহাক্না খত্তুনা কারুরিবহৌদি হকচাংত্তহুনি। অদুদগীদি লাউরম্বা অদুম্ন তুমিন্ন লৈরে। "নহাক্না ঙাঙলম্বদো ? হায়না হংবদা কিদুনা "নত্তে" হায়না খুম্বা ভাবদা লাউরম্বদু থিবা অমুক চৎনরি। ঐনা পনদুনা কোন্দুনা চুপ্লিবসি কনাবুনো ? মপানগী মাংসপিণ্ড অসিবুরা ? নত্রগা— হকচাং কুয়োম অসিগী মনুংদা মুংশিবা অখোংপা য়াহৈনা ঙাঙলম্বা— করিগুম্বা অমা লৈরিবসিবুরা ?.. হায়না থম্নসি মী লিশিংগী মনুংদা অমতংককা য়াওরকই। গীতাদসু য়াওরি,— "মনুষ্যাণাং সহস্রেষু কশ্চিৎ ।" হকচাং মায়লপিণ্ড অসিতবু মুংশি মুংশিনা থম্ভুনা চৎপ্রবা (শিপ্রবা) মপানগী হকচাংবু থাদোকপা ওমদনা চংশ্রিবশিং অদুগী মমক মখোয়না পামজরম্না পিণ্ড মচা মশূনা অসিবা অমুক দান তৌনহৌরি। অরেম্বা রাখল মায়াসিদগী য়াংনা লান্‌থিদুনা সর্ব্বত্যাগী (পুন্নমক থাদোক্লবা) ওইদুনা, সন্ন্যাসী ওইদুনা চৎপ্রবশিং অদুগীদি— পিণ্ডদান তৌনত্রিবসিনি। শ্রাদ্ধ মুমিত্তা "হকচাং শাবা" হায়নুনা— শোয়াংকী থারিবা শেম্নিবা ফমুংদা মী-মতুম্না লকোয়না হকচাং শারগা, মাদুদা পুরোহিতনা জীবন্ন্যাস তৌরগা— আত্মা অদু কৌথরি। ওয়ু'কদি য়ামনা কজবা পোৎনি। শ্রীভগবান্‌ নারায়ণনা হকচাংমনুংদা লৈদুনা উহন্দনা ঋষিশিং অসিদা জ্ঞান তাক্লুখিবনি।

(কালাচাঁদ)

কৃতং শতসহস্রং হি শ্লোকানামিদমুত্তমম্। লোকতন্ত্রস্য কৃৎস্নস্য যস্মাৎ ধর্ম্মঃ প্রবর্ত্ততে ॥৩৯॥
প্রবৃত্তৌ চ নিবৃত্তৌ চ যস্মাদেতং ভবিষ্যতি। যজুর্ঋক্‌সামভিঃর্জুষ্টমথর্ব্বাঙ্গিরসৈস্তথা ॥৪০॥
যথা প্রমাণং হি ময়া কৃতো ব্রহ্মাপ্রসাদতঃ। রুদ্রশ্চ ক্রোধজো বিপ্রা যূয়ং প্রকৃতয়ো তথা ॥৪১॥
সূর্য্যাচন্দ্রমসৌ বায়ুর্ভূমিরাপোঽগ্নিরেব চ। সর্ব্বে চ নক্ষত্রগণা যচ্চ ভূতাভিশব্দিতম্ ॥৪২॥
অধিকারেষু বর্ত্তন্তে যথা স্বং ব্রহ্মবাদিনঃ। সর্ব্বে প্রমাণং হি যথা তথা তচ্ছাস্ত্রমুত্তমম্ ॥৪৩॥

মুনি অথোইবা পুন্নমক। নখোয়না লেংগুক্লিবসে শ্লোক লক্ষা অমা কায়ে। শ্লেক লক্ষা অমনা নীংথিজরবা শাস্ত্র অমা লেংলে। মাসিদা হায়রিবা নিয়ম বিধিগী মতুংইন্না লোকতন্ত্র লোকধর্ম্ম পুন্নমক মথং মথং চৎনগনি ॥৩৯॥

প্রবৃত্তি নিবৃত্তিগী বিষয়দা ইন্নিবশিং অসি ঋক্ যজুঃ সাম অথর্ব্ব বেদ মন্নিনা অনুমোদন তৌরবা—য়ায়বা সিদ্ধান্ত অমমম্‌গুম্না লৈহৌরগদবা ওাক্তনি ॥৪০॥

ব্রাহ্মণ পুন্নমক। ঐভোন্দগী থোকখিবা ব্রহ্মানা, ব্রহ্মানা শাউবদগী পোকাখবা রুদ্রনা, নখোয় লৈরিব প্রজাপতি পুন্নমক্না, সূর্য্য চন্দ্রমা বায়ু ভূমি মৈ ঈশিং নক্ষত্রশিংনা, অতৈ অতৈ পোৎ পুন্নমক্না অহুগা ব্রহ্মবাদী ঋষিশিংনা মাগী মাগী অধিকার অমদি শক্তিগী মতুংইন্না মাগী মাগী মথৌ তৌহনা লৈরিবা অসিনা অচুম্বনি হায়না লৌনরিবসিগুম্না নখোয়না লেংলিবা শাস্ত্র অসিসু অচুম্বনি প্রমাণ চপ চারবনি হায়না জগৎ অসিনা লৌনগ্রসন্ন— মাসি ঐগী য়াথংনি ॥৪১—৪৩॥ *

---

* "শাস্ত্র" হায়বদি— শাসন তৌননবগী থুংলায় হায়বনি। য়ারেপ-য়াথেন্নবগী থুংলায়নি। অচুম্বনা চুমদবা ওইদনবা, চুমদবনা অচুম্বা ওইথিনবা, য়ারক্পা, য়ারেপ্পা, য়'তেহ্না অহুম অসিনা শাস্ত্রগী মরু ওইবা মথৌনি। চুমদবা কদায়বু কৌই? অচুম্বনি হায়বা করি প্রমাণ লৈ? অসিনচিংবা তাক্‌পসু শাস্ত্রগী মথৌনি। অচুম্ অয়ান্, পাপ-পুণ্য কদায়বু কৌই? হায়বগী সংজ্ঞা পরিভাষা পীবসু শাস্ত্রগী মথৌনি। হায়ায়বা অচুম্ অয়ানগী মতুংইন্না চত্নগা চত্নিবশিংবু দণ্ড পীবগী নিয়ম তাকপসু শাস্ত্রগী মথৌনি। অচুম্বশিং অহু মাগী মাগী অধিকারদা ভেঙোন্ তোঙান্না লৈনগদবনি হায়বহসু শাস্ত্রগী য়াথংনি। অসিগুম্বা শাস্ত্রসি কনানা ঈহান্ হায়া লেংখি? লেংগ্রিবা মাগী য়াথল অহুতনা শাস্ত্রনি হায়বসি করম্না য়াফম থোকপগে? অমুম্ হায়না চিংননবা, য়েংননবা মরম য়ান্না লৈগনি। মতাং অসিদা বিষ্ণু ভগবান্‌না হাঙ্‌রিবদি—'মুস্থিৎ' অসি অচুম্বা অমনি। অচুম্বা মাগী অচুম্বা মতান্না অচুম্বা ঈশিংবু অচুম্বা নোংমদেন্দা চিংখৎলি। মথোয়সিগী মরক্তা অয়ান্‌বা অমতং য়াওয়রবদি নোং তাহনা লৈপাক লৈহাও চেল্লিবা, মহৈ-মরোং চুম্না পাল্লিবসি অমত্তা য়ায়রোইদবনি। অচুম্বশিংসিগী তত্ত্ব মুম থওলগা লেং-গ্রিবা শাস্ত্রশিংহনা অমুক হেন্না চুম্‌গ্রে। মুস্থিৎ থোকক্লিজনা অহুম তৌগদবনি তৌরোইদবনি হায়না তাক্লিবসি অচুম্বা মুস্থিৎ মশামক্না তাকপা ওমদে। অহুনা, মুস্থিৎ-থানচিংবদগীসু মথোয়গী তত্ত্ব তাকপা শাস্ত্রনা চাউগদবনি। অসিগুম্বা শাস্ত্রদি মুস্থিৎ-থা-থরাম্মিচাক্লচিংবনা

ভবিষ্যতি প্রমাণং বৈ এতন্মদনুশাসনম্। অস্মাৎ প্রবক্ষ্যতে ধর্ম্মান্ মনুঃ স্বায়ম্ভুবঃ স্বয়ম্ ॥৪৪॥
উশনা বৃহস্পতিশ্চৈব যদোৎপন্নৌ ভবিষ্যতঃ। তদা প্রবক্ষ্যতঃ শাস্ত্রং যুষ্মন্মতিভিরুদ্ধৃতম্ ॥৪৫॥
স্বায়ম্ভুবেষু ধর্ম্মেষু শাস্ত্রে চৌশনসে কৃতে। বৃহস্পতিমতে চৈব লোকেষু প্রতিচারিতে ॥৪৬॥
যুষ্মৎ কৃতমিদং শাস্ত্রং প্রজাপালো বসুস্ততঃ। বৃহস্পতিসকাশাদ্ বৈ প্রাপ্স্যতে দ্বিজসত্তমাঃ ॥৪৭॥
স হি মদ্ভাবিতো রাজা মদ্ভক্তশ্চ ভবিষ্যতি। তেন শাস্ত্রেণ লোকেষু ক্রিয়াঃ সর্ব্বাঃ করিষ্যতি ॥৪৮॥
এতদ্ধি যুষ্মচ্ছাস্ত্রাণাং শাস্ত্রমুত্তমসংজ্ঞিতম্। এতদর্থ্যং চ ধর্ম্ম্যং চ রহস্যং চৈতদুত্তমম্ ॥৪৯॥
অস্য প্রবর্ত্তনাচ্চৈব প্রজাবন্তো ভবিষ্যথ। স চ রাজশ্রিয়াযুক্তো ভবিষ্যতি মহান্ বসুঃ ॥৫০॥

নখোয়না লেংঙ্গিবা শাস্ত্রসিগী মতুংইন্না স্বায়ম্ভুব মনুনা ধর্ম্মগী উপদেশ পীগনি। শুক্রাচার্য্যনা বৃহস্পতিপা অনীনা প্রকট ওইরক্লপা (পোক্লরুপা) নখোয়গী বুদ্ধিদগী থোকখিবা শাস্ত্র অসিগী মতংগী তাক ময়াম অসি মখোয় অনীনা প্রবচন (ভাষণ) তৌরক্খিগনি ॥৪৪—৪ ॥

ব্রাহ্মণ পুন্নমক। স্বায়ম্ভুব মনুগী ধর্ম্মশাস্ত্র, শুক্রাচর্য্য অমগা বৃহস্পতিগী মত না লোক পুম্নমকতা শন্দোরকপা মতম অদুদা প্রজাবু য়োক্পা বসু (নিংথৌ উপরিচর) না বৃহস্পতিগী মমদগী নখোয়গী শাস্ত্র অসে তম্গনি ॥৪৬—৪৭॥

সৎপুরুষশিংনা সম্মান তৌরগদবা রাজা উপরিচর হায়বসি ঐগী মহাভক্ত অমা ওইরকনি। অদুগা মহাক্না নখোয়গী শাস্ত্র অসিদা হায়রি হায়রিবদুগী মতুংইন্না শাসননচিংবা থবক পুম্নমক তৌরকনি ॥৪৮॥

নখোয়গী শাস্ত্র অসিনা অতৈ অতৈ শাস্ত্রশিংদগী থোইদোক্ হেন্দোক্না লৈরগনি। শাস্ত্র অসে ধর্ম্মশাস্ত্র, অর্থশাস্ত্র অদুগা য়াম্না থুপপ্রবা শাস্ত্র অমা ওইদুনা লৈতৌরগদবনি ॥৪৯॥

শাস্ত্র অসিগী প্রচারদগী নখোয় পুম্নমক্ সন্তানবান্ (মচা-মশু লৈবা) হায়বদু ওইহৌরগনি। নখোয়গী প্রজাগী বৃদ্ধি হায়নদু ওইগনি। অদুগা রাজা উপরিচর হায়বদুসু রাজলক্ষ্মীনা তিন্নবা মহাত্মা রাজর্ষি অমা ওইরকনি ॥৫০॥

থম্না লৈরিবা বিশ্বজগৎ অসিবু মাগী মনুংদা হাজিন্দুনা থম্বা ঈশ্বর মহাক্ অদুতনা পুরোত্তমনি। [illegible] ওবা ঈশ্বর অদু বিষ্ণু ওইবা মাতনা ভমগদবনি। মথন্তনা মতম অমমমদা, মফম অমমমদা, শোং খুদিংমক্তা বিষ্ণু ওইদুনা লৈগদবনি। অদুগুম্বা বিষ্ণুগী থোকখিবা— বৈষ্ণব, ভক্ত, আচার্য্য মুনি, [illegible] হায়রবশিংমক্সু অচুম্বমক্তনি। জগৎ অসিদা লৈরিবা উরিবা পোৎ অয়াম্বা— অনিত্য (লেপ্তবা— [illegible] লৈবা নত্তবা) মক্তনি। অদুবু, অনিত্য অদুগী মনুংনা লৈরিবা—অনিত্যবনাচিংনগী তত্ব খিন্নিবা [illegible] শাস্ত্র অওদি নিত্যনি, অরেপ্পনি, অচুম্বনি। মাসিগী মরম অসিদা উপদেশ পীবিরিবনি— নিত্য [illegible] শ্রীনারায়ণনা মহাক্নি।

([illegible])

সংক্ষিপ্তে তু যুগে তস্মিন্ শাস্ত্রমেতৎ সনাতনম্। অন্তর্ধাস্যতি তৎ সর্ব্বমেতৎ বঃ কথিতং ময়া ॥৫১॥
এতাবদুক্ত্বা বচনমদৃশ্যঃ পুরুষোত্তমঃ। বিসৃজ্য তানৃষীন্ সর্ব্বান্ কামপি প্রস্থিতো দিশম্ ॥৫২॥
ততস্তে লোকপিতরঃ সর্ব্বলোকার্থচিন্তকাঃ। প্রাবর্ত্তয়ন্ত তচ্ছাস্ত্রং ধর্ম্মযোনিং সনাতনম্ ॥৫৩॥
উৎপন্নেঽঙ্গিরসে চৈব যুগে প্রথমকল্পিতে। সাঙ্গোপনিষদং শাস্ত্রং স্থাপয়িত্বা বৃহস্পতৌ ॥৫৪॥
জগ্মুর্যথেপ্সিতং দেশং তপসে কৃতনিশ্চয়াঃ। ধারণাঃ সর্ব্বলোকানাং সর্ব্বধর্ম্মপ্রবর্ত্তকাঃ ॥৫৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
নারায়ণ-নারদ-সংবাদ-নাম ত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩৩০॥

——:(◎):——

নিংথৌ অহুনা নোঙাপ্রবা তুংদা অসিগুম্বা সনাতন ওইবা শাস্ত্র অসে সাধারণ ওইবা মীশিংগী মমীত্তদি পূম্বুং মৃৎপ্রগানি। শাস্ত্রসগী মরমদা হায়গদবা ম্না পুম্বা ঐনা হায়রবনি ॥৫১॥

শক্ উহন্দনা অস্রুম্না হায়রবা মতুংদা ভগবান্ পুরুষোত্তম অসি ঋষিশিং অহুমু মকম অহুদা বিদায় তৌরম্মগা খংদ্রাং মাংখি ॥৫০॥

অদুগী তুংদা লোক পূম্নমক্কী কান্নবতা খল্লবা প্রজাপতি ঋষিশিং অসি ধর্ম্ম পূম্বগী মরু ওইবা সনাতন ওইরগদবা শাস্ত্র অসি জগত্তা শন্দোকখি ॥৫৩॥

অহানবা কল্পগী অহানবা যুগতা, বৃহস্পতিগী আবির্ভাব ওইরবদা মতোম্দা ঋষি প্রজাপতিশিংনা অঙ্গ অমদি উপনিষংকা লোয়ননা শাস্ত্র অসি তম্বিখি। অদুগী তুংদা, ধর্ম্ম পূম্নমকপু শন্দোকপা, লোক পূম্নমকপু ধর্ম্মগী মর্য্যাদা মদুংদা পুশিনবিরম্বা ঋষিশিং অসি তপস্যা তৌনবগে হায়না থম্মুনা— মান্না মান্না পান্নবা মফমদা চৎনখি ॥৫৪—৫৫॥

মরম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোকশিংগী চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা নারায়ণ-নারদ-সংবাদ চহমগা কুন্থরাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩৩০॥

——:(◎):——

মণিপুরী মহাভারত

একত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নিংথৌ উপরিচরগী যজ্ঞ)

চহুম কুন্থ্রাথোইশুবা অধ্যায়

——:(*):——

ভীষ্ম উবাচ।

ততোঽতীতে মহাকল্পে উৎপন্নেঽঙ্গিরসঃ পুত্রে। বভূবুর্নির্বৃতা দেবা জাতে দেবপুরোহিতে॥১॥
বৃহদ্ব্রহ্ম মহচ্চেতি শব্দাঃ পর্য্যায় বাচকাঃ। এভিঃ সমন্বিতো রাজন্ গুণে বিদ্বান্ বৃহস্পতিঃ॥২॥
তস্য শিষ্যো বভূবাগ্র্যো রাজোপরিচরো বসুঃ। অধীতবাংস্তদা শাস্ত্রং সম্যক্ চিত্রশিখণ্ডিজম্॥৩॥
স রাজা ভাবিতং পূর্ব্বং দৈবেন বিধিনা বসুঃ। পালয়ামাস পৃথিবীং দিবমাখণ্ডলো যথা॥৪॥
তস্য যজ্ঞো মহানাসীদশ্বমেধো মহাত্মনঃ। বৃহস্পতিরুপাধ্যায়স্তত্র হোতা বভূব হ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়;— যুধিষ্ঠির। অদুগী তুংদা কৌজিক লৌপ্রবা পাক্ চাউপ্রবা কল্পদুগী অহান্বা চৌগৎলকপদা, অঙ্গিরাগী মচা বৃহস্পতি পোকখি, অদুগা মহাক্না স্বর্গগী দেবতা পুম্নমক্কী পুরোহিত ওইখি। বৃহস্পতিনা মখোয়গী পুরোহিত ওইবসিদা লাইয়াম পুম্নমক ওঙ্খোক্না হরাওখি॥১॥

নিংথৌ! বৃহৎ, ব্রহ্ম অদুগা মহৎ হায়রিবা শব্দ অহুম অংস অর্থ অমতা পুই। শব্দ অহুমগী অর্থগী গুণশিংদু লাইয়ামগী পুরোহিত (দেব পুরোহিত) মাগী মশাদা য়াওরম্মি। মরম অদুনা বিদ্বান্ ওইবা দেবগুরুতবু বৃহস্পতি (বৃহৎ + পতি) কৌই॥২॥ *

দেব পুরোহিত বৃহস্পতিগী অথোইবা শিষ্য অদুগা যজমানদি নিংথৌ উপরিচর বসু হায়বা অসিনি। মহাক্না অহান্বদা চিত্রশিখণ্ডিশিংনা অস্ত্রশাস্ত্র অদু বিধি কায়দনা বৃহস্পতিদগী তমখি॥৩॥

নিংথৌ উপরিচর বসু অসি অয়ান্বদা দেবতাশিংগী বিধি বিধান মতুংইন্না পৃথিবী মপুম্নসিদু— ইন্দ্রনা লাইরৈবাক্ ঙাক্পদুগুম্না ঙাক্লম্মি॥৪॥

মতম অমদা রাজা উপরিচর বসুনা চাউরবা অশ্বমেধ-যজ্ঞ অমা লিংখৎলম্মি। যজ্ঞ অদুনা হোতা (হোমদৈ পায়বদি) উপাধ্যায় বৃহস্পতিনা অদুম ওইরে॥৫॥

---

* শব্দ অসি যোগরূঢ়নি। অঙ্গিরাগী মচা ঋষি অদুতগী অর্থদা পুরগা রূঢ়নি। দেবতাশিংগী পুরোহিতসি অমনা অমনা শইরবসু বৃহস্পতি কৌবা য়াই। মাদুদনা শব্দ অসি যৌগিকনি। (কালাচাঁদ)

প্রজাপতিসুতাশ্চাত্র সদস্যাশ্চাভবংস্ত্রয়ঃ। একতশ্চ দ্বিতশ্চৈব ত্রিতশ্চৈব মহর্ষয়ঃ ॥৬॥
ধনুষাখ্যোঽথ রৈভ্যশ্চ অর্বাবসু পরাবসু। ঋষির্মেধাতিথিশ্চৈব তাণ্ড্যশ্চৈব মহানৃষিঃ ॥৭॥
ঋষিঃ শান্তির্মহাভাগস্তথা বেদশিরাশ্চ যঃ। ঋষিশ্রেষ্ঠশ্চ কপিলঃ শালিহোত্রপিতা স্মৃতঃ ॥৮॥
আদ্যঃ কঠস্তৈত্তিরিশ্চ বৈশম্পায়ন পূর্ব্বজঃ। কণ্বোঽথ দেবহোত্রশ্চ এতে ষোড়শ কীর্ত্তিতাঃ ॥৯॥
সম্ভৃতাঃ সর্ব্বসম্ভারাস্তস্মিন্ রাজন্ মহাক্রতৌ। ন তত্র পশুঘাতোঽভূৎ স রাজৈবং স্থিতোঽভবৎ ॥১০॥
অহিংস্রো শুচিরক্ষুদ্রো নিরাশীঃ কর্ম্মসংস্তুতঃ। আরণ্যকপদোদ্ভূতা ভাগাস্তত্রোপকল্পিতাঃ ॥১১॥
প্রীতস্ততোঽস্য ভগবান্ দেবদেব পুরাতন। সাক্ষাৎ তং দর্শয়ামাস সোঽদৃশ্যোঽন্যেন কেনচিৎ ॥১২॥
স্বয়ং ভাগমুপাঘ্রায় পুরোডাসং গৃহীতবান্ অদৃশ্যেন হৃতো ভাগো দেবেন হরিমেধসা ॥১৩॥
বৃহস্পতিস্ততঃ ক্রুদ্ধঃ স্রুচমুদ্যম্য বেগিতঃ আকাশং ঘ্নন্ স্রুচঃ পাতে রোষাদশ্রূণ্যবর্ত্তয়ৎ ॥১৪॥

প্রজাপতিগী একত, দ্বিত, ত্রিত, কৌবা মচা অহুমনা যজ্ঞতুগী সদস্য ওইখি ॥৬॥ মখোয় অহু নত্তনা ধনুষ, রৈভ্য, অর্ধাবসু, পরাবসু, মুনি অথোইবা মেধাতিথি, মহর্ষি তাণ্ড্য, পূকচেল চাউরবা শান্তি কৌবা মুনি, বেদশিরা, শালিহোত্রগী মপা মুনি কপিল আদ্যকঠ, বৈশম্পায়নগী ময়াম্বা তৈত্তিরি, কণ্ব অমসুং দেবহোত্র মখোয় তরাহুমদোই অসিমু উপরিচর নিংথৌগী যজ্ঞগী সদস্য ওইরম্মি ॥৭—৯॥

নিংথৌ ! চাউরবা মহাযজ্ঞ অদুগীদমক মতীক চারবা পূজাগী সামগ্রী (পূজাগী পোচ্চে) পূমমক শীল্লাংহুনা থমখ্রে। অদুগা অশ্বমেধ যজ্ঞনিদি হায়রগা যজ্ঞগী বলিদানগী দমক করিগুম্বা জীব অমত্তা হাৎখিদ্রে। অদুগা নিংথৌ উপরিচর বসুমসু মাগী যজ্ঞ অদুদা করিগুম্বা শা অমত্তা হাৎলোই হায়না হায়দগী অসুম থম্মহুনা লৈখিবনি ॥১০॥

হিংসাগী রাখল য়াওদ্রবা থম্মোয় হকচাং পূমশেং শেংব্রবা, পূকচেল চাউরবা করিগুম্বা কামনা অমত্তা য়াওদ্রবা অদুগুম্বা নিংথৌনি। অদুনা মহাক্না হিংসাগী শরুক ঈরাও য়াওদ্রবা যজ্ঞকর্ম্ম অদু তৌগে থম্মুনা কর্ম্ম অদুদা পূক্নীং চংথিবনি। বনদা হৌবা উহৈ-বাহৈতনা যজ্ঞ অদু তৌরগা, দেবতাশিংগী শরুক্ তমগে হায়না মপূক্নীংনা লেপখিবনি ॥১১॥

মতম অদুদা পুরাণপুরুষ ওইরবা দেবদেব শইরবা নারায়ণনা পেন্থিহনা নিংথৌদা সাক্ষাৎ ওইনা দর্শন পীখিবনি। নারায়ণগী দর্শন অদু মহাক্তনা ফংখিবনি। মহাক নত্তনা যজ্ঞ অদুদা য়াওরিবা কনা অমত্তনা নারায়ণবু উবা— মশক উবা ফংখিদে ॥১২॥

ভগবান্ হয়গ্রীবনা মশামক উহন্দনা মহাক্না কংলিবা, শরুক্ ভাগ্নিবা পুরোডাস (যজ্ঞগী ভগ্) অদু লৌখি। পুরোডাশ অদুগী মনম্ লৌহনা, পুরোডাশ অদু মহাক্না মথা পোলহন্নুনা, হারবদি—কনা অমত্তনা লোবা উত্নবা থম্খিবনি ॥১৩॥

মাদু উবদা হোমগী পায়রিবা বৃহস্পতি অসি ওহোক্না শাউখ্রে। মহাক্না মতম অদুদা হোমগী

উবাচ চৌপরিচরং মহাভাগোঽদৃশ্যমুক্তভঃ। প্রাপ্তঃ স্বয়ং হি দেবেন মং প্রত্যক্ষং ন সংশয়ঃ ॥১৫॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

উক্তা যজ্ঞভাগা হি সাক্ষাৎ প্রাপ্তাঃ সুরৈরিহ। কিমর্থমিহ ন প্রাপ্তো দর্শনং চ হরির্বিভুঃ ॥১৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততঃ স তং সমুদ্ধতং ভূমিপালো মহান্ বসুঃ। প্রসাদয়ামাস মুনিং সদস্যাস্তে চ সর্ব্বশঃ ॥১৭॥

উচুশ্চৈনমসম্ভ্রান্তা ন রোষং কর্ত্তুমর্হসি। নৈষ ধর্ম্মঃ কৃতযুগে যস্তং রোষমচীকৃথাঃ ॥১৮॥

অরোষনো হ্যসৌ দেবো যস্য ভাগোঽয়মুদ্যতঃ। ন শক্যঃ স ত্বয়া দ্রষ্টুমস্মাভির্বা বৃহস্পতে ॥১৯॥

যস্য প্রসাদং কুরুতে স বৈ তং দ্রষ্টুমর্হতি। একতদ্বিতত্রিতাশ্চৈব চুস্ততশ্চিত্র শিখণ্ডিনঃ ॥২০॥

বয়ং হি ব্রাহ্মণঃ পুত্রা মানসাঃ পরিকীর্ত্তিতাঃ। গতা নিঃশ্রেয়সার্থং হি কদাচিদ্দিশমুত্তরাম্ ॥২১॥

অহু থাজংতুনা আকাশদা কয়া থাখি। অশাউবগী সি মরীক্ মরীক্ শিহুখি ॥১৪॥ অহুনগী অমুক্ নিংথৌ উপরিচর বসুদা হায়খি,— ঐনা শেমখিবা শাখিবা, নারায়ণগী দময তমখিবা শরুক্ পুরোডাশ অহু ভাগবান্ মশামক্তা মশক উংদুনা সাক্ষাৎ ওইনা লৌখিকম থোকপনি। নাসি অচুম্বনি অহুগা করি অমতা চাংনকম লৈত্রবনি ॥১৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংই,— ঈবুথৌ। নিংথৌ উপরিচরগী যজ্ঞ অহুদা দেবতা পুম্নমক্তা মশামক্তা লাক্ লাকুনা প্রত্যক্ষ ওইনা দর্শন পীদুনা যজ্ঞগী শরুক্ লৌরে। অদুগা করিগীদমক ভগবান্ নারায়ণনা উহন্দনা— প্রত্যক্ষ ওইনা দর্শন পীদনা লোয়না মশক উহন্দনা লাকখিবগে ॥ ১৬॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। মাসিগী মরম হায়গে মুয়া তাও। বৃহস্পতিনা য়াম্না শাউখিবা মতমদা নিংথৌ উপরিচর বসুন অদুগা লৈরিবা সদস্য ময়াম অদুনা য়াম্না হায়জ নোজনা বৃহস্পতিবু নেমথহনখি— থেম্জনখি ॥১৭॥

মরীয়া অতয়া য়াইহেনা বৃহস্পতিদা অসুম্না হায়খি,— মহামুনি। ঐখোয়বু শাউবিগনু। অশাউবা অসি সত্যযুগকী ধর্ম্ম নত্তে ॥ ১৮॥

বৃহস্পতি। যজ্ঞগী শরুক্ থরংং কাচখিবদুনা ভগবান্ নারায়ণ মহাক্তি থক্ শাউবিখিদে, ঐখোয়গু অদুগা মুনিদেব নহাক্মক্তসু ভগবান্ নারায়ণ মহাকী সাক্ষাৎ প্রত্যক্ষ ওইনা দর্শন কংবা ঙম নত্তে। মহাক্না থৌজান্বিয়গে হায়না খন্বিরকপা অদুওম্বা মীশক্ মহুদা দর্শন পী। অদুগা ভগবান্দুগী কৃপাদগী দর্শন ফংজারিবনি ॥১৯॥

অহুগী ভুংদা— একত, দ্বিত, ত্রিতনা অদুগা— চিত্রশিখণ্ডী কৌবা থাবাশিং অদুনা অমুম্না হায়খি,— বৃহস্পতি। ঐখোয় অসি ব্রহ্মাজীগী মানসপুত্র (পুক্নীংদগী পোক্পা মচা) হায়জখিবনি। ঐখোয় লোয়না অমুক্কা মহুত (অয়ানবা) দী দমক্ অয়াংপাংনা চংবনি ॥২০ ২১॥

[illegible] চরিত্বা ক্ষণ [illegible]। একপাদা স্থিতাঃ সম্যক্ কাষ্ঠভূতাঃ সমাহিতাঃ ॥২২॥
মেরোরুদক্পার্শ্বে তু ক্ষীরোদস্যানুকূলতঃ। স দেশো যত্র নস্তপ্তং তপঃ পরমদারুণম্ ॥২৩॥
কথমপশ্যেম হি বয়ং দেবং নারায়ণাত্মকম্। বরেণ্যং বরদং তং বৈ দেবদেবং সনাতনম্ ॥২৪॥
কথং পশ্যেম হি বয়ং দেবং নারায়ণং ত্বিতি। অথ ব্রতস্যাবভৃথে বাগুবাচাশরীরিণী ॥২৫॥
স্নিগ্ধগম্ভীরয়া বাচা প্রহর্ষণকরী বিভো। সুতপ্তং বস্তপো বিপ্রাঃ প্রসন্নেনান্তরাত্মনা ॥২৬॥
যূয়ং জিজ্ঞাসবো ভক্তাঃ কথং দ্রক্ষ্যথ তং বিভুম্। ক্ষীরোদধেরুত্তরতঃ শ্বেতদ্বীপো মহাপ্রভঃ ॥২৭॥
তত্র নারায়ণপরা মানবাশ্চন্দ্রবর্চসঃ। একান্তভাবোপগতাস্তে ভক্তাঃ পুরুষোত্তমম্ ॥২৮॥
তে সহস্রার্চিষং দেবং প্রবিশন্তি জনার্দনম্। অনিন্দ্রিয়া নিরাহারা অনিষ্পন্দাঃ সুগন্ধিনঃ ॥২৯॥

মকম অদুদা মেরুগী অরাংদা, ক্ষীরসাগরগী মপান্দা লেপ্লবা মকম অমা লৈ। মকমদুদা ঐখোয়না চহী লিশিং অমা চুপ্পা পুক্নীং অনী লোওদনা উকক্কী মতৌগুম্না, খোঙ্ অমত্তদা লেপতুনা অকঙ্বা তপস্যা তৌবি। ঐখোয়না তৌশিবা তপস্যাগী মরমদি— করিগুম্বা পাম্বৈ অমনা, বর পীনবা সনাতন ওইবা, দেবাধিদেব ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী দর্শন ফংবা অসিনি ॥২২—২৪॥

ঐখোয়না য়াম্না আশা তৌনা হন্না হন্না খন্নুনা লৈবা হায়বদু করম তৌরে হায়রগা শ্রীভগবান্ নারায়ণগী দর্শন ফংগদগে ·· অসিতনি। অদুদগীদি ব্রত অদু লোইরবা তুংদা হন্নাউ হুংঙাইবা পোক্হনবা, কনানা লাউরক্ হায়রক্লিবনো হায়বা খঙদবা, মুংশিবিবগী খোঞ্জেল্লা থল্লবা অসিগুম্বা মা থরা— নোংমদোন্থক্কী ভাহন্থি ॥২৫॥

ব্রাহ্মণ পুম্নমক! নখোয়মা য়াম্না হন্নাও মুংঙাইনা ব্রত তপস্যা মপুংফানা তৌরে। নখোয় পুম্না— ভগবান্গী ভক্তান। ভগবান্ নারায়ণ মাগী দর্শনবু করম্না ফংগদগে হায়না নখোয়না খল্লি ॥২৬॥

মাদুগী উপায় তাকে ভাও। ক্ষীরসমুদ্রগী অরাংথংবা শরক্তা মায়ৈগে পুন্দা পুম্না লংনা লৈবা শ্বেতদ্বীপ হায়না দ্বীপ (ঈথং) অমা লৈবা উগনি। মকম অদুদা ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী ভজন সাধন তৌরা মীওয়াক্ লৈবনি মখোয় অমমম্না চন্দ্রমা অমংমগী মতৌগুম্না মশেক্ পুবনি ॥২৭॥

মখোয়দুগী মশা (হকচাং) অদু স্থূলশরীর ওইদবনি। হায়বদি— মপাম্মোংগী মীংনা উনরিবা শরীর-দুদনা শাবা অচৌবা হকচাং অসিগুম্বা নত্তবনি। মপাম্মোংদা ইন্দ্রিয়নি হায়না উনবিবা হায়নরিবা [illegible] অ'সদগী থিজ্জে রক্লিবা মীৎ নাকোং নাতোন অসিগুম্বা ইন্দ্রিয়শিং অদু মখোয়গীদি য়াওদবনি। খোঙ্ [illegible] চাইদোক্ চখোক্ননা (লেঙ্ ওংপা নাইদনা) লেঙদনা লৈশুন তৌবনি। মখোয়্ই খুদিংগী হকচাংদগী মুংশি-ন্নবা মনম হাইদোরক্পনি। মখোয় খুদিংমক ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী মহাভক্ত (মীংঙবা অখোইবা) মতনি। মখোয় মালেপ্লা অশেক্ মঙাল্ লিশিং পুরবা— সনাতন ভগবান্ পরম পুরুষোত্তমগী হক্চাংদা চেক্ চেক্ চংথিবনি ॥২৮—২৯॥

একান্তিনস্তে পুরুষাঃ শ্বেতদ্বীপনিবাসিনঃ। গচ্ছধ্বং তত্র মুনয়স্তত্রাত্মা মে প্রকাশিতঃ ॥৩০॥
অথ শ্রুত্বা বয়ং সর্ব্বে বাচং তামশরীরিণীম্। যথাখ্যাতেন মার্গেণ তং দেশং প্রতিপেদিরে ॥৩১॥
প্রাপ্য শ্বেতং মহাদ্বীপং তচ্চিত্তাস্তদ্দিদৃক্ষবঃ। ততোঽস্মদ্দৃষ্টিবিষয়স্তদা প্রতিহতোঽভবৎ ॥৩২॥
ন চ পশ্যাম পুরুষং তত্তেজোহৃতদর্শনাঃ। ততো নঃ প্রাদুরভবদ্ বিজ্ঞানং দেবযোগজম্ ॥৩৩॥
ন কিলাতপ্ততপসা শক্যতে দ্রষ্টুমঞ্জসা। ততঃ পুনর্ব্বর্ষশতং তপ্ত্বা তাৎকালিকং মহৎ ॥৩৪॥
ব্রতাবসানে চ শুভান্ নরান্ দদৃশিরে বয়ম্। শ্বেতাংশ্চন্দ্রপ্রতীকাশান্ সর্ব্বলক্ষণলক্ষিতান্ ॥৩৫॥
নিত্যাঞ্জলিকৃতান্ ব্রহ্ম জপতঃ প্রাগুদঙ্মুখান্। মানসো নাম স জপো জপ্যতে তৈর্মহাত্মভিঃ ॥৩৬॥
তেনৈকাগ্রমনস্ত্বেন প্রীতো ভবতি বৈ হরিঃ। যা ভবেন্মুনিশার্দূল ভাঃ সূর্য্যস্য যুগক্ষয়ে ॥৩৭॥

মুনি পুঙ্গমক্! মাফুদা লৈরিবশিং অদুগী অমমমত্ত ঐগী একান্তভক্ত ওাক্নি। নখোয় মফম অদু তাম্না চৎলো। মফম অদুদা ঐগী থাক্লেংশেংবা মূর্ত্তিগী দর্শন ফংগনি ॥৩০॥

আকাশগী অশিবু তাবদা ঐখোয় হায়রিবা মফম অমদি লম্বী অদুগী মতুংইন্না মফম অদু তাম্না চৎলি ॥৩১॥

শ্বেত কৌবা মহাদ্বীপ অদুদা থুংখিদুনা ঐখোয়গী থম্মোয় হকচাং পুম্ব শ্রীভগবান্ নারায়ণদা লুপখি। শ্রীভগবান্ নারায়ণগী দর্শনগীদমক ঐখোয় য়াম্না লাওতক্লনা কণা অদু ওাইদুনা লৈরম্মি। অদুবু মফমদুদা য়৹বদা ঐখোয়গী দৃষ্টিশক্তি (উবগী শক্তি) অসি কনাগুম্বা অমনা থিংখিবগুম্বা অমা তৌই ॥৩২॥

মফম অদদা লৈরম্বা মীশিং অদুগী মশা মশাদগী হাইদোরকপা তেজ (মশেক্ মঙাল্) অদুনা হাট্টজিল্ খুজিল্লকপদ ঐখোয় মীৎ মায় পাওনা য়াদে। অদুনা মফম অদুদা লৈরম্বশিং অদুবু উবা মীৎসি ঈৎকু থকৃখিদুনা করিগুম্বা অমতা তশেং তশেংনা উবা ফংখিদে। লাইগী নোংদমদগী ঐখোয়গী থম্মোয়দা 'জ্ঞান' অমা কাওখি, মাদুদি— অকন্বা তপস্যা নত্তনা ভগবান্ শ্রীনারায়নগী দর্শন ফংবা হায়বসি অরায়বা নত্রে, হায়বসি ঐখোয় পুম্মক্কী থম্মোয়দা চপ মান্না কাওখ্রে ॥৩৩॥

অদুদগীদি ঐখোয় মরাম অসি মফম অদুদা চহী অমা চুপ্পা অকন্বা তপস্যা তৌখি। তপস্যাগী মতম ওইরবা ব্রত অদুনা লোইরবদা ঐখোয়না মফম অদুদা ফেক্ লৈরিবা অধিবাসীশিং অদু উই। মখোয় খুদিংগী মশা অদু থাগী মচু অমদি তেজগী মতৌগুম ঈরং লংঙি। অমমমগী মশাদা ফজবা লক্ষণশাক্লনা তিল্লি ॥৩৪—৩৫॥

মখোয় অসি খুমিং খুদিংগী মমায় চাৎথে ওন্দুনা ব্রহ্মাগী মানস জপ উপাসনা তৌরম্মি ॥৩৬॥

মখোয়না তৌরিবা তপস্যা অদুদা ভগবান্ শ্রীহরিনা ওক্লোক্লনা পেনুবিরে। মুনি অখোইবা! প্রলয়গী মতমদা নুমিৎকী তেজগী মতৌগুম্না মশেক্ মঙাল্ পুবা মীশক্ ওাক্ক ওইনা ফৌই— মফম অদুগী অধিবাসী খুদিংমক্ ॥৩৭॥

একৈকস্ত প্রভা তাদৃক্ সাভবন্মানবস্ত হ। তেজোনিবাসঃ স দ্বীপ ইতি বৈ মেনিরে মহম্ ॥৩৮॥
ন তত্রাভ্যধিকঃ কশ্চিৎ সর্ব্বে তে সমতেজসঃ। অথ সূর্য্যসহস্রস্য প্রভাং যুগপদুত্থিতাম্ ॥৩৯॥
সহসা দৃষ্টবন্তঃ স্ম পুনরেব বৃহস্পতে। সহিতাশ্চাভ্যধাবন্ত ততস্তে মানবা দ্রুতম্ ॥৪০॥
কৃতাঞ্জলিপুটা হৃষ্টা নম ইত্যেব বাদিনঃ। ততো হি বদতাং তেষামশ্রৌষ্ম বিপুলং ধ্বনিম্ ॥৪১॥
বলিঃ কিলোপহ্রিয়তে তস্য দেবস্য তৈর্নরৈঃ। বয়ং তু তেজসা তস্য সহসা হৃতচেতসঃ ॥৪২॥
ন কিঞ্চিদপি পশ্যামো হতচক্ষুর্বলেন্দ্রিয়াঃ। একস্তু শব্দো বিততঃ শ্রুতোঽস্মাভিরুদীরিতঃ ॥৪৩॥
জিতং তে পুণ্ডরীকাক্ষ নমস্তে বিশ্বভাবন। নমস্তেঽস্তু হৃষীকেশ মহাপুরুষপূর্ব্বজ ॥৪৪॥
ইতি শব্দঃ শ্রুতোঽস্মাভিঃ শিক্ষাক্ষরসমন্বিতঃ। এতস্মিন্নন্তরে বায়ুঃ সর্ব্বগন্ধবহঃ শুচিঃ ॥৪৫॥
দিব্যান্যুবাহ পুষ্পানি কর্ম্মণ্যাশ্চৌষধীস্তথা। তৈরিষ্টঃ পঞ্চকালজ্ঞৈর্হরিরেকান্তিভির্নরৈঃ ॥৪৬॥

ঐখোয়না অচানবদা উবদা শ্বেতদ্বীপ হায়বা দ্বীপ অমা মশেক মঙালগী মপৈতনা শেম্ শাবোইরে হায়না খল্লম্মি। মখোয় খুদিংমক অমদগী অমনা মংেক্ মঙান্দা হেন্নবা লৈত্তে, মখোয় খুদিংমক চপমাল্লে ॥৩৮॥

অহুদগী বৃহস্পতি! ঐখোয়গী মাঙ মক্তদা মুমিৎ লিশিং অমগী তেজ মপৈগী মতৌগুম্বা প্রভা—মশেক্ মঙাল মপৈ অমা উখি। ঐখোইগী দৃষ্টি (মীৎকম) অসি মঙোন্তদা চিংশিনখিবগুম্ তৌই ॥৩৯॥

অহুদগী করি উবগে হায়রবু— ভসাইগী মঙাল অহুদা অহুক য়াম্বা অধিবাসীশিং অহু নমো নমঃ হায় হায়হুনা হেনশিল্লকখি ॥৪০॥

অহুদগী মখোয় ময়াম্না লংলবা তেজগী মপৈগী মশক্ ওইরবা মূর্ত্তি অহুগী স্তুত তৌবা হৌরকই। মখোয় ময়াম অহুগী স্তুতিগানগী খোল্লেল অহুনা নাকোংহুদা চঙশিনখি। মখোয়হুনা হেজপুঞ্জগী মশক্ ওইরবা ভগবানগী পূজা তৌই, অহুগা পূজাগী সামগ্রী পুম্নমক্ কংশিনখি ॥৪১॥

ভগবানগী হায়নীভায় লৈরবা তেজ অহুনা ঐখোয়গী থম্মোয়বুম্ব চিংশিনখিবগুম্ তৌই। অহুবু—ঐখোয়গী মীৎ পাঙল ইন্দ্রিয় পুম্নমক পুমথিংথিংখিবগুম তৌরে। ময়ম অহুনা মুর্ত্তি অহুবু ঐখোয়না মশেক্ শেংনা উবা ক্যখিদে ॥৪২॥

অহুমদি ওইরবদা হৌনা কন্না লাউরকপা শব্দ অমা মায়পৈ মরি শীনথুংনা শন্দোকখি। মী পুম্নমক চপথায়না অমুম্না হায়ম্মি,— "পুণ্ডরীকাক্ষ! নহাকী জয় ওইসনু। হে বিশ্বভাবন! হন্না হন্না খুরুমজরি, মহাপুরুষ থিবিকী পোকত্রিতৈদগী হায় পোকপ্রবা! হে হৃষীকেশ! হয় হয় খুরুমজরি ॥৪৩॥

মরেকী খে স্তোক চুম্না হায়দোরকপা স্তুতি অহুবু ঐখোয়না মরেকশেংনা তাখি। মতমহুমক্তদা শেংলবা মনম্ চুংশরবা চুংশিংনা লাইহৈরেবাকী লৈগী মপৈ, অহুগা মমল য়াম্নবা কায়রবা ঔষধি (উরী য়ারী) মথল মথল পুরকই। পুরক্লিবা সামগ্রী (মচাক) শিং অহুনা কাল পুংকম মঙাব্ মুয় খঙবা ভক্তশিং অহুনা—ভক্তি প্রভাগা লোয়ননা শ্রীহরি নারায়ণগী সেবা পূজা তৌখি ॥৪৪—৪৬॥

ভক্ত্যা পরময়া যুক্তৈর্মনোবাক্কর্মভিস্তদা। শুভং তদ্বাক্যতো দেবো যথা [illegible] ॥৪৭॥
বয়ং তেজং ন পশ্যামো মোহিতাস্তস্য মায়য়া। মাকতে সংনিযুক্তে চ বক্তা চ প্রতিপাদিত ॥৪৮॥
চিন্তাব্যাকুলিতাত্মানো জাতাঃ প্রাকৃতিরূপাং বয়। মানবনাং সহস্রেষু তেষু বৈ শুদ্ধযোনিষু ॥৪৯॥
অস্মাসু ন কশ্চিন্মনসা চক্ষুষা চাপ্যপূজয়ৎ। তেহপি স্বস্থা মুনিগণাঃ একভাবমনুব্রতাঃ ॥৫০॥
নাস্মাসু দধিরে ভাবং ব্রহ্মভাবমনুষ্ঠিতাঃ। ততোহস্মান্ সুপরিশ্রান্তাংস্তপসা চাতিকর্শিতান্ ॥৫১॥
উবাচ খস্থং কিমপি ভূতং তত্রাশরীরকম্।
দেব উবাচ।
দৃষ্টা বঃ পুরুষাঃ শ্বেতাঃ সর্বেন্দ্রিয়বিবর্জিতাঃ ॥৫২॥
দৃষ্টো ভবতি দেবেশ এভির্দৃষ্টৈর্দ্বিজোত্তমৈঃ। গচ্ছধ্বং মুনয়ঃ সর্বে যথাগতমিতোহচিরাৎ ॥৫৩॥
ন স শক্যস্ত্বভক্তেন দ্রষ্টুং দেবঃ কথং চ ন। কামং কালেন মহতা একান্তিত্বমুপাগতৈঃ ॥৫৪॥

মখোয়না ভাগুন শানরিবা য হৈ রাতাহ্ ভাবদা অহুগা সেবা পূজাদা মকম আসদা শোয়দনা শ্রীভগবান্ নারায়ণ লেওওকপা তারে হায়রুনা ঐখোয়না থাজবগা লোয়-না থনৃখি। মহ কী মায়ানা শুম্মংখিহুনা— ঐখোয়না ঈবুঙো মহাকপু উবা ফংখদে ॥৪৭॥

বৃহস্পতি। অহুগী তুংদা মুংশিং অহুনা শীংপ হুমহু লেপত্রে। ভগবান্গী পূজা বলিনচিংবহু কংপ লোইত্রে। অহুদগী ঐখোয় ভগবান্গী দর্শন ফংদবহুদা য়ায়া য়ানা লাওতকনা লৈরে ॥৪৮॥

মকম অহুদা অশেংবা জাত্তা পোক্লবা নিপা লিশিং লিশিং লৈরম্মি। মখোয়গী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তা ঐখোয়দা হুয়মকা য়েংবিরক্তে। অহুগা তম্বাম তম্বাম তৌবিরক্তে ॥৪৯॥

মকম অহুদা মশা-মউ কয়বা মুনি য়ায়া লৈরম্মি। মখোয়হু ভগবান্গী ভজন সাধনদা পুক্নীং চঙংবা লৈরম্মি। ব্রহ্মসাধনদা পুক্নীং লুপতুনা লৈবম্মিংহুনা ঐখোয়দা হুয়মক্ত য়েংবিখিদে ॥৫০॥

ঐখোয়হু মতম কুইনা তপস্তা তৌরকপহুনা য়ায়া চোকথরে, অহুগা য়ায়হু শোম্বরে। অহুদগী কনাম-দগীনো থঙদবা কনাগুম্বা হকচাং য়াওদবা (হকচাং পান্দবা) দেবতা অমনা ঐখোয়দা অহুয়া লাউরকই—হায়রকই ॥৫১॥

দুমি অখোইবশা। মখোয়না শ্বেতদ্বীপনিবাসী মশা মউ তৌয়োক তৌরিবা ইন্দ্রিয় পান্দবা পুরুষশিং অসিগী দর্শন ফংলে। মখোয় অসিগী দর্শন ফংলবদি দেবেশ্বর ভগবান্ নারায়ণগী স ক্ষাৎ দর্শন ফংনরিবনি ॥ ২॥

মুনিশিং। নখোয়না লাক থবা মথম অহুদ অমুক্ থুনা য়াওনা হন্ত্র। কেওত্রবা ঐন ভিকী ভক্তি নত্তনা ভগবান্ নারায়ণগী দর্শন ফংবা ভম্মোই ॥৫৩॥

অহুগা, মতম য়ায়া চওনা ভক্তিগা লোয়ননা তপস্যা তৌরগা অংগী তুংদা মপুংফানা জপং অমিং অহুগা মশাব অতোয়া অমা ওইনা তোঙায়া উনবুববা মতমদুদা, থভান্ ভাক [illegible]

শক্যো দ্রষ্টুং স ভগবান্ প্রসাদাত্তস্য ভূমিপাঃ। মহৎ কার্য্যঞ্চ কর্ত্তব্যং সুরাণাং দ্বিজসত্তমাঃ ॥৫৫॥
ইতঃ কৃতযুগেঽতীতে বিপর্য্যাসং গতেঽংশিঃ। বৈবস্বতেঽন্তরে বিপ্রাঃ প্রাপ্তে ত্রেতাযুগে পুনঃ ॥৫৬॥
সুরাণাং কার্য্যসিদ্ধ্যর্থং সহায়া বৈ ভবিষ্যথ। ততস্তদদ্ভুতং বাক্যং নিশম্যৈবাস্মতোপমম্ ॥৫৭॥
তস্য প্রসাদাৎ প্রাপ্তাঃ স্মো দেশমীপ্সিতমঞ্জসা। এবং সুতপসা চৈব হব্যকব্যৈ স্তথৈব চ ॥৫৮॥
দেবোঽস্মাভির্ন দৃষ্টঃ স কথং ত্বং দ্রষ্টুমর্হসি। নারায়ণো মহদ্ভূতং বিশ্বসৃগ্ হব্যকব্যভুক্ ॥৫৯॥
অনাদিনিধনোঽব্যক্তো দেবদানব পূজিতঃ। এবমেকতবাক্যেন দ্বিতত্রিত মতেন চ ॥৬০॥
অনুনীতঃ সদস্যৈশ্চ বৃহস্পতিরুদারধীঃ। সমাপয়ৎ ততো যজ্ঞং দৈবতং সমপূজয়ৎ ॥৬১॥
সমাপ্তযজ্ঞো রাজাপি প্রজাং পালিতবান্ বসুঃ। ব্রহ্মশাপাৎ দিবো ভ্রষ্টঃ প্রবিবেশ মহীং ততঃ ॥৬২॥
স রাজা রাজশার্দূল সত্যধর্ম্ম পরায়ণঃ। অন্তর্ভূমিগতশ্চৈব সততং ধর্ম্মবৎসলঃ ॥৬৩॥

ভগবান্ শ্রীনারায়ণ মহাক্কী দর্শন ফংবা ঙমদ্রৈ ॥৫৮॥ ব্রাহ্মণ অথোইবশা। ভগবান্‌গী দর্শন ফংগে হায়-রবদি অয়ান্‌বদা অকনবা থবক য়াম্না তৌখিবা তাদিবনি। সত্যযুগ অসিনা হৌপ্রবা তুংদা ধর্ম্মদা থজিক্তং ওয়বা মতং অমা লাকখিগনি বৈবস্বত মন্বন্তরগী ত্রেতাযুগ লাকপা হৌরকনি। মতম অদুদা নখোয়না নীংলিবসি খুনবগী থবক্তা দেবতাশিংনা নখোয়গী সহায় তৌগনি ॥৫৫–৫৬॥

এমৃতগা মন্নরবা অঙকপা য়াহৈশিং অসি তাবরবা তুংদা ভগবান্‌গী কৃপাদগী ঐখোয় হায়গী মকমসিদা অমুক থুংলরবসনি ॥৫৭॥

বৃহস্পতি। ঐখোয়সে য়াম্না য়ানা তপস্যা তৌরকবনি। হোম জপ তৌদুনা ঈবুঙো মঙোন্দা কংফম থোক্পা কয়া কয়া কংলুরবনি। অদুবু ভগবান্ নারায়ণ মহাক্কী দর্শন ফংবা ঙম্মক্তে। অদুনদি নহাক্না করম হায়না নারায়ণগী দর্শন ফংগদৌরিবনো? ॥৫৯॥

ভগবান্ নারায়ণদি দেবতা পুম্নমক্কী খ্বাইদগী অথোইবনি, সংসার পুম্নমক্কী সৃষ্টিকর্ত্তানি। হোম জপকী ফংলকপা শরুক অদুভ হাদুনা লৈরিবনি। মহাক্কী আদি অন্ত লৈতে। অতৈ দেবতাশিং অমদি দানবশিংনা মাগী পূজা তৌনরিবনি ॥৫৯॥

অস্রম হায়না একত মা হায়রবদা দ্বিত অদুগা ত্রিতগী হায়থং লৌদুনা অতৈ অতোপ্পা সদস্যশিং অদুনা হায়রবদগী পুকচেল চাউরবা বৃহস্পতিনা যজ্ঞ অদুবু লোইশিন্দুনা ভগবান্‌গী পূজা তৌখি ॥৬০—৬১॥

রাজা উপরিচর বসুনা যজ্ঞ অদু লোইরবা তুংদ প্রজাবু নীংথিনা পালন তৌবা হৌখি। নোংমা— ব্রাহ্মণশাপ ফংবদগী স্বর্গদগী লৈখা তাখি। মতম অদুদা মহাক পৃথিবী অসিদগী আ— মথাদা রসাতলদা চংখি ॥৬২॥

জিনথো অথোইবা। মতম পুম্বদা ধর্ম্মদা পুক্নীং চংবা, সত্যধর্ম্মদা পরায়ণ ওইবা, নিংথো উপরিচর হায়রবসি লৈথাদা— পৃথিবীদগী মখাদা চংখিদুনা নারায়ণগী মন্ত্র জপ তৌদুনা মহাক্কী আরাধনাদা পুক্নীং

নারায়ণপরো ভূত্বা নারায়ণজপং জপন্। তস্যৈব প্রসাদেন পুনরেবোত্থিতস্তু সঃ ॥৬৪॥
মহীতলাৎ গতঃ স্থানং ব্রহ্মণঃ সমনন্তরম্। পরাং গতিমনুপ্রাপ্ত ইতি নৈষ্ঠিকমঞ্জসা ॥৬৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
উপরিচরবস্তুবর্ণনে একত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩৩১॥

———:(*):———

চত্থুনা লৈথি। অহুদগী ভুংদা তপস্যাগী শক্তিদগী অহুগা শ্রীভগবান্ নারায়ণগী কৃপ দগী আ—লৈথাহুদগী অমুক্ কাওগংলকুনা ব্রহ্মলোক তৌথিহনা অথোইবা থানবু ফংখি। মহাক্ না মতৌ অসুম্না তপস্যানা থুনা য়াওনা ভক্তিদা নিংথা লৈবশিং অহুনা ফংগদবা পদবী (থাম) অহুবু মহাক্না ফংবা ঙম্খি ॥৬৪—৬৫॥

সকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মদা উপরিচরগীবস্তুবর্ণনদা চহুমগা হুরামাথোইকুভবা অধ্যায় লোইরে ॥৩৩১॥

———:(*):———

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নিংথৌ উপরিচর বসুনা লৈথাতারকপা)

চহুমগা কুহুরানিথোইশুবা অধ্যায়

———:(*).———

যুধিষ্ঠির উবাচ।

যদা ভাগবতোঽত্যর্থমাসীৎ রাজা মহাবসুঃ। কিমর্থং স পরিভ্রষ্টো বিবেশ বিবরং ভুবঃ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। ঋষীনাঞ্চৈব সংবাদং ত্রিদশানাং চ ভারত ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুঙো! নিংথৌ উপরিচর বসু হায়রবসি ভগবান্‌গী অথোইবা ভক্ত অহুগা মহাপুরুষ অমনি হায়রি। অদুগা করিগীনো মহাক্ স্বর্গদগী নাহুরকপা রসাতল— পাতালদা চঙখিবা? ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— ভরতশাগেগী হুংগাইনবগী মশক্ ওইরবা। বিষয় অসিদা ঋষিশিংগা দেবতাশিংগা য়াওনখিবা ফুইরবা ইতিহাসগী মতাং অহু হেক্ হেক্ লীনৈ ॥২॥

অজেন যষ্টব্যমিতি প্রাহুর্দেবাঃ দ্বিজোত্তমান্। স চ ছাগোঽপ্যজো জ্ঞেয়ো নান্যঃ পশুরিতি স্থিতিঃ ॥৩॥

ঋষয় ঊচুঃ।

বীজৈর্যজ্ঞেষু যষ্টব্যমিতি বৈ বৈদিকী শ্রুতিঃ। অজ সংজ্ঞানি বীজানি ছাগং নোহন্তুমর্হথ ॥৪॥

নৈষ ধর্ম্মঃ সতাং দেবা যত্র বধ্যেত বৈ পশুঃ। ইদং কৃতযুগং শ্রেষ্ঠং কথং বধ্যেত বৈ পশুঃ ॥৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

তেষাং সম্বদতামেবমৃষীণাং বিবুধৈঃ সহ। মার্গাগতো নৃপশ্রেষ্ঠস্তং দেশং প্রাপ্তবান্ বসুঃ ॥৬॥

অন্তরিক্ষচরঃ শ্রীমান্ সমগ্রবলবাহনঃ। তং দৃষ্ট্বা সহসায়ান্তং বসুং তে ত্বন্তরিক্ষগম্ ॥৭॥

ঊচু র্দ্বিজাতয়ো দেবানেষচ্ছেৎস্যতি সংশয়ম্। যজ্বা দানপতিঃ শ্রেষ্ঠঃ সর্ব্বভূতহিতপ্রিয়ঃ ॥৮॥

কথংস্বিদন্যথা ব্রূয়াদেষ বাক্যং মহান্ বসুঃ। এবং তে সম্বিদং কৃত্বা বিবুধা ঋষয়স্তথা ॥৯॥

দেবতাশিংনা হায়রি,— "অজ (হামেং) না অজামেধ তৌগদবনি" হায়রিবা যজ্ঞবিধান অসিদা অজ হায়বা শব্দ অসিনা পুরিবা অর্থসি অজ (হামেং) কৌবা পশু অহূবু-ত খঙনগনি। অতৈ শা অমতনা যজ্ঞ তৌরোইদৌবনি, অদুম্না দেবতাশিংনা য়েংখি ॥৩॥

মাগী তারবদা ঋষিশিংনা হায়রি,— দেবতা পূয় ক। যজ্ঞ পুয়মক্তা উহৈ বাহৈ, মন্ত্র-মন্ত্রাতনা হোম তৌগদবনি। মাসে বেদগী শ্রুতি প্রমাণনি। অজ হায়বদু হায়রিবা বীজশিং অসিতনি। বীজশিং অসিগী মমিংবু অজ কৌই (শা— হামেং হায়বা নত্তে)। মরম অদনা হামেংনা যজ্ঞ তৌগদবা— হোম তৌগদবা নত্তে।॥৪॥ দেবতা পূয়মক। যজ্ঞদা শা পশু না হাম তৌগদবা নত্তে মাতুদি সৎপুরুষগী ধর্ম্ম নত্তে। হৌ জক হৌজিক চংলিবা যুগ অসে সত্যযুগনি অসিগুম্ব যুগ অসিদা করম হায়না পশুযাগ তৌগদৌরিবনো ? ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ। দেবতাশিংগা ঋষিশিংগা য়েংনদিত্তে মতমসিদা নিংথৌ উপরিচর অসি— অদোমদা হেক্ লাকই, য়েংনরিবা মকম মতমতুমক্তদা হেক্ থু তৈ ॥৬॥

শ্রীমান্ নিংথৌ উপরিচর বসু হায়বসি নোংমাদ থক্তা বিমান মথক্তা লাকৃথিবনি। নোংমাদানথক্তা উপরিচর বসুনা লাকপতু উবদা ব্রহ্মর্ষিশিংনা দেবতাশিংদা অদুম্না হায়খি,— য়েংউ, নিংথৌ অসিনা মধ্যস্থ ওইদুনা ঐখোয়না য়েংনরিবসে কোক্হনদুমা বারেপ অমা তাহল্লমগনি। মরমদি উপরিচর হায়বা নিংথৌ অসে যজ্ঞ য়াম্না তৌগ্রবা, দান য়াম্না তৌগ্রবা অবপান্ব পুয়মক্তী কনবগী দমক মজ্জন ওইনব তু থনবা মীশক্ অমনি। পূকংজেল চাউরবা নিংথৌসনা শাস্ত্রগী ওয়তৈনবা থক্ ভওবা হায়রবা হৌনদে। এহাক অসে পুয়মক্তী কনবা থনবিবা মীশক অমনি ॥৭—৮॥

মহাত্মা ওইরবা বসু অসিনা শাস্ত্রগী ওয়-তৈনবা য়া থক্ হায়রবা হৌনদে, অদুম হায়না দেবতাশিং অমসুং মহর্ষিশিংগা লেপমিনা নিংথৌ উপরিচরগী মনাক্তা চত্তশিন্নদুনা অহল্লা হংখি— ॥৯॥

অনুমহন্ পাহিজাজ্যোত্য মহৎ প্রাজানমজিকাৎ। তো রাজন্ কেন [illegible] ॥১০॥
এতন্নঃ সংশয়ং ছিন্ধি প্রমাণং নো ভবান্ মতঃ। স তান্ কৃতাঞ্জলির্ভূত্বা পরিপ্রপচ্ছ বৈ বসুঃ ॥১১॥
কস্ত বৈ কো মতঃ কামো ব্রূত সত্যং দ্বিজোত্তমাঃ।
ঋষয় ঊচুঃ।
ধান্যৈর্যষ্টব্যমিত্যেব পক্ষোঽস্মাকং নরাধিপ ॥১২॥

নিংখোঁ। করি মচাক্ (উপকরণ) না হোম তৌগদগে? অজ (হামোং) না তৌগদ্রা? নত্রগা— মহৈ-মরোয় অন্ন-না তৌগত্র? ঐখোয়গী চিংনরিবসে নিংখোঁ নহাক্না অমুক্তা কোক্বন্নু। ঐখোয়গী পুন্নমক্কী মত-তা নহাকপু য়ারয়বুনা ঐখোয়গী বিচারপতি ওইহনবা হায়না লেপ্রম্নুনা হায়জরিবনি ॥১০॥ *

মাহু তাবদা য়াজা উ-রিচয় বসুনা ঋষিশিং অহুনা খুংলোয়না নোমুক্না হায়রকই,— ব্রাহ্মণ অখোইবগা। ব্রাহ্মণ নখোয়দি করম্বা পক্কদা লৈবিরি? অজ হায়বা শব্দসিগী অর্থ করম্বা পক্কনা হামোংনি হায়বগে? অহুগা করম্বা পক্কনা অন্ন (চেঙ-চাক্ মনা মশিং) নি হায়বগে? ॥১১॥

ব্রাহ্মণ ঋষিশিং অহুনা হায়রকই,— ব্রাহ্মণ ঐখোয়গী পক্কনা হায়রিবদি— "অজ" হায়বা শব্দসিগী

---

* সত্যযুগতা নিংথৌগী মথোদ— য়াজনীতিতগী মরুম খোক্পা লৈপাক শাসন তৌবা, অরান্-অচুইগী বিচার তৌবা, দণ্ড পীব অসিত নত্তে। ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংগী ধর্মশাস্ত্রগা মরী লৈননা তর্ক বিতর্ক তৌনবা মতমদস্ নিংথৌনা মধ্যস্থ (মপ্পায় লেপ্প) ওইহনা ব'রেপ অহু তারম্মি। ব্রাহ্মণ ক্ষাত্রয়শিংগী মথৌনা— তোঙাল্ তোঙান্না খায়দোক্ত্রিবৈন্দা শাস্ত্রজ্ঞান লৈবা জ্ঞানী পণ্ডিত ওইবা নিংথৌ অমতনা চৌরম পুন্নমক্তা বিচার তৌহুন ব'রেপ তাবা ওম্মম্মি। অহুগুম্বা ধর্মনীতি য়াজনীতি অনীমক্তা জ্ঞানী ওইবা নিংথৌমশিং অমুমমুম্ য়াথংকংগা লোয়নননা লৈপাক প্রজাশিংগী শান্তিসু নোংম নোংমগী, যুগ যুগকী অমুম্ অমুম্— য়াথরকই। সত্যযুগত অচুম্বা (সত্য) অংওবনি পায়রম্বসি। চুম্বু চুম্নবদি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শুদ্র, হায়বা লৈত্তে। জ্ঞানী শূদ্র অমনা ব্রাহ্মণ অমদা জ্ঞান তাকপীবা তম্বিবা য়াই। মরুম অমুমক্তমসু লৌয়া- মুগ কৌবনি। জ্ঞানী পণ্ডিত ঋষি মুনিশিংনা লেপ্পবা ওমত্রবা য়াফমসু নিংথৌ অমনা ব্যবস্থাকারী ওইনা ব্যবস্থা পীবসু ওম্মম্মি। বিষ্ণুনা চৌরম পুম্ব তাক্পেনবা অহুগুম্বা বিষ্ণুগী শক্তি পুম্বক পুবা প্রভু নি খৌনা লৈপাক্তা ব্যবস্থা পীরম্মি? 'ব্যবসায়ঃ ব্যবস্থানঃ অবস্থানঃ স্থানদো ধ্রুবঃ।" হায়রিবা বিষ্ণুগী মিং মক্তানি। বিষ্ণুসহস্রনামদা মথং মথং য়াওরবা মিংনি। মাসি ওম্মক্তবদগী থবক থম য়াক্তসনবা হোংবনবা মরুম মতম দনবা হায়রুনা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রগী বর্ণ ধর্ম তাওনে তোঙাম্না খায়দোকখিবনি। 'ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র হায়বসি বিষ্ণু ভগবান্গী হকচাং কায়াৎ মক্তনি। ব্রাহ্মণনা বিষ্ণু ভগবান্গী চীনি, পাম্বোম্না ক্ষত্রিয়না ওই, কৈপনগী বৈশ্য পীকখি, শূদ্রনা বিষ্ণুগী চরণনি। ব্রাহ্মণনা শ্রীবিষ্ণুগী চরণদা হুজরনা লেপ্পুরা জ্ঞানী পণ্ডিত ব্রাহ্মণ অমনসু শূদ্রগী অমদ ওইবা অমগী শ্রীচরণদা চতবনা পাইবাদ্ তৌই। ([illegible])

দেবানাং তু পক্ষঃ পক্ষ্যো মধ্যো রাজন্ বদস্ব নঃ।

ভীষ্ম উবাচ।

দেবানাং তু মতং জ্ঞাত্বা বসুনা পক্ষসংশ্রয়াৎ ॥১৩॥

ছাগেনাজেন যষ্টব্যমেবমুক্তং বচস্তদা। কুপিতাস্তে ততঃ সর্ব্বে মুনয়ঃ সূর্য্যবর্চসঃ ॥১৪॥

ঊচুর্ব্বসুং বিমানস্থং দেবপক্ষার্থবাদিনম্। সুরপক্ষো গৃহীতস্তে যস্মাৎ তস্মাৎ দিবঃ পত ॥১৫॥

অদ্য প্রভৃতি তে রাজন্নাকাশে বিহতা গতিঃ। অস্মচ্ছাপাভিঘাতেন মহীং ভিত্ত্বা প্রবেক্ষ্যসি ॥১৬॥

বিরুদ্ধং বেদসূত্রাণামুক্তং যদি ভবেন্নৃপ। বয়ং বিরুদ্ধবচসা যদি তত্র পতামহে ॥১৭॥

ততস্তস্মিন্ মুহূর্ত্তেঽথ রাজোপরিচরস্তদা। অধো বৈ সম্বভূবাশু ভূমের্ব্বিবরগো নৃপ ॥১৮॥

স্মৃতিস্ত্বেনং ন হি জহৌ তদা নারায়ণাজ্ঞয়া। দেবাস্তু সহিতাঃ সর্ব্বে বসোঃশাপবিমোক্ষণম্ ॥১৯॥

অর্থদি অন্ন হায়বনি। অহুনা ঐখোয়গী মতত্তদি অয়ক্তনা— মহৈ মরোংতনা যজ্ঞ তৌগদবনি। অহুগা— দেবতাশিং অসিনা হায়রিবনা "অজ" গী অর্থদি হামেং হায়বনি, অসিনি। অহুনা মখোয়না হায়রিবনা হামেংনা বদি ওইনা হোম তৌগদবনি, অসিনি। থৎনরিবা পক্ষ অনীদিগী মহুৎদা করম্না পক্ষনা চুহৗগে হায়বদো নিংথৌ নহাক্কা লেপ্লিয়ম্মু ॥১২॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ। যুধিষ্ঠির। ব্রাহ্মণশিংগী বা অসি তাবদা নিংথৌ উপরিচরনা দেবতাশিংগী মত খঙলহুনা দেবতাশিংগী মীচঙদা দেবতাশিংগী পক্ষদা তোংলুনা "অজ" গী অর্থ হামেং হায়বনি, অহুনা— হামেংনা হোম তৌগদবনি, হায়দোকপ্রে ॥ ৩॥ মাহু তাবদা সূর্য্যদেবগী মতৌগুম্না তেজ লৈরবা ব্রাহ্মণ ঋষিশিং অহু ওম্বোক্লা শাউপ্রে। বিমান মথক্তা তোংলিবা উপরিচর বসুদা অহুম্না হায়রকই ॥১৪॥

নিংথৌ। অজ শব্দগী অর্থদি অন্ন চায়বমি হায়বা নপানা খঙন খঙনা দেবতাশিংগী মীচঙ চঙহুনা— অয়াম্বা অর্থবু নহাক্না লৌয়ে। অহুনা, অজগী অর্থনা অন্ন হায়বসিদা অচুম্বমক ওইরবদি নহাক হৌজিক্তু লৈখাতাবা ওইয়ু। অতনা স্বর্গদগী লৈথা তারক্নুনা পাতালদা চঙপ্রসনু। ঐখোয়গী শাপ অসিনা লৈথা তারক্নুনা পৃথিবী অসি থিনগাইহুনা মখুদ্ অহোবদা চঙপ্রকনু ॥১৫—১৬॥

নিংথৌ। নহাক্না হায়রিবা অর্থ অসিনা বেদগী অহুগা শাস্ত্রগী মক্লুংইদ্না অচুম্বমক ওইরবা, অহুগা ঐখোয়না হায়রিবা অর্থ অসিনা কোবিরুদ্ধ ওইরম্বদি— ঐখোয়সু নংগী নক্তা লৈথা তাবা— পাতালদা লৈকা ওইপ্রসনু। নিংথৌ। যুধিষ্ঠির। ঋষিশিংনা অহুম্না শাপ হেক্ তৌরক্পহুদা উপরিচর বসু অদি মীহুৎ অমগী মহুৎ বিমানদগী লৈথা তারক্নুনা খুদকা চেক্খায়রকপা পৃথিবীগী মখুদ অহোবদা চঙশিনখি ॥১৭॥

ভগবান্ নারায়ণগী য়াথং অমসি কৃপাদগী মহাকী নীংশিংবগী পাক্তাক অহুম্ ঊকায় কায়রমা লৈ- নীংশিংবগী থক্তিদা য়াবু থাজোকপা ওমখিয়ে। অদোম্বদা, দেবতাশিংনা পুক্নপতিরহুনা নিংথৌ উপরিচরনা ব্রাহ্মণশিংগী কোক্তনবা-উপায় অমি কয় থিবা হৌরকই। [illegible] মায়া [illegible] অমগমগা অহুম্না

চিত্ররাস্থয়বাগ্রাঃ সুকৃতং হি নৃপস্য বৎ। অনেনাস্মৎকৃতে রাজা শাপঃ প্রাপ্তো মহাত্মনা ॥২০॥
উচুঃ সংহৃষ্টমনসো রাজোপরিচরং তদা। ব্রহ্মণ্যদেবভক্তস্ত্বং সুরাসুরগুরুর্হরিঃ ॥২১॥
কামং স তব তুষ্টাত্মা কুর্য্যাচ্ছাপবিমোক্ষণম্। মাননা তু দ্বিজাতীনাং কর্ত্তব্যা বৈ মহাত্মনাম্ ॥২২॥
অবশ্যং তপসা তেষাং ফলিতব্যং নৃপোত্তম। যাবত্ত্বং শাপদোষেণ কালমাসিষ্যসেঽনঘ ॥২৪॥
ভূমের্বিবরগোপ্তা ত্বং তাবত্ত্বং কালমাপ্স্যসি। যজ্ঞেষু সুহুতাং বিপ্রৈর্বসোর্ধারাং সমাহিতৈঃ ॥২৫॥
প্রাপ্স্যসেঽস্মদনুধ্যানাত্মা চ ত্বাং গ্লানিরস্পৃশৎ। ন ক্ষুৎপিপাসে রাজেন্দ্র ভূমেশ্ছিদ্রে ভবিষ্যতঃ ॥২৬॥
বসোর্ধারাভিপীতত্বাৎ তেজসাপ্যায়িতেন চ। স দেবোঽস্মদ্বরাৎ প্রীতো ব্রহ্মলোকং হি নেষ্যতে ॥২৭॥
এবং দত্ত্বা বরং রাজ্ঞে সর্ব্বে তে চ দিবৌকসঃ। গতা স্বভবনং দেবা ঋষয়শ্চ তপোধনাঃ ॥২৮॥
চক্রে বসুস্ততঃ পূজাং বিষ্বক্সেনায় ভারত। জপ্যং জগৌ হ সততং নারায়ণমুখোদগতম্ ॥২৯॥

ভাওনথি,— নিংথৌ উপরিচর বসু হায়বসিদি য়াম্না পুণ্যচেন্নবা মীশক অমনি। মহাক্না ঐখোয়গী দমকৃতা, ঐখোয়গী হাক্তকগী ব্রহ্মশাপসি কংগ্রবনি ॥১৮—১৯॥ অহুনা লাইয়ামশা। ঐখোয় পূম্নমক্না ভমথৈ— নিংথৌ অসিগী কগদবা মঙ্গল ওইগদবা লম্বীদো য়েংকম থোকই। অসুম্না দেবতাশিংনা মুন্না চনীংতানা থম্নগা নিংথৌ উপরিচরগী নাক্ত লাকুনা মাংখোং মকা য়াম্না অসুম্না হায়রকই,— ॥২০॥

নিংথৌ! নহাক অসে ভগবান্ ব্রহ্মণ্যদেব শ্রীবিষ্ণুগী অখোইবা ভক্তনি। শ্রীহরি মহাক্তি অসুর দেবতা (লাই হিংচাবা) পুম্নমক্কী অমতা ওইরবা গুরুনি। নহাক্না তৌরিবা থবক্তা হরি মহাক্না ঊপেন্-ভ পেন্দ্রি। অহুনা নহাক্না নীংজবা মতুংইন্না ঊবুত্তো মহাক্না নহাকপু শাপতগী মরাইনা কোক্হনবিগনি ॥২ ॥

নহাক্না মহাক্কী ওইরবা ব্রাহ্মণশিংহুবু ঊকায় খুম্নগদবনি। মথোয়দা থক্ শাউরন্সু, নিন্দা তৌরন্সু। আকাশদা উপরিচর ওইহুনা চংলম্বা পায়রম্ব নহাক্না পাতালদা চঙথ্রিবা তাহনবা ভম্বা শাপকী শক্তিসিমক্ মথোয়গী তপস্যাগী শক্তিননি ॥১২—২৩॥ পাপ য়াওদ্রবা! নিংথৌ পুম্নমক্কী কোক্থক্কী মণি! ঐখোয় নিংথৌ নগাকীদমক্তা চান্ ববা-স্নংশিবগী-পোচ্ছক্ অমা ওইনা পীরমগে। নিংথৌ! নহাক্না লৈপুং অসিদা হেক্ লৈরিবাহুপকীমথৈ ইন্দ্রিয় থুক্তমচন্নবা ব্রাহ্মণশিংনা যজ্ঞ তৌবদা বসুধারাগীদমক্ত পীরকপা আহুতিমথৈ নহাক্না কংব ওইয় ॥১৪—২৫॥ নহাক্না দেবতা ঐখোয়বু হেক নীংশিংতকপদা বসুধারাদো নত্তোন্দ পোয়-দনা লাকনি। পাতালসিদা নগাক্না লৈরিবা অহুপকী মথৈ অয়াবা চোক্থবা, অরাম্ থৌরাংবা · অমত্তা নত্তোন্দা লাক্পা ওন্দোই। ময়মদি— বসুধারাবু পান তৌরবদি মহাক্কী আয়ু, তেজ, বুদ্ধি ·· লোইনা মনম্ মনম্ লাকনি। নশাগী তেজ নোংম নোংমগী হেনগৎলকনি। ঐখোয়না নিংথৌ নত্তোন্দা পীরিবা বর অসিগী পাম্বৈনা ভগবান্ শ্রীহরিনা নিংথৌ নহাকপু পাতালসিদগী ব্রহ্মলোকতা য়োংহল্লবিগনি ॥২৬ - ২৭॥

অসুমনা দেবতাশিং অহুনা নিংথৌ উপরিচরদা বরদান তৌরম্নগা মাগী মাগী মফমদ্ চংলরি, মীকুপ অমদা মশক্ ঊখিদ্রে ॥২৮॥ ভরতবংশদা পোক্পা নিংথৌ যুধিষ্ঠির। অদুগী তুংদা নিংথৌ উপরিচর বসুনা

ত্বয়াপি পঞ্চভির্মন্ত্রৈঃ পঞ্চকালানরিন্দম । অযজদ্ধরিং সুরপতিং ভূমের্বিবরগোঽপি সন্ ॥৩০॥
ততোঽস্য তুষ্টো ভগবান্ ভক্ত্যা নারায়ণো হরিঃ । অনন্যভক্তস্য সতস্তৎপরস্য জিতাত্মনঃ ॥৩১॥
বরদো ভগবান্ বিষ্ণুঃ সমীপস্থং দ্বিজোত্তমম্ । গরুত্মন্তং মহাবেগমাবভাষে স্মিতং তদা ॥৩২॥
দ্বিজোত্তম মহাভাগ পশ্যতাং বচনান্মম । সম্রাট্ রাজা বসুর্নাম ধর্ম্মাত্মা সংশিতব্রতঃ ॥৩৩॥
ব্রাহ্মণানাং প্রকোপেন প্রবিষ্টো বসুধাতলম্ । মানিতাস্তে তু বিপ্রেন্দ্রাস্তং তু গচ্ছ দ্বিজোত্তম ॥৩৪॥
ভূমের্বিবরসংগুপ্তং গরুড়েহ মমাজ্ঞয়া । অধশ্চরং নৃপশ্রেষ্ঠং খেচরং কুরু মা চিরম্ ॥৩৫॥
গরুত্মানথ বিক্ষিপ্য পক্ষৌ মারুতবেগবান্ । বিবেশ বিবরং ভূমের্যত্রাস্তে পার্থিবো বসুঃ ॥৩৬॥
তত এনং সমুৎক্ষিপ্য সহসা বিনতাসুতঃ । উৎপপাত নভস্তূর্ণং তত্র চৈনমমুঞ্চত ॥৩৭॥
অস্মিন্ মুহূর্ত্তে সংজজ্ঞে রাজোপরিচরঃ পুনঃ । সশরীরো গতশ্চৈব ব্রহ্মলোকং নৃপোত্তম ॥৩৮॥

ভগবান্ শ্রীহরি বিষ্ণুগী পূজা তৌবা হৌথি। ভগবান্ নারায়ণমকী চীন্দগী থোকথিবা হায়দোক্‌থিবা— "ওঁ নমো নারায়ণায়" হায়বা মন্ত্র অসিবু ভক্তনা শোন্দুনা লৈথি ॥২৯॥

য়েক্লবা ভয়, যুধিষ্ঠির! নিংথৌ উপরিচর বসুনা আ-পাতালদা লৈরকাওবদা মতম মতাংদা যজ্ঞ মখল মঙ মা পঞ্চমহাযজ্ঞ তৌদুনা) ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী পেন্নবা হোৎনখি ॥৩০॥

মহাত্মা পুরীংবু লাক্‌শিন্দুনা থম্মি। শ্রীভগবান্‌গী ভজনদা পুরীং লুপ্তুনা লৈখি। অতোপ্পা বিবর অমদা পুরীং চঙগনা শ্রীনারায়ণগী ধ্যানদা লুপ্তুনা লৈবা অমসু উবদা শ্রীভগবান নারায়ণনা ওৎথোক্ল পেনখ্রে। শ্রীবিষ্ণু নারায়ণনা শাফু কল্লবা য়াওলবা পক্ষিরাজ গরুড়বু নাক্তা কোশিন্নগা অসুম্না হায়রকই ॥৩১—৩২॥

লাইবক ফরবা! পুক্‌চেল চাউরবা গরুড়! কম তপস্যা তৌদুনা লৈরিবা, রাশক চেৎলবা, ব্রত কল্লবা, সম্রাট্ বসু আসে, অসিগী নাক্ত চৎলগা মহাক্কী তপস্যা অসে মুয় য়েংলু ॥৩৩॥

পক্ষিরাজ! ব্রাহ্মণশিংনা শাউথিবদগী, ব্রাহ্মণশিংগী শাপতগী নিংথৌ আসে— আ-পাতালদা চঙখিদুনা লৈখ্রে। অদুবু মহাক্না ব্রাহ্মণশিংগী সম্মান ব্যবহারদি কারদনা অদুম মচৎলি। চৎলু নহাক হৌজিক মাগী মনাক্তা ॥৩৪॥

ঐগী য়াথংগী মতু'ইন্না পাতালদা চঙদুনা পাতালচারী ওইদুনা লৈরবা নিংথৌ অসিবু নহাক্না আকাশ-চারী ওইহনু ॥৩৫॥

শ্রীবিষ্ণুগী য়াথং মতুংইন্না নুংশিংকী মতৌগুম্না য়াওলবা গরুড় অসি, পাক্‌-চাউরবা মশা অনী অমসু অন্দোক্লুনা নিংথৌ বসুনা ধ্যান তৌদুনা লৈরিবা মফম অমসু তায় পাইথখি ॥৩৬॥

বিনতাগী মচা গরুড়না মফম অদুদা লাক্লুনা থুনা য়াওনা নিংথৌ অদুবু পুদুনা মথক্তা পাইথৎখি। অদুগী মতুং নিংথৌ অসি অমুক্‌হন্না উপরিচর ওইখি। গরুড়না নিংথৌ উপরিচর বসুবু আকাশতা থাদোক্লখি ॥৩৭॥ পাতালচারী ওইরবা নিংথৌ অসে অমুক্‌হন্না উপরিচর ওইখি। অদুগী তুংদা মীংকুপ

এবং তেনাপি কৌন্তেয় খাণ্ডোবাহ দৈবতাজ্ঞয়া। প্রাপ্তা গতিরুপেতাং তু [illegible] ॥৩৯॥
কেবলং পুরুষত্বেন সেবিতো হরিরীশ্বরঃ। ততঃ [illegible] ॥৪০॥

ভীষ্ম উবাচ।

এতত্তে সর্ব্বমাখ্যাতং সম্ভূতা মানবা যথা। নারদোঽপি যথা শ্বেতদ্বীপং ভগবান্ হরিঃ॥

অমগী মগুংদা ব্রহ্মলোক য়োথি ॥৩৮॥ * কুন্তীনন্দন! যুধিষ্ঠির! মতৌ অহুমনা মহাজ্ঞানী ওইরবা, নিংথৌ উপরিচর বসু হায়রবসু দেবতাশিংনা মসুংদা হায়জবদগী, দেবতাশিংগী মীচঙ চঙদুনা বাক্য অপরাধ তৌরবদগী ব্রাহ্মণশিংগী শাপতগী পাতালচরী ওইখি ॥৩৯॥

অদুদগী অমুক্ ভগবান্ শ্রীহরিগী সেবা পূজাগী পাইনা অমুক্হন্না উপরিচর ও ওইবা মতমদা ব্রহ্ম-লোক য়োথ, বৈকুণ্ঠচরী ওইখিদো ॥৪০॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! শ্বেতদ্বীপতা নৈবাশিংগী অবস্থা অসি অতোপ্পা শীরখাদি। অদুগা মতৌ

---

* নহাল্মুকী মপোক্তগী তৌরকপা কর্ম্মদুগী মতুংইন্না থোন্বা মিং অমা, হন্দকী মপোক্তা তৌরিবা কর্ম্ম অদুগী মতুংইন্না থোন্বা মিং অমা— মিংথোল্ অনীনি। বর্ম্মদি ঈতৌ তৌদনা, মমা-মপানা মুংশিজবদগী থোন্বা মিং অদুনা লৌকিকনাম হায়বদুনি। কৌব-থোংপদা মুংঙাইনবা থবক্তা শীজিন্নবা য়াননবা ব্যবহার নাম হায়বদুনি। নহাল্মুকী পোক্‌খিবা মপোক্তা তৌখিবা কর্ম কর্মদুগী নতুংইন্না জীব অসিনা পোকদবগী লগ্ন মুহূর্ত্ত (মীৎকুপ-ক্ষেণকম্) অদু ঙাইদুনা য়েংদুনা দৈ। জন্মরাশি অদুগী মতুংইন্না জ্যোতিষী পণ্ডিত-শিংনা পোক্‌লিবা অঙাং অদুগী মিং অদু স্বর ব্যঞ্জনগী পূংকম বেংনা জন্মপত্রিকাদা ই, থোল্‌দি থাইসিগী মথক্তা অথোইবা অদুগা চপচাবা মশাগা চান্নবা মিংদি— হন্দকী মপোক্তা তৌরিবা কর্ম্মশিংদুগী মতুংইন্না মশা মথক্তা নম্‌দুনা লাক্‌চবা মিং অদুনা থাজেপেবা যুক্তি চান্নবা মিনি। মশাঙল শোল্‌লবা, পাঙত্রবা, ভান্নবা অঙাং অমদা ইঁন্দ্র হায়না থেন্‌জিল্লি। মাসি কৌ-লাকপদা মুংঙাইনবা হায়দুমা পঙথোন্ থোজিনবনি। মপাম্হোংগী চাঙ তুরেল্‌গী মিংশিংসু কর্ম কর্ম্মদুগী মতুংইন্না থোরখিবা মিং ঙাক্তনি। থুনেম্ ওইনা হায়রবদা— হিমালয়না হিম গী আলয় ওইরমত্রবদি, হায়বদি— উনবু কোশিল্ থোংজিনবদগী থবক তৌরমত্রবদি হিমালয় কৌবা অসি য়ারম্মোইদৌবনি, যুক্তি চারম্মোইদৌবনি। মুংশিংগী অচম্বা চিঙ অমদা হিমালয় হায়না থোনজিনবসু য়াই। হৌজিকী সমাজদা মাগী মাগী লোন্দা থোরবিবা মিংশিং অসি, অসি-ঙৈবা জাৎ ঙাক্তনি। হায়বদি— য়াইদুনা মুংশিবগী, শামজবগী পঙথোন থোনবনি। অসিগুম্বা মিংশিং অসিদি উপাধিনি— মথক্তা তৈবনি। নিংথৌ বসুনা মথক্রোমদা প'ইরকমা উপরিচর কৌথি। অদুনা, পাতালদা তারক্লগা পাতালচারী কৌথিবনি। মহাক হৌজিক্ অমুক ব্রহ্মলোকতা য়োথিবনা— ব্রহ্মগী ব্রহ্মলোকনিবাসী কৌরে। অথবা থবক্না মশানা লাকচবা মিং অদুগুম্না আখ্যাশিনা অকম যুক্দা [illegible] কৌরিবনি। মাদুদি মিংচেৎ হায়রিবসি। (কোজাঙ্চাং)

তৎ তে সর্ব্বং প্রবক্ষ্যামি শৃণুষ্বৈকমনা নৃপ ॥৪১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি নারায়ণীয়ে দ্বাত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥৩৩২॥

——:(*):——

কময়া নারদ মুনিনা শ্বেতদ্বীপতা চংখিবগে হায়বহ্নী প্রসঙ্গ অহু অমুক্ নত্তোন্দা লীরগে। পূর্ত্তীং চঙনা তাম্লো ॥৪১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসদেবনা লেখ্বা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মদা "নারায়ণীয়দা" চহমগা কুম্বরানিথাইরুশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩৩২॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রয়স্ত্রিংশদধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নাম চনৌনা নারদ মুনিনা ভগবান্দী স্তুতি তৌবা)

চহমগা কুম্বরাহুমদোইশুবা অধ্যায়

——:(*):——

ভীষ্ম উবাচ।

প্রাপ্য শ্বেতং মহাদ্বীপং নারদো ভগবানৃষিঃ। দদর্শ তানেব নরাঞ্ছ্বেতাংশ্চন্দ্রপ্রভান্ ॥১॥
পূজয়ামাস শিরসা মনসা তৈশ্চ পূজিতঃ দিদৃক্ষুর্জপ্যপরমঃ সর্ব্বকৃচ্ছ্রগতঃ স্থিতঃ ॥২॥
ভূত্বৈকাগ্রমনা বিপ্রঊর্দ্ধবাহুঃ সমাহিতঃ। স্তোত্রং জগৌ স বিশ্বায় নির্গুণায় গুণাত্মনে ॥৩॥

ভীষ্মনা হায় — যুধিষ্ঠির। ভগবান্ দেবর্ষি নারদনা শ্বেতদ্বীপতা থুংখিহনা মকম অহুদা লৈরম্বা অমমম্বা থোসী মত্তৌগুম্বা লংলবা পুরুষশিং অহুবু উরে। মতম অহুদা নারদনা মখোয় অহুদা মকোক্ নোম্বুনা থুকম্মি মপূর্ত্তীংদা মখোয় অহুবু পূজা তৌরে অহুগী তুংদা শ্বেতদ্বীপ নিবাসীশিং অহুনা নারদ মুনিবু ভরম্ থম্মুনা থাগত তৌই। অহুগী তুংদা ভগবান্ নারায়ণগী দর্শনগী থবক্ মকনুবা তপস্যা তৌহুনা লৈখি ॥১—২॥

নারদনা পাখোয় [illegible] লোতনা [illegible]

নারদ উবাচ ;

নমস্তে দেবদেবেশ নিষ্ক্রিয় নির্গুণ লোকসাক্ষিন্,
ক্ষেত্রজ্ঞ পুরুষোত্তম অনন্ত পুরুষ মহাপুরুষ,
পুরুষোত্তম ত্রিগুণ প্রধান অমৃত অমৃতাখ্য,
অনন্তাখ্য ব্যোম সনাতন সদসৎ ব্যক্তাব্যক্ত,
ঋতধামন্ আদিদেব বসুপ্রদ প্রজাপতে,
সুপ্রজাপতে বনস্পতে মহাপ্রজাপতে ঊর্জস্পতে,
মরুৎপতে সলিলপতে পৃথিবীপতে দিক্পতে,
পূর্ব্বনিবাস গুহ্য ব্রহ্মপুরোহিত ব্রহ্মকায়িক,
মহারাজিক চাতুর্মহারাজিক ভাস্বর মহাভাস্বর,
সপ্তমহাভাগ যাম্য মহাযাম্য সংজ্ঞা সংজ্ঞতুষিত,
মহাতুষিত প্রমর্দ্দন পরিনির্ম্মিত অপরিনির্ম্মিত,
অপরিমিত বশবর্ত্তিন্ অবশবর্ত্তিন্ যজ্ঞ,
মহাযজ্ঞ যজ্ঞসম্ভব যজ্ঞযোনে যজ্ঞগর্ভ
যজ্ঞহৃদয় যজ্ঞস্তুত যজ্ঞভাগহর পঞ্চযজ্ঞ,
পঞ্চকালকর্ত্তৃপতে পাঞ্চরাত্রিক বৈকুণ্ঠ,
অপরাজিত মানসিক নামনামিক পরস্বামিন্
সুস্নাত হংস পরমহংস মহাহংস পরমযাজ্ঞিক।

ভগবান্ শ্রীনারায়ণগী স্তুতি তৌথ। শ্রীনারায়ণগী নাম চনী মথং মথং খীদাখ। মায়ংশিংক্কুদি অসিনি—

নমস্তে দেবদেবেশ নিষ্ক্রিয় নির্গুণ লোকসাক্ষী ক্ষেত্রজ্ঞ পুরুষোত্তম অনন্ত পুরুষ মহাপুরুষ পুরুষোত্তম ত্রিগুণ প্রধান অমৃত অমৃতাখ্য অনন্তাখ্য ব্যোম সনাতন, সৎ অসৎ ব্যক্ত অব্যক্ত। ঋতধামন্ আদিদেব বসুপ্রদ প্রজাপতে সুপ্রজাপতে বনস্পতে মহাপ্রজাপতে ঊর্জস্পতে মরুৎপতে সলিলপতে পৃথিবীপতে দিক্পতে পূর্ব্বনিবাস গুহ্য ব্রহ্মপুরোহিত ব্রহ্মকায়িক মহারাজিক চাতুর্মহারাজিক ভাস্বর মহাভাস্বর সপ্তমহাভাগ, যাম্য মহাযাম্য সংজ্ঞা সংজ্ঞ তুষিত মহাতুষিত প্রমর্দ্দন পরিনির্ম্মিত অপরিনির্ম্মিত অপরিমিত বশবর্ত্তিন্ অবশবর্ত্তিন্ যজ্ঞ মহাযজ্ঞ যজ্ঞসম্ভব যজ্ঞযোনে যজ্ঞগর্ভ যজ্ঞহৃদয়, যজ্ঞস্তুত যজ্ঞভাগহর পঞ্চযজ্ঞ পঞ্চকালকর্ত্তৃপতে পাঞ্চরাত্রিক বৈকুণ্ঠ অপরাজিত মানসিক নাম নামিক পরস্বামিন্ সুস্নাত হংস পরমহংস মহাহংস পরমযাজ্ঞিক।

সাংখ্যযোগ সাংখ্যমূর্ত্তে অমৃতেশয় হিরণ্যেশয়,
দেবেশয় কুশেশয় ব্রহ্মেশয় পদ্মেশয় বিশ্বেশ্বর,
বিষ্বক্সেন ত্বং জগদন্বয় ত্বং জগৎপ্রকৃতি ,
তবাগ্নিরাস্যম বড়বা মুখোঽগ্নি: ত্বমাহুতিঃ,
সারথিঃ ত্বং বষট্‌কার ত্বমোঙ্কারঃ ত্বং তপঃ,
ত্বং মনঃ ত্বং চন্দ্রমাঃ ত্বং চক্ষুরাদিত্যং,
ত্বং সূর্য্যঃ ত্বং দিশাং গজঃ ত্বং দিগ্‌ভানো,
বিদিগ্‌ভানো হয়শিরঃ প্রথমত্রি সৌপর্ণঃ বর্ণধরঃ,
পঞ্চাগ্নে ত্রিণাচিকেত ষড়ঙ্গনিধান প্রাগ্‌জ্যোতিষ,
জ্যেষ্ঠসামগ সামিকব্রতধর অথর্ব্বশিরাঃ
পঞ্চমহাকল্প ফেনপাচার্য্য বালখিল্য
বৈখানস অভগ্নযোগ অভগ্নপরিসংখ্যান,
যুগাদে যুগমধ্য যুগনিধন আখণ্ডল প্রাচীনগর্ভ
কৌশিক পুরুষ্টুত পুরুহুত বিশ্বকৃৎ বিশ্বরূপ
অনন্তগতে অনন্তভোগ অনন্ত অনাদে অমধ্য,
অব্যক্তমধ্য অব্যক্তনিধন ব্রতাবাস সমুদ্রাধিবাস ।
যশোবাস বিদ্যাবাস মীর্ত্ত্যাবাস শ্রীবাস সর্ব্বাবাস,
বাসুদেব সর্ব্বচ্ছন্দক হরিহয় হরিমেধ মহাযজ্ঞভাগহর ।

সাংখ্যযোগ সাংখ্যমূর্ত্তে অমৃতেশয় হিরণ্যেশয় দেবেশয় কুশেশয় ব্রহ্মেশয় পদ্মেশয় বিশ্বেশ্বর বিষ্বক্সেন জগদন্বয় জগৎপ্রকৃতি তবাগ্নিরাসি বড়বা মুখোঽগ্নি আহুতি, সারথি বষট্‌কার ওঙ্কার তপঃ মনঃ চন্দ্রমা চক্ষুরাদিত্য সূর্য্য দিশঃ গজঃ দিগ্‌ভানো বিদিগ্‌ভানু হয়শিরঃ প্রথমত্রি সৌপর্ণ বর্ণধরঃ ।

পঞ্চাগ্নি ত্রিণাচিকেত ষড়ঙ্গনিধান প্রাগ্‌জ্যোতিষ জ্যেষ্ঠসামগ সামিকব্রতধর, অথর্ব্বশির পঞ্চমহাকল্প ফেনপাচার্য্য বালখিল্য বৈখানস অভগ্নযোগ অভগ্নপরিসংখ্যান, যুগাদি যুগমধ্য যুগনিধন আখণ্ডল প্রাচীনগর্ভ কৌশিক পুরুষ্টুত পুরুহুত বিশ্বকৃৎ বিশ্বরূপ অনন্তগতি অনন্তভোগ অনন্ত অনাদি অমধ্য অব্যক্তমধ্য অব্যক্তনিধন ব্রতবাস সমুদ্রাধিবাস, যশোবাস বিদ্যাবাস কীর্ত্ত্যাবাস শ্রীবাস সর্ব্বাবাস বাসুদেব সর্ব্বচ্ছন্দক হরিহয় হরিমেধ মহাযজ্ঞভাগহর ।

বরপ্রদ সুখপ্রদ ধনপ্রদ হরিমেধ যমনিয়ম মহানিয়ম
কৃচ্ছ্র অতিকৃচ্ছ্র সর্বকৃচ্ছ্র নিয়মধর নিবৃত্ত ভ্রমপ্রবহনগত
পৃশ্নিগর্ভপ্রবৃত্ত প্রবৃত্তবেদক্রিয় অজ সর্বগতে
সর্বদর্শিন্ অগ্রাহ্য অচল মহাবিভূতে মাহাত্ম্যশরীর
পবিত্র মহাপবিত্র হিরণ্ময় বৃহৎ অপ্রতর্ক্য অবিজ্ঞেয়
ব্রহ্মাগ্র্য প্রজাসর্গকর প্রজানিধনকর মহামায়াধর
চিত্রশিখণ্ডিন বরপ্রদ পুরোডাশভাগহর গতাধ্বর
ছিন্নতৃষ্ণ ছিন্নসংশয় সর্বতোবৃত্ত নিবৃত্তিরূপ
ব্রাহ্মণরূপ ব্রাহ্মণপ্রিয় বিশ্বমূর্ত্তে মহামূর্ত্তে।
বান্ধব ভক্তবৎসল ব্রহ্মণ্যদেব ভক্তোহহং ত্বাং
দিদৃক্ষুরেকান্ত দর্শনায় নমো নমঃ॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
নারায়ণীয়ে ত্রয়স্ত্রিংশত্যধিকত্রিশততমোঽধ্যায়ঃ॥৩৩৩॥

——:(ঞ):——

বরপ্রদ সুখপ্রদ ধনপ্রদ হরিমেধ যমনিয়ম মহানিয়ম কৃচ্ছ্র অতিকৃচ্ছ্র সর্ব্বকৃচ্ছ্র নিয়মধর নিবৃত্ত ভ্রমপ্রবহনগত পৃশ্নিগর্ভপ্রচণ্ড প্রবৃত্তবেদক্রিয় অজ সর্ব্বগতে সর্ব্বদর্শিন্ অগ্রাহ্য অচল মহাবিভূতে মাহাত্ম্যশরীর পবিত্র মহাপবিত্র হিরণ্ময় বৃহৎ অপ্রতর্ক্য অবিজ্ঞেয় ব্রহ্মাগ্র্য প্রজাসর্গকর প্রজানিধনকর মহামায়াধর চিত্রশিখণ্ডিন্ বরপ্রদ, পুরোডাশভাগহর গতাধ্বর ছিন্নতৃষ্ণ ছিন্নসংশয় সর্ব্বতোবৃত্ত নিবৃত্তিরূপ ব্রাহ্মণরূপ ব্রাহ্মণপ্রিয় বিশ্বমূর্ত্তে মহামূর্ত্তে বান্ধব ভক্তবৎসল ব্রহ্মণ্যদেব — ননাইনা উজগে হায়না খুরুমজৈ॥

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা নারায়ণীদা চহমগা কুন্থরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে॥৩৩৩॥

——:(ঞ:——

সমাপ্তশ্চেদং দ্বাবিংশতিতমখণ্ডম্॥